শ্রীমহাভারত

শুবা খণ্ড

পর্ব্ব

ॐ

মণিপুরী

মহাভারত

তরাতরুক্কশুবা খণ্ড

স্ত্রীপর্ব্ব অরোইবা।

শান্তিপর্ব্ব অহৌবা।

বেদব্যাসকী শ্লোকাবলী মহাভারতকী
পর্ব্ব-অধ্যায়-শ্লোক মথং মনাও
কায়দন, মরকূমরক্ত টীকা
পীত্তুনা মৈতৈরোন্দা
ছন্দোকৃচবা—

কালাচাঁদ শাস্ত্রী
সাহিত্য ভূষণ (মঃ সঃ পঃ)

ফোঙজবা :-
মণিপুরী মহাভারত কামিটী।

॥ ইং কুম্জা ১৯৬৮ ॥

[মহাভারত প্রেস, ইম্ফাল]

[মমল্ লুপা Rs 550

সৌপ্তিক পর্ব

স্ত্রীপর্ব

শ্রাদ্ধপর্ব্ব

শান্তি পর্ব্ব

শ্রীমহাভারতম্

(মহাভুত থেনবা মতাং)

সপ্তমোঽধ্যায়ঃ ।

তরেৎশুবা অধ্যায়

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

দ্বারদেশে ততো দ্রৌণিমবস্থিতমবেক্ষ্য তৌ । অকুর্ব্বতাং ভোজকৃপৌ কিং সঞ্জয় ! বদস্ব মে ॥১॥

সঞ্জয় উবাচ

কৃতবর্ম্মাণমামন্ত্র্য কৃপঞ্চ স মহারথঃ । দ্রৌণির্মন্যুপরীতাত্মা শিবিরদ্বারমাসদৎ ॥২॥

তত্র ভূতং মহাকায়ং চন্দ্রার্কসদৃশদ্যুতিম্ । সোঽপশ্যদ্দ্বারমাশ্রিত্য তিষ্ঠন্তং লোমহর্ষণম্ ॥৩॥

বসানং চর্ম্ম বৈয়াঘ্রং মহারুধিরবিস্রবম্ । কৃষ্ণাজিনোত্তরাসঙ্গং নাগযজ্ঞোপবীতিনম্ ॥৪॥

বাহুভিঃ স্বায়তৈঃ পীনৈর্নানাপ্রহরণোদ্যতৈঃ । বদ্ধাঙ্গদমহাসর্পং জ্বালামালাকুলাননম্ ॥৫॥

দংষ্ট্রাকরালবদনং ব্যাদিতাস্যং ভয়ানকম্ । নয়নানাং সহস্রৈশ্চ বিচিত্রৈরভিভূষিতম্ ॥৬॥

(কলাপকম্)

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— সঞ্জয় ! কৃতবর্ম্মা কৃপাচার্য্য অনীনা পাণ্ডবলাঙ্গুং ময়াদা থোঙ্গাম্দা লেপ্লুনা লৈব অশ্বত্থামাবু উবগা করি করি তৌখি মাহু হায়য় ॥১॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ ! থোইদোক্লা শাউপ্রবা মহারথী অশ্বত্থামানা কৃতবর্ম্ম অহুগা কৃপাচার্য্য অমীবু খুৎ হস্তুনা কৌশিল্লগা লাঙ্গুংগী থোঙ তারা চঙশিনখি ॥২॥ মতম্ অদুদা লাঙ্গুং থোঙ অদু হেক্ য়োবদা অশ্বত্থামানা করি উবগে হায়বদ:— অকিৎগী মশক ওইরবা চাউশাংলবা নিপা অম চপ লেপ্লুনা লৈ। মশাগী তেজনা সুমিৎ থা অনীগী তেজগুম্বি। শেৎপনা কৈ মউল ইনবিনা কৃষ্ণসার শজীগী মউন্না ওই। চাউরবা মশা অদুদ, লিন্না যজ্ঞোপবীত (লুগুণ) ওইনা খাউওল ও'ল্লি। ময়াদগী ঈগী ধারা তলনা শিল্লরি। অমুক মুন্না য়েংশিনবদা শাংলবা নোয়রবা পাম্বোম ময়াম পাল্লি। খুৎ পাম্বোমশিং অদুনা খুৎলায় মথল মথল পায়রি। পাম্বোম খুদিংমক্তা লিল চাউর চাউরবনা তাল (পাম্বোমক্কাবী) ওইনা লৈতেংলি। ময়াদগী মকক মকক্তা মৈরি কাপথোক্ পাইগোরকলি। য়াথক য়াথা শরেং অনীকুনা মায়থোং অদুব অকিবা মশক পুহল্লি। মায়থোং অদো অদুম পাকথোক্লকপগুমদু তোই। মতম অদুদা তেঙ্গুণ তরেংবা মীৎ লিশিং অম পাঙথোরকপগুম উই ॥৩-৬॥ মহাপুরুষ

নৈব তস্য বপুঃ শক্যং প্রবক্তুং বেশ এব চ । সর্ব্বথা তু তদালক্ষ্য স্ফুটেয়ুরপি পর্ব্বতাঃ ।৭।

তস্যাস্যান্নাসিকাভ্যাঞ্চ শ্রবণাভ্যাঞ্চ সর্ব্বশঃ । তেভ্যশ্চাক্ষিসহস্রেভ্যঃ প্রাদুরাসন্মহার্চ্চিষঃ ।৮।

তথা তেজোমরীচিভ্যঃ শঙ্খচক্রগদাধরাঃ । প্রাদুরাসন্ হৃষীকেশাঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ ।৯।

তদত্যদ্ভুতমালোক্য ভূতং লোকভয়ঙ্করম্ । দ্রৌণিরব্যথিতো দিব্যৈরস্ত্রবর্ষৈরবাকিরৎ ।

দ্রৌণিমুক্তাঞ্ছরাংস্তাংস্তু তদ্ভূতং মহদগ্রসৎ ।১০।

উদধেরিব বার্য্যোঘান্ পাবকো বড়বামুখঃ । অগ্রসত্তাংস্তথা ভূতং দ্রৌণিনা প্রহিতাঞ্ছরান্ ।১১।

অশ্বত্থামা তু সংপ্রেক্ষ্য শরৌঘাংস্তান্নিরর্থকান্ । রথশক্তিং মুমোচাস্মৈ দীপ্তামগ্নিশিখামিব ।১২।

সা তমাহত্য দীপ্তাগ্রা রথশক্তিরদীর্য্যত । যুগান্তে সূর্য্যমাহত্য মহোল্কেব দিবশ্চ্যুতা ।১৩।

অথ হেমৎসরুং দিব্যং খড়্গমাকাশবর্চ্চসম্ । কোষাৎ সমুদ্বর্হাশু বিলাদ্দীপ্তমিবোরগম্ ।১৪।

ততঃ খড়্গবরং ধীমান্ ভূতায় প্রাহিণোত্তদা । স তদাসাদ্য ভূতং বৈ বিলয়ং নকুলবদ্ যযৌ ।১৫।

অহুগী মূর্ত্তি অমদি কিজেৎ অদু ঐনা শেংনা বর্ণন তৌবা ঙমজদে । অহুপা ঈশম শম্ হায়বা তায়বদা, মহাপুরুষ অহুবু উবদা চাউরচাউরবা চীঙকাওবা চেৎথায়গদবা মওংনি ॥৭॥ নিপা অসিগী ময়া মনাকোং, নাচোল, অহুগা মমীৎ লিশিংহুদগী শাংলবা লংলবা মৈরিমক্তা পাইথোরকলি ॥৮॥ অহুগা পাইথোরকলিবা মৈরিশিং অহুদগী শঙ্খচক্রগদা পায়বা বিষ্ণু ঙাক্তা চাম চামা লিশিং লিশিং পাইথোরকলি ॥৯॥ অশ্বত্থামানা অঙকপকংনা অকিবগী মশক ওইরবা মূর্ত্তি অহু উহুনসু অকি অবং নৈতনা নিপা অদুদা থুৎলায়মক্ত কাপশিল লংশিল্লকই । মহাভূত অহুনসু অশ্বত্থামানা কাপশিল লংশিল্লকলিব থুৎলায় মপৈ মপৈ অমুক অমুক্তা কোক্ কোক্ য়োৎশিনখি ॥১০॥ বড়বানল কৌবা সমুদ্র ঈয়ায়দা চাকপা মৈনা সমুদ্রগী ঈচেলবু মনম মনম চুপশিনবহু ওয়া মহাপুরুষ অহুনসু অশ্বত্থামানা কাপশিললংশিল্লকলিবা থুৎলায়শিং অদুবু মনম মনম য়োচিহ্নি ॥১১॥ তেল্ থুৎলায়শিং অহুনা করিমত কায়দবহু উবদা অশ্বত্থামানা শাংলবা মচীন্দা মৈয়থোক্লবা তা অম মহাভূত অদোমদা লংশিল্লকই ॥১২॥ প্রলয়গী মতমদা নোংমদোম্বক্তগী নাম্বরকপা শাংলবা শঙাইপেয়া সুমিৎকী মকোয় য়োরগা মতং মতৎ কায়হনা থুমৎকো তেজদা তিনখি বহুওয়া তা অহুনা মহাভূত অহুগী মপাদা হেক পাল্লুবদ মতেক্ মতেক্ তেক্তুনা হেক্ পাইথোকখিদুনা মশক উবদে ॥১৩॥ লিলগী অগোই শাহনবা অহৈবা মীশিংনা লিলগী মখুম্বগী লাংলবা মহুকল্লবা লিলবু চিংথোক্ ছুংতোক্লকপহুওয়া অশ্বত্থামানা থাঙখুমদগী মথোক্ সনাহোম্বা আকাশ মচু মাম্ মক্ত.বা থঙশাং অহু ছুংলি ॥১৪॥ থাঙ অহু উরুরুক্ত লৈরগা অশ্বত্থামানা নিপা অহুগী মশাহেক তম্বা লংশিল্লকই । মতম অহুদা থেবনা মখুম্বা চঙখিবওয়া থাঙ অহু মহাভূত অহুগী মাকুংদা হেক পাইশিনখি ॥১৫॥ অহুদগী শাউরবা অশ্বত্থামানা ইন্দ্রগী কিরাল চৈথোককুম্বা গদা অম পায়-

ততঃ স কুপিতো দ্রৌণিরিন্দ্রকেতুনিভাং গদাম্ । জ্বলন্তীং প্রাহিণোত্তস্মৈ ভূতঃ তামপি চাগ্রসৎ ॥১৬॥
ততঃ সর্ব্বায়ুধাভাবে বীক্ষমাণস্ততস্ততঃ । অপশ্যৎ কৃতমাকাশমনাকাশং জনার্দ্দনৈঃ ॥১৭॥
তদদ্ভুততমং দৃষ্ট্বা দ্রোণপুত্রো নিরায়ুধঃ । অব্রবীদতিসন্তপ্তঃ কৃপবাক্যমনুস্মরন্ ॥১৮॥
ব্রুবতামপ্রিয়ং পথ্যং সুহৃদাং ন শৃণোতি যঃ । স শোচত্যাপদং প্রাপ্য যথাহমতিবর্ত্ত্য তৌ ॥১৯॥
শাস্ত্রদৃষ্টানবিদ্বান্ যঃ সমতীত্য জিঘাংসতি । স পথঃ প্রচ্যুতো ধর্ম্মাৎ কুপথে প্রতিহন্যতে ॥২০॥
গোব্রাহ্মণনৃপস্ত্রীষু সখ্যুর্মাতুর্গুরোস্তথা । হীনপ্রাণজড়ান্ধেষু সুপ্তভীতোত্থিতেষু চ ॥২১॥
মত্তোন্মত্তপ্রমত্তেষু ন শস্ত্রাণি নিপাতয়েৎ । ইত্যেবং গুরুভিঃ পূর্ব্বমুপদিষ্টং নৃণাং সদা ॥২২॥
(যুগ্মকম্)
সোঽহমুৎক্রম্য পন্থানং শাস্ত্রদৃষ্টং সনাতনম্ । অমার্গেণৈবমারভ্য ঘোরামাপদমাগতঃ ॥২৩॥
তাঞ্চাপদং ঘোরতরাং প্রবদন্তি মনীষিণঃ । যদুদ্যম্য মহৎ কৃত্যং ভয়াদপি নিবর্ত্ততে ॥২৪॥
অশক্যঞ্চৈব তৎ কর্ত্তুং কর্ম্ম শক্তিবলাদিহ । ন হি দৈবাদ্গরীয়ো বৈ মানুষং কর্ম্ম কথ্যতে ॥২৫॥

খত্না মহাভূত অদোমদা লংশিল্লকই। গদা অদুবসু মহাপুরুষ অদুনা মপ্পা কাখোক্না মোৎশিনখ্রে ॥১৬॥ খুৎলায় পুম্নমক লোইখ্রবদা অশ্বত্থামা অসি মায়পৈগনুম্বা লৈত্রনা কোয়েং য়েংঙি মতম অদুদা মহ ভূত অদুগী মৌরদগী পাইখোকপকপা শঙ্খচক্র গদা পায়বা বিষ্ণু মখাম অদুনা আকাশ অদু খুরক চাওদনা কুপাশনখ্রে ॥১৭॥ ঘটনা উবদা খুৎলায় য়াওদ্রবা অশ্বত্থামা অসি তোকম খওদহনা কৃপাচার্য্যনা হায়খিব য়াম্ন অসুম নীঙাশংঙক্না মথন্ত অসুম্না মপুকশুংদা হায়রকই ॥১৮॥ তাবদাদি সুংঙাইতবা, কান্নি কায়বা পাউতাক পীরিবা মরুপশী য়াবু লোদবা মী মহাক অদুদি, কৃপাচার্য্য কৃতবর্ম্মাগা অনীনা হায়বা তাদবদগী ঐনা অরাবা তারিবসিগুম তাগনি ॥১৯॥ যুদ্ধনীতীশাস্ত্রবুদি খোঙজদহনা য়েক্লবসু শমগে হোৎনরিব। মী অদো ধর্ম্মগী লম্বীদগী নাম্থোরক্না অধর্ম্মগী লম্বীদা চৎখিনা নীঙবা পুম্বা থুংদনা মাঙজি ॥২০॥ শল, ব্রাহ্মণ, যজ্ঞ তৌরবা, তৌহনা লৈরিবা নিংথৌ, নুপী, মরুপ মমা, গুরু, অশোনবা, পঙনবা ঙাওরবা, মীঙাংবা; তুম্লবা কিজরবা, তুমদগী মথাৎ নোকহনা হেক হৌগৎপদা ঙায়রিবা, মঙ্গায়কাবা পোৎ চাহনা ঙাওরিবা অঙাওবা, কাবম চৎউ থাউনা লৈরিবা মখোয়শিং অসিদা খুৎলায় থক শীজিন্নরোইদৌবনি মহাযশিংনা মমাংঙৈদগী তাইবং মী পুম্নমক্ত পাউতাক পীগ্রবনি ॥২১—২২॥ অসগুম শাস্ত্রগী দৃষ্টনা চুম্মি হায়বা মমাংঙৈদগী লৌনরক্লবা লম্বী চৎনরক্লব অসিদগী নাম্থোরক্না অসৎপথদা (অয়ানবা লম্বীদা) চত্না ঐ হৌজক, অরাবগী কোমদা পুথরে ॥২৩॥ অকিবগী মশক ওইরবা, তমখিরবা থবক অমবু পায়থৎলুরগা কিবদগী হন্দোকপা অদুবুনি জ্ঞানীশিংনা অকিবগী মশক কৎনা, তমথিনা য়াবা হায়নরিবসিনি ॥২৪॥ শক্তিতনা পাঙ্গন্থনা করিগুম থবক অমত্ত পাঙথোকপা য়াদে।

মানুষং কুর্ব্বতঃ কর্ম যদি দৈবান্ন সিধ্যতি । স পথঃ প্রচ্যুতো ধর্ম্ম্যাদ্বিপদং প্রতিপদ্যতে ।২৬।
প্রতিজ্ঞানং হ্যবিজ্ঞানং প্রবদন্তি মনীষিণঃ । যদারভ্য ক্রিয়াং কাঞ্চিদ্ভয়াদিহ নিবর্ত্ততে ।২৭
তদিদং দুষ্প্রণীতেন ভয়ং মাং সমুপস্থিতম্ । ন হি দ্রোণসুতঃ সংখ্যে নিবর্ত্তেত কথঞ্চন ।২৮।
ইদঞ্চ সুমহদ্ভূতং দৈবদণ্ডমিবোদ্যতম্ । ন চৈতদভিজানামি চিন্তয়ন্নপি সর্ব্বথা ।২৯।
ধ্রুবং যেয়মধর্ম্মেণ প্রবৃত্তা কলুষা মতিঃ । তস্যাঃ ফলমিদং ঘোরং প্রতিঘাতায় দৃশ্যতে ।৩০।
তদিদং দৈববিহিতং মম সংখ্যে নিবর্ত্তনম্ । নান্যত্র দৈবাদুদ্যন্তুমিহ শক্যং কথঞ্চন ।৩১।
সোঽহমদ্য মহাদেবং প্রপদ্যে শরণং প্রভুম্ । দৈবদণ্ডমিমং ঘোরং স হি মে নাশয়িষ্যতি ।৩২।
কপর্দ্দিনং দেবদেবমুমাপতিমনাময়ম্ । কপালমালিনং রুদ্রং ভগনেত্রহরং হরম্ ।৩৩।
(যুগ্মকম্)

স হি দেবোঽত্যগাদ্দেবাংস্তপসা বিক্রমেণ চ । তস্মাচ্ছরণমভ্যেমি গিরিশং শূলপাণিনম্ ।৩৪।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক
পর্ব্বণি সুপ্তবধে মহাভূতদর্শনে দ্রৌণিচিন্তায়াং সপ্তমোঽধ্যায়ঃ ।০। *



মরমদিঃ— "দৈবদগী পুরুষকারনা হেনবা নত্তে" হায়বসি নীতিশাস্ত্রখঙবশিংনা হায়নরিবনি ॥২৫॥ নিপা খোক্না থবক তৌগনি হায়না চোংথোরক্লবদি অহুগা থবক অহ দৈবনা কনখিবনা মতৈয়ান্দ্রব'দ মী মহাক অদো ধর্ম্মগী লম্বীদগী নাম্থোরক্কু না অরাবা খুদোং থীবদা তারৈ ॥২৬॥ জ্ঞানীশিংনা হায়নৈঃ— ভাইবং মী কনাগুম্বন ওম্নি ওম্মোই খঙদনা থবক অম পায়খৎলুরগা হল্লবদি, মমাঙেদা মানা থবক তৌগনি হায়না রাশকলুবদু জ্ঞানভাজ্রিবৈ মতমদা তৌখিবনি হায়বা তাই ॥২৭॥ মরম অদুনা ভূং মাঙ হম্ম থম্মহৌদনা থবক পায়খৎসুবদগী থকি অথংগী মশক ওইরবা দশা অসি ঐনা কংজবতনি ॥২৮॥ রাং চাউরবা মহাপুরুষ অসিনা ঐনা তৌগে থাম্লবা থবক্কা মৈথায়বা পীরে । ঐনা হাঁয়ম পুম্ব মুম্না খম্মহুনা বিচার তৌবদস্ত মহাক কনানো হায়দ্র ঐ লাম্ব কাব্র ॥২৯॥ পাপকী থবক্কা পুক্নিং চঙঙবা ঐগী থবক অদুগী মহৈনা মুর্ত্তি নাইনা চোংথোক্কু না ঐগী থবক্কা অপনবা পীরে ॥৩০॥ মরাম অদুনা লান্দগী হনগদৌরিবাসমক ঐগী লাইবক্কা তমখিবা হায়বদুমক্তনি হাযবসি মশানা তারে । মরম অদুনা লাইনা তম্বিবা হায়বা শরুক অহু ঈয়াও য়াওদনসু করিগুম্বা থবক অমত পাঙথোকপা য়াদে ॥৩১॥ মরম অদুনা ঐ হৌজিক্কি প্রভাব শক্তি লল্লবা, জটা পুবা, দেব দেব ওইবা, উ পাম্বী, অরাব কোকাপ হৈবা, মী মকোক পরেং শিবা, রুদ্র, ভগদেবগী নেত্রবু মাঙহনখিবা, কামদেববু চাকথোক তম্বা মহাদেবগী চরণদা চঙজরগে । শোয়দনা মহাক্কনা অকিবগী মশক কংলবা দৈবদণ্ড অসিবু কোকপিগনি ॥৩২—৩৩॥ মরমদি মহাদেবতনা তপস্যাগী অমদি পাজলগী শক্তিতনা লাই অতৈদগী হেন্মোক্কু না লৈরবনি । অদুনা ঐ ত্রিশূলধারী মহাদেবদা চঙজরগে ॥৩৪॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিক পর্ব্বদা সুপ্তবধগী মমুংদা মহাভূতদর্শনিদা দ্রৌনিচিন্তাগী তরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

(অশ্বত্থামানা পাণ্ডবগী লাঞ্ছংদা)

অষ্টমোঽধ্যায়ঃ ।

চঙাখবা)

আনিশুবা অধ্যায়

সঞ্জয় উবাচ

এবং স চিন্তয়িত্বা তু দ্রোণপুত্রো বিশাংপতে । অবতীর্য্য রথোপস্থাদ্দেবেশং প্রণতঃ স্থিতঃ ।১।
উগ্রং স্থাণুং শিবং রুদ্রং সর্ব্বমীশানমীশ্বরম্ । গিরিশং বরদং দেবং ভবভাবনমব্যয়ম্ ।২।
শিতিকণ্ঠমজং শুক্রং দক্ষক্রতুহরং হরম্ । বিশ্বরূপং বিরূপাক্ষং বহুরূপমুমাপতিম্ ।৩।
শ্মশানবাসিনং দৃপ্তং মহাগণপতিং বিভুম্ । খট্বাঙ্গধারিণং রুদ্রং জটিলং ব্রহ্মচারিণম্ ।৪।
মনসা সুবিশুদ্ধেন দুষ্করেণাল্পতেজসা । সোঽহমাত্মোপহারেণ যক্ষ্যে ত্রিপুরঘাতিনম্ ।৫।

(কলাপকম্)

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ । অশ্বত্থামানা অশুম হায়না ওহাক খল্লগা রথদগী লৈমায়থক্ত কুমথরগা মহাদেবগী মাঙদা মকোক নোম্দুনা ভুমিন্ন লৈ ॥১॥ অশ্বত্থামানা হায়ঃ— হে দেব দেব । মহাদেব । ননাই ঐগী কারণুম্বা অমত লৈজত্রেবস্থ থম্মোয় শেংনা নংগী চরণদা আত্মদান আত্মসমর্পন তৌজরি । ঈশা ইথস্তবু কথোকচগ্ননা নংগী পূজা তৌজগে । মরমদি নহাক্ত উগ্র (অকিবগী মশক ওইবা), স্থাণু (লেঙদবা), শিব, রুদ্র, সর্ব্ব (পুম্নমক্কী মশক ওইবা), ঈশান (মকোক ওইবা), ঈশ্বর, গিরিনা (চীঙমাস্তদ লৈবা) বরদাতা (বর পীনব হৈবা), দেব, জগৎ সৃষ্টি কর্ত্ত (জগৎ শেম্বা মপু), অবিনশ্বর (অমাংবা লৈতবা), শিতি কণ্ঠ (নিল কণ্ঠ), জন্মরহিত [পোকপ শিব লৈতবা], শুভ্রবর্ণ [ঙৌরোক ঙৌবা], দক্ষ যজ্ঞনা শাবা (দক্ষ প্রজাপতিগী যজ্ঞ থুগাইবা], কামহন্তা [কামদেববু মাঙ-হনবা], বিশ্বরূপ [বিশ্ব জগৎনা নংগী নশক ওইবা], বিরু পাক্ষ [থাইগা মান্নদবা অঙকপা নয়ন অহুম পানবা]' বহুরূপধারী [শক্লোন মরাম পুবা], উমাপতি [উমা পার্ব্বতীগী মপুড়ে], শ্মশানবাসী [মোংকমদা য়াউম্ব] দর্পান্বিত [মরায়কাব], প্রথমনাচবা ভূত প্রেতশিংগী মপু, সর্ববাপী [মতম মকম পুম্বদ শীন্থুংনা লৈবা, [খট্বাঙ্গারি ফাউদোক-পীকশিনহনবা অঙ্গ পুরিবা], রুদ্রমূর্ত্তি, জটাজুটযুক্ত জটামপৈ পুবা, ব্রহ্মচারী অমগা ত্রিপুরহন্তা [ত্রিপুরারি ত্রিপুর হিংচাবা-হাৎলম্ব] নহাক ॥২-৫॥ মমাংলৈদা লাইয়াম্মা নংগী স্তুতি তৌথি, ভুংদম্ব তৌখগনি, হোজিকম্ব তৌরি ।

স্তুতং স্তুত্যং স্তূয়মানমমোঘং কৃত্তিবাসসম্ । বিলোহিতং নীলকণ্ঠমসহ্যং দুর্নিবারণম্ ।৬।
শুক্রং ব্রহ্মসৃজং ব্রহ্ম ব্রহ্মচারিণমেব চ । ব্রতবন্তং তপোনিষ্ঠমনন্তং তপতাং গতিম্ ।৭।
বহুরূপং গণাধ্যক্ষং ত্র্যক্ষং পারিষদপ্রিয়ম্ । ধনাধ্যক্ষেক্ষিতমুখং গৌরীহৃদয়বল্লভম্ ।৮।
কুমারপিতরং পিঙ্গং গোবৃষোত্তমবাহনম্ । তনুবাসসমত্যুগ্রমুমাভূষণতৎপরম্ ।৯।
পরং পরেভ্যঃ পরমং পরং যস্মান্ন বিদ্যতে । ইষ্বস্ত্রোত্তমভর্ত্তারং দিগন্তং দেশরক্ষিণম্ ।১০।
হিরণ্যকবচং দেবং চন্দ্রমৌলিবিভূষণম্ । প্রপদ্যে শরণং দেবং পরমেণ সমাধিনা ।১১।
(কুলকম্)

ইমাঞ্চেদাপদং ঘোরাং তরাম্যদ্য সুদুস্তরাম্ । সর্ব্বভূতোপহারেণ যক্ষ্যেঽহং শুচিনা শুচিম্ ।১২।
ইতি তস্য ব্যবসিতং জ্ঞাত্বোদ্যোগাৎ স্বকর্ম্মণঃ । পুরস্তাৎ কাঞ্চনী বেদী প্রাদুরাসীন্মহাত্মনঃ ।১৩।
তস্যাং বেদ্যাং তদা রাজন্ ! চিত্রভানুরজায়ত । স দিশো বিদিশঃ খঞ্চ জ্বালাভিরিব পূরয়ন্ ।১৪।

মরমদি অব্যর্থকাম [নীংখবদা অরেম্বদা তাহন্দবা,], কৃত্তিবাসা [কৈ মউন শেৎপা], রক্ত নেত্র [ঙাঙলবা নয়ন পানবা], নীলকণ্ঠ, য়েক্কবশিংনা থাঙতমদবা, থম্মোয় লুবা, জগৎ শেম্ব মপুগীসু অশেম্ব, পরব্রহ্ম, ব্রহ্মচারী তপস্যা কনবা তপস্যাতদ পূক্লিং চঙবা মপান নাইদবা, তপস্বীশিংগী চঙজকম ওইব শক্লোল মখল মখল পূবা প্রমথশিংগী পুঁচিংবা নয়ন অহুম পানবা খোঙলোয়শিংবু পুংশিবিবা, কুবেরগী মীৎয়েং থমজকম, পাব্বতীগী থম্মোয় মপু, কার্ত্তিককী পিতা য়োংমানবা মচুগী জটা পুবা শন্দম্বা তোংবা, কৈ মউন শোনবা, অকিবগী মখক কংলবা মুর্ত্তি পূবা, পার্ব্বতীগী কিজোল শেৎপিবা, ব্রাহ্মণচিংবা লাইশিংদগীসু অচেনবা, জগত নংতোম্বগী হেনবা অমত লৈতবা, খুৎলায় পুম্বদগী অথোইবা পাশুপত খুৎলায় পাম্বা, মায়েপ শগাই শীম্বুংবা, জগৎপু ঙাকপি শেনবিবা সনাগী কবচ লাংপ, নংশেক নতায় জগৎ থনবা, কোকত্তা থাজনা লৈতেংবা নহাক্তি । পূক্লিং অনীলোতদনা নংতাম্ব শরণ্য লোক্কি ॥৬—১১॥ তুসি লাতনমত্রবা থরাব অসিদগী কোকনিরবদি খুদোং থীরবা ঈশাক অসিবু লাংহোকপিরবদি ত্রিনী শেংলবা হকচাংসিবু ঘা ওইনা যজ্ঞগী মৈগী মুর্ত্তি নংতম্বা হোম তৌজগে ॥১২॥ অশ্বত্থামানা মশা মশাবু দান তৌথোকদবগী তোৎনরকপ অহগা তৌগে নীঙথিনদা ইন্দ্রবসি উবদা মহাদেবগী মাঙ শয়ংক্ত দা সনাতগী ওইবা বেদী অম থোরকই ॥১৩॥

মহারাজ ! অতুদগীদি বেদী মথক্ অদুদা মৈ হোরকই । মৈ অতগী মৈ'মনা মায়েগে তরা পুমকুপ কুপত্রে. নোংমদোনথক অসি মৈ তগী মথক্ ওইত্রে ॥১৪॥ ভরতনন্দন ! মহারাজ ! অতুগী তুংদা মহাদেবগী মমাঙহুন দ্বাপকী মহারদগী চোংথৎলকপা চাউগী মতোঙরা রাংলবা মহাপ্রনথ মহাভুজমক্ত চোংখোরকলে । মখোয়গী মমায়শু মমীৎসু ঈরং লতি । মখোত রায় পানবা য়াওই । মখোয়গী মকোকা পাম্বোমগা রায় পাত্রি । মখোয় অমময়া মনিমুক্তা হৎলবা খুঙী পাম্বোম কাবিনচিংবনা লৈতেঙি । মখোয় পুম্বত্ত পাম্বোম রাংনা রাংনা থাংগৎলি ।

দীপ্তাস্যনয়নাশ্চাত্র নৈকপাদশিরোভুজাঃ । রক্তচিত্রাম্বরধরাঃ সমুদ্যতকরাস্তথা ॥১৫॥
দ্বিপশৈলপ্রতীকাশাঃ প্রাদুরাসন্মহাগণাঃ । শ্ববরাহোষ্ট্রবক্ত্রাশ্চ হয়গোমায়ুগোমুখাঃ ॥১৬॥
ঋক্ষমার্জ্জারবদনা ব্যাঘ্রদ্বীপিমুখাস্তথা । কোকবক্ত্রাঃ প্লবমুখাঃ শুকবক্ত্রাস্তথৈব চ ॥১৭॥
মহাজগরবক্ত্রাশ্চ হংসবক্ত্রাঃ সিতপ্রভাঃ । দার্ব্বাঘাটমুখাশ্চাপি চাসবক্ত্রাশ্চ ভারত ! ॥১৮॥
কূর্ম্মনক্রমুখাশ্চৈব শিশুমারমুখাস্তথা । মহামকরবক্ত্রাশ্চ তিমিবক্ত্রাস্তথৈব চ ॥১৯॥
হরিবক্ত্রাঃ ক্রৌঞ্চমুখাঃ কপোতেভমুখাস্তথা । পারাবতমুখাশ্চৈব মদ্গুবক্ত্রাস্তথৈব চ ॥২০॥
পাণিকর্ণাঃ সহস্রাক্ষাস্তথৈব চ মহোদরাঃ । নির্ম্মাংসাঃ কাকবক্ত্রাশ্চ শ্যেনবক্ত্রাশ্চ ভারত ॥২১॥
তথৈবাশিরসো রাজন্ ! ঋক্ষবক্ত্রাশ্চ ভারত ! । প্রদীপ্তনেত্রজিহ্বাশ্চ জ্বালাবর্ণাস্তথৈব চ ॥২২॥
জ্বালাকেশাশ্চ রাজেন্দ্র ! জ্বলদ্রোমচতুর্ভুজাঃ । মেষবক্ত্রাস্তথৈবান্যে তথা ছাগমুখা নৃপ ! ॥২৩॥
শঙ্খাভাঃ শঙ্খবক্ত্রাশ্চ শঙ্খকর্ণাস্তথৈব চ । শঙ্খমালাপরিকরাঃ শঙ্খধ্বনিসমস্বনাঃ ॥২৪॥

মেখোয়গী ময়কা কনাঞুমগী মকোক মমায়দি হুইগী, কনাঞুমগীনা ওকী, কনাঞুমগীনা উটকী, কনাঞুমগীনা শগোলগী কনাঞুমগীনা লমহুইগী, কনাঞুমগীনা শলগী. কনাঞুমগীনা শওমগী, কনাঞুমগীনা হে'দোংগী, কনাঞুমগীনা কৈগী, কনাঞুমগীনা কৈশালগী, কনাঞুমগীনা শাজগী, কনাঞুমগীনা য়োংগী কনাঞুমগীনা তেনরাগী, কনাঞুমগীনা, লিলগী কনাঞুমগীনা ডাপুগী, কনাঞুমগীনা কাকী কনাঞুমগীনা নোংগোবীগী, কনাঞুমগীনা খেঙ্গুগী, কনাঞুমগীনা, কুম্ভারগী, কনাঞুমগীনা ভারাক খয়োবীগী, কনাঞুমগীনা, ভা কীহোমগী, কনাঞুমগীনা তিমিগী, কনাঞুমগীনা হভোহগী, কনাঞুমগীনা উয়োক নেম্বুগী, কনাঞুমগীনা য়ুয়ক্ খুপুগী, কনাঞুমগীনা শামুগী, কনাঞুমগীনা লমখুহুগী অঠগা কনাঞুমগীনা ভমুগী, মকোক্ মাল্লি ॥১৫—২০॥ কনাঞুমগীনা কাকা মকোক, কনাঞুমগীনা খুপ্রভগী মকোক পাল্লি । কনাঞুমা খয়না ভৌয়োক ভোই, কনা কনাঞুমগীনা মখুত্তা মনাকোং পাল্লি । কনা কনাঞুমগীনা মমীৎ লিশিং অম, কনা কনাঞুমগীনা মবুক য়ায়া চোল্লি চাউই । কনা কনাঞুমগীনা শদোং অহু মপানগী হকচাংদা খোয়কুনা থাক থাক য়ান্দুনা লৈ । মহারাজ ! মতো অপুয়া কনা কনাঞুমগী মমীৎকা ময়াগহু মৈ কুং কুং হোঁনা চাকই কনা কনাঞুমগী মচুনা মৈগী মচুঞুম ভালৈনৈ । কনা কনাঞুমা ভুতকী এপম অহু শম্বুম নাম নামনা মৈমিগী মতোঞুম পুমলং পুমলং লাঙভ । কনা কনাঞুমগীনা মতু অমময়া মৈ কু কু হোদুনা চাকই । খয়না পাম্বোম মখি পাল্লি । খয়গীনা হামেং মাল্লি, খয়না মোইবুংঞুম ভোয়োক ভোই । মচান ময়ায় মোইবুংঞুম ভোই । মচুত নতনা মনাকোংহু মোংবুংমকী মওং মাল্লি । খয়না মোইবুং পয়েং শি, খয়গী খোঙ্গেমা মোইবুংগী মখোল মাল্লি । কনাঞুমনা জটা পুই কনা কনাঞুমদী কোক্তা শিখা মঙা মঙা খাকপা য়াওই । কনা কনাঞুমনা মখাও

জটাধরাঃ পঞ্চশিখাস্তথা মুণ্ডাঃ কৃশোদরাঃ। চতুর্দ্দংষ্ট্রাশ্চতুর্জিহ্বাঃ শঙ্কুকর্ণাঃ কিরীটিনঃ ॥২৫॥
মৌঞ্জীধরাশ্চ রাজেন্দ্র! তথা কুঞ্চিতমূর্দ্ধজাঃ। যজ্ঞোপবীতিনো মুকুটিনশ্চারুবক্ত্রাঃ স্বলঙ্কৃতাঃ ॥২৬॥
পদ্মোৎপলাপীড়ধরাস্তথা কুমুটধারিণঃ। মাহাত্ম্যেন চ সংযুক্তাঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥২৭॥
শতঘ্নীবজ্রহস্তাশ্চ তথা মুষলপাণয়ঃ। ভুশুণ্ডীপাশহস্তাশ্চ গদাহস্তাশ্চ ভারত! ॥২৮॥
পৃষ্ঠেষু বদ্ধেষুধয়শ্চিত্রবাণা রণোৎকটাঃ। সধ্বজাঃ সপতাকাশ্চ সঘণ্টাঃ সপরশ্বধাঃ ॥২৯॥
মহাপাশোদ্যতকরাস্তথা লগুড়পাণয়ঃ। স্থূণাহস্তাঃ খড়্গহস্তাঃ সর্পোচ্ছ্রিতকিরীটিনঃ ॥৩০॥
মহাসর্পাঙ্গদধরাশ্চিত্রাভরণধারিণঃ। রজোধ্বস্তাঃ পঙ্কদিগ্ধাঃ সর্ব্বে শুক্লাম্বরস্রজঃ।
নীলাঙ্গাঃ কপিলাঙ্গাশ্চ মুণ্ডবক্ত্রাস্তথৈব চ ॥৩১॥

(কুলকম্)

ভেরীশঙ্খমৃদঙ্গাংস্তে ঝর্ঝরানকগোমুখান্। অবাদয়ন্ পারিষদাঃ প্রহৃষ্টাঃ কনকপ্রভাঃ ॥৩২॥

চোঙ্খিক চোঙি, কনা কনাগুম্বনা মরু ঈকোক কোকই। কনাগুম্বগীনা ময়া মরিত পাল্লি। কনাগুম্বগীনা মরৈ মরি কোণ্ডিঙ. কনাগুম্বগী মনাকোংনা য়োপাগী মওং মাল্লি, মতোল য়াম্না তুম্মি কনাগুম্বগী মকোক্কনা লুহুপ, কনাগুম্বগী মণ্ডকশমদা খাণ্ডলী, কনাগুম্বগী মশম্না ঈখোই খোই কনাগুম্বগী মকোক্তা কোয়েৎ, কনা কনাগুম্বনা য়েংবদা য়াম্না ফজৈ. কিজেৎ মখল মখা লৈতেংবা য়াওই, মকোক্তা মনাদা থরো থম্বাল চিনবা থেৎপা য়াওরি। মহাভুত চাম চামা লিশিং লিশিংসে য়াম্ন মতীক মঙাল চাউবা, তোবা ভম্বা ঙাক্কনি। কনাগুম্বগী মখুত্তা তা কনাগুম্বগীনা বজ্র কনাগুম্বগী মখুত্তা হে চ্ছুক—মুংশুক কনা কনাগুম্বগী মখুত্তা খোরি, কনাগুম্বনা গদা পায় কনাগুম্বগী মনঙন্দা তেন্দোং, লান্দা ময়ায় কায়বশিং কনা কনাগুম্বগীনা মখল মখলগী তেম্নচিংবা খুৎলায় লৈ। কনা কনাগুম্বা ভূতকী মখুত্তা মচু মচুগী কৌয়াল মচা অচৌবা জাৎ জাৎ, কনাগুম্বনা মখুত্তা চাউয় চাউরবা শরীক পায়। কনাগুম্বগী মখুত্তা শীংজং কনাগুম্বনা মখুৎ রাংনা থাংগৎতুনা পৌরী পায়। কনাগুম্বগী খুৎতা চৈতুপ, মুংক্কম থাঙশাং কনাগুম্বগী মকোক্তা কা হেম্ন রাংলবা লুহুপ (টুপী) য়াওরি। মপান্বোমদা লিয়া পান্বোম্ কাবী, থুঙ্গী মখাংভুদা খাণ্ডলী ওইবা য়াওরি। মশাপুম্বা উফূল রাইফুল তৈবা য়াওরি। কীজেৎ লৈতেংনা ভনান্ ভনানবা ভূত প্রেত য়াওর লৈখোম লৈনাং পুমৈত্তে তৈবা মশামউ ভৌরোক ভৌবা য়াওরি। কনা কনাগুম্বগী মশাঙ্গ শংত্রক শংজি মাঙ্গদা ভৌরোক ভৌরবা লৈ পয়েং শিরি। মশম শাংলবা মশম তেল্লবা মরা কোকপা মরু খোয়য়বা জাৎ জাৎনি মহাভূত ময়ামচু ॥১৫—৩১॥ সনা অঙ্গিংবা কুচু পুরবা ভূতাশিংগী কনা কনাগুম্বা পুং পুংজাও মোইবুং ঝাল মাঙ্গং পেরে শিঙ্গা খোংবা লেনবা ফুবা য়েবা য়ওয় ॥৩২॥

গায়মানাস্তথৈবান্যে নৃত্যমানাস্তথাপরে । উৎপতন্তঃ প্লবন্তশ্চ নদন্তশ্চ মহারবাঃ ॥৩৩॥
ধাবন্তো জবনাশ্চণ্ডাঃ পবনোদ্ধূতমূর্দ্ধজাঃ । মত্তা ইব মহানাগা বিনদন্তো মুহুর্মুহুঃ ॥৩৪॥
সুভীমা ঘোররূপাশ্চ শূলপট্টিশপাণয়ঃ । নানাবিরাগবসনাশ্চিত্রমাল্যানুলেপনাঃ ॥৩৫॥
রত্নচিত্রাঙ্গদধরাঃ সমুদ্যতকরাস্তথা । হন্তারো দ্বিষতাং শূরাঃ প্রসহ্যাসহ্যবিক্রমাঃ ॥৩৬॥
পাতারোঽসৃগ্‌বসাদ্যানাং মাংসান্ত্রকৃতভোজনাঃ । চূড়ালাঃ কর্ণিকারাশ্চ প্রহৃষ্টাঃ পিঠরোদরাঃ ॥৩৭॥
অতিহ্রস্বাতিদীর্ঘাশ্চ প্রচণ্ডাশ্চাতিভৈরবাঃ । বিকটাঃ কাললম্বোষ্ঠা বৃহচ্ছেফাণ্ডপিণ্ডিকাঃ ॥৩৮॥
মহার্হনানামুকুটা মুণ্ডাশ্চ জটিলাঃ পরে । সার্কেন্দুগ্রহনক্ষত্রাং দ্যাং কুর্য্যুস্তে মহীতলে ॥৩৯॥
(কুলকম্)
উৎসহেরংশ্চ যে হন্তুং ভূতগ্রামং চতুর্ব্বিধম্ । যে চ বীতভয়া নিত্যং হরস্য ভ্রুকুটিসহাঃ ॥৪০॥

কনা কনাগুম্বনা ঈশৈ শক্লি, কনা কনাগুম্বনা জগোই শারি, কনা কনাগুম্বনা কল কল চোংলি । কনা কনাগুম্বনা বন্ন চেঙ্লি । য়াম্ন ওলা চিঙৈরবা, য়াম্ন শাউগনবা ভূত কয়া কয়া য়াওরি । কনা কনাগুম্বগী শোংলবা শাংবা মশম অদু হুংশিল্লা ঈচায় চাইনা পাইখোকপা হুমদোকপ য়াওরি । কনাগুম্বনা শামুগী মতোউগুম্না খোং চিংখোক্লি । য়েংবদা অকিবগী মশক কংবা, অঙকপা কংনা তমাখিরবা শকক্‌ম পুবা ভূত ওাক্ত য়াওরি । মশাদা মথল মখা অয়াম্ব মনম হুংশিরবা নমখিরবা মকুপ মহীনচিংবা তৈবা খোংপা ভূত প্রেত য়ম্না য়াম্ন য়াওরি । সনা লুপা মনি মুক্তানা শায়বা খুজিনাচংবা কীজোল শেংপা খোনবা লৈতেংবা, য়াওরি । অমনা মমাঙদা লেপওমদবা তমখিনা কল্লবা, য়েক্লবা চামা চামা খুদক্ত হাংওয়া, ভূত কয়া কয়া য়াওরি । কনা কনাগুম্বনা ঈ মাই থক্লি, কনা কনাগুম্বনা খোয়গী নাউরি, শিংলি মহাউ মতোং থংদত্তুনা, ছেং ছেত্তুনা চাবা থকপা য়োচিন্নবা য়াওরি । মকোক্তা চুরাহায়া, উথবাল পাম্বীগুম্ চুমজিং চুম্বা, অমল পাম্বীগুম্বা খোয়জিং খোয়জাংবা ভূত কয়া কয়া য়াওরি হায়বদি মখোয়সে কনা অমতগী নীওওায়দা লৈতনা ঈগুং হুংজাইনা নোকখেত্না লৈরিবনি কনাগুম্বগী মবুক, পুংমদোনা পাকথোক পাকপা য়াওরি, খরাংমায় পোঙথোকপা য়াওরি । মথীক নেমজবা মরেপ য়াংথব অাং অাংনি । য়োংহদা উবদা থক কাউবা মচীন য়াম্ন লৈখা খেংপা, মচীনবান মুশিন মুবা শাংজোং শাংবা হনাতোন পাক থাক য়াম্বা অাং য়াওরি । ঈশিং চংকম খোঙ য়াম্ন শাংবা চাউবা চোমবা য়াওরি । মকু কোক্লবা কোক্তা কজয়বা লুহপনা লৈতেংবা ভূত য়াওরি । হায়রিবা মহাদেবগী খোঙজোয়শিং অসে মহাদেবগী কুপা এরদগী নোংমদোম্বকী সুমিং থা থবানমিচাক্কচিংবা গ্রহশিং অমুদগী হেন্দোক্তুনা নোংমদোন মকোয়বু লৈমায়থক্তা কীহনবা ওয়া ওাক্তনি ॥৩৩—৩৯॥ নাউয়োমদগী মরুমদগী হুমাং কংত হৌদিদগী

কামকারকরা নিত্যং ত্রৈলোক্যস্যেশ্বরেশ্বরাঃ । নিত্যানন্দপ্রমুদিতা বাগীশা বীতমৎসরাঃ ॥৪১॥
প্রাপ্যাষ্টগুণমৈশ্বর্য্যং যে ন যান্তি চ বিস্ময়ম্ । যেষাং বিস্ময়তে নিত্যং ভগবান্ কর্ম্মভির্হরঃ ॥৪২॥
মনোবাক্‌কর্ম্মভির্যৈক্তৈর্নিত্যমারাধিতশ্চ যৈঃ । মনোবাক্‌কর্ম্মভির্ভক্তান্ পাতি পুত্রানিবৌরসান্ ॥৪৩॥
পিবন্তোঽসৃগ্‌বসাশ্চান্যে ক্রুদ্ধা ব্রহ্মদ্বিষাং সদা । চতুর্ব্বিধাত্মকং সোমং যে পিবন্তি চ সর্ব্বদা ॥৪৪॥
শ্রুতেন ব্রহ্মচর্য্যেণ তপসা চ দমেন চ । যে সমারাধ্য শূলাঙ্কং ভবসাযুজ্যমাগতাঃ ॥৪৫॥
যৈরাত্মভূতৈর্ভগবান্ পার্ব্বত্যা চ মহেশ্বরঃ । মহাভূতগণৈর্ভুঙ্‌ক্তে ভূতভব্যভবৎপ্রভুঃ ॥৪৬॥
নানাবাদিত্রহসিতক্ষ্বেলিতোৎকৃষ্টগর্জ্জিতৈঃ । সংনাদয়ন্তস্তে বিশ্বমশ্বত্থামানমভ্যয়ুঃ ॥৪৭॥

(কুলকম্)

সংস্তুবন্তো মহাদেবং ভাঃ কুর্ব্বাণাঃ সুবর্চ্চসঃ । বিবর্দ্ধয়িষবো দ্রৌণের্ম হিমানং মহাত্মনঃ ।
জিজ্ঞাসমানাস্তত্তেজঃ সৌপ্তিকঞ্চ দিদৃক্ষবঃ ॥৪৮॥

লৈপাকতগী হোবা পোকপা জীব মখল মখিবু অমুক্তদা হাৎচবা, মহাদেবমক্তা অপাউবগী শুক্রবা মীৎয়েং থোয়রবা পীতম্ব য়েংহনা খাওহনা লৈঙম্বা, মনাক মথা তম্বা ত্রোনংবা থবক পুম্বা তৌঙবা ময়োল অহমগী মপূ কাওবা থওম্বা হয়াউ লুংঙাইবনা লুমিৎ চুম্বা মায়থোং মকায়মহনা লৈতবা ভাওবদা চীনকেং কবা, কল্লবা, য়েংখিনবা লৈতবা সিদ্ধি মথল মথলগী ঐশ্বর্য্য কান্দ কাওবদা পাখত্তবা হয়াউগম্মবা, মখোয়গী থবক অমাক্ত অমচত্তা মহাদেব কাওবা অঙকপা ক:ব সংসারগী কম্বিওয়হ অমত পামদনা ভক্তিগা লোয়ননা মহাদেবগী উপাসনাদা থম্বাই হকচাং কথোকপা ওম্বা মহাদেবমক্তম্ব মখোয়বু মচাঙ মচাওয়া থম্বাই হকচাং অমদি য়াহেনা পুংশিবিবা অক্তগা ওয়াকপেনবিরিবা শাহিং ওয়াহিং ঈন্নাংবা চা-বক্রবম্ব থেম নিন্দা ত্রৌব অক্ষ্ব হিংচাবশিংগী মথক্ত ঙমিৎ চুম্বা শাউহনা লৈবা, সোমরস মথল মখিবু থকনবা শাস্ত্র জ্ঞাননা ব্রহ্মচার্য্যনা তপস্যা নং ইন্দ্রিয় থড়ম চনবনা মহাদেববু পেলহনবা ওম্বা ভূত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান উবা মহাদেবনা ত্রৌব ওম্বা পার্ব্বতীমক্তা লোয়ননা খজ্ঞী শক্ক য়াওম্ব—অসিগুম্বা মহাদেবগী খাঙ্ক্তোম মহাভূতশিং অসিনা পুং শেল যন্ত্রনা থেক্তা নোকপা মীনোক্তা সিংহনাদ লাউ লাউহনা মখোয়গী খোক্তাউনা লাক্তং পুম্বা পুমনিন নিম্বা অশ্বত্থামাগী নাক চঙশিল্লকই ॥৪০—৪৭॥ য়োচ্ছুক পুংঙক থাঙ ভানচিংবা পায়রবা মৈহুম মৈবা ওয়া পায়রবা অকিবগী মশক কংলবা মহাভূতশিং অক্রনা মহাদেবগী স্তুতিগান তৌব তৌরহনা মহাদেবগী তেজ মশেক মঙালবু চাওখৎহন্নুনা অশ্বত্থামাগী মখোয় মহাকী তেজগী পরিক্ষা তৌগে হায়বগীদমক মহুপা ভূমিব পাওবাংশংবু হাৎকদৌবিবা, অশ্বত্থামাগী কুবৈত্তবু য়েংগে হায়বগীদমক মকম অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎপা হোৌরকই ॥৪৮—৪৯॥ মখক

ভীমোগ্রপরিঘালাতশূলপট্টিশপাণয়ঃ । ঘোররূপাঃ সমাজগ্মুর্ভূতসংঘাঃ সহস্রশঃ ॥৪৯॥
(যুগ্মকম্)

জনয়েয়ুর্ভয়ং যে স্ম ত্রৈলোক্যস্যাপি দর্শনাৎ । তান্ প্রেক্ষমাণোঽপি ব্যথাং ন চকার মহাবলঃ ॥৫০॥

অথ দ্রৌণির্ধনুষ্পাণির্বদ্ধগোধাঙ্গুলিত্রবান্ । স্বয়মেবাত্মনাত্মানমুপহারমুপাহরৎ ॥৫১॥

ধনূংষি সমিধস্তত্র পবিত্রাণি শিতাঃ শরাঃ । হবিরাত্মবতশ্চাত্মা তস্মিন্ ভারত ! কর্ম্মণি ॥৫২॥

ততঃ সৌম্যেন মন্ত্রেণ দ্রোণপুত্রঃ প্রতাপবান্ । উপহারং মহামন্যুরথাত্মানমুপাহরৎ ॥৫৩॥

তং রুদ্রং রৌদ্রকর্ম্মাণং রৌদ্রৈঃ কর্ম্মভিরচ্যুতম্ । অভিষ্টুত্য মহাত্মানমিত্যুবাচ কৃতাঞ্জলিঃ ॥৫৪॥

দ্রৌণিরুবাচ ।

ইমমাত্মানমদ্যাহং জাতমাঙ্গিরসে কুলে । অগ্নৌ জুহোমি ভগবন্ ! প্রতিগৃহ্নীষ্ব মাং বলিম্ ॥৫৫॥

ভবদ্ভক্ত্যা মহাদেব ! পরমেণ । সমাধিনাস্যামাপদি বিশ্বাত্মন্ ! উপাকুর্ম্মি তবাগ্রতঃ ॥৫৬॥

ত্বয়ি সর্ব্বাণি ভূতানি সর্ব্বভূতেষু চাসি বৈ । গুণানাং হি প্রধানানামেকত্বং ত্বয়ি তিষ্ঠতি ॥৫৭॥

হেক উবদা মরোল অহমগী থশ্মোয়দা অকিবা হেক পোক্কম ওইবা, ভূতশিং অদুবু উবদা অশ্বত্থামাগী থশ্মোয়দা মপাইবা অকিব খোইনা পোক্কে ॥৫০॥

অদুগী তুংদা আশ্বত্থামানা শীরুং তেল পায়খত্তুনা থুবাতনচিংবা হাপাচিন্ খোঙ্কিন্দুনা মশামখত্তগী মশাবু মহাদেবগী মকমদা কথোক্কদবগী থৌরাং তৌরকলে ॥৫১॥ কুরুনন্দন ! মহারাজ ! আত্ম বলিদানগী যজ্ঞদা শীরুং ময়াম যজ্ঞগী শাং ওইরে, তেল ময়াম্ অতনা যজ্ঞগী মচাক্ কুশ মনানচিংব ওইরে, কল্লবা আশ্বত্থামাগী হকচাংদুনা যজ্ঞদা হোম তৌনবা ঘৃতনচিংবা হবি ওইরে ॥৫২॥ অদুগী তুংদা থোইদোক্না শাউরবা, মতিকমত্তন চাউরবা অশ্বত্থামানা সোম্যমন্ত্রনা মহাদেবগী মকমদা মশামখত্তগী হকচাংবু বলিদান তৌদুনা কংকববগী থৌরাং তৌরকলে ॥৫৩॥ নিয়ম তপস্যা কল্লবা, অশ্বত্থামা অকিবগী মশক কংলবা থবক্তা অকিবগী মশক্ কংলবা থবক্ত তৌগদবা মহাদেব পেলচন্দুনা অসুমা হায়রম্মি:— ॥৫৪॥ ভগবান্ ! য়েংবিয়ু, ঙসি ঐ আঙ্গিরস গোত্রদা বংলদ পোক্লবা হকচাংসে নমাতদা অগ্নিদা দান তৌখোক্চগে কচ্ছরিবা থুদোক্ অসে লৌশিনবিয়ু মহাদেব ! ॥৫৫॥ বিশ্বাত্মন্ অসিনা নশক্ ওইবা ! নাইপুমমক্কী অখোইব ভক্তিগা লোয়ননা থশ্মোয় হকচাং অমত্ত ওইনা অরাবা থুদোং থীরবা মতমসিদা পঙ্‌ক ভূতকী হকচাং অসে হে ভূতনাথ, চবদা কচ্ছগে ॥৫৬॥ ভগবন্ ! হে দেবদেব ভূত মহাভূত পুম্মক্কাগা নংগী পাণ্ডি মপুংদা লোইন নৈশিরমক্কনি ইবুঙো নহাক্না ভাঙবিবা ভূত মহাভূত পুম্নমক্ অসিদা শীষ্বনা লৌশিরিদে ॥৫৭॥ ভূত পুম্নমক্কী চক্কক্ম্ ! হে প্রভু ! হে মহাদেব নংগী নখুংদা ঐনা অতোপ্ত মমক আত্মা লোনক্ অমত্ত উপহার ওইনা কচ্ছর ভমত্রবগু হকচাং থসিতি নংগী

সর্ব্বভূতাশ্রয় ! বিভো ! হবিস্তু'ভমবস্থিতম । প্রতিগৃহাণ মাং দেব ! যদ্যশক্যাঃ পরে ময়া ।৫৮।
ইত্যুক্ত্বা দ্রৌণিরাস্থায় তাং বেদীং দীপ্তপাবকাম্ । সংত্যক্তাত্মানমারুহ্য কৃষ্ণবর্ত্মন্যুপাবিশৎ ।৫৯।
তমূর্দ্ধবাহুং নিশ্চেষ্টং দৃষ্ট্বা হবিরুপস্থিতম্ । অব্রবীদ্ভগবান্ সাক্ষান্মহাদেবো হসন্নিব ।৬০।
সত্যশৌচার্জ্জবত্যাগৈস্তপসা নিয়মেন চ । ক্ষান্ত্যা ভক্ত্যা চ ধৃত্যা চ বুদ্ধ্যা চ বচসা তথা ।৬১।
যথাবদহমারাদ্ধঃ কৃষ্ণেনাক্লিষ্টকর্ম্মণা । তস্মাদিষ্টতমঃ কৃষ্ণাদন্যো মম ন বিদ্যতে ।৬২।
যুগ্মকম্)

কুর্ব্বতা তস্য সম্মানং ত্বাঞ্চ জিজ্ঞাসতা ময়া । পাঞ্চালাঃ সহসা গুপ্তা মায়াশ্চ বহুশঃ কৃতাঃ ।৬৩।
কৃতস্তস্যৈষ সম্মানঃ পাঞ্চালান্ রক্ষতা ময়া । অভিভূতাস্তু কালেন নৈষামদ্যাস্তি জীবিতম্ ।৬৪।
এবমুক্ত্বা মহাত্মানং ভগবানাত্মনস্তনুম । আবিবেশ দদৌ চাস্মৈ বিমলং খড়্গমুত্তমম্ ।৬৫।
অথাবিষ্টো ভগবতা ভূয়ো জজ্বাল তেজসা । বলবাংশ্চাভবদ্যুদ্ধে দৈবসৃষ্টেন তেজসা ।৬৬।
তমদৃশ্যানি ভূতানি রক্ষাংসি চ সমাদ্রবন্ । অভিতঃ শত্রুশিবিরং যান্তং সাক্ষাদিবেশ্বরম্ ।৬৭।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক পর্ব্বণি সুপ্তবধে দ্রৌণিশিবিরপ্রবেশে অষ্টমোঽধ্যায়ঃ ।৮।

নকমদা কচ্চরবনি, লৈনবিগনু ॥৫৮॥ অসি হায়রগা অশ্বত্থামানা মশা মথন্তুগী হকচাং অদুবু পাম্মরুদনা মৈ ফং ফং চৌরবা বেদী অদুগী মথক্ত কাংতুনা কমুথরে ॥৫৯॥ অশ্বত্থামানা মপাম্বাম রাংনা খাংগত্তুনা মশামক যজ্ঞগী হব্য (হোম তৌনবা পোশক) গী মশক ওইরতুনা মৈথক্ত হেক কমুথরকপা মতমুত্তদা মহাদেবনা মূর্ত্তি চোংথোরকনা, মোমোন্তোনা নোকনা অদুম হায়রকই — ॥৬০॥ অরুবা থবকপু ঈরামলায়না তৌওম কুথওনা — থম্মায শেংবা, ভক্ত তরুব, ঈচম্ চম্বা দান, তপস্যা ব্রত, ভাকুপিহৈবা ভক্তি, তপথব, জ্ঞান, অনাদ লৈশি লৈথোনব — পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা ঐগী আরাধনা কম তৌরে । মরম অদুনা কৃষ্ণ নত্তনা ঐগী অতোপ্প চাগথোইবা অমত্ত লৈতে ॥৬১—৬২॥ অদুগুম্বা কৃষ্ণ অদুবু ঈকায় খুম্নবা ওইনা অদুগা নহাক্কী খুংলায়গী বিদ্যাদুস্ত পরিক্ষা তৌগে হায়বগীদমক পাঞ্চালশিংবু ঐনা ঙাক্তুনা থম্লিবনি । অদুগা নংগী নকমদা মথল মথা অয়াম্ব মায়াবু ঐনা পুথোকলে ॥৬৩॥ ঐনা অসুক কুইনা পাঞ্চালশিংবু ঙাক শেন্দুনা কৃষ্ণগী মহিমাবু চাওথহন্দুনা লাকল অদুবু পাঞ্চালশিং অসে মতম কোবদুনম্ব আক্রমণ তৌশিল্লকলে । অদুগা মথোয়গী পুনশি ঙাসদগী লোইশিনখ্রগনি ॥৬৪॥ অসি হায়রগা মহাদেব অসি অংশ অম ওইনা অশ্বত্থামাগী হকচাং মুংদা চঙশিনখ্রে অশ্বত্থামাদা মক্ত, বা থোরবা থাঙশাং অমগা পীরম্মি । ॥৬৫॥ ভগবান মহাদেবনা মাগী হকচাং মনুংদা হেক চঙখিদগা অশ্বত্থামা অসি মশামথন্তগী তেজনা মায়গৈ পুম্বা পুমতাল ঙাল্লি । দৈব শক্তিনা লালগী শক্তি অমদি থৌনানা মশা পুম্বা পুমথল থনবিত্তুনা থোইদোক্না মপাঙ্গল কনবা নিপা অমসু ওইখ্রে ॥৬৬॥ অদুগী তুংদা অশ্বত্থামা অসি য়েক্কবগী লাঙ্গুংদা চঙশিনখি । মতম অসিদা উরম্ব ভূত মহাভূত ময়াম অদু মীকুপ্ত মশক উখিদ্রে । অদুদগী মহাদেবমক্কী মশক ওইরবা অশ্বত্থামাগী অকোয়বদা ভূতশিং অদুনা অকোয়বদা লৈখ ॥৬৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিক পর্ব্বদা সুপ্তবধগী মতাংদা দ্রৌণিশিবির প্রবেশগী নিপাল্লুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

(অশ্বত্থামানা ধৃষ্টদ্যুম্না হাৎপগী মতাং)

নবমোঽধ্যায়ঃ

মাপলগুবা অধ্যায়।

— - :*: — -

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

তথা প্রয়াতে শিবিরং দ্রোণপুত্রে মহারথে। কচ্চিৎ কৃপশ্চ ভোজশ্চ ভয়ার্ত্তৌ ন ন্যবর্ত্ততাম্॥১॥

কচ্চিন্ন বারিতৌ ক্ষুদ্রৈ রক্ষিভির্নোপলক্ষিতৌ। অসহ্যমিতি মন্বানৌ ন নিবৃত্তৌ মহারথৌ॥২॥

কচ্চিদুন্মথ্য শিবিরং হত্বা সোমকপাণ্ডবান্। দুর্য্যোধনস্য পদবীং গতৌ পরমিকাং রণে॥৩॥

সঞ্জয় উবাচ।

তস্মিন্ প্রয়াতে শিবিরং দ্রোণপুত্রে মহাত্মনি। কৃপশ্চ কৃতবর্ম্মা চ শিবিরদ্বার্য্যতিষ্ঠতাম্॥৪॥

অশ্বত্থামাতু তৌ দৃষ্ট্বা যত্নবন্তৌ মহারথৌ। প্রহৃষ্টঃ শনকৈ রাজন্। ইদং বচনমব্রবীৎ॥৫॥

যত্তৌ ভবন্তৌ পর্য্যাপ্তৌ সর্ব্বক্ষত্রস্য নাশনে। কিং পুনর্যোধশেষস্য প্রসুপ্তস্য বিশেষতঃ॥৬॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— সঞ্জয়। মহারথী অশ্বত্থামানা পাণ্ডবশীংগী লাঙ্গুংদা চঙশিল্লকপা কৃতবর্ম্মাগা কৃপাচার্য্য অনি অসিদি কিন্তুনা পাথৎ লাকখৎপদি তৌদেনকো ? ॥১॥ মহারথী কৃতবর্ম্মা অমদি কৃপাচার্য্য অনীবু উবদা অহিংগী থোঙশংবাশিংনা মখোয় অনিবু থিংলাক্তবরা ? ভুমহুনা লৈরিবা মীপুম্মক অহবু হাৎপা হায়বসি ওইথোকবনি চায়না খল্লুনা মখোয় অনিনা মমায় ওনখি লাকখীদেকো ? ॥২॥ নত্রগা মখোয়না পাণ্ডবকী লঙ্গুংসীবু নৈখাহনা পাণ্ডবশীংবু হাত্তুনা অহুগী তুংদা দুর্য্যোধননা চৎখিবা অখোইবা লম্বীদোমদদি চৎখিলাকখীদেদনকো ? ॥৩॥

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ। মরাল লৈরবা খোরবা অশ্বত্থামানা পাণ্ডবশীংগীদা লাঙ্গুল্লকপা মতম-সিদা কৃতবর্ম্মাগা কৃপাচার্য্যগনা অনী অসী থোংগাল্দা লেপতুনা লৈরৌই ॥৪॥ মহারাজ। মহারথী কৃতবর্ম্মাগা কৃপাচার্য্যগা অনীস্থ য়েক্লবা হাৎননবন্নিদমক্তা য়ায়া চেকশিন্না লৈবহু উবদা অশ্বত্থামানা য়ায়া নুংঙাইখিল্লুনা মখোয় অনীদা অসুম্না হায়রকই ॥৫॥ অকনবা নখোয় অ-নিনবু অসিয়োনা চেকশিনবিরবদি য়েক্লবা ক্ষত্রিয়লানমী পুম্নমক্ অসিবুস্থ হাৎপা ঙম্বিরগনি। অতুনদি হাৎখিবগী লেমহৌবা খল্লা হাৎপগিদি করি অমুক হায়রগনি ॥৬॥ ঐ লাঙ্গুংশিং অসিগী মঙ্গুংদা চঙদুনা খ্বয়রাজগী মতৌঙম্না হংগৎ হল্লা কোয়চৎ চৎতুনা লৈগনি। অহুগা

অহং প্রবেক্ষ্যে শিবিরং চরিষ্যামি চ কালবৎ। যথা ন কশ্চিদপি বাং জীবন্মুচ্যেত মানবঃ।
তথা ভবদ্ভ্যাং কার্য্যং স্যাদিতি মে নিশ্চিতা মতিঃ ।৭।

ইত্যুক্ত্বা প্রাবিশদ্দ্রৌণিঃ পার্থানাং শিবিরং মহৎ। অদ্বারেণাভ্যবস্কন্দ্য বিহায় ভয়মাত্মনঃ ॥৮॥
স প্রবিশ্য মহাবাহুরুদ্দেশজ্ঞশ্চ তস্য হ। ধৃষ্টদ্যুম্নস্য নিলয়ং শনকৈরভ্যুপাগমৎ ॥৯॥
তে তু কৃত্বা মহৎ কর্ম্ম শ্রান্তাশ্চ বলবদ্রণে। প্রসুপ্তাশ্চৈব বিশ্বস্তাঃ সমেতা পরিবারিতাঃ ॥১০॥
অথ প্রবিশ্য তদ্বেশ্ম ধৃষ্টদ্যুম্নস্য ভারত। পাঞ্চাল্যং শয়নে দ্রৌণিপশ্যৎ সুপ্তমন্তিকাৎ ।১১॥
ক্ষৌমাবদাতে মহতি স্পর্দ্ধ্যাস্তরণসংবৃতে। মাল্যপ্রবরসংযুক্তে ধূপৈশ্চূর্ণৈশ্চ বাসিতে ॥১২॥
(যুগ্মকম্)

তং শয়ানং মহাত্মানং বিশ্রব্ধমকুতোভয়ম্। প্রাবোধয়ত পাদেন শয়নস্থং মহীপতে। ।১৩॥
সংবুধ্য চরণস্পর্শমুত্থায় রণদুর্ম্মদঃ। অভ্যজানদমেয়াত্মা দ্রোণপুত্রং মহারথম্ ॥১৪॥
তমুৎপতন্তং শয়নাদশ্বত্থামা মহাবলঃ। কেশেষ্বালম্ব্য পাণিভ্যাং নিষ্পিপেষ মহীতলে ॥১৫॥

অকনবা অনিনা তৌবিগদবা হায়ববু হাৎপ। নংহোৎদবা কনাগুম্ব অমত্তনা হিংনা হিংবা অকনবা মখোয় অনিদগী লাম্বোকৃথিকনবা মতীকতাবা থাক অহ তৌবিয়ু ॥৭॥ অসি হায়রগা অশ্বত্থামা অসী অকিবা চিংনবা কয়িমত তৌদনা খোঙ্গাং ইপোম হৌহন্দনা পাণ্ডবশিংগী লাঙ্গুং মপুংদা চঙশিনখ্রে ॥৮॥ পাণ্ডবশিংগী লাঙ্গুংগী মরমদা মুম লমাং তুমিং থঙলবা অশ্বত্থামানা ধৃষ্টদ্যুম্নগী লাঙ্গুং মপুংদা চঙশিনখ্রে লাঙ্গুং মপুংদা লৈবর্শিং অত অয়ুক মুংবিলগী লাক্ম ॥৯॥ খেইনোক চোকথিদ্রনা নীঙতাবব লৈত্তনা মাগী মাগী খোঙলোয় শাগে নাতৈশিংনা পুমকোয় কোয় শিন্দুনা তুমদুনা লৈরম্মি ॥১০॥

ভরতনন্দন! মহারাজ! অসিগী তুংদা অশ্বত্থামানা ধৃষ্টদ্যুম্নগী লাঙ্গুং ময়াদা চঙখিবদা কয়ি উবগে হায়রবুঃ— ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি কমুং অমগী মথক্ত তুমদুনা লৈ। কমুং অদু লৈমায়থক্ত অহুম থাম্মি। মাদুগী মথক্ত মোম্পাক অম কজনা থাই। মাদুগী মথক্তা মোম্পাক ফিদক কয়বা অম থাই, মাদুগী মথক্তা ধুপদীপ পুষ্পমালানাচিংবা মনম মুংশিনবা পোৎমক্ত থম্মি। অকোয়বদা ধুপ থাউমৈ থাদুনা থাম্মুনা কা অং য়াম মনম মুংশিহল্লম্মি ॥১১-১২॥ মহারাজ! কনবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা কীবম ঙীতাউ তাউনা নীঙতায়দনা তুমদুনা লৈরিবৈ অহুগ। অশ্বত্থামানা চঙশিল্লকনা খোঙ পাক্কা কাওদুনা মাবু হৌদোকই ॥১৩॥ কনবা, লাম্দা লাকতম কাওমদবা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি খোঙ-গাও অদু থঙদুনা অশ্বত্থামানি হায়বা মশক থঙলে ॥১৪॥ ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি কমুংদগী কুকহেক হৌগৎলি মতম অসিদা অশ্বত্থামানা মখুৎ অনীনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মশম কয় পায়দুনা মহাকপু লৈমায়থক্তা লাক্তুনা চিংথরগা মখোঙপাক্কা নৈথাইরকই ॥১৫॥ মহারাজ অশ্বত্থামানা মপাঙ্গল থেক্কা নৈরকপসিদা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি তুম্মবদগী মমীৎমনা পাঙবা য়াদদুনা ঙীতাও তাওনা অমান তাদনা কয়িবত লেঙবা

স বলাত্তেন নিষ্পিষ্টঃ সাধ্বসেন চ ভারত।। নিদ্রয়া চৈব পাঞ্চাল্যো নাশকচ্চেষ্টিতুং তদা ॥১৬॥
তমাক্রম্য পদা রাজন্! কণ্ঠে চোরসি চোভয়োঃ। নদন্তং বিস্ফুরন্তঞ্চ পশুমারমমারয়ৎ ॥১৭॥
তুদন্নখৈস্তু স দ্রৌণিং নাতিব্যক্তমুদাহরৎ। আচার্য্যপুত্র! শস্ত্রেণ জহি মাং মা চিরং কৃথাঃ।
ত্বৎকৃতে সুকৃতাংল্লোকান্ গচ্ছেয়ং দ্বিপদাং বর। ॥১৮॥
এবমুক্ত্বা তু বচনং বিররাম পরন্তপঃ। সুতঃ পাঞ্চালরাজস্য আক্রান্তো বলিনা ভৃশম্ ॥১৯॥
তস্যাব্যক্তান্তু তাং বাচং সংশ্রুত্য দ্রৌণিরব্রবীৎ। আচার্য্যঘাতিনাং লোকা ন সন্তি কুলপাংসন।
তস্মাচ্ছস্ত্রেণ নিধনং ন ত্বমর্হসি দুর্ম্মতে। ॥২০॥
এবং ব্রুবাণস্তং বীরং সিংহো মত্তমিব দ্বিপম্। মর্ম্মস্বভ্যবধীৎ ক্রুদ্ধঃ পাদাষ্ঠীলৈঃ সুদারুণৈঃ ॥২১॥
তস্য বীরস্য শব্দেন মার্য্যমাণস্য বেশ্মনি। অবুধ্যন্ত মহারাজ! স্ত্রিয়ো যে চাস্য রক্ষিণঃ ॥২২॥
তে দৃষ্ট্বা ধর্ষয়ন্তং তমতিমানুষবিক্রমম্। ভূতমেবাধ্যবস্যন্তো ন স্ম প্রব্যাহরন্ ভয়াৎ ॥২৩॥
তন্তু তেনাভ্যুপায়েন গময়িত্বা যমক্ষয়ম্। অধ্যতিষ্ঠত তেজস্বী রথং প্রাপ্য সুদর্শনম্ ॥২৪॥

ওৎপা য়াখিয়ে ॥১৬॥ মহারাজ! অবস্থা অসিদা অশ্বথামানা ধৃষ্টদ্যুম্নগী খবাকা খৌয়ীপদা কয় কোনশিলি। ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি শুংশাশোর ফুন্দুনায়াম রানা চৈনা খাণ্ডবা তুদদহুনা লাউবোঙ্‌ডকই। মখোঙ মথুং ক্রঙ ক্রঙ কাওই। অশ্বথামানা মাবু শাঙা ফুবদোনা ফুবয়কই ॥১৭॥ মতম অদূপা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অশ্বথামাগী মশাদা খুজীয়া শীক্লা শীক্লা শীক্লা রাচৈ শেংলম শেংকাত্তনা অস্ত্রয়া হায়য়কই নিপা অখোইবা। আচার্য্যপুত্র। ঘীয়গমু। ঐবু খুৎলায়না হাৎপিয়ু। অদু ভইয়বদি নথুঙা থয়াই থাত্থনা পুন্যলোক কংবা ঙমগনি ॥১৮॥ কল্লবা অশ্বথামানা কয় নৈয়কপত্থদা য়েরুব। পুন্থা ঙস্মগা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি য়া থয় ভাঙলগা তুমিন লৈখি ॥১৯॥ ধৃষ্টদ্যুম্নগী বাহু তাবদা অশ্বথামানা হায়-য়কই:— হায়! ক্ষত্রিয় শাগৈগী মৈতাল অশিবা! গুরু হাৎপা মীশিংগী পুন্যলোক লৈতবনি, স্বর্গ লৈতবনি। কল্লবা। খুৎলায়না পান্দুনা শিবকাওবা নং মতীক চাদে ॥২০॥ শাউরবা অশ্বথামানা অস্তুম হায়না হায়না নোংশানা ময়ায় কায়বা শামুদা অক্রমন তোয়কপত্থঙয়া মাগী কল্লবা খুনাংনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী থজীন্দা কয়া পিল্লকই ॥২১॥

মহারাজ। অশ্বাথামানা অস্ত্রয়া ফুয়কপসিদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অয়া অনাগী খোল্লাউনা কয়া লাউয়কপত্থদা ইমুংদা লৈরিবা তুপি নহা অমাদি ভাক শেল্লিবা মী পুম্নমক্ অদু হৌগৎনয়কলে ॥২২॥ অশ্বাথামানা নমহুনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু আক্রমন তোবত্থ উবদা কনাগুম্বা তাইবং মী নত্তবা ভূত অমনা আক্রমন তৌয়মাল্লে হায়না খন্দুনা ময়াম্ অদু মমিৎমনা ইথকথক্লা পুমঙক্ ঙক্লা য়া মচেৎ অমত ভাঙখোকপা ঙমখিয়ে ॥২৩॥ অশ্বাথামানা মতো অস্ত্রয়া ধৃষ্টদ্যুম্নবু যমালয়দা থাগপা মাগী কজরবা য়থ অহুদা কাখৎখি ॥২৪॥ মহারাজ! কল্লবা অশ্বাথামানা ধৃষ্টদ্যুম্নগী য়ুমদগী খোক্রক্লুনা

স তস্য ভরনাস্ত্রাজন্! নিষ্ক্রম্য নাদয়ন্ দিশঃ। রথেন শিবিরং প্রায়াৎস্বাংস্থবিরতো বলী ॥২৫॥
অপক্রান্তে ততস্তস্মিন্ দ্রোণপুত্রে মহারথে। সহিতৈ রক্ষিভিঃ সর্ব্বৈঃ প্রণেদুর্যোষিতস্তদা ॥২৬॥
রাজানং নিহতং দৃষ্ট্বা ভৃশং শোকপরায়ণাঃ ব্যক্রোশন্ ক্ষত্রিয়াঃ সর্ব্বা ধৃষ্টদ্যুম্নস্য ভারত! ॥২৭॥
তাসান্তেন শব্দেন সমীপে ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ। ক্ষিপ্রঞ্চ সমনহ্যন্ত কিমেতদিতি চাব্রুবন্ ॥২৮॥
স্ত্রিয়স্তু রাজন্! বিত্রস্তা ভারদ্বাজং নিরীক্ষ্য তাঃ। অব্রুবন্ দীনকণ্ঠেন ক্ষিপ্রমাদ্রবতেতি বৈ ॥২৯॥
রাক্ষসো বা মনুষ্যো বা নৈনং জানীমহে বয়ন্। হত্বা পাঞ্চালরাজানং রথমারুহ্য তিষ্ঠতি ॥৩০॥
ততস্তে যোধমুখ্যাশ্চ সহসা পর্য্যবারয়ন্। স তানাপততান্ সর্ব্বান্ রুদ্রাস্ত্রেণ ব্যপোথয়ৎ ॥৩১॥
ধৃষ্টদ্যুম্নঞ্চ হত্বা স তাংশ্চৈবাস্য পদানুগান্। অপশ্যচ্ছয়নে সুপ্তমুত্তমৌজসমন্তিকে ॥৩২॥
তমপ্যাক্রম্য পাদেন কণ্ঠে চোরসি তেজসা। তথৈব মারয়ামাস বিনর্দন্তমরিন্দমম্ ॥৩৩॥
যুধামন্যুশ্চ সংপ্রাপ্তো মত্বা তং রক্ষসা হতম্। গদামুদ্যম্য বেগেন হৃদি দ্রৌণিমতাড়য়ৎ ॥৩৪॥

সিংহনাদ বন্না লাউহুনা মায়গৈ পুম্বা পুম্নিন নিলচল্লি। রথ অদু তোংদুনা পাণ্ডবশিংগী লাঙ্গং তাম্না লাকই ॥২৫॥ অশ্বথামানা ধৃষ্টদ্যুম্নগী য়ুমদগী থোক্কত্রবতুংদা ভাকশোল্লবশীং অমদি সুপীশিং অদুনা অরাবগী খোঞ্জেম্না লাউনরকই ॥২৬॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! ধৃষ্টদ্যুম্নগী লোয়নবীশিং অমনা ধৃষ্টদ্যুম্ননা শিদুনা তাদুনা লৈবদু উবদা থম্মোয় শেল্লা তেংথা নাওইনা কপ্পরকই ॥২৭॥ অকপ অরাওগী খোঞ্জেল অদু তাবদা মনাক্ত তুমদুনা লৈরম্বা পঞ্চালগী ক্ষত্রিয় লাম্মীশীং অদুনা লালগী কীজোল প্রেপ প্রেপ শেৎকত্তুনা "করিনো! করিনো! হায়দুনা ভাব ইত্তা তাদনা লাউনরকই ॥২৮॥ মহারাজ! সুপীশিং অদুনা অশ্বাত্থামাবু উবদা কিবনা থক থক নীক্নুনা নখোয় থুনা য়াঙনা লাও!" হায়দুনা লাম্মীশিং অদুবু কৌরকই ॥২৯॥ "আদমীসি কনানো হঙদে, মীরা লাইরা! ধৃষ্টদ্যুম্নবু হাৎলম্লগা আদু, আদা রথ মথক্ত কমদুনা লৈরে!" অদুম হায়না মন্নাম্না লাউনরকই ॥৩০॥

অদুদগী পাঞ্চাল লাম্মীশিং অদুনা অশ্বত্থামাবু মায়গৈ মরিমক্তগী কোয়শিন্নকুনা আক্রমন তৌগ দবগী হোৎনৈ। মতম অদুদা মহাদেবনা পীরম্বা থুৎলায় অদুনা মখোয়পুম্নমকুবু মথাই লোমি ॥৩১॥ মতো অসুম্না অশ্বত্থামানা ধৃষ্টদ্যুম্নবু অদুগা মাগী খোঙলোয়লাম্মীশিংবু হাৎলম্লগা থর চণ্ড-শিন্দুনা অমুক য়েঙ'ঙ। মতম অসিদা উত্তমৌজা হায়বা কল্লবা পাঞ্চাললাম্মী অ'সসু মাগী কয়ুংদা তুমদুনা লৈবদু অশ্বত্থামানা উরে ॥৩২॥ অশ্বত্থামানা চণ্ডশিনখিদুনা উত্তমৌজাগী মথবাক্ত মচেৎ-মীদা চেৎনা কম্ন, কোনশিন্ন। উত্তমৌজাসি কম্না লাউখোঙজি। অদুবু অশ্বত্থামানা মাবুসু মথাই লৌখ্রে ॥৩৩॥ কনাগুম্বা হি চাবা অমনা উত্তমৌজবু হাৎখ্রে হায়না খন্দুনা কল্লবা যুধামন্যু অসি গদা অম পায়খত্তুনা অশ্বত্থামা তম্না ফুজিল্লকই। অদুগ গদা অদুনা অশ্বত্থামাগী মথবাক্তা

তমথাতিক্রম্য জগ্রাহ শিখায়াং চৈনমতাড়য়ৎ। বিস্ফুরন্তঞ্চ পশুবত্তথৈবৈনমমারয়ৎ ॥৩৫॥

তথা স বীরো হত্বা তং ততোঽন্যান্ সমুপাদ্রবৎ। সংসুপ্তানেব রাজেন্দ্র! তত্র তত্র মহারথান্ ॥৩৬॥

স্ফুরতো বেপমানাংশ্চ শমিতেব পশুন্ মখে। ততো নিস্ত্রিংশমাদায় জঘানান্যান্ পৃথগ্জনান্ ॥৩৭॥

ভাগশো বিচরন্মার্গানসিযুদ্ধবিশারদঃ। তথৈব গুল্মে সংপ্রেক্ষ্য শয়ানান্মধ্যগৌল্মিকান্।
শ্রান্তান্ ন্যস্তায়ুধান্ সর্ব্বান্ ক্ষণেনৈব ব্যপোথয়ৎ ॥৩৮॥

যোধানশ্বান্ দ্বিপাংশ্চৈব প্রচিচ্ছেদ স বরাসিনা। রুধিরোক্ষিতসর্ব্বাঙ্গঃ কালসৃষ্ট ইবান্তকঃ ॥৩৯॥

বিস্ফুরদ্ভিশ্চ তৈর্দ্রৌণির্নিস্ত্রিংশস্যোদ্যমেন চ। আক্ষেপণেন চৈবাসেস্ত্রিধা রক্তোক্ষিতোঽভবৎ ॥৪০॥

তস্য লোহিতসিক্তস্য দীপ্তখড়্গস্য যুধ্যতঃ। অমানুষ ইবাকারো বভৌ পরমভীষণঃ ॥৪১॥

যে ত্বজাগ্রত কৌরব্য! তেঽপি শব্দেন মোহিতাঃ। নিরীক্ষ্যমাণা অন্যোন্যং দ্রৌণিং দৃষ্ট্বা প্রবিব্যথুঃ ॥৪২॥

তদ্রূপং তস্য তে দৃষ্ট্বা ক্ষত্রিয়াঃ শত্রুকর্ষিণঃ। রাক্ষসং মন্যমানাস্তং নয়নানি ন্যমীলয়ন্ ॥৪৩॥

স ঘোররূপো ব্যচরৎ কলেবাচ্ছিবিরে ততঃ। অপশ্যদ্দ্রৌপদীপুত্রানবশিষ্টাংশ্চ সোমকান্ ॥৪৪॥

কয় থারকই ॥৩৪॥ অদুদগী অশ্বত্থামানা থ্রুপ থ্রুপ চৎশিল্লক্লুনা যুধামন্যুবু লৈমায়থক্ত ঈম্বুত্থুনা
কয়া কয়া ফুথরকই। যুধামন্যু অসি ক্রুং ক্রুং চোংঙি। মাবু শাঙা হাৎপগুম অশ্বত্থামানা হাৎখ্রে
॥৩৫॥ নিংথৌ অথোইবা, মহারাজ! কল্লবা অশ্বত্থামানা মতৌ অসুম্না যুধামন্যুবু হাৎলবা তুংদা
তুমহুনা লৈরিবা অতোপ অতোপ্পা পাঞ্চাল মহারথীশিংগী লাক্পদা চৎখি ॥৩৬॥ যজ্ঞদা বলি-
দান তৌননবগী শাশিংচুনা কিবনা থক থক নীক্লবস্থ বলিককপা ঘাতক অহুনা মখোয়বু করি-
মত খুংশি থঙদনা ককপক্তুগুম্না লাম্মীশিংবু মথং মথং কক কক্লুনা পঙহাত্ত হাৎলকলে ॥৩৭॥
থাওগী লাল য়ান্না হৈরবা অশ্বত্থমানা লাঙ্গুং তোঙাল তোঙানবদা চৎখিহুনা তুমহনা পোথহুনা
খুৎলায় য়াওদনা, কীবম ঈশাউ তাউনা লৈরিবা পাঞ্চাল লাম্মীশিং অহুবু মীকুপ অমদা লোইনা
হাৎখ্রে ॥৩৮॥ ঈ মক্তনা অশ্বত্থমাগী মশা পুম্বহু পুমচোৎ চোৎখ্রে। অহুদগীদি মহাক্লা পাম্নবীবা
থাঙশাং অহুনা দৈবনা থারকপা যমরাজগী মতৌগুম্না শগোল শাম্ব খোঙমী লাম্মীশিংবু তান্না
তান্না হাৎলকলে ॥৩৯॥ শীঙম নাঙমদনা মখোঙ মথুৎ কাওহুনা শিখবশিংনা মখোঙ মথুৎনা
কনম্মোকপম্বা ঈগী মরীকশিং অহনা, অহুগা থাঙ হাইগৎপা হাইথবদা ঈদা ফুহুনা চোংখোয়কপা
ঈগী মরীকশিং অহুনা, অশ্বত্থমাগী মশাপুম্বহু ঈগী ঈ মক্তা জায়খ্রে ॥৪০॥ ঈনা মশাপুম্বা পুমহৈ
হৈরবা, ঈ হৈবা লাংলবা থাঙশাং পায়বা অশ্বত্থমাগী মুর্ত্তিসি অকিবগা মশক ওইখ্রে। কনা
অমত্তনা তাইবং মীনি হায়বা তুমখিদে ॥৪১॥

কৌরবনন্দন! মহারাজ! তুমদনা মীকপ খোক্লুনা হৌগৎলম্বা মখোয়সু অশ্বত্থামাবু
উবদা পুমত্তম তুমহৎখ্রে। মখোয় মশেল অমগমগ য়েংনৈ। অহুগা অশ্বত্থামাবোমদা য়েংঙবদা
কিবনা থক থক নীক্লুনা মরু লুকখি ॥৪২॥ য়েক্লব উম্বা পাণ্ডব লাম্মীশিং অহুনা অশ্বত্থামাগী
মশক উবদা চিংচাবনি হায়না খল্লখিহুনা মমীৎ উইশিন্নুনা থক থক মীক্লা কমশ্মখি ॥৪৩॥
অদুদগী অকিবগী মশক ওইরবা অশ্বত্থামা অসি যমরাজগী মতৌগুম্না পাণ্ডব লাঙ্গুংশিং অহুদা

তেন শব্দেন বিত্রস্তা বমুর্হন্তা মহারথাঃ। ধৃষ্টদ্যুম্নং হতং জ্ঞাত্বা দ্রৌপদেয়া বিশাংপতে।।
অবাকিরন্ শরব্রাতৈর্ভারদ্বাজমভীতবৎ ॥৪৫॥

ততস্তেন নিনাদেন সংপ্রবুদ্ধাঃ প্রভদ্রকাঃ। শিলীমুখৈঃ শিখণ্ডী চ দ্রোণপুত্রং সমার্দ্দয়ন্ ॥৪৬॥

ভারদ্বাজঃ স তান্ দৃষ্ট্বা শরবর্ষাণি বর্ষতঃ। ননাদ বলবন্নাদং জিঘাংসুস্তান্মহারথান্ ॥৪৭॥

ততঃ পরমসংক্রুদ্ধঃ পিতুর্বধমনুস্মরন্। অবরুহ্য রথোপস্থাত্ত্বরমাণোঽভিদুদ্রুবে ॥৪৮॥

সহস্রচন্দ্রং বিমলং গৃহীত্বা চর্ম্ম সংযুগে। খড়গঞ্চ বিপুলং দিব্যং জাতরূপপরিষ্কৃতম্।
দ্রৌপদেয়ানভিদ্রুত্য খড়েগন ব্যধমদ্বলী ॥৪৯॥

ততঃ স নরশার্দ্দূল। প্রতিবিন্ধ্যং মহাহবে। কুক্ষিদেশেঽবধীদ্রাজন্। স হতো ন্যপতদ্ভুবি ॥৫০॥

প্রাসেন বিদ্ধা দ্রৌণিস্তু সুতসোমঃ প্রতাপবান্। পুনশ্চাসিং সমুদ্যম্য দ্রোণপুত্রমুপাদ্রবৎ ॥৫১॥

সুতসোমস্য সাসিং তং বাহুং ছিত্ত্বা নরর্ষভ!। পুনরপ্যাহনৎ পার্শ্বে স ভিন্নহৃদয়োঽপতৎ ॥৫২॥

নাকুলিস্তু শতানকো রথচক্রেণ বীর্য্যবান্। দোর্ভ্যামুৎক্ষিপ্য বেগেন বক্ষস্যেনমতাড়য়ৎ ॥৫৩॥

কোয়চৎ চৎপা হৌরকই। অদুদগী মহাক্না দ্রৌপদীগী মচা মতাবু অদুগা সোমক লান্মিশিংবু উরে ॥৪৪॥ মহারাজ। মহারথী ওইরবা দ্রৌপদীগী মচাশিংনা মাগী মাগী লান্নঃ পারথৎনহুনা লাউথোংহুনা ধৃষ্টদ্যুম্ন হাৎখ্রে হায়রগ্গ তায় কাওদা করিমত কিদনা অশ্বত্থামাদা থাজিল্লকই ॥৪৫॥ অদুগী তুংদা নিন খোংনরকপহৃদ শিখণ্ডীনা অদুগা প্রভদ্রক লান্মীশিং অহনা অশ্বত্থামাদা খুৎলায় মথল মথল থাজিল্লংশিল্লকই ॥৪৬॥ দ্রৌপদীগী মচাশিংনা তন্না নোং চুবগুম কাপ শল্লকপহ্ন উবদা অশ্বত্থামানা মথোয়বু লোইনা তুম্ন হাৎলগে হায়না থল্লকলে। অদুদগী সিংহনাদ কয় লাউ-রকই ॥৪৭॥ অদুগী তুংদা অশ্বত্থামানা মপা হাৎখিবদু নীতশিংতক্লনা যায় শাউখিহনা রথদগী কল হেক চোংখহুনা দ্রৌপদীগী মচাশিং অদু তন্না প্রপ্রপ চেপ শল্লকই ॥৪৮॥ অদুগী তুংদা কল্লবা অশ্বত্থামানা থাগী মঙেক লিশিং অম খোল্লবা—ঙেল্লবা চুঙ্গোয় অদুগা মখোক সনা য়োয়বা থাঙশাং অদুগা পায়খত্তুনা দ্রৌপদীগী মচাশিং তন্না ফুজিল্লকই ॥৪৯॥ নিপা অখোইবা মহারাজ। অদুগী তুংদা অশ্বত্থামানা থাঙনা যুধিষ্ঠিরগী মচা প্রতিবিন্ধ্যদা য়ানবদা মহাক মখ্রাই থাহনা লৈমায়থক্ত তুই ॥৫০॥ মতম অসিদা ভীমগী মচা সুতসোম অসি, তা অমনা অশ্বত্থামাদা লংশিল্লরুগা অদুদগী থাঙশাং অম লৈ লৈহনা অশ্বত্থামা তন্না ফুজিল্লকই ॥৫১॥ মহারাজ! মতম অদুদা অশ্বত্থামানা সুতসোমগী থাঙগা লোয়ননা য়েংখংবা পাখোম অদু মাগী থাঙনা ককথৎখি। অদুদগী খজিনগী য়েংলোমদা কয়া য়াল্লি। অদুদগী সুতসোম অসি থম্মোয় খিনগাইখিহনা লৈমায়থক্তা তুখখি ॥৫২॥ অদুদগী নকুলগী কল্লবা মচা শতানীকনা মপাখোয় অমীনা রথগী চাকা অম থাজহুনা অশ্বত্থামাগী মখবাক কয় লংশিল্লকই ॥৫৩॥ শতাননীকনা

অভ্যাদ্রবচ্ছতানীকং মুক্তচক্রং বিধায় সঃ ।　　স হিন্নকো যযৌ ভূমিং ততোঽস্যাপাহরচ্ছিরঃ ॥৫৪॥
শ্রুতকর্ম্মা তু পরিঘং গৃহীত্বা সমতাড়য়ং ।　　অভিক্রত্য যযৌ দ্রৌণিং সব্যে সফলকে ভৃশম্ ॥৫৫॥
স তু তং শ্রুতকর্ম্মাণমাস্যে জঘ্নে বরাসিনা ।　　স হতো ন্যপতদ্ভূমৌ বিমূঢ়ো বিকৃতাননঃ ॥৫৬॥
তেন শব্দেন বীরস্তু শ্রুতকীর্ত্তির্মহারথঃ ।　　অশ্বত্থামানমাসাদ্য শরবর্ষৈরবাকিরৎ ॥৫৭॥
তস্যাপি শরবর্ষাণি চর্ম্মণা প্রতিবার্য্য সঃ ।　　সকুণ্ডলং শিরঃকায়াদ্ভ্রাজমানমপাহরৎ ॥৫৮॥
ততো ভীষ্মনিহন্তারং সহ সর্ব্বৈঃ প্রভদ্রকৈঃ ।　　আহনৎ সর্ব্বতো বীরং নানাপ্রহরণৈর্বলী ।
শিলীমুখেন চাপ্যেনং ভ্রুবোর্মধ্যে সমার্পয়ৎ ॥৫৯॥
স তু ক্রোধসমাবিষ্টো দ্রোণপুত্রো মহাবলঃ ।　　শিখণ্ডিনং সমাসাদ্য দ্বিধা চিচ্ছেদ সোঽসিনা ॥৬০॥
শিখণ্ডিনং ততো হত্বা ক্রোধাবিষ্টঃ পরন্তপঃ ।　　প্রভদ্রকগণান্ সর্ব্বানভিদুদ্রাব বেগবান্ ।
যচ্চ শিষ্টং বিরাটস্য বলন্তু ভৃশমাদ্রবৎ ॥৬১॥

রথগী চাকা অহুনা থাবদা অশ্বত্থামায় মত্তোন্দা চাকা অহুনা থাই । মতম অহুদা শতানীক অসি লৈমায়থক্ত মকোক ভাওহুনা তুই । তাঙ্খাহুদা অশ্বত্থামানা থাঙনা মাগী মকক অহু ককখি ॥৫৪॥ অহুদগী অর্জ্জুনগী মচা শ্রুতকর্ম্মা হায়বসিনা য়োচ্ছুক অমনা অশ্বত্থামাগী শউন য়েৎপা ওয়থংবা খুদাং অহুদা কম্না থাই ॥৫৫॥ অহুদগী অশ্বত্থামানা মাগী থাঙশাং অহুনা শ্রুতকর্ম্মাগী মচীন্দা য়াক্নি । অহুদগী শ্রুতকর্ম্মা অসি মমায় অহু মূর্ত্তি কায়না জ্ঞান তাদনা লৈমায়থক্তা তুখখি ॥৫৬॥ শ্রুতকর্ম্মাগী অরা অনাগী খোঞ্জেল অহু তাবদা সহদেবগী মচা কল্লব মহারথী ওইরবা শ্রুতকীর্ত্তি অসি তেন্না নোংচুথবগুম্না তেল মনম মনম কাপশিল্লকুনা অশ্বত্থামানা অকনবা চৈনা পীখি ॥৫৭॥ মাগী নীঙথিরবা লুহপ কুণ্ডল নাইম্না লৈতেংলবা ওক অহুবুম্ন অশ্বত্থামানা মাগী খৌরবা থাঙশাং অহুনা ককতুনা হকচাংদগী তোঙান্ন তাহনখি ॥৫৮॥ মতম অহুদা অশ্বত্থামানা চুজোয়না শ্রুতকীর্ত্তিদা কাপশিল্লক্লিবা তেল মরাম অহুবু ভাকখোক্লগা চোংশিন্দুনা মাগী খৌরবা থাঙশাং অহুনা শ্রুতকীর্ত্তিগী কুণ্ডলইম্নচিংবা লৈতেংনা নিংথিজরবা মকোক অহুবু হকচাংদগী তোঙান্ন তাহনখি ॥৫৯॥ অহুগী তুংদা কল্লবা অশ্বত্থামানা মথক মথা অমাম খুৎলায়না প্রভদ্রক লাম্মাশিংগা লোয়নবা শিখণ্ডীদা কয়া কন্না থাব হৌরক্ই । অশ্বত্থামানা খৌরবা তেল অমনা শিখণ্ডীগী পাঁশূম্ অনী কারক্তা মরাম চপ চানা থাখি ॥৫৯॥ অহুদগী কল্লবা অশ্বত্থামানা রাম্না থীনা শাউথিহুনা মাগী খৌরবা থাঙশাং অহুনা শিখণ্ডীগী হকচাং অহুবু য়াম্বহুনা চপ চানা অনী থোক্লা তখাই তখাই তাহন্থি ॥৬০॥ খোইনা শাউরবা, মীহাৎপগী মরাম কারবা অশ্বত্থামানা মতৌ অহুয়া শিখণ্ডীবু হাৎলম্নগা প্রভদ্রক লাম্মাশিংনা লৈরিবা অদোম্দা কুজিন্নকই । বিরাটকী লেম্হৌরিবা লাম্মাশিং অহুবুম্ন য়াম্না শাথিনা অশ্বত্থামানা নৈৎ-

দ্রুপদস্য চ পুত্রাণাং পৌত্রাণাং সুহৃদামপি। চকার কদনং ঘোরং দৃষ্টা দৃষ্টা মহাবলঃ ।৬২।
অন্যানন্যাংশ্চ পুরুষানভিসৃত্যাভিসৃত্য চ। ন্যকৃন্তদসিনা দ্রৌণিরসিমার্গবিশারদঃ ।৬৩।
কালীং রক্তাস্যনয়নাং রক্তমাল্যানুলেপনাম্। রক্তাম্বরধরামেকাং পাশহস্তাং কুটুম্বিনীম্ ।৬৪।
দদৃশুঃ কালরাত্রিং তে গায়মানামবস্থিতাম্। নরাশ্বকুঞ্জরান্ পাশৈর্বদ্ধা ঘোরৈঃ প্রতস্থুষীম্ ।৬৫।
(যুগ্মকম্)

হরন্তীং বিবিধান্ প্রেতান্ পাশবদ্ধান্ বিমূর্দ্ধজান। তথৈব চ সদা রাজন্! ন্যস্তশস্ত্রান্ মহারথান্ ।৬৬।
স্বপ্নে সুপ্তান্ নয়ন্তীং তাং রাত্রিষন্যাসু মারিষ।। দদৃশুর্যোধমুখ্যাস্তে ঘ্নন্তং দ্রৌণিঞ্চ সর্ব্বদা ।৬৭।
(যুগ্মকম্)

যতঃ প্রভৃতি সংগ্রামঃ কুরুপাণ্ডবসেনয়োঃ। ততঃ প্রভৃতি তাং কন্যামপশ্যন্ দ্রৌণিমেব চ ।৬৮।
তাংস্তু দৈবহতান্ পূর্ব্বং পশ্চাদ্দ্রৌণির্ন্যপাতয়ৎ। ত্রাসয়ন্ সর্ব্বভূতানি বিনুদন্ ভৈরবান্ রবান্ ।৬৯।
তদনুস্মৃত্য তে বীরা দর্শনং পূর্ব্বকালিকম্। ইদং তদিত্যমন্যন্ত দৈবেনোপনিপীড়িতাঃ ।৭০।

কষ্ট ॥৬১॥ আসগী তুংদা কন্নবা অশ্বত্থামানা মশক মুন্ন মুন্না য়েংহুনা দ্রুপদ নিংথৌগী মচা মচা মরূপ মপাবুন্ন শাৎনা নৈব হৌরক্ল ॥৬২॥

থাঙগী লামগী থাঙহায় খোঙথাংন কিদুপ্পচিংবা হৈরবা অশ্বত্থামানা থৌরবা থাঙ অদু হাইর হাইরদুনা চোংশিন চোংশিন্দুনা পাঞ্চাল লান্মিশিং অদুবু তান্ন তান্না ককখি ॥৬৩॥ মতম অদুদা মিয়াম্না করি উখিবগে হায়রবু:—

মায়থোং ঈগুম ভাঙলবী, মীৎকু ঈগুম ভাঙলবী
ঈগুম ভাঙব লৈ পম্বেং শিবী, ঈগুম ভাঙলব লৈমিক তৈবী
ফিজোলসু ঈগুম ভাঙলবী, থৌরি থুত্ত পায়রিবী
খোঙলোয় ল্যাইরেম্বীশিং লোয়নবী, কালরাত্রি মূর্ত্তি পুবী
কালীগী মূর্ত্তি অমনা. ঈশৈ শকলি চোংলি লেপ্পি ।
তাইবং মী শগোল শামুশিংবু, মপৈ মপৈ পূন্দুনা চিংলি ॥৬৪—৬৫॥

ইকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা মহারাজ ! নোংম নিনিগী মমাঙদা লান্মিশিংসিনা মখোয়গী মাঙদা করি উখিবগে হায়রবু:— কালরাত্রিগী তমখিরবা মূর্ত্তি পুররি কালি দেবিনা শিরবা, অশিবগুম তুম্রিবা জিব পানবশিংবু অদুগ। মশম মনা পূমচাৎ চাইরবা মথুত্তা খুৎলায় পায়জবা মহারথশিংবু থৌরিন: পূন পুন্দুনা পুরি । তুংলোমদগী অশ্বত্থামানা মখোয়বু থাঙনা কক কক্তুনা হাৎলি ॥৬৬—৬৭॥ অসিগুম্বা ঘটনা অসি কৌরব পাণ্ডবকি লাজ্রাওসনা হেক্ হৌখিবদুদগী লান্মিশিংদুনা মখোয়গী মাঙদা তৌয়না উখ্রবনি ॥৬৮॥ মিশিংস হান্নদগী দৈব [মরায়বক তমখিব] হায়বদুনা হাত্তুনা লোইখ্রবনি । অদুনা অশ্বত্থামানা কালগী মশক ওইনা অকিব কংনা লাউখোংদুনা জিব পুম্বদা অকিবা পোকহন্দুনা মখোয়বু মাঙহনখিবনি ॥৬৯॥ কাইনা তমখ্রবা হায়বদুগী মথা পোনগ্রবনা অকনবশিং অদুনা মমাঙৈদা মঙদা উখিবদু " মানি! মানি

ততস্তেন নিনাদেন প্রত্যবুধ্যন্ত ধন্বিনঃ। শিবিরে পাণ্ডবেয়ানাং শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥১১॥
সোঽচ্ছিনৎ কস্যচিৎ পাদৌ জঘনঞ্চৈব কস্যচিৎ। কাংশ্চিদ্বিভেদ পার্শ্বেষু কালসৃষ্ট ইবান্তকঃ ॥১২॥
অত্যুগ্রপ্রতিপিষ্টৈশ্চ নদদ্ভিশ্চ ভৃশাতুরৈঃ। গজাশ্বমথিতৈশ্চান্যৈর্মহী কীর্ণাভবৎ প্রভো। ॥১৩॥
ক্রোশতাং কিমিদং কোঽয়ং কঃ শব্দঃ কিন্নু কিং কৃতম্। এবং তেষাং তদা দ্রৌণিরন্তকঃ সমপদ্যত ॥১৪॥
অপেতশস্ত্রসন্নাহান্ সংরব্ধান্ পাণ্ডুসৃঞ্জয়ান্। প্রাহিণোন্মৃত্যুলোকায় দ্রৌণিঃ প্রহরতাং বরঃ ॥১৫॥
ততস্তচ্ছব্দবিত্রস্তা উৎপতন্তো ভয়াতুরাঃ। নিদ্রান্ধা নষ্টসংজ্ঞাশ্চ তত্র তত্র নিলিল্যিরে ॥১৬॥
ঊরুস্তম্ভগৃহীতাশ্চ কশ্মলাভিহতৌজসঃ। বিনদন্তো ভৃশং ত্রস্তাঃ সমাসীদন্ পরস্পরম্ ॥১৭॥
ততো রথং পুনর্দ্রৌণিরাস্থিতো ভীমনিস্বনম্। ধনুষ্পাণিঃ শরৈরন্যান্ প্রেষয়দ্বৈ যমক্ষয়ম্ ॥১৮॥

আসান ! হায়না লোইনা চপ মান্নবা থম্মি ॥১০॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডব লাশুংলেংদগী লৌরুং পায়বা চাম্‌ চাম্‌ লিশিং লিশিংনা অশ্বত্থামাগী খোল্লউ তাবদা লোইনা মাগী মাগী ফমুংদগী হৌগৎলকলে ॥১১॥ মতম অদুদা কাল কৌবা লাইনা ইংশ্রক্রবা যমরাজগী মতৌগুম্বা অশ্বত্থামান মাগী খাঙশাংতনা কনাগুম্বগী মখোঙ অনী, কনা কনাগুম্বগীনা খুকউ মকেগলকক্থৎপা হৌরকলে। অদুগা কনা কনাগুম্বগীনা নাকথংগী শরু ককথৎলি ॥১২॥ মহারাজ ! মতম অসিদা অশ্বত্থামানা য়াম্না তম্থিবা মওংদা পাণ্ডবলাম্নিশিং অদুবু লৈমায়থক্তা ঈশ্বহুনা লৈকৎ লৈহত্তুনা হাৎপা হৌরকলে। কনা কনাগুম্বনা শিঙম মাঙমদনা চৈনা খাঙবা ঙমদনা লাউ খোংতুনা কপ্পকই। কনা কনাগুম্বশিংবুনা শগোল শাম্বুগী মখোঙনা নেৎথরকই। অশিবা হকচাংতনা লালকম লৈমায়থক অদু পুমকুপ কুপত্রে ॥১৩॥ "করিনো ! করনো ! কনাগী খোঙ্গেম্নো ! করি তৌরে ! করিনো তৌরমলিবসিদে" ! অসুম হায়না মকম অদুদ লৈরিবা শিক্রিবা লাম্নীশিং অদুনা লাউনখি। লাউরিবৈদুমক্তদা অশ্বত্থামানা মখোয়গী মকমদা যমরাজ ওই থ্রে ॥১৪॥ তুমনি হায়দুনা তুম্নমদাই মতমদা খুৎলায় কিজেৎ হক্তোকনা তুমখিব মখোয় অদুনা অহীং অদুদা অকিং অকাই ওইনা লালগী কিজেৎ খুৎলায়নচিংবা খুনা য়াঙনা খেমশাগৎপৈ মতমদুমক্তদা অশ্বত্থামান চোংশিল্লকনা মখোয়বু খুদক যমালয়দা থাখি ॥১৫॥ অশিবগা পাংথক ওইনা তুমখুল হন্দুনা তুমহুমা লৈরম্বা মখোয়দুনা মাগী মাগী ফমুংদগী ফুক ফুক হৌগৎলরকপা অদুগা জ্ঞান ইতা তাদনা লৈনরিবৈ মতম অদুদা অশ্বত্থামানা থাল্লকপা থাঙনা মখোয়বু অশিবগী থয়াং তাহনখি ॥১৬॥ কিবনা জ্ঞান তাত্রবা কনা কনাগুম্বা লাম্নী-শিংগী খুকউ অনাদো লেঙবা য়াদনা তুমিন্ন তাহনা লৈরি। তৌকম থঙদহনা ফুকক ফুকাই চম্বিত্তুনা মখোয়গী মশাদা তেজ অমত্ত য়াওখ্রে। মখোয়দু অকি অমং ওইনা জ্ঞান ইতা তাদনা লাউ খোংতুনা অমগমগ ক্রেক ক্রেক হায়রা কপ্লিয়ে ॥১৭॥ অদুগী তুংদা অশ্বত্থামানা থোইদোক্না মখোল হৌরবা রথ অদুদা তোংলৎতুনা জ্ঞান তাত্রিবা মখোয়দুবু খৌব খৌরবা তেন্না তাত্তুনা হাৎখি ॥১৮॥ অকনবা লাম্নীশিং অদু অশ্বত্থামানা কুয়ক য়াল্লকপদা লৈমাথক্তা

পুনরুৎপততশ্চাপি দূরাদপি নরোত্তমান্। শূরান্ সম্পততশ্চান্যান্ কালরাত্র্যৈ ন্যবেদয়ৎ ॥৭৯॥

তথৈব স্যন্দনাগ্রেণ প্রমথন্ স বিধাবতি। শরবর্ষৈশ্চ বিবিধৈরবর্ষচ্ছাত্রবাংস্ততঃ ॥৮০॥

পুনশ্চ সুবিচিত্রেণ শতচন্দ্রেণ শতচন্দ্রেণ চর্ম্মণা। তেন চাকাশবর্ণেন তদাচরত সোঽসিনা ॥৮১॥

তথা স শিবিরং তেষাং দ্রৌণিরাহবদুর্ম্মদঃ। ব্যক্ষোভয়ত রাজেন্দ্র! মহাহ্রদমিব দ্বিপঃ ॥৮২॥

উৎপেতুস্তেন শব্দেন যোধা রাজন্! বিচেতসঃ। নিদ্রার্ত্তাশ্চ ভয়ার্ত্তাশ্চ ব্যধাবন্ত ততস্ততঃ ॥৮৩॥

বিস্বরং চুক্রুশুশ্চান্যে বহ্ববদ্ধং তথাবদন্। ন চ স্ম প্রত্যপদ্যন্ত শস্ত্রাণি বসনানি চ ॥৮৪॥

বিমুক্তকেশাশ্চাপ্যন্যে নাভ্যজানন্ পরস্পরম্ উৎপতন্তোঽপতঞ্শ্রান্তাঃ কেচিত্তত্রাভ্রমংস্তথা ॥৮৫॥

পুরীষমসৃজন্ কেচিৎ কেচিন্মূত্রং প্রসুস্রুবুঃ। বন্ধনানি চ রাজেন্দ্র! সংছিদ্য তুরগা দ্বিপাঃ ॥৮৬॥

সমং পর্য্যপতংশ্চান্যে কুর্ব্বন্তো মহদাকুলম্। তত্র কেচিন্নরা ভীতা ব্যলীয়ন্ত মহীতলে।

তথৈব তান্ নিপতিতানপিংষন্ গজবাজিনঃ ॥৮৭॥

মতম্দা কপ্পা কপ্পা মনাও মরিগা লোয়ননা লৈরিবা যুধিষ্ঠিরগী মকমদা অসুম্না হায়রকই:—
॥৯॥ মহারাজ । ক্ষত্রিয়ধর্ম্মগী মতুং ইন্না নচাশিংবুদি যমালয়দা থাপ্লগা পৃথিবী পুম্বগী রাজভোগ
চাদ্রনা লৈবিগদৌরিদনা । ॥১০॥ পৃথানন্দন । মহারাজ ! লাইথক্কবনা মহারাজদি হক্চাংদা
ক্ষরিমত্ত শোক্পা পনবা লৈতনা পৃথিবী পুম্বগী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লবদা ময়ায়কায়বা
শায় কম্শাওম্বা নচা অভিমন্যুবু থক্ নীওশিংবিরোইদনা ॥১১॥ মহারাজমা নচাশিংবুদি
অশিবগী থয়াত্তা থাদবিরগা মথোক শিঞ্জে হায়বদু তারকাওবদা থুনয়াদা মথোয়গা লোয়ননা
লৈরবী ঐবু থক নীওশিংবিরোইদবনি ॥১২॥

প্রসুপ্তানাং বধং শ্রুত্বা দ্রৌণিনা পাপকর্ম্মণা। শোকস্তপতি মাং পার্থ! হুতাশন ইবাশ্রয়ম্ ॥১৩॥
তস্য পাপকৃতো দ্রৌণেন চেদদ্য ত্বয়া মৃধে। হ্রিয়তে সানুবন্ধস্য যুধি বিক্রম্য জীবিতম্ ॥১৪॥
ইহৈব প্রায়মাসিষ্যে তন্নিবোধত পাণ্ডবাঃ। ন চেৎ ফলমবাপ্নোতি দ্রৌণিঃ পাপস্য কর্ম্মণঃ ॥১৫॥
(যুগ্মকম্)

এবমুক্ত্বা ততঃ কৃষ্ণা পাণ্ডবং প্রত্যুপাবিশৎ। যুধিষ্ঠিরং যাজ্ঞসেনী ধর্ম্মরাজং তপস্বিন্ ॥১৬॥
দৃষ্ট্বোপবিষ্টাং রাজর্ষিঃ পাণ্ডবো মহিষীং প্রিয়াম্। প্রত্যুবাচ স ধর্ম্মাত্মা দ্রৌপদীং চারুদর্শনাম্ ॥১৭॥
ধর্ম্ম্যং ধর্ম্মেণ ধর্ম্মজ্ঞে! প্রাপ্তাস্তে নিধনং শুভে। পুত্রাস্তে ভ্রাতরশ্চৈব তান্ন শোচিতুমর্হসি ॥১৮॥
স কল্যাণি বনং দুর্গং দূরং দ্রৌণিরিতো গতঃ। তস্য ত্বং পাতনং সংখ্যে কথং জ্ঞাস্যসি শোভনে ॥১৯॥

দ্রৌপদ্যুবাচ।

দ্রোণপুত্রস্য সহজো মণিঃ শিরসি মে শ্রুতঃ। নিহত্য সংখ্যে তং পাপং পশ্যেয়ং মণিমাহৃতম্।
রাজন্! শিরসি তে কৃত্বা জীবেয়মিতি মে মতিঃ ॥২০॥

পৃথ্বীনন্দন। মদা পাপী অশ্বত্থামানা তুমদুনা লৈরিবা ঈচাশিংবু হাৎখ্রে হায়বসি তাবদা লৈখ্রেমা মমাঙ্ক হৌরিবা অশংবা নাপীবু চাকথেকপদুঙুম্না ঈচা কায়নবগী মৈনা ঐগী থম্মোয়বু চাকখেল্লি ॥১৩॥ অদুনা ঙসিমক মহারাজনা নশাগী অরৈবা শক্তিমখৈ ফুদোক্লগা মহাপাপী অশ্বত্থামা মচুং হাৎখ্রবা অদু নুংগা মানা তেংথিবা বত্রবা তমথিরবা কর্ম্মসিগী মহৈ ঙসিমক কাংজ্রব অদু ওইরবদি ঐ মফম অসিদা অতম্বক চানা হেন্দুনা হকচাংসিনা কংশিনথাজবকাওবা ব্রত তৌদুনা লৈগনি। হে বংবা পাণ্ডব মচাশিংক। ঐগী বাংকসে লেংথ্রবনি হায়না খঙবিয়ু ॥১৪-১৫॥ যুধিষ্ঠিরদা মাহৈ অসি হায়দুনগা দ্রুপদনিংথৌগী মচানুপী সতীদ্রৌপদী অসি চাদনা মকমফুমকদা কমথথিদুনা ধ্যান তৌদুনা লৈখ্রে ॥১৬॥ নীঙথিজরবী, চায়থোইরবা দ্রৌপদনা অনশনব্রত তৌদুনা কমথথিবসি উবদ ধর্ম্মচেল্লবা, রাজর্ষি যুধিষ্ঠিরনা অস্তুম্না হায়রকই ॥১৭॥ নীঙথিজবী! ধর্ম্মগী তত্ত্বপুম্বা কৈনা খঙলবী! নচাশিং অদুগা নযুংনৌপাশিংদো ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী নিয়ম কায়দনা মথৌ তাই থাখিবনি। অদুনা মখোয়গীদমক নহাক্না অদুক বাকম শাওকম খোক্কে ॥১৮॥ মঙলগী মশক ওইবী। অশ্বত্থামাঅদো লাপথবা গুল্লবা উমং অমগী মনুংদা চঙদুনা লৈখ্রে। অদুন নীঙথিজরবী। নংনা অসিদা লৈথোক্লবদি মাবু হাৎপদু নংনা কয়ম্ব নমীৎনা উপদোহিরবনো ॥১৯॥ দ্রৌপদীনা হায়ঃ— নিংথৌ! অশ্বত্থামাগী মকোক্তা পোকপদগী মনি অম লাওরকই, মাহু থক লৌথোকপা রাজে হায়বসিস্তু তায়। অদুনা পাপি অদুবু হাৎলগা মনি অদুবু কোক্তা হাপ্তুনা পূবিরক্লবদি মনি অদুত রেংদুনা ঐ পুনশি লেনবা ঙমগনি হায়বসি ঐনা খঙলৈ ॥২০॥ নীঙ

ইত্যুক্ত্বা পাণ্ডবং কৃষ্ণা রাজানং চারুদর্শনা । ভীমসেনমথাভ্যেত্য পরমং বাক্যমব্রবীৎ ।২১।
ত্রাতুমর্হসি মাং ভীম ! ক্ষত্রধর্ম্মমনুস্মরন্ । জহি তং পাপকর্ম্মাণং শম্বরং মঘবানিব ।২২।
ন হি তে বিক্রমে তুল্যঃ পুমানস্তীহ কশ্চন । শ্রুতং তৎ সর্ব্বলোকেষু পরমব্যসনে তথা ।২৩।
দ্বীপোঽভূস্ত্বং হি পার্থানাং নগরে বারণাবতে । হিড়িম্বদর্শনে চৈব তথা ত্বমভবো গতিঃ ।২৪।
তথা বিরাটনগরে কীচকেন ভৃশার্দ্দিতাম্ । মামপ্যুদ্ধৃতবান্ কৃচ্ছ্রাৎ পৌলোমীং মঘবানিব ।২৫।
যথৈতান্যকৃথাঃ পার্থ ! মহাকর্ম্মাণি বৈ পুরা । তথা দ্রৌণিমমিত্রঘ্ন ! বিনিহত্য সুখী ভব ।২৬।
তস্যা বহুবিধং দুঃখং নিশম্য পরিদেবিতম্ । ন চামর্ষত কৌন্তেয়ো ভীমসেনো মহাবলঃ ।২৭।
স কাঞ্চনবিচিত্রাঙ্গমারুরোহ মহারথম্ । আদায় রুচিরং চিত্রং সমার্গণগুণং ধনুঃ ।২৮।
নকুলং সারথিং কৃত্বা দ্রোণপুত্রবধে ধৃতঃ । বিস্ফার্য্য সশরং চাপং তূর্ণমশ্বানচোদয়ৎ ।২৯।
তে হয়াঃ পুরুষব্যাঘ্র ! চোদিতা বাতরংহসঃ । বেগেন ত্বরিতা জগ্মুর্হরয়ঃ শীঘ্রগামিনঃ ।৩০।
শিবিরাৎ স্বাদ্গৃহীত্বা স রথস্য পদমচ্যুতঃ । দ্রোণপুত্ররথেনাশু যযৌ মার্গেণ ভারত ! ।৩১।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক
পর্ব্বণি ঐষীকে দ্রৌণিবধার্থং ভীমগমনে দশমোঽধ্যায়ঃ ।১০। •

— —:•: — —

নিংঋজরবী দ্রৌপদীনা যুধিষ্ঠিরদা অগুম্না হাবরগা ভীমসেনগী নাক্কা চঙাশিন্নুনা অগুম হায়রকই ॥২১॥ পাণ্ডব ময়াম। ক্ষত্রিয় ধর্ম্ম মতুংইম্না ঐবু কনবিয়ু। ইন্দ্রনা শম্বরাসুরবু হাৎবিবত্তুম্না অকনবা নহাকনা অশ্বত্থামাগী মথাই লৌবিয়ু ॥২২॥ চুঙ্গী অস্য অংস্থাদা নঙ্গা অযাব খুদাংখিবা মতমদা মশাগী শক্তি কূদোকতুনা তৌক্কবা থবক অমবু পাণ্ডখোকত্রিমথৈ থাদোকন্দবদা জগতা নহাকা মাম্নবা অম লৈরে গায়বানি লোক পুম্নমক্কা কাণ্ডম্বানি ॥২৩॥ বরনাবত নগরদ চাক শঙ মৈথ ঠৈংনা থাং পাণ্ডবশিংগী অশ্রা অচনগা নহাকনা ওইখ। ভিরব ইংচাবনা আক্রমণ তৌরকপা মতমচ্চদা অকনবা নহাকনা পাণ্ডব অইত্তবু কনবিখি ॥২৪॥ ইন্দ্রন শচী দেবীবু অসুরশিংগী মথুন্নগী কনবিখিবত্তুম্না বিরাট নগরদা পাপী কিচককী মথুন্নগী ঐবু কনবিখি ॥২৫॥ শ্রেক্কব হাৎওম্বা পৃথানন্দন। মমাতৈকা মীনা তৌওমদবা থবকমক্কা তৌবিখিবত্তুমনা ওদিস্থ অশ্বত্থামাবু হাৎলগা খুংওাইবিয়ু, ঐাস্থ খুণ্ড ইংনাবিয়ু ॥২৬॥ কম্নয়, কুন্তিনন্দন, ভীমসেননা দ্রৌপদীগী সিঙম্না খুংশি খুংডোনবা রাহৈসি ভাবদ ভীম অসি থাওরুনা লৈব ওম্মকত্রে ॥২৭॥ ভীম অসি কম্নবা লীর হাপ্পবা অওকপগী মশক্ কংলবা লিরুং অম পারখত্বনা সনা চৎলবা রথ অমগী মথক্কা হেক কাখংশি ॥২৮॥ ভিমসেননা অশ্বত্থামাবু মহাৎলানি হায়না য়াম্না ঈচত খোনা; নকুলবু সারথি ওইহম্নুনা, লিরিবু কম্না চিং চিংদুনা নকুলদা শগোলা খোরে হায়না য়াথং পিখি ॥২৯॥ জনমেজয় ! মহারাজ । খুংশিংকি মমাও থারব, য়াওসবা, ঘোংমানবা মচুগী শগোলশিং অদু নকুলনা খোয়কপদা খুংশিংকি মমাওবানা চেন্নকই ॥৩০॥ ভরতনন্দন। জনমেজয়। মহাবির ভিম অসি রথগী চাকাগী তারিবা লিক্কম অদু য়েংযেংদুনা অশ্বত্থামাগী খোঙ্গুল লিংনা লাহুংদগী থাক্কা তৌ-রকলে ॥৩১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চাযনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিক পর্ব্বদা সুপ্তবধগী মসুংদা দ্রোণিবধাথং ভিমগমনগী তরানিথোইশুবা অধ্যায় লোইরে।

—।•)—

মহাভারতম্

(ব্রহ্মশির খুৎলায় খাদোক্লবা)

ত্রয়োদশোঽধ্যায়।

তরাহুমদোই শুবা অধ্যায়।

—:*:—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তস্মিন্ প্রয়াতে দুর্দ্ধর্ষে যদুনামৃষভস্ততঃ। অব্রবীৎ পুণ্ডরীকাক্ষঃ কুন্তীপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্ ।১।
এষ পাণ্ডব ! তে ভ্রাতা পুত্রশোকপরায়ণঃ। জিঘাংসুর্দ্রৌণিমাক্রন্দে এক এবাভিধাবতি ।২
ভীমঃ প্রিয়স্তে সর্ব্বেভ্যো ভ্রাতৃভ্যো ভরতর্ষভ ! তং কৃচ্ছ্রগতমদ্য ত্বং কস্মান্নাভ্যুপপদ্যসে ।৩।
যত্তদাচষ্ট পুত্রায় দ্রোণঃ পরপুরঞ্জয়ঃ। অস্ত্রং ব্রহ্মশিরো নাম দহেত পৃথিবীমপি ।৪।
তন্মহাত্মা মহাভাগঃ কেতুঃ সর্ব্বধনুষ্মতাম্। প্রত্যপাদয়দাচার্য্যঃ প্রীয়মাণো ধনঞ্জয়ম্ ।৫।
তং পুত্রোঽপ্যেক এবৈনমন্বযাচদমর্ষণঃ। ততঃ প্রোবাচ পুত্রায় নাতিহৃষ্টমনা ইব ।৬।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— জনমেজয় মহারাজ ! লান্দা লাকতমকাতমদবা কল্লবা ভিমনা চৎলবা তুংদা যদুবংশগী অথোইবা কৃষ্ণনা কুন্তিনন্দন যুধিষ্ঠিরদা অসুম্না হায়রকই:— ॥১॥ পাণ্ডুনন্দন ! ননাও মীবুঙোয়ায়মা ভিমসেন অসে অশ্বত্থামানা হাৎলুরনি হায়রগা মথক্ত চেনখ্রে ॥২॥ মহারাজ ভীম হায়বসিদি ননাওশিংগী মরক্তা মহারাজনা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিবরিনি ॥ অদুবু খুদোংথীবা থবক্তা হোক্চিনখ্রে। মহারাজনা ননাও নুংশিজরবা অসিগী মতেং পাংবিদ্রিবা করিগীনো ? ॥৩॥ য়েক্লবক্তুম হাৎথবা দ্রোণাচার্য্যানা মচা অশ্বত্থামাদা তম্বিরম্বা খুৎলায় অসাদি পৃথিবীবু মীকুপ্ত চাকথেকপা ঙম্বা ব্রহ্মশির হায়বগুন ॥৪॥ পূকচেল চাউরবা, লাইবক ফরবা, মীকৈ: পায়বশিংগী মথুংদা লগত্তা খ্বাইদগী হেল্লবা দ্রোণাচার্য্যানা পেনবিখিনা ব্রহ্মশির হায়বা খুৎলায়গী প্রযোগ অমদি মন্ত্র অসে ননাও অর্জ্জুনদগী তম্বিখিবনি ॥৫॥ মাগী মচা মথক্ত ভায়জরবা অশ্বত্থামা কাওবা য়াম্না হায়জ নোঙ্গহনা মপাদা খুৎলায় অসি পিবিখিবনি। য়াম্না হায়জরবা মতুংদা ওহোক্না পানীভদনা ব্রহ্মশির হায়বা জগৎ পুম্বা চাকথেকপা ঙম্বা খুৎলায় অসি তম্বিখিবনি পীবিখিবনি ॥৬॥ মচা অশ্বত্থামা হায়বসি অঙাংগী মতোঙম মপুকচেল লেপ্তে হায়বসি দ্রোণাচার্য্যানা মুখ

বিদিতং চাপলং হ্যাসীদাত্মজস্য মহাত্মনঃ । সর্ব্বধর্ম্মবিদাচার্য্যঃ সোঽন্বশাৎ স্বসুতং ততঃ ॥৭॥
পরমাপদগতেনাপি ন স্ম তাত ! ত্বয়া রণে । ইদমস্ত্রং প্রয়োক্তব্যং মানুষেষু বিশেষতঃ ॥৮॥
ইত্যুক্তবান গুরুঃ পুত্রং দ্রোণঃ পশ্চাদথোক্তবান । ন ত্বং জাতু সতাং মার্গে স্থাতেতি পুরুষর্ষভ ! ॥৯॥
স তদাজ্ঞায় দুষ্টাত্মা পিতুর্বচনমপ্রিয়ম । নিরাশঃ সর্ব্বকল্যাণৈঃ শোকাৎ পর্য্যচরন মহিম্ ॥১০॥
ততস্তদা কুরুশ্রেষ্ঠ ! বনস্থে ত্বয়ি ভারত ! । অবসদ্দ্বারকামেত্য বৃষ্ণিভিঃ পরমার্চ্চিতঃ ॥১১॥
স কদাচিৎ সমুদ্রান্তে বসন দ্বারবতীমনু । এক একং সমাগম্য মামুবাচ হসন্নিব ॥১২॥
যদুগ্রং তপঃ কৃষ্ণ ! চরন সত্যপরাক্রমঃ । অগস্ত্যাদ্ভারতাচার্য্যঃ প্রত্যপদ্যত মে পিতা ॥১৩॥
অস্ত্রং ব্রহ্মশিরো নাম দেবগন্ধর্ব্বপূজিতম্ । তদদ্য ময়ি দাশার্হ ! যথা পিতরি মে তথা ॥১৪॥

(যুগ্মকম্)

অস্মত্তস্তদুপাদায় দিব্যমস্ত্রং যদূত্তম ! । মমাপ্যস্ত্রং প্রযচ্ছ ত্বং চক্রং রিপুহণং রণে ॥১৫॥

খঙথি । অদুনা ধর্ম্ম পুম্বা খঙলবা খুৎলায়গী আচার্য্য দ্রোণনা ব্রহ্মশির হায়বা খুৎলায় অসি পীবা তম্বিবা মতমদা অশ্বত্থামাদা অস্মুম্না পাউতাক পীখি ॥৭॥ ঈবুঙো ! লান্দা কন্নায়া অরাবা খুদোংথিবা কংতুনসু খুৎলায় অসে শীজিন্নগনুকো । অতৈদি লায়রবনা তাইবং মীদদি শুক-শীনবু শীজিন্নরুনু ॥৮॥ নিপা অথোইবা, নিংথৌ জনমেজয় ! মপাদ্রোণনা মমাঙৈদা মতম অমদা অশ্বত্থামাদা নংদি, মপে ক্না অকবা লম্বিদা চৈরোইদৌরি অদুনা চ্যেকশিন্ন, অস্মুমসু হায়খিবনি ॥৯॥ কন্তবা খবক্তা চৈনবা অশ্বত্থামানা মপাগী মচান্দগী অসিগুম্বা তাবদা শুংঙাইতবা রাসি তাবদা তুংদগী ওইজ ওইংকপা কংগদবা পুম্বদা আশা করিমত তৌথিদনুনা পৃথিবিগী মকম পুম্বদা কোইচৎ চত্তুনা চৈথি ॥১০॥

ভরতংশদা ! কুরুবংশগী অথোইবা ! অদুগী তুংদা অশ্বত্থামা অসি বনবাসী ওইদুনা কোয়চৎ চত্তুনা অদুম্ লাকপদা দ্বারকা নগর য়ৌখিদুনা বৃষ্ণি বংশগী অহল্ লমনশিংদগী সম্মান অমদি লুনা তৌবিহদু কাংদুনা মতম খরদা দ্বারক ব স তেংদুনা চৈথি ॥১১॥ অসিগী তুংদা নোংমদি সমুদ্র মরাদা দ্বারকা নগরীদা মথন্তা তুমিন্না কমদুনা নোক্না নোক্না অস্মুম্না ঐঙোন্দা হায়খিঃ— ॥১২॥ "কৃষ্ণ ! ভরতবংশদা পোকপা নিংথৌ মচাপুম্নকী খুৎলায়গী গুরু ঈপা দ্রোননা য়াম্না কন্না তপস্যাতৌদুনা অগস্ত্য মুনিদগী কংখিবা, দেব গন্ধর্ব্ব পুম্বনা পূজা তৌনবা ব্রহ্মশির হায়বা খুৎলায় অসি ঐঙোন্দা চৈরে । অদুনা, কৃষ্ণ ! খুৎলায় অসিগী শীজিন্নবা অমদি মন্ত্রনচিংবগী মরমদা ঈপা দ্রোননা খঙবঅদুপ ঐন্দু খঙলে" ॥১৩—১৪॥ যদুবংশগী অথোইবা ! কৃষ্ণ ! ঐঙোন্দগী খুৎলায় অসি লৌরগা নহাকী সুদর্শন চক্রদু ঐঙোন্দা পীবিরো, শিন্নসি" ॥১৫॥ ভরতশাগৈগী অথোয়বা

স যাচন্ প্রীয়মাণেন ময়াপ্যুক্তঃ কৃতাঞ্জলিঃ । যাচমানঃ প্রযত্নেন মত্তোঽস্ত্রং ভরতর্ষভ ।।১৬।

দেবদানবগন্ধর্ব্বমনুষ্যপতগোরগাঃ । ন সমা মম বীর্য্যস্য শতাংশেনাপি পিণ্ডিতাঃ ।।১৭।

ইদং ধনুরিয়ং শক্তিরিদং চক্রমিয়ং গদা । যদ্যদিচ্ছসি চেদস্ত্রং মত্তস্তদ্দদানি তে ।।১৮।

যচ্ছক্নোষি সমুদ্যন্তুং প্রয়োক্তুমপি বা রণে । তদ্গৃহাণ বিনাস্ত্রেণ যন্মে দাতুমভীপ্সসি ।।১৯।

স সুনাভং সহস্রারং বজ্রনাভময়স্ময়ম্ । বব্রে চক্রং মহাভাগো মত্তঃ স্পর্দ্ধয়া সহ ।।২০।

গৃহাণ চক্রমিত্যুক্তো ময়া তু তদনন্তরম্ । জগ্রাহোৎপত্য সহসা চক্রং সব্যেন পাণিনা ।।২১।

ন চৈনমশকৎ স্থানাৎ সঞ্চালয়িতুমপ্যুত । অথৈনং দক্ষিণেনাপি গ্রহীতুমুপচক্রমে ।
সর্ব্বযত্নেন তেনাপি গৃহ্ণন্নেবমিদং ততঃ ।।২২।

ততঃ সর্ব্ববলেনাপি যদৈনং ন শশাক হ । উদ্যন্তুং বা চালয়িতুং দ্রৌণিঃ পরমদুর্ম্মনাঃ ।
কৃত্বা যত্নং পরিশ্রান্তঃ সংন্যবর্ত্তত ভারত ! ।।২৩।

ধর্ম্মরাজ ! অশ্বত্থামা হায়বাসিনা মথুং তোঞ্জনা বুক্ক ঐহাক্তা য়াম্না থবাইয়াওনা সুদর্শন চক্রবু নিয়বদা ঐনা পেল্লন্না মহোক্তা মতম অমুদা অক্তম হায়খিঃ— ।।১৬।। লাইহিংচোবা গন্ধর্ব্ব অঁাইবংমী শাউচেক ফিজ পুম্নমক অসিগী অমত ওইবা অপূনবা শক্তিনা কুক্ক ইবগী শক্তিগী শক্ক চামা শক্ক অমতগম্ম মায়জবা নত্তে ।।১৭।। আচার্য্যপীমচা অশ্বত্থামা ! ঐহাক্তা খুৎলায় য়াম মপাম্রবদি ঐহাক্তা লীক্কং, তা, চক্র অসি অমুগা গদা অমম্ম লৈরি। মথোয়সিগী মরুংদগী অপাম অপাম্বদো ঐহাক্তা চাইয়ু পীৎোবকে ।।১৮।। হায়রিবা খুৎলায়শিং অসিগী মরুংদা থাংগত্তনা লান্দা শীজিন্নবা ঙমগদবা খুৎলায়দো হায়বিয়ু, কৎকে। অমুগা ব্রহ্মাশির হায়বা ঐহাক্তা পীগে হায়বিরিবা খুৎলায় অমুদি ঐহাক্তা খোইদোকপা কায়বা লৈত্তে। ঐহাক্তা দান তৌবগী খোইদোকপ কায়দে ।।১৯।।
ঐগা শীংনগে নিঙলবা কন্নবা অশ্বত্থামানা মখোয় (ময়ায় চবুক অহোবা) কজনা পান্নবা কৈজেনববা খোয়বা ময়া পান্নবা, বজ্রগী মতোঙম্ কন্নবা উইরবা খোয়বা য়োৎনা পুমহৈ ওইনা শায়বা ঐগী সুদর্শন চক্রসি লোগে মহায়বে ।।২০।।

অমুদগী ঐস্ম মহোক্তা " চক্র অসি কয়ে লৌয়ো " হায়না হায়বা মতমদা অশ্বত্থামানা কুক হোৎকত্তনা চক্র অমু মখুং ওয়না পাক্ পায়খৎকে তৌই ।।২১।। মতম অমুদা চক্র অমু লৈফিবা মফমদুদগী শজুম নাম কাওবা লেজ্ঞচনবা ঙমজে । অমুদগী মখুং য়েৎনা অমুক পায়-খত্তনা য়োগে তৌই । মাস্তদম্ম ঙমজে । অমুদগী ভুাদ মহায়া মখুং অনী চঙচনা চক্র অমু থাংগৎকে হোৎনৈ, অমুদম্ম লেজ্ঞহনবা কাওবা ঙমজে ।।২২।। ভরতনন্দন ! মহারাজ ! অদুগী তুংদা অশ্বত্থামানা মশাগী লৈজবা পাঙল পুম্বা কুদোক্কনা চক্র অমু থাংগৎকে হোৎনৈ । কম্নিমত্ত ঙমজবদা অরাবা ইকায়বগা লোয়ননা য়াম্না চোকথখিল্লনা হন্দোকখি ।।২৩।। অমুদগীদি

নিবৃত্তমনসং তস্মাদভিপ্রায়াদ্বিচেতসম্ । অহং সাম্না সংবিগ্নমশ্বত্থামানমব্রুবম্ ॥২৪॥
যঃ স দেবমনুষ্যেষু প্রমাণং পরমং গতঃ । গাণ্ডীবধন্বা শ্বেতাশ্বঃ কপিপ্রবরকেতনঃ ॥২৫॥
যঃ সাক্ষাদ্দেবদেবেশং শিতিকণ্ঠমুমাপতিম্ । দ্বন্দ্বযুদ্ধে পরাজিষ্ণুস্তোষয়ামাস শঙ্করম্ ॥২৬॥
যস্মাৎ প্রিয়তরো নাস্তি মমান্যঃ পুরুষো ভুবি । নাদেয়ং যস্য মে কিঞ্চিদপি দারাঃ সুতাস্তথা ॥২৭॥
তেনাপি সুহৃদা ব্রহ্মন্ ! পার্থেনাক্লিষ্টকর্ম্মণা । নোক্তপূর্ব্বমিদং বাক্যং যত্ত্বং মামভিভাষসে ॥২৮॥

(কল্যাণকর)

ব্রহ্মচর্য্যং মহদ্‌ঘোরং চীর্ত্বা দ্বাদশবার্ষিকম্ । হিমবৎপার্শ্বমভ্যেত্য যো ময়া তপসার্জ্জিতঃ ॥২৯॥
সমানব্রতচারিণ্যাং রুক্মিণ্যাং যোঽন্বজায়ত । সনৎকুমারস্তেজস্বী প্রদ্যুম্নো নাম মে সুতঃ ॥৩০॥

(সুখকর)

তেনাপ্যেতন্মহদ্দিব্যং চক্রমপ্রতিমং মম । ন প্রার্থিতমভূন্মূঢ় ! যদিদং প্রার্থিতং ত্বয়া ॥৩১॥
রামেণাতিবলেনৈতন্নোক্তপূর্ব্বং কদাচন । ন গদেন ন শাম্বেন যদিদং প্রার্থিতং ত্বয়া ॥৩২॥
দ্বারকাবাসিভিশ্চান্যৈর্বৃষ্ণ্যন্ধকমহারথৈঃ । নোক্তপূর্ব্বমিদং জাতু যদিদং প্রার্থিতং ত্বয়া ॥৩৩॥

খুৎলায়হ লৌগদবগী হোৎনবা পূথা মহৈ রাজ্যবদ্দা মায়থোং লাংশিল্লবা মখাই খুংঙাইজ্রবা অশ্বত্থামাদা এনা অমুম্না হায়খিঃ— ॥২৪॥ দেবলোক মনুষ্যলোক মীয়মলেন অনীমক্তা মহাক অকনবনি হায়না শীংখানরবা, জগৎকী জীব পুম্বা থাজনীঙায় ওইরবা, মাগী লৌরনা গাণ্ডীবনা ওইরিবা, খুৎলায় অমনা কপ্পা মাজ্রবা তৌবগা শগোম্মা মহাক্তা ওইবা, মাগী কীরাকা থাইদগী কল্লবা মোংগী মূর্ত্তি লৈরিবা, মহাক মশামক্তা দেব দেব ঈশ্বর শিতিকণ্ঠ উমাপতি শঙ্কর মল্ল-যুদ্ধদা পেলহনখিবা, জগৎকী মনুংদা কৃষ্ণ ঐনা খুংশিবসি মানা মহেল্লবা, লৈবাক সনা লুপা অহুদগী হেন্দুনা ঐগী পুপী অতাং কাওবগী মনুংদা মত্তোন্না পীবা য়াদে হাবরা কবিমত লৈজ্রবা অক্লবা থবক পূথা খুদক্তা তৌবা ঐগীহ থাইদগী খুংশিব মরূপ ওইববা অর্জ্জুন থহ কাওবনা ঐত্তোন্দ পীয়ু হায়না নিথিজ্রিবা পোথক অসিবু ব্রাহ্মণ ! নহাক্তা ঐত্তোন্দগী পাজি ॥২৫-২৮॥ ঐনা হিমালয়গী চীঙথোঙদা চহুনা চহী তরানিথোই চুপ্পা অকিবগী মথক কংনা তপস্যা অথদি ব্রত উপাসনা তৌহনা কংজরবা, ঐঙম্মা তপস্যা কল্লবী ব্রত কুল্লবি রুক্মিণী দেবীগী গর্ভদগী পোকপা সনৎকুমারগুম্মা তেজ লৈরবা, চাংদম্নাঙায় লৈতনা কল্লবা ইচা প্রদ্যুম্ন কাওবনা পীয়ু হায়না নিথিজ্রবা ঐগী চক্রসু অপঙবা ব্রাহ্মণ । নহাক নিথি । ॥২৯—৩১॥ ব্রাহ্মণ ! নহাক্ত নিরিবা পোথক অসে রাম, শাম্ব গদ কাওবা ঐত্তোন্দ নিব ঙমখিদে; নিখিজ্রি ॥৩২॥ নহাক্তা ঐত্তোন্দগী নিরিবা পোথক অসে দ্বারকাদ লৈবা কনাগুম্ব অমত্তনা বৃষ্ণিবংশ অমদি অন্ধক বংশগী মহারথী অকনবশিংমক্তসু খোংমত নিব লৈখিজ্রি ॥৩৩॥ থাবি অখোইবা ব্রাহ্মণ ! নহাক

ভারতস্যাচার্য্যপুত্রস্ত্বং মানিতঃ সর্ব্বযাদবৈঃ । চক্রেণ রথিনাং শ্রেষ্ঠ ! কং নু তাত ! যুযুৎসসে ।৩৪।
এবমুক্তো ময়া দ্রৌণির্মামিদং প্রত্যুবাচ হ । প্রযুজ্য ভবতে পূজাং যোৎস্যে কৃষ্ণ ! ত্বয়া সহ ।৩৫।
প্রার্থিতং তে ময়া চক্রং দেবদানবপূজিত ম । অজেয়ঃ স্যামিতি বিভো ! সত্যমেতদব্রবীমি তে ।৩৬
ত্বত্তোঽহং দুর্লভং কামমনবাপ্যৈব কেশব ! । প্রতিযাস্যামি গোবিন্দ ! শিবেনাভিবদস্ব মাম্ ।৩৭
এতৎ সুভীমং ভীমানাম্বৃষভেণ ত্বয়া ধৃতম । চক্রমপ্রতিচক্রেণ ভুবি নান্যোঽভিপদ্যতে ।৩৮।
এতাবদুক্ত্বা দ্রৌণির্মাং যুগ্যানশ্বান ধনানি চ । আদায়োপযযৌ কালে রত্নানি বিবিধানি চ ।৩৯।
সসংরম্ভী দুরাত্মা চ চপলঃ ক্রূর এব চ । বেদ চাস্ত্রং ব্রহ্মশিরস্তস্মাদ্রক্ষ্যো বৃকোদরঃ ॥৪০॥
এবমুক্ত্বা যুধাং শ্রেষ্ঠঃ সর্ব্বযাদবনন্দনঃ । সর্ব্বায়ুধবরোপেতমারুরোহ রথোত্তমম ॥৪১॥
যুক্তং পরমকাম্বোজৈস্তুরগৈর্হেমমালিভিঃ । আদিত্যোদয়বর্ণস্য ধুরং রথবরস্য তু ।৪২॥
দক্ষিণামবহচ্ছৈব্যঃ সুগ্রীবঃ সব্যতোঽভবৎ । পার্ষ্ণিবাহৌ তু তস্যাস্তাং মেঘপুষ্পবলাহকৌ ।৪৩॥

(বিশেষকম্)

ভারতকী অমত ওইবা আচার্য্য দ্রোণগী মচানি । অদুমকনা যদুবংশগী অকনবশিংমক্না নংগী সম্মান তৌরিবনি । অদুবু করে, নহাক্না চক্র অসি ঐঙোন্দগী লৌরগা কনাগা লেংনগে হায়রিবনো ? ॥৩৪॥ মহারাজ ! ঐনা অসুম্না হংলবদা অশ্বত্থামানা করি হায়দোরক্লবগে হায়রবু " ঐনা চক্র অসি কংলবদি কৃষ্ণ নহাকপু য়াম্না ঈকায় খুম্না নহাকমক্না লেংনগনি " ॥৩৫॥ কৃষ্ণ ! ঐ থাজেশেংনা হায়রিবাসনি— লাই হিংচাবা পুম্নমক্না পূজা তৌনরবা নহাকী চক্র অসিবু ঐনা নিরিবসি মসিবু পায়রবদি অগত্তা কনা অমত্তনা ঐবু ভাম্বনীঙায় লৈরয়োই ॥৩৬॥ কেশব ! অগৎনা পানহৈবনি হায়না থাগৎনরবা । ঐনা থ্বাইদগী লেম্না পামজরবা তাঙলবা পোলক অসি নঙোন্দগী কংজদহনা হল্লপ্রগে হয়াওনা বিদায় পীবিয়ো ॥৩৭॥ কৃষ্ণ ! অকিব কংনা অকনবা অম ওইবনা, অদুগা মাগী লাম্বা লৈত্রবা চক্র অসি পায়বনা নংবু ভম্বিনীঙায় কনাবত্ত লৈতু, থনা চক্র অসি নহাক্না পায়বা ভাম্বায়বাম অদুগা পৃথিবীসদা নহাক নত্তনা সুদর্শন চক্রাসবু পায়বিনবা কনা অমত্ত লৈতে ॥৩৮॥ অশ্বত্থামানা অসি কাওবা ঐঙোন্দা হায়রম্মগা শগোল লম্ন্ম রথগী কান্নগদব মচাক অদুগা রত্নমথল মথল পূরগা মানা চৎখিগদবা লমদা অঢুম চৎখ্রে ॥৩৯॥ মহারাজ ! অশ্বত্থামা হায়রবসে য়াম্ন শাউগনবা মথুকচেল থাবা, রাথল লেপ্তবা তমথিরবা পুকচেল চেনবা মীশক অমনি । অদুগা মহাক ব্রহ্মশির হায়রবা খুৎলায় অমদি মন্ত্রবু মুম্ন খঙিও । অদুনা মাগী মথুত্তগী ভীমসেনবু কনবিকম থোকই ॥৪০॥ অসি হায়রগা লাম্মী অথোইবা যদুবংশগী নুংঙাইহননবগী মশক ওইরবা কৃষ্ণনা কম করবা খুৎলায় থম্ন হাপ্পগা রথদা কাখংখি । রথ অসি কাম্বোজ লেমদা পোকপা সনাগি পম্নেংমক্ন শিবা, কজরবা শগোল মরিনা, শগে লনা চিংখনি । তাং ঙাক্তনরবা রথ

বিশ্বকর্ম্মকৃতা দিব্যা রত্নধাতুবিভূষিতা । উচ্ছ্রিতেব রথে মায়া ধ্বজযষ্টিরদৃশ্যত ॥৪৪॥
বৈনতেয়ঃ স্থিতস্তস্যাং প্রভামণ্ডলরশ্মিবান্ । তস্য সত্যবতঃ কেতুর্ভুজগারিরদৃশ্যত ॥৪৫॥
অন্বারোহদ্ধৃষীকেশঃ কেতুঃ সর্ব্বধনুষ্মতাম্ । অর্জ্জুনঃ সত্যকর্ম্মা চ কুরুরাজো যুধিষ্ঠিরঃ ॥৪৬॥
অশোভেতাং মহাত্মানৌ দাশার্হমভিতঃ স্থিতৌ । রথস্থং শার্ঙ্গধন্বানমশ্বিনাবিব বাসবম্ ॥৪৭॥
তাবুপারোপ্য দাশার্হঃ স্যন্দনং লোকপূজিতম্ । প্রতোদেন জবোপেতান্ পরমাশ্বানচোদয়ৎ ॥৪৮॥
তে হয়াঃ সহসোৎপেতুর্গৃহীত্বা স্যন্দনোত্তমম্ । আস্থিতং পাণ্ডবেয়াভ্যাং যদূনামৃষভেণ চ ॥৪৯॥
বহতাং শার্ঙ্গধন্বানমশ্বানাং শীঘ্রগামিনাম্ । প্রাদুরাসীন্মহান্ শব্দঃ পক্ষিণাং পততামিব ॥৫০॥
তে সমার্চ্ছন্ নরব্যাঘ্রাঃ ক্ষণেন ভরতর্ষভ । । ভীমসেনং মহেষ্বাসং সমনুদ্রুত্য বেগিতাঃ ॥৫১॥
ক্রোধদীপ্তন্তু কৌন্তেয়ং দ্বিষদর্থে সমুদ্যতম্ । নাশক্নুবন্ বারয়িতুং সমেত্যাপি মহারথাঃ ॥৫২॥
স তেষাং প্রেক্ষতামেব শ্রীমতাং দৃঢ়ধন্বিনাম্ । যযৌ ভাগীরথীকচ্ছং হরিভির্ভৃশবেগিতঃ ।
যত্র স্ম শ্রূয়তে দ্রৌণিঃ পুত্রহন্তা মহাত্মনাম্ ॥৫৩॥

অসিগী য়েৎথংবা লুম্নবা শরুকপু শৈবৎ কোবা শগোলনা চিংলে । ওয়থংবদা সুগ্রীব কৌবা শগোলনা পুরি । অনিসিগী মাঙদা মেঘপুষ্প-বলাহক কোবা শগোল অনিনা থোইনা নিঙথিজরি ॥৪১– ৪৩॥ রথ অসিগী মথক্তা বিশ্বকর্ম্মানা শাবা রত্নচিংবা ধাতু মথল মথল্লা থাম্নবা কিয়াল চৈথোক্ অম য়ুংলি । মাস কৃষ্ণমক্তী মায়াগী মূর্ত্তি অম ওইনা উরি ॥৪৪॥ কিয়াল চৈথোক অসিগী মতোক্তা মাগী অকোয়বদা মশেক মঙাল্ল তঙপ তরেংমা ঙাল্লিবা গরুড়না পাইশিল্লক্তুনা তোংলরি । কিয়াল অসি গরুড়মক্কি মূর্ত্তি মওং অম ওইনা উই । অদুমক্তনা কৃষ্ণবু গরুড়ধ্বজ হায়নস্ম খঙনৈ ॥৪৫॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণ, ধনুর্দ্ধারী অথোইবা অর্জ্জুন অদুগা ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠির অহুম অসি রথ অসিদা কাখৎলি ॥৪৬॥ কৃষ্ণগী নাকল অনীদা মহাত্মা যুধিষ্ঠির অমদি বল্লব' অর্জ্জুন অনিসি ইন্দ্রগী নাক্ত লেপ্পা অশ্বিনিকুমার অনিগী মতৌঙম্না থোইনা নিঙথিজৈ ॥৪৭॥ কৃষ্ণনা অনি অসিবু রথ মথক্তা কাখৎহল্লবা তুংদা শাজৈ থাদ্রনা শগোলশিং অদুবু তুংশিৎকি মমাঙ থানা থৌরকলে ॥৪৮॥ যদুশাগৈগী অথোইবা কৃষ্ণগা পাণ্ডব অথোইবা যুধিষ্ঠির অর্জ্জুনগা অহুম্ন তোংখৎলবদুদা শগোল মরিসি নোংমদোনথক্তা পাইবগুম্ মথোঙশিং অদু কৈপাক তাবা নংহৌদনা রথ অদুবু পুরক্লই ॥৪৯॥ শগেলশিং অসিনা কৃষ্ণবু থল্লাং য়াঙনা পুরকপা মতমসিদা চিঙথক চিঙমাংদা কন্না পাইথরকপা উচেক্কী শউমগী মখোলগুম্না রথ অসি তংদুনা পাইরক্লে ॥৫০॥ ভরতবংশগী অথোইবা । নিপা অথোইবা অহুম্ অসিনা প্রপ তানখৎলকপদা ভীমসেন তারবা কংলে ॥৫১॥ মহারথী কৃষ্ণ, যুধিষ্ঠির, অর্জ্জুন অহুম্সিনা থাম্বু শাউবনা মৈ হৌরবা, য়েক্নবা হাংকে হায়দুনা মবুক্ত লেপ্লবা ভীমবু থাম্ব-থিংবা ঙম্থিদ্রে ॥৫২॥ কল্লবা মহাধনুর্দ্ধারী

স দদর্শ মহাত্মানমুদকান্তে যশস্বিনম্। কৃষ্ণদ্বৈপায়নং ব্যাসমাসীনমৃষিভিঃ সহ ॥৫৪॥
তত্রৈব ক্রূরকর্ম্মাণং ঘৃতাক্তং কুশচীরিণম্। রজসা ধ্বস্তমাসীনং দদর্শ দ্রৌণিমন্তিকে ॥৫৫॥
তমভ্যধাবৎ কৌন্তেয়ঃ প্রগৃহ্য সশরং ধনুঃ। ভীমসেনো মহাবাহুস্তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি চাব্রবীৎ ॥৫৬॥
স দৃষ্ট্বা ভীমধন্বানং প্রগৃহীতশরাসনম্। ভ্রাতরৌ পৃষ্ঠতশ্চাস্য জনার্দ্দনরথে স্থিতৌ।
ব্যথিতাত্মাভবদ্দ্রৌণিঃ প্রাপ্তঞ্চেদমমন্যত ॥৫৭॥
স তদ্দিব্যমদীনাত্মা পরমাস্ত্রমচিন্তয়ৎ। জগ্রাহ চ স চৈষীকাং দ্রৌণিঃ সব্যেন পাণিনা ॥৫৮॥
স তামাপদমাসাদ্য দিব্যমস্ত্রমুদীরয়ৎ। অমৃষ্যমাণস্তান্ শূরান্ দিব্যায়ুধধরান্ স্থিতান্।
অপাণ্ডবায়েতি রুষা ব্যসৃজদ্দারুণং বচঃ ॥৫৯॥
ইত্যুক্ত্বা রাজশার্দ্দূল। দ্রোণপুত্রঃ প্রতাপবান্। সর্ব্বলোকপ্রমোহার্থং তদস্ত্রং প্রমুমোচ হ ॥৬০॥

কৃষ্ণনাচেৎবা অড়মসিনা য়েঃনয়েনা ভীম অঞ্জি প্রপ্রাণ চৎবিজুনা গঙ্গা মপাল য়োঞ্জে। মরমদি মচাশাংবু হাৎএবা অশ্বত্থামা অঞ্জি মহা মপ্রাল কোঞ্জে হায়মসী মীসী মচান্দগী ভীমনা তাঞ্জবনি ॥৫৩॥ গঙ্গা মপান্দা ভীমনা কমি উবলে হায়বেবু মুহঅ ঔঞরবা, ম্রিচে চাউরবা বেদব্যাস অসি অতোপ অতোপ্পা ঋষিশিংগা জোয়ুননা গঙ্গা মুপান জদুগা কমচুনা লৈরি ॥৫৪॥ ভীমনা অশ্বত্থামাবু মকম অড়দা কমচুনা লৈবঙ্গু উয়ে। মতম অসিদা তমুখিবা ধবক্ তোয়বা অশ্বত্থামা অসি কুশতনা শাবা কৌপীন অম শেন্তুনা মশাদা ঘী তৈশিল্লগা উফুল রাইফুল অম্বুক্ মশা পুম্বা চাইশিন্দুনা ঈরাউ রাউনা মুনিশিং অড়গী মহক্কা লৈশিন্দুনা কমচুনা লৈ ॥৫৫॥ মতম অড়দা ভীমসেন লীরুং পায়খত.না লীরী তওহাপ হাপ্তুনা তেলা খোংনা খোংনা "লৈরম্মু-লৈরম্মু নং।" হায়ড়না প্রপ্রাপ চেঙ্গিল্লকই ॥৫৬॥ অকিবগী মশক ওইয়বা লীরুং পায়বা ভীমনা থেঙ্গা খোংচুনা লৈরি। তুংদা যুধিষ্ঠিরগা অর্জ্জুনগসু কৃষ্ণগী রথদা তোংতনা লৈরি। মাঙ্ উবদা অশ্বত্থামা অসি কিবনা খক্ খক্ নীকলে। "মতম অসিদা মাস্যিক তোকম্ খোক্লে" হায়না অশ্বত্থামানা খল্লি-॥৫৭॥ অড়দগী অশ্বত্থামানা মীৎমুকেন্দা লৈতবা মহাশস্ত্র অড়বু স্মরণ তৌয়কই। খুৎলাম মড়ুগী চপ চান্বা মহামন্ত্র অড় শোয়া শোম্ন অশ্বত্থামানা শীওনাং অম থেক্তুনা পায়খৎলি ॥৫৮॥ মীৎমুকেন্দা লৈতবা খুৎলায় লৈবা অকনবাশিং অড়না থুংহয়ংড় উবদা মাগী খুৎলায় অড়বু তৌবায় লায়না খাওবা ওবা চাতমি হাকংসি কন্দচুনা অশ্বত্থামানা ব্রহ্মশির হায়ব খুৎলায় অড়বু খায়গে হায়না থায়। শাউবনা ঈপা পাখৎলবা অশ্বত্থামানা "পাণ্ডবশিংসে চৌজকমক তুমহল্লো" হায়না তমশিরবা রাহৈসি হায়রকই। ॥৫৯॥ নিংথৌ অথোইবা। মতৌকমওণ চাউরবা অশ্বত্থামানা রাকৈ অসি হায়রগা জগৎপুম্ব সুমহৎইল্লগে হায়বগী মতাওম ব্রহ্মশির কৌবা খুৎলায় অড়বু খাঙোরকলে ॥৬০॥ অড়গী তুংদা মরোল অড়বু চাকথেক্লগে হায়বগী মতাওম মন্ত্রগীশক্তিনা

ততস্তস্মাস্মিষীকায়াং পাবকঃ সমজায়ত । প্রধক্ষ্যন্নিব লোকাংস্ত্রীন্ কালান্তকযমোপমঃ ॥৩১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক-

পর্ব্বণি ঐষীকে ব্রহ্মশিরোঽস্ত্রত্যাগে ত্রয়োদশোঽধ্যায়ঃ ॥০।

— —:o:— —

পাইশিল্লকলিবা শাংনাং মথোক অদুদা প্রশনগী মতমগী মমরাজগী মশক ওইরবা মৈগী মচৈশ অমা কাপথোরকই ॥৩১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিকপর্ব্বদা ঐষীকগী মনুংদা "ব্রহ্মশিরোস্ত্রত্যাগ„ কী তরাহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জ্জুননা খুৎলায় থাবগী মতাং)

চতুর্দ্দশোঽধ্যায়ঃ

তরামরিশুবা অধ্যায় ।

— —:※:— —

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

ইঙ্গিতেনৈব দাশার্হস্তমভিপ্রায়মাদিতঃ । দ্রৌণের্বুদ্ধ্বা মহাবাহুরর্জ্জুনং প্রত্যভাষত ॥১॥

অর্জ্জুনার্জ্জুন ! যদ্দিব্যমস্ত্রং তে হৃদি বর্ত্ততে । দ্রোণোপদিষ্টং তস্যায়ং কালঃ সংপ্রতি পাণ্ডব ! ॥২॥

ভ্রাতৄণামাত্মনশ্চৈব পরিত্রাণায় ভারত ! । বিসৃজৈতত্ত্বমপ্যাজাবস্ত্রমস্ত্রনিবারণম্ ॥৩॥

কেশবেনৈবমুক্তস্তু পাণ্ডবঃ পরবীরহা । অবাতরদ্রথাত্তূর্ণং প্রগৃহ্য সশরং ধনুঃ ॥৪॥

বৈশমপায়ননা হায়ঃ— মহারাজ ! জনমেজয় ! কমবা কৃষ্ণনা অহান,বদা অশ্বথামাগী মীত্তানাতা মীৎয়েংদু উবদা মানাত্তোগদোরিবদু থওাদাকুনা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা অদুম্না হায়রকই ॥১॥ পাণ্ডুনন্দন ! অর্জ্জুন ! অর্জ্জুন ! দ্রোণনা মমাঙৈওদা তাম্বিবিবা লাইগী খুৎলায় অদু নং নীওশিওভিদনা । মাহু থাননবগী শীজিম্নবগী মতম ওইরে অর্জ্জুন ! ॥২॥ ভরতনন্দন ! নশাবু অদুগা নচাম্নাওশিংবু কমনবা অশ্বথামাগী খুৎলায় অসি ভাকৃথোরবা মীরম্লেন্দা নৈতবা খুৎলায় হৌজিক্ হৌজিক্ ! ॥৩॥ কৃষ্ণনা অসুম্ হেক হায়রক্পদা অর্জ্জুন অসি লীকং তেল পারথতুনা রথদগী হেক, চোংথৈ ॥৪॥ "অহানবদা অশ্বথামাগী অদুগী তুংদা ঊশাগী, অদুদগী ইচৌনইনাওশিং,

পূর্ব্বমাচার্য্যপুত্রায় ততোঽনন্তরমাত্মনে । ভ্রাতৃভ্যশ্চৈব সর্ব্বেভ্যঃ স্বস্তীত্যুক্ত্বা পরন্তপঃ ॥৫॥
দেবতাভ্যো নমস্কৃত্য গুরুভ্যশ্চৈব সর্ব্বশঃ । উৎসসর্জ্জ শিবং ধ্যায়ন্নস্ত্রমস্ত্রেণ শাম্যতাম্ ॥৬॥

([illegible])

ততস্তদস্ত্রং সহসা সৃষ্টং গাণ্ডীবধন্বনা । প্রজজ্বাল মহার্চ্চিষ্মদ্যুগান্তানলসন্নিভম্ ॥৭॥
তথৈব দ্রোণপুত্রস্য তদস্ত্রং তিগ্মতেজসঃ । প্রজজ্বাল মহাজ্বালং তেজোমণ্ডলসংবৃতম্ ॥৮॥
নির্ঘাতা বহবশ্চাসন্ পেতুরুল্কাঃ সহস্রশঃ । মহদ্ভয়ঞ্চ ভূতানাং সর্ব্বেষাং সমজায়ত ॥৯॥
সশব্দমভবদ্ব্যোম জ্বালামালাকুলং ভৃশম্ । চচাল চ মহী কৃৎস্না সপর্ব্বতবনদ্রুমা ॥১০॥
তাবস্ত্রতেজসা লোকাংস্তাপয়ন্তৌ ততঃ স্থিতৌ । মহর্ষী সহিতৌ তত্র দর্শয়ামাসতুস্তদা ॥১১॥
নারদঃ সর্ব্বভূতাত্মা ভারতানাং পিতামহঃ । উভৌ শময়িতুং বীরৌ ভারদ্বাজধনঞ্জয়ৌ ॥১২॥
তৌ মুনী সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞৌ সর্ব্বভূতহিতৈষিণৌ । দীপ্তয়োরস্ত্রয়োর্মধ্যে স্থিতৌ পরমতেজসৌ ॥১৩॥

(যুগ্মকম্)

অদুদগী অতোপ অতোপ্পশিংগী মঙ্গল ওইসনু অহুম্না হায়রগা অর্জ্জুননা লাইরাম্ খিবীক্তা গুরুজনশিংদা খুরুমলগা, অগৎকি মঙ্গলবু খন্না খন্না— "ঐগী খুৎলায় অসিনা অশ্বত্থামাগী খুৎলায়বু ভাকখোকপা ওইসনু" অহুম্না হায়রগা য়েক্রব ওম্বা অর্জ্জুনসু ব্রহ্মাশির কৌবা খুৎলায় অদু থাদোরকই ॥৫-৬॥ অর্জ্জুননা লংশিল্লকলিবা মৈরিথোক্তা চাক্লবা ব্রহ্মশির হায়বা খুৎলায় অসি প্রলয়গী মৈগী মতৌ-ওম্না মায়কৈ পুম্বা পুমত্তাল ভাম্ন চাকপা হোরকলে ॥৭॥ মতৌ অসিওম্না অশ্বত্থামানা থাদোরকলিবা ব্রহ্মাশির অদুসু মায়কৈ পুম্বা পুমত্তাল ভালহম্না মৈ ফ্রু ফ্রু হোৎনা চাক্লা চাক্লা পাইশিল্লকই ॥৮॥ মতম অসিদা জুংশিৎ ইপোম্ অমি ফুনবগী মখোলগা লোয়ননা মৈরি ক.. কয়া পাইখোরকই । শংভাইশেল লিশিং লিশিং পাইখোয়রকই । জীব পানবা পুম্নমক্কী মক.. অকিবগী থৌদোক অম ওইখ্রে ॥৯॥ নোংমগোম্থক্তা অকিবগী মশক্ ওইরবা খোল্লাউ তাথি । মৈরু-শিংদো অমুমমুম শঙ্খোকুলকুলে । চাউ মান তুরেলগা লোয়নরবী পৃথ্বী অসি থক্ থক্ নিকই ॥১০॥ মতম অসিদা অর্জ্জুনগা অশ্বত্থামাগা অনি অসি মাগী মাগী খুৎলায়না মি পুম্নমক্কি থম্মো য়দা অকিবা মিপাইবা পোকহল্লুনা মাঙনতাক্লবা তৌনরক্লবা থৌদোক অসি নারদগা বেদব্যাসগা অনিনা উরে ॥১১॥ মতম অসিদা অগৎকি কান্নবক্ত থল্লবা নারদগা ব্যাসগা অনিনা অর্জ্জুন অশ্বত্থামা অনিবু থামজিনগে চায়না থল্লকলে অদুগী তুংদা ধর্ম্মগী তত্ত্ব পুম্ন খঙলবা, জীব পানবা পুম্নমক্কি মঙ্গল ওইনবক্ত থম্নবা মহাতেজ লৈরবা নারদগা ব্যাসগা অনিনা মখোয় অনিগী খুৎলায় অনিদুগী মরক্তা চপ লেপ্লি ॥১২—১৩॥ অদুগী তুংদা তপস্যাগী শক্তিনা লাকচম কাউ-

ততস্তরমথাধৃষ্যাবুপাগম্য যশস্বিনৌ । আস্তামৃষিবরৌ তত্র জ্বলিতাবিব পাবকৌ ॥১৪॥
প্রাণভৃদ্ভিরনাধৃষ্যৌ দেবদানবসম্মতৌ । অস্ত্রতেজঃ শময়িতুং লোকানাং হিতকাম্যয়া ॥১৫॥

(যুগ্মকম্)

ঋষী উচতুঃ ।

নানাশস্ত্রবিদঃ পুর্ব্বে যেহপ্যতীতা মহারথাঃ । নৈতদস্ত্রং মনুষ্যেষু তৈঃ প্রযুক্তং কথঞ্চন ।
কিমিদং সাহসং বীরৌ ! কৃতবন্তৌ মহাত্যয়ম্ ॥১৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক পর্ব্বণি ঐষীকে অর্জ্জুনাস্ত্রত্যাগে চতুর্দ্দশোহধ্যায়ঃ ।০।

— —:(০):— —

মদবা, মি'চৎ চাউরবা নারদগা ব্যাসগা অনিনা মৈ মপৈ অনিচগী মরক্তা লেপ্লগা মখোয় অনিস্নু মৈবুল অনিগী মশক্ ওইশ্রে । মখোয় অনিসি অমনা ওম্‌কত্রব। অদুগা জগৎকি জীব পুম্মমক্তী কান্নবা মঙ্গল ওইবত খল্লবা মুনি অনীনি । জগৎকী কান্নবগীদমক্তা মখোয় অনীনা য়োথ্রে । ত্তেজ অনিচুম্ত মুখৎকে হায়না খল্লকলে ॥১৪—১৫॥ অদুগী তুংদা নারদ ব্যাস অনিনা হায়রকই:— শাস্ত্র পুম্বা খঙলবা মমাঙৈদদি মহারথী কল্ল কল্লবা কয়া হোথ্রে । মখোয় কনাগুম্বা অমতনা অসিগুম্বা খুংলায়বু তাইবং মীগী মথক্ত খক্ শাজিন্নখিদে । অচুনা অকনবা অনি ! করিগীনো নখোয় অনিনা জগৎকী মাঙন তারনবা খুংলায়সি শাজিন্নরকৃলিবা ॥১৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিক পর্ব্বদা ঐষীকগী মনুংদা " অর্জ্জুনাস্ত্রত্যাগ „ কী তরামরিগুবা অধ্যায় লোইরে

— —:*:— —

শ্রীমহাভারতম্

(ব্রহ্মশির খুৎলায়না পাণ্ডবকী গর্ভদা চঙখিবা)

পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ।

তরামঙাশুবা অধ্যায়

———:•:———

বৈশম্পায়ন উবাচ।

দৃষ্ট্বৈব নরশার্দূল! তাবগ্নিসমতেজসৌ। সংজহার শরং দিব্যং ত্বরমাণো ধনঞ্জয়ঃ ॥১॥
উবাচ বদতাং শ্রেষ্ঠ স্তাবৃষী প্রাঞ্জলিস্তদা। প্রযুক্তমস্ত্রমস্ত্রেণ শাম্যতামিতি বৈ ময়া ॥২॥
সংহৃতে পরমাস্ত্রেঽস্মিন সর্বানস্মানশেষতঃ। পাপকর্মা ধ্রুবং দ্রৌণিঃ প্রধক্ষ্যত্যস্ত্রতেজসা ॥৩॥
যদত্র হিতমস্মাকং লোকানাঞ্চৈব সর্বথা। ভবন্তৌ দেবসঙ্কাশৌ তথা সংমন্তুমর্হথঃ ॥৪॥
ইত্যুক্ত্বা সংজহারাস্ত্রং পুনরেব ধনঞ্জয়ঃ। সংহারো দুষ্করস্তস্য দেবৈরপি হি সংযুগে ॥৫॥
বিসৃষ্টস্য রণে তস্য পরমাস্ত্রস্য সংগ্রহে। অশক্তঃ পাণ্ডবাদন্যঃ সাক্ষাদপি শতক্রতুঃ ॥৬॥
ব্রহ্মতেজোদ্ভবং তদ্ধি বিসৃষ্টমকৃতাত্মনা। ন শক্যমাবর্তয়িতুং ব্রহ্মচারিব্রতাদৃতে ॥৭॥

বৈশম্পায়ননা হায় :— তাও মহারাজ জনমেজয়! মাগী খুৎলায়গী মাঙদা তেজ বল্লবা মুনি অনিনা লেপ্পুনা লৈবকু উবদা অর্জ্জুননা থুনা য়াঙনা মাগী খুৎলায়গী তেজ অড থম লোশিনবা হৌই ॥১॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা মহারাজ। অর্জ্জুননা খুৎ লোয়দুনা ঋষি অনীদা অসুম্না হায়রকই——ঐগী খুৎলায়না অশ্বত্থামাগী খুৎলায় আস থিংথিসনু হায়দুনা খুৎলায় অসি ঐনা থাদুখিবনি ॥২॥ ঐনা ঐগী খুৎলায় অসিবু চায়না থিংদুনা লোশিল্লবদি পাপী অশ্বত্থামাদি মাগী খুৎলায় অসিনা ঐখোয়পুম্নমকপু চাকথেক্হনখিবা তারে ॥৩॥ অদুনা ঐখোয়গী মুমদি, জুগৎপুম্নগী মঙ্গলনীদবক্তা ল্যাইগীশক্তি পুম্নরা ঋষি অনিনা রাথদা অমুক্তা থনবিয়ু ॥৪॥ অদু হায়রগা অর্জ্জুননা মাগী খুৎলায় অদুবু মপুংফানা লোইশিনখ্রে লাক্কা ব্রহ্মশির কৌবা খুৎলায়বু লোইশিন খোমদিনবসে স্বর্গগী ল্যাইমায়মক্তসু তঙ্কদবনি ॥৫॥ ব্রহ্মশির হায়বসি অৎসুম্পুংবু থাদোকশ্রবদি মতম অদুদা অর্জ্জুন নত্তনা কনাগুম অমতনা তমদবা'ন। অমুক কদি হাযগনি ইন্দ্রকাগুম্বা খুৎলায় অসিবু খামদিনবা, লোইশিনবা তমদ্রিবনি ॥৬॥ মরমদি ব্রহ্মশির হায়বা খুৎলায়দু ব্রহ্মতেজদগী পোকখিবনি মরম অদুনা ব্রহ্মচর্য্য নত্তনা থজোয়শেংদবা মীনা অপুক্তংতুম শীজিন্নথবদি শীজিন্নবিবা মগ্যাক্তা তেজ অসিবু অমুক লোশিনবা তমদে ॥৭॥

অচীর্ণব্রহ্মচর্য্যো যঃ সৃষ্ট্বাবর্ত্তয়তে পুনঃ। তদস্ত্রং সানুবন্ধস্য মূর্দ্ধানং তস্য কৃন্ততি ॥৮॥
ব্রহ্মচারী ব্রতী চাপি দুরাচারমবাপ্য তৎ। পরমব্যসনার্ত্তোঽপি নার্জ্জুনোঽস্ত্রং ব্যমুঞ্চত ॥৯॥
সত্যব্রতধরঃ শূরো ব্রহ্মচারী চ পাণ্ডবঃ। গুরুবর্ত্তী চ তেনাস্ত্রং সংজহারার্জ্জুনঃ পুনঃ ॥১০॥
দ্রৌণিরপ্যথ সংপ্রেক্ষ্য তাবৃষী পুরতঃ স্থিতৌ। ন শশাক পুনর্ঘোরমস্ত্রং সংহর্ত্তুমোজসা ॥১১॥
অশক্তঃ প্রতিসংহারে পরমাস্ত্রস্য সংযুগে। দ্রৌণির্দীনমনা রাজন্! দ্বৈপায়নমভাষত ॥১২॥
উত্তমব্যসনার্ত্তেন প্রাণত্রাণমভীপ্সুনা। ময়ৈতদস্ত্রমুৎসৃষ্টং ভীমসেনভয়ান্মুনে! ॥১৩॥
অধর্ম্মশ্চ কৃতোঽনেন ধার্ত্তরাষ্ট্রং জিঘাংসতা। মিথ্যাচারেণ ভগবন্! ভীমসেনেন সংযুগে ॥১৪॥
অতঃ সৃষ্টমিদং ব্রহ্মন্! ময়াস্ত্রমকৃতাত্মনা। তস্য ভূয়োঽদ্য সংহারং কর্ত্তুং নাহমিহোৎসহে ॥১৫॥
বিসৃষ্টং হি ময়া দিব্যমেতদস্ত্রং দুরাসদম্। অপাণ্ডবায়েতি মুনে! বহ্নিতেজোঽনুমন্ত্র্য বৈ ॥১৬॥
তদিদং পাণ্ডবেয়ানামন্তকায়াভিসংহিতম্। অদ্য পাণ্ডুসুতান্ সর্ব্বান্ জীবিতাদ্ভ্রংশয়িষ্যতি ॥১৭॥

ব্রহ্মচর্য্য ব্রতবু তৌদনা থুৎলায় অসিবু থাদোকপ্রগা অমুক লোইশিনগে হোৎনরবদি মহাক মশামকী কোকপু অদুগা মাগী খোঙ্লোয় পুয়মকপুসু ককই ॥৮॥ মমাঙৈদা অর্জ্জুন অসি ব্রহ্মচর্য্য ব্রত মপুংফানা তৌখি। দুর্য্যোধনচিংবনা মীনা খাণবা ওমদবা অরাব থুদোংথীবা কয়া পীথিদুমসু অর্জ্জুননা করিগুম্বদা থুংলায় শীজিন্নখিদে ॥৯॥ অর্জ্জুন হায়বসি সত্যবাদীনি, অকনবনি, ব্রহ্মচারী ওইদুনা গুরুজননা হায়বইনব মীশক্ অমওইখিবনি। অদুনা অর্জ্জুননা ব্রহ্মশির কৌবা থুংলায় অশিবু মশানাথাদোক্প্রগা মশামক্তা অমুক্ লোইশিনবা ঙমখি ॥১০॥

অদুগা অশ্বত্থামাদি মহাক্কি থুংলায়দগী মথাঙদা ঋষি অনিদুমু উনা উনা মহাক্কি থুংলায়দুবু লোইশিন থামজিনবা খোমজিনবা ঙমখিদে ॥১১॥ নিংথৌ! অশ্বত্থামানা মশাগী থুংলায়দুবু লোইশিনবা থামজিনবা হৈতবা ঙমদবদুদা য়াম্না বানা ঈকায়রবগা লোয়ননা বেদব্যাসদা অস্মুনা হায়খিঃ— ॥১২॥ মুনি! ঐদি ভীমগী মথুংতা থুদোংখিবা থরাই থাবা কাওবা কংলগল্বা হায়বদুগী থুংশাখিবনা কিমনপ্রদুনা অফিং অকাই ওইনা থুংলায় থাদোক্চরে ॥১৩॥ ভগবন ভীমসেননা গদাযুদ্ধগী মতমদা নিয়ম কায়না লাংগী বিধিগী মাংথদা দুর্য্যোধনগী মকমদা অধর্ম্মগী থবক অম শাখিনা তৌখ্রে ॥১৪॥ মহর্ষি! শেংনা হাংদোকচগে ঐগী থম্মোয়দা অশাঙবা য়েংথিবা হায়বদু ঈয়াও য়াওদবনি চায়বদি য়াদে। অদুনা দুংতাইমনখিদবদগী ব্রহ্মশির হায়বা থুংলায় অসি ঐনা পুথোকচক্লবনি। অদুগা মসিবু অমুক থামজিন লোইশিনবদি ঙমজদ্রে ॥১৫॥ মুনি! "পাণ্ডবশিংবু মাঙহল্লসো ফুমহল্লসো" হায়না অগ্নি মন্ত্র শোন্দুনা মীয়মলেন্দা লৈতবা, লাকতম কাওমদবা থুংলায় অসি ঐনা থাদোকউরে ॥১৬॥ মসিদ অদুনা পাণ্ডবশিংগী মাঙননবগীদমক্ত সংকল্প তৌদুনা মন্ত্রগা লোয়ননা পুথোকউবা ব্রহ্মশিরনা পাণ্ডবশিংবুদি ওসি শোয়দনা চাকথেকখিব ভাবে ॥১৭॥ ব্রহ্মর্ষি! হৌজিক্তি কমদৌরি!

কৃতং পাপমিদং ব্রহ্মন্! রোষাবিষ্টেন চেতসা । বধমাণাস্ত পার্থানাং ময়াস্ত্রং সৃজতা রণে ॥১৮॥

ব্যাসউবাচ

অস্ত্রং ব্রহ্মশিরস্তাত! বিদ্বান্ পার্থো ধনঞ্জয়ঃ । উৎসৃষ্টবান্ ন রোষেণ ন নাশায় তবাহবে ॥১৯॥
অস্ত্রমস্ত্রেণ তু রণে তব সংশময়িষ্যতা । বিসৃষ্টমর্জ্জুনেনেদং পুনশ্চ প্রতিসংহৃতম্ ॥২০॥
ব্রহ্মাস্ত্রমপ্যবাপ্যৈতদুপদেশাৎ পিতুস্তব । ক্ষত্রধর্ম্মান্মহাবাহুর্নাকম্পত ধনঞ্জয়ঃ ॥২১॥
এবং ধৃতিমতঃ সাধোঃ সর্ব্বাস্ত্রবিদুষঃ সতঃ । সভ্রাতৃবন্ধোঃ কস্মাত্ত্বং বধমস্য কাচসি ॥২২॥
অস্ত্রং ব্রহ্মশিরো যত্র পরমাস্ত্রেণ বধ্যতে । সমা দ্বাদশ পর্জ্জণ্যস্তদ্রাষ্ট্রং নাভিবর্ষতি ॥২৩॥
এতদর্থং মহাবাহুঃ শক্তিমানপি পাণ্ডবঃ । ন বিহন্ত্যেতদস্ত্রন্তু প্রজাহিতচিকীর্ষয়া ॥২৪॥
পাণ্ডবাস্ত্বঞ্চ রাষ্ট্রঞ্চ সদা সংরক্ষ্যমেব হি । তস্মাৎ সংহর দিব্যং ত্বমস্ত্রমেতন্মহাভুজ । ॥২৫॥
অরোষস্তব চৈবাস্তু পার্থাঃ সন্তু নিরাময়াঃ । ন হ্যধর্ম্মেণ রাজর্ষিঃ পাণ্ডবো জেতুমিচ্ছতি ॥২৬॥
মণিঞ্চৈব প্রযচ্ছৈভ্যো যস্তে শিরসি তিষ্ঠতি । এতমাদায় তে প্রাণান্ প্রতিদাস্যন্তি পাণ্ডবাঃ ॥২৭॥

অশাউবগী মথা পোনখিহনা পাণ্ডবশিংবু হাংলগে হায়না লেপখিহনা ব্রহ্মশিরবু পুবোকউহনা তমখিরব পাপকী কর্ম্ম অম ননাইনা তৌজক্করে ॥১৮॥ অশ্বত্থামাগী মবুক শেংনা হায়দোরকপা রাসি তাবদা বেদব্যাসনা হায়রকই:— ঈবুঙো ! ব্রাহ্মণ ! পৃথানন্দন অর্জ্জুন আসিনু ব্রহ্মশিরগী প্রয়োগ মন্ত্র বিনিয়োগনাচিংবা শাস্ত্র বিধি কায়দনা লোইনা হৈবা খঙবনি । অদুবু মহাত্মা ওইরবা মহাক্কি কন রায়া অশাউবগী মথা পোনখিহনসু খুংলায় অসি করিজগা মতমদা শা-জিম থিজি ॥১৯॥ অদুবু মহাক্না ওস শাজয়খিবাসিদি নহাক্কী খুংলায় অসি থারমদা হৈদা অশ্ব-থামাগী মঙল ওইসনু— অসিকাওবা হায়খিবনি অদুগা মহাক্কি খুংলায় অসি মপুংফানা হৈব খঙবনা অমুকসু লোশিনখ্রে ॥২০॥ অদুগা অশ্বত্থামা ! কল্লবা, ধর্ম্ম চেল্লবা অর্জ্জুন আসিদি নহাক্কী নপাবুং গুরু দ্রোণাচার্য্যগী মাথং পাউতাক্ মতুংইন্না ব্রহ্মাস্ত্রসে কংহুনসু ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী লাকলমদগী খক্ নাহোরকৃজি ॥২১॥ অমুপ ধর্ম্ম হৈবা, খাঙহৈবা, মাগী মরাল তাকপি হৈব শাস্ত্র শস্ত্র পুম্বা হৈর খঙলবা সত্যবাদি ওইবা অর্জ্জুনবু মাগী মচিন্নাওশিংগা লোয়ননা নহাক্না হাংকে থল্লিবদি করিগীনো ? ॥২২॥ ব্রহ্মশির অমনা ব্রহ্মশিরবু থিংহনা থমজবা লমদম অদুদি লৈপাক অদুদা চহী তরানিথোই চুপ্পা নোং তাদবান ॥২৩॥ মরম্ অদুনা মসি খঙবা অর্জ্জুননা তম ওয়া জগৎকী মঙ্গলগীদমক্তা মাগী ব্রহ্মাস্ত্রনা নহাক্কী ব্রহ্মাস্ত্রবু থিংহনখিদে ॥২৪॥ অকনবঃ অশ্বত্থামা ! পাণ্ডবশিং, নশামক্ অদুগা লৈপাক অসি নহাক্না ব্রাহ্মণ অম ওইনসু তাককর কনকম থোক্পনি । অদুনা ব্রাহ্মণ ! অসিগুম তমথিরবা খুংলায় অসে লোশিল্লু ॥২৫॥ তসিনগী নংগী থম্মোয়দো অশাউব কল্লকপনচিংবা লৈতবা হায়বত্থ ওইজসনু । পাণ্ডবশিংসিনু শুংতাইরাইকনা লৈহৌসনু । রাজর্ষি ওইরবা যুধিষ্ঠির অসে ধর্ম্ম কায়না জয় তৌবদি ঈপাম পামদবনি ॥২৬॥ অদুনা ঐ বা অব হায়গে ব্রাহ্মণ ! নহাক্কী কোকথক্ক লৈরিবা মনি অসো

দ্রৌণিরুবাচ

পাণ্ডবৈর্যানি রত্নানি যচ্চান্যৎ কৌরবৈর্ধনম্ । অবাপ্তমিহ তেভ্যোঽয়ং মণির্মম বিশিষ্যতে ॥২৮॥
যমাবধ্য ভয়ং নাস্তি শস্ত্রব্যাধিক্ষুধাশ্রয়ম্ । দেবেভ্যো দানবেভ্যো বা নাগেভ্যো বা কথঞ্চন ।২৯।
ন চ রক্ষোগণভয়ং ন তস্করভয়ং তথা । এবং বীর্য্যো মণিরয়ং ন মে ত্যাজ্যঃ কথঞ্চন ।৩০।
যত্তু মে ভগবানাহ তন্মে কার্য্যমনন্তরম্ । অয়ং মণিরয়ঞ্চাহমিষীকা তু পতিষ্যতি ।
গর্ভেষু পাণ্ডুপুত্রাণামুত্তরায়াশ্চ যোদরে ।।৩১।।
ন চ শক্তোঽস্মি ভগবন্ । সংহর্ত্তুং পুনরুদ্যতম্ । এতদস্ত্রমতশ্চৈব গর্ভেষু বিসৃজাম্যহম্ ।
ন চ বাক্যং ভগবতো ন করিষ্যে মহামুনে । ৩২ ।

ব্যাস উবাচ

এবং কুরু ন চান্যা তু বুদ্ধিঃ কার্য্যা ত্বয়ানঘ ।। গর্ভেষু পাণ্ডবেয়ানাং বিসৃজ্যৈতদুপারম ।৩৩।

বৈশম্পায়ন উবাচ

ততঃ পরমমস্ত্রন্তু দ্রৌণিরুদ্যতমাহবে । দ্বৈপায়নবচঃ শ্রুত্বা গর্ভেষু প্রমুমোচ হ ।৩৪।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক
পর্ব্বণি ঐষীকে ব্রহ্মশিরোঽস্ত্রস্য পাণ্ডবগর্ভপ্রবেশে
পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ ।০।

—:(•):—

পাণ্ডবশিংদা পীথোক্লে । পাণ্ডবশিংনা মনি অসি কংলথদি নংগী থরাইবুসু কনবিগান ॥২৭॥ অশ্বত্থামানা হায়ঃ— মহর্ষি । পাণ্ডবশিং কৌরবশিংগী পুরম্পা লৈজরিবা লনথুম রাজ্যসম্পত্তি পুম্নমক অসিদগী ঐগী মনি অসিগী মমন্না য়াম্ন চেনবনি ॥২৮॥ মনি অসি শিব অমাদ পুন্দা মী মহাক অত্তগী মশাদা খুংলায়গী করিগুম্বা তমথিরবা লায়নাগী অরাম খোয়াংবগী কারণখা আকব চিংনবা অমত লৈরোই । লাইহিংচাবা গন্ধর্ব্ব লিয় চিংবদগীসু করিগুম্বা অকিব অমত লৈরোই ॥২৯॥ হিচা য়াইতম্বগী অমদি হুরানব ডাকুনচিংবদগী অকিব মীপাইবা অমত লৈতে মুনিদেব । অসিগুম্বা মনিসিগী শক্তিনি । অদুনা ঐ করিগুম্বদা মনি অসিদ থাদোক্পা ঙমজরোই ॥৩০॥ অদুগা মুনিদেবনা হায় তাকপিরিবদুমদি ঐ তৌজগে । অদুগা মনিসিগা ঐগা অনিসিদি লেপ্তদনা সুমক্ লৈজগে । অদুগা ব্রহ্মশিরগী মন্ত্র পোক্তিনরবা শীঙনাং মতেক্ অসাদ পাণ্ডবশিংগী অমত ভায়রবা পিরবা ওইনা লৈহোরগদবা উত্তরাগী গর্ভদা ঈ মতুম ও ইডুনা লৈরিবা অদুগা অসিগী মথক্তা তারুবা ওইরসু ॥৩১॥ মহর্ষি । ঐগুম্বনা মহর্ষিগী য়াথংবু ভাঙবা হায়বসে ওইথোক্তবনি; অদুবু ভগবন । থাদোরবা খুংলায় অসে ঐ থামজিন লোইশনবা ঙমজদে । অদুনা ঐ খুংলায় অসে অঙাংশিংগী মশাদা থাজিল্লগে ॥৩২॥ ব্যাসনা হায়ঃ— ব্রাহ্মণ । করে নংনা খল্লিবসিদগী হেন্না অতোপ্প বুদ্ধি অমত্তুক তৌরদু । পাণ্ডবশিংগী গর্ভদা লৈরিবা অঙাংশিদা শীজিন্নরবা তোকল্লো ॥৩৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— অসিগী তুংদা অশ্বত্থামানা বেদব্যাসগী য়া অদু তাবদা পুথোক্খিবা খুংলায় অদু পাণ্ডবশিংগী গর্ভগী অঙাংশিদা শীজিন্নখি ॥৩৪॥

অকম অসদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিক পর্ব্বদা ঐষীকদা "ব্রহ্মশিরোঽস্ত্র"গী পাণ্ডব গর্ভ প্রবেশদা তরামঙাগুবা অধ্যায় লোইরে ।

মহাভারতম্

(দ্রৌপদীয় প্রেমজিবা মতাং)

ষোড়শোঽধ্যায়ঃ

তরা তরুক শুবা অধ্যায়

বৈশম্পায়ন উবাচ।

তদাজ্ঞায় হৃষীকেশো বিসৃষ্টং পাপকর্ম্মণা। হৃষ্যমাণ ইদং বাক্যং দ্রৌণিং প্রত্যব্রবীত্তদা ॥১॥
বিরাটস্য সুতাং পূর্ব্বং স্নুষাং গাণ্ডীবধন্বনঃ। উপপ্লব্যগতাং দৃষ্ট্বা ব্রতবান্ ব্রাহ্মণোঽব্রবীৎ ॥২॥
পরিক্ষীণেষু কুরুষু পুত্রস্তব ভবিষ্যতি। এতদস্য পরিক্ষিত্ত্বং গর্ভস্থস্য ভবিষ্যতি ॥৩॥
তস্য তদ্বচনং সাধোঃ সত্যমেব ভবিষ্যতি। পরিক্ষিদ্ভবিতা হ্যেষাং পুনর্বংশকরঃ সুতঃ ॥৪॥
এবং ব্রুবাণং গোবিন্দং সাত্বতাং প্রবরং তদা। দ্রৌণিঃ পরমসংরব্ধঃ প্রত্যুবাচেদমুত্তরম্ ॥৫॥
নৈতদেবং যথাত্থ ত্বং পক্ষপাতেন কেশব!। বচনং পুণ্ডরীকাক্ষ! ন চ মদ্বাক্যমন্যথা ॥৬॥
পতিষ্যত্যেতদস্ত্রং হি গর্ভে তস্যা ময়োদ্যতম্। বিরাটদুহিতুঃ কৃষ্ণ! যং ত্বং রক্ষিতুমিচ্ছসি ॥৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— পাপকী কম তৌরবা অশ্বত্থামানা ঐষীক অস্ত্র উত্তরাগী গর্ভদা অভিমন্যুগী মচা ওনা লৈরিবা অঙাং অদুদা থাজীনথে হায়রসি খঙলকাওবদা ইন্দুং নুংঙাইনা মোমোন নোকনা শ্রীকৃষ্ণনা অশ্বত্থামাদা অসুম্না হায়খিঃ— ॥১॥ " মৎস্য দেশগী নিংথৌ বিরাটকী কন্যা, অর্জুনগী মামৌ নুপী উত্তরানা খুনয়া অমদা লৈবদু উনদা কনাগুম্বা ব্রত ঙাক্লবা ব্রাহ্মণ অমনা অসুম্না হায়খি ॥২॥ উত্তরা! কৌরব পাণ্ডবকী লান্থোক্লাও অসিন থেক তোইবগ নচানুপা অম পোকলি। মরম অদুনা অঙাংসিগী মিং পরিক্ষিৎ অসুম হায়না কৌগনি ॥৩॥ মধুর ব্রাহ্মণ অদুগী ৱাহৈ অদু থুম্না তৌগনি পাণ্ডববংশগী শিবা ওইহৌগদবা পরিক্ষিৎ হায়না কৌবা অঙাং অম শোয়দনা পোকলি ॥৪॥ সাত্বতবংশগী কৃষ্ণনা অসুম্না হায়রকলবদা রাগ্না শাউনা অশ্বত্থামানা কৃষ্ণদা হায়রকই:— ॥৫॥ কৃষ্ণ! নহাক্না পাণ্ডবশিংগীতং মীচঙ চঙলনা হায়রিবসি থক অদুম্বা ওইরোই। হয়রমদি কৃষ্ণ! পুণ্ডরীকাক্ষ! ঐখোয়গী ঐনা হায়রিবদো অৱানবা থক ওইরোই ॥৬॥ কৃষ্ণ। নশাথক্কা কনগে নৌতলিবা, উত্তরাগী গর্ভদা লৈরিবা অঙাং আসে, অসিগী মথক্তা ঐগী ঐষীকাস্ত্র অসিনা তাবা ওইগনি ॥৭ কৃষ্ণনা হায়ঃ— অশ্বত্থামা নহাক্কী অদিবী

ভগবানুবাচ

অমোঘঃ পরমাস্ত্রস্য পাতস্তস্য ভবিষ্যতি । স তু গর্ভো মৃতো জাতো দীর্ঘমায়ুরবাপ্স্যতি ॥৮॥
ত্বান্তু কাপুরুষং পাপং বিদুঃ সর্ব্বে মনীষিণঃ । অসকৃৎ পাপকর্ম্মাণং বালজীবিতঘাতকম্ ।
অস্মাত্ত্বমস্য পাপস্য কর্ম্মণঃ ফলমাপ্নুহি ॥৯॥
ত্রীণি বর্ষসহস্রাণি চরিষ্যসি মহীমিমাম্ । অপ্রাপ্নুবন্ ক্বচিৎ কাঞ্চিৎ সংবিদং জাতু কেনচিৎ ॥১০॥
নির্জনানসহায়স্ত্বং দেশান্ প্রবিচরিষ্যসি । ভবিত্রী ন হি তে ক্ষুদ্র ! জনমধ্যেষু সংস্থিতিঃ ॥১১॥
পূযশোণিতগন্ধী চ দুর্গকান্তারসংশ্রয়ঃ । বিচরিষ্যসি পাপাত্মন্ ! সর্ব্বব্যাধিসমন্বিতঃ ॥১২॥
বয়ঃ প্রাপ্য পরিক্ষিত্তু বেদব্রতমবাপ্য চ । কৃপাচ্ছারদ্বতাচ্ছূরঃ সর্ব্বাস্ত্রাণ্যুপলপ্স্যতে ॥১৩॥
বিদিত্বা পরমাস্ত্রাণি ক্ষত্রধর্ম্মব্রতে স্থিতঃ । ষষ্টিং বর্ষাণি ধর্ম্মাত্মা বসুধাং পালয়িষ্যতি ॥১৪॥
ইতশ্চোর্দ্ধং মহাবাহুঃ কুরুরাজো ভবিষ্যতি । পরিক্ষিন্নাম নৃপতির্মিষতস্তে সুদুর্ম্মতে ! ॥১৫॥
অহং তং জীবয়িষ্যামি দগ্ধং শস্ত্রাগ্নিতেজসা । পশ্য মে তপসো বীর্য্যং সত্যস্য চ নরাধম ! ॥১৬॥

মশক্ ওইরবা খুংলায় অসিগী অরেম্বদা থক্ মাঙলোই । অদুনা উত্তরাগী গর্ভদা লৈরিবা অঙাং অসিগী খুদক্তা শিগনি । অদুগা অমুক অঙাং অসে হিংগনি, কুইনগী পুনশিনি ॥৮॥ বুদ্ধিমান ওইবা অশিংবা মীশিংনা খঙহুনা লৈরিবনি, মাদুদি, অশ্বত্থামা নহাক অসে মশা পূকব অমনি । পাপীনি, হন্না হন্না পাপকী থবক তৌরবনি । হৌজিকপু নহাক মরাল লৈত্রবা গর্ভদা লৈরিবা অঙাং অসিবু হাৎকদবগী হোৎনরি । নহাক্ পাপকী থবকাসগী মহৈ ফংঙ্ ॥৯॥ নং চহী লিশিং অহুম চুপ্পা কৰিগুম্বা কালদা করিগুম্ব মকমদা কনা অমতগী পুঙ্ঙাই য়াইকবগী ৱাৱী ৱাতাই শানবগী পুঙ্ঙাইবা পাম্থবা ফংদনা পৃথিবীগী মফম খুদিংদা কোয়চৎ চৎতুনা সুম্মক্ মরৈশ্রনবনি ॥১০॥ পূকচেল পীক্রবা ব্রাহ্মণ ! সহায় উপায় লৈতবা মঙংদা নহাক্ কোয়চৎ চৎতুনা লৈখো মিয়মদা সমাজদা নংগী লৈফম চঙফম অমত লৈতবা ওইগনগু ॥১১॥ পাপী ! নহাক ঈ নাইনা থল্লবা চডব চৎপদা রাৱবা উমং রামংদা কোয়চৎ চৎতুনা ব্যাধি পুম্নমক্না নশাদা পুমহুনা অতম লৈগগদবনি ॥১২॥ অদুগা অসোমদনা উত্তরাগী গর্ভগী পোকলকপা মচা পারক্ষিৎ হায়বসিনা চহী মঙাং চানা ব্রহ্মচারি ওইহুনা শরদ্বানগী মচা কৃপাচার্য্যদগী খুৎলায় পুম্বা তমগনি হৈগনি ॥১৩॥ ধর্ম্ম চেল্লবা পরিক্ষিৎ হায়বদুনা শাস্ত্র শস্ত্র পুম্নমক হৈহনা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্ম কায়দনা চহি হুম্ফু চুপ্প নিংথৌ ওইহুনা পানগনি ॥১৪॥ পূকচেল থাৱবা নং হিংলিঙৈদা নংগী নমাঙ্ঙমক্তনা উত্তরাগী মচা পরিক্ষিৎ কুরুবংশগী নিংথৌ ওইহুনা পানগদৌরিবনি ॥১৫॥ পূকচেল পীক্রবা ! নংগী ব্রহ্মাস্ত্রনা চাকৎখ্রবগী ঐনা অঙাং অসিবু হিংহনগনি কনগনি কনগনি । নংনা ঐগী তপস্যাগী শক্তিগু য়েংঙ্ ॥১৬॥ বেদব্যাসনা হায়ঃ— অশ্ব-

ব্যাস উবাচ ।

যস্মাদনাদৃত্য কৃতং ত্বয়াস্মান্ কর্ম্ম দারুণম্ । ব্রাহ্মণস্য সতশ্চৈব যস্মাত্তে বৃত্তমীদৃশম্ ॥১৭॥
তস্মাদ্‌যদ্দেবকীপুত্র উক্তবানুত্তমং বচঃ । অসংশয়ং তে তদ্ভাবি ক্ষত্রধর্ম্মস্ত্বয়াশ্রিতঃ ॥১৮॥
(যুগ্মক·

অশ্বত্থামোবাচ ।

সহৈব ভবতা ব্রহ্মন্! স্থাস্যামি পুরুষেষ্বিহ । সত্যবাগস্তু ভগবানয়ঞ্চ পুরুষোত্তমঃ ॥১৯॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

প্রদায়াথ মণিং দ্রৌণিঃ পাণ্ডবানাং মহাত্মনাম্ । জগাম বিমনাস্তেষাং পশ্যতাং সর্ব্বেষাং বনম্ ॥২০॥
পাণ্ডবাশ্চাপি গোবিন্দং পুরস্কৃত্য হতদ্বিষঃ । কৃষ্ণদ্বৈপায়নঞ্চৈব নারদঞ্চ মহামুনিম্ ॥২১॥
দ্রোণপুত্রস্য সহজং মণিমাদায় সত্বরাঃ । দ্রৌপদীমভ্যধাবন্ত প্রায়োপেতাং মনস্বিনীম্ ॥২২॥
(যুগ্মক·
ততস্তে পুরুষব্যাঘ্রাঃ সদশ্বৈরনিলোপমৈঃ । অভ্যয়ুঃ সহদাশার্হাঃ শিবিরং পুনরেব হ ॥২৩॥
অবতীর্য্য রথাভ্যাস্তু ত্বরমাণা মহারথাঃ । দদৃশুদ্রৌপদীং কৃষ্ণামার্ত্তমার্ত্ততরাঃ স্বয়ম্ ॥২৪॥
তামুপেত্য নিরানন্দাং দুঃখশোকসমন্বিতাম্ । পারিবার্য্য ব্যতিষ্ঠন্ত পাণ্ডবাঃ সহকেশবাঃ ॥২৫॥

থামা ! নহাক্না ঐখোয় ময়াম চঙহুনা হায়র কাওবদা তমখিরব থবক্ আস তৌরে, ব্রাহ্মণা- ওইনা পোক্লগা নংদি অসিগুম্বা ব্যবহার অসি তৌরে । কৃষ্ণনা হোজক নঙোন্দ হায়খ্রবদে শোয়দনা পোক্লগদবনি । অসগী মথক্ত নহাক্কি ব্রাহ্মণ ওইরগা ব্রাহ্মণদগী হন্থবা ক্ষত্রিয় মখোদা খুৎ লামশিল্লি ॥১৭—১৮॥ অশ্বত্থামনা হায়:— মহর্ষি ! ঐ তাইবংমগী মরক্তা নহাক লোয়নহুনা তাক্ লৈগে । মাহুতদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী ৱাশ সিসু অচুম্বা ওইগনি ॥১৯॥ বৈশম্পায়ননা হায়:— মহারাজ ! জনমেজয় ! ৱাহৈ অসি হায়রগা অশ্বত্থামানা মকোক্কী মা- অহু লৌখোক্লুনা পাণ্ডৱাশিংদা পীরম্মগা খ্বাক্তগী মঙমক্তদা বন চৎখ্রে ॥২০॥ মেরুব তুম পাণ্ডবাশিংসু অশ্বত্থামাগী পোকপদগী লোয়নরকপা মনি অহুবু পুহনা কৃষ্ণ, মহর্ষি ব্যাস অমুগ নারদনা মাঙ থারহুনা চরা হেন্দুনা শিরনি হায়না ধ্যান তৌহনা লৈরবা দ্রোপাদনা লোয়ং অদোমদা প্রপ্রপ লাকই ॥২১—২২॥ মুংশিংকি মমাঙ থানা চেল্লিবা শগোলশিং অদুগী পাখেন নিপা অথোইবশিংহুনা কৃষ্ণগা লোয়নননা লাঙ্থং অদুদা অমুক থংলে ॥২৩॥ পাণ্ডবাশিং অচৌ রথ অনিরুদ্ধগী কুমথরগা মশা তাইংকৎ তাইনা চরা হেন্দুনা লৈরবি ৱারবি দ্রোপাদ নাং চঙশিল্লকই ॥২৪॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডবশিংনা কৃষ্ণগা লোয়ননা, চোকখৎলবি, ৱারবি দ্রোপদিগী অকোয়বদা তুমিন্ন চপ চপ লেপ্লে ॥২৫॥ মতম অদুদা ভীমসেননা যুধিষ্ঠিরগী ৱাথং লৌদুনা

ততো রাজ্ঞাভ্যনুজ্ঞাতো ভীমসেনো মহাবলঃ । প্রদদৌ তং মণিং দিব্যং বচনঞ্চেদমব্রবীৎ ।২৬।
অয়ং ভদ্রে । তব মণিঃ পুত্রহন্তা জিতঃ স তে । উত্তিষ্ঠ শোকমুৎসৃজ্য ক্ষত্রধর্ম্মমনুস্মর ।।২৭।।
প্রয়াণে বাসুদেবস্য শমার্থমসিতেক্ষণে ! । যান্যুক্তানি ত্বয়া ভীরু ! বাক্যানি মধুঘাতিনি ।২৮।
নৈব মে পতয়ঃ সন্তি ন পুত্রা ভ্রাতরো ন চ । নৈব ত্বমিতি গোবিন্দ ! শমমিচ্ছতি রাজনি ।২৯।
উক্তবত্যসি তীব্রাণি বাক্যানি পুরুষোত্তমম্ । ক্ষত্রধর্ম্মানুরূপাণি তানি ত্বং স্মর্ত্তুমর্হসি ।৩০।

(বিবেকম্)

হতো দুর্য্যোধনঃ পাপো রাজ্যস্য পরিপন্থিকঃ । দুঃশাসনস্য রুধিরং পীতং বিস্ফুরতো ময়া ।৩১।
বৈরস্য গতমানৃণ্যং ন স্ম বাচ্যা বিবক্ষতাম্ । জিত্বা মুক্তো দ্রোণপুত্রো ব্রাহ্মণ্যাদ্‌গৌরবেণ চ ।৩২।
যশোঽস্য পাতিতং দেবি ! শরীরন্ত্ববশেষিতম্ । বিয়োজিতশ্চ মণিনা ভ্রংশিতশ্চায়ুধং ভুবি ।৩৩।

দ্রৌপদ্যুবাচ ।

কেবলানৃণ্যমাপ্তাস্মি গুরুপুত্রো গুরুর্মম । শিরস্ত্বেতং মণিং রাজা প্রতিবধ্নাতু ভারত । ।৩৪।

মনি অসু দ্রোপদিগী খুৎতা হাপ্লগা অস্তম হ য়রকই ॥২৬॥ নিভাখবি । নংমা পাম্ব মনিস্ত অসিন । অচুগা নচা হাৎখিবা পাপি অশ্বথামাগুসু ঐখোয়দগী পরাজয় কংদুনা চৎত্রে । অদুনা অরাবা থাদোক্তুনা হোৎলু ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মদু নিঙাশঙু ॥২৭॥ মিপাইগনবি । মিস্তা শংবান্নবি । মমাঙৈদা কৌরব পাণ্ডবকি মরক্‌া সান্ধ ভৌনহনগদবগী কৃষ্ণনা হস্তিনা নগরদা রাজসভাদা চৎলুইদে । অদুগা নিংথো মশানস্তু মাস্থ পান্মবান । মতম অদুদা নংনা ক্ষত্রিয় নিভোল, ক্ষাত্রয়গী লোয়নবী অমগী মতিক চাবা রাঙাউদা ঙাঙাখবদো নহাক্ নিঙাশঙু । " কৃষ্ণ । ঈপুরোয়বাশংদো লৈত্রবান, ঈচা ঈশু কনাঅম লৈত্রবীনি , তাচন ইনাও কনাঅ মত লৈত্রবীনি কৃষ্ণা । নহাকমকসু লৈত্রবঙুবান,, অসিন নহাক্না হায়খিবদে ॥২৮—৩০॥ ঐখোয়গী ঈরৈবাক কংননবগী লাম্বদা য়েথায়বা ওইরম্বা দুর্য্যোধন হাৎলে । নবু অরাবা পীখবা দুঃশাসন হাৎলে, রাশুকাক মতুংইন্না মথবাস্তগী ঈ খুজোক ঐনা থকলে ॥৩১॥ য়েক্কবদা খুমগদবা লমম্লগী কোকলে । অদুনা মীগী মতুংদা অমবু নিন্দা হৌবামী শিংদুংস্য ঐখোয়বু নিন্দা থক্ তৌরম্লোই অদুগী মথক্তা ঈপা হাৎপা অশ্বথামাবু মায়থীব পীয়ে । অদুগা ব্রাহ্মণনি গুরুগী মচানি হায়দুনা মথ্যাইতদি লৌবিখদে ॥৩২॥ দেবী । অশ্বথামাগী মিংচৎ পুম্বা মুৎত্রে । মপানগী মশাক্ত মঙায়য়ে মঙোক্ত লৈহৌরিব হায়দবু মাং তন্ । মুন্দুনা পুরক্লবনি । মহাকপু নমদুনা খুৎলায় থাদোকৎলবনি ।।৩৩॥ দ্রোপদীনা হায়ঃ—ভরতনন্দন পাণ্ডখোকাপরকলিবা থবক অসিনা মরম ওইদুনা শিঞ্জিবা ঈচাশিংগী মকমদা তৌজিবা লমনিসিমদি কোক্লে । গুরুগী মচানি, ব্রাহ্মণনি হায়দুনা ঐনসু অশ্বথামাবু হাৎপমক্তা রাখলমক্তি কয়া তৌরুদে মনি অসি নিংথৌমা মাগী কোক্তা থেৎসমু ॥৩৪॥ " মসিদি গুরুগী উচ্ছিষ্ট নি " অসুমা দ্রোপদীনা হায়রবদা দ্রোপ-

তং গৃহীত্বা ততো রাজা শিরস্যেবাকরোত্তদা। গুরোরুচ্ছিষ্টমিত্যেব দ্রৌপদ্যা বচনাদপি ॥৩৫॥
ততো দিব্যং মণিবরং শিরসা ধারয়ন্ প্রভুঃ। শুশুভে স তদা রাজা সচন্দ্র ইব পর্ব্বতঃ ॥৩৬॥
উত্তস্থৌ পুত্রশোকার্ত্তা ততঃ কৃষ্ণা মনস্বিনী। কৃষ্ণঞ্চাপি মহাবাহুং পরিপপ্রচ্ছ ধর্ম্মরাট্ ॥৩৭॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক-
পর্ব্বণি ঐষীকে দ্রৌপদীসান্ত্বনে ষোড়শোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

-দীনা হায়জবদগী যুধিষ্ঠিরনা মনি অদু দ্রৌপদীদগী লৌরগা কোকৃৎলক্ত হাপখি থেংখি ॥৩৫॥ মতিক মঙ্গল চাউরবা নিংথৌ যুধিষ্ঠির অসি মনি অদুবু কোক্ত থেৎপা মতমদা থানা মত্তোন্দা হাইদোরকপা চীঙজাও অমগুম্ থোইনা নিঙথিজখি ॥৩৬॥ অদুগী তুংদা দ্রৌপদী অসি মচা কায়নবগী অবাবদ পুম্ন-লুম্না য়ায় য়ানা হৌগৎলি। অদুগী তুংদা কল্লবা যুধিষ্ঠিরনা কৃষ্ণগী মকমদা হংখি ॥৩৭॥

মকম আসদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিক পর্ব্বদা ঐষীকিক মখুংদা "দ্রৌপদী সান্ত্বনা" গী ভরাতরুকপুবা অধ্যায় লোইরে।

মহাভারতম্

(কৃষ্ণগা যুধিষ্ঠিরগা ওাওনবা)

সপ্তদশোঽধ্যায়।

তরাতরেৎ শুবা অধ্যায়।

— —:•:— —

বৈশম্পায়ন উবাচ।

হতেষু সর্ব্বসৈন্যেষু সৌপ্তিকে তৈ রথৈস্ত্রিভিঃ। শোচন্ যুধিষ্ঠিরো রাজা দাশার্হমিদমব্রবীৎ ॥১॥
কথং নু কৃষ্ণ পাপেন ক্ষুদ্রেণাকৃতকর্ম্মণা। দ্রৌণিনা নিহতাঃ সর্ব্বে মম পুত্রা মহারথাঃ ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— অশ্বত্থামা কৃতবর্ম্মা, কৃপাচার্য্য অহুমনা লেমহৌরিবা পাণ্ডব পক্ষগী অকনবা লান্মীশিংবু অমত থাক্তনা হাৎখিবসিদা রয়বা লুংঙাইত্রব যুধিষ্ঠিরনা কৃষ্ণদা অসুম্না হায়খি ॥১॥ কৃষ্ণ! পাপ চেন্নবা কল্রবা অশ্বত্থামা হায়বহুনা অহুঙম্ব তৌওমদবা থবক অদুগু-ম্বক্ তপস্যা থোইনা তৌবম্ব লৈখিদে। অদুবু কয়ম্না মহাক্না ঈচাশিং অদুবু অহুক লায়না হাৎখিবনো? ॥২॥ পুৎলায় পুম্বা হৈরবা; মতীক মঙ্গল মথৌনা লৈরবা, অদুগা য়েক্তব লাম্মী

তথা কৃতাস্ত্রা বিক্রান্তাঃ সহস্রশতযোধিনঃ । দ্রুপদস্যাত্মজাশ্চৈব দ্রোণপুত্রেণ পাতিতাঃ ॥৩॥
যস্য দ্রোণো মহেষ্বাসো ন প্রাদাদাহবে মুখম্ । নিজঘ্নে রথিনাং শ্রেষ্ঠং ধৃষ্টদ্যুম্নং কথং নু সঃ ॥৪॥
কিং নু তেন কৃতং কর্ম্ম তথাযুক্তং নরর্ষভ ! । যদেকঃ সমরে সর্ব্বানবধীন্নো গুরোঃ সুতঃ ॥৫॥

ভগবানুবাচ

নূনং স দেবদেবানামীশ্বরেশ্বরমব্যয়ম্ । জগাম শরণং দ্রৌণিরেকস্তেনাবধীদ্বহূন্ ॥৬॥
প্রসন্নো হি মহাদেবো দদ্যাদমরতামপি । বীর্য্যঞ্চ গিরীশো দদ্যাদ্ যেনেন্দ্রমপি শাতয়েৎ ॥৭॥
বেদাহং হি মহাদেবং তত্ত্বেন ভরতর্ষভ ! । যানি চাস্য পুরাণানি কর্ম্মাণি বিবিধানি চ ॥৮॥
আদিরেষ হি ভূতানাং মধ্যমন্তশ্চ ভারত ! । বিচেষ্টতে জগচ্চেদং সর্ব্বমস্যৈব কর্ম্মণা ॥৯॥
এবং সিসৃক্ষুর্ভূতানি দদর্শ প্রথমং বিভুঃ । পিতামহোঽব্রবীচ্চৈনং ভূতানি সৃজ মা চিরম্ ॥১০॥
হরিকেশস্তথেত্যুক্ত্বা ভূতানাং দোষদর্শিবান্ । দীর্ঘকালং তপস্তেপে মগ্নোঽম্ভসি মহাতপাঃ ॥১১॥

জাথ অমগা থেংনবা ওস্রবা দ্রুপদ নিংথৌগী মচা কন্নবশিং অহুবু অশ্বথামা মথন্তনা করম্না
হাৎখ্রিবনো ? ॥৩॥ মহাধনুর্দ্ধারী দ্রোণাচার্য্যমক মাগী মায়োক য়াবা ঙমখিদবা রথি অথোইবা
ধৃষ্টদ্যুম্নহবুস্ন অশ্বথামা মথন্তনা করম্ন হাৎখ্রিবনো ? ॥৪॥ পুরুষোত্তম ! কৃষ্ণ ! অশ্বথামানা
করি করম্ন তপস্যা তৌদুনা মথন্তনা পাণ্ডবলাম্নিশিংবু লোইখোক্খ্রিবনো ? ॥৫॥ কৃষ্ণনা হায়
অশ্বথামানা শোয়দনা, দেবাধিদেব, ঈশ্বর অমাঙ অতা লৈত্রবা মহাদেবগী আশ্রয় লৌরম্লনি
অদুনা সংহার শক্তি মরীক অমতং ফংঙখিবনা মথন্তনা অদুগ য়াম্ব অকনবশিংবু হাৎপ ঙমখিব
ওইরিনি ॥৬॥ মরমদি মহাদেব হায়বাসনবু মপেনস্রবাদ তাইবং মীনা অমর কাওবা ওইবা
ঙম্মিবনি । মানবু পেন্নবদি তাইবং মীনা ইন্দ্র কাওবু জয় তৌবা ঙম্মবনি ॥৭॥ ভরতখাইগী
অথোইবা ! ধর্ম্মরাজ ! মহাদেবগী শক্তিগী তত্ত্ব পুম্বা ঐ মুম্না খঙি ! মহাক্না তৌখিবা
থবক্ খোদোক্ পুম্বা ঐনা লোইনা খঙদুনা লৈরিবনি ॥৮॥ ভরতনন্দন ! মহাদেব হায়বসে
ভূত পুম্নমক্কী মকোক্নি । মহাক্কি উরিবা জগৎসিগী আদিনি, মধ্যনি অদুগা অন্তনি । মহাক্কী
ঈজিত অমতদা জগৎকী অমুপ য়াম্ব থবক্ ময়াম অদুগা অচচ্চতশিং অসি মাগী মাগী মথো
তৌদুনা লৈরিবনি ॥৯॥ মতীক চাউরবা ব্রহ্মানা জগৎকী সৃষ্টি তৌগে হায়না নীংথিং মঙ্গলদুনা
ঈহান হানবদা মহাক্না মহাদেববু উথি "নহাক্না ভূতশিং অসিবু শেম্বিয়ু" হায়না ব্রহ্মানা
মহাদেবদা হায়খি ॥১০॥ অদুগী তুংদা মহাদেবনা "হৈ, মাহুমক্ ওইরসনু" অমুক হায়দুনা
শেমগদৌরিবা ভূতশিং অদুগী দোষ য়াম্না লৈবক্তু উবদা ঈশিংদা চহী কয়া লুপ্তুনা মতম কুইনা তপস্যা
তৌখি ॥১১॥ অদুগী ব্রহ্মানু মতম কুইনা মহাদেববু ঙাইদুনা লৈরবা তুংদা মথাগী সংকল্পনা

সুমহান্তং ততঃ কালং প্রতীক্ষ্যৈনং পিতামহঃ । স্রষ্টারং সর্ব্বভূতানাং সসর্জ্জ মনসাপরম্ ।১২।
সোঽব্রবীৎ পিতরং দৃষ্ট্বা গিরিশং সুপ্তমম্ভসি । যদি মে নাগ্রজোঽস্ত্যন্যস্ততঃ স্রক্ষ্যাম্যহং প্রজাঃ ।১৩।
তমব্রবীৎ পিতা নাস্তি ত্বদন্যঃ পুরুষোঽগ্রজঃ । স্থাণুরেষ জলে মগ্নো বিস্রব্ধঃ কুরু বৈ প্রজাঃ ।১৪।
স ভূতান্যসৃজৎ সপ্ত দক্ষাদীংশ্চ প্রজাপতীন্ । যৈরিমং ব্যকরোৎ সর্ব্বং ভূতগ্রামং চতুর্ব্বিধম্ ।১৫।
তাঃ সৃষ্টমাত্রাঃ ক্ষুধিতাঃ প্রজাঃ সর্ব্বাঃ প্রজাপতিম্ । বিভক্ষয়িষবো রাজন্ সহসা প্রাদ্রবংস্তদা ।১৬।
স ভক্ষ্যমাণস্ত্রাণার্থী পিতামহমুপাদ্রবৎ । আভ্যো মাং ভগবাংস্ত্রাতু বৃত্তিরাসাং বিধীয়তাম্ ।১৭।
ততস্তাভ্যো দদাবন্নমোষধীঃ স্থাবরাণি চ । জঙ্গমানি চ ভূতানি দুর্ব্বলানি বলীয়সাম্ ।১৮।
বিহিতান্নাঃ প্রজাস্তাস্তু জগ্মুঃ সৃষ্টা যথাগতম্ । ততো ববৃধিরে রাজন্ প্রীতিমত্যঃ স্বযোনিষু ।১৯।
ভূতগ্রামে বিবৃদ্ধে তু তুষ্টে লোকগুরাবপি । উদতিষ্ঠজ্জলাজ্জ্যেষ্ঠঃ প্রজাশ্চেমা দদর্শ সঃ ।২০।

অতোপ্পা সৃষ্টিকর্ত্তা অমবু মহাক্না শেমখি ॥১২॥ বিরাট পুরুষনা মহাদেবনা ঈশংদা কুইনা লুপ্পুনা লৈবন্ধ উবদা পিতা ব্রহ্মাদা বিরাট পুরুষনা হায়খিঃ— " ঐগী মাঙদা পোকাখিবা কনাগুম্বা অম লৈরবদি ঐ জগৎপু সৃষ্টি তৌজগে " ॥১৩॥ পিতা ওইবা ব্রহ্মনা বিরাট পুরুষগী রাজু তাবদা অম্বুয়া হায়খিঃ— নং নত্তনা নহাক্কি মাঙদা কনাগুম্বা অমত পোকখিবা লৈত্রি । মহাক্কি লেত্তদবনি নিত্য পুরুষনি, অদুগা হৌজিকদা লুপ্পুনা লৈরি । অদুনা নহাক্ন নিঙঙাইবা লৈতনা লোক পুম্নমক্পু সৃষ্টি তৌ শেম্মু ॥১৪॥ অদুগী তুংদা বিরাট পুরুষনা জীব পানবা মখল তরেৎ, অদুগা দক্ষন চংবা প্রজাপতিশিংবু সৃষ্টি তৌরে । মখোয়গী পাঙ্গনা মহাক্না জীব পানবা মখলশিংবু শেমখি ॥১৫॥ হেক শেমদা জীব পানবাশিং অসি অয়াম খোরাংবা, পোক্কুনা প্রজাপতি মশামক্পু চাগদবগী মহাক্কি নাক্ন থুংলরে ॥১৬॥ জীবশিং অসিনা প্রজাপতিবু চাগদবগী তোরকপা মতমসদা প্রজাপতিনা মশাবু কঞ্জনবগীদমক ব্রহ্মাগী নাক্না থুনা মাঙনা চংখিদুনা অমুয়া হায়রম্মিঃ— ভগবান ! নহাক্না ঐবু জীবশিং অসিদগী কনবিয়ু মখোয়গী চিন্নাক অসি নাইবেশেংনা লেপ্পবিয়ু ॥১৭॥ রাজু তাবদা ব্রহ্মানা হিদাক লাংথক মনা মশিংনচিংবা চত্তবা জিব কয়া অমপা মখোয়গী চীন্নাক ওইনা শেমলে । অকনবা জীবশিংগীদমকতি মখোয়না ওম্বা, মখোয়দগী শোনবা জীবশিংগীদমকতি মখোয়না ওম্বা, মখোয়দগী শোনবা জীবশিংবু মখোয়গী চীন্নাক ওইনা লেপ্পবিখি ॥১৮॥ মহারাজ ! অদুগী তুংদা প্রজাপতিনা শেম্বা জীবশিং অসি মাগী মাগী মচীন্নাক ফংলদুনা মাগী মাগী লৈফমদা চৎনখি । অদুগী তুংদা জীবশিং অসি মাগী মাগী জাতিদা পেন্নদুনা মখং মথং চাওখৎখি ॥১৯॥ জীবশিং অদুনা অমুক হেনগৎলক্লবদা অদুগা ব্রহ্মানসু য়াম্না পেল্লবদা অনাদি পুরুষ মহাদেব ঈশং মথুংদগী কাখৎলকুনা জীবশিং অদুবু উয়ে ॥২০॥ মতো অমুয়া জীব পানবা পুম্নমক্ শেমখ্রে, মাগী মাগী চেঙনা অমুক্ অমুক্

বহুরূপাঃ প্রজাঃ সৃষ্টা বিবৃদ্ধাশ্চ স্বতেজসা । চুক্রোধ ভগবান্ রুদ্রো লিঙ্গং স্বং চাপ্যবিধ্যত ॥২১॥
তৎ প্রবিদ্ধং তথা ভূমৌ তথৈব প্রত্যতিষ্ঠত । তমুবাচাব্যয়ো ব্রহ্মা বচোভিঃ শময়ন্নিব ॥২২॥
কিং কৃতং সলিলে শর্ব্ব ! চিরকালস্থিতেন তে । কিমর্থং চেদমুৎপাট্য লিঙ্গং ভূমৌ প্রবেশিতম্ ॥২৩॥
সোঽব্রবীৎ জাতসংরম্ভস্তথা লোকগুরুর্গুরুম্ । প্রজাঃ সৃষ্টাঃ পরেণেমাঃ কিং করিষ্যাম্যনেন বৈ ॥২৪॥
তপসাধিগতং চান্নং প্রজার্থং মে পিতামহ ! । ওষধ্যঃ পরিবর্ত্তেরন্ যথৈব সততং প্রজাঃ ॥২৫॥
এবমুক্ত্বা স সক্রোধো জগাম বিমনা ভবঃ । গিরের্মুঞ্জবতঃ পাদং তপস্তপ্তুং মহাতপাঃ ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক-
পর্ব্বণি ঐষীকে কৃষ্ণযুধিষ্ঠিরসংবাদে সপ্তদশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥*

— — (:*:) — —

চাওখৎলকলে । মাদু উবদা ভগবান রুদ্র আস য়াম্ন শাউরে । মহাক্কী লিঙ্গ [ঈশিং থোঙ]
অদু লৈমায়ৎক্তা কক্তুনা থাদে ॥২১॥ লিঙ্গ অদু লৈমায়ৎক্তা তাদুনা য়ুংহুনা লৈরে । অসুম
চাউখৎলক্‌না হায়গী মওং অদুদা ঈকায় কায়দনা লৈরে । মতম অদুদা মাঙবা লৈত্রবা
ব্রহ্মানা মহাদেবগী অশাউবদুবু নেমশিন্নবগীদমক অসুম্না হায়খি ॥২২॥ মহাদেব ! নংনা
অতুক্ক রুইনা ঈশিংদা কপ্পুনা লৈরুবদি করি তৌরকই ? লিঙ্গ অদুবু নশানা পুথোকচরে
লৈমক্তরে হায়রগা করিগীদমক লৈমায়ৎক্তা থাদদুনা থাম্লিবনো ? ॥২৩॥ জগৎ গুরু মহাদেবনা
শউদুনা অসুম্না ব্রহ্মাদা হায়রকই— " অতোপ্পা অমনা অসুক য়াম্ন জীব পানবা ময়াম অসি
মথন্তুনা অমুত্তদা শেম্লে । অদু ওইরবদি জীব পুম্নবু শেমগে পোকহনগে হায়দুনা পুথো-
কপকবা হৎচাগী শরুক অসি ঐহাক্না খন্নগী করি কাম্ননি ? ॥২৪॥ পিতামহ ! ঐনা
ঈশিংদা লৈদুনা তপস্যাগী পাম্বৈনা জীবশিংগী চীনাক্কী মশক ওইরবা চীঞ্জাক অদু ঐনা ফংলে
জীবশিংপু পানবশিং অসিনা লোঙাক লোঙানবা মওংদা ওইরকপদুগ লোয়নবা হিদাকি মশক ওইরবা
চীঞ্জাকশিং অসিসু লোঙাক লোঙানবা মওংদা মশক্ ওনরগনি ॥২৫॥ অসি হায়রম্লগা মহাতপস্যা কনবা
মহাদেব আস শাউনা শাউনা মায়থোং লাংশিন্ন মুঞ্জবান কোব চীঙগী মনাক্কী লমদম তাম্ন চৎখি
॥২৬॥ মখম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামন শ্রীব্যাসনা লেংব সংহিতাদা সৌপ্তিক
পর্ব্বদা ঐষীক কী মতাংদা কৃষ্ণ যুধিষ্ঠীরসংবাদগী তরাতরেৎশুব অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

(কৃষ্ণ যুধিষ্ঠির ৱাঙনবা)

অষ্টাদশমোঽধ্যায়ঃ ।

তরানিপালগুবা অধ্যায়

— — (:•:) — —

ভগবানুবাচ

ততো দেবযুগেঽতীতে দেবা বৈ সমকল্পয়ন্ । যজ্ঞং বেদপ্রমাণেন বিধিবদ্‌যষ্টুমীপ্সবঃ ।১।
কল্পয়ামাসুরথ তে সাধনানি হবীংষি চ । ভাগার্হা দেবতাশ্চৈব যজ্ঞিয়ং দ্রব্যমেব চ ।২।
তা বৈ রুদ্রমজানন্ত্যো যাথাতথ্যেন দেবতাঃ । নাকল্পয়ন্ত দেবস্য স্থাণোর্ভাগং নরাধিপ ! ।৩।
সোঽকল্প্যমানে ভাগে তু কৃত্তিবাসা মখেঽমরৈঃ । ততঃ সাধনমন্বিচ্ছন্ ধনুরাদৌ সসর্জ্জ হ ।৪।
লোকযজ্ঞঃ ক্রিয়াযজ্ঞো গৃহযজ্ঞঃ সনাতনঃ । পঞ্চভূতময়ো যজ্ঞো নৃযজ্ঞশ্চৈব পঞ্চমঃ ।৫।
লোকযজ্ঞৈর্নৃযজ্ঞৈশ্চ কপর্দ্দী বিদধে ধনুঃ । ধনুঃ সৃষ্টমভূত্তস্য পঞ্চকিষ্কুপ্রমাণতঃ ।।৬।।

ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা হায়ঃ— অহুগী তুংদা দেবতাশিংগী শৃষ্টি মতমনা হেন্দোকখ্রবদা দেবতাপুম্বা তিন্নদুনা বিধি কায়দনা যজ্ঞতৌগে হায়না খন্দুনা বেদপ্রমানগী মতুংইন্না যজ্ঞগী মর-মদা খন্নরক্লে ॥১॥ অদুগীতুংদা যজ্ঞগী মচাক্ হবিষ অদুগী মপুংদা করম্ব দেবতানা কয়ম্বা শরুক্ ফংগদগে অসিনচিংবা রাকম্ খন্নতনা লেপ্লে ॥২॥ মহারাজ! মাদুদা তিল্লিবা দেবতা (লাই)-শিং অয়াম্বনা রুদ্র হায়বা অম হৈদি হায়বাস শূকখক খঙলমদে । লাইশিং অদুনা রুদ্রগী করি স্বরূপ অমদি স্বভাবনো হায়বদুশু খঙলমদে । অদুনা লাইশিংনা যজ্ঞগী হবিষগী শরুক্ য়েন্নবা মতমদা মহাদেবগী শরুক্ থাকল্লে ॥৩॥ লাইশিংনা রুদ্র মহাদেবগীদমক্ শরুক তমহ্র-বদুদা মহাদেবনা শাউরদুনা মখোয়বু রায়কে হায়বগীদমক অহানবদ লৌরুং অম মশামখত্তুনা শেমখি ॥৪॥ লোক পুম্নমক্কী কান্নবা তৌবদুগী মমিং লোকযজ্ঞ কৌই নিত্যকর্ম্ম তৌবগী মমিং ক্রিয়াযজ্ঞ, শোয়নবী শুপীগা লোয়ননা তৌবা নিত্যকর্ম্মগী মমিংনা সনাতনগৃহ যজ্ঞ, পঞ্চভূতনা শাবা দেহশিংগী শেন্নবা হোৎনবনা পঞ্চভূতময় যজ্ঞ, অতিথি সেবাগী মমিংনা নৃযজ্ঞ কৌই । হান্নখিবা নৃযজ্ঞ অসিন যজ্ঞশিংশিংগী মপুংদা মঙাগুবা যজ্ঞনি ॥৫॥ মহাদেবনা লোকযজ্ঞ অমাদি নৃযজ্ঞগা পাখেনা লৌরুং অদু শেমখি । মহাক্কী লৌরুং অসি খুদুপ মঙা শাংনা শাখি ॥৬॥

বষট্‌কারোহভবজ্জ্যা তু ধনুষস্তস্য ভারত । যজ্ঞাঙ্গানি চ চত্বারি তস্য সংহননেহভবন্ ॥৭॥
ততঃ ক্রুদ্ধো মহাদেবস্তদুপাদায় কার্ম্মুকম্ । আজগামাথ তত্রৈব যত্র দেবাঃ সমীজিরে ॥৮॥
তমাত্তকার্ম্মুকং দৃষ্ট্বা ব্রহ্মচারিণমব্যয়ম্ । বিব্যথে পৃথিবী দেবী পর্ব্বতাশ্চ চকম্পিরে ॥৯॥
ন ববৌ পবনশ্চৈব নাগ্নির্জজ্বাল চৈধিতঃ । ব্যভ্রমচ্চাপি সংবিগ্নং দিবি নক্ষত্রমণ্ডলম্ ॥১০॥
ন বভৌ ভাস্করশ্চাপি সোমঃ শ্রীমুক্তমণ্ডলঃ । তিমিরেণাকুলং সর্ব্বমাকাশং চাভবদ্‌বৃতম্ ।
অভিভূতাস্ততো দেবা বিষয়ান্ন প্রজজ্ঞিরে ॥১১॥
ন প্রত্যভাচ্চ যজ্ঞঃ স দেবতাস্ত্রেসিরে তদা । ততঃ স যজ্ঞং বিব্যাধ রৌদ্রেণ হৃদি পত্রিণা ।
অপক্রান্তস্ততো যজ্ঞো মৃগো ভূত্বা সপাবকঃ ॥১২॥

স তু তেনৈব রূপেণ দিবং প্রাপ্য ব্যরাজত । অন্বীয়মানো রুদ্রেণ যুধিষ্ঠির ! নভস্তলে ॥১৩॥
অপক্রান্তে ততো যজ্ঞে সংজ্ঞা ন প্রত্যভাৎ সুরান্ । নষ্টসংজ্ঞেষু দেবেষু ন প্রাজ্ঞায়ত কিঞ্চন ॥১৪॥
ত্র্যম্বকঃ সবিতুর্বাহূ ভগস্য নয়নে তথা । পূষ্ণশ্চ দশনান্ ক্রুদ্ধো ধনুষ্কোট্যা ব্যশাতয়ৎ ।
প্রাদ্রবন্ত ততো দেবা যজ্ঞাঙ্গানি চ সর্ব্বশঃ ॥১৫॥

ভরতনন্দন মহারাজ ! মীরুং অসগী মীবাদি বষটকারনাওই, স্নান, দান, হোম, জপ মসি অসন মীরু অদুবু শাজিন্নরুগদোরিবা লাক্‌গী .পাচ ওইখ ॥৭॥ মাইশ্নামনা যজ্ঞ তৌরিবা মকমদা মহাদেব অসি মীরুং অসি পায়দুনা শাউনা শাউনা লাকই ॥৮॥ ব্রহ্মচারী ওইরব হমজ অকাইদ্রবা মহাদেবনা মীরুং অদু পায়দুনা লাকপদু উবদা পৃথ্বী মাতা সি খাত্তবা ওমত্রে, চিংমান পুম্বা নক থক নকই ॥৯॥ নুং শং নিংপা তোকত্রে। মৈনা ভুভু ভুভু চাকদ্ন-স্থুন্দু কোনত্র নরান মচাকশিং অসি মাগী মগী মকম্‌ পাদোক্‌নলোমদোহক্রা কোরচৎ চৎনরে, চেক্লা ০ৎন। মসেত্তা মঙাল মৈশা লৈরকত্রে। থাগী মকোয়দা অচৌবা কম্ববা লৈরকত্রে। নোংমদোন মকে য়ুস অম্বুনা কুপত্রে। মতম অসিদা যজ্ঞ তৌরম্নবা মাইশিং অদু কিবনা মকম মরাং খঙত্রে, পোচৈচ অমত মশক উত্রে খঙত্রে ॥১১॥ যজ্ঞগী নিঙথবা কম্ববড কৌরমন্ত লৈখিত্রে, দেবতা পুম্বা কিবনা থক থক নিক্‌লে মতম অদুদা মহাদেবনা অকবগী মশক শুবরব তেল অমনা যজ্ঞদেবগী থম্মোয়দু খিনগাইখ। মতম অদুদা যজ্ঞদেবনা শঙ্গীমশক লৌহুনা মৈপা লোয়ননা চেনখি ॥১২॥

মহারাজ ! যজ্ঞ অসি শাজিগী মশক্ লৌহুনা নোংমদোহক্রা মৃগশিরা নক্ষত্রগী মশক্ লৌহুনা হায়বদি শাজি মকোক পানবা থরানমিচাক্কী মশক লৌহুনা লৈত্রে। মহাদেবনা মীরুং অদু পায়দুনা শাজিদু তান্নরকই ॥১৩॥ যজ্ঞনা মকম অদুদগী চেনখ্রবদা মাইশিং অসি কিবনা জ্ঞান করিমত্ত য়াওত্রে। করি তৌরবনো হায়বদু কাওবা করিমত্ত খঙবত্রে ॥১৪॥ অদুগী তুংদা মহাদেবনা শাউহুনা মীরুংগী মতোংনা সূর্য্যদেবগী মপাম্বোম অনি, ভগদেবগী মমীৎ অনি

কেচিত্তত্রৈব ঘূর্ণন্তো গতাসব ইবাভবন্ । স তু বিদ্রাব্য তৎ সর্ব্বং শিতিকণ্ঠোঽবহস্য চ ।
অবষ্টভ্য ধনুষ্কোটিং রুরোধ বিবুধাংস্ততঃ ।১৬।
ততো বাগমরৈরুক্তা জ্যাং তস্য ধনুষোঽচ্ছিনৎ । অথ তৎ সহসা রাজন্ ! ছিন্নজ্যং বিস্ফুরদ্ধনুঃ ।১৭।
ততো বিধনুষং দেবা দেবশ্রেষ্ঠমুপাগমন্ । শরণং সহ যজ্ঞেন প্রসাদং চাকরোৎ প্রভুঃ ।১৮।
ততঃ প্রসন্নো ভগবান্ প্রাস্য কোপং জলাশয়ে । স জলং পাবকো ভূত্বা শোষয়ত্যনিশং প্রভো ! ।১৯।
ভগস্য নয়নে চৈব বাহূ চ সবিতুস্তথা । প্রাদাৎ পূষ্ণশ্চ দশনান্ পুনর্যজ্ঞাংশ্চ পাণ্ডব ! ।২০।
ততঃ সুস্থমিদং সর্ব্বং বভূব পুনরেব হি । সর্ব্বাণি চ হবীংষ্যস্য দেবা ভাগম কল্পয়ন্ ।২১।
তস্মিন্ ক্রুদ্ধেঽভবৎ সর্ব্বমসুস্থং ভুবনং প্রভো ! । প্রসন্নে চ পুনঃ সুস্থং জগদ্ভবতি ! ।২২।
ততস্তে নিহতাঃ সর্ব্বে তব পুত্রা মহারথাঃ । অন্যে চ বহবঃ শূরাঃ পাঞ্চালাঃ সপদানুগাঃ ।২৩।
ন তন্মনসি কর্ত্তব্যং ন চ তদ্দ্রৌণিনা কৃতম্ । মহাদেবপ্রসাদঃ স কুরু কার্য্যমনন্তরম্ ।২৪।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং সৌপ্তিক
পর্ব্বণি ঐষীকে কৃষ্ণযুধিষ্ঠিরসংবাদে অষ্টাদশোঽধ্যায়ঃ ।০।

সমাপ্তঞ্চেদং সৌপ্তিকপর্ব্ব ॥০॥

পুষাগী ময়াশিং অমু থ্রদেকাখ । অমদগীদ লাইয়ামশিং অমু অমুগ যজ্ঞগী অখ পুম্নমক অমু কিবনা ্রখ ॥১৫॥ দেবতাশিং পরদি মকোক ও ওত্থনা কোয়রৈ কৈক্তনা মথাই যাওদনা ভুগক্তে । অমদগী মহাদেবনা কাক্ কাক্ নোক্তনা মখোয়গী লৌরুংগী মতোলনা হৈচ্ছিন্দুনা পুনশিল্লে করে ॥১৬॥ মহারাজ ! অমগী তুংদা লাইয়ামগী রাইদগী লৌরুগী লৌরী অমু তৎক্ষেলিরি থাওদ্রবা লৌরুং অমু পোক্টদোকনমু লীগ্খৈজে ॥১৭॥ অমদগী লাইয়ামা যজ্ঞদেবগা লোয়নন মহাদেবদা চত্তুখি । মহাদেবনমু লাইমাদো পেনবিরে, শাউবা করে ॥১৮॥ মহারাজ অমদগী মহাদেবনা মগী অশাউবগী মৈ অমু সমুদ্রদা থাদত্রগা মম্বাখদা পেনাবরে মহারাজ ! অদোক অসদগী মহাদেবগী অশাউবগী মৈ অমুনা বড়বানল কৌত্থনা সমুদ্র ঈয়াখদা হোঁজক কাওবা চাক্কনা লাকলিবাসনি । চক্রিক শাওবা সমুদ্রগী ঈসিংদু চাশন্থুনা লৈরি ॥১৯॥ পাণ্ডুনন্দন ! মহারাজ ! মহাদেবনা ভগদেবগী মমিৎ অনি, সূর্য্যদেবগী পাম্বোম অনি পুষাগী ময়াশিং অমুগ যজ্ঞ মপ অমুন্ অমুক পীবাখ ॥২০॥ অমুগী তুংদা জগৎপুম্বা অমুক হান্নগী মতৌগুমখে । লাইশিং অমনা মখোয়গী শরুকশিং খর খর থাইদে ক্লগা পুম্নখ্র মহাদেবগী শরুক তমলে ॥২১॥ ভরতনন্দন মহারাজ ! মহাদেবনা শাউথবা মতম অমুদা জগৎ পুম্বসে তুকচ তুকাই চল্লবান । মহাদেবনা অমুক পেনবিবদা জগৎ হান্নগী ফাভমদা তাখ ॥২২॥ মরম্ অমনা মহারাজ ! অশ্বত্থামাগী মকমদা মহাদেবনা থক্তিক পেনবিখিবদা মাগী মথুত মহারাজগী নচা কল্লবা মহারথীশিং অমু অমুগা পাঞ্চাল কল্লবা লাম্মাশিং অমু মাগী মাগী খোঙলোয়শিংগা লোয়ননা শিগ্রিবাসন ॥২৩॥ অমুনা খোকগ্রবা থবকশিং অসিগীদমক অমুক অনুতাপ তৌবিরগনু । তৌগ্রিব পুম্বসে অশ্বত্থামানা নত্তে । অশ্বত্থামাগী মকমদা মহাদেবগী পৌজাল হায়বহুনা তৌখিবা ওাক্তনি । করে, অদ্রি পুম্নমক্ লৈথসনু, হৌজিক্তি মথাগী তৌগদবা থবকশ্মাবয়ো তৌবিয়ো ॥২৪॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা সৌপ্তিক পর্ব্বদা ঐষীকগী মতাংদা কৃষ্ণ যুধিষ্ঠির সংবাদগী তমানিপালগুবা অধ্যায় লোইরে।

সৌপ্তিক পর্ব্বসু লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

——:(•):——

স্ত্রীপর্ব্ব

——:(০):——

(ধৃতরাষ্ট্রন থেম্জিনবা মতাং)

প্রথমোহধ্যায়ঃ

অহানবা অধ্যায় ।

——:*:——

নারায়নং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমম্

দেবীং সরস্বতীং ব্যাসং ততোজয়মুদীরয়েৎ *

নারায়ণং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমম । দেবীং সরস্বতী ব্যাসং ততো জয়মুদীরয়েৎ ।

---

* পর্ব্বগী মতুংইন্না হনবা অর্থঃ—

নর নারায়ন অনাদি জীব ব্রহ্ম অনীগী মশক্তি। জীব ব্রহ্ম অনীগী মশক্ ওইবা প্রকৃতি পুরুষ অনীনা সংসারগী বিষয়গী লাঞ্জুও দ'সন জয় পরাজয় সংথোল লৌদুনা মকম মতম পুম্বদা শায়ে। ততুগা লোয়ননা থদুগা জয় পরাজয়না পোংশক অমত ওইবতুওম্বা জীবসু ব্রহ্মনি পোশক অমতনি হায়রসি অদুগুম্বা মী মতাকক্ত মপান্দা জয় পরাজয় অনীগী মশক লৌদুনা শায়রিবা নর নরায়নবু অমতনি খন্দুনা (জীব)বুসু নারায়ন (ব্রহ্ম)বুসু অদুগা অনীসগুম্বা লীলাগী তত্ত্বব ওানহল্লিবী দেবী সরস্বতীবুসু অদুগা গুরু নাইনা তমজ্রবদি থওব জমদবা তত্ত্ব ওইবনা মহাভারতকী গুরু (ওঝা) ব্যাসবুসু খুরুমজরগা জয়ব শরুদবনি। "জয়" হায়বদি প্রকৃতিনি। মমদি প্রকৃতিনা ব্রহ্মগী নিরাকারত্ব জয় তৌই পর্ব্ব (মতাং) অসিদ প্রকৃতিনা হায়বদি জয়ন প্রধাননিলৌকিক শাস্ত্রদা প্রকৃত হায়বসি 'দুপী, বু হায়বানি। অদুনা প্রকৃতিনা প্রাধান ওইনা লৈবা মতাংনি। অদুনা মতাং অসিব মরুপ শোনবা মতমদা প্রকৃতিনা হায়বদি স্ত্রীনা প্রধান ওইনা তাইবং লাঞ্জাওগী লীলা শায়রিবা জীব ব্রহ্ম অনীবু খুমজদুনা প্রকৃতি লীলাবু হায়বদি স্ত্রী পর্ব্ববু শক শোনগদবনি — মাসিনা শয়পগা ব্যাখ্যানি ।

স্ত্রীপবব'দা

মঙ্গল নিজব।

——::——

প্রকৃতি-পূরুষ শায়োন অনীগী
কায়নব তিন্নবা অনীদগী
থোকাথ নংগী লীলা ' পুম্বা ।
প্রকৃতিনা মরু ওইনা শান্নবা
পূরুষনা মরু ওইনা শান্নবা
লীলা মখল মখল্লি নংগা ।
প্রকৃতি খুদিংদা চঙচুনা নংনা
শারৈ শান্নহল্লি মনুং মপান্দা ।
প্রকৃতি [নুপী] না মরূ ওইনা
শান্নবা ভারতকী স্ত্রীপর্ব্ব
হন্দোকচৈ ঈরোন্দা বাসুদেব !
অরানবা পুম্বা ঙাকপিয়ু ।
লান্ন শান্নজরবসু মচানা
মমা মপানা নুংঙাইজবগুম
জগৎকী পিতা নহাকসু
পেনবিয়ু নচানা শান্নজবদা ।

জনমেজয় উবাচ

হতে দুর্য্যোধনে চৈব হতে সৈন্যে চ সর্ব্বশঃ। ধৃতরাষ্ট্রো মহারাজঃ শ্রুত্বা কিমকরোন্মুনে ? ।১।
তথৈব কৌরবো রাজা ধর্ম্মপুত্রো মহামনাঃ। কৃপপ্রভৃতয়শ্চৈব কিমকুর্ব্বত তে ত্রয়ঃ ।২।
অশ্বত্থাম্নঃ শ্রুতং কর্ম্ম শাপাদন্যোন্যকারিতাৎ। বৃত্তান্তমুত্তরং ব্রূহি যদভাষত সঞ্জয়ঃ ।৩।

বৈশম্পায়ন উবাচ

হতে পুত্রশতে দীনং ছিন্নশাখমিব দ্রুমম্। পুত্রশোকাভিসন্তপ্তং ধৃতরাষ্ট্রং মহীপতিম্।
ধ্যানমূকত্বমাপন্নং চিন্তয়া সমভিপ্লুতম্ ।৪।
অভিগম্য মহাপ্রাজ্ঞঃ সঞ্জয়ো বাক্যমব্রবীৎ।
কিং শোচসি মহারাজ ! নাস্তি শোকে সহায়তা ।৫।

(যুগ্মকম্)

অক্ষৌহিণ্যো হতাশ্চাষ্টৌ দশ চৈব বিশাংপতে ! । নির্জ্জনেয়ং বসুমতী শূন্যা সংপ্রতি কেবলা ।৬।
নানাদিগ্‌ভ্যঃ সমাগম্য নানাদেশ্যা নরাধিপাঃ। সহিতাস্তব পুত্রেণ সর্ব্বে বৈ নিধনং গতাঃ ।৭।
পিতৄণাং পুত্রপৌত্রাণাং জ্ঞাতীনাং সুহৃদাং তথা। গুরূণাঞ্চানুপূর্ব্ব্যেণ প্রেতকার্য্যাণি কারয় ।৮।

জনমেজয়না হায়ঃ—মহর্ষি ! দুর্য্যোধন অদুগা পঙ্ক অনীমক্কী লাম্মী পুম্নমক্ লোইনা শিনথ্রবদা অদুগা শিনথ্রে হায়বা পাউ আস তাবদা, নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা করি তৌখ ? ॥১॥ অদুগা ধর্ম্ম চেল্লবা, কুরুরাজ যুধিষ্ঠিরনা কৃপাচার্য্যনাচংবা লেমহৌরবা অহুম্ অদুনা করি করি তৌখ্রে ? ॥২॥ মহর্ষি ! ঐনা তার্বগা নকমদগী অশ্বত্থামাগী মরমদদি থর তাজরকংলে। কৃষ্ণ অশ্বত্থামা অনিনা অমগা অমগা শাপনাচংবা নিন্দা তৌনবা অদুগা সঞ্জয়না ধৃতরাষ্ট্রদা লাগদবা মতাং রাংহৌবদু মহর্ষিনা ঐঙোন্দা অমুক লীবীয় ॥৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ ! জনমেজয় ! মচা চামশিথ্রবদুদা, মরু মশা ককথ্রবা উপাম্বগী মতৌথ্রবা লাম্বাকংথ্রবা চিন্তাগী ঈপাক্তা লুপ্পুনা তুমিন্ন লৈরবা ধৃতরাষ্ট্রগী মকমদা সঞ্জয়না হায়খিঃ— মহারাজ হৌজিক্ অদুক্ রাবিরব করিগীনো ? মহারাজ রাবীরিবদুদা শরুক য়াহনা থাবা য়াওমিন্নবা মীশক্ অমত্তা হৌজিক কোন্নুঃ অসিদা লৈত্রে ॥৪—৫॥ মহারাজ ! পঙ্কথনীগী লাম্মী অক্ষৌহিনী তমানিপাল তুম্থ্রে। হৌজক্কী মতমদা পৃথিবীদা অকনবা কনা অমত্তা লৈত্রে। হৌজিক লৈহৌরবা হায়রবু ঈহাঙ হাঙলবী পৃথিবীসিত মঙাম্নহৌরে ॥৬॥ অতৈ অতোপ অতোম্বা দেশদগী লাকৃপা অকনবশিং অদু দুর্য্যোধনগীলমক্ মহাক্তা লোয়নবা অশিবগী থয়াঙচোংশিনখ্রে ॥৭॥ মহারাজ ! অহান অহান লৈখি-

বৈশম্পায়ন উবাচ

তচ্ছ্রুত্বা করুণং বাক্যং পুত্রশোকসমন্বিতঃ। পপাত ভুবি দুর্দ্ধর্ষো বাতাহত ইবদ্রুমঃ ।৯।

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

হতপুত্রো হতামাত্যো হতমিত্রো ... । দুঃখং নূনং প্রাপ্স্যামি বিচরন্ পৃথিবীমিমাম্ ।১০।

কিং নু বন্ধুবিহীনস্য জীবিতেন মমাদ্য বৈ । লূনপক্ষস্য ইব মে জরাজীর্ণস্য পক্ষিণঃ ।১১।

হৃতরাজ্যো হতবন্ধুর্হতচক্ষুশ্চ বৈ তদা । ন ভ্রাজিষ্যে মহাপ্রাজ্ঞ । ক্ষীণরশ্মিরিবাংশুমান্ ।১২।

ন কৃতং সুহৃদাং বাক্যং জামদগ্ন্যস্য জল্পতঃ । নারদস্য চ দেবর্ষেঃ কৃষ্ণদ্বৈপায়নস্য চ ।১৩।

সভামধ্যে চ কৃষ্ণেন যচ্ছ্রেয়োঽভিহিতং মম । অলং বৈরেণ তে রাজন্ । পুত্রঃ সংগৃহ্যতামিতি ।

তচ্চ বাক্যমকৃত্বাহং ভৃশং তপ্যামি দুর্ম্মতিঃ ।১৪।

ন হি শ্রোতাস্মি ভীষ্মস্য ধর্ম্মযুক্তং প্রভাষিতম্ । দুর্য্যোধনস্য চ তথা বৃষভস্যেব নর্দ্দতঃ ।১৫।

দবদগী ক্রম কায়দনা ঈপা ঈপকাশিংগী, ঈচাশিংগী, ঈগুণাংগী শাগৈনাতৈশাংগী মরূপ মপাং গুরুজনাশিংগী প্রেতকর্ম্ম পুম্ব তৌথোক্পনশিবে ॥৮॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— সঞ্জয়গী মচিন্দগী পুংশি মুংঙোনবা হায়ইসি তাহদা মচা মপু থোইনা শিংবগী অরাবনা থম্মোয়বু নৈহংগ্রবা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্র অসি ফনাথ মরম ... কদুবনু ... উপাম্বা অমগী মতোঙ্গম্ লৈমায়থক্ত তুগ্রে ।৯॥ ধৃতরাষ্ট্রনা তপ্পা তপ্পা হায়রকই :— আঃ! ওম্থাকপানি ! সঞ্জয় ! ঈচা ঈগু, মরূপ মপাং মন্ত্রীমশাম লোইনা শিখ্রে। মতম্ অসিদা ঐ অসি লম্বাগী চারিব অমা ওইহুনা পৃথিবীগী মকম্পুম্বদা কোয়চৎ চত্তনা পুনসিচপ্পা অরাবা থাওহুনা লৈবা মতাগ্রবা ॥১০॥ শাগৈনাতৈ ঈচা ঈগু মরূপমপাং অমত লৈতবনা হৌজিক ঐগসি মশা কক্প্রবা উচেক্ মলৈমায়থক্তা তাহুনা লৈরে। অহল ওইরকপনা হকচাংসিম্ব চপ শল থুইজিল্লকলে। অহুনা ঐ হৌজিক হিংহুনা লৈবগী খোইদোক্পা কাম্নবা লৈত্রে ॥১১॥ মতংজ্ঞানী ওইরবা সঞ্জয়। হৌজিক্তি পাণ্ডবশিংনা রাজ্য পুম্বা মুনখ্রে, ঈচা ঈগু মরূপমপাং লোইনা হাংখ্রে। মীংসি হায়রা পোক্পদগী তাওলে। অহুনা মশেক মঙাল মাওত্রবা মুমিৎকুম্না ঐনা হৌজিক লোকসমাজদা কক্চদবসি বৈদনো? ॥১২॥ আঃ! বিদুরনাচংবা জ্ঞানীওইবা মরূপশিংমা মহর্ষি পরশুরামমক্তা, কৃষ্ণদ্বৈপায়ন ব্যাসনা দেবর্ষি নারদমক্তা তাকপাখবা মমল য়াম্লবা পাওতাক্শিং অদুবু ঐনা খোইনা লৌখিদে ॥১৩॥ সন্ধি তৌহন্নবগী লাকপা কৃষ্ণনা সভাদা কবি হায়খিবগে হায়ববু "নিংথৌ পাণ্ডবশিংগা য়েরবীরগমু সন্ধি তৌনহুনা মুংশিননা লৈমিন্নৗনা যুধিষ্ঠিরবু মথুৎ চম্নবা তোৎনবিথৌ? অসিনি। অদুবু ঈপক পণ্ডজবনা কৃষ্ণনা হায়খিবা য়াত্তবু ঐনা লৌখিদে। অহুনা হৌজিক্তা ঐগী থম্মোয়বু নিঙশহোনবগী মৈনা চাক্খেক্লি ॥১৪॥ আঃ! সঞ্জয়! ওসিদগী ভীষ্মনা

দুঃশাসনবধং শ্রুত্বা কর্ণস্য চ বিপর্য্যয়ম্ । দ্রোণপুত্রাৎ দ্রৌপদেয়বধং ... হৃদয়ং মে বিদীর্য্যতে ।১৬।
ন স্মরাম্যাত্মনঃ কিঞ্চিৎ পুরা সঞ্জয় ! দুষ্কৃতম্ । যস্যেদং ফলমদ্যেহ ময়া মূঢ়েন ভুজ্যতে ।১৭।
নূনং ব্যপকৃতং কিঞ্চিন্ময়া পূর্ব্বেষু জন্মসু । যেন মাং দুঃখভাগেষু ধাতা কর্ম্মসু যুক্তবান্ ।১৮।
পরিণামশ্চ বয়সঃ সর্ব্ববন্ধুক্ষয়শ্চ মে । সুহৃন্মিত্রবিনাশশ্চ দৈবযোগাদুপাগতঃ ।
কোঽন্যোঽস্তি দুঃখিততরো মত্তোঽন্যো হি পুমান্ ভুবি ।১৯।
তস্মান্মামদ্যৈব পশ্যন্তু পাণ্ডবাঃ সংশিতব্রতম্ । বিবৃতং ব্রহ্মলোকস্য দীর্ঘমধ্বানমাশ্রিতম্ ।২০।

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

তস্য লালপ্যমানস্য বহুশোকং বিতন্বতঃ । শোকাপহং নরেন্দ্রস্য সঞ্জয়ো বাক্যমব্রবীৎ ।২১।
শোকং রাজন ! ব্যপনুদ শ্রুতাস্তে বেদনিশ্চয়াঃ । শাস্ত্রাগমাশ্চ বিবিধা বৃদ্ধেভ্যো নৃপসত্তম ! ।
সৃঞ্জয়ে পুত্রশোকার্ত্তে যদূচুর্ম্মুনয়ঃ পুরা ।২২।
যদা যৌবনজং দর্পমাস্থিতে তে সুতে নৃপ ! । ন ত্বয়া সুহৃদাং বাক্যং ব্রুবতামবধারিতম্ ।
স্বার্থশ্চ ন কৃতঃ কশ্চিল্লুব্ধেন ফলগৃদ্ধিনা ।২৩।

মরক মরক্তা তাক্পিবা ধর্ম্মগী রা, অদুগা শক্তাবাগুম্ ঙাক্তনা লুম্না কেম্না ঙাক্নবা ঈচা দুর্য্যোধনগী, অকনবা মীতনা ঙাঙ্গদবা মর মথোল অদু অমুক তাব ক করোইদকো ॥১৫॥ দুঃশাসনবু হাৎখিবগী, কর্ণনা লৈখিদবগী, দ্রোনগী মশক ওইরবা অশ্বত্থামা যম্বরাজগী মশক ওইরবা যাক্তনা উমখিবগী পাণ্ড তান্দ ঐগী থম্মোইসে সঞ্জয় ! মচেৎ মচেৎ থোক্না কায়রে ॥১৬॥ সঞ্জয় ! অমুক্হায় শাখিরবা অরাবাশং অসিবু অদুগুম্ব পাপকর্ম্মগী মহে ওইনা কংলিবনি হায়বা য়াবা অদুগুম্বা পাপকর্ম্ম অমত্তবু হন্দকী মপোক অসিদা ঐনা করিগুম্বা তৌব কৈরবরা হায়বসি ঐ নীঙশিংবা থোক্কে ॥১৭॥ অদুনদি ঐঅসি নহাক নহাক মুক্কী মপোক্কী য়াম্না শাখিরবা পাপকর্ম্ম মক্ত মীঙোন্দা তৌরম্বা তারে। অদুমক্তনা হন্দকী মপোক্তা বিধাতানা ঐবু অরাবা ফংনবা থবক ঙাক্তদ থিজিনবিরবে ॥১৮॥ পুনশিংগী অরোইবা শরুক্তি লাক্লে। অসুম থোকউ তমখিবনা মরুপ মপাং লোইনা মুৎখ্রে। শাগৈনাইত ঙাইশেল লোইনা তুমখ্রে অদুনা সঞ্জয় ! ঐগা মান্নবা লাইবক্ থীবা অরাবনংবা মীশিং কনা অমা লৈরিগদগে ? ॥১৯॥ মরম অদুনা ঐনা ঙসিমক য়ুম থাদোক্তুনা অকনবা ব্রত তৌদুনা ব্রহ্ম লোককী লম্বী খিদুনা অঙাওবগুম্ শোল্লি মাল্লি চৎলিবসে পাণ্ডবশিংনা মখিৎ খিৎনা উজগেরসনু ॥২০॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— ধৃতরাষ্ট্রন রাজৈশিং অসি হায়রদুনা থেক্লেল থোক্না কপলকলবদা সঞ্জয়না অরাব কোক্রবগী রাহে কয়াবু অশুম্না হয়খি ॥২১॥ নিংথৌ অশোইবা ! মপাইবুদা মচা কাবনবগী রায়বা সৃঞ্জয়দা মুনিশিংনা পীখিবা বেদগী অমদি শাস্ত্রগী ধর্ম্মগী পাণ্ডি-তাকশিং অদু মহারাজনসু তাবিরে; অদুনা অরাব থাদোকাপিয়ু ॥২২॥ মহারাজ ! নচা ঈবুঙো

অসিনেবৈকধারেণ স্ববুদ্ধ্যা তু বিচেষ্টিতম্ । প্রায়শোঽব্রতসম্পন্নাঃ সততং পর্য্যুপাসিতাঃ ।২৪।

যস্য দুঃশাসনো মন্ত্রী রাধেয়শ্চ দুরাত্মবান্ । শকুনিশ্চৈব দুষ্টাত্মা চিত্রসেনশ্চ দুর্ম্মতিঃ ।

শল্যশ্চ যেন বৈ সর্ব্বং শল্যভূতং কৃতং জগৎ ।২৫।

কুরুবৃদ্ধস্য ভীষ্মস্য গান্ধার্য্যা বিদুরস্য চ । দ্রোণস্য চ মহারাজ ! কৃপস্য চ শরদ্বতঃ ।২৬।

কৃষ্ণস্য চ মহাবাহো ! নারদস্য চ ধীমতঃ । ঋষীণাঞ্চ তথান্যেষাং ব্যাসস্যামিততেজসঃ ।

ন কৃতং তেন বচনং তব পুত্রেণ ভারত ! ।২৭।

(যুদ্ধকামং

অল্পবুদ্ধিরহঙ্কারী নিত্যং যুদ্ধমিতি ব্রুবন্ । ক্রূরো দুর্দ্ধর্ষণো নিত্যমসন্তুষ্টশ্চ বীর্য্যবান্ ।২৮।

শ্রুতবানসি মেধাবী সত্যবাংশ্চৈব নিত্যদা । ন মুহ্যন্তীদৃশাঃ সন্তো বুদ্ধিমন্তো ভবাদৃশাঃ ।২৯।

ন ধর্ম্মঃ সৎকৃতঃ কশ্চিন্নিত্যং যুদ্ধমিতি ব্রুবন্ । ক্ষপিতাঃ ক্ষত্রিয়াঃ সর্ব্বে শত্রূণাং বর্দ্ধিতং যশঃ ।৩০

দুর্য্যোধন হায়বদুনা মরম মথৎমগী মখোক কারকপগী মঙ্গাঙ্গনা মাগী কান্নবত থম্ববা মন্ত্রণ মপাং কয়াগী অদুগা জ্ঞানীশিং কয়াগী রাবু তাখিবে। মহারাজ নশ মচম্ম লৈপাক পাঙ্গন। রাজভোগকী রাখস্ত তে বিখিদুনা কান্নবা, খম্বা য়াবা মাশক অমতমু ননাক খবাবনীতবা। মখোয়দগী মন্ত্রন সহায় ফাওবা মরীক অমত লৌবিখিদে ॥২৩॥ অমরোমদা ময়া কৌন্দবা কবাক খাওঙ্গম। লনাইগী বুদ্ধিতনা থবক পুম্ব পাওখোকাপাখি। মযুকচেপ ফত্ত্রবাশিংতগী পাউ-তাক, মন্ত্রনা অমাদ মতেং লৌদুনা লৈবিখি ॥২৪॥ অকপ অরীং শাংগলবা দুঃশাসন, মযুক-চেপ ফত্ত্রবা কর্ণ, পুকচেল থারবা শকুনি, মবুদ্ধি ফত্ত্রবা চিত্রসেন, জগৎ পুম্বমু মতোন্দা অমদি মহারাজ নশামক্তা মাওননবগী মশক ওইরবা মচান তুম্ববা শল্যে ওইহনাখিবা শল্য হায়রিব মীশকশিং অসিনা দুর্য্যোধন মহাকী রাজ্যানকম মত্রামক্তা ওইখিদে। ॥২৫॥ ভরতনন্দন। মহারাজ। মচা ঈবুঙো দুর্য্যোধন হায়বদো, শ নৈগী অহল ওইরবা জ্ঞানী ওইরবা ভীষ্ম, মমাঈবেম্মা গান্ধারী, বিদুর, গুরু দ্রোণাচার্য্য, শারদ্বানগী মচা কৃপাচার্য্য কৃষ্ণ, জ্ঞানী নারদ, তেজ কল্লা ব্যাস অদুগা অসি নত্তবা মুনীশিং অতৈ অতৈগী রা অমত মনাকোংদা হায়রা লৈখিদে ॥২৬-২৭॥ দুর্য্যোধন হায়বদো মবুদ্ধম্ম খেল্লি, য়াম্ম থোয়, অহংকার তমখি, মীগী মু ওইরাইক কল্লক্কি, পেনবা কৌবা লৈগন্দে, মশা মপাঙ্গলম্ম কল্লি। অদুনা মহাক তত্তনা হায়খিবা হায়ববু " লাল শোক্কবত্তনি ঐথোয়না তৌগদবা হায়ববু ... ,, অসিনিসে ॥২৮॥ অদুবু মহারাজ। মহারাজদি শাস্ত্র জ্ঞান কনম্বাম্ম মরৈবিরিবনি। ম্বাম্ম শাইরক লৌশিং শিংবিরিবান, অচুম্বত পাম্বিরিবা মীশক অমদি অদুনা মহারাজগুম্বনা তৌগদবা থবক্তা শুমহৎপ ওাওবসি চুমদে ॥২৯॥ মহারাজদি কশিত্তদা অচুম্বা লম্বীদা চৎপিনিঙ্খিদে " ক্ষত্রিয়গীদি লাল শোক্কবনা অচুম্বনি ,, অসিক তোম্বনা মহারাজবিখি অদুনা ক্ষত্রিয় মম্বাম মাওহনখিবসে মহারাজননি অদুগা মহারাজনা যেক্কবশিংগী মিংচেৎপু চাওখৎহনবিরে

মধ্যস্থো হি ত্বমপ্যাসীর্ন ক্ষমং কিঞ্চিদুক্তবান্ । ধুর্ধরেণ ত্বয়া ভারস্তুলয়া ন সমং ধৃতঃ ।৩১।
আদাবেব মনুষ্যেণ বর্ত্তিতব্যং যথাক্ষমম্ । যথা নাতীতমর্থং বৈ পশ্চাত্তাপেন যুজ্যতে ।।৩২।।
পুত্রগৃদ্ধ্যা ত্বয়া রাজন্ ! প্রিয়ং তস্য চিকীর্ষিতম্ । পশ্চাত্তাপমিমং প্রাপ্তো ন ত্বং শোচিতুমর্হসি ।।৩৩।।
মধু যঃ কেবলং দৃষ্ট্বা প্রপাতং নানুপশ্যতি । স ভ্রষ্টো মধুলোভেন শোচত্যেবং যথা ভবান্ ।৩৪।।
অর্থান্ন শোচন্ প্রাপ্নোতি ন শোচন্ বিন্দতে সুখম্ । ন শোচন্ শ্রিয়মাপ্নোতি ন শোচন্ বিন্দতে জয়ম্ ।৩৫।
স্বয়মুৎপাদয়িত্বাগ্নিং বস্ত্রেণ পরিবেষ্টয়ন্ । দহ্যমানো মনস্তাপং ভজতে ন স পণ্ডিতঃ ।৩৬।
ত্বয়ৈব সসুতেনায়ং বাক্যবায়ুসমীরিতঃ । লোভাজ্যেন চ সংসিক্তো জ্বলিতঃ পার্থপাবকঃ ।৩৭।
তস্মিন্ সমিদ্ধে পতিতাং শলভা ইব তে সুতাঃ । তান্ বৈ শরাগ্নিনির্দ্দগ্ধান্ ত্বং শোচিতুমর্হসি ।৩৮।
যচ্চাশ্রুপাতকলিলং বদনং বহসে নৃপ ! । অশাস্ত্রদৃষ্টমেতদ্ধি ন প্রশংসন্তি পণ্ডিতাঃ ।৩৯।

হনবিরে ।।৩০।। সভাদা সান্ধ তৌনবা কব কত্তবগী রা য়ম ভাভনাথ। কৌরব পাণ্ডবকী মরক্ত তৌনরিব। থবক পুম্বা ভাভনরিবা রা খিবিক্তগী মধ্যস্থ অচুম চুমদা বিচার তৌগদৌরবা মীশক) দি মকম মতম অয়ামবদা মহারাজতনা ওইখিবনি। অদুবু মধ্যস্থ অম ওইবগী হৌনবীতদি মহারাজনা অমুক্ত তৌবিখিদে। কৌরব পাণ্ডব পক্ষ অনীমকী অককত্তগী ভারপুম্ব। মহারাজগী খুত্তা লৈখিবনি। অদুবু ভার অদু রাথলগী থন্দা চপচানা পমদুনা মীচঙ মীথায় নাইদনা ওনবিখিদে ।।৩১।। আশংবা তাইবং মীনা তুংদা অনুতাপ অমুক তৌরক্রোইদোবা থবক অদুতবু রাথল তৌবা নিয়ম চুমনা পায়খৎলি ।৩২।। মহারাজাদ নচাঈবুদ্রে দুগীত থম্মুনা থবকপুম্ব। মাগী থুং-ভাইননব, পেন্নবত মশীনাবখি। মদুগী মহৈনা চৌজিক অসিদা অনুতাপ তৌবিরিবসিনি। অদুনা, অনুতাপ তৌরকাখগান হায়বা থঙদনা থন্দানা থবক তেবিক্ররগা চৌজিক অনুতাপ তেরিবসিদি য়াম্ন চুমদে। ।।৩৩।। উথক্কা য়ানবা খোইরা অদুতবু অদুগা খোইহী অতুতবু থন্দনা উথক্কগী ভারক্রবদি হায়বদুমদি শুঙখঙবু পল্লুদবা মী মহাক অদুনা খোইহী পাম্মনখিবদগী উথক্কগী তারক্রপা মহারাজগী মতৌঙম অনুতাপ তৌই ।।৩৪।। অনুতাপ তৌদুনতা রাদুনতা লৈগনবা মীনা অপম্ব কংনিংবা পোশক্ত থক্ কংবা ঙমদে। রাগনবা মীনা শুংভাইবা কংদে। সম্পাত্তিসু কংদে। অদুগুম্বা মহাকনা জয় ওইবসু ঙমদে ।।৩৫।। মশা মথন্তনা মৈ হৌগচ্চরগা মাসবুসু অমুক কিনা য়েচ্ছন্দুনা থাদোকচবা মীদো পণ্ডিতনত্তে ।।৩৬।। মহারাজ ! মহারাজনা নচাঈবুত্তো দুর্যোধনদুগা অমত ওইমিন্নখিদুনা রাহৈগী মশক ওইবা মুংশাশোর কামদুনা মৈ হৌংল্লগা মাদুদা অপাম্বগী মশক ওইরবা ঘীনা হোম তৌশন্দুনা যুধিষ্ঠিরগী মশক ওইরবা যজ্ঞগী মৈ অদুবু অকিব কংনা ভুভু ভুভু চাকখৎহনবিখি ।।৩৭।। অদুগুম্বা মৈ অদুগী মৈমুংদা মহারাজগী নচাঈবুত্তেশিংনা মৈরানবীশিংগী মতৌঙম্না চোংশিন চোংশিনদুনা থরাই থাখি। অদুনা হৌজিক তেঞ্জিন্দা হৌরকপা মৈদা চাকচপ্রবা মথোয়গীদমক খোইনা রাবিকম থোক্তে ।।৩৮।। মহারাজ ! মচাকায়নবদ্মী পিনা

বিস্ফুলিঙ্গা ইব হেতান্ দহন্তি কিল মানবান্ । অতোহি মন্যুং বুদ্ধ্যা বৈ ধারয়াত্মানমাত্মনা ॥৪০॥

বৈশম্পায়ন্ উবাচ *

এবমাখ্যাবিতস্তেন সঞ্জয়েন মহাত্মনা । বিদুরো ভূয় এবাহ বুদ্ধিপূর্ব্বং পরন্তপ ! ।৪১।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি

জলপ্রদানিকে ধৃতরাষ্ট্রাশ্বাসনে প্রথমোঽধ্যায়ঃ ॥১॥

— —:০:— —

পুমক্লপ তুপ্লবা মাংয়খোংবু মতৌ অপুম্না কুইন পুন্তনা লৈগানা হায়বসি করিগুম্বা শাস্ত্রদা য়াওদে উদে। পণ্ডিতশিংনস্তু অসুম তৌবসিবু থাগৎনদে ॥৩৯॥ থম্মোয়শোক্না য়াবা হায়বাসিনা মৈয়াক মপেনা তৌরগুম্বা ত ইবং মীবু চাকথেকহল্লি। মরম অদুদা মহারাজনা অসিগুম্বা থম্মোয়শোক্না য়াবাসবু থাদোকপিয়ু। নিংথৌ নশানা নশাবু খেমাজিনবিয়ু ॥৪০॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ! জনমেজয়! য়েক্লবা ঙম্বা। মহুত্মা ওইরবা সঞ্জয়না অসুম খেমাজিল্লবা তুংদা বিদুরনা অমুক য়াম্না য়াখক তৌনা ধৃতরাষ্ট্রবু য়েংহুনা হায়রকই ॥৪১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী লাখ কয়াগী লুহোংবা শ্রীব্যাসনা লংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানিককী মনুংদা ধৃতরাষ্ট্রগী খুমনগী অহানবা অধ্যায় লোইরে।

- :(০,:- -

শ্রীমহাভারতম্

(ধৃতরাষ্ট্র খেমাজনবা মতাং মপা)

দ্বিতীয়োঽধ্যায়ঃ।

অনীশুবা অধ্যায়

— — —:*:— — —

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততোঽমৃতসমৈর্ব্বাক্যৈর্হ্লাদয়ন্ পুরুষর্ষভম্ । বৈচিত্রবীর্য্যং বিদুরো নিবোধ নিবোধ ত২।১।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— নিংথৌ! জনমেজয়! অসিগী তুংদা বিদুরনা অমৃতগী মশক ওইরবা ৱাহৈনা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রবু খেমজিল্লকপা মতাং অসে মুম্না চনীওতানা তাকিয়ু ॥১॥ বিদুরনা হায়ঃ—

বিদুর উবাচ

উত্তিষ্ঠ রাজন্! কিং শেষে ধারয়াত্মানমাত্মনা। এষা বৈ সর্ব্বসত্ত্বানাং লোকেশ্বর! পরা গতিঃ ।২।
সর্ব্বে ক্ষয়ান্তা নিচয়াঃ পতনান্তাঃ সমুচ্ছ্রয়াঃ। সংযোগা বিপ্রয়োগান্তা মরণান্তঞ্চ জীবিতম্ ।৩।
যদা শূরঞ্চ ভীরুঞ্চ যমঃ কর্ষতি ভারত!। তৎ কিং ন যোৎস্যন্তি হি তে ক্ষত্রিয়াঃ ক্ষত্রিয়র্ষভ! ।৪।
অযুধ্যমানো ম্রিয়তে যুধ্যমানশ্চ জীবতি। কালং প্রাপ্য মহারাজ! ন কশ্চিদতিবর্ত্ততে ।৫।
অভাবাদীনি ভূতানি ভাবমধ্যানি ভারত!। অভাবনিধনান্যেব তত্র কা পরিদেবনা ।৬।
ন শোচন্ মৃতমন্বেতি ন শোচন্ ম্রিয়তে নরঃ। এবং সাংসিদ্ধিকে লোকে কিমর্থমনুশোচসি ।৭।
কালঃ কর্ষতি ভূতানি সর্ব্বাণি বিবিধান্যুত। ন কালস্য প্রিয়ঃ কশ্চিন্ন দ্বেষ্যঃ কুরুসত্তম! ।৮।
যথা বায়ুস্তৃণাগ্রাণি সংবর্ত্তয়তি সর্ব্বশঃ। তথা কালবশং যান্তি ভূতানি ভরতর্ষভ! ।৯।

মহারাজ! লেওখৎপিয়ু। করিগী লৈমায়থক্তা চোপ্লরি? নিংথৌ নশানা নশানকপু ওপাহনবিয়ু। জীবপানবা অচচ্চত্ত পুম্বগী পোলোইদি অসিত্তাক্তনি ॥২॥ সংসারদা লৌরব; পোকপনাকবা পোৎ পুম্নমক্তা অরোইবা অংস্থাদি মুথরকপা মাঙথরকপা হায়বসিনা ওই। চাওখৎপা পুম্নমক্তা লৈখ তাবনা অরোইবা অবস্থানি। তিন্নবা অমদি থিন্নহুনা থোকথিবা পোৎ পুম্নমক্তা অরোইবা দশা (অবস্থা) দি "কায়নবা" হায়বসিনি। হিংবনা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক অরোইবা অবস্থা "শিবা" হায়বসিনি ॥৩॥ ক্ষত্রিয় অথোইবা। ভরতনন্দন! মহারাজ অকনবা অশোনবা, মরিলৈবা পাণ্ডবা অনীমকপু চাং চপ মান্নবা চিংহুনা মাগী যমপুর তান্না পুহনা চৎলে। অদুন্দি ক্ষত্রিয়শিংনা করিগীদমক লানশোয়রোইদৌরিবনো? ॥৪॥ মহারাজ! মতম হায়বহুনা মরাক্লবদা লানশোয়রক্লবস্ু অদুম মশি। হিংলো হায়রবদি লানয়াওক্লবস্ু অদুম মহিংকই। লানয়াওক্লবা কয়া চহী মতম কুইনা পুন্সিরি। য়াওক্লদবা কয়াস্ু মপুং মতম চাদনা শিরি। অদুনা মতমগী চৎলিবা খোঙচৎপু কনানস্ু খিংবা লাঙ্খোক্তুনা চৎথিবা ঙমদে ॥৫॥ ভরতনন্দন! সংসারদা লৈরিবা অনিত্য (অয়েপ্পা লৈতবা) ওইবা পোশক মথৈ অহোবদা লৈতে, মরক্তা লৈ, অরোইবদা লৈতে। অহানবগী লৈতবদদি কপথিদে, মরক্তা লৈবসিদস্ু কপতে, অরোইবা অদুমন্নবা লৈতবশিদা করিগী কপ্পরি ॥৬॥ শিপ্রবা অদুগীদমক কপ্লবস্ু মহাকপু কংদে, হানা কপলাউহুনস্ু মশামক শিবা ঙমদে। শিবত্মবস্ু শিখিবহুবু কংদে। অদুনদি শিখিবগীদমক কথিষ্ট রাগনি? ॥৭॥ কৌরবশাগৈগী অথোইবা! কাল (মতম্) হায়বা লাইসনা অচচ্চত্ত তোঙান তোঙানবা জীবশিংবু থুৎচিং মখল মখল্লা চিংহুনা পুখি। কাল হায়বসিগী নুংশিবা মন্নপ, য়েংথিনবা য়েক্লবা নুংশিনদবা অমতা লৈতে ॥৮॥ ভরতশাগৈগী অথোইবা! নুংশিৎনা নাপীশিংবু ওলহল্লীওবা মায়গৈদা মমায় ওনহনবহুওম্া কাল (মতম্) কৌ! মহাক্লস্ু জীবপানবা পুম্নমকপু ওলহন ওলহল্লীওবা মায়গৈ মওংদা ওনহলবা ওস্তোকপা ওস্মি ॥৯॥ তাইবংমী, তাইবং

একসার্থপ্রয়াতানাং সর্ব্বেষাং তত্র গামিনাম্ । যস্ত কালঃ স যাত্যগ্রে তত্র কা পরিদেবনা ।১০।
ন চাপ্যেতান্ হতান্ যুদ্ধে রাজন্ ! শোচিতুমর্হসি প্রমাণং যদি শাস্ত্রাণি গতাস্তে পরমাং গতিম্‌ ।১১।
সর্ব্বে স্বাধ্যায়বন্তো হি সর্বে চ চরিতব্রতাঃ । সর্ব্বে চাভিমুখাঃ ক্ষীণাস্তত্র কা পরিদেবনা ।১২।
অদর্শনাদাপতিতাঃ পুনশ্চাদর্শনং গতাঃ । ন তে তব ন তেষাং ত্বং তত্র কা পরিদেবনা ।১৩।
হতোঽপি লভতে স্বর্গং হত্বা চ লভতে যশঃ । উভয়ং নো বহুগুণং নাস্তি নিষ্ফলতা রণে ।১৪।
তেষাং কামদুঘাল্লোকানিন্দ্রঃ সঙ্কল্পয়িষ্যতি । ইন্দ্রস্যাতিথয়ো হ্যেতে ভবন্তি পুরুষর্ষভ ! ।১৫।
ন যজ্ঞৈর্দক্ষিণাবদ্ভির্ন তপোভির্ন বিদ্যয়া । স্বর্গং যান্তি তথা মর্ত্ত্যা যথা শূরা রণে হতাঃ ।১৬
শরীরাগ্নিষু শূরাণাং জুহুবুস্তে শরাহুতীঃ । হূয়মানাঞ্ছরাংশ্চৈব সেহুস্তেজস্বিনো মিথঃ ।১৭।
এবং রাজন্ ! তবাচক্ষে স্বর্গপন্থানমুত্তমম্ । ন যুদ্ধাদধিকং কিঞ্চিৎ ক্ষত্রিয়স্যেহ বিদ্যতে ।১৮।
ক্ষত্রিয়াস্তে মহাত্মানঃ শূরাঃ সমিতিশোভনাঃ । আশিষং পরমাং প্রাপ্তা ন শোচ্যাঃ সর্ব্ব এব হি ।১৯।

জীব পুম্নমক অমতা ওইনা অমনা অমগী খোঙবু ওইতুনা পুনশিগী লম্বীগী যাত্রিক ওইরি । মখোয়দুগী মরক্তা অমগী মনাক্তা কাল হায়বদুনা চঙলক্লবদি মকোকচিংবদু খঙদে, মম্নায়দা চৎপসু খঙদে, মমৈ ঈখং থংভিবদু খঙদে হেক্তা চৎখি । কাল হায়বদুনা মভোন্দা ক্ৰবা মীকুপ্ত লাক্কদগে খঙজিবা শিজি হায়ম্বিবা অমনা করিগী রাকম থোক্লপগে, করিগী কপকদগে ? ॥১০॥

মহারাজ । অসিদি লায়রদনা লান্দা শিপ্রবশিং অদুগীদমক্ত রাখিবাসিদ ইচুম চুমদে মরমদি শাস্ত্রগী মাবু মহারাজনা থাজবিরবদি লান্দা শিপ্রিবা অকনবশীং অদুদি অয়ানবা শুভম্ শোয়দনা কংলগদবনি হায়বসিসু থাজবিয় ॥১১॥ লান্দা শিপ্রিবশিংদো বেদশাস্ত্রবু নৈনরব, ব্রত কল্লবা মক্তনি । মখোয় পুম্বা নীঙহন্দনা মায়োক্লবা লান্দা শিখিবা ভাক্তনি । অদুনা মখোয়দুগীদমক্ মহারাজনা করিগী রাবিরি ? ॥১২॥ মখোয়না মর্ত্ত্যলোকত লাক্লবদো উদবা মকম অমদগীনি । হৌজিকসু উদব খরদবা মকম্ অমদা চৎখিদুনা মশক্ উথিজে । মখোয়দো মহারাজগী অমত্ত নত্তে, নিংথৌ নহাকসু মখোয়দুগীদমক মর্ত্ত্যলোকসিদা লাকপিবা নত্তে, হৌজিক কাওবা লৈবিরিবসিসু মখোয়গীদমক্ত নত্তে । অদুনা মখোয়গীদমক্ করিগী রাবিরি ? ॥১৩॥ ক্ষত্রিয় হায়বসিদি লান্দা শীপ্রবসু স্বর্গ কায়, য়েক্লববু হাত্তুনা লৈহৌরবসু স্বর্গ কায় । অদুনা শিবা হাৎপা অনিমক্ ক্ষত্রিয়শিংগী মকমদদি মমল য়াম্না য়াম্বান অনিমক্তা মঙন য়াম্ন লৈরিবনি । লালকমদবু চঙলবদি শিরবসু হিংলবসু অয়েম্বা কায়দবা অমত লৈতে । অনিমক্তা পোকপগী মহৈ য়াল্লিবনি ॥১৪॥ নিপা অথোক্‌বা ! দেবরাজ ইন্দ্রতনা লান্দা শিরকপশিং অদুগী মহুৎদা মনাক্ত লাক্‌না অতিথি ওইরবা য়াবা মতিক চাবশিংবু মশক খল্লি । মরমদ মায়োক্লবা নীঙহল্লদবা লান্দা শিবা অদুতনা ইন্দ্রগী অতিথি ওই ॥১৫॥ সম্মুখ সংগ্রামদা হায়বদি মায়োক্লবা লান্দা শিবশিং অদুতনা

আত্মানমাত্মনাশ্বাস্য মা শুচঃ পুরুষর্ষভ ! । নাস্থ শোকাভিভূতস্ত্বং কার্য্যমুৎস্রষ্টুমর্হসি ।২০।
মাতাপিতৃসহস্রাণি পুত্রদারশতানি চ । সংসারেষ্বনুভূতানি কস্য তে কস্য বা বয়ম্ ।২১।
শোকস্থানসহস্রাণি ভয়স্থানশতানি চ । দিবসে দিবসে মূঢ়মাবিশন্তি ন পণ্ডিতম্ ।২২।
ন কালস্য প্রিয়ঃ কশ্চিন্ন দ্বেষ্যঃ কুরুসত্তম ! । ন মধ্যস্থঃ কচিৎ কালঃ সর্ব্বং কালঃ প্রকর্ষতি ।২৩।
কালঃ পচতি ভূতানি কালঃ সংহরতে । প্রজাঃ । কালঃ সুপ্তেষু জাগর্ত্তি কালো হি দুরতিক্রমঃ ।২৪।
অনিত্যং যৌবনং রূপং জীবিতং দ্রব্যসঞ্চয়ঃ । আরোগ্যং প্রিয়সংবাসো গৃধ্যেদেষু ন পণ্ডিতঃ ।২৫।
ন জানপদিকং দুঃখমেঃ শোচিতুমর্হসি । অপ্যভাবেন যুজ্যেত তচ্চাস্য ন নিবর্ত্ততে ।২৬।

ফংখিবা পুন্য চেল্লবা লোক অদুদি দান দক্ষিনা য়াম্ন তৌবা যজ্ঞ তৌবা, বিদ্যা য়াম্ন হৈবা, তপস্যা য়াম্ন কনবাশিংনসু ফংবা ওমদে ॥১৬॥ মরম দি অকনবশিং অদুদি য়েক্লবগী হকচাংগী মশক্ ওইরবা যজ্ঞগী মৈদা, থুংলায়গী মশক ওইরবা আহুতি পীখি । অদুগা য়েক্লবশিংগী থুংলায়শিংবুসু মৈগী মশক ওইরবা মাগী মাগী মশাদা চঙহন খ, লৌশিনখি ॥১৭॥ নিংথৌ ! ঐনা মহারাজগী নকমদা স্বর্গ কাননবগী অথোইবা লম্বীগী মমমদা থঙজবা থর হংগৎচরি । জগৎ অসিদা ক্ষাত্রয়গী মকমদদি লাল নগুনা অতৈ অতোপ্প পোশক অমতনা তাম্ননীঙতায়, পাম্ননীঙতায় লৈত্রবনি ॥১৮॥ কল্লবা, লাম্না মথোয়গী লৈতেং ওইজখিবা পূকচেল চাউরবা ক্ষত্রিয়শিং অগুনা মথোয়না পামজবা পুণ্য চেল্লবা স্বর্গ অদো ফংজখ্রবানি। অদুনা মথোয়গীদমক রাবিকম থোক্কে ॥১৯॥ অদুনা নিপা অথোয়বা ! মহারাজ ! পুম্নমককী মুম্না শন্থাবরগা নিংথৌ নশানা নশাবু থেমজিন্দুনা শ্বরাবা পাদোকশিয়ু মরমদি তেগদবা থবক পুম্ব খাদোকপা হায়বসি রারিঙ মতমদা নত্তে। হায়রবদি রানা রানা থাদোক্কদবা নত্তে। থাদেক্রবসু জ্ঞান তানা পাদোক্কনবনি ॥২০॥ তাইবং মীনা সংসারদা মমা লিশিং লিশিং, মপা লিশিং লিশিং অদুগা মচু মচা চাম চাম উরে। মসিদা ঐনা হংজরিবাদি মথোয়দে কনাগীনো অদুগা ঐখোয়সিনা কনাগীনো ? ॥২১॥ অরাবগী পোদোক লিশিং লিশিংনা, অকিবগী বিষয় চাম চামনা থুংজদুনা শুমহৎলবা মীবু পণ্ডিতরবা মীবু রাহল্লে । অদুগা চনীঙ তানা খন্থবা মীবুদি শুমহৎপা ওমদে ॥২২॥ কৌরব অথোইবা মহারাজ ! কাল [মতম] হায়বা মহাক্কী মকমদা কনাগুম্ব করিগুম্বা অমতনসু কাল অদুগী নুংশিনকম চাম্নকম অদুগা কল্লক য়েংখিনকম ওইবা য়াদে । কাল হায়বসিনা মথোয়সিগী মরক্ কাওনা থক্ চত্তে । কালনদুম্ অচচত্ত পুম্নমকপু অতোপ অতোপ্পা অবস্থাদা পুদুনা চৎলী ॥২৩॥ কাল হায়বসিনা মৈ ঈশিংনচিংবা ভূতশিং অসিবু তোঙাল তোঙালবা অবস্থাদা ওনশিলহল্লি । কাল হায়বসিনা লোক পুম্নমকপু সংহার তৌরবনি চূপশিল্লিবনি । জীব পানবা পুম্নমক্না তুম্ন-শ্রবসু কাল হায়বা লাইদুদদি হৌগত্তুনা জাগরণ তৌদুনা লৈ । কালবু কনানসু কালমথুনা লাম্থোক্কনা চৎখিবা ওমদে ॥২৪॥ তাইবং মী ওইবগী মথোক্ কাবা, মশক্ লম্থুম, নুংশিবগা লৈমিন্নবা পুম্নমকসি অনিত্যনি, মীকুপ্ত মশক্ হোংখিবা য়ানা লৈব ঙাক্কনি । অদুনা অক কন্ন পুম্বা মুম্ন বিচার তৌবা অশিংবনা সংসারগী বিষয়শিং অসিবু ভোগ তৌননবা মথক্কা হায়খিবশিং অসিদা কাহেন্ন থক্ লুপলোইদৌবনি ॥২৫॥ মহারাজ ! লৈপাক্ শীন্থুংনা, প্রজা

অশোচন্ প্রতিকুর্ব্বীত যদি পশ্যেৎ পরাক্রমম্। ভৈষজ্যমেতদ্দুঃখস্য যদেতন্নানুচিন্তয়েৎ ॥২৭॥
চিন্ত্যমানং হি ন ব্যেতি ভূয়শ্চাপি প্রবর্দ্ধতে। অনিষ্টসংপ্রয়োগাচ্চ বিপ্রয়োগাৎ প্রিয়স্য চ ॥২৮॥
মনুষ্যা মানসৈর্দুঃখৈর্যুজ্যন্তে যেঽল্পবুদ্ধয়ঃ। নার্থো ন ধর্ম্মো ন সুখং যদেতদনুশোচসি ॥২৯॥
ন চ নাপৈতি কার্য্যার্থাৎ ত্রিবর্গাচ্চৈব হীয়তে। অন্যামন্যাং ধনাবস্থাং প্রাপ্য বৈশেষিকীং নরঃ ॥৩০॥
অসন্তুষ্টাঃ প্রমুহ্যন্তি সন্তোষং যান্তি পণ্ডিতাঃ। প্রজ্ঞয়া মানসং দুঃখং হন্যাচ্ছারীরমৌষধৈঃ।
এতজ্জ্ঞানস্য সামর্থ্যং ন বালৈঃ সমতামিয়াৎ ॥৩১॥
শয়ানঞ্চানুশেতে হি তিষ্ঠন্তং চানুতিষ্ঠতি। অনুধাবতি ধাবন্তং কর্ম্ম পূর্ব্বকৃতং নরম্ ॥৩২॥
যস্যাং যস্যামবস্থায়াং যৎ করোতি শুভাশুভম্। তস্যাং তস্যামবস্থায়াং তৎ ফলং সমুপাশ্নুতে ॥৩৩॥

পুম্বা রাননবা রা অদো নিংথৌনা থক থোব চৌনদে। তাইব মীনা থম্মোয় শোকঃ রায়বাদ মশাদা তপথবা কৈতে। অথুদগীদ লোইব থম্বা নাইদবা অরাব পরেংনা মথং মথং লাবই ॥২৬॥ অরাব অম ঈশাদা শাক্লবাদ মাতুদগী হেম্না অমুক রাথখিদনা লাক্লিবা অরাবচগী প্রতীকার [কোক্লব উপায় অম] থুনা য়াঙনা পাম্বংকদবনি। অরাবা কোক্লনবগী অমত ওইবা প্রতীকার [উপায়] দি মাগীদমক্ত রাক্লরিবা পোশক নত্রগা বিষয় অতু কাউথোকপা অসিতনি ॥২৭॥ তিন্ননীঙদবা পামজদবা মীশক নত্রগা পোশক্লা তন্নবগী অতুগা, কায়ননাঙদবা তুংশিনবা মীশক নত্রগা পোশক্ল কায়নবগী রাব অসিদি কায়না তিন্নক্লরিবা পোশক অতুগী মরমদা অতুকী মতীক চিন্তা তৌরগা কোকখিদে। কোকপদি লায়রতুনা হেন্দুম হেনগৎলকই ॥২৮॥ বুদ্ধি থেনবা মীশিংনা মশা মশানা তৌরুবা কর্ম্মতুদগী পোক্লকপা পুক্লিংগী রাববু অতুগা অনু-তাপপু বোকহনবা ওমদ্রিবাদ মতুংদা মখোয়না তৌরুবা কর্ম্ম অমত নীঙথিবা মহৈ অমত য়াক্লোই। ধর্ম্ম অমদি সুখ অনিসি মখোয়গী থম্মোয়দা থক পোকপা য়ারোই। হায়রবাদ মচাখাজনা চৌজিক হেক্ কাওবা রাদনা ওাক্ লৈবিরিবসে মসিদগী অমুক রাথবা নত্তনা অতোপ্পা মহৈ অমত ফংহিরোই ॥২৯॥ তাইবং মীনা লম্চুম মথং মথং লাকপদগী তোঙাল তোঙালবা চাওখৎলকপা মওংদা লাক্লে কায়ক্লে কায়তুনা ধর্ম্ম অর্থ অনিগী মায়গৈদসু চাওখৎলকলে কায়-রদি য়ারোই। মরমদি মহাক অতু ধর্ম্ম—অর্থ—কামদগীসু ভ্রষ্ট ওইরক্লবনি ॥৩০॥ পেন্দ্রবা মীগী মকমদা তৌহৈবা তৌহৈদবগী জ্ঞান লৈতে। মরম অতুনা বিবেক রায় লৈবা মীদি অংন্থ পুম্বদা অপেঙ্ক পেন্দুনা লৈ। আশংবা মীনা বুদ্ধিগী পাহৈনা পুক্লিংগী অরাববু অতুগা হীদাকী পাহৈনা হকচাংগী অরাবা (লায়না) বু মাঙহল্লি। মসিমকসু বুদ্ধিগী শক্তিনি। তাইবং মীনা বুদ্ধি লৈতবা মূর্খগা মান্নবা থক লৈরোইদোবনি ॥৩১॥ নহানমুকী মপোক্ত তৌ-

যেন যেন শরীরেণ যদ্যৎ কর্ম্ম করোতি যঃ। তেন তেন শরীরেণ তত্তৎ ফলমুপাশ্নুতে ॥৩৪॥
আত্মৈব হ্যাত্মনো মিত্রমাত্মৈব রিপুরাত্মনঃ। আত্মৈব হ্যাত্মনঃ সাক্ষী কৃতস্যাপকৃতস্য চ ॥৩৫॥
শুভেন কর্ম্মণা সৌখ্যং দুঃখং পাপেন কর্ম্মণা। কৃতং লভতি সর্ব্বত্র নাকৃতং ভুজ্যতে কচিৎ ॥৩৬॥
ন হি জ্ঞানবিরুদ্ধেষু বহুপাপেষু কর্ম্মসু। মূলঘাতিষু সজ্জন্তে বুদ্ধিমন্তো ভবদ্বিধাঃ ॥৩৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
জলপ্রদানে ধৃতরাষ্ট্রাশ্বাসনে দ্বিতীয়োঽধ্যায়ঃ ।০।

— — (:.:) — —

খিবা কর্ম্মসি মী অমুগী কবিমক তৌদবা, ভুমিন লৈবা অবস্থাদা, কারমক কাপ্পদনা মাগী অমু-ম্মক ভুমিগ লৈ। অদুগা মী অমুনা কয়িক্তবা ববক অমদা পুক্কিং চঙক্তনা লৈগ্রবদি মতম অমুদা হৌসাউগী কর্ম্ম অমু অদুগা কর্ম্মঅমুগী মহৈ অমু চঙক্কই। চৎকবগু মাদি অমুম মঙৈঙমকুন্দে ॥৩২॥ ভাইবং মীনা অমুম অমুম ওইবা অবস্থাদা তৌরু তৌরুবা অমবক্ত কর্ম্মগী মহৈগু অতোপ্প মপোক্ত নহাতমুকী ওইবগা অবস্থা অবস্থাদুদা হেক হেক ভোগ তৌই। ॥৩৩॥ অমুম অমুম ওইবা হককচাং পুম্মনা তৌরুবা অমুম অমুম ওইবা অক কত্তবা কর্ম্মমুগী মহৈক্ত অতোপ্প অম্মদা অমুম অমুম্বা কর্ম্মমুমকী মহৈ ওইনা চাই ।৩৪॥ ত.ইবং মী হায়বসি মশামকি য়েক্কবনি মরুপশুনি। মশানা তৌরুবা কগুগী সাক্ষীগু মশামগু অমুম মওই ।৩৫॥ অমুনা নহাতমুকী মপোক থগুদে, হন্দকমুকী মপোক থগুদে তৌরুবা পুন্য কর্ম্মগী মহৈনা দুঃখাউবা, পাপ কর্ম্মগী মহৈনা অরাবমমক কাংভ। অতোপ্পনা তৌবা কর্ম্মগী মহৈ অমত মতাঙ্কা কংব—চাব লৈতে ॥৩৬॥ মহারাজ! মহারাজগুমা বুদ্ধি লৈবা মিনা জ্ঞানগী বিরোধি ওইবা, পাপ মথল মথলবু পো-কতম্মব ওইবা, মরু কংনে মাঙননবা ওইবা থবক্তা থক পুক্কিং চঙনদে ॥৩৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকালশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানগী মচুংদা "ধৃতরাষ্ট্রাশ্বাসন" গী অনিশুবা অধ্যায় লোইরে।

মহাভারতম্

(ধৃতরাষ্ট্রনা অরারা খাদোকৃপা)

তৃতীয়োঽধ্যায় ।

অহমঞবা অধ্যায় ।

——:‚:——

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

সুভাষিতৈর্মহাপ্রাজ্ঞ ! শোকোঽয়ং বিগতো মম । ভূয় এব তু বাক্যানি শ্রোতুমিচ্ছামি তত্ত্বতঃ ॥১॥

অনিষ্টানাঞ্চ সংসর্গাদিষ্টানাঞ্চ বিবর্জ্জনাৎ । কথং হি মানসৈর্দুঃখৈঃ প্রমুচ্যন্তে তু পণ্ডিতাঃ ॥২॥

বিদুর উবাচ

যতো যতো মনো দুঃখাৎ সুখাদ্বা বিপ্রমুচ্যতে । ততস্ততো নিয়ম্যৈতচ্ছান্তিং বিন্দেত বৈ বুধঃ ॥৩॥

অশাশ্বতমিদং সর্ব্বং চিন্ত্যমানং নরর্ষভ ! । কদলীসন্নিভো লোকঃ সারো হ্যস্য ন বিদ্যতে ॥৪॥

গৃহাণীব হি মর্ত্ত্যানামাহুর্দেহানি পণ্ডিতাঃ । কালেন বিনিযুজ্যন্তে সত্ত্বমেকন্তু শাশ্বতম্ ॥৫॥

যথা জীর্ণমজীর্ণং বা বস্ত্রং ত্যক্ত্বা তু পুরুষঃ । অন্যদ্রোচয়তে বস্ত্রমেবং দেহাঃ শরীরিণাম্ ॥৬॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— মহাজ্ঞানী বিদুর ! নংগী নাঁওখিজরবা, মমলয়াম্রবা রাশিংসি ভাবদা ঐমী অরাবা চিংনবপুম্বা কোকৃঞে । অহুনা অমুরক্ হম্রা নংনা মাঁওখিনা তত্ত্বগা লোয়ননা ভাঙবা য়াদো মথা অমুক্ তানীঙলি ॥১॥ তিম্রনাঁওদবগা তিম্রক্রবগী, কায়ননাঁওদবা মাঁশিংদগী কায়নবগী পুরাঁংদা অমাদি খম্মোয়দা পোক্রকৃপা অরাবহুদগী পণ্ডিতশিংনো মতো করম্রা লাম্মোকদগে ? ॥২॥

বিদুরনা হায়ঃ— পাণ্ডিতশিংনা শান্তি নজ্রগা মুক্তি কংগে খয়হনা অহুম্ অহুম্ ওইবা পুক্লিংগী অরাবা নজ্রগা সুংভাইবদগী মুক্তি (লাম্মোকৃপা) কংগে, হায়না খল্লিবা অহুম্ অহুম্ ওইবা বিষয়দগী মশাগী পুক্লিংবু অহুম অহুম্বা বিষয়দগী চিংথোক্না শান্তি অমদি মুক্তি কংভি ॥৩॥ মহারাজ ! বিষয় অসিবু মুম্রা খম্বরুমগা করি খওবগে হায়ববু জগৎ মপুম্ অসিনা অনিত্যানি হায়বসি খঙিঙ মী খুদিংমক্ কনরাংচাউহনমু ইনাক কৈরাক খুন্দুনমু অমমম্রা লকুপাম্রী ওয়নি, মচি য়াওদবনি ॥৪॥ পাণ্ডিতশিংনা জীবপানবা পূম্রমকো হকচাংবু য়ুমগা অম্মানি হায়রৈ । মরমদি দেহ পূম্রমক য়ুমওয়নি; মতমগী মতুং ইম্রা ঈহন হন্নবমু অহুম মতেকই । দেহশিংগী মপুংদা ভুংহুনা লৈবম্বা আত্মা অহতান নিত্য ওইবা ॥৫॥ তাইবং মীবা অহনবমু ওইরবমু

বৈচিত্রবীর্য্য সত্যং হি দুঃখং বা যদি বা সুখম্। প্রাপ্নুবন্তীহ ভূতানি স্বকৃতেনৈব কর্ম্মণা ॥৭॥
কর্ম্মণা প্রাপ্যতে স্বর্গঃ সুখং দুঃখঞ্চ ভারত। ততো বহতি তং ভারমবশঃ স্ববশোঽপি বা ॥৮॥
যথা চ মৃণ্ময়ং ভাণ্ডং চক্রারূঢ়ং বিপদ্যতে। কিঞ্চিৎ প্রক্রিয়মাণং বা কৃতমাত্রমথাপি বা ॥৯॥
ছিন্নং বাপ্যবরোপ্যন্তমবতীর্ণমথাপি বা। আর্দ্রং বাপ্যথ শুষ্কং বা পচ্যমানমথাপি বা ॥১০॥
অবতার্য্যমাণমাপাকাদুদ্ধৃতঞ্চাপি ভারত। অথবা পরিভুঞ্জ্যন্তমেবং দেহাঃ শরীরিণাম্ ॥১১॥
(বিশেষকম্)

গর্ভস্থো বা প্রসূতো বাপ্যথ বা দিবসান্তরঃ। অর্দ্ধমাসগতো বাপি মাসমাত্রগতোঽপি বা ॥১২॥
সংবৎসরগতো বাপি দ্বিসংবৎসর এব বা। যৌবনস্থোঽথ মধ্যস্থো বৃদ্ধো বাপি বিপদ্যতে ॥১৩॥
(যুগ্মকম্)

অমনবা শেগায়বব্ ওইয়বনু কি অহুব্ থাদোক্লগা অতোপ্পা কি অম হোংবদুগুম্না জীবাত্মানা অহনবা মত্রগা অমনবা অহল ওইরবা হকচাংবু খুদক্তা থাদোকই ॥৬॥ বিচিত্রবীর্য্যনন্দন। মহারাজ। থাদোকখিবা হকচাং আসগী মতুংদা জীবাত্মানা মানা মানা তৌবা কর্ম্মগী মতুং ইন্না অরাব নত্রগা নুংঙাইবা কংনখিবনি ॥৭॥ ভরতনন্দন! জীবপানবা পুম্নমক্না কর্ম্ম কর্ম্মগুগী মতুং ইন্না পরলোকত স্বর্গ নত্রগা নরক অদুগা ইহলোকতনা অরাবা নত্রগা নুংঙাইবা কংদুনা লৈরি। অদুগা মথোয়না মনীঙ মখাতস্বগী অবস্থাদা নত্রগা মীথাপোনবগী অবস্থা নুংঙাইবগী নত্রগা অরাবগী পোৎলুম পুদুনা লৈরি ॥৮॥ ভরতনন্দন! চফূ শাবা মীনা মাগী চক্র মথক অদুদা অথীৎপা লৈবাকপু চফূনচিংবা শাননবগীদমক্তা হেক হাপকৎপা থাংগৎপা মতমদুমক্তদা, নত্রগা থর শাবা হোৎরবদা, নত্রগা পুমশাশাবা লোইরবদা, নত্রগা শাবা লোইরগা অমুক থ,গাইবা মেৎখায়বা মতমদা, নত্রগা উরুরুরু লৈরিবা চক্র অদুগী মথক্তা থাংথরবা মতমদা নত্রগা চফূ শাবা মশামক্ চক্র অদুগা থেংনরুবদগী মশামক তুখিবদা, নত্রগা চফূ অহনা চোৎলিঙৈ, কংলিঙৈদা, নত্রগা মৈরাক্লগ্নদগী থাংথরকপদা নত্রগা থাংগৎপদা, করিগুম্বা থবক মওং অমা তৌরিঙৈদা লাইগী নোংদমদগী হেক কায়বা তেকপদুগুম্না জীবপানবশিংগী হকচাংশু অদু মওয় ॥৯—১১॥
গর্ভদ লৈরিঙৈদা নত্রগা লৈমায়থক্তা তারকপদা, নত্রগা নোংম নীনি হিংদুনা লৈরম্লগা, নত্রগা থা মথায় অম থা মপুম অম কানা লৈরম্লগা নত্রগা চহী অম অনী কানা লৈরম্লগা নত্রগা পাখং মচা কারবা মতমদা নত্রগা মীরায় চল্লকপদা নত্রগা পুনশি তোল্লোইনা য়ায়া অহল ওইনা কুইনা লৈরবা তুংদা তাইবং জীব হায়বসিনা অশিবগী থয়াত্তা তাই ॥১২—১৩॥ মহারাজ জীব পানবশিংনা অহানবগী মপোক্তা তৌখিব কর্ম্মগুগী মতুংইন্না শিরবা মতুংদা অমদা অমুক পোক্লবনু য়াওই, অমুক মপোক্ পোকখিদবনু য়াও-ই। মাসি জগৎ জীবসিগী মশানা তাজরবা

প্রাক্‌কর্ম্মভিস্তু ভুতানি ভবন্তি ন ভবন্তি চ। এবং সাংসিদ্ধিকে লোকে কিমর্থমনুতপ্যসে ।১৪।
যথা তু সলিলে রাজন্! ক্রীড়ার্থমনুসন্তরন্। উন্মজ্জেচ্চ নিমজ্জেচ্চ কিঞ্চিৎ সত্ত্বং নরাধিপ ! ।১৫।
এবং সংসারগহনে উন্মজ্জননিমজ্জনে। কর্ম্মভোগেন বধ্যন্তে ক্লিশ্যন্তে যেঽল্পবুদ্ধয়ঃ ।১৬।
(যুগ্মকম্)

যে তু প্রাজ্ঞাঃ স্থিতাঃ সত্ত্বে সংসারান্তগবেষিণঃ। সমাগমজ্ঞা ভুতানাং তে যান্তি পরমাং গতিম্ ।১৭।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
জলপ্রদানে ধৃতরাষ্ট্রশোকাপনোদনে তৃতীয়োঽধ্যায়ঃ ।৩।

স্বতসিদ্ধ ওইবা নিয়মনি। অদুনা জীবনা মাগী স্বভাবকী মতুংইন্না চচ্চবদা মপানগী হকচাংসিবু "ঐ" নি হায়না শেয়ান্না থন্দুনা করিগী অনুতাপ তৌবিবগে ? ॥১৪॥ মহারাজ! করিগুম্বা জীব অমনা ঈশংদা তারগা অমুকস্তু লুপ্পা অমুকস্তু তাউথংপহুঙুম্না তাইবং ঈপাক্ অসিদা জীবনা অমুকস্তু লুপথি অমুকস্ত তাউথংলকই, অমুক তাউথংলক্কনা পুম্নপ লুপথিবস্থ য়াওই। মবুদ্ধি খেনবা জীবশিংনা কর্ম্মনা মশা মশাবু ফাজিনজৈ, অতুগা অরাবা নংজৈ ॥১৫—১৬॥ বুদ্ধিমান ওইবা মিশংনা অনিত্য সংসার অসিবু লোইশিনহনথগে থন্দুনা সৎসঙ্গ অমদি অসৎসঙ্গগী গুণ দোষবু যুম্ন খঙদুনা সত্ত্ব গুণতদা লৈনবা হোৎনৈ। মখোয়দুনা অকবা খুভমবু ফংখি ॥১৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানগী মতুংদা ধৃতরাষ্ট্রশাসনগী অহুমশুবা অধ্যায় লোইরে।

শ্রীমহাভারতম্

(ধৃতরাষ্ট্রগী অরাবা কোকপা)

চতুর্থোঽধ্যায়ঃ।

মরিশুবা অধ্যায়

——(:•:)——

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

কথং সংসারগহনং বিজ্ঞেয়ং বদতাং বর। এতদিচ্ছাম্যহং শ্রোতুং তত্ত্বমাখ্যাহি পৃচ্ছতঃ ।১।

বিদুর উবাচ।

জন্মপ্রভৃতি ভূতানাং ক্রিয়া সর্ব্বোপলক্ষ্যতে। পূর্ব্বমেবেহ কললে বসতে কিঞ্চিদন্তরম্।

ততঃ স পঞ্চমেঽতীতে মাসে বা সমকল্পয়ৎ ।২।

ততঃ সর্ব্বাঙ্গসম্পূর্ণো গর্ভে বৈ স তু জায়তে। অমেধ্যমধ্যে বসতি মাংসশোণিতলেপনে ।৩।

ততস্তু বায়ুবেগেন ঊর্দ্ধপাদো অধঃশিরাঃ। যোনিদ্বারমুপাগম্য বহূন্ ক্লেশান্ সমৃচ্ছতি ।।৪।।

যোনিসংপীড়নাচ্চৈব পূর্ব্বকর্ম্মভিরন্বিতঃ। তস্মান্মুক্তঃ স সংসারাদন্যান্ পশ্যত্যুপদ্রবান।

গ্রহাস্তমুপগচ্ছন্তি সারমেয়া ইবামিষম্ ।।৫।।

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়:— রাঙাঙব হৈবা, বিদুর! থঙতমজবা সংসারগী তত্ত্বসে করম্না থঙগনি ? মাহু ঐ হায়ম্ নুম্না তাবীবিউ। অদুনা য়াদুনা ঐগী হংদা হায় ।১॥ বিদুরনা হায়:— বুদ্ধিথো-কপা, বিচার য়াম্ম তৌবা পণ্ডিত জ্ঞানীশিংনা য়াম্ম বুঝা নৈনরে থিজিল্লে হায়রগা জীবপানবাশিংগী পোকপদগী হৌরকপা থবক পুম্বা ঙবা ওইশ্রি। নিপাগা নুপীগা তিন্নরবা মতুংদা কুমিৎ খরনি লৈরগা জীবনা শুপীগী কুয়োম (নাওয়োম) মনুংদা ঈগী শরককা তিন্নরবা, মতুংদা নডশিল্লবা শুক্র (বীর্য্য)না তুংতুনা লৈ। অহগী তুংদা বিধাতানা থা মঙাগী মতুংদা ওসাইগী নডশিল্লবা ঈ কান্নরবা বীর্য্য অহুব মংসপিণ্ড (শদুম্যচ) অমঙমনা মশক ওলহল্লি ।২। অদুগী তুংদা মাং-সপিণ্ড অসি কায়াংগুনা গর্ভগী মওংদা ওনশিল্লকই। গর্ভ অসি মাংসগ ঈগা তিন্নরব মাং-লখা নাউয়োমগী মনুংদা লৈ। মতম অদুদা অঙকপা মুংশিং অমগী ঈহম্ন গর্ভগী পীক্রবা থোঙ অংহিনা মহবকেংগদ হাইগদি মরোক অদুনা মপারোমদ ওহুরকই। মতম অদুদা গর্ভ (অঙাং) অসি মামাগী যোনিগী থোঙ ময়াহদা য়েংরঙনা অরাবা মখল মখল য়াম্না কংউ ।৪॥ অদুগী তুংদা থুরবা যোনিগী থোং অদুদা অরাবা চৈনা মখল মখল য়াম্ম পোকই। অদুদগী গর্ভাশয়

ততঃ প্রাপ্তোত্তরে কালে ব্যাধয়শ্চাপি তং তথা। উপসর্পন্তি জীবন্তং বধ্যমানং স্বকর্ম্মভিঃ ॥৬॥
তং বদ্ধমিন্দ্রিয়ৈঃ পাশৈঃ সঙ্গস্বাদুভিরাবৃতম্। ব্যসনান্যপি বর্ত্তন্তে বিবিধানি নরাধিপ ! ॥৭॥
বাধ্যমানশ্চ তৈর্ভূয়ো নৈব তৃপ্তিমুপৈতি সঃ। তদা নাবৈতি চৈবায়ং প্রকুর্ব্বন্ সাধ্বসাধু বা।
তথৈব পরিরক্ষন্তি যে ধ্যানপরিনিষ্ঠিতাঃ ॥৮॥
অয়ং ন বুধ্যতে তাবদ্‌যমলোকমথাগতম্। যমদূতৈর্বিকৃষ্যংশ্চ মৃত্যুং কালেন গচ্ছতি ॥৯॥
বাগ্‌হীনস্য চ যন্মাত্রমিষ্টানিষ্টং কৃতং মুখে। ভূয় এবাত্মনাত্মানং বধ্যমানমুপেক্ষতে ॥১০॥
অহো ! বিনিকৃতো লোকো লোভেন চ বশীকৃতঃ। লোভক্রোধভয়োন্মত্তো নাত্মানমববুধ্যতে ॥১১॥

(নাউকম নাউয়োম) অদুদগী মপান্দা খোরকহুনা লৈমায়থক্তা তায়হন্না উপদ্রব অতোপ অতোপপা য়ামনা জীবহুনা উই। নহালমক্কী মপোক্কী কর্ম্ম মখাকশিং অহুনা জীবহুগী মহুং ইমরকই। হুইশিংনা শহুম মনাকতা চেলশিল্লকপহুগুমনা। রবি (নুমিৎ) নাচিংবা গ্রহ কয়া কয়া মথং মথং অতুৎ অথম লৈতনা জীবহুগী মনাক্ত থুংই ॥৫॥ অহুদগী অমুক মতমগী মহুং ইয়া জীবনা তৌখিবা কর্ম্মশিং অহুনা মহাকপু কাক্সিল্লে। জীবহুনা মতম থর হিংহুনা লৈব তায়বদি রোগ (আধি ব্যাধি-অয়ানচিংবা লায়না) ময়ামা জীবহুনা মখোয়গী চগুমক ওইনা চগুকই ॥৬॥ মহারাজ ! অহুদগীদি মপানগী লৈরবা পোশক (বিষয়) শিং অহুগা তিমরুবদগী পুক্নিং হুননবগী মশক ওইরবা ইন্দ্রিয়শিংগী খোরিনা পুনশিনখিহুনা অরাবা থুদোংখিবা খোদোক কয়া কয়াসু জীবহুদা আশ্রয় লৌরে ॥৭॥ অরাবা মথল মথমা পৌড়া পায়রুবদা জীবহু মীওইরক্রবদ মপানগী হকচাংহুবু মাংকনি হায়না খণ্ডবিহুনা ইন্দ্রিয়শিংগী মুংঙাইবা কয়া কয়া কহুনা পেনবা লৈতে। অক-কত্ত থাক কয়া কয়া তৌনা তৌনা তৌরিবদুগী তত্ত্ব (থাঙ্গেংশংবমশক) বু খঙব ঙমশিদে। অহুগুম্বা অবস্থাদা অহুগুম্ব মীশিংহুনা মঙ্গল ওইবগী থবকপু থম্মুনতা লৈরকপা মতমদা মখোয়না জীব অহুবু কত্তব কর্ম্মশিং অহুদগী কনাবে ॥৮॥ মতম অহুদা যমগী দূতনা মাগী মনাক্ত অম্সুম স্নম নকশিল্লকপদো মহাক্না মী (জীব) হুনা কয়িমত্ত খঙদে। অহগী হুদা দূত ময়াম্ অহুনা মথং মথং হোনবহুনা মহাক চিংহুনা পুখিহুনা মৃত্যু (অশিবা) গী থয়াক্ত লাংশিল্লি ॥৯॥ অত্তাং ওইরিবৈদো রা। ঙাঙথোকপগী শক্তিনা লাকৃত্রিবৈগী মমাঙদা মহাক্না অকবা কত্তবা মথং মথং তৌ-ত্রিবদো। অহুগা মশানা মশাবু কর্ম্মগী বন্ধনশিংনা কাজহুখিবদো মহাকসু মহাক্না থোইনা থনবা তৌদে ॥১০॥ ওস্থোকপনি ! মরম্নাইগী অচুম্বা মওং (স্বভাব) অহুনা মী অহু নমথাক্ তৌবিরমে *। অপাম্বা হায়বহুনা মহাকপু থুত্রম চনাবত্রে। অহুদগীদি অপাম্বা, অশাউবা, অকিবা অসিনা কুপশিনবীখিহুনা জীব (জীবাত্মা) হুনা পরমাত্মাবু খঙাখত্রে-কাওথোকত্রে ॥১১॥

*টীকাঃ— মী অমবু নমথাক্ তৌরিবদো মশা। মশাবু নমথাক্ তৌজরিবনি হায়বা খঙখিদে মী অমবু মাঙননবা তৌরিবদো মশাগী মাঙননবা মশানা তৌজরিবনি হায়না খঙখিদবনা মতো-ঙ্গগী অতোপ্ন আত্মা [পরমাত্মা] বু মশক খংখিদে।

কুলীনত্বে চ রমতে দুষ্কুলীনান্ বিকুৎসয়ন্ । ধনদর্পেণ দৃপ্তশ্চ দরিদ্রান্ পরিকুৎসয়ন্ ॥১২॥
মূর্খানীতি পরানাহ নাত্মানং সমবেক্ষতে । দোষান্ ক্ষিপতি চান্যেষাং নাত্মানং শাস্তুমিচ্ছতি ॥১৩॥
(যুগ্মকম্)

যদা প্রাজ্ঞাশ্চ মূর্খাশ্চ ধনবন্তোঽথ নির্দ্ধনাঃ । কুলীনাশ্চাকুলীনাশ্চ মানিনোঽথাপ্যমানিনঃ ॥১৪॥
সর্ব্বে পিতৃবনং প্রাপ্তাঃ স্বপন্তি বিগতজ্বরাঃ । নির্ম্মাংসৈরস্থিভূয়িষ্ঠৈর্গাত্রৈঃ স্নায়ুনিবন্ধনৈঃ ॥১৫॥
কং বিশেষং প্রপশ্যন্তি তত্র তেষাং পরে জনাঃ । যেন প্রত্যবগচ্ছেয়ুঃ কুলরূপবিশেষণম্ ॥১৬॥
(বিশেষকম্)

যদা সর্ব্বে সমং ন্যস্তাঃ স্বপন্তি ধরণীতলে । কস্মাদন্যোন্যমিচ্ছন্তি প্রলব্ধুমিহ দুর্বুধাঃ ॥১৭॥
প্রত্যক্ষঞ্চ পরোক্ষঞ্চ যো নিশম্য শ্রুতিং স্থিমাম্ । অধ্রুবে জীবলোকেঽস্মিন্ যো ধর্ম্মমনুপালয়ন্ ।
জন্মপ্রভৃতি বর্ত্তেত প্রাপ্নুয়াৎ পরমাং গতিম ॥১৮॥

জীব অহুনা অকব শাগৈনি খঙনরম্বা শাগৈ [ঈমুং] অমদা পোক্লগ, অতোনবা চম্বরবা শাগৈনি হায়না সমাজদা খঙনরম্বা শাগৈ [ঈমু] অমদা পোক্লম্ব। মীওইব জীব অমবু চম্বনা খল্লগ, নিন্দা তৌরগা, চাউথোকচরগা মুংঙাইবা কংজরে। লায়রবা চম্বরশিংবু অতোনবান খন্দুনা মাচুতনস্থ মথোক্ত কাজৈ। মশাবুদি পণ্ডশ্রবনি শুমহৎশ্রবান হারবা খল্লুদনা মতোন্দগী চম্বান হায়না খল্লুরিবতুবু মহাক্না মূর্খানি পণ্ডলবনি হায়না খল্লি। মশানা তাওারবহুবাদ থোইনা খল্লুদনা অমবু অঙাওবান হায়না লঙনৈ। মতম অহুদা মাগী কীভম অশেংবা কৱি ওইরিবগে হায়বহু মহাক্ন খম্বক্লদে। অতোপ্পগী দোষত মথি। মাগী মাগী দোষ থোইনা খন্দে। মীবু শাসন তৌদ্রেত্তৈদা মশাবু হায়া শাসন তৌহোনবগী রাখল থোইনা তৌক্লদে। মশাবু শাসন তৌদ্রবা শাসকশিংনা জগতা অশান্তি পী ॥১২—১৩॥ পণ্ডিত অমদি মূখ, লায়রব ঈনাকখুনবা, শাগৈ জাৎ চাউবা পীকপা, ঈকায়খুম্নকম্ ওইবা ওইদবনি হায়না খাল্লব জীবশিং অসে মতোং—ঈ—নাই য়াওদ্রবা, অকনবা শক্লনা খল্লবা, শিংলি ময়াম্না কোয়কা-কাজিল্লবা দেহমুংদা লৈন লৈনা মোকমদা অবস্থা অমতদা খ্বাইমক চপ মান্না হীশলুবা মতমগুদা অতোপ্প লৈহৌরিবা মিশিংনা শিগ্রবশিং অহুগী অযগা অনগা খেন্নম্বহু কদায় কাওবনা হায়বা উবা ফংগোক্ত। মাহুম তোরবদা শিগ্রবশিংহুগী থাংগৈশেংবা গুণ দোষ পুম্নমকতো মথোয়না উবা খঙবা ঙাম্ব ॥১৪—॥১৬॥ মমৈখঙদ, পোল্লোইদা অচৌ অপিক খারদনা মঙং অমতদা লৈমায়খক্তা থাদহুনা হিপখিবা তামবা সংসার অসিদা মবুক্চেল মবুদ্ধি থেল্লবা জিবশিং অসিনা কম্বিগীদমক্তা অমনা অমবু নমথাক লোনম তৌনিংক্ষম থোকপগে ? ॥১৭॥ মমিৎমক্তা, নক্লগা উহোদবা তাহোদবা অচুম্বা থোদোকাশং অহুগী মরমদা ঋষিশিংনা নৈনরগা চায়রম্বা অচুম্বা রাশিং অহু তারগা অনিত্য ওইবা জীবলোক অসিদা পোকপদগী শিব কাওবা অচুম্ব ধর্ম্মবু চৎলিবা তৌরিবা মী অহুতনা অথোইবা গতিবু ফংবা ঙম্মি ॥১৮॥

এবং সর্ব্বং বিদিত্বা বৈ যস্তত্ত্বমনুবর্ত্ততে । স প্রমোক্ষয়তে সর্ব্বান্ পন্থানো মনুজাধিপ ! ।১৯।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
জলপ্রদানে ধৃতরাষ্ট্রশোকাপনোদনে চতুর্থোহধ্যায়: ।০।

অসি পুম্নমক অসি নৈনহনা খঙজগা সংসারগী মনুংদা অশেংবা তত্ত্বগী মতুং ইন্নরক্লিবা খি-রকলিবা মী অচগী মকমদা লম্বী পুম্নমক মুক্তিগী লম্বি ওইনা ঈহাঙ হাওনা অপনবা পিদনা লৈ ॥১৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানগী মনুংদা ধৃতরাষ্ট্রশোকপনোদনগী মরিশুবা অধ্যায় লোইয়ে ॥

—(*)—

মহাভারতম্

পঞ্চমোঽধ্যায়ঃ

(ধৃতরাষ্ট্রনা অরাবা কোকহনবগী মতাং)

মঙাশুবা অধ্যায়

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

যদিদং ধর্ম্মগহনং বুদ্ধ্যা সমনুগম্যতে । এতদ্বিস্তরশ: সর্ব্বং বুদ্ধিমার্গং প্রশংস মে ।১।
অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি নমস্কৃত্বা স্বয়ম্ভুবে । যথা সংসারগহনং বদন্তি পরমর্ষয়: ।২।
কশ্চিন্মহতি সংসারে বর্ত্তমানো দ্বিজ: কিল । বনং দুর্গমনুপ্রাপ্তো মহৎ ক্রব্যাদসঙ্কুলম্ ।৩।
সিংহব্যাঘ্রগজর্ক্ষৌঘৈরতিঘোরং মহাস্বনৈ: । সমন্তাৎ সংপরিক্ষিপ্তং যৎ স্ম দৃষ্ট্বাত্রসেদ্যম: ।৪।

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— বিদুর ! খংংদা রারবা ধর্ম্মগীবু, চুম্নগী ঐখোয়গী বুদ্ধিতনা খঙবা য়াবা অরংগা মাংদ, চঙখবা বিষয়দা বুদ্ধি অসিগী লম্বা পুম্নমক্ ঐঙোন্দা শন্দোক্না হায়য় ॥১॥ বিদুরনা হায়ঃ— মহারাজ ! মহর্ষিশিংনা শংক্না ময়াব সংসারগী শর্ম্মগীমরম্‌দা বর্ননা তৌরম্বা, হায়রম্বদো ঐ ব্রহ্মাবু খুরম্‌জরগা শন্দোক্না লাউগে ॥২॥ পাক চাওরবা সংসার অসিদা মথন্ত ওাক্নরবা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমনা শাহিংচাবা শাকৈমঙ্কনা থল্লবা মীনা চঙবা ঙমদ্রবা যম অমদা মথন্ত থংঙ্গুরে ॥৩॥ অকিবগী মশক ওইরবা, দুমিংচপ্লা খোল্লাউ খীনা তম্‌থিনা লাউখোংলবা কৈ নোংশা, শামু, শওমনাচিংবনা থল্লবা বন অদো উবদা যম কাওবা কিননবগী

তদস্য দৃষ্ট্বা হৃদয়মুদ্বেগমগমৎ পরম্ । অভ্যুচ্ছ্রয়শ্চ রোমণাং বৈ বিক্রিয়াশ্চ পরন্তপ ! ।৫।
স তদ্বনং ব্যনুসরন্ সংপ্রধাবন্নিতস্ততঃ । বীক্ষমাণো দিশঃ সর্ব্বাঃ শরণং ক্ব ভবেদিতি ।৬
স তেষাং ছিদ্রমন্বিচ্ছন্ প্রদ্রুতো ভয়পীড়িতঃ । ন চ নির্যাতি বৈ দূরং ন চ তৈর্বিপ্রযুজ্যতে ।৭।
অথাপশ্যদ্বনং ঘোরং সমন্তাদ্বাগুরাবৃতম্ । বাহুভ্যাং সংপরিক্ষিপ্তং স্ত্রিয়া পরমঘোরয়া ।৮।
পঞ্চশীর্ষধরৈর্নাগৈঃ শৈলৈরিব সমুন্নতৈঃ । নভঃস্পৃশৈর্মহাবৃক্ষৈঃ পরিক্ষিপ্তং মহাবনম্ ।৯।
বনমধ্যে চ তত্রাভূদুদপানঃ সমাবৃতঃ । বল্লীভিস্তৃণচ্ছন্নাভির্দৃঢ়াভিরভিসংবৃতঃ ।১০।
পপাত স দ্বিজস্তত্র নিগূঢ়ে সলিলাশয়ে । বিলগ্নশ্চাভবত্তস্মিন্ লতাসন্তানসঙ্কুলে ।১১।
পনসস্য যথা জাতং বৃন্তবদ্ধং মহাফলম্ । স তথা লম্বতে তত্র হ্যূর্দ্ধপাদো হ্যধঃশিরাঃ ।১২।
অথ তত্রাপি চান্যোঽস্য ভূয়ো জাত উপদ্রবঃ । কূপমধ্যে মহানাগমপশ্যত মহাবলম্ ।১৩।
কূপবীনাহবেলায়ামপশ্যত মহাগজম্ । ষড়্বক্ত্রং কৃষ্ণশুক্লঞ্চ দ্বিষট্‌কপদচারিণম্ ।
ক্রমেণ পরিসর্পন্তং বল্লীবৃক্ষসমাবৃতম্ ।১৪।

মশাক্ল ॥৪॥ য়েন্নবাভস্বা নিংকৌ বন অন্ত হেক্ উবদা ব্রাহ্মান অসি কিবনা কৈকম চাকম্ ধঙদে মশাপুন্নদা তুজুংবা পোকুষ্ট। মপুন্নীদ হিবার মংক এংক কবুষ্ট ॥৫॥ ব্রাহ্মণ অন্তুনা করিগুম্বা ধংক্ অমগীদমক বনঅদূগী মন্নুদা চহেবিদ্ধনা মকমপুন্নদা কোয়চং চতুনা অস্তুম কৈবদা, কনানা ঐগী কনবিবা মশক ওষ্টগদৌন্নিবনে হায়না অস্তুম ময়গেপুন্না ওন্দুনা ম্নোঙকুষ্ট ॥৬॥ অদূগী ভুঃদা ব্রাহ্মণ অন্তুনা শাহিচাবা জীবশিং অদূগী মথুল খিখিদ্রনা কিবনা ধক ধক নীক্তুনা অস্তুম লাকপদা বন অদূদগী ধকলাস্তোরূপ ঈয়া ম্নয়ে লমমুক্ররে। অদূদা লৈবা জীবশিং তদূদগী পাদোস্তুনা চহেম্ন ভম্ত্রে ॥৭॥ অন্তুগী তুঃদা ব্রাহ্মানদূগী করিউবগে হায়বরু বন অন্তুগী মকম্ অতোপা অমদা শক্তিকানকবগী পাব্রবা লাং অম অমুক ধাবক্তনা তাদুনা লৈরি। আকবগী মশক পুন্নবী কুপী অমনা মথুং অনিনা লাং অন্তুরু কোশন খোম্রজিন্দুনা লৈরি ॥৮॥ মতম অদূদা চীঙচীঙমুক রাং চাউরবা শাংলবা নোংমদোন খেংনা রাংলবা মকাক্তা মক্তোক পুন্নবা লিলশিংনা বন অন্তুরু অকোয়বদা কোয়শিন্দুনা লৈরি ॥৯॥ বন অদূদা উরী রারিশিংনা, নাপীশীংবিনা কুপশিল্লবা কুহা অমস্তু লৈ ॥১০॥ নাপীশিংবী উরি রারী পূমকুপ কুপ্তুনা লৈবদূদা কুহা অদূ লৈ হায়বা বনা অমতা খণ্ডদে। অন্তুগা ব্রাহ্মান অন্তু অস্নুম ঈথক ধন্না লাকপদা কুহা অন্তুদা পূথক্তুনা তারে। উরিশিংনা মশান্তু ঈয়েৎ য়েছিনগ্রে ॥১১॥ খৈবোংনা মশাদা য়ানথতুনা পানবন্তুগুম্মা ব্রাহ্মান অন্তু উরিশিং অন্তুনা কাজিল লোশিন্দুনা থাক থাক য়ান্দুনা লৈরে ॥ মখোং আননা মথক লোমদা, মকোক্লা মখারোমদা ওন্দুনা য়াম্বতুনা লৈরে ॥১২॥ অন্তুগা মতমাসদা মহা উপদ্রব অম তৌরি। কুহারোমদা ওন্তুরিবা মাদৎ অন্তুনা আ— কুহামগুদ কোদ কোন্দুনা লৈবা লিক্সাও অমস্তু উরি ॥১৩॥ অমুকস্তু মহাক্লা

তস্য চাপি প্রশাখাসু বৃক্ষশাখাবলম্বিনঃ। নানারূপা মধুকরা ঘোররূপা ভয়াবহাঃ।
আসতে মধু সংবৃত্য পূর্ব্বমেব নিকেতজাঃ ॥১৫।
ভূয়ো ভূয়ঃ সমীহন্তে মধূনি ভরতর্ষভ!। স্বাদনীয়ানি ভূতানাং যৈর্বালো বিপ্রকৃষ্যতে ॥১৬॥
তেষাং মধূনাং বহুধা ধারাঃ প্রস্রবতাং তদা। আলম্বমানঃ স পুমান্ ধারাং পিবতি সর্ব্বদা ॥১৭॥
ন চাস্য তৃষ্ণা বিরতা পিবমানস্য সঙ্কটে। অভীপ্সতি তদা নিত্যমতৃপ্তঃ স পুনঃ পুনঃ ॥১৮।
ন চাস্য জীবিতে রাজন্! নির্ব্বেদঃ সমজায়ত। তত্রৈব চ মনুষ্যস্য জীবিতাশা প্রতিষ্ঠিতা।
কৃষ্ণাঃ শ্বেতাশ্চ তং বৃক্ষং কুট্টয়ন্তি চ মূষিকাঃ ॥১৯॥
ব্যালৈশ্চ বনদুর্গান্তে স্ত্রিয়া পরমঘোরয়া। কূপাধস্তাচ্চ নাগেন বনাহে কুঞ্জরেণ চ ॥২০॥
বৃক্ষপ্রপাতাচ্চ ভয়ং মূষিকেভ্যশ্চ পঞ্চমম্। মধুলোভান্মধুকরৈঃ ষষ্ঠমাহুর্মহদ্ভয়ম্ ॥২১।
(যুগ্মকম্)

ভীমবু হাংকে খনবিরিবঙ্গুমদি য়াম্না চুমদে। ভীম হাংলগা শিখিবা নচাঈবুভোশিং অহু অমুক হিংগংলকনি হায়রবদি য়া অমনি। অহুনু নত্রি, অহুনা খনবিরম্বদো ওহোক্লা থীনা লাল্লি। ॥২৯॥ মরম অহুনা ঐখোয়না অমুক হম্না শান্তি ওইননবগী বিষয়দা খন্নরিবা তোনরিবসে মহা-রাজনা যাবিয়্ন। নারগা হল্লক্লরোইদোবা বিষয়দা অমুক নাবা তোবিরগনু ॥৩০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানগী মনুংদা "আয়সভীমভঙ্গসভাদা" তরামাখোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

— — —:*:— — —

মহাভারতম্

দ্বাদশোঽধ্যায়।

(ধৃতরাষ্ট্রনা শাউবা তোক্‌পা মতাং)

তরানিথোইশুবা অধ্যায়।

——:•:— —

বৈশম্পায়ন উবাচ

ততঃ এনমুপাতিষ্ঠন্ শৌচার্থং পরিচারিকাঃ। কৃতশৌচং পুনশ্চৈনং প্রোবাচ মধুসূদনঃ ॥১॥

রাজন্! অধীতা বেদাস্তে শাস্ত্রাণি বিবিধানি চ। শ্রুতানি চ পুরাণানি রাজধর্ম্মাশ্চ কেবলাঃ ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ অহুদগী— তুংদা য়ুম্নাংবগী হকচাং শেংদোক্ খোত্তোকদবা থবক পুখা তোননবা মীনায় মুপী নহাশিংনা ধৃতরাষ্ট্রগী নাক্ত পুংঙৈ। শেংদোক্ খোত্তোকদবা থবক পুখা লোইরবা তুংদা শ্রীকৃষ্ণনা অসুম্না হায়রকই:— ॥১॥ মহারাজদি বেদশাস্ত্র পুখা তমহুনা হৈদি-রবা অমনি। অহুগা পুরান মথল মথল তাবি তম্বিহুনা রাজধর্ম্ম রাজনীতি লোইনা খঙ-

এবং বিদ্বান্ যথাপ্রাজ্ঞঃ সমর্থঃ সন্ বলাবলে। আত্মাপরাধাৎ কস্মাত্ত্বং কুরুষে কোপমদ্ভুতম্ ॥৩॥
উক্তবাংস্ত্বাং তদৈবাহং ভীষ্মদ্রোণৌ চ ভারত!। বিদুরঃ সঞ্জয়শ্চৈব স্বস্ত রাজন্! ন তং কৃথাঃ ॥৪॥
স বার্য্যমাণো নাস্মাকমকার্ষীর্বচনং তদা। পাণ্ডবানধিকং জানন্ বলে শৌর্য্যে চ কৌরব! ॥৫॥
রাজা হি যঃ স্থিরপ্রজ্ঞঃ স্বয়ং দোষানবেক্ষতে। দেশকালবিভাগজ্ঞ পরং শ্রেয়ঃ স বিন্দতি ॥৬॥
উচ্যমানস্তু যঃ শ্রেয়া গৃহ্ণীতে ন হিতাহিতে। আপদঃ সমনুপ্রাপ্য স শোচত্যনয়ে স্থিতঃ ॥৭॥
ততোঽন্যবৃত্তমাত্মানং সমবেক্ষস্ব ভারত!। রাজংস্ত্বং হ্যবিধেয়াত্মা দুর্য্যোধনবশে স্থিতঃ ॥৮॥
আত্মাপরাধাদাপন্নস্তৎ কিং ভীমং জিঘাংসসি। তস্মাৎ সংযচ্ছ কোপং ত্বং সমনুস্মৃত্য দুষ্কৃতম্ ॥৯॥
যস্তু তাং স্পর্দ্ধয়া ক্ষুদ্রঃ পাঞ্চালীমানয়ৎ সভাম্। স হতো ভীমসেনেন বৈরং প্রতিজিহীর্ষতা ॥১০॥

বিয়বা ॥২॥ অদুক য়াম্ন বিদ্বান [মহৈ হৈবা অশিংবা] ওইরগা, মহারাজ নশা নখন্তনা তোখিবা কর্ম্মশিংদুগী মহৈ ওইনা অকোনবদা অবস্থা অসি কংবিয়বদা করিগী অদুপ য়াবিরুরি। জগত্তা জীবনা কংনরিবা অবস্থা অমদি মহৈসে মানা মানা তোখিবা কর্ম্মগী মহৈনা মরুনি ॥৩॥ ভরত-নন্দন। অসি খোঙান হায়দুনা ঙংদা খোঙদবা উগনবাঃ— ভীষ্ম, দ্রোণ, বিদুর, সঞ্জয় অদুগা ঐ ঐখোয়সুক য়াম্বনা মহারাজদা হায়জ নোঞ্জবদুবু মহারাজনা মরিক অমত্ত লৌবিখিদে ॥৪॥ কৌরবনন্দন। ল্যাল অসিত খোঙনবা হায়দুনা কয় থামজিনখি। শক্তিদা, পাঙ্গল্দা বিদ্যাদা পাণ্ডুগী মচাশিংনা কৌরবশিংদগী য়াম্ন হেন্না হায়বাসি খঙনা খঙনা মহারাজনা ঐখোয়গী বা অমত্তবু নাকোংদা হাপ্লখিদে ॥৫॥ পুক্লিং য়াম্ন তপ্পা তহা তহাদবা, লনাইগী পক্ষ, মীগী পক্ষ অনিমক্কী গুণ দোষবু খঙলগা অদুগা দেশ কাল পাত্রগী শক্তকপু তোঙান্না খায়দোক্লগা মাদুগী মতুংইন্না খবক তোখোয়কপা মী মহাক অদুতনা জগত্তা মঙ্গল ওইবা, জয় ওইবা ঙম্মি ॥৬॥ কান্নবা য়া হায়রম তাক্লবস্তু মাসিদি কান্নবনি হায়ব মুয় খঙদবা, কস্রে হায়ব খঙনা খঙনা মাগী কত্রবা নিতি অদুতদা অকবনি হায়না লৌরিবা মি মগাক অদুতনা অরাবা খুদোংচীবদা তারগা মহারাজনা রায়িবাসিগুম্বা অরাব কংতি ॥৭॥ ভরতনন্দন! নিংশৌ। মহারাজনা খঙন খঙনা অয়ানবা কত্তবা খবক কয় তোবিখিবা মাদু হৌজিক নৈনদুনা অমুক্ত য়েংবিয়। মতম অদুদা মহারাজদি দুর্য্যোধনগী মখা শোন্ন লৈবিরম্মি। মনিঙ মখা তনজবা পুক্লিং কোবা ইন্দ্রিয়বু মুমিৎ চুপ্পা মীগী মখাপোন্না খম্বি খ। মতম অদুদা মহারাজগী পুক্লংসি স্বাধীন ওইন লৈরমদে ॥৮॥ অদুনা মহারাজগী নশাগী অপারাধনা হে জক অরাবসি কংবিরিবনি। কনাগী দোষ অমত্ত য়াওদে। অদুগত বয়াল লৈত্রা ভীমবু হাৎকে হায়না করিগী খোয়াংবিরিবনো? অদুনা কায়দে, য়াম্ন ভাঙজদুন মহারাজ শানা তোৎবা পুয়মকতু নাঙংবোবরা। অশাউব খাদোকপিয়ো ॥৯॥ পুকচেল কত্রবা তোঙব নচা দুঃশাসননা দ্রৌপদীবু সভা ময়ায়দা ঙাকায়ব

আত্মনোঽতিক্রমং পশ্য পুত্রস্য চ দুরাত্মনঃ । যদনাগসি পাণ্ডূনাং পরিত্যাগঃ পরন্তপ ! ।১১।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্তঃ স কৃষ্ণেন সর্ব্বং সত্যং জনাধিপ ! । উবাচ দেবকীপুত্রং ধৃতরাষ্ট্রো মহীপতিঃ ।১২।
এবমেতন্মহাবাহো ! যথা বদসি মাধব ! । পুত্রস্নেহশ্চ ধর্ম্মাত্মন্ ! ধৈর্য্যান্মাং সমচালয়ৎ ।১৩।
দিষ্ট্যা তু পুরুষব্যাঘ্রো বলবান্ সত্যবিক্রমঃ । ত্বদ্‌গুপ্তো নাগমৎ কৃষ্ণ ! ভীমো বাহ্বন্তরং মম ।১৪।
ইদানীং ত্বহমেকাগ্রো গতমন্যুর্গতজ্বরঃ । মধ্যমং পাণ্ডবং বীরং স্প্রষ্টুমিচ্ছামি মাধব ! ।১৫।
হতেষু পার্থিবেন্দ্রেষু পুত্রেষু নিহতেষু বৈ । পাণ্ডুপুত্রেষু বৈ শর্ম্ম প্রীতিশ্চাপ্যবতিষ্ঠতে ।১৬।
ততঃ স ভীমঞ্চ ধনঞ্জয়ঞ্চ মাদ্র্যাশ্চ পুত্রৌ পুরুষপ্রবীরৌ ।
পস্পর্শ গাত্রৈঃ প্ররুদন্ সুগাত্রানাশ্বাস্য কল্যাণমুবাচ চৈনান্ ।১৭।
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
জলপ্রদানিকে ধৃতরাষ্ট্রকোপবিমোচনে দ্বাদশোঽধ্যায়ঃ ।০।

——:*:——

পাণ্ডবদুগী অমন থুম্বা ওইনা ভীমনা মাবু হাৎখিবতনি মাদো, ভীমনা নত্তে, মশাগী দোষননি ॥১০॥ কেক্কবগু অরাবা পিখম্বা নিংথৌ ! নিংথৌ নশাগী অমদি কত্রবা নচাইবুক্তা দুর্য্যোধনগী দুর্নীতিদবু বিচার তৌদুনা অমুক মুন্না য়েংলিয়ু । মরম ঈচা চাদনা, মরাল ঈরৈ লৈতদবা পাণ্ডবশিংগী মথক্তা শত্রুতা তমহনা মখোয়বু মরৈপাক্কগী কত্রবা নীতিনা পাম্বে ওইদুনা তাম্বো-কলিখি ॥১১॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ ! জনমেজয় ! কৃষ্ণনা রাশিংসি হায়রবদা ধৃতরাষ্ট্রনা অদুম্না হায়খিঃ— ॥১২॥ অকনবা, মশিংবা কৃষ্ণ ! হায়রিবদো অচুম্বমক্কনি । অদুদা ধর্ম্ম চেল্লবা ! মচাবু কা হেন্না মুংশিবা কৌবদুনা ঐবু অক কত্তগী রাখন্দগী লাপথো-কহনখি ॥১৩॥ কৃষ্ণ ! বল্লবা, শিংলবা নত্তীক নগুণ লৈরবা নহাক্না ভাকশেনবিখিবনা ভীমনা মরাম্নবক কখিদুনা ঐগী পাম্বোম অনীগী কারক্তা তারবা কাওবদা নাম্লোকখি ॥১৪॥ মাধব ! হৌজিক ঐ করিমত শাউবা তোত্তগ্রে । ভীমগী মফমদা মুংঙাইতবদুম্ন লাপ্ন চৎগ্রে । হৌজিক্কি ঐ পুক্নং লেপ্লে, থম্মোয়দা কারিগুম্বা বিষয় অমগী ইপোম হৌদ্রে । অদুনা ঐ হৌজিক্কু ভীমগী শাবু অমুক্ক শোকচগে ॥১৫॥ মরমদি ঐগী পক্কগী, ঐবু মুংশিবিরম্বা নিংথৌ মখৈবু অদুগা ঈচা ঈশু পুম্নকপু হাৎখ্রবাননা হৌজিক্কি ঐগী অরা মুংঙাইবা পুম্বা পাণ্ডবশিংগী মথুবাক্ত লৈরে ঐগী পুত্রপ্রেম বাৎসল্য প্রেম পুম্বা পাণ্ডবশিংদা চৎখ্রে ॥১৬॥ অসি হায়রগা ধৃতরাষ্ট্রনা ভীম অর্জ্জুন, মিপা অথোইবা নকুল সহদেববু মখং মনাও নাইনা প্রেমলিজন তৌরগা মখোয়গী মঙ্গল ওইরা রা পুম্বা হংখ্রে ॥১৭॥

মকুম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চাম্না শ্রীব্যাসনা লেংরা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানিকতা ধৃতরাষ্ট্র কোপবিমোচল গী তরানিথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

(গান্ধারীবু থেমজিনবা মতাং)

ত্রয়োদশোঽধ্যায়ঃ।

তরাহুমদোইশুবা অধ্যায়

——:*:——

বৈশম্পায়ন উবাচ

ধৃতরাষ্ট্রাভ্যনুজ্ঞাতাস্ততস্তে কুরুপুঙ্গবাঃ । অভ্যয়ুর্ভ্রাতরঃ সর্ব্বে গান্ধারীং সহকেশবাঃ ।১।
ততো জ্ঞাত্বা হতামিত্রং ধর্ম্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্ । গান্ধারী পুত্রশোকার্ত্তা শপ্তুমৈচ্ছদনিন্দিতা ।২।
তস্যাঃ পাপমভিপ্রায়ং বিদিত্বা পাণ্ডবান্ প্রতি । ঋষিঃ সত্যবতীপুত্রঃ প্রাগেব সমবুধ্যত ।৩।
স গঙ্গায়ামুপস্পৃশ্য পুণ্যগন্ধি পয়ঃ শুচিঃ । তং দেশমুপসংপেদে পরমর্ষির্মনোজবঃ ।৪।
দিব্যেন চক্ষুষা পশ্যন্ মনসানুদ্ধতেন চ । সর্ব্বপ্রাণভৃতাং ভাবং স তত্র সমবুধ্যত ।৫।
স স্নুষামব্রবীৎ কালে কল্যবাদী মহাতপাঃ । শাপকালমবাক্ষিপ্য ক্ষমাকালমুদীরয়ন্ ।৬।
ন কোপঃ পাণ্ডবে কার্য্যো গান্ধারি! শমমাপ্নুহি । বচো নিগৃহ্যতামেতৎ শৃণু চেদং বচো মম ।৭।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— জনমেজয় মহারাজ! অদুগী তুংদা, ধৃতরাষ্ট্রনা বিদায় পীরবতুংদা পাণ্ডব মচা অসি কৃষ্ণগা লোয়ননা গান্ধারীমা লৈরবা মফম অদু তাম্না লাকৈ ॥১॥ ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরনা মচা পুম্নমক হাৎত্রে হায়রসি তাচ খঙলদুনা মচা কায়নবগী রাগবী থম্মোয় লোক্না শাউত্রবী গান্ধারীনা যুধিষ্ঠিরদা সাপ তৌগে হায়না খনত্রে ॥২॥ পাণ্ডবাশিংগী মফমদা গান্ধারীগী তমথিরবা রাথল অমাদি নীতি অমা পোকত্রে হায়বসি খঙবদা বেদব্যাসদি হান্নদগী মালিগী মঙখদা য়াম্না কন্না মপুক্কদা নৈনবা তৌখ্রবনি ॥৩॥ মহর্ষি ওইরবা পূক্নিংগী মতোঙ্গম্না মাঙলবা, য়োনিংবা মফমদা মীকুপ্তা য়োঙ্খ্রে বেদব্যাসনা গঙ্গা স্নান তৌরগা মশাপুম্বা শেংদোক্লবা তুংদা গান্ধারীনা লৈরবা মনাক অদুদা থংলকখ্রে ॥৪॥ মহর্ষি বেদব্যাস হায়বসি দিব্যদৃষ্টি অদুগা যোগ সাধনগী শক্তি পীরবা পূক্নিংগী রাথলগী পাম্বৈনা জীবশিংগী তৌগে থজিনবা পুম্নমক্কসি মাঙজোননা খঙবা উবা ঙম্মি ॥৫॥ অদুগা তপস্যা থোউনা কনবা বেদব্যাসনা গান্ধারীগী মফমদা লাক্লগা অনায়েক লৈতবগী রাগম পুম্নমক কঙলগা কারি হায়রকপগে হায়রবু "সতী! মহারানী! চৌজিক চৈথাংবা শাপনচিংবা তৌনবগী মতম নত্তে। হৌজিক্তি মীগী মরাল ওকপি হৈকগী শুকচেল চাউবগী মতমনি। "অমুক্না হায়রগা গান্ধারীদা অমুক হায়রকই ॥৬॥ গান্ধারী! মহাসতী! পাণ্ডবগী মচাশিংদা নহাক শাউলাকনু। তপস্বী, পূক্নিং

উক্তাস্ম্যষ্টাদশাহানি পুত্রেণ জয়মিচ্ছতা । শিবমাশংস মে মাতর্যুধ্যমানস্য শত্রুভিঃ ॥৮॥
সা তথা যাচ্যমানা ত্বং যুদ্ধকালে জয়ৈষিণা । উক্তবত্যসি কল্যাণি । যতো ধর্মস্ততো জয়ঃ ॥৯॥
ন চাপ্যতীতাং গান্ধারি ! বাচং তে বিতথামহম্ । স্মরামি ভাষমাণাং হি ত্বামহং সত্যবাদিনীম্ ॥১০॥
বিগ্রহে তুমুলে রাজ্ঞাং গত্বা পরমসংশয়ম্ । জিতং পাণ্ডুসুতৈর্যুদ্ধে নূনং ধর্মস্ততোঽধিকঃ ॥১১॥
ক্ষমাশীলা পুরা ভূত্বা সাদ্য ন ক্ষমসে কথম্ । অধর্মং জহি ধর্মজ্ঞে । যতো ধর্মস্ততো জয়ঃ ॥১২॥
সা ত্বং ধর্মং পরিস্মৃত্য বাচঞ্চোক্তাং মনস্বিনি । । কোপং সংযচ্ছ গান্ধারি ! পাণ্ডবেষু সুতেষু চ ॥১৩॥

গান্ধার্য্যুবাচ

ভগবন্নাভ্যসূয়ামি নৈতানিচ্ছামি নশ্যতঃ । পুত্রশোকেন তু বলান্মনো বিহ্বলতীব মে ॥১৪॥
যথৈব কুন্ত্যা কৌন্তেয়া রক্ষিতব্যাস্তথা ময়া । তথৈব ধৃতরাষ্ট্রেণ রক্ষিতব্যা যথা ময়া ॥১৫॥

কাঞ্জল্লু। অপাউবগী মরু ররোংশবু নমহংলু। ঐ হায়গে তাও ॥৭॥ নচানিপা দুর্য্যোধননা জয় ওইগে খন্দুনা লালগী মপুং সুমেৎ তরানিপানিগী নুমিৎ খুদিংগী — "ঈমা! ঐ য়েরুবু জয় তোগে নচাদা আশীর্ব্বাদ পীর্নবিয়ু" হায়না নত্তোন্দা বর নীবিখানি ॥৮॥ মঙ্গল ওইবা সত্তী! নচানা অসুমা সুমেৎ খুদিং লাক্লাংঙমদাইদা নত্তোন্দ বর নিবা মতমদা — ধর্ম্ম কায়দবা, ধর্ম্মনা মাগী পক্ষদা লৈবনা জয় ওইসনু — অসুমা নংনা ইতৎ তঙনা হায়খিবানি ॥৯॥ গান্ধারী! নহাক্তি পোকপদগী অচুম্বতা ঙাওহনা লাক্লিবী অমনি। নহাক্না করিওম্বা মতম অমদা অমুক্কংতদি আসমত্তদি মীনম্বা ঙাওখনা হায়বাস ঐ নাইশিংবা খাকতে ॥১০ হোখিবা লাক্লাও অমদি মীচম য়ামহ্নবা চিংনবা খুদোংথীবা কয়া নংগ্রবা পাণ্ডবশিংনা মীচম সঙ্গন অঙম অংখী মশাং য়াম্বা হেল্লবা নচাবু ঙমহনা জয় ওইখ্রেদো। অহনাদি নহাক্না হায়াখিবতম্বদনা ধর্ম্ম হায়বদো পাণ্ডবশিংগী পক্ষদা য়াওরমলে হায়বা মশানা তারে ॥১১॥ ধর্ম্ম খঙবী! সত্তী পোকপদগী মীগী মরানতা ঙাকাপরকপী নংনা ঙসদি করগীনো মাদু তোয়রোই খল্লিবা! ধর্ম্মপাম্বী! ধর্ম্মদা পুক্লিং চঙবী! খাদোকউ ধর্ম্মগী রাখল অচ। পাণ্ডবশিংনা জয় ওইরিবসে নংগী আশীর্ব্বাদননি। মীচম মীখাই নাইদবী! ধর্ম্ম লৈবা মায়গৈনা জয় ওইসনু হায়াখিবহুগী মতুং ইন্না সত্তী নংগী শক্তিনা পাণ্ডবশিংনা জয় ওইরিবানি ॥১২॥ পুকচেল চাউবী! গান্ধারী! নংনা মমাঙৈদা হায়খিব পুম্বমক, নীঙশিংহনা হোজিক্তি নংগী নচামক ওইরবা পাণ্ডবশিংগী মথক্ত অশাউবগী মৈ চুগে নীঙালিবদো হঞ্জিন ॥১৩॥ গান্ধারীনা হায়ঃ— ভগবন! মহর্ষি! ঐ পাণ্ডবশিংদা অরানবা খক্ শীজনে । মখোয়গী মাঙননবগু তোগে খল্লদে । অদুদা, মচা কায়নবী য়মা অম ওইবনা ঈচা কায়নবগী থৈচাক পুঙপদহনা তোকব খঙদহনা পাণ্ডবশিংগী মকমদা শোত্রি মাত্রি পঙথল থল্লুয়ে ॥১৪॥ কুন্তীগী মচাশিংনা কুন্তিবু যোকাপ কনবিকম থোক-

দুর্য্যোধনাপরাধেন শকুনেঃ সৌবলস্য চ। কর্ণদুঃশাসনাভ্যাঞ্চ বৃত্তোঽয়ং কুরুসংক্ষয়ঃ ।১৬।
নাপরাধ্যতি বীভৎসুর্ন চ পার্থো বৃকোদরঃ। নকুলঃ সহদেবো বা নৈব জাতু যুধিষ্ঠিরঃ ॥১৭॥
যুধ্যমানা হি কৌরব্যাঃ কৃন্তমানাঃ পরস্পরম্। নিহতাঃ সহিতাশ্চান্যৈস্তত্র নাস্ত্যপ্রিয়ং মম ।১৮।
কিন্তু কর্ম্মাকরোদ্ভীমো বাসুদেবস্য পশ্যতঃ। দুর্য্যোধনং সমাহুয় গদাযুদ্ধে মহামনাঃ ॥১৯॥
শিক্ষয়াভ্যধিকং জ্ঞাত্বা চরন্তং বহুধা রণে। অধো নাভ্যাঃ প্রহৃতবান্ তন্মে কোপমবর্দ্ধয়ৎ ।২০।
কথং নু ধর্ম্মং ধর্ম্মজ্ঞৈঃ সমুদ্দিষ্টং মহাত্মভিঃ। ত্যজেয়ুরাহবে শূরাঃ প্রাণহেতোঃ কথঞ্চন ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
জলপ্রদানিকে গান্ধারীসান্ত্বনায়াং ত্রয়োদশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥



পঞ্চতম্মা গান্ধারী ঐবুসু ঈচাশিংদুনা [illegible]পিকম থোকইদে। ঐবু ভাকপিকম থোকপদুগুম্না নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রবুসু ঈচাশিংদুনা থোককম্ [illegible]থাকথিদে ॥১৫॥ দুর্য্যোধন, সুবলনন্দন শকুনি, কর্ণ অমগা দুঃশাসন মথোয় খরসিগী মরাম্না [illegible]রববংশগী সর্ব্বনাশ ওইরবনি হায়বসি ঐসু খল্লি ॥১৬॥ অর্জ্জুন, ভীমসেন, নকুল, সহদেব ম[illegible]নদা কারণগুম্বা অরানবা অমত [illegible]ভৌথদে যুধিষ্ঠিরনসু অরানবা নত্তবা ঐখোয়দা [illegible]ভৌখিবা [illegible] ॥১৭॥ কৌরবশিংদো অমগমগ হাৎনাখিম্নদুনা পুম্নম্না লৈমিন্নখিদে। মসিদা ঐগী সুংভাইতব [illegible] বস্তু লৈতে। ॥১৮॥ অদুদা মরিগ লৈরবা ভীমসেননা ঈচা দুর্য্যোধনবু কোথোক্লগা কৃষ্ণগী [illegible]ভনন্দা অধর্ম্মগী থবক অনতং তৌখ্রে ॥১৯॥ দুর্য্যোধন হায়বদো গদাযুদ্ধদা ওন্থোক্ল হৈাশংপ্রব অমনি। মহাক্না লাশফমদা গদাযুদ্ধগী নিয়ম [illegible] কয়া কয়া উত্তুনা থেংনাখ। ভীম[illegible]ননা গদাযুদ্ধগী নিয়ম থুগাইদুনা খোয়দোদগী মখ ভানা মহাক্ন ঈচা দুর্য্যোধনদা গদানা ফু[illegible] মসিদা ঐগী খণাউবগী মৈ অহু মহৌপ্রবনি ॥২০॥ ধর্ম্ম খঙলবা মহাত্মাশিংনা খ্বাইগী [illegible]ঙ্মনবা ধর্ম্মগী উপদেশ কয়া কয়া পাপ্রবনি। অহব অকনবা ক্ষত্রিয় মচাশিংনা লালকমদা মখ্বাই হিংননবনি হায়দুনা ধর্ম্মবু হেক থাদোকপা য়াম্না ॥২০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানগী মমুদা গন্ধারীসন্ত্বনাগী তরাহুমদোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥

— — :০: — —

শ্রীমহাভারতম্

(গান্ধারীনা ভাওবগী মতাং)

চতুর্দ্দশোঽধ্যায়ঃ ।

ভরামরিশুবা অধ্যায় ।

— — (ঃ*ঃ) — —

বৈশম্পায়ন উবাচ

এতচ্ছ্রুত্বা বচনং তস্যা ভীমসেনোঽথ ভীতবৎ । গান্ধারীং প্রত্যুবাচেদং বচঃ সানুনয়ং তদা ॥১॥

অধর্ম্মো যদি বা ধর্ম্মস্ত্রাসাত্তত্র ময়া কৃতঃ । আত্মানং ত্রাতুকামেন তন্মে ত্বং ক্ষন্তুমর্হসি ॥২॥

ন হি ধর্ম্মেণ পুত্রস্তে পাতিতোঽসৌ মহাবলঃ । ন শক্য° কেনচিদ্ধন্তুমতো বিষমমাচরম্ ॥৩॥

অধর্ম্মেণ জিতঃ পূর্ব্বং তেন চাপি যুধিষ্ঠিরঃ । নিকৃতশ্চ সদৈব স্ম ততো বিষমমাচরম্ ॥৪॥

সৈন্যস্যৈকোঽবশিষ্টোঽয়ং গদাযুদ্ধে চ বীর্য্যবান্ । ন ত্যক্ষ্যতি হৃতং রাজ্যমিতি বৈ তৎ কৃতং ময়া ॥৫॥

রাজপুত্রীঞ্চ পাঞ্চালীমেকবস্ত্রাং রজস্বলাম্ । ভবত্যা বিদিতং সর্ব্বমুক্তবান্ যৎ সুতস্তব ॥৬॥

দুর্য্যোধনমসংগৃহ্য ন শক্যা ভূঃ সসাগরা । কেবলা ভোক্তুমস্মাভিরতশ্চৈতৎ কৃতং ময়া ॥৭॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— ভীমসেননা গান্ধারীগী রাজ্য তাবদা য়াম্না কিনা শুংজোম্নবুনা ভত্তম্না হায়রকই ।১॥ মাতা' দেবী! ধর্ম্মনা ওইরবস্তু অধর্ম্মনবু ওইরবস্তু ঐহাক্না ঈশা ঈবস্তুগী ক্তিবা চিঙ্গদবগী মরমদা চিংনবস্তুনা ঈশা ইংল্লুনা ঊশংদু বক্লুশিবনি । মাহুগীদমক অরানবা চৈঙ্গবস্তু ওাকপিয়্যু ঈমা ।২। দক্ষ' বাহদনা শোয়্যরবদি ঐনা ঐগী চেক্লবা নচ, ঈবুঙোঙ্গবু তুহনবা ঙম্মুম্মোইদৌরি। অদুনা চেক্লবা ওম্নবা হোৎনবদা অচুম অরান য়েংজহৌজ্রে। মাহুগীদমক অরানবা লৈদবস্তু ওাবপিয়্যু ঈমা ।৩॥ চেক্লবগী কাঙ্গদা মশা মৎত্তমক ওায়জৌরবনি। অদুগা পদা মুদদা পানবীগুরোয় চৈতুনা বনবনি চৈবনি । মহাক্লা হিংতুনা মরৈরবদি ঐখোয়না ধর্ম্ম' কাহনা মুনশিবা পিতৃসত্তগী মরীক্ অমম্বা কাংগদবা মরৈত্তবনি । মরম অদুনা 'বিধি কায়না থেংজুনা য়েন্নবা মাবু তুহনাখিবনি । অযানবা য়াওরবস্তু চয়নন। কুপা তৌবিয়্যু ॥৪॥ অসিগী মতম্ভা চৌহক সভাদা অদুদৈ দুর্য্যোধননা ভুমিৎ থা মশক্ উবক্লাঞ্জিবী দ্রৌপদীদা ভাত্তখিশকৃখিবশিং অদু ঈমানু মৎতবিরিবনি ।৫॥ নচ' দুর্য্যোধনবু হাঞ্জিহনদৈ ঐখোয়না ঈচৈবাঙ্গা নিংদৌ ওইতুনা পানবত্তদি মঙম্মরোইদৌবনি। অদুনা মাহু ওম্নবা হোৎনবদা ঐনা থবক্ অসি তৌখিবনি ॥৬॥

তথাপ্যপ্রিয়মস্মাকং পুত্রস্তে সমুপাচরৎ। দ্রৌপদ্যা যৎ সভামধ্যে সব্যমূরুমদর্শয়ৎ ॥৮॥
তদৈব বধ্যঃ সোঽস্মাকং দুরাচারোঽম্ব! তে সুতঃ। ধর্ম্মরাজাজ্ঞয়া চৈব স্থিতাঃ স্ম সময়ে তদা ॥৯॥
বৈরমুদ্দীপিতং রাজ্ঞি! পুত্রেণ তব তন্মহৎ। ক্লেশিতাশ্চ বনে নিত্যং তত এতৎ কৃতং ময়া ॥১০॥
বৈরস্যাস্য গতঃ পারং হত্বা দুর্য্যোধনং রণে। রাজ্যং যুধিষ্ঠিরঃ প্রাপ্তো বয়ঞ্চ গতমন্যবঃ ॥১১॥

গান্ধার্য্যুবাচ।

ন তস্যৈব বধস্তাত! যৎ প্রশংসসি মে সুতম্। কৃতবাংশ্চাপি তৎ সর্ব্বং যদিদং ভাষসে ময়ি ॥১২॥
হতাশ্বে নকুলে যত্তু বৃষসেনেন ভারত!। অপিবঃ শোণিতং সংখ্যে দুঃশাসনশরীরজম্ ॥১৩॥
সদ্ভির্বিগর্হিতং ঘোরমনার্য্যজনসেবিতম্। ক্রূরং কর্ম্মাকরোস্তস্মাত্তদযুক্তং বৃকোদর! ॥১৪॥

(যুগ্মকম্)

ইমা! মহারানী! নচা ইবুঙো দুর্য্যোধণনা ঙম্মোরক্লা তৌরকচবা থবক কয়া তৌখি, থবক্‌শিং অদুগী মনুংদস্থ খ্বাইদগী হেন্না হন্নোইবা তৌরকচবা থবক্তি সভা মীয়াম মরক্তা দ্রৌপদীদা মাক হাইগরকুনা মকৈগল উৎখি। সভ্য ওইবা নিংথৌ মচা অমনা তৌবা ঙম্মারোইদোবা ব্যবহার অদু মীয়াম মমাঙদা তৌখি। অদুনা অসিগুম্বা অতত্তায়ীবু হাৎপদা ধর্ম্ম অধর্ম্ম য়েংহৌদ্রে ॥৭ ৮॥ ইমা! মাদুগী হায়রক্লবদি খুদকপ্তক্তদা ঐ দুর্য্যোধনগী মথাক্তী লৌরম্মুগদবনি। অদুবু য়াম্বুং ধর্ম্মরাজগী য়াথং ইঙ্গিত ফংদবনা— ঐ থবক অদু তৌবা ঙমজখিদবনি ॥৯॥ ইমা, মহারানি দুর্য্যোধনগী থম্মোয়দা অহিং গুংখিসন্দা পাণ্ডা ঐখোয়বু শক্রতা মৈনা চাকথোক্‌হনগদবগী হোৎনখি চতি তরাক্তুমদোই চুপনা বনবাসগী অরাবা খুদোংথীবা ফংহনখি। ধর্ম্ম কায়বা থবক্তুগী লমন খুম্‌বা অধর্ম্মগী থবক থর ঐস্থ তৌজরক্লা অরানবা ভাকপিয়ু ॥১০॥ ঐখোয়না হৌজিক্তি দুর্য্যোধনবু হাৎতুনা য়েক্লব ঈপাক রাংমা লাম্বোকচরে। য়াম্বুং যুধিষ্ঠিরনা মরৈবাক ফংজরে। অসিগা লোয়ন লোয়ননা ঐখোয়গী থম্মোয়দা মতম কুইনা চারুম্বা অশাউবা মুংডাইতবগী মৈস্থ মুংত্রে ॥১১॥ গান্ধারীনা হায়ঃ— ইবুঙো! অকনবা! চুম্মি, মসিগীবু হায়রক্লবাদ, মাসে দুর্য্যোধনবু হাৎপা নত্তে। মরমদি নংনা মাবু থাগৎলি। নহাক্লা মাগী মরমদা হায়থ্রবশিংদো মহাক্লা তৌখিবমক্তনি ॥১২॥ অদুদা ভরতনন্দন! ভীম! বৃষসেননা নকুলগী শগোলশিংত্থবু হাৎখিবদা নহাক্লা দুঃশাসনগী মথবাক্ত ঈ থকখিবদো মাদুদি সজ্জন ওইবা সভ্য ওইবশিংনা য়াম্না নিন্দা তৌনৈ। তোল্লবা মী মচাশুনা তৌনবা থবাক্তি মাগু তম্‌খিনা স্নুংশি হৈতবা থবক্তি মাদু, অর্ভ্ঞনা বৃকোদর! নংনা তৌশ্রিব থবকুসিবদি ঐ য়াদিংদে, চুমদে ॥১৩—১৪॥ ভীমনা হায়ঃ—

ভীম উবাচ

অন্যস্যাপি ন পাতব্যং রুধিরং কিং পুনঃ স্বকম্। যথৈবাত্মা তথা ভ্রাতা বিশেষো নাস্তি কশ্চন ॥১৫॥
রুধিরং ন ব্যতিক্রামদ্দন্তোষ্ঠাদম্ব। মা শুচঃ। বৈবস্বতস্তু তদ্বেদ হস্তৌ মে রুধিরোক্ষিতৌ ॥১৬॥
হতাশ্বং নকুলং দৃষ্ট্বা বৃষসেনেন সংযুগে। ভ্রাতৃণাং সংপ্রহৃষ্টানাং ত্রাসঃ সংজনিতো ময়া ॥১৭॥
কেশপক্ষপরামর্শে দ্রৌপদ্যা দ্যূতকারিতে। ক্রোধাদ্যদব্রুবং চাহং তচ্চ মে হৃদি বর্ত্ততে ॥১৮॥
ক্ষত্রধর্ম্মাচ্চ্যুতো রাজ্ঞি। ভবেয়ং শাশ্বতীঃ সমাঃ। প্রতিজ্ঞাং তামনিস্তীর্য্য ততস্তৎ কৃতবানহম্ ॥১৯॥
অনিগৃহ্য পুরা পুত্রানস্মাস্বনপকারিষু। ন মামর্হসি কল্যাণি। দোষেণ পরিশঙ্কিতুম্ ॥২০॥

গান্ধার্য্যুবাচ

বৃদ্ধস্যাস্য শতং পুত্রান্ নিঘ্নংস্ত্বমপরাজিতঃ। কস্মান্নাশেষয়ঃ কঞ্চিদ্যেনাল্পমপরাধিতম্ ॥২১॥
সন্তানমাবয়োস্তাত। বৃদ্ধয়োর্হৃতরাজ্যয়োঃ। নাশেষয়ঃ কথং যষ্টিমেকাং বৃদ্ধযুগস্য বৈ ॥২২॥

অতোম্ন অমগী ঈ ফাওবা থক্পা তৌনদে। অহুনদি মশাগী ঈনি করম থকনি। দুঃশাসনগা ঐগা মশা অমতনি, ঈচিন ঈনাওনি, মাগী ঈদি ঐগী ইনি। অনি অসিগী মরক্তা করিমত্ত খেন্নবা লৈতে ॥১৫॥ ঈ অদো ঐগী য়া অমদি চীনবানগী মথাদা থক্ চখ্‌খিদে। মতম অহুদা লাকপা যমরাজনা সাক্ষীনি। মাগী মথবাক্তগী ঈ কোংখোকপগী ঐগী খুবাক অনিদি ঈনা পুম্নপ লুপখি। অহুনা ঈমা! মাহুৎদমক্ত সুংঙাইত্তবা তৌবিযু ॥১৬॥ বৃষসেননা নকুলগী শগোল হাৎখিবহু উবদা কৌরব মচীন্নাও পুম্নমক্না খুবাক খুহনা করেম্ননা নেক্রখি! য়াম্ন হয়াউ তম্নাম্নখি। অহুদা ঐনা দুঃশাসনবু হাৎতুনা মখোয়গী পুক্রিংদা অকিব য়িপাইবা অমুক পোকহনবতনি ॥১৭॥ অহুগা অমনা, ইমা রানী! চৌবর সভাদা দুঃশাসননা দ্রৌপদীগী মশম্ লাকতুনা চিংখিবা মতমদা ঐনা শকখিবা ৱাশক অদো দুঃশাসনবু হাৎপা মতমদা ঐ থওনিং নীঙাশংঙকই ॥১৮॥ ঈমা, রানী! ঐনা ক্ষত্রিয় মচা ওইবগা ৱাশক অহুব ভাক্নমক্রবদি ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী লিক্নম কায়না চৎপা হায়বহৈ ওইবিব তারে হায়না খন্তুনা ঈ থুজোক থাংগৎতুনা চীনবান্দা হাপখিবনি ॥১৯॥ মজলগী মশক ওইবি ঈমা মহারানি! পোকপদগী নচাশিংগী মকমদা ঐখোয়না খোইদিং মথায় অম কাওবা লাল্নকত্রি, অহুগা মাঙননবা তৌরক্ত্রি! অহুগা মখোয়দি অহিং সুংখিন্দা ঐখোয় ঈচিন ঈনাও মঙাগী মাঙননবা ৱাখল্ত তৌখি। ঐখোয়গী মাঙননবা শাখিরবা থবক কয়া তৌখি। মতম অহুদদি অহল অন ওইনা ঈমা রানিখোয়না থাম্নজগা হৌজিক্তা ঐখোয়দা দোষ পির্বাদ লাল্লি ॥২০॥ গান্ধারীনা হায়ঃ— ভীম! নংদি কনাগী মকমদগীস্যু মায়থীবা কংদনা অহল ওইরবি ঐগী ঈচা চাম পুক্ত হাৎখ্রে, অমত্তংতদি থাকহৌত্রিবা করিগীনো? মাহুম তৌম্নরবদি নংগীনয়ালগী শরুক অমি থম্নদি হন্ননম্নগদবনি ॥২১॥ ইবুঙো! অকনবা! লম্ন্ত্র লৈপাক সিংহাসন লোইনা নথুং

শেষে হ্যবস্থিতে তাত। পুত্রাণামন্তকে ত্বয়ি। ন মে দুঃখং ভবেদেতৎ যদি ত্বং ধর্ম্মমাচরেঃ ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি

জলপ্রদানিকে গান্ধারীবাক্যে চতুর্দ্দশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:•:——

চল্লে। অসিগুম্বা অবস্থাসিদা হন্নুবা হন্নুবী ঐখোয় অনিগী সোাতদি তৌনবা ঈচা অম শাওবা খাকৃপিরমজিবা করিগীনো ? ॥২২॥ ঈবুঙো! ভীমসেন! নংনা ঈচা অমথকদং খাক পিরম্নবদি অদুগা ধর্ম্ম অসিবু খাজিকং ভাকপিরম্নবদি, নং অসি ঐগী ঈচা হাৎপা মীশক্তুমক্ ওইরবসু অদুক য়াম্না শাউরম্মোইদৌবনি ॥২৩॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা জলপ্রদানগী মনুংদা গান্ধারী বাক্যগী তরামরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

———

মহাভারতম্

পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ

(কুন্তীগা মচাশিংগা উনবা)

তরামঙাশুবা অধ্যায়

——:•:——

বৈশম্পায়ন উবাচ

এবমুক্ত্বা তু গান্ধারী যুধিষ্ঠিরমপৃচ্ছত। ক্ব স রাজেতি সক্রোধা পুত্রপৌত্রবধার্দ্দিতা ॥১॥

তামভ্যগচ্ছদ্রাজেন্দ্রো বেপমানঃ কৃতাঞ্জলিঃ। যুধিষ্ঠিরস্ত্বিদং তত্র মধুরং বাক্যমব্রবীৎ ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— তাও, মহারাজ জনমেজয়! অসুম্না হায়রবা তুংদা মচা মচু তুম্না হাৎপিরবী রাজবী গান্ধারীনা যুধিষ্ঠীরগী মথক্তা য়াম্না শীনা শাউখিন্নুনা — যুধিষ্ঠীর কদায় লৈ? হায়না শাউনা হংলকই ॥১॥ মতম অদুদা রাজর্ষি যুধিষ্ঠীর অসি শাপ কনগনি হায়না কিমনখনবা থক্ থক্ নিরা খুড় লোম্নদুনা গান্ধারীগী নাক্তা চঙশিল্লি, অদুগা নীঙখিজরবা

পুত্রহন্তা নৃশংসোঽহং তব দেবি ! যুধিষ্ঠিরঃ । শাপার্হঃ পৃথিবীনাশে হেতুভূতঃ শপস্ব মাম্ ।৩।
ন হি মে জীবিতেনার্থো ন রাজ্যেন ধনেন বা । তাদৃশান্ সুহৃদো হত্বা মূঢ়স্যাস্য সুহৃদ্দ্রুহঃ ।৪।
তমেবংবাদিনং ভীতং সন্নিকর্ষগতং তদা । নোবাচ কিঞ্চিদ্গান্ধারী নিশ্বাসপরমা ভৃশম্ ।৫।
তস্যাবনতদেহস্য পাদয়োর্নিপতিষ্যতঃ । যুধিষ্ঠিরস্য নৃপতের্ধর্ম্মজ্ঞা দীর্ঘদর্শিনী ।৬।
অঙ্গুল্যগ্রাণি দদৃশে দেবী পট্টান্তরেণ সা । ততঃ স কুনখীভূতো দর্শনীয়নখো নৃপঃ ।৭।

(যুগ্মকম্)

তদ্দৃষ্ট্বা চার্জ্জুনোঽগচ্ছদ্বাসুদেবস্য পৃষ্ঠতঃ । এবং সংচেষ্টমানাংস্তানিতশ্চেতশ্চ ভারত ! ।
গান্ধারী বিগতক্রোধা সান্ত্বয়ামাস মাতৃবৎ ।৮।
তে পাণ্ডবা অনুজ্ঞাতা মাতরং বীতমৎসরাঃ । অভ্যগচ্ছন্ত সহিতাঃ পৃথাং পৃথুলবক্ষসঃ ।৯।
চিরস্য দৃষ্ট্বা পুত্রান্ সা পুত্রাধিভিরভিপ্লুতা । বাষ্পমাহারয়দ্দেবী বস্ত্রেনাবৃত্য বৈ মুখম্ ।১০।

অথোৎপা মাহৈনা অস্মুম্না হায়রকই — ॥২॥ ঈমা ! মানী নহাক্কী নচাশিংবু হাৎপা, পৃথিবীগী অবনবা পৃম্মক্কী মাতম তারুনবা শীনবা, ননাক্ক সিদা লৈজরে। ঐহাক অসে নহাক্না শাপ তৌবদা মতীক চারবনি। কল্রবা পাপী তমথিরবা ঐহাক্তা শাপ তৌবিয়ু ॥৩॥ ঐ অসি ক্রৈগে নাতে মরূপ মিপাং পৃম্মক্কী মাতনবগী মশক ওইবা মতাশাপ কংকম পোক্রবা মীশক অমনি। অদুনা লৈপাক সিংহাসন, পুনসি অমদি ললুগী করিমত্তা কাম্নকম লৈজ্রবা মীশক অম ওইরে ॥৪॥ অসি হায়না হায়না কিবনা থক থক নাক্রবা যুধিষ্ঠির অসি গান্ধারীগী নাক্ত অস্মুম খর খর পোল্লি পোল্লি চঙশিল্লকই। গান্ধারী অসি ভুংশা মপী সানা ফুইনা হোল্লি, মামচেৎ অমত্তা ঙাঙদে ॥৫॥ অদুদগী অস্মুম চঙশিল্লকুনা গান্ধারীগী খোঙ অনাদা যুধিষ্ঠির অসি তুগে হায়দুনা হেক নোম্থরকপদা তুংগী ম লোইনা উরবী গান্ধারীনা মমীথগী তাক্কপা লিপু তেথোক তৈথোক্ত যুধিষ্ঠীরগী মখোঙ হেৎথংবগী খোঙদোন মতোনশিং অদুতদা মীৎয়েং শমখি। মতম অদুদ যুধিষ্ঠিরগী খোঙশা মতাগী খুজীলশিং অদু চপশিল খুইজিনাখদুনা খুজীল ফায়পুম তৌখ্রে। অহানবদদি যুধিষ্ঠিরগী খোঙদোনগী খুজীলশিং অদো য়াম্না কজবনি ॥৬—৭॥ ভরতনন্দন ! মহারাজ ! অদুদগীদি অর্জ্জুন অসি কিমনপ্রদুনা কৃষ্ণগী তুংলোমদা লৈশিল্লি। মতৌ অস্মন্না মখোয়না য়াম্না অকিবা উত্তুনা গান্ধারীগী অশাউবগী মৈ অদু মুৎননবা হোৎনরক্লবদা গান্ধারীনা শুংশিল্লুনা, অশাউব পুম্বা থাদোক্তুনা মমা অমগী মতৌম্মা পাণ্ডবশিংবু থেমজিনবিখি ॥৮॥ অদুগী তুংদা গান্ধারীনা চানবিরবা অদুগা বিদায় পীরবা তুংদা পাণ্ডব মতা অসি গান্ধারীগী মকমদগী চিংনবা য়েংথিনবা পুম্বা কোক্তুনা মমা কুন্তিগী নাক্ত লাকই ॥৯॥ মতম অরেক ফুইনা মচা কায়নবগী উম্নবগী, অরাব পুম্বা থম্মোয়দা পুদুনা লৈরম্বী কুন্তিনি। মতম ফুইনগী

ততো বাষ্পং সমুৎসৃজ্য সহ পুত্রৈর্যদা পৃথা । অপশ্যদেতান্ শস্ত্রৌঘৈর্বহুধা পরিবিক্ষতান্ ।১১।
সা তানেকৈকশঃ পুত্রান্ সংস্পৃশন্তী পুনঃ পুনঃ । অন্বশোচত দুঃখার্ত্তা দ্রৌপদীঞ্চ হতাত্মজাম্ ।
রুদতীমথ পাঞ্চালীং দদর্শ পতিতাং ভুবি ।১২।

দ্রৌপদ্যুবাচ ।

আর্য্যে ! পৌত্রাঃ ক তে সর্ব্বে সৌভদ্রসহিতা গতাঃ । ন ত্বাং তেঽদ্যাভিগচ্ছন্তি চিরং দৃষ্ট্বা তপস্বিনীম্ ।
কিং নু রাজ্যেন মে কার্য্যং বিহীনায়াঃ সুতৈর্ম্ম ।১৩।
তাং সমাশ্বাসয়ামাস পৃথা পৃথুললোচনাম্ । উত্থাপ্য যাজ্ঞসেনীন্তু রুদতীং শোককর্ষিতাম্ ।১৪।
তয়ৈব সহিতা চাপি পুত্রৈরনুগতা নৃপ ! । অভ্যগচ্ছত গান্ধারীমার্ত্তামার্ত্ততরা স্বয়ম্ ।১৫।
তামুবাচাথ গান্ধারী সহ বধ্বা যশস্বিনীম্ । নৈবং পুত্রীতি দুঃখার্ত্তা পশ্য মামপি দুঃখিতাম্ ।১৬।
মন্যে লোকবিনাশোঽয়ং কালপর্য্যায়চোদিতঃ । অবশ্যম্ভাবী সংপ্রাপ্তঃ স্বভাবাল্লোমহর্ষণঃ ।১৭।

মতুংদা মচাশিংবু উজবা কংদা কুন্তীগী মিৎলু অনীদগী মাপ তত্তনা শিন্থাখ ॥১০॥ কুন্তিনা মচাশিংগা ওহাক হীক্ত হীক্ত বপ্লনাপি শিন্থমিন্নরবা ফুদো খুৎলায়না পানবা থাবগী মশা ঈহো হোৎপায়রবা মচাশিংবু মুংশি মুংশোন্না য়েংথি ॥১১॥ কংলবা মখুৎনা মচাশিংগী কোক্ত নানবিরগা অন্নাব কোংদোকই, মতম অদুদা মচা লোইনা হাৎপিগ্রবী দ্রৌপদী অসি লৈমায়থক্ত তুদুনা খোঞ্জেল খোক্রা তেংথা নাওইনা কপকলে ॥১২॥ দ্রৌপদীনা বপ্প কপনা মনেম কুন্তিদা য়েংদুনা অস্থুমা হায়রকই:—

ঈনেম সতী ! লাইবক চাউবী !
হায়খিবু ঈড়াং পুজানকম ওইবী !
অভিমন্যু নাচংবা নচাশিংদি, কদায়দ লৈরে তাকপিযুগবা !
চাহ কয়াগী মমাংদা তোন্নবী মমাবু য়েংলম্লগা
লাক্লাংখবা নচাশিংদো কনাক্ত কয়িগী অমুক লাকদ্রে ?
হায়বিয়ু ঈমেম্—ঈবেম্মা সতী ! তোন্নবী নচাদা তাকপিয়ুগবা !
মচা লৈত্রবী লাইবক থীবি, ঐঙোন্দা কৈদৌনি লৈপাক্লা
কৈদৌনানি রাজ্য সিংহাসন, কারবুম্মু কান্নরি হিংবগী ঐনা ॥১৩॥

মতম অদুদা মীত্তা নীংথিজরবি, রাবনা পন্দোম লোম্লবি বপ্পনা মশিঞ্জাং ওইরবি মমৌ দ্রৌপদীবু কুন্তিনা লৈমায়থক্তগী কোনথংপিরগা খেমজিনাবিরকই ॥১৪॥ মহারাজ ! অদুদগীদি খোইদোক্ত রাবরী কুন্তী দেবীনা দ্রৌপদীগা লোয়ননা মচা কায়নবগী মৈনা চাক্লবী গান্ধারীগী নাক্ত চৎখি যুধিষ্ঠিরনাচিংবশু তুংইন্নখি ॥১৫॥ মরম অদুনা গান্ধারীনা মমৌ দ্রৌপদীগা লোয়ননা লাক্লিবি মিংচৎ চাউবি কুন্তিদা হায়রকই:— ঈবেম্ম ! করিগীনো নংনা অচুক রাবিবা ? তোগম্মু য়েংঙু, নংগীদি নচানঙ মত্তা তরুকনি, মাঙখ্রিবা, ঐগীদি ঈচা চামনি, অদুগী মথক্তা ঈশুশিং ঈবুং ঈপা কয়া কয়া মথাই থাঞ্জবা ! ॥১৬॥ ঐনা খল্লি:— তুজুংবা পোক্লনিওয় ওইরবা

ইদং তৎ সমনুপ্রাপ্তং বিদুরস্য বচো মহৎ । অসিদ্ধার্থে গতে কৃষ্ণে যদুবাচ মহামতিঃ ॥১৮॥
তস্মিন্নপরিহার্য্যেহর্থে ব্যতীতে চ বিশেষতঃ । মা শুচো ন হি শোচ্যাস্তে সংগ্রামে নিধনং গতাঃ ॥১৯॥
যথৈব ত্বং তথৈবাহং কো বামাশ্বাসয়িষ্যতি । মমৈব হ্যপরাধেন কুলমগ্র্যং বিনাশিতম্ ॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি জলপ্রদানিকে পৃথাপুত্রদর্শনে পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

——:(০):——

প্রলয়গী মতম অদো লাক্লমাল্লে । সংসারসিদা শোয়দনা খোকদবা ঘটনাশুদি শোয়বা লাকপা নত্তে, শোয়দনা খোকদবনি শোয়দনা খোকদবদো খোক্লবতনি ॥১৭॥ কৃষ্ণনা অহৌ মচিন্ননাও-শিংগী মরক্ত সন্ধি তৌননবা লাকপদা মনিত্ত থুংদদনা থবক মহৈ য়াম্বহৰা চৎপ্রবদা, মহাজ্ঞানি বিদুরনা তুংদা খোক্লগদবা ঙাক হায়খিবদো, লোইনা খোক্লরেদো ॥১৮॥ অহুক য়াম্বা মিয়ামসি শিগনি হায়না নিয়ন্তিনা লেপথ্রিবদো, করূপ লাকপা য়াব পোৎ নত্তে । মাদু পুম্নমক হৌজিক্তি খোকপ্রে, হৌপ্রে । অকনবা কয়াম্থ হাৎপ্রে, তুমপ্রে । অহুনা লোইপ্রবা থবক অহুগী অহুগা লাক্লয়োইদৌবশিং অহুগী হৌজিককাও য়াহুনা কৈদৌক্লগনি । অহুনা ঈবেম্মা ! নহাক য়ারগনু হেম্র য়াগদবদি ঐনি ॥১৯॥ নংনা য়ারিবনু । ঈশা ইশানু থেমজিল্লদনা কনানো ঐখোয়বু থেমজিনবিয়গদবা ! আঃ ! গান্ধারী কৌবী ঐগী দোষনা মহাসর্ব্বনাশ অসি খোকপ্রবনিকো । ॥২০॥

মখম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা "জলপ্রদানিক" গী মনুংদা "পৃথাপুত্রদর্শন" গী তরাথঙাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

—:—:——

শ্রীমহাভারতম্

(স্ত্রীপর্ব্বশিংনা কুরুক্ষেত্র লাল্‌কম্ য়েংবা চংপা মতাং)

ষোড়শোঽধ্যায়ঃ

তরা তরুকশুবা অধ্যায় ।

——(:•:)——

বৈশম্পায়ন উবাচ

এবমুক্ত্বাতু গান্ধারী কুরূণামবকর্ত্তনম্ । অপশ্যত্তত্র তিষ্ঠন্তী সর্ব্বং দিব্যেন চক্ষুষা ॥১॥

পতিব্রতা মহাভাগা সমানব্রতচারিণী । উগ্রেণ তপসা যুক্তা সততং সত্যবাদিনী ॥২॥

বরদানেন কৃষ্ণস্য মহর্ষেঃ পুণ্যকর্ম্মণঃ । দিব্যজ্ঞানবলোপেতা বিবিধং পর্য্যদেবয়ৎ ॥৩॥

(যুগ্মকম্)

দদর্শ সা বুদ্ধিমতী দূরাদেব যথান্তিকে । রণাজিরং নৃবীরাণামদ্ভুতং লোমহর্ষণম্ ॥৪॥

অস্থিকেশপরিস্তীর্ণং শোণিতৌঘপরিপ্লুতম্ । শরীরৈর্বহুসাহস্রৈর্বিনিকীর্ণং সমন্ততঃ ॥৫॥

গজাশ্বরথযোধানামাবৃতং রুধিরাবিলৈঃ । শরীরৈরশিরস্কৈশ্চ বিদেহৈশ্চ শিরোগণৈঃ ॥৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ জনমেজয় ! গান্ধারীনা আস হায়রগা দিব্যদৃষ্টি (তপস্যাগী শক্তিনা কংবা লায়গী মীৎয়েং) না অরাপ্পদগী লালকম্ অদুসু ময়েক্ লানা উথি ॥১॥ মপুরোয়বা নীঙবী, সতী, লাইবককবী, মপুরোয়বগী মতৌঙয়া মমাং উদনবা খুমিং চুপ্পা মমাং কাজিন্দুনা লৈবী, অকিবা কংনা তপস্যাকনবী অচুম্বতা ঙাঙবী, কৃষ্ণ অমাদি পূন্যকর্ম্মতা তৌবা বেদব্যাসগী বরদানদগী দিব্যদৃষ্টি ফংলবী গান্ধারীনা লালকম অদুদা তৌরিবা মওং ফাজয় অদু উবদা তেংথা নাঙইনা খোঞ্জেল হৌনা কপ্লক্লে ॥২—৩॥ জ্ঞানবতী ওইরবী শিংলবী গান্ধারীনা মকম অদুদা লৈনা লৈনা, অকন অথৌশিংনা তৌরম্বা থবক খুদম কয়ানা থল্লবা উবদা তুজুংনীঙতায় ওইরবা মওং পুরবা লালকম অদুবু ঈনক নকপঙয়া ঙৈরম্মি । লালকম অদো, শরু শারু, কোকুয়ায়া পুমকুপ কুপ্তুনা লৈ । ঈগী ঈচেয়া তুখোংগী মতৌঙয়া চেল্লি । মকম অতৈ অতৈদি ঈতনা পীং পীং লাউনা লৈখোম খোক্তুনা লৈ । লালকমগী মকম পুম্নমক অদু হকচাং লিশিং ' শিংনা অদুগা শগোল তোংবা শামু তোংবা লাম্মী কয়া কয়াগী ঈতনা পুমকুপ কুপ্তুনা লৈ । গান্ধারীনা অমুক করি উবগে হায়রবঃ—কোক য়াওদবা হকচা হকচাং য়াওরবা কোক, শগোল

গজাশ্বনরবীরাণাং নিঃস্বনৈরভিসংবৃতম্ । শৃগালবককাকোলকঙ্ককাকনিষেবিতম্ ॥৭॥
রক্ষসাং পুরুষাদানাং মোদনং কুররাকুলম্ । অশিবাভিঃ শিবাভিশ্চ নাদিতং গৃধ্রসেবিতম্ ॥৮॥
(কুলকম্)

ততো ব্যাসাভ্যনুজ্ঞাতো ধৃতরাষ্ট্রো মহীপতিঃ । পাণ্ডুপুত্রাশ্চ তে সর্ব্বে যুধিষ্ঠিরপুরোগমাঃ ॥৯॥
বাসুদেবং পুরস্কৃত্য হতবন্ধুঞ্চ পার্থিবম্ । কুরুস্ত্রিয়ঃ সমাসাদ্য জগ্মুরায়োধনং প্রতি ॥১০॥
(যুগ্মকম্)

সমাসাদ্য কুরুক্ষেত্রং তাঃ স্ত্রিয়ো নিহতেশ্বরাঃ । অপশ্যন্ত হতাংস্তত্র ভ্রাতৄন্ পুত্রান্ পিতৄনপি ॥১১॥
ক্রব্যাদ্ভির্ভক্ষ্যমাণান্ বৈ গোমায়ুবলবায়সৈঃ । ভূতৈঃ পিশাচৈ রক্ষোভির্বিবিধৈশ্চ নিশাচরৈঃ ॥১২॥
(যুগ্মকম্)

রুদ্রাক্রীড়নিভং দৃষ্ট্বা তদা বিশসনং স্ত্রিয়ঃ । মহার্হেভ্যোঽথ যানেভ্যো বিক্রোশন্ত্যো নিপেতিরে ॥১৩॥
অদৃষ্টপূর্ব্বং পশ্যন্ত্যো দুঃখার্ত্তা ভরতস্ত্রিয়ঃ । শরীরেষ্বস্খলন্নন্যা ন্যপতংশ্চাপরা ভুবি ॥১৪॥
শ্রান্তানাঞ্চাপ্যনাথানাং নাসীৎ কাচন চেতনা । পাঞ্চালকুরুযোষাণাং কৃপণং তদভূন্মহৎ ॥১৫॥

শাম্বু তাইবাগী অশিবা হকচাংগী মৈপে মৈপেনা থল্লবা উরোক লমহুই, ক্বাক্, লাংজানচিংবা কাত্তু কারল পাইরিবা, মীশাচাবা শাহিংশু ওাহিং চাবা চিংচাবা ভূত প্রেতনচিংবগী ফি হুরাউ নুংঙাইনকম ওইবা, লমহুইনচিংবগী অমঙলগী মশক ওইরবা, তমখিরবা মখোয়া পুমানন নিল্লবা অকিংবগী মশক ওইরবা লালকমনি ॥৪—৮॥

অদুগী তুংদা বেদব্যাসগী য়াথং মতুংইন্না ধৃতরাষ্ট্রনা কৃষ্ণবু মাঙথাহন্দুনা অদুগা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পাণ্ডবশিংনা ধৃতরাষ্ট্রবু মাঙথাহন্দুনা কৌরবশাগৈগী নুপীশিং অদুগা লোয়নন্না লালকমলোমদা থোঙশাল্লকই ॥৯—১০॥ লুখ্রাবীশিং অদুনা কুরুক্ষেত্রগী লালকম্ অদুদা করি কারি উখিবগে হায়বদু:— মপুরোয়বশিং মচীন্নোপাশিং, মপামপল মখুরাশিংদুনা ঈনা মশাপুম্বা ঈতৈতৈনা মশক্ মচু খুদমথৈ তুমিন তুমিন তাদুনা লৈরি। শাহিংচাবা কাক, লাওজা, লমহুই ভূত প্রেত হিংচা য়াইতম্বা মৈপে মৈপেনা লাকপগা চংখিবগা তৌদুনা শরু ওারুগী মশক্ ওইরবা হবচাংশিং অদুবু চীক্ চীবদুনা শেৎ শেৎতুনা চারি ॥১১—১২॥ মদু হেক উবদা নুপিশিং অদুনা রুদ্রগী য়াইরেককম্, চোংচোংদুনা তাণ্ডবজগাই শারকম্ মোংকমগী মশক ওইরবা লালকম্ অদুবু উবদা খোংচুক রাংনা রাংনা কপ কপদুনা মাগী মাগী থাহন (শাদোং) দগী কুমথনখি ॥১৩॥ ভরতবংশগী মৌলুখ্রাশিং অদুনা পোকতৌদগী থক উক্রিবা লালকমগী মওং মতৌ ভিকম্ উবদা লৈমায়থক্তা অমনা অমগী মথক্তা নন নন্দুনা তুনখি। কনাগুম্বিশিংনা মরুপ মপিজা য়াওদনা নাইতোম ওইনা লৈমায়থক্তা তুখে ॥১৪॥ অরাব পোংলুম অদু পুক্কমদবী কনা কনাগুম্বী লুখ্রাবিশিংনা জ্ঞান য়াওদনা লালকম্ লৈমায়থক্তা তুবখি। মতম অসিদা খ্বাইদগী হেয়া কীভম থিনা তুখিবশিং

দুঃখোপহতচিত্তাভিঃ সমন্তাদনুনাদিতম্ । দৃষ্ট্বায়োধনমত্যুগ্রং ধর্ম্মজ্ঞা সুবলাত্মজা ।১৬।
ততঃ সা পুণ্ডরীকাক্ষমামন্ত্র্য পুরুষোত্তমম্ । কুরূণাং বৈশসং দৃষ্ট্বা দুঃখাদ্বচনমব্রবীৎ ।১৭।

(যুগ্মকম্)

পশ্যৈতাঃ পুণ্ডরীকাক্ষ ! স্নুষা মে নিহতেশ্বরাঃ । প্রকীর্ণকেশাঃ ক্রোশন্ত্যঃ কুররীরিব মাধব ! ।১৮।
অমূস্ত্বভিসমাগম্য স্মরন্ত্যো ভরতর্ষভান্ । পৃথগেবাভ্যধাবন্ত পুত্রান্ ভ্রাতৄন্ পিতৄন্ পতীন্ ।১৯।
বীরসূভির্মহাবাহো ! হতপুত্রাভিরাবৃতম্ । ক্বচিচ্চ বীরপত্নীভির্হতবীরাভিরাবৃতম্ ।২০।
শোভিতং পুরুষব্যাঘ্রৈর্ভীষ্মকর্ণাভিমন্যুভিঃ । দ্রোণদ্রুপদশল্যৈশ্চ জ্বলদ্ভিরিব পাবকৈঃ ।২১।
কাঞ্চনৈঃ কবচৈর্নিষ্কৈর্মণিভিশ্চ মহাত্মনাম্ । অঙ্গদৈর্হস্তকেয়ূরৈঃ স্রগ্ভিশ্চ সমলঙ্কৃতম্ ।২২।
বীরবাহুবিসৃষ্টাভিঃ শক্তিভিঃ পরিঘৈরপি । খড়্গৈশ্চ বিবিধৈস্তীক্ষ্ণৈঃ সশরৈশ্চ শরাসনৈঃ ।২৩।

অমুগী মতুংদা কৌথংকী নুপিশিং অদুগা পক্ষালগী নুপিশিং অদুগা, মথোয়সনা খিৎ থেম্না ঝাবগুম তেৌই ॥ ৫॥ ময়েং খুদিংদগী অরপ অরাউগী অদুগা তেংথানাওই মথোম্না অতৎ অথম্ লৈতনা লাকপগুম তৌরি। অসিগুম্বা অকিবগী মশক কংবা লানফম অদুর উবদা কোরবাশংগী মাঙনা তাকুবগী মশক ওইরবা থৌদাবশিংদুর উবদা গান্ধারিনা পুরুষোত্তম ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু মাম্না ঝানা অসুম্না হায়খি:—॥১৬—১৭॥ কৃষ্ণ ! য়েংঙু, ঐগী ইমৌ লুপ্রাবিশিংসে মশমমনা ইকা কাহনা কপ লাউবগী লোইবা থম্বা নায়দবা নোংঙন চেক্লাগুম্না খোঙ্গেল ঝাংনা কাপ্লিবসে। * ॥১৮॥ য়েংঙু, অমুক্তা, মুক্তাশিংসিনা ভরতথিরবা লালকমসিদা লাকতুনা ভরতশাগে অথোইবা অকনবা ওইনা লৈরম্বা মপুয়োইবাশিং মাচন মৌপাশিং মপা মপালশিংগী মশক মম্ন মানবাশিং লোমদা অভাওবিগুম্না চেক্লিন তুশিন্নরিবসে ॥১৯॥ অকনবা কৃষ্ণ ! লানথমগী মকম মকমদা অকনবপোক্পা মমাশিংসিনা, অকনব মপুরোয়বগী লোয়নবি ওইরম্বীশিংসিনা চোমলপ তুম্না লৈরিবসে য়েংঙু ॥২০॥ থাঙ্গেশেংনা পুম্মুং মুৎত্রবা মৈগী মতৌগুম তেজলৈব নিপা অথোইবা ভীষ্ম, দ্রোন, কর্ন অভিমন্যু দ্রুপদ, শল্যনচিংবা নিপা অথোয়বশিংগী হকচাংশিংসিনা লানকমসিমক্কি থোইনা কজরবা লৈতেংমক্ত ওইখ্রে ॥২১॥ কজকজরবা লাকফুরিৎ, থৌনা কয়-বশিংনা শিরম্বা খুজিনাচি তাল কুণ্ডলনাইন সনারিকপরেং' লৈপরেং পুন্নমক অসিনা লালকম্ লাইরোম্বর লেতেংহনা কজহল্লি ॥২২॥ মপামবোম্ কল্লবা অকনবশিংনা লংঙম্বাশিজিন্নরম্বা, থাঙ তা য়োচ্ছুক, থোরবা তেন মথল মথল ককরুং আসনাচিংবা খুৎলায়শিংনা লালকম্ অদুদা থুরক

* কুররী হায়বা উচেকাস কনা কনাগুম্না নোংঙিম্নি হায় । কনা কনাগুম্বা তান্ন থজোং অমোমনি হায় । অপাম ক্রুংশি চাউবী মথংলেন কায়নবগী মৈচাক খাওবা ঙমদরুনা থোংবা লাউবতনা মশিঙ্গাং ওইবী উচেক অমোম অমনি ।

ক্রব্যাদসঙ্ঘৈঃ সহিতৈস্তিষ্ঠন্তীর্বিবিধৈঃ ক্বচিৎ । ক্বচিদাক্রীড়মানৈশ্চ শয়ানৈরপরৈঃ ক্বচিৎ ॥২৪॥

এতদেবংবিধং বীর ! সংপশ্যায়োধনং বিভো ! । পশ্যমানা হি দহ্যামি শোকেনাহং জনার্দ্দন ! ॥২৫॥

বিশেষকম্

পাঞ্চালানাং কুরূণাঞ্চ বিনাশে মধুসূদন ! । পঞ্চানামিব ভূতানামহং বধমচিন্তয়ম্ ॥২৬॥

তান্ সুপর্ণাশ্চ গৃধ্রাশ্চ বিকর্ষন্ত্যসৃগুক্ষিতান্ । নিগৃহ্য কবচেষুগ্রা ভক্ষয়ন্তি সহস্রশঃ ॥২৭॥

জয়দ্রথস্য কর্ণস্য তথৈব দ্রোণভীষ্ময়োঃ । অভিমন্যোর্বিনাশঞ্চ কশ্চিন্তয়িতুমর্হতি ॥২৮॥

অবধ্যকল্পান্ নিহতান্ গতসত্ত্বানচেতসঃ । গৃধ্রকঙ্কবলশ্যেনশ্বশৃগালাদনীকৃতান্ ॥২৯॥

অমর্ষবশমাপন্নান্ দুর্য্যোধনবশে স্থিতান্ । পশ্যৈতান্ পুরুষব্যাঘ্রান্ সংশান্তান্ পাবকানিব ॥৩০॥

(যুগ্মকম্)

শয়নান্যুচিতাঃ সর্ব্বে মৃদূনি বিমলানি চ । বিপন্নাস্তেঽদ্য বসুধাং বিবৃতামধিশেরতে ॥৩১॥

হাওদনা তাহনা লোয়। কায় কায়ণ্ডষ্ব মকমদা শাহংচাবা শৃাশনা সঙ্গ সঙ্গ লেপ্তুনা লোয়। কায় কায়ণ্ডষ্ব মকমদনা চোংচোংহুনা জগোয় শাহুনা হয় ওয়ি। কায় কায়ণ্ডষ্ব মকমদনা চাবা থকপা লেপ্লহুনা তুমহুনা লৈনয়ি। জনার্দ্দন! কৃষ্ণ! লাণ্ডকম্ আসগী কাওথ অবস্থা অসে নহাক অমুক্ত মুয়া য়েংউ। ঐদি য়েংবা ওয়করে। থওয়ায় হকচাং অসে পুমচাক্ চাক্রে ॥২৩॥—২৫॥ মধুসূদন! পাঞ্চালগী অকনবাশিংগা কৌরব অকনবাশিংনা তুমখিবসিগা লোয়ন লোয়ননা মে শীশং পুংশংনাচবা পাঞ্চ ভূতশিং অসেন্থ অশঙবা কুমণ্ডলাগে মুৎথনমাক্লে হায়না ঐনা খল্লি ॥২৬॥ অকিবগী মথক ওইরবা চাওব চাওরবা লাওজাশিংনা অকনবাসিংগী মশাদগী শান কয়রাশং অস চিক্থং শংবোক্লগা নথোথগী মশাসিং আসদগী শদুম্ কোথোক্ কোথোকনা চারি ॥২৭॥ জয়দ্রথ, কর্ণ, ভীষ্ম, দ্রোন অমগা অভিমন্যুগুম্বা নিপাশিং নিপান, মানা হাৎখিনি হায়ব কনানা হায়বা ঙমগান ? ॥২৮॥ কৃষ্ণ! য়েংঙু। হায়রিবা নিপাশিংসে মতম্ অমদা কনা থমতনা হাৎপা য়াদবা, হাৎপা ঙম্মোইদোবা মীশক্ অমমম্ ওইনা লৈরম্বা ওাক্তনি! অথুবু লাইবক্ত লাইনা তম্খিবা হায়বহুনা লোইনা তুথ্রেদো। মথোয়গী মশাদগী প্রানবায়ু মপাস্থোকুশ্রে, জ্ঞান য়াওত্রে। অমুক চাউখ্রব কনথ্রব, মিংচৎ চাওরবাশিংসবু বিধাতানা মতমগী মখা পোলহনাখহুনা পোল্লোইদা কাক লাওজা লমহুই খুমুথ্রগী চীঞ্জাক ওইরে। মথোয়অসি মতম্ অমদা দুর্য্যোধনগী পাম্বোম্ মখাদা লৈদনা অশাউবা থোয়বতনা মাশঞ্জাক ওইরম্বা ওাক্তনি। দোক্সিকি মথোয়অসে মুৎথ্রবা মৈগুম মথোয়গী মশাদা তেজ অমত্ত লৈত্রে ॥২৯॥—৩০॥

মতম অমদা, থোৎলবা, মোল্লবা মোন্দুম—মোত্তেক্ মথক্তা য়াহিপ য়াতায়ব। পুংতাই য়াইকনা পায়ম্বা মীশকশিং অসিনা ওসিদি অশিবগী থয়াত্তা তাখিবনা লৈকং মথক্তা ঐ নাই

বন্দিভিঃ সততং কালে স্তুবদ্ভিরভিনন্দিতাঃ । শিবানামশিবা ঘোরাঃ শৃণ্বন্তি বিবিধা গিরঃ ।৩২।

যে পুরা বীরাঃ শয়নেষু যশস্বিনঃ । চন্দনাগুরুদিগ্ধাঙ্গাস্তেঽদ্য পাংশুষু শেরতে ।৩৩।

তেষামাভরণান্যেতে গৃধ্রগোমায়ুবায়সাঃ । আক্ষিপন্ত্যশিবা ঘোরাঃ বিনদন্তঃ পুনঃ পুনঃ ।৩৪।

বাণান্ বিনিশিতান্ পীতান্ নিস্ত্রিংশান্ বিমলা গদাঃ । যুদ্ধাভিমানিনঃ প্রীতা জীবন্ত ইব বিভ্রতি ।৩৫।

সুরূপবর্ণা বহবঃ ক্রব্যাদৈরভিঘট্টিতাঃ । ঋষভপ্রতিরূপাক্ষাঃ শেরতে চ সহস্রশঃ ।৩৬।

অপরে পুনরালিঙ্গ্য গদাঃ পরিঘবাহবঃ । শেরতেঽভিমুখাঃ শূরা দয়িতা ইব যোষিতঃ ।।৩৭।।

বিভ্রতঃ কবচান্যন্যে বিমলান্যায়ুধানি চ । ন ধর্ষয়ন্তি ক্রব্যাদা জনার্দ্দন! ।।৩৮।।

ক্রব্যাদৈঃ কৃষ্যমাণানামপরেষাং মহাত্মানাম্ । শাতকৌম্ভ্যঃ স্রজশ্চিত্রা বিপ্রকীর্ণাঃ সমন্ততঃ ।।৩৯।

মরক্তা, ওন্দুনা লৈরি ॥৩১॥ মতম অমদা মখোয়গী কমুং অকোয়বদা য়াকায়রোল শকপা ভাট কবিশিংনা লৈশি লৈখোনবা য়াহৈনা স্তুতিগান তোঙ্নুনা মঙণ শকনুনা হোদোক্নিবা, তরাম তরাম ওকখিবা— মখোয়শুগী অকোয়বদা ঙাসিদি কাক লাউজানচিবা তথিবরবা শা উচেক্না অমঙ্গলগী খুদম ওইবা খোঞ্জেল্না য়াক্ল য়াক্ল খোংহুনা মখোয়বু হোদোকখিদে হায়রবু মপোক-সিমগী হোগংলক্লরোই ॥৩২॥ মতম অমদা মশাপুম্বা মনম্ সুংশিরবা চন্দন মথল মথম্বা পুমথৈ তৈরম্বা মখোয়দুনা ঙসিদি শগোল শামুগী ঙাইবংমাগী খুরাগী ঊকুশ মরক্তা ঈরাউ রাউনা ওল্লি ॥৩৩॥ অকিবগী মশক ওইরব, মশক ঊবদা হঙোইনাঙতায় ওইবা লাউজা কাক্ লমহুই-শিংসিনা মখোয়গী মশাদগী ফিজেৎ লৈতেং লাকৈ্রক চিংথসি লাক লাকনুনা চিংথৎলি ॥৩৪॥ লান্দা ময়ায় কারবা, পোয়বা অকনবশিং অসিনা হোঙক কাওবা হিংলিবগী মতোঙ্গ্ম্বা মথা ক্রেক ক্রেক চৌকত্নুনা মানা মানা পায়রম্বা থাঙ তা অগা নকুয়া পুশাম্বিং স্ম স মপুং মথুত্তা থাদোক্খ্রি ॥৩৫॥ মশক্ মতৌ শাবান কুচু কুমেন কক্লরবা, শল্লাদা মীংক মতোঙম্বা মাথং কোয়রাওনরবা অকনবা লিশিং লিশিংনা থরাট য়াওদনা তুমিন তুমন লৈরিবসিবু শাহিং চাবা শাশিংনা থোক থোক্ নোমহুনা লেঙহল্লি ॥৩৬॥ মপাস্বোম্ অননম্বা য়োচ্ছুক য়োচ্ছুকমুক চাউবা অকনবশিং অশিগী মপুদা চায়রবী লোয়নবিশিংবু কোন্দুনা তুমখিবহৌগুম্বা মাগী মাগী গদাবু চেৎনা কোন্দুনা লৈমায়থক্তা মমায় উপ্পা - চেপ্পা তুবা য়াওরি ॥৩৭॥ জনার্দ্দন ! কনা কনাগুম্বা লাম্মীশিংনা মাগী মাগী সুংশিনা থমজবা লাংল সংলবা খোয়বা খুংলায়বু, কোন্দুনা পুনশিগী অয়োইবা য়াহৌপ্তা ফুম্ম । কনা কনাগুম্বনা অকিবগী মশক কংনা কল্লবা শিরবা লাম্মীশিং অহুবু হিংলিবোই নিঙহুনা শাহিং চাবা শাশিংসিনা কিবা মনাক্ত শাক্ চঙশিনবা ঙমদহুনা হন্দে রুরি ॥৩৮॥ অতেপ অতোপ্পা পুকচেল চাউরব, মথম লৈরবা, লৈমায়থক্তা

▮

এতে গোমায়বো ভীমা নিহতানাং মহাত্মনাম্ । কণ্ঠান্তরগতান্ হারানাক্ষিপন্তি সহস্রশঃ ॥৪০॥
সর্ব্বেষ্বপররাত্রেষু যাননন্দন্ত বন্দিনঃ । স্তুতিভিশ্চ পরার্দ্ধ্যাভিরুপচারৈশ্চ শিক্ষিতাঃ ॥৪১॥
তানিমাঃ পরিদেবন্তি দুঃখার্ত্তাঃ পরমাঙ্গনাঃ । কৃপণং বৃষ্ণিশার্দূল ! দুঃখশোকার্দ্দিতা ভৃশম্ ॥৪২॥
(যুগ্মকম্)


রক্তোৎপলবনানীব বিভান্তি রুচিরাণি বৈ । মুখানি পরমস্ত্রীণাং পরিশুষ্কাণি কেশব ! ॥৪৩॥
রুদিতোপরতা হ্যেতা ধ্যায়ন্ত্যঃ সংপরিপ্লুতাঃ । কুরুস্ত্রিয়োঽভিগচ্ছন্তি তেন তেনৈব দুঃখিতাঃ ॥৪৪॥
এতান্যাদিত্যবর্ণানি তপনীয়নিভানি চ । রোষরোদনতাম্রাণি বক্ত্রাণি কুরুযোষিতাম্ ॥৪৫॥
আসামপরিপূর্ণার্থং নিশম্য পরিদেবিতম্ । ইতরেতরসংক্রন্দান্ন বিজানন্তি যোষিতঃ ॥৪৬॥
এতা দীর্ঘং বিনিশ্বস্য বিক্রুশ্য চ পুনঃ পুনঃ । বিস্পন্দমানা দুঃখেন যোষা জহতি জীবিতম্ ॥৪৭॥
বহ্ব্যো দৃষ্ট্বা শরীরাণি ক্রোশন্তি বিলপন্তি চ । পাণিভিশ্চাপরা ঘ্নন্তি শিরাংসি মৃদুপাণয়ঃ ॥৪৮॥

ভাঙনা কৌরবশিং অসিনু তেম কত্বা হুই লমহুই লাগজানাচংবা শা উচেকশিংনা কোয়দৎ চীকখৎতুনা কাহচেল চেল্লি। মমল য়াম্রবা মখোয়গী লীকোল সনবিরুচিংবা লৈতেংশিং অসি মচোই মচোই পুমচাই চাইনা ভাও॥৪০॥ অকিবগী মশক্ ক্ষালবা লমহুই লিশিং লিশিংনা লৈমায়থক্তা তুহুনা কৌরব অকনবশিং অসিগী ভকশমদা শিরিবা সনারিক পরেংশিং অসিনু চিংশৎলি ॥৪০॥ বৃষ্ণিবংশগী অথোইবা, কৃষ্ণ ! নুমিৎ থুদিংগী নোংভাল্লমদাইদা ওয়া নাইনা ভক্ষাবা য়াম্ন হৈরবা লৈশ কেথোনবগী লৈশক হৈরবা কবিশিংনা মখোয়গী মনাক্তা কমত্না য়াকায়রোল্ শক্ শক্তুনা ভুংডাইতলম্বা অকনবশিং অসিগী লোয়নবী নিউখিজবীশিং অসিনা মশম্ মনা ঈকা ফান হেংথা নাওইনা কপ্লি ॥৪১—৪২॥ কৃষ্ণ ! অঙাঙবা থম্বাল চামনিপালগুম্ মায়থোং কজবীশিংসিগী মায়থোং থম্বালশিংসে, কায়ন-মৈগী মৈশানা কাহৎতুনা কজব কোবা লৈখিত্রে ॥৪৩॥ কপ কপতুনা শিস্তরকপা পিনা মশা পুমচোৎ চোৎলবী থম্মোয় শোক য়ায়বি কৌরব নুপীশিংসিনা বপ্প থংতোক্ তোকতুনা মাগী মাগী শাগৈ নাতৈ থোকপা, মবু মৌপা মপুয়োয়বশিংবু খি খিতুনা কাতু কায়ল চেম্ভোক চেঞ্জন তোনয়কুলি ॥৪৪॥ কৌরববংশগী মৌশিংগী সনা অহিংবগী মচু পুনা মায়থোংশিং অদো শাউখিবদা অঙ্গুপা কম্মতদা, থোরকপদ ভায়রিবা নুমিৎকী মকোয়গী মচুগুম লোইনা কোয়ী মচু মানথ্রে ॥৪৫॥ অতোপ অতোপ্পা নুপীশিংনা কপ্পবদগী থংলেপ কেপ্পখিবক্তু উবদা ঈগুক ভকতুনা লৈরিভৈদা নাকল অমদগী কপ্পরকপগী থোক্লেল হেক ভাবদা মখোয়না কপলিবতুনা কমিগীনো, হায়বা কবিমত খঙখিত্রে ॥৪৬॥ নুপী-শিং অসিগী মনুংদ থরাদি পুংশায়োয় মপী শাংনা শাংনা হোন্দুবা পুজমদবা অরাকতুগী শাফুনা থক্ থক্ নীকতুনা মপুরোয়ব কারনবগী মৈনুংদা চোংশন্দুনা মপুনশি লোইশিন্নিবশি য়েংঙ ॥৪৭॥ মচা মঙ মচান মৌপা মপুয়োয়বাশিংগী অশিবা হকচাং অসিবু মুম য়েংলগা মশিং মখা কান্দুনা

শিরোভিঃ পতিতৈর্হস্তৈঃ সর্ব্বাঙ্গৈর্যূথশঃ কৃতৈঃ। ইতরেতরসংপৃক্তৈরাকীর্ণা ভাতি মেদিনী ॥৪৯॥
বিশিরস্কানথো কায়ান্ দৃষ্ট্বা দেহাননিন্দিতান্। মুহ্যন্ত্যনুচিতা নার্য্যো বিদেহানি শিরাংসি চ ॥৫০॥
শিরঃ কায়েন সন্ধায় প্রেক্ষমাণা বিচেতসঃ। অপশ্যন্ত্যোঽপরং তত্র নেদমস্যেতি দুঃখিতাঃ ॥৫১॥
বাহূরুচরণানন্যান্ বিশিখোন্মথিতান্ পৃথক্। সংদধত্যোঽসুখাবিষ্টা মূর্চ্ছন্ত্যেতাঃ পুনঃ পুনঃ ॥৫২॥
উৎকৃত্তশিরসশ্চান্যান্ বিজগ্ধান্ মৃগপক্ষিভিঃ। দৃষ্ট্বা কাশ্চিন্ন জানন্তি ভর্ত্তৄন্ ভরতযোষিতঃ ॥৫৩॥
পাণিভিশ্চাপরা ঘ্নন্তি শিরাংসি মধুসূদন। প্রেক্ষ্য ভ্রাতৄন্ পিতৄন্ পুত্রান্ পতীংশ্চ নিহতান্ পরৈঃ ॥৫৪॥
বাহুভিশ্চ সখড়্গৈশ্চ শিরোভিশ্চ সকুণ্ডলৈঃ। অগম্যকল্পা পৃথিবী মাংসশোণিতকর্দ্দমা ॥৫৫॥
ন দুঃখেষূচিতাঃ পূর্ব্বং দুঃখং গাহন্ত্যনিন্দিতাঃ। ভ্রাতৃভিঃ পিতৃভিঃ পুত্রৈরুপকীর্ণাং বসুন্ধরাম্ ॥৫৬॥

কৌরি। মথুৎ মশা নৌরবী রমণীশিংসিনা নৌর নৌরবা মথুৎনা, কল্লবা মকোকশিং অসিদা মরায়বক্কো, মথবাক্তা কয় বক্কা ফুক্তি ॥৪৮॥ চৈনা কেক মরম অসিবু অমগমগ মশমমশমনা পৈথৎখিত্থনা লৈপুং অমমমকম্ লৈরি। অকবপা খোঙ, খুৎ অত্থুগা তোঙাল তোঙালবা মওংদা লৈরবা হৃদচাংহনা কাংখম অসি পুমকুপ কুপথে ॥৪৯॥ অসিগুম্বা অহস্তার পোকলৈগী ইৰুত্রিবী, হেংদম্ন লৈনত্রিবী নীঙথিজবীশিংসিনা কোক য়াওদ্রবা হকচাংশিংসিবু, হকচাং য়াওদ্রব কোকশিংসিবু উবদা রাম্থনা তুমরি ॥৫০॥ খম্মোয় শোক য়াখিবনা মবুদ্ধি চোৎরবী নুপীমচাশিং অসিনা কোক লোয়নদ্রিবা হকচাং অসিবু মুম্না য়েংলগা কোক অসিদি হকচাংসিগী কোক নত্তে অমগী কোক্কি হায়না খনখিত্থনা মাগী মাগী মচা মশু মপুরোয়বশিংগী পাজৈশেংবা কোক অত্থু কজায়দনো হায়না থিবদা খঙদত্থনা নীঙবা কায়ত্থনা অমুক কপনরি ॥৫১॥ অককপা খোঙ খুৎ কোকচিংবত্থুবু অতোপ অতোপ্পা হকচাংদা পানশিন্দুনা য়েংবদা চুনদনা, পানশিনবা য়াদবা মতৌ উবদা অমুকমুক য়াম্থনা তুনরি ॥৫২॥ ভরতখাগেগী নুপী মোশিং অসিনা শা উচেক্না চীক্-খৎপ্রবা মওং মতৌ কায়রবা হকচাংশিং অসিবু উয়গা মাগী মাগী মপুরোয়বগী মশা নত্তে, হকচাং নত্তে, হায়না খাজৈশেংবা মপুরোয়বগী হকচাংত্থব মশক খঙনদ্রি ॥৫৩॥ মধুসূদন। কৃষ্ণ! অতোপ্পী কনা কনাগুম্বী রমনীশিংনা য়েক্লবনা শাথিনা হাৎলম্বা মবুং মোপা, মপা মপাল, মপুরোয়বা মচা মশূশিংসিবু উয়গা মকোক ফু ফুত্থনা খোঞ্জেল হৌনা কপনরক্লি ॥৫৪॥ খাঙ ভা লীরুং তেলগা লোয়নয়বা অত্থগা খুজি নাচি, কুণ্ডল নাইনগা পুমতোৎ তোৎনয়বা হকচাং মত্তেক মতাশিংসিনা ঈয়ক্তা থিৎখিত্থনা লৈখোয় পিৎ পিৎ লাউনা থোকখিবনা লালকম আসদা মখোঙ পুখত্থনা কনা কনাগুম্বীশিংবা চৎপ কাওবা ওয়দ্রে ॥৫৫॥ করিগুম্বা কায়াৎতা নিজ্জা তৌননীঙতায় লৈত্তনা কজয়বী রমনীশিং অসে মমাঙৈদা অসিগুম্বা অবস্থাগী বাবসে

যুধানীব কিশোরীণাং সুকেশীনাং জনার্দ্দন!। স্নুষাণাং ধৃতরাষ্ট্রস্য পশ্য বৃন্দান্যনেকশঃ ॥৫৭॥
ইতো দুঃখতরং কিং নু কেশব! প্রতিভাতি মে। যদিমাঃ কুর্ব্বতে সর্ব্বা রবমুচ্চাবচং স্ত্রিয়ঃ ॥৫৮॥
নূনমাচরিতং পাপং ময়া পূর্ব্বেষু জন্মসু। যা পশ্যামি হতান্ পুত্রান্ পৌত্রান্ ভ্রাতৃংশ্চ কেশব!॥
এবমার্ত্তা বিলপন্তী দদর্শ নিহতং সুতম্ ॥৫৯॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
স্ত্রীবিলাপে স্ত্রীণাং যুদ্ধভূমিদর্শনে ষোড়শোঽধ্যায়ঃ ॥০॥



অমুক্তা থোংনজখিত্রিবনি। অহবু কৃষ্ণ! ওসিদি মখোয় অসিনা ঈ নাইনা থল্লপা, ঈন খুকউ মৌরবা মচা মশূ মবুং মৌপ্নাগী মশাতনা থল্লবা, ঈগী তীর্থ অসিদা মপুংখম্ স্নান তৌরবি ॥৫৬॥ জনার্দ্দন! কৃষ্ণ! যেংঙ্দো—ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌগী মশক্ কজরবা মশম্ মনা করবা মথৌ লুপ্তাবীশিংসিনা ওসিদি শগোল মচাশিংগুম্না মপৈ মপৈ লালকম অসিদা কোয়চং চংলরে ॥৫৭॥ কেশব! মাধব! অসিবু উরগা অসিদগী হেনবা ঐগী অরাবাসবু কদাযদা লৈগদগে? মখোয়গী তেংথা নাওইনা ঙুংশি পুক্তোয়া কমগী থোজেল অসে ঐগী নাকোংদা হায় চল্লকুজ্রে। মখোয়সিনা তোঙাল তোঙালবা থোঙাংদা তোঙাল তোঙালবা রাহৈ রাতাদা থস্নোয় শোক্লা কপ্পরিদো ॥৫৮॥ "কেশব! গান্ধারী ঐ অসে, মপোক কয়াদা পাপ কর্ম্ম ভাক্কা তৌরকুলীবীনি মরমদি নোংমতদা অমুক য়াম্না ঈচা ঈশূ ঈবুং ঈপাশিংগী অশিবা হকচাংবু উবা কংগুরি" অমুম হায়না কপ্লিগী রাৱবা গান্ধারীনা কপ্প কপ্প। অমুম লাকপসিনা মচা দুর্য্যোধন উরে ॥৫৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মনুংদা "স্ত্রীনাং যুদ্ধভূমিদর্শন" গী তরাতরুকৃত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥

———:o:———

মহাভারতম্

সপ্তদশোঽধ্যায়।

(গান্ধারীনা দুর্য্যোধনবু উবা)

তরাতরেৎশুবা অধ্যায় ।

——:•:— —

বৈশম্পায়ন উবাচ

ততো দুর্য্যোধনং দৃষ্ট্বা গান্ধারী শোকমূর্চ্ছিতা । সহসা ন্যপতদ্ভূমৌ ছিন্নেব কদলী বনে ॥১॥

সা তু লব্ধ্বা পুনঃ সংজ্ঞাং বিক্রুশ্য চ পুনঃ পুনঃ । দুর্য্যোধনমভিপ্রেক্ষ্য শয়ানং রুধিরোক্ষিতম্ ॥২॥

পরিষ্বজ্য চ গান্ধারী কৃপণং পর্য্যদেবয়ৎ । হাহা পুত্রেতি শোকার্ত্তা বিললাপাকুলেন্দ্রিয়া ॥৩॥

যুগ্মকম্

সুগূঢ়জত্রুবিপুলং হারনিষ্কবিভূষিতম্ । বারিণা নেত্রজেনোরঃ সিঞ্চন্তী শোকতাপিতা ।

সমীপস্থং হৃষীকেশমিদং বচনমব্রবীৎ ॥৪॥

উপস্থিতেঽস্মিন্ সংগ্রামে জ্ঞাতীনাং সংক্ষয়ে বিভো । মাময়ং প্রাহ বার্ষ্ণেয় ! প্রাঞ্জলির্নৃপসত্তমঃ ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— তাও, মহারাজ ! জনমেজয় ! গান্ধারী অসি মচা অহল দুর্য্যোধনবু অঙ্গুগা মশানা তৌরম্রিবা দশাঙ্গবু কেক্ উবদা কল্লবা সুংশিৎ ইপোম্মা ফুৎবদা খোংজ নোরবী লফু পাম্বী অমনা তৌবগুম মুচ্ছা কংহনা, অ্যান তাদনা লীলকম লৈমায়থক্তুদা তুৎখি ॥১॥ অদুদগী ওহাক লৈরগা অ্যান থর থর তাবক্লুনা কপ্পা কপ্পা ঈনা মশা পুমহৈ তৈরবা, লৈমায়থক্তা তুঙ্গনা লৈরিবা দুর্য্যোধনবু মুম্মা যেংলগা অত্তুগা চোংশিন্দুনা চেৎনা কোল্লগা তেংথায়কই। মতম অসিদা গান্ধারীগী ইন্দ্রিয়পুম্বা হীকথখ্রে। হা ! ঈযাগী ঈবুঙ্গো। দুর্য্যোধন ! হায়না লাউনা কোঙ্গুমা কপলক্লে ॥২—৩॥ শাওং শাদা কজরবা, লেংবানগী শম্মগী তাইনীকম কাওকা, নোঙ্গমৎনা খোংলবা তোংনা কূপখিবম্মা রাং চাউনা, পুংয়ানা কায়দনা উরবা, তকসিদা সনমীক বনমালানি অঙ্গুগা থবাক্তা কৌস্তুভ মনিনা হাইনা হুম্মা লৈতেংবা শ্রীকৃষ্ণসি মতম অসিদা গান্ধারীগী তুং ওইরম্মা লেপ্তুনা লৈ। গান্ধারীনা মমীত্তগী তারকপা পিনা মথবাক পুম্বচোৎ চোৎনা কৃষ্ণদা মুম্মা য়েংলগা অসুম্মা হায়রকই:— ॥৪॥ নত্তীক নত্তণ চাউবা ! বার্ষ্ণেয়নন্দন । জনার্দ্দন। ঈচা নিংথৌ দুর্য্যোধন আসনা অদুদৈ, শাগৈ পূম্বা তুম্মা যাওননবগী

অস্মিন্ জ্ঞাতিসমুৎকর্ষে জয়মম্ব ! ব্রবীতু মে । ইত্যুক্তে জানতী সর্ব্বমহং স্বব্যসনাগমম্ ।
অব্রুবং পুরুষব্যাঘ্র ! যতো ধর্ম্মস্ততো জয়ঃ ।৬।
যথা চ যুধ্যমানস্ত্বং ন প্রমুহ্যসি পুত্রক ! । ধ্রুবং শস্ত্রজিতাল্লোকান্ প্রাপ্তোস্যমরবৎ প্রভো ! ।৭।
ইত্যেবমব্রুবং পূর্ব্বং নৈনং শোচামি সুব্রত ! । ধৃতরাষ্ট্রন্তু শোচামি কৃপণং হতবান্ধবম্ ।৮।
অমর্ষণং যুধাং শ্রেষ্ঠং কৃতাস্ত্রং যুদ্ধদুর্ম্মদম্ । শয়ানং বীরশয়নে পশ্য মাধব ! মে সুতম্ ।৯।
যোহয়ং মূর্দ্ধাভিষিক্তানামগ্রে যাতি পরন্তপঃ । সোহয়ং পাংশুষু শেতেহদ্য পশ্য কালস্য পর্য্যয়ম্ ।১০।
ধ্রুবং দুর্য্যোধনো বীরো গতিং ন সুলভাং গতঃ । তথা হ্যভিমুখঃ শয়নে বীরসেবিতে ।১১।
যং পুরা পর্য্যুপাসীনা রময়ন্তি বরস্ত্রিয়ঃ । তং বীরশয়নে সুপ্তং রময়ন্ত্যশিবাঃ শিবাঃ ।১২।
যং পুরা পর্য্যুপাসীনা রময়ন্তি মহীক্ষিতঃ । মহীতলস্থং নিহতং গৃধ্রাস্তং পর্য্যুপাসতে ।১৩।

মমক ওইরবা অাঙ্গাও অসিনা যেৌরমদাইদা ঐগী নাক্তা লাকৃতুনা অসুম্না হায়খি ॥৫॥ "ঈমা ! লাইগে মশেল ঈচীন ঈনাওশিং মক্তনা মুক্তারবা খোদোক অসিদা জয় ওইবা পীনবিয়ু। নচাদা আশীর্ব্বাদ তৌবিয়ু"। অসুম হায়না ঈচাসিন হায়ররবদা "ধর্ম্ম লৈবা, ধর্ম্ম কায়দবা মফমদা জয় ওইগনি" — হায়না ঐনা হায়খি ॥৬॥ "ঈমাগী ঈবুঙো অকনবা ! নিংথৌ ! দুর্য্যোধন ! লাল্লোন লানথোক্নরবা লমদম অসিদা মঙলন নাইবা খোনাদবা, চেক্রাশিনবা তৌরাকপু। অদুগুম খ্রিসিল্লগা খেরুজিন্দুনা, থুংলাগী পাম্বৈনা ক্ষত্রিয় মচানা কংবা লোক অদুদা নহাক থুঙগনি, নহাক লাইরবা ক্ষত্রিয়গী থুংফম অদুদা চৎনবা ঙম্লক্কনি", কৃষ্ণ ! ঐনা অসুম্না মমাংদা দুর্য্যোধনদা হায়খিবনি। অদুনা ঐ চৌখিক ঈচানিগীদমক্তি অদুক য়াম্না যবা ঙম্লক্তে। চৌখিক ঐনা য়াম্লবদি মচা মগু কনামতা লৈত্রবা, মমাগী উত্রবা, অচল ওইরবা নিংথৌসিগীদমক্তনি ৭—৮॥ কৃষ্ণ ! য়েংঙ। মীনা লাকচবা য়াদবা মীগী থৌজাল থীদুনা থৌদোক ইরগা থাংজগা লাংবা, অসুম শক্তি লৈবা, গদানচিংবা থুংলায়গী লাল অাংশুনা লৈত্রবা, অসুম লানবদা খাংজদবা ঈচা দুর্য্যোধন অসে গুসিদি লৈমায়থক্তা মমা ঐবু কাওবা কৌরবদনা হৌবা থুংনা লৈরে ! ।৯। কৃষ্ণ ! মতম অমদা নিংথৌ পুম্নমক্কী মকোক থোংনা মাঙগানা লৈরম্বা মহাক্না ঙসিদি ঈফুগ মরক্তা ঙম্দুনা লৈরি। য়েংঙদো কৃষ্ণ ! মতম হায়বাসগী খোঙথাং ॥১০॥ অকনবা ঈচা দুর্য্যোধন অসে শোয়দনা ক্ষত্রিয় অকনবশিংনা কংনখিবা পুণ্যলোক অদু কংগ্রিবনি। মরমদি শিরকাওবদা মুমায়না লালকমদা ওনশিন্দুনা (উপ্প) অকনবগী শরেকথক্তা (লালকম লৈমায়থক্তা) হীপতুনা লৈরি ॥১১॥ মতম অমদা নীঙথিজরবী লোয়নবী রমনীশিংনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা মাবু নুংঙাইহনবা দুর্য্যোধন অসিবু ঙসিদি শাহিং চাবা হুই লমহুই অাঙজানচিংবনা — য়াক্রবা মথোয়া নুংঙাইহল্লি ॥১২॥ মতম অমদা জ্ঞানী পাণ্ডতশিংনা নীঙথিজবা

যং পুরা ব্যজনৈরগ্র্যৈরুপবীজন্তি যোষিতঃ। তমদ্য পক্ষব্যজনৈরুপবীজন্তি পক্ষিণঃ ॥১৪॥
এষ শেতে মহাবাহুর্বলবান্ সত্যবিক্রমঃ। সিংহেনেব দ্বিপঃ সংখ্যে ভীমসেনেন পাতিতঃ ॥১৫॥
পশ্য দুর্য্যোধনং কৃষ্ণ! শয়ানং রুধিরোক্ষিতম্। নিহতং ভীমসেনেন গদাং সংস্পৃশ্য ভারত ॥১৬॥
অক্ষৌহিণীর্মহাবাহুর্দশ চৈকাঞ্চ কেশব! আনয়দ্যঃ পুরা সংখ্যে সোঽনয়ান্নিধনং গতঃ ॥১৭॥
এষ দুর্য্যোধনঃ শেতে মহেষ্বাসো মহারথঃ। শার্দ্দূল ইব সিংহেন ভীমসেনেন পাতিতঃ ॥১৮॥
বিদুরং হ্যবমন্যৈষ পিতরঞ্চৈব মন্দভাক্। বালো বৃদ্ধাবমানেন মন্দো মৃত্যুবশং গতঃ ॥১৯॥
নিঃসপত্না মহী যস্য ত্রয়োদশ সমাঃ স্থিতাঃ। স শেতে নিহতো ভূমৌ সুতো মে পৃথিবীপতিঃ ॥২০॥
অপশ্যং কৃষ্ণ! পৃথিবীং ধার্ত্তরাষ্ট্রানুশাসিতাম্। পূর্ণাং হস্তিগবাশ্বৈশ্চ বার্ষ্ণেয়! ন তু তচ্চিরম্ ॥২১॥
তামেবাদ্য মহাবাহো! পশ্যাম্যন্যানুশাসনাম্। হীনাং হস্তিগবাশ্বেন কিং নু জীবামি মাধব! ॥২২॥
ইদং কৃচ্ছ্রতরং পশ্য পুত্রস্যাপি বধান্মম। যদিমাঃ পর্য্যুপাসন্তে হতান্ শূরান্ রণে স্ত্রিয়ঃ ॥২৩॥

রাহৈনা শৈশক শৈরেংনা শৈশি লৈথোল্লবা দুর্য্যোধন অসিবু ত্তসিদি লাওজাশিংনা অয়াকপা, অংঙ্গম্পী মশক্ ওইরবা খোম্থাংনা শৈশক্ না সুংজ্ঞাইহল্লি ॥১৩॥ মতম অমদা য়মনীশিংনা রাহোং মতুগী কাংহৈহাইনা, চায়রনা থৌগল তৌরম্বা দুর্য্যোধনগী মথক্তা লাওজানচিংবা উচেক্‌শিংনা মাগী মাগী মমৈ মতুনা ফ্রন্ত ফ্রন্ত হায়দুনা হুমাই হুন্নি, কুপলি ॥১৪॥ মপান্থোম চাউরবা, থোইনা বল্লবা খাঙ্গেশেংনা মরিল মথৈনা কৈরবা দুর্য্যোধন অসে নোংশানা লাকথরবা চাউরবা শামু অমগুম্বা নোংশাগী মশক্ ওইরবা ভীমনা লৈমায়থক্তা তুতনথ্রে ॥১৫॥

কৃষ্ণ! য়েংঙু! ভরতনন্দন ঈচা দুর্য্যোধন অসে ভীমগী মখুবাক্তা থরাই থাদুনা মশা ঈহং নাইহং শানা গদা কোম্দুনা সংস রদগী বিদায় লৌরগা লৈমায়থক্তা তুথগ্রি ॥১৬॥ কেশব! কৃষ্ণ! লালকমদা লাম্মী অক্ষৌহিনী তরা মাথোইবু লুচিংদুনা পুরকখিবঃ দুর্য্যোধন অসে, কত্রবা নীত শীক্রিয়বাশিংগী সন্দগী আশিবগী থয়াত্তা তাথ্রে ॥১৭॥ নোংশানা কৈবু লাকথুবগুম ভীমসেননা মহাধনুর্দ্ধারী ওইবা মহারথী দুর্য্যোধন লাকথুখ্রে। দুর্য্যোধন হায়বা অকনবদো অশিদা হীগুনা লৈরে ॥১৮॥ ময়ায়হকৃণীবা, মবুদ্ধি কৈত্রবা দুর্য্যোধননা মপাবু অদুগা মখুড়া জ্ঞানী বিদুরবু থৌত্তহদদুনা, মংক্রী অহল্লসম্বা তাক্পা রাবু লোদদুনা হৌজিক্তি অশিবগী থয়াত্তা তারেদে ॥১৯॥ য়েক্লবা তিংখং কৈত্রবা পাকচাউরবা রাজ্য অমগী মপু ওইদুনা চহী তরাহুমদোই চুপ্পা পাল্লকপা নিংথৌ অদো ত্তসি লৈমায়থক্তা ওল্লয়ে ॥২০॥ বৃষ্ণিনন্দন! কৃষ্ণ! য়াম্না অরাবা তমখিরবা থৌদোক অমগা য়েংঙু! ঐগী ঈচা দুর্য্যোধননা শিগ্রবসিদা কুপীশিং অসিনা অকনবাশিং অসিগী সেবা তৌদুনা লৈরি ॥২১॥ কৃষ্ণ! মশম্ মনা পুমচাই চাইরবী, শাঙং শাদা কজয়বী কৃষ্ণগী মমা, দুর্য্যোধনগী লোয়নবী অশিনা দুর্য্যোধনগী মতমপাক্তা, মথবাক্তা

প্রকীর্ণকেশীং সুশ্রোণীং দুর্য্যোধনশুভাঙ্কগাম্ । রুক্মবেদীনিভাং পশ্য কৃষ্ণ ! লক্ষ্মণমাতরম্ ॥২৪॥
নূনমেষা পুরাবালা জীবমানে মহাভুজে । ভুজাবাশ্রিত্য রমতে সুভুজস্য মনস্বিনী ॥২৫॥
কথং তু শতধা নেদং হৃদয়ং মম দীর্য্যতে । পশ্যন্ত্যা নিহতং পুত্রং পুত্রেণ সহিতং রণে ॥২৬॥
পুত্রং রুধিরসংসিক্তমুপজিঘ্রত্যনিন্দিতা । দুর্য্যোধনন্তু বামোরুঃ পাণিনা পরিমার্জতি ॥২৭॥
কিং নু শোচতি ভর্ত্তারং পুত্রং বৈষা মনস্বিনী । তথা হ্যবস্থিতা ভাতি পুত্রং চাপ্যভিবীক্ষ্য সা ॥২৮॥
স্বশিরঃ পঞ্চ শাখাভ্যামভিহত্যায়তেক্ষণা । পতত্যুরসি বীরস্য কুরুরাজস্য মাধব ! ॥২৯॥
পুণ্ডরীকমিবাভাতি পুণ্ডরীকান্তরপ্রভা । মুখং প্রমৃজ্য পুত্রস্য ভর্ত্তুশ্চৈব তপস্বিনী ॥৩০॥
যদি চাপ্যাগমাঃ সন্তি যদি বা শ্রুতয়স্তথা । ধ্রুবং লোকানবাপ্তোঽয়ং নৃপো বাহুবলার্জ্জিতান্ ॥৩১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
স্ত্রীবিলাপে গান্ধার্য্যা দুর্য্যোধনদর্শনে সপ্তদশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

———:•:———

ভাগুনা লালকম্বগী মশক্ ওইরবা যজ্ঞ অসিগী সনানা খোনগন্তুনা শাবা বেদীগী মতোঙ্গুমা খোইনা নিঙথিজারি ॥২৪॥ মমাতৈদা দুর্য্যোধন হিংলিতৈদা নীঙথিজরবী খুপী মচা অসিনা দুর্য্যোধনগী মপান্থোম অনীনা কোনবিবন্থগী খুংঙাইববু কংজখিবনি ॥২৫॥ ওম্হোকৃষ্ণ ! মচা লক্ষ্মণগা লোয়ননা মপা দুর্য্যোধননা শিখিবদি ঈমাং থীংনা উবরে । মাসি উবগা ঐগী থম্মোয়সে চামাখোক্লা কায়রে ॥২৬॥
মকৈগল তাব কক্করবী, নিন্দা তেননীঙতব লৈতনা কজবী, দুর্য্যোধনগী লোয়নবী অসিনা শিঙনা লৈরিবা মচা লক্ষ্মনবু কোনশিল্লি মনম্ নায়, মপুরোমবা দুর্য্যোধনগী মপাদা খোৎনা নৌনা নানবিরি ॥২৭॥ নীঙথজরবী অসিনা রারিবসি মচা অসিগীদমক্লা নত্রগা মপুরোয়বা অসিগীদমক্লা হায়বদু খাঙ্গৈশেংনা খঙজে । মরমদি মহাক্ অসে মচাগা মপুরোয়বগা অনিজদা শংল্লিকুশংনা য়েংচনা লৈরে ॥২৮॥ মাধব ! যাদব ! মীত্তা শাংলপ তৌনা কজমবী , দুর্য্যোধনগী লোয়নবী অসিনা মখুৎ অনিনা মথবাক্লা ফুজনা দুর্য্যোধনগী মথবাক্লা তুথরি ॥২৯॥ অঙৌবা থম্বাল লৈকাগী মতেঙ্গুমা মনম খুংশিনাঙৌরবী নিঙাথজমবী অসিনা থম্ব লগুর নীঙথিজবা দুর্য্যোধনগী মায়খোংবু অতুগা মচা লক্ষ্মনগী মায়খোংবু শুং শুং নাল্লি ॥৩০॥ ধর্ম্মশাস্ত্র বেদ হায়বসিনা অচুম্বমক্লা ওইরবদি নিংথৌ দুর্য্যোধন অসে মশাগী মপান্থোম পাঙ্গমা তানশিন্নবা, ক্ষত্রিয়চা অমনা কংগদবা স্বর্গলোক অদো শোয়দনা কংগ্রে ॥৩১॥
মকম অসিদা শ্রী মহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রী ব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মফুংদা গন্ধার্য্যা দুর্য্যোধনন দর্শন, গী তরাতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ।

শ্রীমহাভারতম্

(গান্ধারীগী বিলাপ মতাং)

অষ্টাদশোঽধ্যায়ঃ

তরানিপালগুবা অধ্যায় ।

— — (:•:) — —

গান্ধার্য্যুবাচ ।

পশ্য মাধব ! পুত্রান্ মে শতসংখ্যান্ জিতক্লমান্ । গদয়া ভীমসেনেন ভূয়িষ্ঠং নিহতান্ রণে ।১।
ইদং দুঃখতরং মেঽদ্য যদিমা মুক্তমূর্দ্ধজাঃ । হতপুত্রা রণে বালাঃ পরিধাবন্তি মে স্নুষাঃ ।২।
প্রাসাদতলচারিণ্যশ্চরণৈর্ভূষণান্বিতৈঃ । আপন্না যৎ স্পৃশন্তীমা রুধিরার্দ্রাং বসুন্ধরাম্ ।৩।
গৃধ্রানুৎসারয়ন্ত্যশ্চ তথা গোমায়ুবায়সান্ । শোকেনার্ত্তা বিঘূর্ণন্ত্যো মত্তা ইব চরন্ত্যত ।৪।
এষা বৈ হ্যনবদ্যাঙ্গী করসম্মিতমধ্যমা । ঘোরং তদ্বৈশসং দৃষ্ট্বা নিপতত্যাতিদুঃখিতা ।৫।
দৃষ্ট্বা মে পার্থিবসুতামেতাং লক্ষ্মণমাতরম্ । রাজপুত্রীং মহাবাহো । মনো ন হ্যপশাম্যতি ।৬।
ভ্রাতৄংশ্চান্যাঃ পিতৄংশ্চান্যাঃ পুত্রাংশ্চ নিহতান্ ভুবি । দৃষ্ট্বা পরিপতন্ত্যেতাঃ প্রগৃহ্য সুভুজা ভুজান্ ।৭।

গান্ধারীনা হায়ঃ— কৃষ্ণ ! য়েংঙু ! ঐগী ইমায় মায়থোং কাহৎলবা ঈচাচামসিগী মনুংদা অয়াম্বনু ভীমসেন মথন্তনা গদানা কচুনা হাৎখ্রে ॥১॥ য়েংবদা ঐঙোন্দা থোইদোক্লা অরাবা বিষয় অম ওইবদি ঈমৌ লুখ্রাবী মুপীমচাশিংসিনা কপ লাউরদুনা কাতুকারল কোয়চেল চেন্নরিবা অসিনি ॥২॥ মুপীমচাশিং অসিনা মমাঙৈদা খুঙ্গৌনাচি গুপুরনচিংবা লৈতেংগা লোম্ননা কয়া দলাল মথক্তা চনৎহন্দা চৎতুনা কেজ মোজনা মুংঙাইজরম্বানি। অদুবু মথোয় অসিনা থোৎল নৌরবা মথোঙশিংসিনা ঈনাইনা থল্লবা লালকম লৈমায়থক্ অসিদা কোয়চৎ চৎলি। মাসিদগী হেন্না রানীঙতায় মরমবু অত্তে করি অমনা ওইগদগে ? ॥৩॥ থম্মোয় শোক্ রায়বী মুপীমচাশিংসিনা লালকম লৈমায়থক্ অসিদা লাঙজা, লমহুই কাকনাচিংবা শা উচেকশিং অসিবু তাম্মোক্ থোৎতোকতুনা মাগী মাগী মথংলেনবু চৎন চৎনা কোয়থিথিরি ॥৪॥ নৌঙথিজরবী মপা তনাপ তনাপ লাউরবী মুজাশিংসিনা তমথিরবা দৃশ্য অসিবু উবদা থম্মোয় পূব য়াদনা অকি অথং থঙদনা কোয়চেল চেল্লি ॥৫॥ অকনবা ! কৃষ্ণ ! নিংথৌগী মচানুপী, নিংথৌয়েনগী লোয়নবী, লক্ষ্মন পোকপ মমাগী মতৌসি উবদা ঐ থম্মোয় পুবা য়ায়কুম্রে ॥৬॥ মপা-

মধ্যমানাস্তু নারীণাং বৃদ্ধানাঞ্চাপরাজিত। । আক্রন্দং হতবন্ধূনাং দারুণে বৈশসে শৃণু ।৮।
রথনীড়ানি দেহাংশ্চ হতানাং গজবাজিনাম্ । আশ্রিতাঃ শ্রমমোহার্ত্তাঃ স্থিতাঃ পশ্য মহাবল ! ।৯।
অন্যা চাপহৃতং কায়াচ্চারুকুণ্ডলমুন্নসম্ । স্বস্য বন্ধোঃ শিরঃ কৃষ্ণ। গৃহীত্বা পশ্য তিষ্ঠতি ।১০।
পূর্ব্বজাতিকৃতং পাপং মন্যে নাল্পমিবানঘ। । এতাভিরনবদ্যাভির্ময়া চৈবাল্পমেধয়া ।১১।
যাদদং ধর্ম্মরাজেন পাতিতং নো জনার্দ্দন ! । ন হি নাশোঽস্তি বার্ষ্ণেয় ! কর্ম্মণোঃ শুভপাপয়োঃ ।১২।
প্রত্যগ্রবয়সঃ পশ্য দর্শনীয়কুচাননাঃ । কুলেষু জাতা হ্রীমত্যঃ কৃষ্ণপক্ষাক্ষিমূর্দ্ধজাঃ ।১৩।
হংসগদগদভাষিণ্যো দুঃখশোকপ্রমোহিতাঃ । সারস্য ইব বাশন্ত্যঃ পতিতাঃ পশ্য মাধব ! ।১৪।
ফুল্লপদ্মপ্রকাশানি পুণ্ডরীকাক্ষ ! যোষিতাম্ । অনবদ্যানি বক্ত্রাণি তাপয়ত্যেব রশ্মিবান্ ।১৫।

ম্বোম তাব নীওথিজরবীশিংসিগী মনুংদা কনা কনাগুম্বনা শিরবা মবুং মোপ্‌াগী ’ কনা কনাগুম্বীনা শিরবা মপা মপলগী অঙ্গুগা কনা কনাগুম্বীনা শিরবা মচাশিংগীলেকথঙ্গনা তারম্বা মপাম্বোমশিং মথুৎশিংসিবু থাংগৎ পায়খৎলগা মথোয়গী মথক্তা ভুথরি ॥৭॥ কনানস্থ মায়থীবা পীরমদবা কৃষ্ণ ! তমথিনা অকিবগী মশক কংলবা মহামারিগী থোদোক অলিদা মরুপ মপাং মচা মরা কায়নরবী অহল ওইরবী মিয়ায় চম্লবী নহা ওয়ায়বী সুপিশিং অলিগী ভুজুংবা পোকহল্লবা, মায়কৈ মরিদগী নিম্নরকৃলিবা অকপ অরাওগী মথোল অসি অমুক্তা তাও ॥৮॥ অকনবা ! কপ্লতদা রায়বি মশা চোকথরবি বুদ্ধি চোইরবিশিংসিনা মথ অত্তেকপশিংসিগী সায়থিগী কমকমদা ভাগঙ্গনা গুহাক গুহাকস্থ পোথাজরি ॥৯॥ কৃষ্ণ ! কনা কনাগুবিনা কুণ্ডলনাইম্না লৈতেংলবা, নাতোল রাংলপ তৌনা কজরবা মায়থোং পুরবা, মপা মচা মবুং মোপ । থোক্লবা লাম্মীশিংডগী মকোকপু পায়থৎ থাংগৎলগা মুম্না য়েংলি, চেৎনা কোল্লি ॥১০॥

পাপকী শরুক রাওজবা কৃষ্ণ ! নিন্দা তৌননাঁত্তায় লৈতনা কজরবী সুপীমচাশিংসিনা অঙ্গুগা বুদ্ধি থেল্লবি পঙলবি ঐনস্থ মপোক কয়াদা তৌজরকপা পাপ কর্ম্মশিংঙ্গগী মহৈনা হৌজিক অসিগুম্বা অরাব অসি কংজবতনি ॥১১॥ বৃষ্ণনন্দন । কৃষ্ণ । যুধিষ্ঠির হায়বাসনা ধর্ম্ম চেনবা নিংথৌ অমদি ওইরগা অশুক য়াম্থ ময়াম অসিবু লোইনা হাত্তোকৃহল্লে । মাসিদগী ঐনা করি খঙবগে হায়ববু মহৈ চাঙ্গনা লোইথোক্‌পা নত্তনা পাপ পুন্য অনিমক্কী তৌথবা কর্ম্ম জদো থক্‌ মাঙবা লৈতে, মথোয়গী মহৈ চাঙ্গনা লোইথোকপা নত্তনা অমুক্তং তৌথিবা পাপ কর্ম্মঠ করিমত ভুমশিন্দনা অঠুম্‌ মরৈরগদবনি হায়বসি ঐনা থিত্ত ॥১২॥ কৃষ্ণ ! মথবাক্‌ মায়থোং কজরবী মীৎক্রী পা, মীৎলু, মশম্‌ অঙ্গম অসি থোইনা মুমবি, নিঙথিজরবী সুপীমচা লুপ্রাবী ওইরবশিংসে অমুক্ত য়েংঙু । মথোয়শিংসে মশক্‌ মতো কজবত নত্তনা অচৌবা শাগৈ জাত্ত', ঈকায় খুমকম ওইরনা ঈমুংদগী পোক্লকপি ঈকায়থিরবিমক্তনি ॥১৩॥ মাধব ! ভাষু কাঙগী থোঙথাং থোম্বোক্‌ মাল্লবি, অরাব লাওতয়বদা কংলবসিদা তৌকম থঙজথিশিং অসিনা রাইমু অমোমশিংগী মত্তোগুম্না থম্মোয় শোক্লা তেংথা নাওইনা কপাঙ্গনা লৈঙ্গয়থক্তা ভুরি ॥১৪॥ কৃষ্ণ ! ফুগায়না শাৎলম্বা থম্বাল লৈরাংগুম্বা মায়থোং পুমবি, অরাৎপা লৈতনা

তেষাং মম পুত্রাণাং বাসুদেবাবরোধনম্ । মত্তমাতঙ্গদর্পাণাং পশ্যন্ত্যস্য পৃথগ্জনাঃ ।১৬।

শতচন্দ্রাণি চর্ম্মাণি ধ্বজাংশ্চাদিত্যসন্নিভান্ । রৌক্মাণি চৈব বর্ম্মাণি নিষ্কানপি চ কাঞ্চনান্ ।১৭।

শীর্ষত্রাণানি চৈতানি পুত্রাণাং মে মহীতলে । পশ্য দীপ্তানি গোবিন্দ ! পাবকান্ সুহুতানিব ।১৮।

(যুগ্মকম্)

এষ দুঃশাসনঃ শেতে শূরেণামিত্রঘাতিনা । পীতশোণিতসর্ব্বাঙ্গো ভীমেন যুধি পাতিতঃ ।১৯।

গদয়া ভীমসেনেন পশ্য মাধব ! মে সুতম্ । দ্যূতক্লেশাননুস্মৃত্য দ্রৌপদ্যা চোদিতেন চ ।২০।

উক্তা হ্যনেন পাঞ্চালী সভায়াং দ্যূতনির্জ্জিতা । প্রিয়ং চিকীর্ষতা ভ্রাতুঃ কর্ণস্য চ জনার্দ্দন ! ।২১।

সহৈব সহদেবেন নকুলেনার্জ্জুনেন চ । দাসভার্য্যাসি পাঞ্চালি ! ক্ষিপ্রং প্রবিশ নো গৃহম্ ।২২।

ততোঽহমব্রবং কৃষ্ণ ! তদা দুর্য্যোধনং নৃপম্ । মৃত্যুপাশপরিক্ষিপ্তং শকুনিং পুত্র ! বর্জ্জয় ।২৩।

নিবোধৈনং সুদুর্বুদ্ধিং মাতুলং কলহপ্রিয়ম্ । ক্ষিপ্রমেনং পরিত্যজ্য পুত্র ! শাম্যস্ব পাণ্ডবৈঃ ।২৪।

লিঙথিজরবি গুণিমচাশিংগী থোৎলবা মায়থোংশিংসিদা কুমিৎলক শায়বা মশেক্লঃ থোকৈনা কয়া মৈথিবি ॥১৫॥ আঃ । ওস্তোকৃপনি । বাসুদেব ! অমমম্‌া ময়াক ক্নায়বা শামুগুম্না, মিনা লাকৃচবা য়াদবা, কমক য়েংথি চাউবা, শাউগল্লবা, মরিল লৈবরা অকনবা ঈচাশিংগী অন্তপুর খুবৈ নাম কাওবা হেক্তোক্তবী য়মনীশিং অসিনা তসিদি অচম্বি নুপি অমমম্‌গুম্না লৈবসিদা অচম্বা নিপা নত্তা কয়ানসু ঈয়ায় লাক্কনা উবি য়েংলি ॥১৬॥ কৃষ্ণ ! য়েংও ! ঈচাশিংসিগী খা চামগী ময়েক থোক্লবা লাংজাগা চুংোয় ময়াম, তঙ্গুপ তবেংলবা কিয়াল ময়াম, সনা চৎলবা লালফুরিৎ, সনা মপাক্কনা শায়বা থবাকথাক কোয়েৎ-ঙ্গুপ ময়াম অসিনা ঘী হৈজিল্লবা যজ্ঞগী মৈগী মৈরি অমমম্‌গুম্না লৈমায়থক অসিদা ঈঙাল ঙালনা তাক্লুনা লৈরি ॥১৭—১৮॥ য়েংও অসিনা দুঃশাসননা কুমিম্ম তাক্লুনা লৈরি । ভীমনা মাবু হাত্তুনা মথবাক্কগী ঈ থক্লথবগী মশাসি ঈনা পুমক্লুপ লুপ্তুনা লৈরি ॥১৯॥ কৃষ্ণ ! অক্লৈগী চৌবর সভাদা অয়াবা ঈকায়বা কংথ্রবি দ্রৌপদীনা মমাতৈগী থোদোকশিং অক্ত নিংশিংদুনা, মপূক্লুং থোগৎতুনা ময়ায় কাহনপ্রবা ভীমনা গদানা ফুত্থনা দুঃশাসনবু লৈমায়থক্ত তুহনখিবনি ॥২০॥ জনার্দ্দন ! দুঃশাসন কর্ণ কায়বা অনিনা দুর্য্যাধননা পেল্লনবা হায়দুনা, চৌবরদা থাদোকপ্রবি দ্রৌপদীদা অসুম্না হায়খি ॥২১॥ পাঞ্চাল নিংথৌগী মচানুপী ! হৌজিক্ত, নিংথৌ দুর্য্যোধনগী মনাই পাণ্ডবশিংগী লোয়নাব ওইরবনিদো । অদুনা নংগী নিপা যুধিষ্ঠীর ভীম অর্জ্জুন, নকুল সহদেব মঙা অসিগা লোয়ননা ঐথোয়গী যুমথোং খুদিংদা চঙদুনা সেবা তৌয়রো ॥২২॥ কৃষ্ণ ! ঐনা পঙলবা ঈচা দুর্য্যোধনদা "দুর্য্যোধন ! ঈবাগী ঈবুঙো ! নং অশাউবা কল্লপগী লাংদা থম্বা শকুনিসিবু থাদোক্লবা তো" হায়না হয় হয়া হায়খিবনি ॥২৩॥ ঐনা অমুকসু মঙোন্দা অসুম হায়খিবনি—দুর্য্যাধন

ন বুধ্যসে ত্বং দুর্ব্বুদ্ধে ! ভীমসেনমমর্ষণম্ । বাঙ্‌নারাচৈস্তুদংস্তীক্ষ্ণৈরুল্কাভিরিব কুঞ্জরম্ ।২৫।
তমেনং রহসি ক্রুদ্ধো বাক্‌শল্যানবধারয়ন্ । উৎসসর্জ্জ বিষং তেষু সর্পো গোবৃষভেষিব ।২৬।
এষ দুঃশাসনঃ শেতে বিক্ষিপ্য বিপুলৌ ভুজৌ । নিহতো ভীমসেনেন সিংহেনেব মহার্ষভঃ ।২৭।
অত্যর্থমকরোদ্রৌদ্রং ভীমসেনোঽত্যমর্ষণঃ । দুঃশাসনস্য যৎ ক্রুদ্ধোঽপিবচ্ছোণিতমাহবে ।২৮।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
স্ত্রীবিলাপে গান্ধারীবিলাপেঽষ্টাদশোঽধ্যায়ঃ ।০।

——:※:——

নংগী মামা শকুনি হায়বসে য়ায় মবুক্‌চেল, কৎতবনি, খৎম চৈনবা পাম্বনি । অদুনা নং মাগা সক্ক তোরম্ভু । নচিম্মনাও পাণ্ডবশিংগা চান্নৌ, সন্ধি তৌনৌ ॥২৪॥ পঙলবা দুর্য্যোধন ! মৈহুম্না শাম্বুদা চুবগা শাম্বুবু শাউহনবা য়াহনবহল্লুম্না নংম্ভু খারবা য়াহৈগী মশক্‌ ওইরবা তেম্না শাউগল্লবা ভীমদা খারি ॥২৫॥ দুর্য্যোধনগী মচিম্মগী থোরকপা য়াহৈগী মশক্‌ ওইরবা তাশোল-শিংসিনা পানখিবগী চৈনাহুবু নীঙশিংহনা ভীমনা মাহুবু থম্মোয়দা মতম কৃইনা ফুমহনা থমখিবনি অন্তগী তৃংদা মহু পুরবা লিম্না শঙ্খাওদা মাগী হুবু কামশিনবহল্লুম্না ভীমনা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রগী অমদি ঐগী পঙলবা ঈচাশিং অসিদা মাগী অশাউবগী হুবু কামশিনখিবনি ॥২৬॥ নোংশানা অচৌবা শামুবু হাৎখিবহল্লুম্না ভীমসেননা দুঃশাসনবু হাৎত্রে । অদুনা দুঃশাসন অসি মপাম্বোম অনি কল্লোক্‌তুনা লোংনা ভাহুনা ভূমিদ্র লৈরি ॥২৭॥ শাউগল্লবা ভীমনা তৌত্রিবসি ফাম্না ভমখিনা অকিব ফংলবা থবক্‌ অমনি । মরমদি মহাক্লা শাউখৎবদগী দুঃশাসনগী মশাদগী ঈ থুজোক্‌ থুজোক্‌ থক্‌ত্রে ॥২৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শ্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মনুংদা গান্ধারী বিলাপকী তরানিপালগুবা অধ্যায় লোইরে ॥

——:—:——

মহাভারতম্

ঊনবিংশোঽধ্যায়ঃ

(গান্ধারী বিলাপ)

গান্ধারীনা কপ্পা

তরামাপলগুবা অধ্যায়

——:•:——

গান্ধার্য্যুবাচ।

এষ মাধব ! পুত্রো মে বিকর্ণঃ প্রাজ্ঞসম্মতঃ । ভূমৌ বিনিহতঃ শেতে ভীমেন শতধা কৃতঃ ॥১॥

গজমধ্যে হতঃ শেতে বিকর্ণো মধুসূদন ।। নীলমেঘপরিক্ষিপ্তঃ শরদীব নিশাকরঃ ॥২॥

অস্য চাপগ্রহেণৈব পাণিঃ কৃতকিণো মহান্ । কথঞ্চিচ্ছিদ্যতে গৃধ্রৈরত্তুকামৈস্তলত্রবান্ ॥৩॥

অস্য ভার্য্যামিষপ্রেপ্সূন্ গৃধ্রানেতান্ তপস্বিনী । বারয়ত্যনিশং বালা ন চ শক্নোতি মাধব ! ॥৪॥

যুবা বৃন্দারকঃ শূরো বিকর্ণঃ পুরুষর্ষভ ।। সুখোষিতঃ সুখার্হশ্চ শেতে পাংশুষু মাধব ! ॥৫॥

কর্ণিনালীকনারাচৈর্ভিন্নমর্ম্মাণমাহবে । অদ্যাপি ন জহাত্যেনং লক্ষ্মীর্ভরতসত্তমম্ ॥৬॥

গান্ধারীনা হায়ঃ— মাধব ! অদানী ওইবশিংনা য়াম্না পুংসিবিবা বিকর্ণ হায়বা ঐগী ইচাসে ভীমগী মথুত্তা থরাই থাহনা মশা পুম্বা ইহো হোগায়না তুহনা লৈরি ॥১॥ বিকর্ণসে মুয়বা য়াং চাউরবা শামু ময়ক্তা তাহনা লৈরি ॥২॥ অতৈৎ অথম্ লৈতনা লায়ীচিংবা তেল কাপ্পগী অভ্যাস কনমনখিবনা মখুং অনী খুবাক অনীস য়াম্না পাক্লা তত্তহনা লৈগ্রবনি । অতত্তবা মকম অসি শউম্না য়েচ্ছিংকুপাশিন্দুনা লৈরিবনি । অহনা য়েংত, কৃষ্ণ ! লাতপ্পাশিংবা মাসিবু য়াম্না চিংথৎ খোদংত্তুনা শেগায়রি ॥৩॥ মাধব ! থম্মোয় শোক্লা য়ায়বী বিকর্ণগী লোয়নবী অসিনা শাহিংচাবা লাতপ্পাশিংবু ঈতং চত্তনা তাম্বোক হোইদোক্লি । মথোয়মক্তা তাম্বোকপদা মথোয়না পাইশিল্লকপনা হেন্দুনা হৌগৎচবমক্তা ওমজত্রে ॥৪॥ নিপা অথোইবা কৃষ্ণ ! পাখং মথোক কায়বা, মশক মতৌ শাওং শাদা কল্লবা, মথৌনা লৈয়বা কল্লবা, সুংঙাইবা ময়ক্তা লৈগদবা বিকর্ণ অসে ওসি লালকম লৈমায়থকী উফুল ময়ক্তা ওয়রি ॥৫॥ য়োচ্চে, উত্তোং মখুল হোবা, য়েংতুম মচীন শাবা খুৎলায় মথন মথম্না পানবদা মাগী থজীন থবাক্চিংবা হকচাং কায়াৎ পুম্বা শাখিনা খিনগাইখ্রে ।)।অদুবু অকনবা অমা ওইবগী কল্লবা হায়বহুনদি

অত্র সংগ্রামশূরেণ প্রতিজ্ঞাং পালয়িষ্যতা । দুর্ম্মুখো বিমুখঃ শেতে হতোঽরিগণহা রণে ॥৭॥
তস্যৈতদ্বদনং কৃষ্ণ ! শ্বাপদৈরর্দ্ধভক্ষিতম্ । বিভাত্যভ্যধিকং তাত ! সপ্তম্যামিব চন্দ্রমাঃ ॥৮॥
শূরস্য হি রণে কৃষ্ণ ! যস্যাননমথেদৃশম্ । স কথং নিহতোঽমিত্রৈঃ পাংশূন্ গ্রসতি মে সুতঃ ॥৯॥
যস্যাহবমুখে সৌম্য ! স্থাতা নৈবোপপদ্যতে । স কথং দুর্ম্মুখোঽমিত্রৈর্হতো বিবুধলোকজিৎ ॥১০॥
চিত্রসেনং হতং ভূমৌ শয়ানং মধুসূদন ! । ধার্ত্তরাষ্ট্রমিমং পশ্য প্রতিমানং ধনুষ্মতাম্ ॥১১॥
তং চিত্রমাল্যাভরণং যুবত্যঃ শোককর্শিতাঃ । ক্রব্যাদসংঘৈঃ সহিতা রুদত্যঃ পর্য্যুপাসতে ॥১২॥
স্ত্রীণাং রুদিতনির্ঘোষঃ শ্বাপদানাঞ্চ গর্জ্জিতম্ । চিত্ররূপমিদং কৃষ্ণ ! বিচিত্রং প্রতিভাতি মে ॥১৩॥
যুবা বৃন্দারকো নিত্যং প্রবরস্ত্রীনিষেবিতঃ । বিবিংশতিরসৌ শেতে ধ্বস্তঃ পাংশুষু মাধব ! ॥১৪॥
শরসঙ্কৃত্তবর্ম্মাণং বীরং বিশসনে হতম্ । পরিবার্য্যাসতে গৃধ্রাঃ পরিবেশ্য বিবিংশতিম্ ॥১৫॥
প্রবিশ্য সমরে বীরঃ পাণ্ডবানামনীকিনীম্ । স বীরশয়নে শেতে পুনঃ সৎপুরুষোচিতে ॥১৬॥

হৌজিনকাও থাদোকৃত্রি ॥৬॥ লান্দা বল্লব, ভীমসেননা মাগী রাশক থাংলনবনি হায়দুনা মেক্কবা কয়াদ হাৎলুয়া দুর্ম্মুখবুস্তু হৎলে। দুর্ম্মুখ অসি ময়ায় উপ্প কৈমায়দক্তা চীপত্তুনা লৈরি ॥৭॥ কৃষ্ণ! শাহিং চাবা শাউচেকশিংনা মাগী মমায়সি তংখাই অমা চীকথত্তুনা চাথ্রে। অদুগু মাগী মায়থোং কেমহৌরিবা সপ্তমীতিথিগী তংখাই চন্দ্রকপা থাগী মকোয়শুম থোইনা নীঙথিজরি ॥৮॥ কৃষ্ণ! নহাক, অকনবা দুর্ম্মুখগী মমায় অসে অদুত্তদ হোঙ। ওস্তোকপনি! ঐগী কল্লবা ঈচা অসিগু মথাই থাদুনা লাকমগী উফুল চাগনা লৈরি ॥৯॥ ত্তল্লবা কৃষ্ণ! লান্দা মাগী মমাঙদা কনা অংত্তনা লেপ্পা ঙম্মদবা লাইগী ফম্মশিংমকপু হৎলুয়া দুর্ম্মুখবু মতৌ করম্না মেক্কলশিংনা ঈরায় লায়না হাৎখিবনো! ॥১০॥
মধুসূদন! হেংঙ! লৈরং পাইবশিংগী চাদম্নি উভোয় ওইরবা ধৃতরাষ্ট্রনন্দন চিত্রসেন কোবা ঈচাসিনা কৈমাইথক্ত ত্তাদুনা লৈরিবসে ॥১১॥ আঃ! ওস্তোকপনি! থম্মোয় শোক্কা রারিবা যুবতীশিং অসিনা শাহিংচাবা শা উচেকশিংগা লোয়ননা তঙপ ভথংলা ফিজেৎ লৈতেংলখা চিত্রসেনগী সেবা তৌরি ॥১২॥ কৃষ্ণ! নুপীমচাশিংসিগী অকপ অরাওগী খোল্লেলগা শা উচেকশিংসিগী লাউ খোংবগী মখোলগা তিন্নশিন্তুনা অঙকপা খোঙ্গাং খোঙ্গাক অম ঐগী মাকোং অসিদা লাক্লি ॥১৩॥ মাধব! পাখং মখোক কায়রবা মশক্ মতৌ কজরবা নীঙথিজরবী লোয়নবী সংত্তনা শুমিৎ চুপ্পা সেবা তৌরবা ঈচা বিবিংশতিসিনা লালকম উফুল মথকসিদা হিপত্তুনা লৈরি ॥১৪॥ তেল্লা থাবদ মাগী লাতফুরিৎ অসি ঈশেংশেং চরে। শিত্তুনা ভাগুনা লৈরিবা মহাকপু লংঙ্গাশিংনা ইকোয়রকোয়রশিল্লুনা লৈরি ॥১৫॥ অকনবা মথৌনা লৈরবা বিবিংশতি অসে পাণ্ডবশিংগী জেখোল

[স্বাতপত্রঃ সুনসঃ স্রগ্ধী ভান্তি বিমলাননাঃ] । অত্যর্থ শুভ্রং বদনং পদ্মং কৃষ্ণ বিবিধেন্দুঃ ॥১৭॥
যঃ স্ম তং পর্য্যুপাসন্তে বহুধা বরযোষিতঃ । ক্রীড়ন্তমিব গন্ধর্ব্বৈ দেবকন্যাঃ সহস্রশঃ ॥১৮॥
হতং বীরং পৌরসেনানং শূরং সমিতিশোভনং । নিবর্হণমমিত্রাণাং দুঃসহং বিষহেত কঃ ॥১৯॥
দুঃসহস্যৈতদাভাতি শরীরং সঞ্চিতং শরৈঃ । গিরিবাস্তৃতঃ ফুল্লৈঃ কর্ণিকারৈর্বিবিধৈঃ ॥২০॥
শাতকৌম্ভ্যা স্রজা ভাতি কবচেন চ ভাস্বতা । অগ্নিনেব গিরিঃ শ্বেতো গতাসুরপি দুঃসহঃ ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি ।

স্ত্রীবিলাপে গান্ধারীবিলাপে উনবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:•:——

মধুসূদন ! চন্দ্রসদৃশমুখী অপরা নীলোৎপলনয়না তরুণী অয় ওইরূপী অবরোধবাসিনী অবরোহিণী স্বামিপুত্রা ভূমিপুলকে ॥১৬॥ কৃষ্ণ ! এই বিদ্যাশোভিনী সমান্বয়ে অনুভূতি রোদন । দেখ দেখ রেখেছে মুখ, মীনাক্ষী শর্করা করপদ্মে নারী হাস্যময়ী তুমি পার্শ্বে অবস্থান করিয়া পিশুম অনিষ্ট করিবার ধারী যায়ও অশ্রুদা লোক উর্জ্জিত শোবতা মধুকর আমুখে লোহিনা নিয়তি হইতে ॥১৭॥ দেবকন্যা তারিণী লিখিত চন্দ্রবদনে সেবা ভৌতিকগণ মুখ অগদা মদকজলধর রমণী নারী সেবাবৃন্তে উচ্চবিদিত ॥১৮॥ দুঃসহ হারবা উচ্চ অসময় দেখিতেছি কনক অয় ওইরা দেবস্থান । আলকস্থদা অকারণী খুব সযত্নে উড্ডয়ন আলস্যরূপে বিরাজিত, অকাতরে রেখা আশ্বাস আকণ্ঠমদন করিয়া দিতেছিল । রেখাবলী দৃষ্ট নয়নের উদ্ভিদ নিপাতি মমাশ্রয় কনক অনন্তনা নারী সমাজে দেখ খাণ্ডবা উর্দ্ধে । অন্তিমকৃত দুঃসহ কোবিদ ॥ ১৯ চাঁদমুখী নারী মধুর শাখায় কণিকা কোথা তৈল চরোঃ সম্পন্না তারকানা কুসুম স্বর্ণধাতুময় তেজ মধুর মধুমলা পানবদ, ঐরা পুষ্পডোর ডাগর দুঃসহ দুঃখশিখা আলক্ত নৈসর্গিক শোভিত নীলশিখার ॥২০॥ মৈনাক পৃষ্ঠ লইয়া চালিয়া কৈলাসগামী চন্দ্রশোভিত দুঃসহ অসে মধুরাঙ্গ প্রবেশ ওলো মণ্ডলমধ্য শিখর সদরাক প্রবেশিনী অন্তগামী অঙ্গ শরীরে আশ্চর্য অসমা সমন্বিতা পুষ্পবৎ শোভা করিয়া ॥২১॥

মধুর অর্জিত শ্রীমহাভারতকে শ্লোক শাসন শ্রীব্যাসনা সংহিতায় স্ত্রীপর্ব্বের স্ত্রীবিলাপকী মন্ত্রংক গান্ধারী বিলাপকী ভরাসপালশু অধ্যয় শোভিতে ॥×॥

———:•:———

শ্রীমহাভারতম্

(বিলাপ তৌরবতুংদা গান্ধারীনা ডাওবা)

বিংশোঽধ্যায়ঃ

কুনশুবা অধ্যায়

— — :※: — —

গান্ধার্য্যুবাচ

অধ্যর্দ্ধগুণমাহুর্যং বলে শৌর্যে চ কেশব ! । পিত্রা ত্বয়া চ দাশার্হ ! দৃপ্তং সিংহমিবোৎকটম্ ॥১॥

যো বিভেদ চমূমেকো মম পুত্রস্য দুর্ভিদাম্ । স ভূত্বা মৃত্যুরন্যেষাং স্বয়ং মৃত্যুবশং গতঃ ॥২॥

(যুগ্মকম্)

তস্যোপলক্ষয়ে কৃষ্ণ ! কার্ষ্ণেরমিততেজসঃ । অভিমন্যোর্হতস্যাপি প্রভা নৈবোপশাম্যতি ॥৩॥

এষা বিরাটদুহিতা স্নুষা গাণ্ডীবধন্বনঃ । আর্ত্তা বালা পতিং বীরং দৃষ্ট্বা শোচত্যনিন্দিতা ॥৪॥

তমেষা হি সমাসাদ্য ভার্য্যা ভর্ত্তারমন্তিকে । বিরাটদুহিতা কৃষ্ণ ! পাণিনা পরিমার্জ্জতি ॥৫॥

তস্য বক্ত্রমুপাঘ্রায় সৌভদ্রস্য মনস্বিনী । বিবুদ্ধকমলাকারং কম্বুবৃত্তশিরোধরম্ ॥৬॥

কাম্যরূপবতী চৈষা পরিষ্বজতি ভাবিনী । লজ্জমানা পুরা চৈনং মাধ্বীকমদমূর্চ্ছিতা ॥৭॥

(যুগ্মকম্)

গান্ধারীনা হায়রি:— কেশব ! অকনবশিংনা হায়রিবৈঃ— কনববদা মপা অর্জ্জুনদগী, কৃষ্ণ নহাক্ মক্তদগীসু শক্তক্ অম ভংখাই হেল্লি কায়নখিবা লান্দা লাক্ৎম কাওমদবা নোংখাওবা, মচাক মথন্তনা ঐগী ঈচাগী, অমনা চঙশিনবা ওম্বরোইদোবা চক্রব্যূহ নমথেক্তুনা চংখিবা বেহ্ মমুংদা অকনবা কাওববা মথাশিংবু কম হুম্না মাইথিব পীরম্বা অভিমন্যু কৌরচগী লৈমায়নক্ত কাহনা লৈরে ॥১—২॥ কৃষ্ণ ! প্রমাণ লৈতনা তেজ লৈরবা অর্জ্জুনগী মচা অভিমন্যু অসে হৌখিক মাগী মশেক্ মঙাল অসে ঈকায় কায়দনা লৈবগুম্ ভোরি ॥৩॥ বিরাট নিংথৌগী মচানুপী অর্জ্জুনগী মমোন্থবী হায়বনীডগায় লৈতনা কজবী নুপিমচা উত্তরা কোরি অসিনা মপুরোয়বু মুম্না য়েংলগা থম্মোয় শোক্না ভেংথারি ॥৪॥ কৃষ্ণ ! কনবা মপুরোয়বা অভিমন্যুগী নাক্ত চঙশিন্দুনা লোয়নবী উত্তরানা মাগী খোংদা নৌববা মখুং অসিনা মপুরোয়বগী হকচাংদা নংশি সংথোক্না শৃং শৃং নারি ॥৫॥ মপুরোয়বদা থবাই হকচাং লুপখবী, উবদা কমলনীভগায মিথোনীভগায় ওইরবা মশক্না মাগী ওইবী, মথুকচেল তমা হৈশিংবা উত্তরা কোরি অসে অভিমন্যুগী

তস্য স্বর্ণজসংশ্লিষ্টং জাতরূপপরিষ্কৃতম্। বিমুচ্য কবচং বীর। শরীরমভিবীক্ষতে ॥৮॥
অবেক্ষমাণা তং বালা কৃষ্ণ! ত্বামভিভাষতে। অয়ং তে পুণ্ডরীকাক্ষ! সদৃশাক্ষো নিপাতিতঃ ॥৯॥
বলে বীর্য্যে চ সদৃশস্তেজসা চৈব তেঽনঘ!। রূপেণ চ তথাত্যর্থং শেতে ভুবি নিপাতিতঃ ॥১০॥
অত্যন্তসুকুমারস্য রাঙ্কবাজিনশায়িনঃ। কচ্চিদদ্য শরীরং তে ভূমৌ ন পরিতপ্যতে ॥১১॥
মাতঙ্গভুজবর্ষ্মাণৌ জ্যাক্ষেপকঠিনত্বচৌ। কাঞ্চনাঙ্গদিনৌ শেষে নিক্ষিপ্য বিপুলৌ ভুজৌ ॥১২॥
ব্যায়ম্য বহুধা নূনং সুখসুপ্তঃ শ্রমাদিব। এবং বিলপতীমার্ত্তাং ন হি মামভিভাষসে ॥১৩॥

ফুগায়না শাৎলবা থম্বাল লৈরাংগুম্বা মায়থোংবু অদুগা মোইবুংগী মতৌগুম্না ঙোরবা নাল্লবা খোঙ্গিদবু থমহনা, ঈকায় ঈকি য়াওদনা মপুরোয়ববু চেৎনা কোনশিল্লি মমাঙৈদগী ময়ায় কাবা মহী থক্লগা ময়ায় কাহনা মপুরোয়ববু অম্মুম্না হেক হেক্ কোনবনি ॥৬—৭॥ অকনবা কৃষ্ণ উত্তরানা অভিমন্যুগী ঈ তৈরবা, সনানা তগুপ তবোংনা থাম্লবা লালফুরিৎ অসিবু লৌথোক্লগা মপুরোয়বগী নীঙথিজরবা কুচুবু য়ুম য়েংজরি ॥৮॥ কৃষ্ণ! য়েংহু! অমুক্ত, উত্তরানা মপুরোয়বদা য়েংনা য়েংনা, কৃষ্ণ নহাক্পু তমহনা অম্মুম্না হায়রহনা কপলকপিঃ— মিস্র থম্বাল মানবা কৃষ্ণ পুণ্ডরীকাক্ষ! ঈবুঙ্গো নহাক্কী নয়ন অনিগা চপ মান্ননা নিঙথিজরবা মিস্র অনিনস্থ মাগী ওইবা অকনবা নক্ষাক অসে লালকমথকসিদা ফুমিন্ন ভুমথুল হুনখরে ॥৯॥ পাপকী শক্তক য়াওজ্রবা কৃষ্ণ! যদুনন্দন যাদব! পাঙ্গল্দা, তেজদা শক কক্তবদা নহাক্কা কন্নিমত থেম্নদবা, নক্ষাক্ অথোবসে লৈমায়থক্তা হীপ্তুনা লৈরে ॥১০॥
অভিমন্যুবু য়েংনা য়েংনা উত্তরানা তেংথারিঃ—

লাইবক চাউবী মুজাগী, থরাইগী মপু অকনবা!
খোৎলবা মোন্দুম্ মোম্জক্ত, চেপ্পদা চৈনা কাওরবা
খোৎলবা নংগী হকচাংনা, কক্ষু শজীগী মোল্লবা
মউন্দা হেক্ হেক্ চেপ্প নহাক্লা, লৈমায়থক্ত করিগী চেপলিবা
ভসিদ চৈনা কাওজ্রবরা? ননাইদা তাক্পিরম্মুগবা? ॥১১॥

ওম্বোক্পনিদকো! বিধাতা! শামুগী মনাতোলগী মউন্না শাবা কল্লবা লালফুরিৎ লীৎলবা অকনবা নহাক্লা, লালকম্দা মতম কুইনা নমায়বশিংগা খেংনবদা, অতৎ অথম্ লৈভনা মতম কুইনা লীরি হায় খাঙবা তেজা খোংবা কাম্নদা চোক্থরবা, সনাগী খুজী তালনা লৈতেংলব নপাম্বোম্ অনীস হাইখোক্তনা লালকম লৈমায়থক্ অসিদা ভহাক চেপ্তুনা অরা পোত্থারিবরা? ॥১২॥ লালকমগী মকম পুম্বদা, কোয়ো য়োনা চেম্মুন, থেক্তবা কল্লা। মথাংশংবু তাম্ন তাম্না হাৎপদা, রামনখিম্নদা লুংঙাইনা, লালকম লৈমায়থক্সিদা ভহাক্ চেপ্পিরবরা? রামনখিব ময়মনা ফুমথুল হল্লা চেপখিবনা; ঐনা কপচোউজবসে কন্নিমভবু তাবিজ্রবোই ॥১৩॥

ন স্মরাম্যপরাদ্ধং তে কিং মাং ন প্রতিভাষসে । নন্দ মাং ত্বং পুরা দূরাদভিবীক্ষ্যাভিভাষসে ॥১৪॥
আর্য্যামার্য্যাং সুভদ্রাং চ ইমাংশ্চ ত্রিদশোপমান্ । পিতৄন্ মাং চৈব দুঃখার্তাং বিহায় ক্ব গমিষ্যসি ॥১৫॥
তস্য শোণিতদিগ্ধান্ বৈ কেশানুদ্যম্য পাণিনা । উৎসঙ্গে বক্ত্রমাধায় জীবন্তমিব পৃচ্ছতি ॥১৬॥
স্বস্রীয়ং বাসুদেবস্য পুত্রং গাণ্ডীবধন্বনঃ । কথং ত্বাং রণমধ্যস্থং জঘ্নুরেতে মহারথাঃ ॥১৭॥

ধরাইগী মপু পাম্মুবা !
কারগুন্দা ঐনা নংগী কাদা
অরানবা অমতা চচ্চত্রে ।
অংগু করম্বা ইরাংগী
খুত্থক্রগেনে ভাস হাযুবা !
মমাদৌদদি তোল্লগী ঐনা
লাপ্প হৈজগন্ত থাওবদা
ননাইবু থুংশিনা কৌবিরম্বদাই ! ॥১৪॥
ঈড়াংনা ভুজোম ওইরবা পরাইগী মপু !
ঈনেম ঈবেম্মা সুভদ্রা, লাইশুম্বা গুরুজন খিবিকপু
হাবনা থম্মোয় পুডমদবী
তোল্লবী গুজা ঐবুম্ব
কাংনা ঈপ কা থাদরমগা
মকম কেদবু চৎকগে ?
খুম্মুগবদো ' মুক্ত থুংশিনা ॥১৫॥
অমহক্কী উত্তরানা মখুৎনা অভিমন্যুগী ঈ হৈরবা মুরব, শম্ব পাম্বরগা কোকপু মতম্বাক্তা থাং-
গৎলগা মপুকোম্বরদা অদুমবু হংলকই:— ॥১৬॥
কৃষ্ণগী মচন ঈবেম্মা সুভদ্রাগী মপারা থুংশিবা !
কৃষ্ণগী মক্কাক ওইরগা, অর্জুনগী মচা ওইরগা
লান্দা করম্বা কদীশিংনা, তমাইনবু য়াইবী লৌখিবা !
থাজদে ননাইবু থুংশিদধুনা
লাইরৈবাক ভাগ্লোম লাইরেম্বী
কনাগুম্বীগী নাক্তা চৎক্রবদনি ॥১৭॥

বিগণ্য কুরুবৃদ্ধাংস্তান্ কৃপকর্ণজয়দ্রথান্ । দ্রোণদ্রৌণায়নী চোভৌ যৈরসি ব্যসনী কৃতঃ ।১৮।
সর্ব্বশস্ত্রভৃতাং সর্ব্বেষাং কথমাসীত্তদা মনঃ । বালং ত্বাং পরিবার্যৈকং মম দুঃখায় জঘ্নুষাম্ ।১৯।
কথং নু পাণ্ডবানাঞ্চ পাঞ্চালানাঞ্চ পশ্যতাম্ । ত্বং বীর ! নিধনং প্রাপ্তো নাথবান্ সন্ননাথবৎ ।২০।
দৃষ্টা ত্বাং বহুভিঃ সংখ্যে হতং বীর ! পিতা স হি । বীরঃ পুরুষশার্দুলঃ কথং জীবতি পাণ্ডবঃ ।২১।
ন রাজ্যলাভো বিপুলঃ শত্রূণাং বা পরাভবঃ । প্রীতিং ধাস্যতি পার্থানাং ত্বামৃতে পুষ্করেক্ষণ ! ।২২।
তব শস্ত্রজিতাল্লোকান্ ধর্ম্মেণ চ দমেন চ । ক্ষিপ্রমন্বাগমিষ্যামি তত্র মাং পরিপালয় ।২৩।

অকনবনি হায়রগা পাণ্ডবা,
ঈকায়বা শরুক থ,ংওকত্রবা
দ্রোণ অশ্বত্থামা শূত্রগী মচা
কর্ণ জয়দ্রথনা পুল্লপ্পা
পান্মুগী য়াইবী লৌখিবা ।
তোল্লিদকো নখোয়সে ওস্থোক্লা । ॥১৮॥
য়েংনবদা মখোয়গী অশাং নাল্লা
ওইরিবা নংবু করম্না, কোয়শিন্দুনা মখোয়না
অমংগী য়াইথোং কুমহনখিবা ।
কৎতবা ঈকায়বা নাইত্রবা;
নখোয় পুম্বনা মুপীজা ঐবু
কায়ন মৈন্দুংদ লংশিনগে, থনপ্রবোইদো নখোয়না ।
করি পূকচেল কোবগে, কল্লি হায়ত্নুনা রাহনবা ? ॥১৯॥
অকনবা ! নংবু ওাকপিনবা, অকনবল্লুক য়াম্ম লৈরগা
পাণ্ডবশিংগী মমাঙদা, পাঞ্চালশিংগী মমজা
কনা লৈজদবগুম্ নহাক্না, য়েক্লবগী মখুৎতা করম তুখিবা ?
নোংদম্থীব বিধাতা ! অস্মুম্ থোকহনগে থনপ্রবোই ॥২০॥

অকনবা ! নহাক্ নংত্তবু য়ধৌ মম্নাম্মা কোয়শিন্দুনা হাৎথ্রে হায়বসি তাবদা নপাবুং অমবা অর্জুননা হৌজিক্কাওবা করি তোঙ্না হিংত্নুনা লৈরিবনো ? ॥২১॥ থম্বাল মীত্না তাব ও ! নহাক্পুডি য়েক্লবগী মখুবাক্তা তুহনগা লৈপাক্ সিংহাসননা অমুগা য়েক্লববু ওথা হায়বত্নুনা পাণ্ডবশিংদা নুংঙাইবা হয়াউবা পীরখিগদ্রা ? করিমৃত্য নুংঙাইকম থোক্লোই ॥২২॥ থরাইগী

তুর্ম্মরং পুনরপ্রাপ্তে কালে ভবতি কেনচিৎ । যদহং, ত্বাং রণে দৃষ্টা হতং জীবামি দুর্ম্মদা ।২৪।

কামিদানীং নরব্যাঘ্র ! শ্লক্ষ্ণয়া স্মিতয়া গিরা । পিতৃলোকে সমেত্যান্যাং মামিবামন্ত্রয়িষ্যসি ।২৫।

নূনমপ্সরসাং স্বর্গে মনাংসি প্রমাথষ্যসি । পেবমণ চ রূপেণ গিরা চ স্মিতপূর্ব্বয়া ।২৬।

প্রাপ্য পুণ্যকৃতাল্লোকানপ্সরোভিঃ সমেষিবান্ । সৌভদ্র ! বিহরন কালে স্মরেথাঃ সুকৃতানি মে ।২৭।

এতাবানিহ সংবাসো বিহিতস্তে ময়া সহ । ষন্মাসান্ সপ্তমে মাসি ত্বং বীর ! নিধনং গতঃ ।২৮।

ইত্যুক্তবচনামেতামপকর্ষন্তি দুঃখিতাম । উত্তরাং মোঘসঙ্কল্পাং মৎস্যরাজকুলস্ত্রিয়ঃ ।২৯।

উত্তরামপকৃষ্যৈনামার্ত্তামার্ত্ততরাঃ স্বয়ম । বিরাটং নিহতং দৃষ্টা ক্রোশন্তি বিলপন্তি চ ।৩০।

দ্রোণাস্ত্রশরসংকৃত্তং শয়ানং রুধিরোক্ষিতম্ । বিরাটং বিন্দন্তোতে গৃধ্রগোমায়ুবায়সাঃ ।৩১।

মপু ! ধর্ম্মবু কায়দনা চৎপনা, অহুগ। হাঁন্দ্রয়বু খুহম্‌দনবগী শক্তিনা খুংলায়গী পাংথনা ক্ষত্রিয় মচা অকনবনা কংকমথোক্‌পা স্বর্গ নহাকসু কথে। ঐসু থ.না য়াংনা নহুং ইত্তরক্লগনি। অহুগা আ লাইরৈবাক্তস্থ নংনা ঐবু ওাকৃপি শেনবিয়ুকো। ॥২৩॥ মতম হায়বহুনা লাক্ত্রবথৈথ কনাসু শিগে হায়বা য়াবা পোৎ নত্তে। প্রমান হায়ববু ঐগী থরাই নংনা চৎথ্রক ওবদা থম্মোয় শুংযুক্ কল্লবী ঐনা শিদহুনা হৌজিক কাও সৈংরবসি'ন ॥২৪॥ নিপা অংখোইবা ! নংনা মীরমলেন থাদোক্‌.না পিতৃ-লাকতা লৈথ্রবদা ঐনা নত্তোন্দা ওাওজ শকচরিবসিজয়া লাইরৈপাকৃতুদা কনাগুম্বী দেব কন্যা অমমম্না নাঁওখিজবা অথোৎপা র.ৈহনা নত্তোন্দা শুংশি রায়ী শ.বা হৌরগানদো ॥২৫॥ নংনা নহাক্রী নশক নত্তোনা, যোমোম্নোকপা মীনোক্না লাইরৈবাক্রী দেব কন্যা অমাদ নাঁওখিজবী অপ্সরাশিংগী থম্মোয়দা অপাম পুংশিগী ইপোম হৌহল্লনিদকো ! ॥২৬॥ নশানা তৌজবা পুন্য কর্ম্মগী মহৈনা স্বর্গলোকতা লৈথ্রগা স্বর্গগী নাঁওখিজবী অপ্সরাশিংহগা হরাউ ভয়াম্না ময়ায় কানা শান্নহুনা লৈবা মতমদা মীরমলেনগী তোল্লবী ঐনা চংচখিবা লমচৎতে', মতম থরদং তৌজখিবা সেবাদো নাঁওশিংবিয়ুকে, থরাইগী মপু ! ॥২৭॥ নংগী তাল্লোয় ওইহুনা নংগী সেবাবু ক.জবসি মতম থজিকগীদমক্লিদো। থা তরুক কাওদং নংগী সেবা কংজরগা তয়েৎগুবা থাদা মীরমলেন থাদোক্‌.না চংথ্রেদো ॥২৮॥ অসুম হায়না উত্তরানা মশম মনা ঊকা কাহনা শিরবা মপুয়োয়বহুব থাদোকউ হায়বা য়াদনা কোনশিন্দুনা কপহুনা লৈথ্রবদা বিরাট নিংথৌগী লোয়নবী রানীশিংহুনা উত্তর বু কোনথহুনা কাজিন্দুনা চিংহুনা পুখি ॥২৯॥ অসুম চিংহুনা পুখিবহুনা বিরাট নিংথোনা শিহুনা তুহুনা লৈবহু ঊকা কুলবু [illegible] থম্মোয় পুব য়াদহুনা খোম্লোন বাংনা তেংথা [illegible] ॥৩০॥ [illegible] বিরাট [illegible] মশা পুখা ঊনা পুমপুপ [illegible] [illegible] ॥ [illegible] বৌর থোম্বা [illegible] বাকী [illegible] [illegible] ॥ [illegible]

বিলুপ্যমানং বিহগৈর্বিরাটমসিতেক্ষণাঃ । ন শক্নুবন্তি বিহগান্নিবারয়িতুমাতুরাঃ ॥৩২॥
আতপাতপক্লান্তানানায়াসেন চ যোষিতাম্ । শ্রমেণ চ বিবর্ণানাং বক্ত্রাণাং বিপ্লুতং বপুঃ ॥৩৩॥
উত্তরঞ্চাভিমন্যুঞ্চ কাম্বোজঞ্চ সুদক্ষিণম্ । শিশূনেতান্ পশ্য হতান্ লক্ষ্মণঞ্চ সুদর্শনম্ ।
আয়োধনশিরোমধ্যে শয়ানং পশ্য মাধব ! ॥৩৪॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
স্ত্রীবিলাপে গান্ধারীবাক্যে বিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

— — :০: — —

ছেৎ ছেৎতুনা চাগদবগী লাওজা লমজুইশিংনা লাক্না লাক্না থোংজনা অশিবা হকচাংজুগী অকোয়বদা লেপ্লরি ॥৩১—৩২॥ অদুক নীওথিজরবী মনীশিংদো নুমিৎকী মৈশাগা মপুয়োয়বা কায়নবগী মৈশাগনা কম্না রায়খিবনা কাহৎল্লে, অরাবা মৈথুনা মকশিনল্লে ॥৩৩॥ অদুগা কৃষ্ণ ! অমুক্তু য়েংঙ, ! বিরাট নিংথৌগী মচা উত্তরা, অভিমন্যু, কাম্বোজ নিংথৌ সুদক্ষিণ অদুগা ঐখোয়গী লক্ষ্মণ নহাওইরিবা নীওথিজরবা মখোয়শিংসিনা মপুনাশ লোয়দনা লানফম অসিদা তুমিন তুমিন তাজনা লৈরেদো ॥৩৪॥

মফম অসিনা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মনুংদা গান্ধারীবাক্যগী কুনগুবা অধ্যায় লোইরে ॥

মহাভারতম্

একবিংশোঽধ্যায়।

(গান্ধারী বিলাপ)

কুনমাথোইগুবা অধ্যায় ।

— —:০:— —

গান্ধার্য্যুবাচ ।

এষ বৈকর্ত্তনঃ শেতে মহেষ্বাসো মহাবলঃ । জ্বলিতানলবৎ সংখ্যে সংশান্তঃ পার্থতেজসা ॥১॥
পশ্য বৈকর্ত্তনং কর্ণং নিহত্যাতিরথান্ বহূন্ । শোণিতৌঘপরীতাঙ্গং ভূবি ॥২॥

গান্ধারীনা হায়ঃ— মহাধনুর্দ্ধারী, মহাবীর কর্ণ অসে অর্জ্জুনগী তেজনা মৈবদা চাকথৎলম্বা মৈনা মুত্থিবগুম্না পুনশিল্লী অরোইবা য়াইথোক্লা ভূমিদা তায় ॥১॥ কৃষ্ণ ! য়েংঙ, ! বৈকর্ত্তন

অমর্ষী দীর্ঘরোষশ্চ মহেষ্বাসো মহাবলঃ । রণে বিনিহতঃ শেতে শূরো গাণ্ডীবধন্বনা ।৩।
যং স্ম পাণ্ডবসন্ত্রস্তা মম পুত্রা মহারথাঃ । প্রাযুধ্যন্ত পুরস্কৃত্য মাতঙ্গা ইব যূথপম্ ।৪।
শার্দূলমিব সিংহেন সমরে সব্যসাচিনা । মাতঙ্গমিব মত্তেন মাতঙ্গেন নিপাতিতম্ ।৫।
সমেতাঃ পুরুষব্যাঘ্র নিহতং শূরমাহবে । প্রকীর্ণমূর্দ্ধজাঃ পত্ন্যো রুদত্যঃ পর্য্যুপাসতে ।৬।
(যুগ্মকম্)

উদ্বিগ্নঃ সততং ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ । ত্রয়োদশসমা নিদ্রাং চিন্তয়ন্নাধ্যগচ্ছত ।৭।
অনাধৃষ্যঃ পরৈর্যুদ্ধে শত্রুভির্মঘবানিব । যুগান্তাগ্নিরিবার্চ্চিষ্মান্ হিমবানিব চ স্থিরঃ ।৮।
স ভূত্বা শরণং বীরো ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য মাধব । ভূমৌ বিনিহতঃ শেতে বাতরুগ্ণ ইব দ্রুমঃ ।৯।
[বিশেষকম্]

পশ্য কর্ণস্য পত্নীং ত্বং বৃষসেনস্য মাতরম্ । লালপ্যমানাং করুণং রুদতীং পতিতাং ভুবি ।১০।
আচার্য্যশাপোঽনুগতো ধ্রুবং ত্বাং যদগ্রসচ্চক্রমিয়ং ধরা তে ।
ততঃ শরেণাপহৃতং শিরস্তে ধনঞ্জয়েনাহবশত্রুমধ্যে ।১১।

কর্ণ অসে লান্দা কল্লবা অতিরথী মহারথী কয়া কয়াবু হাৎলম্লগা মশামক্ ঈহং নাইহং শানা লৈমায় থক্তা তুম্লনা লৈরে ! ॥২॥ মীনা লাকচবা খাঙতনদবা ; শাউবতনা মাগী স্বভাব ওইবা, কল্লবা মহারথী ওইরবা কর্ণ অসে অর্জ্জুনগী মথুবাক্ত মথাই পাশমত্তনা চৎখ্রেদো ॥৩॥ বনগী শামু মপৈনা শম্লপ পুবা লুচিংবা শামুনা মাঙ থারগা অতৈ য়েকুবা শামু মপৈ অমগা য়াথিম্লনা য়েংনবক্তুগুম্না কৌরব লাম্মীশিংনা পাণ্ডবশিংবু কিন্দগী মানা মাঙ থাদুনা লাঞ্জংখিবা কর্ণ হায়বদো অসিদা তুম্লনা লৈরেদো ॥৪॥ নিপা অথোইবা কৃষ্ণ ! নোংশানা কৈজাওবু হাইহৎখিবগুম্ ময়ায় কারবা শামুনা মমা মুবা শামু অমবু তুহনখিবগুম অর্জ্জুননা কর্ণবু তুহনখ্রে মাগী লোয়নবী শিংনা মশম্ মনা ঈকা ফানা কপ্প কপ্প চেলশিল্লক্লুনা শিরবা মপুরোয়বা অসিগী সেবা তৌরি ॥৫-৬॥

মাবু খল্লুবদা যুধিষ্ঠীরবা, শোবিং শৌবিংন তুমিৎ থুদিং
চহী তরাহুমদোই চুপ্পা তুম্বা চঙদনা বনদা লৈখিবা
মাগী থুবাক্তগী মশাবু, কম্লনবা উপায়ত খনখিবা
ইন্দ্রগুম অমনা ওক্ষত্রবা, প্রলয়গী মৈগুম চাকৃথেকৃওম্বা
হিমালয় চীংজাওগী মত্তোগুম, খোঙকম নামত লেঙদবা
দুর্য্যোধনগী ঙাকৃলো ওইরম্বা. কর্ণ হায়বদো ওসিদি
কল্লবা মুংশিংনা য়ৈবদা, উজাওনা লৈমায়দা তুবগুম
লৈমায়থক্তা তুমিম্না হীপশ্রে অয়োইবা য়াহীপ্তা ॥৭-৯॥

য়েংঙু, ওমুক্ত বৃষ্ণ ! কর্ণগী লোয়নবী, বৃষসেনগী মমা অসিনা অতৎ অথম লৈতনা তেংথা নাওইনা কপ্প কপ্পা লৈমায় থক্তা তুরেদো ॥১০॥ কর্ণ ! অকনবা ! নংগী গুরু পরশুরামগী শাপনা

হাহা ধিগেষা পতিতা বিসংজ্ঞা সমীক্ষ্য জাম্বুনদবদ্ধকক্ষম্ ।
কর্ণং মহাবাহুমদীনসত্ত্বং সুষেণমাতা রুদতী ভৃশার্ত্তা ॥২॥
অল্পাবশেষোঽপি কৃতো মহাত্মা শরীরভক্ষৈঃ পরিভক্ষয়দ্ভিঃ ।
দ্রষ্টুং ন নঃ প্রীতিকরঃ শশীব কৃষ্ণস্য পক্ষস্য চতুর্দশাহে ॥৩॥
সা বর্ত্তমানা পতিতা পৃথিব্যামুত্থায় দীনা পুনরেব চৈষা ।
কর্ণস্য বক্ত্রং পরিজিঘ্রমাণা রোরূয়তে পুত্রবধাভিতপ্তা ॥৪॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
স্ত্রীবিলাপে গান্ধারবিলাপে একবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

— —:(০):— —

লালকমদা নংগী তুংইন্নবা লাক্লগ্গ তাই; শোয়দে । মরমদি কুনবা মতমদা নংগী রথগী চাকাবু রণভূমিদা উমজুনা থমদি । মাঙ্গ থুদা চেক্রবা খ্বাইগী মাঙমকদা অর্জ্জুননা মাগী থৌরবা তেম্বা নংগী কোকপু চকচাংদগী তোঙ্গান্না তাহংখি ॥১॥ আঃ! ওস্তোকপনি। সুষেনগী মমা কর্ণগী লোয়নবী অসিনা, সনাগী লাল ফুরৎনা লৈতেংলবা; অঙীন কনবা; মপুম্বোয়রবা কর্ণনা তুজুনা লৈবসি উবদা থম্মোয় শোক্লা রামনখিদুনা ওতাক কপ্পম্লগা জ্ঞান য়াওদনা লৈমায় থক্তা তুজুনা রাম্বত্রে ॥২॥ শাহিং চাবা শাঙচেক্লা অসুম চাকথংখিবা চাখবদুনা কর্ণগী মশা অাস খজিক্ত মতাম্মদে লেমহৌরিবা । অদুনা কৃষ্ণপক্ষগী চতুর্দ্দশী তিথিগী থাগী মতোঙ্গুম্মা কর্ণগী লেমহৌরিবা চকচাং অসিনা ঐখোয়দা নুংঙাইবা পীবা ঙমদ্রে ॥৩॥ আঃ—ওস্তোকপনি। কর্ণগী লোয়নবী সতীসিনা মচাশিং কায়নবগী দৈনা চাকখিদুনা অমুক মুক লৈমায়থক্ত তুরগা অমুক মুক হোগত্তুনা তোঙ্গান্ন তারবা মপুরোয়বগী কোক অসিবু পায়থংতুনা চেংনা কোম্লগা অমুকশু মনম্ নম্থুনা হৌরা হৌরা কপ্লি ॥৪॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মনুংদা গান্ধারী বিলাপকী কুনম খোই শুবা অধ্যায় লোইরে ।

—(*)—

শ্রীমহাভারতম্

(গান্ধারীনা ৱাঙবা)

দ্বাবিংশোঽধ্যায়ঃ

কুননিথোইশুবা অধ্যায়।

——(:০:)——

গান্ধার্য্যুবাচ

আবন্ত্যং ভীমসেনেন ভক্ষয়ন্তি নিপাতিতম্। গৃধ্রগোমায়বঃ শূরং বহুবন্ধুমবন্ধুবৎ ।১।

তং পশ্য কদনং কৃত্বা শূরাণাং মধুসূদন! । শয়ানং বীরশয়নে রুধিরেণ সমুক্ষিতম্ ।২।

তং শৃগালাশ্চ কঙ্কাশ্চ ক্রব্যাদাশ্চ পৃথগ্বিধাঃ। তেন তেন বিকর্ষন্তি পশ্য কালস্য পর্য্যয়ম্ ।৩।

শয়ানং বীরশয়নে বীরমাক্রন্দকারিণম্। আবন্ত্যং সহিতা নার্য্যো রুদত্যঃ পর্য্যুপাসতে ।৪।

প্রাতিপেয়ং মহেষ্বাসং হতং ভল্লেন বাহ্লিকম্। প্রসুপ্তমিব শার্দ্দূলং পশ্য কৃষ্ণ। মনস্বিনম্ ।৫।

অতীব মুখবর্ণোঽস্য নিহতস্যাপি শোভতে। সোমস্যেবাভিপূর্ণস্য পৌর্ণমাস্যাং সমুদ্যতঃ ।৬।

পুত্রশোকাভিতপ্তেন প্রতিজ্ঞাং পরিরক্ষতা। পাকশাসনিনা সংখ্যে বার্দ্ধক্ষত্রির্নিপাতিতঃ ।৭।

গন্ধারীনা হায়ঃ— মরূপ মপাং খোঙলোয় কনদি য়াম্না নৈদি হায়ববু অবন্তিগী নিংথৌ অকনবা বিন্দবু ভীমসেননা হাৎখ্রে। লাওন্থা লমহুইশিন মাবু ছিং সেন্না চারি ॥১॥ মধুসূদন! য়েংঙু, অকনবা অবন্তি নিংথৌ অসিনা য়েরুব লাম্মী কয়া করাম্ন হাৎলম্নগা মথেংদা মশামক্ ইহিং নাইহং শানা অকনব অমগী পোল্লোই য়াহিপ্পা ভূমিদা লৈরি ॥২॥ লমহুইশিংনা উরোক লাওজাশিংনা অহুগা শাহিং ঙাহংপাম্বা শা উচেক কয়ানা মাবু চিং চিং পুরি কৃষ্ণ। য়েংঙু! মতম হায়বহুগী অঙকপা খোঙচৎ ॥৩॥ অকনবা নিংথৌ অবন্তিরাজ অসিনা য়েরুব লাম্মীশিংগী মরক্তা অকিবা কংনা কম্না খেংনরক্লগা অকনবা ক্ষত্রিয় অমনা তৌগদবমক্ ওইনা অশনবগী শয্যাথক্তা পুনশিংগী অরোইবা য়াহিপ তাল্লি মাগী লোয়নবীশনা কপন কপনা অবোয়বদা কমংনা সেবা তৌরি ॥৪॥ কৃষ্ণ। য়েংঙু, পুকচেল চাউরবা মহা ধনুদ্ধারা প্রতিপনন্দন বহ্লিক অসি তানা শাথিনা শাথিনা থিনথিদুনা শিকারিগী মথাই থাওথিবা কৈশাও অমগী মতৌগুম্না লৈমায়থক্তা ভূমিদা তাম্লনা লৈরি ॥৫॥ শিরবস্থ মাগী মায়খোং অসে মপুংফারবা থাগী মায়খোংগুম্ন ইরং লংনা লৈমায়থক্সিদা তাদুনা লৈরি ॥৬॥ মচা হাৎখিবগী শুংঙাইতবনা

একাদশচমূভির্ত্তা রক্ষ্যমাণং মহাত্মভিঃ। সত্যং চিকীর্ষতা পশ্য হতমেনং জয়দ্রথম্‌ ॥৮॥
সিন্ধুসৌবীরভর্ত্তারং দর্পপূর্ণং মনস্বিনম্‌। ভক্ষয়ন্তি শিবা গৃধ্রা জনার্দ্দন। জয়দ্রথম্‌ ॥৯॥
সংরক্ষ্যমাণং ভার্য্যাভিরনুরক্তাভিরচ্যুত! তাবয়ন্তো বিকর্ষন্ত গহনং নিম্নমন্তিকাং ॥১০॥
তমেতাঃ পর্য্যুপাসন্তে রক্ষ্যমাণং মহাভুজম্‌। সিন্ধুসৌবীরভর্ত্তারং কাম্বোজযবনস্ত্রিয়ঃ ॥১১॥
যদা কৃষ্ণামুপাদায় প্রাদ্রবৎ কেকয়ৈঃ সহ। তদৈব বধ্যঃ পাণ্ডূনাং জনার্দ্দন। জয়দ্রথঃ ॥১২॥
দুঃশলাং মানয়দ্ভিস্তু তদা মুক্তো জয়দ্রথঃ। কথমদ্য ন তাং কৃষ্ণ। মানয়ন্তি স্ম তে পুনঃ ॥১৩॥
সৈষা মম সুতা বালা বিলপন্তী সুদুঃখিতা। প্রমাপয়তি চাত্মানমাক্রোশতি চ পাণ্ডবান্‌ ॥১৪॥
কিং নু দুঃখতরং কৃষ্ণ! পরং মম ভবিষ্যতি। যৎ সুতা বিধবা বালা স্নুষাশ্চ নিহতেশ্বরাঃ ॥১৫॥
হা হা ধিগ্‌ দুঃশলাং পশ্য বীতশোকভয়ামিব। শিরো ভর্ত্তুরনাসাদ্য ধাবমানামিতস্ততঃ ॥১৬॥
বারয়ামাস যঃ সর্ব্বান্‌ পাণ্ডবান্‌ পুত্রগৃদ্ধিনঃ। হত্বা স বিপুলাঃ সেনাঃ স্বয়ং মৃত্যুবশং গতঃ ॥১৭॥

অর্জ্জুননা মশাগী রাশক থ,নমবগীদমক জয়দ্রথ লালকমদ, তাহনখি ॥৭॥ কৃষ্ণ। মেংড,। দ্রোননচিংব অকনবা মহারথী কয়ানা ড.কশেনখিদি হায়বম্ অর্জ্জুননা মশাগী রাশক ভাক্রবগীদমক্ত কৌরব পক্ষগী ল.স্মী অক্ষৌহিণী তরামাপোইগী তেঙ্গোলবু নৈথায়রমহুনা জয়দ্রথগী মথ,য় লোখি ॥৮॥ জনার্দ্দন মেংড,। লাওজা লমহুইশিংনা সিন্দু অমদি সৌবীর দেশগী নিংথৌ, নাপল চাউরবা শিংলবা জয়দ্রথবু ছেৎ ছেৎতুনা চারি ॥৯॥ কৃষ্ণ। জয়দ্রথগী লোয়নবীশিংনা ফনায়ায় কয়া হকচাং অসিবু ভাকশেমনবদি হোৎনৈ হায়ববু মথেয়গী মমাঙমক্তগী নমহুনা লওজা লমহুইশংনা জয়দ্রথগী অশিবা মশাশিবু অমনা চঙবা ভমজ্রবা অকুৎপা মকম অমদা চিংথহুনা পুত্রে ॥১০॥ জয়দ্রথগী লোয়নবীশিংনা মহাক্তা হকচাংবু ভাকশেন্দুনা থমথিবা মতমদা কাম্বোজ অমদি যবনদেশগী য়ানীশিংনা হকচাং অসিগী সেবা কয়া তৌখিবনি ॥১১-১২॥ জনার্দ্দিন অহুড়ৈ জয়দ্রথনা বনদা দ্রোপদীবু চিংহুনা পুখিব মতমহুমক্তদা মহাক অসি পাণ্ডবশিংনা হাৎপা অহুম ময়ায়রবনি। অদুবু পুকচেল চাউরবা পাণ্ডবশিংনা দুঃশলাগী ওইহোনদবা দশাবু খল্ল,বদা মাবু থাদোক্‌পাখিবান অহুনা হৌজকপুদি মাবু হাৎলগা পাণ্ডবশিংনা দ্রোপদীগী সেন্দ্র-লবা মাগী সনমান হেৎরবা করিগী তৌরোই ॥১৩॥ ঐগী ঈচানুপা দুঃশলা হায়বী অসিনা বোইদোক্ত য়াখহুনা কপ্পা কপ্প মখুৎনা মশা মথন্তগী মথক্‌পু ফুক্সহুনা আত্মহত্যা তৌরগে খন্দুনা পাণ্ডবশিংবু চোর ॥১৪॥ কৃষ্ণ। ঐগী নুপীমচা পিশক ওইরবী খুঃশশানা অহুগা ঈনেনুপীশিংনা মপুঃ মতম চাদনা লুপ্রা ওইবাস উবদা অসিদগী হেন্না য়াব অম ঐগী ভোয়োন্দ, কার লৈরগান ? ॥১৫॥ আঃ। ওয়োক্‌পানিকো কৃষ্ণ। ঈচানুপি দুঃশলা অসিনা মপুরোয়বা জয়দ্রথগী মকোক অহুথিবা খঙদহুনা লালকম্ ঈরক অসিদা হৎহন্দা চেল্লি ॥১৬॥ পাণ্ডবশিংগী লানমি কয়া কয়াবু হাৎতুনা অহুগা

তং মন্থমিব মাতঙ্গং হরিঃ পরমতুর্জ্জয়ম্‌ । পরিবার্য্য কুরশ্রেষ্ঠাঃ ত্রিগর্ত্তাঃ পর্য্যবারয়ন্‌ ॥১৮॥

(কুলক)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি

স্ত্রীবিলাপে গান্ধারীবাক্যে দ্বাবিংশোহধ্যায়ঃ ॥০॥

অভিমন্যুবু কনগদবগী চোংনরকপা পাণ্ডব অমশা লাক্লুনা থংথিবা জয়দ্রথ হায়বসে মমৈথংদা অশিবগী থয়দা তাথি। লোয়নবী রনলীশংনা মনাস করবা শামুশুরা জয়দ্রথগী চকচাং অসিগী অকোয়বদা কমদুনা থম্মোয় শোকা কপ্পরি ॥১৭—১৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলাশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মখুংদা গান্ধারীবাক্যগী কুমথোই শুবা অধ্যায় লোইরে।

— —

মহাভারতম্‌

(গান্ধারীনা ভাঙবা মখং)

ত্রয়োবিংশোহধ্যায়ঃ

কুনহুমদোইশুবা অধ্যায়।

গান্ধার্য্যুবাচ

এষ শল্যো হতঃ শেতে সাক্ষান্নকুলমাতুলঃ । ধর্ম্মজ্ঞেন হতস্তাত ! ধর্ম্মরাজেন সংযুগে ॥১॥

যস্ত্বয়া স্পর্দ্ধতে নিত্যং সর্ব্বত্র পুরুষর্ষভ ! । স এষ নিহতঃ শেতে মদ্ররাজো মহাবলঃ ॥২॥

যেন সংগৃহ্নতা তাত ! রথমাধিরথের্যুধি ! জয়ার্থং পাণ্ডুপুত্রাণাং তদা তেজোবধঃ কৃতঃ ॥৩॥

হা হা ধিক্‌ পশ্য শল্যস্য পূর্ণচন্দ্রসুদর্শনম্‌ । মুখং পদ্মপলাশাক্ষং কাকৈরাদষ্টমব্রণম্‌ ॥৪॥

গান্ধারীনা হায়ই — ইবুঙো ! কৃষ্ণ ! নকুলগী মমাগা চক পোকমিরবা মাগী মামা শল্য অসি ধর্ম্ম খঙলবা যুধিষ্ঠিরগী মথুত্তা থরাক্তা হাত্লুনা লৈমায়থক্তা তাত্লুনা লৈরেদো ॥১॥ নিপা অথোইবা ! কৃষ্ণ ! নহাকনকা মতম লৈবাথিবিক্ত শীংনরম্ব কল্লবা মদ্ররাজনিংথৌ শল্যসে থরাক্ত হাওদনা ভুমিদা হৌপত্তুনা লৈরেদো ॥২॥ ইবুঙো ! যাদব ! কৃষ্ণ ! অকনবা নিপা অর্জুনা কর্ণগী সারথি ওইনা পাণ্ডবশিংবু জয় ওইহনবিংবনা কর্ণগী মতিক্‌ মথাই চমহনখদো ॥৩॥ হৈস ! ওন্থোকপা

এষা চামীকরাভস্য তপ্তকাঞ্চনসপ্রভা । আস্যাদ্বিনিঃসৃতা জিহ্বা ভক্ষ্যতে কৃষ্ণ পক্ষিভিঃ ।৫।
যুধিষ্ঠিরেণ নিহতং শল্যং সমিতিশোভনম্ । রুদন্ত্যঃ পর্য্যুপাসন্তে মদ্ররাজং কুলাঙ্গনাঃ ।৬।
এতাঃ সুসূক্ষ্মবসনা মদ্ররাজং নরর্ষভম্ । ক্রোশন্ত্যোঽথ সমাসাদ্য ক্ষত্রিয়াঃ ক্ষত্রিয়র্ষভম্ ।৭।
শল্যং নিপতিতং নার্য্যঃ পরিবার্য্যাভিতঃ স্থিতাঃ । বাশিতা গৃষ্টয়ঃ পঙ্কে পরিমগ্নমিব দ্বিপম্ ।৮।
(যুগ্মকম্)
শল্যং শরণদং শূরং পশ্যেমং বৃষ্ণিনন্দন । শয়ানং বীরশয়নে শরৈর্বিনিকৃতং রণে ।৯।
এষ শৈলালয়ো রাজা ভগদত্তঃ প্রতাপবান্ । গজাঙ্কুশধরঃ শ্রেষ্ঠঃ শেতে ভুবি নিপাতিতঃ ।১০।
যস্য রুক্মময়ী মালা শিরস্যেষা বিরাজতে । শ্বাপদৈর্ভক্ষ্যমাণস্য শোভয়ন্তীব মূর্দ্ধজান্ ।১১।
এতেন কিল পার্থস্য যুদ্ধমাসীৎ সুদারুণম্ । লোমহর্ষণমত্যর্থং শক্রস্যেবাহিনা যথা ।১২।
যোধয়িত্বা মহাবাহুরেষ পার্থং ধনঞ্জয়ম্ । সংশয়ং গময়িত্বা চ কুন্তীপুত্রেণ পাতিতঃ ।১৩।

চামীকরাভস্য কৃষ্ণ! [illegible] জিহ্বা [illegible] ভক্ষ্যতে। অদ্য [illegible] ॥৪॥ কৃষ্ণ! [illegible] ॥৫॥ [illegible] যুধিষ্ঠিরেণ [illegible] ॥৬॥ [illegible] ॥৭–৮॥ কৃষ্ণ! [illegible] ॥৯॥ [illegible] ভগদত্ত [illegible] অর্জ্জুনেন [illegible] ॥১০–১২॥ [illegible] অর্জ্জুনস্য [illegible] ॥১৩॥

যস্য নাস্তি সমো লোকে শৌর্য্যে বীর্য্যে চ কশ্চন। য এষ নিহতঃ শেতে ভীষ্মো ভীষ্মকদাহবে ॥১৪॥
পশ্য শান্তনবং কৃষ্ণ ! শয়ানং সূর্য্যবর্চ্চসম্। যুগান্ত ইব কালেন পতিতং সূর্য্যমম্বরাৎ ॥১৫॥
এষ তপ্ত্বা রণে শত্রূন্ শস্ত্রতাপেন বীর্য্যবান্। নরসূর্য্যোঽস্তমভ্যেতি সূর্য্যোঽস্তমিব কেশব ! ॥১৬॥
শরতল্পগতং ভীষ্মমূর্দ্ধরেতসমচ্যুতম্। শয়ানং বীরশয়নে পশ্য শূরনিষেবিতে ॥১৭॥
কর্ণিনালীকনারাচৈরাস্তীর্য্য শয়নোত্তমম্। আবিশ্য শেতে ভগবান্ স্কন্দঃ শরবনং যথা ॥১৮॥
অতুলপূর্ণং গাঙ্গেয়স্ত্রিভির্বাণৈঃ সমন্বিতম্। ঐ পধায়োপধানাগ্র্যং দত্তং গাণ্ডীবধন্বনা ॥১৯॥

(যুগ্মকম্)

জগত্তা পাজল খোনাদা, লিক্সংগী লাম্বা লৌশিংদা
মীয়মলেনগী মীনা তোঙমদবা, অকিবা থবক তৌরকপদা
মাগী মপা লৈতবা, মিংচৎনা মরোল অহুম শীম্ব্ংবা
ভীষ্ম কৌবা অকনবা, লাম্বা তুঞ্জেদো জনার্দ্দন। ॥১৪॥
প্রলয়গী মতমদা নোংমদোম্বকগী, তারকপা মুমিৎকী মত্তোঙমা
মশেক মঙাল কল্লবা, শান্তনুনন্দন ভীষ্মসে
কুরুক্ষেত্র লানকমগী লৈতেংঙম, তুমিন্না চেপত্তুনা লৈরিদো
তৌগদবা মখৌ লোইহুনা, নিপাত নিপা অখোইবসে ॥১৫॥
তাইবং মীশক লৌরবা, মর্ত্যলোকক্তী ঙাল্লবা মুমিৎঅসে
মাগী শারবা মশেকনা লাম্নী কয়া কয়াবু চাকথেকলমলগা
নোংমদোম্বক্তি নুমিৎনা জগৎপু চাকহল্লমলে হায়রগা
নোংচুপ লোইবী মরুমদা, তাখিবঙম তাঞ্জেদো জনার্দ্দন। ॥১৬॥
ইন্দ্রিয় খুহুম চল্লবা, ব্রহ্মচারী অখোইবা
রাশক চেৎপা অকনবা, বীর্য্যনা থক্ত কাপ্রবা
লৈখিগে শিরগে ঙম্রবা' অকনবশিংগী তমজকম
ভীষ্মকৌবা নিপাসে, তেলগী শয্যাথক্তা চেপলি। ॥১৭॥
নোংমদোম্বক্তী লাইয়ামগী, লাম্মি লুচিংবা কার্ত্তিকনা
শরবণ * দা হেক্ হেক্ চেপ্পঙম' ভীষ্ম কৌবা অকনবা মাম্নু

---

* টীকাঃ—"শর" হায়বসি তেলবুম্নু খঙনগনি, বনদা হৌবা শীংনাংবুম্নু খঙনৈ। অহুঙবা শীংনাং নজগা তেলগী বনবু শরবণ হায়রগা খঙনৈ। লাম্বা খৌবা অকনবা তাইবংদি নজ্রগা নোংমদোনবী লাই কাওবা পুংঙাইরবা মোল্লবা মোন্দুব মোস্তেক্ খাদোকনা মতম অরাম্বা শরবণতদা য়াকিপ য়াতাহুনা লৈ। কার্ত্তিকতি লাইরৈবাকি সেনাপতিনিনা শরবণবু স্বর্গগী শিংনাংগী বন হায়না হনবা অর্থদা ক্লিষ্ট (রানা কংব অর্থ) ওইবনা তেলনা ঈকোয় কোয়রবা মকম" অম্নুম্না অর্থ হযনা অচুম্ব ওইগনি। ভীষ্মনা তোম্নিবম্নু অহুনি। অহুনা ভীষ্মগা থাদি কার্ত্তিকক্তা চাংদমনরি।

পালয়ান: পিতু: শাস্ত্রমূর্দ্ধরেতা মহাযশা: । এষ শান্তনব: শেতে মাধবাপ্রতিমো ভুবি ।২০।
ধর্ম্মাত্মা তাত ! সর্ব্বজ্ঞ: পারাশর্য্য স্তুনির্ণয়ে। অমর্ত্ত্য ইব মর্ত্ত্য: সন্নেব প্রাণানধারয়ৎ ।।২১।।
নাস্তি যুদ্ধে কৃতী কশ্চিন্ন বিদ্বান্ন পরক্রমী । যত্র শান্তনবো ভীষ্ম: শেতেঽদ্য নিহত: শরৈ: ।।২২।।
স্বয়মেতেন শূরেণ পৃচ্ছ্যমানেন পাণ্ডবৈ: । ধর্ম্মজ্ঞেনাহবে মৃত্যুরাখ্যাত: সত্যবাদিনা ।।২৩।
প্রনষ্ট: কুরুবংশশ্চ পুনর্যেন সমুদ্ধৃত: । স গত: কুরুভি: সার্দ্ধং মহাবুদ্ধি: পরাভবম্ ।২৪।
ধর্ম্মেষু কুরব: কং নু পরিপ্রক্ষ্যন্তি মাধব ! । গতে দেবব্রতে স্বর্গং দেবকল্পে নরর্ষভে ।২৫।
অর্জ্জুনস্য বিনেতারমাচার্য্যং সাত্যকেস্তথা । তং পশ্য পতিতং দ্রোণং কুরূণাং গুরুমুত্তমম্ ।২৬।
অস্ত্রং চতুর্ব্বিধং বেদ যথৈব ত্রিদশেশ্বর: । ভার্গবো বা মহাবীর্য্যস্তথা দ্রোণোঽপি মাধব ! ।২৭।

মচীনতুম্বা, ময়াপাকপা, মরিলহোবা খুলায়ত্তগী শয্যাদা
চেপলি মোনস্থ তেরাগীনত্তে, তেল অহুম্না অর্জ্জুণনা শেপ্পা মোয়ি ॥১৮ ১৯॥

মাধব । কৃষ্ণ । তাইবংপান্দা লান্দা মপা লৈতবা, অকনবা ব্রহ্মচারী ওইবনা বীর্য্যনা থক্ত কাপ্রবা, মিংচৎনা জগৎ শীঙ্খংবা, ভীষ্মনা মপা শান্তনুগী য়াথং ঙাকপা ওইনা শিনিংবা মতম পুংকম ঙাইহনা তেলগী শয্যাথক্তা হিপলিদো ॥২০॥ ঈবুঙো । কৃষ্ণ । বেদব্যাসমক্তম্ভ ভীষ্ম হায়বসি কনম্ভ কনবা, বিবর পুম্বদা মহাজ্ঞানি ওইবা য়াশক চেৎপা, মশাগী ওইজবা থাদোকপদা মাঙবা লৈতবা মিশক অমনি হায় ধর্ম্ম থওবনি মহাজ্ঞানিনি হায়না জগত্ত কাওরিবনি । ভীষ্ম হায়বা নিপাসিনা মর্ত্ত্যলোককি তাইবং মিওইনা পোক্রবস্থ নোংমদোম্বাক লাইঙয়া হোজিক্ কাওবা থরাই থাদন লৈখি ॥২১॥

লান্দা ভীষ্মগুম্ কনব হৈবা হৈশিংবা, কনা অমত্ত লৈত্তে জগৎতা
মশাদা য়ুংলব তেলশিংসিগী মথক্ত শয্যাগুম্ চেপলিদো ॥২৩॥
কুরু শাগেনা মৃৎকদোরবদা, বেদব্যাসগী পাম্বেনা
কুরুবংশ মৃৎহনখিদে মৃৎহল্দনা ঙাকৃখিব বংশচুগা
লোয়ননা অমুক তুরিদো মহাজ্ঞানি ভীষ্ম কৌবসে
মহাক্রমরু ঙাক্রিবা অকনবশিংগা লোয়ননা মায়খিবা কংলিদো ॥২৪॥
হায়য়ুনে কৃষ্ণ । হৌজিক্তি, ভীষ্মনা মোংগাপ্রবসিদা
ধর্ম্মনিতি রাজনিতি, কৌরবশিংনা কনাদা তমহৌনি ? ॥২৫॥

য়েংঙুনে অমুক্ত কৃষ্ণ । অর্জ্জুনমকি খুৎলায়গী গুরু সাত্যকিগীসু গুরু কৌরব পাণ্ডব পুম্নমকি খুৎলায়গী ওঝা দ্রোণাচার্য্যনা লালত্তা তুহনা লৈরিবসে ॥২৬॥ মাধব । ইন্দ্রনা অতুপা পরশুরামনা

যস্য প্রসাদাদ্বীভৎসুঃ পাণ্ডবঃ [illegible] । [illegible] নৈনমস্ত্রাণ্যপালয়ন্ ।২৮।
যং পুরোধায় কুরব [illegible] । [illegible] দ্রোণঃ শস্ত্রৈঃ পরিক্ষতঃ ।২৯।
যস্য নির্দহতঃ [illegible] । [illegible] শাম্যচ্চিরেণ পাবকঃ ।৩০।
ধনুর্মুষ্টিরশীর্ণশ্চ [illegible] । [illegible] দৃশ্যতে জীবতো যথা ।৩১
বেদা যস্মাচ্চ [illegible] সর্বাস্ত্রাণি [illegible] । [illegible] প্রজাপতেঃ ।৩২।
বন্দ[illegible] [illegible] ।৩৩
:(যুগ্মকম্)
দ্রোণং দ্রুপদপুত্রেণ নিহতং মধুসূদন । [illegible] ।৩৪।

[illegible] খুৎলায় মখল মাংগী [illegible] খুৎলায় মখল মা'র শুনা নৈথিবনি ।২৭। * [illegible] অর্জুননা, [illegible] ।২৮। [illegible] কৌরবশিংদ, [illegible] খুৎলায়গী মাচন্দা মশা [illegible] খুৎলায়গী [illegible] ।২৯।

মহাত্মা [illegible] ।৩০।

মাধব! দ্রোণ [illegible] ।৩১। কৃষ্ণ! [illegible] ব্রহ্মাগী [illegible] দ্রোণগী মশাদগী [illegible] খুৎলায় মখল মখলগী [illegible] । [illegible] দ্রোণাচার্যগী [illegible] ।৩২—৩৩। মধুসূদন! দ্রোণগী [illegible] ।

* টীকাঃ— খুৎলায় হায়বাস [illegible] মখল মা'র শুং:— [illegible], [illegible], চাকথেক্তনা উ [illegible] । [illegible] খুৎলায় মথোক অমসাম

তাং পশ্য পতিতামার্ত্তাং মুক্তকেশীমধোমুখীম্। হতং পতিমুপাসন্তীং দ্রোণং শস্ত্রভৃতাং বরম্ ॥৩৫॥
বাণৈর্ভিন্নতনুত্রাণং ধৃষ্টদ্যুম্নেন কেশব। উপাসতে দ্রোণং মৃধে জটিলা ব্রহ্মচারিণঃ ॥৩৬॥
প্রেতকৃত্যে চ যততে কৃপী কৃপণমাতুরা। হতস্য সমরে ভর্তুঃ সুকুমারী যশস্বিনী ॥৩৭॥
অগ্নিমাহৃত্য বিধিবচ্চিতাং প্রজ্বাল্য সর্ব্বতঃ। দ্রোণমাধায় গায়ন্তি ত্রীণি সামানি সামগাঃ ॥৩৮॥
কুর্ব্বন্তি চ চিতামেতে জটিলা ব্রহ্মচারিণঃ। ধনুর্ভিঃ শক্তিভিশ্চৈব রথনীড়ৈশ্চ মাধব ॥৩৯॥
শরৈশ্চ বিবিধৈরন্যৈর্ধক্ষ্যন্তে ভূরিতেজসম্। ত এতে দ্রোণমাদায় গায়ন্তি চ রুদন্তি চ ॥৪০॥
সামভিস্ত্রিভিরন্তঃস্থৈরনুশংসন্তি চাপরে। অগ্নাবগ্নিমিবাধায় দ্রোণং হুত্বা হুতাশনে ॥৪১॥
গচ্ছন্ত্যভিমুখা গঙ্গাং দ্রোণশিষ্যা দ্বিজাতয়ঃ। অপসব্যাং চিতিং কৃত্বা পুরস্কৃত্য কৃপীং তদা ॥৪২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
স্ত্রীবিলাপে গান্ধারীবাক্যে ত্রয়োবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

——:০:——

দ্রোণগী নাক্ত কয়থনা কপ্পুনা লৈরি ॥৩৪॥ কৃষ্ণ! যেংগু! মশম মনা ঈকা কারবী মমায়লৈদা লুক্কবী, লৈমায়থক্তা ওল্লিবী কৃপীনা খুৎলায় পায়রবী মপুংদা খাইদগী অথোইবা দ্রোণগী সেবা তৌদুনা লৈরি ॥৩৫॥ কেশব! ধৃষ্টদ্যুম্ননা মাগী তেনা দ্রোণগী লালফুরিৎপু থিনগাইখিবনি। অদুগা মতম অদুদা দ্রোণ অসি লৈমায়থক্তা তুথখি। মতম অদুদা মকোক্তা জটাপুবা ব্রহ্মচারী শিষ্যশিংনা লালকম অদুদা চেলশিল্লক্লুনা সেবা তৌখি ॥৩৬॥ মশামউ থোৎলবী, মিংচৎ চাউরবী কৃপী অসিনা থম্মোয় শোক্না লুংঙাইতনা মপুরোয়বগী প্রেতকর্ম্মনাচংবা তৌগদবা থৌরাং তৌরি ॥৩৭॥ সামবেদ চৎপা ব্রাহ্মণশিংনা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা মৈ থাগৎপা মীতরেম্বা চিতাগী মথক্তা দ্রোণবু থাংগৎপা। মৈকোয়বা অদুগা সামবেদগী অহানবা মন্ত্র অহুমবু পাঠ তৌবা অসিনচিংবসি মথং মনাও নাইনা পাঙখোকলি ॥৩৮॥ মাধব! জটাধারী ব্রহ্মচারী শিষ্যশিং অসিনা লীরুং, থাও, তা, রথগী চাকলেন মচা পুম্নমক অসিনা শীও ওইহনা সংস্কারগী চিতা শেম্মি ॥৩৯॥ ব্রহ্মচারী ব্রাহ্মণ অতৈশিং মথং মথং লাক্তুনা মাগী মাগী দণ্ডকমণ্ডলু য়েম্পাক্লচিংবা পুম্নমক অদু চিতাদ য়াওশিন্দুনা দ্রোণকা দান তৌনি হায়গনা মৈথুংদা থাজিনশিল্লকপি। অদুগা দ্রোণগী মশা, মখোঙনচিংবা শোক্লুনা মরাম্বক কত্তুনা কপ্প। কপ্প সামগানগী মন্ত্র পাঠ তৌরকলি ॥৪০॥ অতুনগী ব্রাহ্মণশিং অতৈনা চিতাগী মথক্তা দ্রোণবু মন্ত্রগা লোয়ননা হোম তৌরগা সামবেদসংহিতাগী অকোনবগী মন্ত্র অহুম অদু পাঠ তৌরগনা অগ্নি দেবতাগী স্তুতি থীরি ॥৪১॥ দ্রোণশিষ্য অতৈ অতৈ ব্রাহ্মণশিং অদুনা মৈবু য়েৎওইননা কোয়রম্ম কোয়রম্মগা কৃপীনা মাও থাহনা গঙ্গা তাম্না মংঙম্ম চৎলি ॥৪২॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মন্থুংদা গান্ধারী বাক্যগী কুনহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে।

শ্রীমহাভারতম্

(গান্ধারী ওংবা মতাং)

চতুর্ব্বিংশোঽধ্যায়ঃ

কুনমরীশুবা অধ্যায় ।

— —(:*:)— —

গান্ধার্য্যুবাচ ।

সোমদত্তসুতং পশ্য যুযুধানেন পাতিতম্ । বিতুদ্যমানং বিহগৈর্বহুভির্মাধবান্তিকে ।১।
পুত্রশোকাভিসন্তপ্তঃ সোমদত্তো জনার্দ্দন । যুযুধানং মহেষ্বাসং গর্হয়ন্নিব দৃশ্যতে ।২।
অসৌ হি ভূরিশ্রবসো মাতা শোকদুঃখিতা । আশ্বাসয়তি ভর্ত্তারং সোমদত্তমনিন্দিতা ।৩।
দিষ্ট্যা নৈনং মহারাজ ! দারুণং ভরতক্ষয়ম্ । কুরুসংক্রন্দনং ঘোরং যুগান্তমনুপশ্যসি ।৪।
দিষ্ট্যা যূপধ্বজং পুত্রং বীরং ভূরিসহস্রদম্ । অনেকক্রতুযজ্বানং নিহতং নাদ্য পশ্যসি ।৫।
দিষ্ট্যা স্নুষাণামাক্রন্দে ঘোরং বিলপিতং বহু । ন শৃণোষি মহারাজ ! সারসীনামিবার্ণবে ।৬।

গান্ধারীনা হায়ঃ— কৃষ্ণ ! ঈনক নক্রা অসিরাইমকদা অমুক য়েংঙু:— সোমদত্তগী মচা ভুরিশ্রবানা সাত্যকিগী মখুৎতা মথ্‌াই থাদুনা তুহনা লৈরি । লাওজানচিংবা শাহিং চাবা উচেকশিংনা ভুরিশ্রবাগী মশা অসিবু চিকথৎ চিকথৎতুনা ভুরিশ্রবাদা অমুকসু অরাবা চৈনা পীবগুম্ তৌরি ॥১॥ জনার্দ্দন ! অময়োমদা থোইনা লাপ্তনা মশামক শিরবা অকনবা সোমদত্ত অসিমকসু মচা শিবগী রাবনা থম্মোয় শোক সাত্যকিবু চৈরিবগুম নিন্দা তৌদুনা লৈরিবগুম উরি ॥২॥ নিন্দা তৌননীঙ্ডায় লৈব্রবী, ভুরিশ্রবাগী মমানা মপুরোয়বা শিরবা সোমদত্তগী নাক কমদুনা অশুম্না নীঙাথবা রাহৈনা হায়রকই:— ॥৩॥ মহারাজ ! নহাক্তি লাইবক কবনা ভরতবংশগী অকনবা নিংথৌশিংগী মহাপ্রলয় অম ওইরিবসে উবিদ্রোত্রবনি । কৌরব পাণ্ডবকী লাঞ্জাও অসি মপুং ফানা উবিহৌত্রবসি লাইবক্ ফবদগীনি ॥৪॥ মহারাজনা লাইবক কবনা যজ্ঞ দাম কয়া তৌগ্রব; যজ্ঞগী য়ুপ্‌নী য়েকপা ফিরাম্না মাগী মথদা লৈতেংবা অকনবা নচা ভুরিশ্রবানা লালকমদা শিদুনা লৈরিবসি উবিদ্রে । মসিবু মহারাজগী লাইবক্ কবনি । (ঐদি লাইবক্ থীবি ওইবিনিনা উবিদো) ॥৫॥ অদুগা মহারাজ ! মহারাজনা লাইবক্ কবনা লমুদ্র ঈপাক তোর্ব্বান্দা রাইবু অমোমশিংনা সুংশি সুংতোম্না কপ্পা খোংবহৗবা নবো সুপীশিংসিনা

একবস্ত্রানুসংবীতাঃ প্রকীর্ণাসিতমূর্দ্ধজাঃ । স্নুষাস্তে পরিধাবন্তি হতাপত্যা হতেশ্বরাঃ ।৭।
শ্বাপদৈর্ভক্ষ্যমাণং তমহো দিষ্ট্যা ন পশ্যসি । ছিন্নবাহুং নরব্যাঘ্রমর্জ্জুনেন নিপাতিতম্ ।৮।
শলং বিনিহতং সংখ্যে ভূরিশ্রবসমেব চ । স্নুষাশ্চ বিধবাঃ সর্ব্বা দিষ্ট্যা নাদ্যেহ পশ্যসি ।৯।
দিষ্ট্যা তৎ কাঞ্চনং ছত্রং যূপকেতোর্মহাত্মনঃ । বিনিকীর্ণং রথোপস্থে সৌমদত্তের্ন পশ্যসি ।১০।
অমূস্তু ভূরিশ্রবসো ভার্য্যাঃ সাত্যকিনা হতম্ । পরিবার্য্যানুশোচন্তি ভর্ত্তারমসিতেক্ষণাঃ ।১১।
এতা বিলপ্য বহুলং ভর্ত্তুঃ শোকেন কর্ষিতাঃ । পতন্ত্যভিমুখা ভূমৌ কৃপণং বত কেশব ! ।১২।
বীভৎসুরতিবীভৎসং কর্ম্মেদমকরোৎ কথম্ । প্রমত্তস্য যদচ্ছৈৎসীদ্বাহুং শূরস্য যজ্বনঃ ।১৩।
ততঃ পাপতরং কর্ম্ম কৃতবানপি সাত্যকিঃ । যস্মাৎ প্রায়োপবিষ্টস্য প্রাহার্ষীৎ শংসিতাত্মনঃ ।১৪।
একো দ্বাভ্যাং হতঃ শেষে ত্বমধর্ম্মেণ ধার্ম্মিক ! । ইতি যূপধ্বজস্যৈতাঃ স্ত্রিয়ঃ ক্রোশন্তি মাধব । ।১৫।
ভার্য্যা যূপধ্বজস্যৈষা করসম্মিতমধ্যমা । কৃত্বোৎসঙ্গে ভুজং ভর্ত্তুঃ কৃপণং পরিদেবতে ।১৬।

তেংথা নাওইনা কপ্পিবসে তাবজেদে। ॥৬॥ মহারাজ ! মচা মশু মপুরোয়বা কায়নববি লুপ্পাবি নমৌচুবিশিংসিনা মকি অমমম শেংলগা ঈরক অসিদা হজং চন্দা চেন্নরিদো ॥৭॥ মহারাজ ! নচা ভূরিশ্রবাগী পাম্বোমবু ঈহান হানবদা অর্জ্জুননা ককাখব উদবসিমক্ মহারাজগী লাইবক কবনি । [ঐদি লাইবক খিবিবিনা উরেদো] অঙ্গুদগী সাত্যাকনা ভূরিশ্রবাবু হাৎখিদো । শাহিং চাবা শা উচেক্লা নচা ভূরিশ্রবাবু চিক্লি, চারি, চিকৎলি । মসি মহারাজদি উবিদ্রে ॥৮॥ লুপ্পাবি নমৌশিংসিনা শলগা ভূরিশ্রবাগা অসিগীদমক্ত তেংথা নাওইনা কপজিবসে মহারাজদি লাইবক কবনা উবিদ্রেদো। ॥৯॥ ভূরিশ্রবাগী সনা হংলবা ছত্রনা রথ মরক্ত পুমতেক্ তেক্লা তাহুনা লৈরে । মসিবুস্থ মহারাজনা লাইবক্ কবনা উবিদ্রি ॥১০॥ মিৎলু মুরাবি, মিৎতা নাতা কজয়বি ভূরিশ্রবাগী লোয়নবিশিংসিনা সাত্যকিগী মথুবাক্তা থরাই থায়বা মপুরোয়বগী অকোয়বদা কমদুনা তেংথা নাওইনা কপলি ॥১১॥ ওন্থোকপনি কৃষ্ণ ! লুপ্পাবি মৌশিং অসিনা মথবাক নৈ নৈছুনা ভূরিশ্রবারোমদা হোক্চিন চেলশিন্নবসে ! ॥১২॥ কৃষ্ণ ! কিভম ঈতাউ তাউনা, ধ্যান তৌহুনা খুৎলায় থাদোকতুনা ধ্যান যজ্ঞ তোদুনা লৈয়বা ভূরিশ্রবাগী মপাম্বোমবু অর্জ্জুননা চণ্ডশিন্নকত্তুনা ককখি । কৃষ্ণ ! অসুক ভুকচরবা তমাথরবা থবকপু অর্জ্জুননা তৌশ্রব স করিগীনো ? ॥১৩॥ মসিদগী হেন্ন পাপকী থবক ওইবা অমগ সাত্যাকস্থ তৌখিঃ— মরমদি মহাক্লা লালকম নৈমায়থক্তা চরা হেন্দুনা ধ্যান তৌশ্রবা ভূরিশ্রবাদা খুৎলায়না তমশিনা শাখি ॥১৪॥ আঃ ! ওন্থোকপনিদা ধর্ম্ম চেন্নবা ভূরিশ্রবা ! নহাক নথন্তবু অকনবা অনি চঙ্গলা হাৎখিদো । তাও ! কৃষ্ণ ! ভূরিশ্রবাগী লোয়নবি লুপ্পাবি ওইরবশিংসিনা খোক্তেপ হোনা কপ্তুনা হায়রিবা রাশিংসে ॥১৫॥ শাওং শাদা কজরবি, মথাং চেংলবি ভূরিশ্রবগী লোয়নবি অসিনা মপাম্বোম ককপ্রবা মপুরোয়বা ভূরিশ্রবাগী অশিবা মশক অসিবু মতম্বাক্তা কোল্লগা য়াম্না নুংশি নুংঙোম্না অমুম্না হায়ছুনা কপলিঃ— ॥১৬॥

অয়ং স বলবানেককো পৌনস্তনির্দ্দনঃ । নাড্রারুক্ষঘনস্পর্শী নববিভ্রংসনঃ করঃ ।১৭।
অয়ং স হস্তঃ শত্রূণাং মিত্রাণামভয়প্রদঃ । প্রদাতা গোসহস্রাণাং ক্ষত্রিয়ান্তকরঃ করঃ ।১৮।
[illegible] সাত্বিকে, পাণ্ডবেন [illegible] । যুধ্যতঃ সমরেহন্যেন প্রমত্তস্য নিপাতিতঃ ।১৯।

সেরে অসিগি লৌড়াথব পাম্বোম্,
হকচাংদগী ভূমম্র তোঙাম্র তানা ।
পাম্বোম অসনা থৈডোন্দা
থোংনা লোনা কোনাবাথ ।
হকচাং নোইঙনা সেনা তৌজবি
এগী মেপক খুত্তলীবু,
তপ্ন তপ্ন লৈবোকপবা থোংলবা খুৎ অদো অসিনি ।
নোয়রব তোঙলবা, খাম্নংলীবু
শোকপিখিবা মোমোন তেন তৌনা
খুকট হৈগাল থোয়দা খুত্তদা
কম্ন নানব পায়রাকবা
থোংলবা খুৎ অদো অসিনিসিনি ।
অপাম খুংনবী ইপোমক লুপ্ননা
শাল্লরমদাইদ থোংলবা খুৎসিনা
চেংলবা খুত্তলীবু কোমখোকহল্লুনা
খুত্তদা শেক্কবা কাজোনবু
লৈখোকাপরম্ন: মুংলবা মাগী
থোংলবা খুৎতো অসিনিসিনি ! ॥১৭॥
য়েক্কবা কম্ন হাংখিবা, মরূপ মপাং কম্না কনখিবা
কথ্‌ লোনাং কিলিং দান তৌখিবা
য়েক্কবা ক্ষত্রিয় শকলবা, কম্না কম্না থরাই থাখিবা
থোংলবা বল্লবা থবক কম্না
তৌখিবা খুত্তো অসিনসিনি ॥১৮॥
থোৌদবা থবক তৌরম্বা, অর্জ্জুন কোবা নহাক্কা
অতে শামগা থেংনরিবা, কৌভম ভাউরিবা নহাকী
কৃষ্ণগী মাঙমল্লদা কবম্না
পাম্বোম্সবু করম ককখিবা ! ॥১৯॥

কিং নু বক্ষ্যসি সংসৎসু কথাসু চ জনার্দ্দন। অর্জ্জুনস্য মহৎ কর্ম্ম স্বয়ং বা স বিরীটবান্ ॥২০॥
ইত্যেবং গর্হয়িত্বৈষা তূষ্ণীমাস্তে বরাঙ্গনা। তামেতামনুশোচন্তি সপত্ন্যঃ স্বামিব স্নুষাম্ ॥২১॥
গান্ধাররাজঃ শকুনির্বলবান্ সত্যবিক্রমঃ। নিহতঃ সহদেবেন ভাগিনেয়েন মাতুলঃ ॥২২॥
যঃ পুরা হেমদণ্ডাভ্যাং ব্যজনাভ্যাং স্ম বীজ্যতে। স এষ পক্ষিভিঃ পক্ষৈঃ শয়ান উপবীজ্যতে ॥২৩॥
যঃ স্ম রূপাণি কুরুতে শতশোঽথ সহস্রশঃ। তস্য মায়াবিনো মায়া দগ্ধাঃ পাণ্ডবতেজসা ॥২৪॥
মায়য়া নিকৃতিপ্রজ্ঞো জিতবান্ যো যুধিষ্ঠিরম্। সভায়াং বিপুলং রাজ্যং স পুনর্জীবিতং জিতঃ ॥২৫॥
শকুন্তাঃ শকুনিং কৃষ্ণ সমন্তাৎ পর্য্যুপাসতে। কৈতবং মম পুত্রাণাং বিনাশায়োপশিক্ষিতম্ ॥২৬॥
এতেনৈতন্মহদ্বৈরং প্রসক্তং পাণ্ডবৈঃ সহ। বধায় মম পুত্রাণামাত্মনঃ সগণস্য চ ॥২৭॥
যথৈব মম পুত্রাণাং লোকাঃ শস্ত্রজিতাঃ প্রভো। এবমস্যাপি দুর্বুদ্ধের্লোকাঃ শস্ত্রেণ বৈ জিতাঃ ॥২৮॥

হায়বিয়ু কৃষ্ণ ! জনার্দ্দন !
নংগী চাম্বা অর্জ্জুননা, তৌথ্রিবসিবু করম্না
মীয়াম মাঙদা পাউদম্মুগবা ?
অমখিরবা অর্জ্জুন মশামক্না বরম হায়নবু অম্মুগবা । ॥২০॥

কৃষ্ণ । নীঙথিজরব ভূরিশ্রবগী কোয়নবী লুপ্তাবী অসিনা নখোয়বু নিন্দা তৌদুনা কপ্লিবসে ভাবেদনা ? রানী অসিগী লৈ মনবী শিংনস্থ মমৌশিংগী মতৌথম্না রানীগী রাবদা রামিন্নরি ॥২১॥ পাণ্ডুগী কোয়নবী, ঐগী ঈন অতুপী কুন্তীনা পোকপা সহদেবনা, কল্লবা, শিংলবা মাগী মামা গান্ধারগী নিংথৌ শকুনিবু হাৎখি ॥২২॥ মমাঙদা নীঙথিজরবী রমনীশিংনা সনা মখোকপানবা কাহুহাই চামদনা মাগী মথক্তা হুমাই থোগল তৌরম্বা, ঐগা পোকমিন্নবা শকুনি অসিগী মথক্তা চৌথিক্তি কাহুক্তা কাবনচিবা উচেকশিংনা মশা কম্নোক কন্দে অক্তুনা হয়িং হুম্নিদো ॥২৩॥ শকুনি হায়বসিনা মায়াগী শক্তিনা শকলোল চামা-চামা, লিশিং লিশিং পুথোক্তুনা ওন্থোক ওন্থোকপা কর্ম্ম তৌখি । শকুনিগী মায়া ময়ামদো, থৌজিক্তি পাণ্ডবশিংগী তেজনা লোইনা উৎ ওইনা মাঙহনরে ॥২৪॥ নমথাক লৌনমগী মায়ানা, চৌবর সভাদা যুধিষ্ঠিরগী মকমদগী পাকচাউরবা রাজ্য সম্পত্তি অমদি সিংহাসনবু মুনখিদো । অদুবু ওসিদি সহদেবনা মহাক্কী মথ্ৰাইগা লোয়নননা মরলশিং অদো অমুক মুনরে ॥২৫॥ কৃষ্ণ । শকুনি হায়বসিনা ঐগী ঈচাশিংগী মাঙন তাম্লনবগীদমক্তা মায়াগী বিদ্যা কয়া তমখি। অদুগুম্ব শকুনি অদুগী অকোয়বদা ওসিদি লাইক্তা কাবনা পুমকোয় কোয়রে ॥২৬॥ শকুনি হায়বা অসিতনা ঈচাশিংগী অদুগা মরূপ মপাং শাপৈ নাতৈ পুম্বগী মাঙনবগীদমক্তা ঈচাশিংগা পাণ্ডুগী মচাশিংসিগা য়েংখিনহন্নম্বনিদো ॥২৭॥ কৃষ্ণ ! ঈবুঙো ! খুৎলায়গী মচীন্না ঐগী ঈচাশিংনা স্বর্গ কাখিবদুগুম্না কন্নবা শকুনি

কথঞ্চ নায়ং তত্রাপি পুত্রান্মে ভ্রাতৃভিঃ সহ । বিরোধয়েদ্দুষ্প্রজ্ঞানন্মুধুসূদন ! ।২৯।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি স্ত্রীবিলাপে গান্ধারীবাক্যে চতুর্বিংশোঽধ্যায়ঃ ।০।

——:*:——

অসিমু লালকমদা থুংসারগী মচিন্দা মথাগী থাবা কাংখৎনা স্বর্গদি কাখ্রবিনি ।।২৮।। মধুসূদন ! মবুকচেল থোয়বা শকুনি অসে, নোংমদোন লাইরেবাক কাওবদা; করিমু খণ্ডদবা ঈচাশিংঙগা পাণ্ডবশিংগা অমুক য়েংথিননবা তৌরকপ্রা অহ কাওব চিংনবে । * ।।২৯।।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লোংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মনুংদা গান্ধারী বাক্যগী কুনহুমদোই শুবা অধ্যায় লোইরে ।

মহাভারতম্

পঞ্চবিংশোঽধ্যায়ঃ

(গান্ধারীগী শাপ)

কুলমণ্ডাশুবা অধ্যায়

——:•:——

গান্ধার্য্যুবাচ ।

কাম্বোজং পশ্য দুর্দ্ধর্ষং কাম্বোজাস্তরণোচিতম্ । শয়ানমৃষভস্কন্ধং হতং পাংশুষু মাধব ! ।১।

যস্য ক্ষতজসন্দিগ্ধৌ বাহূ চন্দনরূষিতৌ । অবেক্ষ্য করুণং ভার্য্যা বিলপত্যতিদুঃখিতা ।২।

গান্ধারীনা হায়ঃ— মাধব ! নীঙথিরবা মোম্প্রবা মোন্দুম্ মোক্তেক মথক্তা হৌজিক মতিকচায়বা কম্বোজদেশকী অকনবা নিংথৌ অসিনা লালকম্ লৈবাকথকি উচুংদা ঙাক্রিবনে য়েংউ, ।।১।। মহাকী লোয়নবিনা চন্দনমনা পুম্‌ৎত ৎত্ত্বরবা ঈনহ শুংপুংশ মুপ্রবা মপুমোয়বগী

* টীকাঃ— মাসিগী ভাবতিঃ— লাইরেবাক কাওবা য়েংথিনহনা থৎনচৈনবকলবদি অমুক হন্না মর্ত্ত্যলোকত পোক্লবদি তৌল কাও ওইনা পোক্লবা তাবে হায়বা মুংশা থাবে ।

ইমৌ তৌ পরিঘপ্রখ্যৌ বাহূ শুভতলাঙ্গুলী । যয়োর্ব্বিবরমাপন্নাং ন রতিমাং পুরাঙ্গনাঃ ।৩।
কাং গতিং নু গমিষ্যামি ত্বয়া হীনা জনেশ্বর । ছুরবন্ধুরনাথেব বেপন্তী মধুরস্বরা ।৪।
আতপে ক্লাম্যমানানাং বিবুধানামিব স্রজাম্ । ক্লান্তানামপি নারীণাং ন শ্রীর্জহাতি বৈ তনুম্ ।৫।
শয়ানমভিতঃ শূরং কালিঙ্গং মধুসূদন । পশ্য দীপ্তাঙ্গদযুগপ্রতিবদ্ধমহাভুজম্ ।৬।
মাগধানামধিপতিং জয়ৎসেনং জনার্দ্দন । পরিবার্য্য প্ররুদিতাঃ মাগধ্যঃ পশ্য যোষিতঃ ।৭।
আসামায়তনেত্রাণাং সুস্বরাণাং জনার্দ্দন । মনঃশ্রুতিহরো নাদো মনো মোহয়তীব মে ।৮।
প্রকীর্ণসর্ব্বাভরণা রুদত্যঃ শোককর্শিতাঃ । স্বাস্তীর্ণশয়নোপেতা মাগধ্যঃ শেরতে ভুবি ।৯।
কোশলানামধিপতিং রাজপুত্রং বৃহদ্বলম্ । ভর্ত্তারং পরিবার্য্যৈতাঃ পৃথক্ প্ররুদিতাঃ স্ত্রিয়ঃ ।১০।
অস্য গাত্রগতান্ বাণান্ কার্ষ্ণিবাহুবলার্পিতান্ । উদ্ধরন্ত্যসুখাবিষ্টা মূর্চ্ছমানাঃ পুনঃ পুনঃ ।১১।

মপান্বোম্ অনি অসিবু উরগা থম্মোয় শোক্না রাহুনা অম্বম্ হায়না কপ্লদো ॥২॥ পান্বোম্ অনিসিগী মরক্তা ঐনা চঙশিল্লবদা অপাম্ মুংশিগী লিলা হৈবি রতি কোবো লাইহুনা ঐবু ঈবা থাদোকখিদে। পান্বোম্ অনি অসিদা য়াওরিবা খুৎশা খুদোনবি পুম্বা অকবা নিঙথিবা লক্ষণনা তিল্লবামক্তনি ॥৩॥ মহারাজ ! ঈবুংঙো ! নহাক্না লৈত্রবদা পাঙ্গল শোল্লবি ঐদি কনাগা লৈহোগনি ? ঐনা শাগৈ নাতৈ মরুপ মপাংদি লোইনা লাপ্না লৈগ্রবনি । অহুনদি অম্নুম্না কপ্তুনা থক থক নীক্না পুন্সি লেপ্পো হায়বরা ? ॥৪॥ নোংমদোন লাইরৈবাক্তি লৈপরেংনা মুমিৎকি মশেক্না তারবস্থ পথদ ওম্না রমণীশিং অসি থম্মোয়শোক্না রায়বস্থ মথোয়গী কজবদো থক মাঙদে ॥৫॥ মধুসূদন ! অমুক্তা য়েংও ! কল্লবা কলিঙ্গ দেশগী নিংথৌ অসে অসিদা লোংনা তাহুনা ইনক নক্না লৈরে। মাগী চাউরবা পান্বোম্ অনিসে সনাতনা পুথহৈ ওইনা থারবা তাল অঙ্গদি কেয়ূর (পান্বোম্ কাবি) না ঈরংলংনা লৈতেংহুনা লৈরি ॥৬॥ জনার্দ্দন ! অহুগা অমুক্তগা য়েংও, মগধদেশগী রমণীশিং অসিনা মগধদেশগী নিংথৌ জয়ৎসেনগী অশিবা হকচাং অসিবু ঈকোয় কোয়শিন্না কমহুনা সেবা তৌহুনা লৈরি ॥৭॥ জনার্দ্দন ! কৃষ্ণ ! মীত্তনাতা কজরবী, মথোঙ্গেল মুংশিরবী রমণী শিংসিগী নাকোংবু শুম্হৎপা তেংথা শেশক্ অসিনা ঐগী পুক্লিংশিবু ঈস্নুম্ শুম্হৎত্রে ॥৮॥ মগধদেশগী নিঙথিজবিশিংসে মোল্লবা মমল য়াম্রবা মোন্দুম্ মোস্তেক মথক্তা হীপ্পী তাক্তনি। অদুবু ওসিদি মশম্ মনা ঈকা কানা লালকদ লৈমায়থক্তা উকুল অসিদা থয়ো থয়ো ওন্দুনা কপ্লি ॥৯॥ রমণীশিং অসিনা মথোয়গী মপুরোয়বা কোশলদেশগী নিংথৌ কল্লবা বৃহদ্বল অকোয়বদা কমহুনা থম্মোয় শোক্না কপ্লি লাউরি ॥১০॥ কৃষ্ণ ! য়েংও, ! বৃহদ্বলগী লোয়নবিশিং অসিনা হন্না হন্না রাম্বহুনা অমুমুক হোৎপত্নুনা মাগী মশাদা য়ুং য়ুং লৈরিবা

অস্যাং সর্ব্বানবদ্যানাম্ [illegible] । [illegible] ভান্তি বক্ত্রাণি মাধব ! ।১২।
দ্রোণেন নিহতাঃ শূরাঃ [illegible] । [illegible] সর্ব্বেশিশবো হেমমালিনঃ ।১৩।
[illegible] চাপানি [illegible] । [illegible] শমতা ইব পাবকম্ ।১৪।
তথৈব নিহতাঃ শূরাঃ [illegible] । [illegible] সর্ব্বে ভ্রাতরঃ পঞ্চ কেকয়াঃ ।১৫।
[illegible] । [illegible] জ্বলিতা ইব পাবকাঃ ।১৬।
দ্রোণেন দ্রুপদং সংখ্যে [illegible] । [illegible] নিহতেন মহতা হতম্ ।১৭।
পাঞ্চালরাজ্ঞো বিমলং [illegible] । [illegible] শরদীব নিশাকরঃ ।১৮।
এতাস্তু দ্রুপদং বৃদ্ধং [illegible] । [illegible] রাজানমপসব্যতঃ ।১৯।
ধৃষ্টকেতুং মহাত্মানং [illegible] । [illegible] শূরং হরন্তি হৃতচেতসঃ ।২০।

অভিমন্যুনা কপ্পা [illegible] মাধব ! [illegible] কৌনাউডায় লৈতনা নীতখিজয়বাশিং অসিগী মাহৈ [illegible] থাংগা [illegible] কপ্প [illegible] মকুশিল্লবসু, লৈমন হাইকেং চক্লবা [illegible] ॥১২॥ [illegible] খোইনাউখিজরবা তাল [illegible] মখোয়গী ওইবা ধৃষ্টদ্যুম্নগী অভাং কল্লবা মচাশিং অসি [illegible] ॥১৩॥ [illegible] মৈপুংদা চোংশিল চোংশিন্দুনা [illegible] অবনবা [illegible] দ্রোণগী মশক ওইরবা মৈপুংদা চোংশিল চোংশিন্দুনা [illegible] । [illegible] দ্রোণগী মশক ওইববা মৈগী লৈকম্, লৈকম্না যথনা ওই, খোয়না চারবপা মৈংনা [illegible] ওইবা । মৈচুদা য়াওশিনবা শীনা থাঙ তা গদানাচংবা [illegible] ওইখি ॥১৪॥ মতৌ অসুম্না [illegible] লৈতেংনা থল্লবা কেকয় দেশগী [illegible] দ্রোণগী [illegible] চোংশিল্লদা খুনক খুদক্কা মথাই থা থাহনা লৈমায়থক্তা ওল্ল ॥১৫॥ মখোয় খুদংগী মশাদা [illegible] অসিমক ফুদোক্লবা সনানা শাবা [illegible] মখোয়শিগী অমমম্না মৈরি অমমম্ঙম্না মাগী মাগী [illegible] ॥১৬॥ মাধব ! যাদবা ! [illegible] বাংচাউরবা [illegible] বল্লবা [illegible] অমম্ব [illegible] দ্রোণনা নিংথৌ দ্রুপদবু কান্দা তুংনেত্রে ॥১৭॥ পুণ্ডরীকাক্ষ ! [illegible] মানবা । পাঞ্চাল নিংথৌগী মকু,বা, তোরবা ছত্র (শে) অসি শরৎ ঋতুগী তোক্লনরবা মপুমকারবা থাজগী মকোয়ঙম্ থোইদোক্না নাউথিজে ॥১৮॥ দ্রুপদ নিংথৌগী [illegible] অহল ওইরবা নিংথৌ দ্রুপদগী সংস্কার তৌনবগী [illegible] শীল্লহনা য়াম্না বানা [illegible] ঐখোয়গী দগী মথা মায়গৈ ওইনা চৎলে ॥১৯॥ ধৃষ্টকেতুগী [illegible] দ্রোণগী মখুত্তা থরাই থারবা, মহাত্মা ওইরবা চেদি নিংথৌ ধৃষ্টকেতুগী সংস্কার তৌনবা [illegible] পুহনা চৎলি ॥২০॥

দ্রোণাস্ত্রমভিহত্যৈষ বিমর্দ্দে মধুসূদন ! । মহেষ্বাসো হতঃ শেতে বজ্রাহত ইব দ্রুমঃ ॥২১॥
এষ চেদিপতিঃ শূরো ধৃষ্টকেতুর্মহারথঃ । শেতে বিনিহতঃ সংখ্যে হত্বা শত্রূন্ সহস্রশঃ ॥২২॥
বিতুদ্যমানং বিহগৈস্তং ভার্য্যাঃ প্রত্যুপস্থিতাঃ । চেদিরাজং হৃষীকেশ ! হতং সবলবান্ধবম্ ॥২৩॥
দাশার্হপুত্রজং বীরং শয়নং সত্যবিক্রমম্ । আরোপ্যাঙ্কে রুদন্ত্যেতাশ্চেদিরাজবরাঙ্গনাঃ ॥২৪॥
অস্য পুত্রং হৃষীকেশ ! সুকেশং চারুকুণ্ডলম্ । দ্রোণেন সমরে পশ্য নিকৃত্তং বহুধা শরৈঃ ॥২৫॥
পতিতং নূনমাজিস্থং যুধ্যমানঃ পরৈঃ সহ । নাজহাৎ পিতরং বীরমদ্যাপি মধুসূদন ! ॥২৬॥
এবং মমাপি পুত্রঃ পিতরং ত্বন্বগাৎ । দুর্যোধন মহাবাহো ! লক্ষ্মণঃ পরবীরহা ॥২৭॥
বিন্দানুবিন্দাবাবন্ত্যৌ পতিতৌ পশ্য কেশব ! । হিমান্তে পুষ্পিতৌ শালৌ মরুতা গলিতাবিব ॥২৮॥
কাঞ্চনাঙ্গদবর্ম্মাণৌ রণে খড়্গধনুর্দ্ধরৌ । ঋষভপ্রতিরূপাক্ষৌ শয়ানৌ বিমলস্রজৌ ॥২৯॥

(যুগ্মকম্)

অবধ্যাঃ পাণ্ডবাঃ কৃষ্ণ ! সর্ব্ব এব ত্বয়া সহ । যে মুক্তা দ্রোণভীষ্মাভ্যাং কর্ণাৎ বৈকর্ত্তনাৎ কৃপাৎ ॥৩০॥

মধুসূদন ! ধৃষ্টকেতু হৌরবা মহ ধনুর্দ্ধারী অসে দ্রোণগী চুংশামকৈ থিজুন থন্দুগা মতুংদা দ্রোণগী খুজামাংগী মচিন্দা থদুই থাদুনা হত্নলা থারবা উপাগী অমগী মতৌগুম্না লাইকমদা লৈমায়থবা তুনা লৈরি ॥২১॥ চেদিরাজ অল্লবা ধৃষ্টকেতুনা মেরুবা লাংথিজিশিং লিশিংবু হাৎ-তুনগা মমৈথংদা দ্রোণগী খুজামায়না পাদুনা লাকমদা তাদুনা লৈরে ॥২২॥ হৃষীকেশ ! ধৃষ্ট কেতু অসে মাগী ময়ুপ মপাং খোঙমী লাল্মীশিংগা লোয়ননা শিপ্রবনি। তৌজক শা উচেকশিং মপে মপে লাক্তুনা মহক্বপু চীক্থলি। তাঙ্গাসিদা মাগী লোয়নবীশিংনা মনাক্তা থংলৈ ॥২৩॥ মাগী লোয়নবীশিংসিনা থাজৈশেংনা অল্লবা মথৌনা লৈরবা ধৃষ্টকেতুগী মচাবু মতমপাক্তা কোল্লগা চঞ্জা হীরা কপলি ॥২৪॥ হৃষীকেশ ! অতুক্তা মেঙ মশকমতৌ কল্লবা মশম মনা করবা ধৃষ্টকেতুগী মচাসিবু দ্রোণাচার্য্যনা তেম্না মশাসি শিঙ্গুপশানা খিনগা থৈথিবনি ॥২৫॥ মধুসূদন ! মপা কল্লবা ধৃষ্টকেতুনা মেরুবশিংগা থেংনথেংননা মথাই থাখি। কল্লবা মচা অসিসু সিরকাওবদা চসিকাওবদা মপাবু থাদোক্তনা মনাক্ত শিহনা তাদুনা লৈরি ॥২৬॥ কল্লবা কৃষ্ণ ! মতৌসিগুম্না ঙনা ঐগী চাও লক্ষ্মণ কৌবা অকনবসিসু অকনবা মপা দুর্য্যোধনগী মতুংইনথবনি ॥২৭॥ কৃষ্ণ ! য়োঙ, সনাতন পুমহৈ ওইনা শাবা সনরীক লৌককাংনা অতুগা সনাহৎলবা লালফুম্বিংনা মশাগী লৈতেং ওইরিবা অবন্তিদেশগী বিন্দ অনুবিন্দ কৌবা মাচনমনাও অনিাসনা অল্লবা লুংশিংকী ইপোম্না ফুবদা তুরবা বসন্তগী মনা মপান্ন থল্লবা বাং চাউরবা চীঙগুপাম্বি অনিগী মতৌগুম্না লাইকম্ লৈমায়থবা তুহনা লৈরি ॥২৮—২৯॥ কৃষ্ণ ! নহাক্কি অতুগা পাণ্ডবশিং অসিদি কনা অমত্তনা হাৎপায়রোইদৌবনি মহু থডিও। মসিগী প্রধান হায়রবু নথোয়অসে, ভীষ্ম দ্রোণ,

দুর্যোধনাদ্দ্রোণসুতাৎ সৈন্ধবাচ্চ মহারথাৎ। সোমদত্তাদ্বিকর্ণাচ্চ শূরাচ্চ কৃতবর্ম্মণঃ ।৩১।

(যুগ্মকম্)

যে হন্যুঃ শস্ত্রবেগেন দেবানপি নরর্ষভাঃ। ত ইমে নিহতাঃ সর্ব্বে পশ্য কালস্য পর্য্যয়ম্ ।৩২।

নাতিভারোঽস্তি দৈবস্য ধ্রুবং মাধব। কশ্চন। যদিমে নিহতাঃ শূরাঃ ক্ষত্রিয়ৈঃ ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ ।৩৩।

তদৈব নিহতাঃ কৃষ্ণ। মম পুত্রাস্তরস্বিনঃ। যদৈবাকৃতকামস্ত্বমুপপ্লব্যং গতঃ পুনঃ ।৩৪।

শান্তনবেনৈব পুত্রেণ প্রাজ্ঞেন বিদুরেণ চ। তদৈবোক্তাস্মি মা স্নেহং কুরুষ্বাত্মসুতেষ্বিতি ।৩৫।

তয়োর্ন দর্শনং তাত! মিথ্যা ভবিতুমর্হতি। অচিরেণৈব পুত্রা মে ভস্মীভূতা জনার্দ্দন। ।৩৬।

বৈশম্পায়ন উবাচ

ইত্যুক্ত্বা ন্যপতদ্ভূমৌ গান্ধারী শোকমূর্চ্ছিতা। দুঃখোপহতবিজ্ঞানা ধৈর্য্যমুৎসৃজ্য ভারত! ।৩৭।

ততঃ কোপপরীতাঙ্গী পুত্রশোকপরিপ্লুতা। জগাদ শৌরিং দোষেণ গান্ধারী ব্যথিতেন্দ্রিয়া ।৩৮।

গান্ধার্য্যুবাচ।

পাণ্ডবা ধার্ত্তরাষ্ট্রাশ্চ ক্রুদ্ধাঃ কৃষ্ণ। পরস্পরম্। উপেক্ষিতা বিনশ্যন্তস্ত্বয়া কস্মাজ্জনার্দ্দন। ।৩৯।

বৈকর্ত্তনকর্ণ কৃপ, দুর্য্যোধন অশ্বত্থামা, মহারথী জয়দ্রথ, সোমদত্ত, বিকর্ণ অদুগা কৃতবর্ম্মা হায়রিবশিং অসিগী মথুত্তগী নাম্তোকলক্লবা অসিমক্তনা হেক্ত ওইরে ॥৩০—৩১॥ হায়রিবা নিপা অথোয়বশিংসে খুৎলায়বিদ্যাগী শক্তিনা অমময়া লায়কাওবগা মায়োক্নাহুনা থেংনবা ঙম্বা মীমক্তনি। অদুবু মথোয়সিংসে লোইনা হাৎখ্রে। অহুনা কৃষ্ণ! য়েংঙ্,। কায়াদা তকৃপবা মতমগী থোঙচৎ হায়বসে ॥৩২॥ মাধব! লায়না ভমগ্রবা [দৈব] হায়বসিগী মকমদা ওইথোক্তবা ত্তোঙমদবা হায়বা থবক্ অমত লৈতে। ময়মদি ক্ষত্রিয়শিংনা ক্ষত্রিয় অথোইবশিংবু লোইনা হাৎখিবসিমক্তনা প্রমাননি ॥৩৩॥ কৃষ্ণ। মহাক্সা কৌরব পাণ্ডবশিংগী মরক্তা সন্ধি তৌনহনগে হায়দুনা সভাদা লাক্লগা নীঙবা কায়হুনা হস্তিনাপুরগী থুনয়া অমদা লৈথিবা তুমিৎলমক্তদা কল্লবা ইচাশিংসে অদুমক্ শিগ্রবনি ॥৩৪॥ "দেবী! নচাশিংনি হায়হুনা লৈখিবা চামসে, থোইনা তুংশিক্লগদু নচানি হায়বা থল্ল গদু—"— অম্নুম হায়না ভীষ্মনা ময়কথরক্তা অদুগা বিদুরনসু ত্তন্তনা ঐঙোন্দা মমাংঙৈদা হায়খি ॥৩৫॥ মাধব! তুংগী লাপুম্বা লোইনা হৈরঘঙলবা জ্ঞানীশিং অদুনা হায়খিবহুনা অরেম্বা ওইরোই। অদুমক্তনা ঐগী ঈচাশিং অসিনা অদুক্ থনয়াঙনা মাঙখিবনি ॥৩৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—ভরতনন্দন। জনমেজয় গান্ধারী অসি অম্নুম্না হায়রগা থম্মোয় পুক্নীংদা ত্তগথবা হায়বদু কাজিন্দুনা থম্বা য়ারকত্রদুনা লাম্হুনা জ্ঞান ঊথাও য়াওদনা লৈমায়থক্তা তুংখ্রে ॥৩৭॥ অদুদগী ভহাক্ লৈরগা মচা কায়নবগী য়াথনা থম্মোয় পুবা য়ায়কতহুনা অখাওবনা মরীত্তা ঈ কাহুনা কৃষ্ণগী মাঙননবগী ময়মনা খনবিদুনা অম্নুমা হায়রক্ই ॥৩৮॥

গান্ধারীনা হায়ঃ— কৃষ্ণ! জনার্দ্দন! লালকম্ অদুদা কৌরবপাণ্ডবশিং মথোয় মশেলথক্তা

শক্তেন বহুভৃত্যেন বিপুলে তিষ্ঠতা বলে । উভয়ত্র সমর্থেন শ্রুতবাক্যেন চৈব হি ॥৪০॥
ইচ্ছতোপেক্ষিতো নাশঃ কুরূণাং মধুসূদন ! । যস্মাৎ ত্বয়া মহাবাহো ! ফলং তস্মাদবাপ্নুহি ॥৪১॥

(যুগ্মকম্)

পতিশুশ্রূষয়া যন্মে তপঃ কিঞ্চিদুপার্জিতম্ । তেন ত্বাং দুরবাপেন শপ্স্যে চক্রগদাধর ! ॥৪২॥
যস্মাৎ পরস্পরং ঘ্নন্তো জ্ঞাতয়ঃ কুরুপাণ্ডবাঃ । উপেক্ষিতাস্তে গোবিন্দ ! তস্মাজ্জ্ঞাতীন্ বধিষ্যসি ॥৪৩॥
ত্বমপ্যুপস্থিতে বর্ষে ষট্ত্রিংশে মধুসূদন ! । হতজ্ঞাতির্হতামাত্যো হতপুত্রো বনেচরঃ ।
কুৎসিতেনাভ্যুপায়েন নিধনং সমবাপ্স্যসি ॥৪৪॥
তবাপ্যেবং হতসুতা নিহতজ্ঞাতিবান্ধবাঃ । স্ত্রিয়ঃ পরিপতিষ্যন্তি যথৈব ভরতস্ত্রিয়ঃ ॥৪৫॥

বৈশম্পায়ন উবাচ

এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং বাসুদেবো মহামনাঃ । উবাচ দেবীং গান্ধারীমীষদভ্যুৎস্ময়ন্নিব ॥৪৬॥
জানেঽহমেতদপ্যেবং চীর্ণং চরসি সুব্রতে ! । দৈবাদেব বিনশ্যন্তি বৃষ্ণয়ো নাত্র সংশয়ঃ ॥৪৭॥

হাৎনখিন্নবগী থৌরাং তৌনরকপা মতমতুদা নহাক্না কৈদোদনা লৈহৌই ? করিগী থামোইনাবিথিদে নহাক্না করিগীদমক্ত সর্ব্বনাশ ওইরগদবা থবক অহুবু পৌশাদনা লৈপোকখিবনো ? ॥৩৯॥ অকনবা । মধুসূদন ! নংনবু তৌগে থল্লবদি ভম্বা ভাক্তনি । নংগী ননাই নশল য়াম্না লৈরাম্ম নহাক্ নশামকুম্ পাক্চাউরবা লাম্মী তেঙ্গোল মপৈ অনিগী মরক্তা মরৈরম্বনি নংনা তৌগে থনবা থবক্তা পক্ষ অনিমক্ নত্তোন্দা কারবামক্ত ওইরম্বনি পক্ষ অনিমক্ নংনা ভাতবদ ভা-রোইদবা অমতা য়াওদে । অসি পুম্মকাসি লৈনা লৈনা নংনা করিগীদমক্ কুরুগাগী মাতন-তারবা থবক্ অসিগী অরম খেঁশাদনা য়েংলুনা লৈখোকখিবনো কৃষ্ণ । নংসু মাসিগী মহে ফংগ ॥৪০—৪১॥ চক্রগদাধারী কৃষ্ণ । ইপুরোয়বগী সেবা তৌজবগী শক্তিনা তৌখিবা তপস্যা অদুগী মহৈনা ঐনা কৃষ্ণ নত্তোন্দা শাপ তৌগনি ॥৪২॥ কৃষ্ণ । গোবিন্দ । শাগৈ অনিগী মাতন তারক তৌবদা পুক্নীং চংখিবনা তৌরিবা থবক অ'সনা বংশগী সর্ব্বনাশ অমওইব তারে হায়বসে করিমত খৌশাখিদবনা নহাক্না নহাক্কী শাগৈপুম্মকোম্ মাতভারবা তৌবা ওইসনু ॥৪৩॥ মধুসূদন নহাকসু ভসিদগী চহি কুম্ম্‌রাতরুক শুবা মতমদা নচানশু শগৈ নাতৈ পুম্বা মাতংশুবগা কনা অমত লৈজদবগী অবস্থাদা ফত্রবা তোল্লবা অমগী পৌদোক্তা নথাইথাবা ওইসনু ॥৪৪॥ ভসি ভরতবংশগী মো-নুশাবীশিংসিনা থম্মোয়শোক্না রাহুনা লৈমাযথক্তা ওংহাইরিবসিল্লম্বা নহাক্কী মুপানচা পুম্মকসু মচামশু শাগৈনাতৈ করিমত লৈজদবা ওইদুনা লৈমায়থক্তা অমুক্ত দ ওহোইনা চেংথাবা ফংসনু ॥৪৫॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—মহারাজ ! জনমেজয় । গন্ধারীগী অকনবা শাপ অসি তাবদা কৃষ্ণ মোমোক্লোকহুনা গন্ধারীদা অসুম্না হায়খি ॥—॥৪৬॥ ব্রতচেংপী সতী ! নহাক্না শাপ অসি

সংহর্ত্তা বৃষ্ণিচক্রস্য নান্যো মরিষ্যতে শুভে ।। অবধ্যোঽন্যৈর্নরৈর্দৈবৈরপি বা দেবদানবৈঃ ।
পরস্পরকৃতং নাশং যতঃ প্রাপ্স্যন্তি যাদবাঃ ।৪৮।
ইত্যুক্তবতি গান্ধার্য্যৈ পাণ্ডবাশ্চৈব সুচেতসঃ । বভূবুর্দুঃখসন্তপ্তা নিরাশাশ্চাপি জীবিতে ।৪৯।
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
স্ত্রীবিলাপে গান্ধারীশাপদানে পঞ্চবিংশোঽধ্যায়ঃ ।০।

— —:(০):— —

তৌত্রিবেদ কার্য্যবিরবা থোদোক অসে থাক্লিনি মাথবা ঐদ নংগী শওক্করবনি। অগুনা অতৌপ্পা অমনা তেংগ্রদ অমদি খোক্চত্রবা পবক অগুম নহাক্ত শাপকী পাংইনা পাণ্ডবোকপ্পগ দৌর বৃষ্ণি শাগৈ পুল্লপ অসিমু হায়খিরকপ কম্না পুম্নং মুংশগদবনি, মসি লায়না তমুক্তনা লোইথবনি। বিষয় অসদা কবিমত চেংনকম থৈত্রবান ॥৪৭॥ নীলুখিজ্ঞবা! মঙ্গলগী মশক্ ওইবী। ঐ নঙনা যদুবংশদা মাংহনবা কনা অমতনা লেপ্পরোইদৌবনি। মরমদি যদুবংশদা পেক্লিব মীশিংসে তাই-বংমীদি লায়রদনা লাইকাখবনা অমত হাৎপলাকপা তঙ্গা পোক নত্তে। অদুনা মথোমসে অমগা অমগা হাৎনশিনবনা পুম্নং মুংগ্রগদৌনা ওক্লনি। অদুনা নহাক্ত শাপ তৌত্রবম্ম মরাইনা মুঙচত্র গদবাননা নহাক্ত শাপ অদো কয়াম্ব কাম্বত্রবগুমনা ॥৪৮॥ কৃষ্ণগী বাশি তাবদা পাণ্ডবশিং কিবন থক্ থক্ নীক্তনা মাগী মাগী পুনসদা নীঙুহ্না কায়বা পোকখি ॥৪৯॥

মকম্ অসিদা শ্রী মহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রী ব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা স্ত্রীবিলাপকী মতুংদা গান্ধারীশাপদানগী কুনমঙ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥+॥

— — : — : — —

শ্রীমহাভারতম্

(জান্দাশিখিবশিংহুগী সংস্কার)

(৩। শ্রাদ্ধপর্ব্ব ।)

ষড়্‌বিংশোঽধ্যায়ঃ

শ্রাদ্ধনচিংবা কে বগী মতাং

কুনতরুকশুবা অধ্যায় ।

— — (:০:) — —

ভগবানুবাচ ।

উত্তিষ্ঠোত্তিষ্ঠ গান্ধারি । মা চ শোকে মনঃ কৃথাঃ । তবৈব হ্যপরাধেন কুরবো নিধনং গতাঃ ॥১॥

যত্ত্বং পুত্রং দুরাত্মানমীর্ষুমত্যন্তমানিনম্ । দুর্য্যোধনং পুরস্কৃত্য দুষ্কৃতং সাধু মন্যসে ॥২॥

নিষ্ঠুরং বৈরপুরুষং বৃদ্ধানাং শাসনাতিগম্ । কথমাত্মকৃতং দোষং ময্যাধাতুমিহেচ্ছসি ॥৩॥

(যুগ্মকম্)

মৃতং বা যদি নষ্টং যোঽতীতমনুশোচতি । দুঃখেন লভতে দুঃখং দ্বাবনর্থৌ প্রপদ্যতে ॥৪॥

তপোঽর্থীয়ং ব্রাহ্মণী ধত্তে গর্ভং গৌর্বোঢারং ধাবিতারং তুরঙ্গী ।

শূদ্রা দাসং পশুপালঞ্চ বৈশ্যা বধার্থীয়ং ত্বদ্বিধা রাজপুত্রী ॥৫॥

শ্রীকৃষ্ণনা হায়ঃ— হৌগংতিয়, হৌগংতিয়, বংসাদ, গন্ধাররাজ নন্দিনী । হৌজিক ঋাননবগী শাউনববগী মতম নতে । মহারানী নঙ্গী দোষদগীসু অমুক য়াম্বসি অশিবগী খয়ারা তাঞ্রবান ॥১॥ মতুবা, বরুকমিহৌ চাউরবা, তম্‌থিরবা স্বভাবনা মহাক্কী ওইবা, সাধু মহাত্মা ওইবশিংদা শত্রুতা তম্বা, তহম কমনগী পাউতাক মনাকোংদা লেশমাত্র চাপুবা, নচা দুর্য্যোধনদুবু থাগৎলগা মানা চৎলম্মিবা থকসি থাসি নাইদবা ব্যবহারশিং অদুবু মহারানীনা অকবনি হায়না খনবিথি, হৌজিকমক্তু মাঙ থনবা তোকপিজ্রি । মখুনি মহারানীগী দোষ হায়বনি । নশাগী তৌখিবা থবক্তুগী দোষনা অমুক য়াম্ব কত্রবা, পোদোক অসি থোকহনগ্রগা অরেম্বদা কৃষ্ণ ঐঙোন্দা শাউবিরে, ঐবু নিন্দা তৌবিরি । জান্দবা মীদবু শাপ তৌবিরি । নশা নশাব তৌবা কর্ম্মশিংহুগী দোষবু অতৈ মীম্বা অমদা হৈথবিদোরিবা কন্নিগীনো ॥২-৩॥ শিত্রবা অমুগী শন্নুমনম্ম জাক্রুরোম্বদোবা, হৌথ্রবা দিষয় অমগী দমক রারিবশিং অতুদি অরাবগী মথক্তা অরাবা কংহুনা অমাঙবা অনীবু কংহুনা তোকই ॥৪॥ মচাহু তপস্যা করবা নিপা অম ওইগনি হায়বগী আশাদা ব্রাহ্মণী অমনা গর্ভ পুবনি । অম্মম্ব পোৎয়োম পুগনি, শম্পোৎনচিংবা থোমহুনা মীগী কায়বা তৌবা মচা অম ওইমকনি হায়বগী আশাদা শম্বী অমনা য়াম্মা রানা মচাবু গর্ভ মন্নুংদা

বৈশম্পায়ন উবাচ

তচ্ছ্রুত্বা বাসুদেবস্য পুনরুক্তং বচোঽপ্রিয়ং। তূষ্ণীং বভূব গান্ধারী শোকব্যাকুলচেতনা।৬।

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

যুধিষ্ঠির ! গতিং কাং তে গতাঃ পুরুষসত্তমাঃ। আচক্ষ্ব মে মহাবাহো ! সর্ব্বজ্ঞো হ্যসি মে মতঃ।৭।

যুধিষ্ঠি উবাচ

যৈর্হুতানি শরীরাণি হৃষ্টৈঃ পরমসংযুগে। দেবরাজসমাল্লোকান্ গতাস্তে সত্যবিক্রমাঃ।৮।
যে ত্বহৃষ্টেন মনসা মর্ত্তব্যমিতি ভারত !। যুধ্যমানা হতাঃ সংখ্যে গন্ধর্ব্বৈঃ সহ সঙ্গতাঃ।৯।
যে চ সংগ্রামভূমিষ্ঠা যাচমানাঃ পরাঙ্মুখাঃ। শস্ত্রেণ নিধনং প্রাপ্তা গতাস্তে গুহ্যকান্ প্রতি।১০।
পীড্যমানাঃ পরৈর্যে তু হীয়মানা নিরায়ুধাঃ। হ্রীনিষেবা মহাত্মানঃ পরানভিমুখা রণে।১১।
ছিদ্যমানাঃ শিতৈঃ শস্ত্রৈঃ ক্ষত্রধর্ম্মপরায়ণাঃ। হতাস্তে ব্রহ্মসদনং গতা বীরাঃ সুবর্চ্চসঃ।১২।

(যুগ্মকম্)

পূবনি। মচাহুমা মপূগী সেবা লাংবা য়াম্ন হৈবা মচা অম ওইরকপা য়াই হায়বগী আশাদা শূদ্রী অমনা মচাবু মবুক্ত পুহ্না লৈবনি। শন ইহোয়নচিংবা পুক্নিং চঙনা য়োক.না শন লম্.ম পুম্নমক চাওখৎনবা তোদা মীশক অম পোক্লকনি হায়বগী আশাদা বৈশ্য নুপী অমনা মবুক্ত মচাবু য়াম্ন য়ানা থা তম্না চুপ্প পুরিবনি। মচানা নীঙহম্নদবা লাম্বা মথ,াই থাবা ওম্বা মীশক ওইবা, ওইরকপা য়াই হায়বগী আশাদা ক্ষত্রিয়া নুপী অমনা মচা মবুক্তা থা তম্না চুপ্পা য়ারে মথৈ পূরিবনি ॥৫॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ ! জনমেজয় ! কৃষ্ণগী অসিগুম্বা ত্তাবা নুংঙাইতবা য়াসি তাবদা গান্ধারী অসি য়া মচেৎ অমত ঙাঙদনা তুমিন্ন লৈখি ॥৬॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—অকনবা ; যুধিষ্ঠির ! লান্দা লৈপ্রিত্রবা নিপা অংথোইবশিং অদো কনা কনানা কয়ম কয়ম্বা খুভম ফংখিবগে নংনা থওজবা খরহ তুক্ হয়ু। নং অসে, ঐগী য়াথঙ্দি বিষয় পুম্বা লোইনা খঙলবা মীশক অমনি হায়না খল্লি ॥৭॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়রকইঃ—মথ,াই ইন্নুং নুংঙাইনা লাঞ্জাওদা মথ,াক থাবা ওমখিবা, থাজৈ শেংনা কনবা মরিল লৈবশিং অতুদি ইন্দ্রলোক চৎখি ॥৮॥ ভরতনন্দন ! মহারাজ ! শিবা তারেদে।” হায়না থম্নুনা লাম্বা য়ানা মথ,াই থাখিবশিং অতুনা গন্ধর্ব্ব লোক য়ৌখি ॥৯॥ লাল য়াম্না কম্না শোক্লরকপনা য়ামনখিহুন লালকমদগী মমায় ওন্দুনা চেম্ন চেম্না য়েক্লবশিংগী মখূত্তা থরাই পাবাশিং অতুনা গুহ্যক লোক চৎখি ॥১০॥

অদুগা য়েক্লবশিংনা থাজিল কুঁজম্নকপদা অকনবা চৈনা অমদি অরা অনা কংহুনা য়াম্ন শোম্বরক্লবম্ন অতুগা মথুত্তা খুংলায় য়াওজ্রবম্ন মশাগী ইজ্জৎ চাক্ংনা য়েক্লবয়োমদা চঙশম্নুবা য়েক্লবগী থৌরবা খুংলায়গী মচীন্দা মথ,াই বাখিবা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মা পুক্নিং চঙবা মহাত্মাশিং

যে ত্বত্র নিহতা রাজন্ ! অন্তরায়োধনং প্রতি । যথাকথঞ্চিৎ পুণ্যাত্মে গতা স্তান্তাং গতিম্ ।১৩।

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

কেন জ্ঞানবলেনৈবং পুত্র ! পশ্যসি সিদ্ধবৎ । তন্মে বদ মহাবাহো । শ্রোতব্যং যদি মন্যসে ।১৪।

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

নিদেশাত্তবতঃ পূর্ব্বং বনে বিচরতা ময়া । তীর্থযাত্রাপ্রসঙ্গেন সংপ্রাপ্তোঽয়মনুগ্রহঃ ।১৫।

দেবর্ষির্লোমশো দৃষ্টস্ততঃ প্রাপ্তোঽস্ম্যনুস্মৃতিম্ । দিব্যং চক্ষুরপি প্রাপ্তং জ্ঞানযোগেন বৈ পুরা ।১৬।

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

যে ত্বনাথা জনাস্তাত ! নাথবন্তশ্চ পাণ্ডব ! কচ্চিত্তেষাম শরীরাণি ধক্ষ্যন্তি বিধিপূর্ব্বকম্ ।১৭।

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

ন যেষাং সন্তি কর্ত্তারো ন চ যেঽত্রাহিতাগ্নয়ঃ । বয়ঞ্চ তেষাং কুর্য্যামো বহুত্বাত্তাত ! কর্ম্মণাম্ ।১৮।

যান্ সুপর্ণাশ্চ গৃধ্রাশ্চ বিকর্ষন্তি ততস্ততঃ । তেষাং সংকর্ষণা লোকা ভবিষ্যন্তি ন সংশয়ঃ ।১৯।

অদুদি নিঙথিজরবা মুর্ত্তি পুন্না ব্রহ্মলোক য়োথি ॥১১–১২॥ মহারাজ ! লাল্লক্লা কয়িগুম্বা শিথিবশিং অদুদি উত্তর কুরুদেশদা পোকই ॥১৩॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— অকনবগী মচা অকনবা তপস্যানা সিদ্ধ ওইরবা মহাপুরুষশিংনা তৌবগুম্না নহাক্না কয়িগুম্বা নশাগী থওজবা অদুগা তাব য়াবা কয়িগুম্বা উবা থওবা লৈরবস্নু মাদু ঐঙোন্দসু তাহল্লু ॥১৪॥ যুধিষ্ঠিরনাঃ— মহারাজ ! মহারাজগী য়াথং মতুংইন্না অদুগা বনদা চৎলিঙৈ মতমদা তীর্থ অসুম কোয়রকপদা হায়বিশ্রিবা তপস্যাগী শক্তি অদো কনাগুম্ব মহর্ষি অমগী থৌজান্দুগী ঐনা ফংজখি ॥১৫॥ নোংমা ঐনা বনগী মনুংদা তীর্থ অসুম কোয়রকপদা লোমশ কৌবা মুনিদুগী দর্শন ফংখি । মহাক্না দিব্য জ্ঞানগী শক্তিদগী মাগী মকমদগী ঐনা দিব্য জ্ঞান অমদি দিব্যচক্ষু [দিব্যদৃষ্টি] সু ফংজখি ॥১৬॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— পাণ্ডুনন্দন ! অহল লমন লৈরিবা অদুগা মপা মমা অহল লমন শাগৈ নাতৈ লৈজ্রবা মথোয়গী অশিবা মশাশিং অসে চপ মান্না বিধি কায়দনা মৈদা সংস্কার তৌ-থোকজ্রা ? ॥১৭॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ— ঈপল্ ঈবুঙো, নিংথৌ ! অন্ত্যেষ্টি ক্রিয়া হায়বদি পুন-শিগী অয়োইবা মহাযজ্ঞগী মশক ওইরবা সংস্কার তৌবা যাদবশিং অদুগী সংস্কারদি ঐথোয়মক্না তৌবিরগদৌবনি । মরমদি সংস্কার তৌবিননবগী অধিকার অসি মথল মথা য়াম্ন শাস্ত্রদা হায়রে ॥১৮॥ লাওজানচিংবনা চিংদুনা পুরিবশিং অসি সংকর্ষন হায়না কৌবা লোক অদুদা

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবমুক্ত্বা মহাপ্রাজ্ঞঃ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। আদিদেশ সুধর্ম্মাণং ধৌম্যং সূতঞ্চ সঞ্জয়ম্ ॥২০॥
বিদুরঞ্চ মহাবুদ্ধিং যুযুৎসুঞ্চৈব কৌরবম্। ইন্দ্রসেনমুখাংশ্চৈব ভৃত্যান্ সূতাংশ্চ সর্ব্বশঃ ॥২১॥

(যুগ্মকম্)

ভবন্তঃ কারয়ন্ত্বেষাং প্রেতকার্য্যাণ্যনেকশঃ। যথা চানাথবৎ কিঞ্চিচ্ছরীরং ন বিনশ্যতি ॥২২॥
শাসনাদ্ধর্ম্মরাজস্য ক্ষত্তা সূতশ্চ সঞ্জয়ঃ। সুধর্ম্মা ধৌম্যসহিত ইন্দ্রসেনাদয়স্তথা ॥২৩॥
চন্দনাগুরুকাষ্ঠানি তথা কালীয়কান্যুত। ঘৃতং তৈলঞ্চ গন্ধাংশ্চ ক্ষৌমাণি বসনানি চ ॥২৪॥
সমাহৃত্য মহার্হাণি দারুণাঞ্চৈব সঞ্চয়ান্। রথাংশ্চ মৃদিতাংস্তত্র নানাপ্রহরণানি চ ॥২৫॥
চিতাঃ কৃত্বা প্রযত্নেন যথামুখ্যান্নরাধিপ॥ দাহয়ামাসুরব্যগ্রা বিধিদৃষ্টেন কর্ম্মণা ॥২৬॥

(কলাপকম্)

চৎথগদবনি, মসিদা কপিবস্তু চিংনকম লৈতে ॥১৯॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহাজ্ঞানী ওইবা কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না হায়রগা সুধর্ম্মা, ধৌম্য, সূতবংশগী সঞ্জয়, মহাজ্ঞানী বিদুর, কুরু বংশগী যুযুৎসু অদুগা ইন্দ্রসেন অসিনচিংবদা অদুগা মীনায় মীশল, সূতনচিংবদা য়াথঃ পীথ্রে ॥২০—২১॥ লৈরিবা মহামসিনা লান্দা লৈখিত্রিবশিংগী শ্রাদ্ধনচিংবা প্রেত কর্ম্ম পুম্বা পাঙথোক্কবা তৌবিয়ু। কনাগুম কনাগুম লৈতত্রবগুম্না কনা অমতগী হকচাংশিংসে অরেম্বদা মাঙখিদনবা তৌহনবিয়ু ॥২২॥ মহারাজ! অদুদগীদি যুধিষ্ঠিরগী য়াথং মতুংইন্না ধৌম্যাচার্য্যগা লোয়নবা সুধর্ম্মা, বিদুর সূতবংশগী সঞ্জয়, অদুগা ইন্দ্রসেননচিংবা মীনায় মীশলশিংনা চন্দন, অগুরু, মনম্ তুংশিনবা কালীয়ক কৌবা উগী উশা, ঘী, থাউ অতোপ অতেম্প মনম্ তুংশিনবা পোৎচৈ খিবিক, মমল য়াম্লবা কিরোল শীং মপৈ মপৈ তেক্লবা রথশিংদুগী উ মরাম অদুগা লিরুং তেলনচিংবা মরাম অদু থোমজিল পৈৎখত্না মাতুনা চিতা শেমদুনা অহল নহা অচৌ অপিক মথং মনাও কায়দনা সংস্কার তৌখ্রে ॥২৩—২৬॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! সুধর্ম্মা ধৌম্যনচিংবা অহৈ অশিংশিংনা মাগী মাগী জাতিগী অমদি জাতিগী মিশিংদুবু মৈসুংদা ঘী থাউনচিংবা হৈজিলহন্দুনা মাত্রদা নিংথৌ দুর্য্যোধন মাগী মনাওশিং, শল্য শল, ভূরিশ্রবা জয়দ্রথ অভিমন্যু দুঃশাসনগী মচাশিং লক্ষমন বৃষ্টকেতু বৃহদ্বল সোমদত্ত, চামদগী হেম্বা সৃঞ্জয়শিং, ক্ষেমধন্বা, বিরাট দ্রুপদ পাঞ্চাল নিংথৌ মচা শিখণ্ডী, পৃষতকি মচা ধৃষ্টদ্যুম্ন কল্লবা যুধমন্যু উত্তমোজা কোশল নিংথৌ দ্রৌপদিগী মচাশিং সুবলগী মচা শকুনি অচল বৃষক নিংথৌ ভগদত্ত মচাশিংগা লোয়নবা শাউগনবা বৈকর্ত্তন কর্ণ

দুর্য্যোধনঞ্চ রাজানং ভ্রাতৄংশ্চাস্য শতাধিকান্ । শল্যং শলঞ্চ রাজানং ভূরিশ্রবসমেব চ ।২৭।
জয়দ্রথঞ্চ রাজানমভিমন্যুঞ্চ ভারত ।। দৌঃশাসনিং লক্ষ্মণঞ্চ ধৃষ্টকেতুঞ্চ পার্থিবম্ ।২৮।
বৃহন্তং সোমদত্তং সৃঞ্জয়াংশ্চ শতাধিকান্ । রাজানং ক্ষেমধন্বানং বিরাটদ্রুপদৌ তথা ।২৯।
শিখণ্ডিনঞ্চ পাঞ্চাল্যং ধৃষ্টদ্যুম্নঞ্চ পার্ষতম্ । যুধামন্যুঞ্চ বিক্রান্তমুত্তমৌজসমেব চ ।৩০।
কৌশল্যং দ্রৌপদেয়াংশ্চ শকুনিঞ্চাপি সৌবলম্ । অচলং বৃষকঞ্চৈব ভগদত্তঞ্চ পার্থিবম্ ।৩১।
কর্ণং বৈকর্ত্তনঞ্চৈব সহপুত্রমমর্ষণম্ । কৈকেয়াংশ্চ মহেষ্বাসাংস্ত্রিগর্ত্তাংশ্চ মহারথান্ ।৩২।
ঘটোৎকচং রাক্ষসেন্দ্রং বকভ্রাতরমেব চ । অলম্বুষং চ রাজেন্দ্রং জলসন্ধঞ্চ পার্থিবম্ ।৩৩।
অন্যাংশ্চ পার্থিবান্ রাজন্ শতশোঽথ সহস্রশঃ । ঘৃতধারাহুতৈর্দীপ্তৈঃ পাবকৈঃ সমদাহয়ন্ ।৩৪।
(কুলকম্)

পিতৃমেধাশ্চ কেষাঞ্চিৎ প্রাবর্ত্তন্ত মহাত্মনাম্ । সামভিশ্চাপ্যগায়ন্ত তেঽন্বশোচ্যন্ত চাপরৈঃ ।৩৫।
সাম্নামৃচাঞ্চ নাদেন স্ত্রীণাঞ্চ রুদিতস্বনৈঃ । কশ্মলং সর্ব্বভূতানাং নিশায়াং সমপদ্যত ।৩৬।
তে বিধূমাঃ প্রদীপ্তাশ্চ দীপ্যমানাশ্চ পাবকাঃ । নভসীবান্বদৃশ্যন্ত গ্রহাস্তন্বভ্রসংবৃতাঃ ।৩৭।
যে চাপ্যনাথাস্তত্রাসন্ নানাদেশসমাগতাঃ । তাংশ্চ সর্ব্বান্ সমানায্য রাশীন্ কৃত্বা সহস্রশঃ ।৩৮।
চিত্বা দারুভিরব্যগ্রৈঃ প্রভূতৈঃ স্নেহতাপিতৈঃ । দাহয়ামাস বিদুরো ধর্ম্মরাজস্য শাসনাৎ ।৩৯।
(যুগ্মকম্)

কারয়িত্বা ক্রিয়াস্তেষাং কুরুরাজো যুধিষ্ঠিরঃ । ধৃতরাষ্ট্রং পুরস্কৃত্য গঙ্গামভিমুখোঽগমৎ ।৪০।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি
শ্রাদ্ধে যুদ্ধমৃতানামৌর্দ্ধদেহিকে ষড়্বিংশোঽধ্যায়ঃ ।০।

——:০:— —

মহারথী ওইরবা কৈরবশিং ত্রিগর্ত্তগী মহারথীশিং হিংচাবা অথোইবা ঘটোৎকচ বককি মনাও হিংচাবা অথোইবা অলম্বুষ নিংথৌ জলসন্ধ অসি নত্তবা অতোপ অতোপ্পা নিংথৌ চামা চামা শিংশিং শিংশিংবু দাহ তৌহনখ্রে ॥২৭—৩৪॥ মহক্না ওইবা কনা কনাগী দমক্তা বৃষোৎসর্গ নচিংবা প্রেতকর্ম্ম তৌখি । অয়াম্বা সামগানি শকপ হৈবশিংনা সামবেদ সংহিতাগী মন্ত্র পাঠ তৌখি । মাগী মাগী শাগ নাতেগী মিশিংনা বপ্প কাউনখি ॥৩৫॥ অহিং অয়ুমদি নুপী নহাশিংগী বপ্প অউখংগী খোঞ্জেলগা সামবেদ ঋগ্বেদ পাঠকী মখোলগা অমত ওইমিন্নখিবা ধ্বনি অদুনা ফিব পানবা পুম্নমক্কি থম্মোইদা শুপ্রকনবগী বিষক অম ওইনা থোকখ্রে ॥৩৬॥ মতম অদুদা চাবকক্লবপা মৈখু থাদবা মৈরিশিং অদুনা নোংমদে মক্তা হাইগৎলরক্পগুদা নোং কুংনা মথক আকাশদা থোবপা গ্রহ নক্ষত্রশিংগুম্বা ঊরং ঊরা লংনা চাক্তুনা লৈখি ॥৩৭॥ অতৌ অতৌ অয়াম্বা দেশশিংদগী লাকপা অহল কমন য়াওরবা মখোয়গী দমক্তা যুধিষ্ঠীরগী য়াথং মতুং ইন্না বিদুরনা মঙ্গী শীং মপে মপে পুশিন্দুনা ঘী থাউ য়াম্ন য়াম্না হৈজিনহন্দুনা সংস্কার অদু য়াং কায়না মতোল লোয়হনখি ॥৩৮—৩৯॥ কুরুরাজ যুধিষ্ঠিরনা মখোয় পুম্নমক্কী সংস্কার-নচিংবা প্রেত কর্ম্ম পুম্বা তৌরবা তুংদা ধৃতরাষ্ট্রনা মাঙ লাকদুনা গঙ্গারোমদা খোঙথাল্লকই ॥৪০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলাখশিং চায়না শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা শ্রাদ্ধগী মমুংদা ঔর্দ্ধদৈহিককি কুন্তরুবগুবা অধ্যায় লোইরে ॥

মহাভারতম্

(কর্ণবু মচানি হায়না তাকথোক্লকপা)

সপ্তবিংশোঽধ্যায়ঃ

কুন্তরেংগুবা অধ্যায় ।

বৈশম্পায়ন উবাচ

তে সমাসাদ্য গঙ্গান্তু শিবাং পুণ্যজলান্বিতাম্ । হ্রদিনীঞ্চ প্রসন্নাঞ্চ মহারূপাং মহাবনাম্ ।১।

ভূষণান্যুত্তরীয়াণি বেষ্টনান্যবমুচ্য চ । ততঃ পিতৃণাং ভ্রাতৃণাং পৌত্রাণাং স্বজনস্য চ ।২।

পুত্রাণামার্য্যকাণাঞ্চ পতীনাঞ্চ কুরুস্ত্রিয়ঃ । উদকং চক্রিরে সর্ব্বা রুদত্যো ভৃশদুঃখিতাঃ ।

সুহৃদাঞ্চাপি ধর্ম্মজ্ঞাঃ প্রচক্রুঃ সলিলক্রিয়াঃ ।৩।

(বিশেষকম্)

উদকে ক্রিয়মাণে তু বীরাণাং বীরপত্নিভিঃ । সুপতীর্থাভবদ্গঙ্গা ভূয়ো বৈ ঃপ্রসসার চ ।৪।

তন্মহোদধিসঙ্কাশং নিরানন্দমনুৎসবম্ । বীরপত্নীভিরাকীর্ণং গঙ্গাতীরমশোভত ।৫।

ততঃ কুন্তী মহারাজ । সহসা শোককর্ষিতা । রুদতী মন্দয়া বাচা পুত্রান্ বচনমব্রবীৎ ।৬।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—যুধিষ্ঠিরবচিংবা ধর্ম্ম খঙলবশিংদুনা পুন্যচেন্নবী, শেংলবী, নুরবী, উবদা ফুংঙাইনবগী মশক পূরবী তরুতরুরবী পাক চাউরবী তোর্বান কাঙপুা বনউপবন কয়া লৈরবী, গঙ্গা নদীদা কুমথরকদুনা মাগী মাগী লান্‌গী পোৎসি পোৎলোই অদুগা কোয়েৎ লুহম্বনচিংবা লৌথোক্ল,বা বিধি কায়দনা স্নান তৌরগা লান্দা লৈথিদবা মপামপল মচিন্নাও মচামচা শাগৈনাত্তে ভাইশেল, মরুপমপাং অসি নত্তবা কয়িস্য থোক্লদবা অকনবা ক্ষত্রিয়শিং অদুগীদমক তর্পণ তৌরকই । নুপী লুশ্রাবীশিং অদুসু কপনা কপনা মাগী মপুরোয়বশিং অদুগীদমক্ গঙ্গাদা কুমথদুনা তর্পণ তৌই ॥১—৩॥ অকনবগী লোয়নবীশিং অদুনা অকনবা মপুরোয়বশিং অদুগীদমক তর্পণ তৌগে হায়না কুমথনরকপা মতম অদুদা ভাগীরথী গঙ্গানসু হায়দগী ময়াক্ থর পাক্‌থোকলকপগুম তোই ॥৪॥ মতম অদুদা পাক্লবা ঈপাক তোর্বানগী মতৌগুম্বা গঙ্গা তোর্বান অদুম্ব থকপ ময়াওদুনা পুমনিন নিন্নবসু নীওথিজয়বীশিং অদুনা হিদেন্দা মপৈ মপৈ কুমথরকপদুদা থোইনবু নীঙথিজে ॥৫॥ মহারাজ । মতম অসিদা কুন্তী দেবী থম্মোয়শোক্লা কপ কপা য়াহৈ মচেৎ মচেৎ অইনা মচা পাণ্ডবশিংদা অসুমা হায়রকই ঃ- ॥৬॥ ঈচাশা । মাও মহাধনুর্দ্ধারী অইবা, থব পূরমকপু

যঃ স শূরো মহেষ্বাসো রথযূথপযূথপঃ । অর্জ্জুনেন হতঃ সংখ্যে বীরলক্ষণলক্ষিতঃ ॥৭॥
যং সূতপুত্রং মন্যধ্বং রাধেয়মিতি পাণ্ডবাঃ । । যো ব্যরাজচ্চমূমধ্যে দিবাকর ইব প্রভুঃ ॥৮॥
প্রত্যযুধ্যত যঃ সর্ব্বান্ পুরা বঃ সপদানুগান্ । দুর্য্যোধনবলং সর্ব্বং যঃ প্রকর্ষন্ ব্যরোচত ॥৯॥
যস্য নাস্তি সমো বীর্য্যে পৃথিব্যামপি কশ্চন । যো বৃণীত যশঃ শূরঃ প্রাণৈরপি সদা ভুবি ॥১০॥
কর্ণস্য সত্যসন্ধস্য সংগ্রামেষ্বপলায়িনঃ । কুরুধ্বমুদকং তস্য ভ্রাতুরক্লিষ্টকর্ম্মণঃ ॥১১॥
(কুলকম্)

স হি বঃ পূর্ব্বজো ভ্রাতা ভাস্করান্ময্যজায়ত । কুণ্ডলী কবচী শূরো দিবাকরসমপ্রভঃ ॥১২॥
শ্রুত্বা তু পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে মাতুর্বচনমপ্রিয়ম্ । কর্ণমেবানুশোচন্তো ভূয়শ্চাত্যাতুরা ভবন্ ॥১৩॥
ততঃ স পুরুষব্যাঘ্রঃ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ । উবাচ মাতরং বীরো নিশ্বসন্নিব পন্নগঃ ॥১৪॥
যস্যেষুপাতমাসাদ্য কোঽন্যস্তিষ্ঠেদ্ধনঞ্জয়াৎ । কথং পুত্রো ভবত্যাঃ স দেবগর্ভঃ পুরাভবৎ ।
কুণ্ডলী কবচী শূরো দিবাকরসমপ্রভঃ ॥১৫॥
যস্য তাবপ্রতাপেন তাপিতাঃ সর্ব্বতো বয়ম্ । তমগ্নিমিব বস্ত্রেণ কথং ছাদিতবত্যসি ॥১৬॥

ঙাকশেনবশিংদু মাকয় ঙাকশেনবিরম্বা অকনবা অমগী লক্ষণশুম পূম্নমক্লা তিল্লবা' অকনবা অচৌবা অর্জ্জুননা হ ৎকে হায়না রাশকৃথিবা অদুগা হাৎসু হাৎখিবা, মহাক্ অচুবা নখোয়না শুত্র মচানি রাধা কোবীগুনা পোকপনি হায়না খলখিবা, লাম্নী ময়ক্ত সুমিৎকী মতোংগুম্না মতীক্ মগুণ মশেক্ মঙাম্না পুমলংলংনা ঙাম্নোহৈরম্বা' মথন্তুনা নখোয় মীপূম শীংনা থেংনরম্বা দুর্য্যোধনগী অচুক পাকচাউরবা লাম্মী তেঙ্গোলবু মথন্তুনা লুচিংদুনা পুরম্বা পৃথিবীদা মাঙম্না কনবা অম লৈরমদবা মথৎাই থাদোকতুনা মিংচৎত তানগে হোৎনরম্বা, লান্দা চেন্দবা লায়না খবক্ পাথোকঙম্বা, রাশকচেৎপা, দানহৈবা পাণ্ডব নখোয় মঙাগী খরাইগী অহল নয়াম্বা কর্ণদুগী তর্পণ"তৌ ॥৭—১১॥ ময়মদি কর্ণ হায়বদো সূর্য্যদেবগী তেজদগী ঐগী গর্ভদগী কুণ্ডল নাইনগা কবচ (লাল ফুরিৎ) গা লোয়নননা, সূর্য্যদেবমক্কী তেজ পূত্তুনা পোকৃখিবনি । অদুনা মহাক্তি নখোয় খ্বাইমক্কী অহন্নি" ॥১২॥ মতম অদুদা পাণ্ডবশিংনা মমা কুন্তীগী মচিন্দগী অদুগুম্বা তাবা নুংঙাইতবা রাঙ্গু তাবদা কর্ণগী ময়মদা থম্মোয় পূবা য়াদনা অরাবা কোঙদোয়কুই । মখোয় মঙামক্ থম্মোয় শোক্না নুংঙাইখিদতুনা তুমিন লৈ ॥১৩॥ অদুগী তুংদা কল্লবা নিপা অখোয়বা কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠিরনা মহূ পুরবা লিলগী মতৌগুম নুংশা মপী শাংনা হোন্দুনা অসুম্না হায়রকুই ॥১৪॥ আঃ । তোঙ্গিদা ঈমা । অর্জ্জুন নত্তনা অগত্তা মাগী তেলগী থুকাপপু থাঙবা ঙমগদবা মিশক্ অমত লৈখিদবা, অদুগা নোংমদোম্বক্কী লাইগী তেজদগী পোকখিবা কর্ণনা মতৌ করম্না ঈমাগী নচা ওইখিবা । মতৌ করম্না অকনবা অদুনা কবচগা কুণ্ডল নাইনগা লোয়নননা নুমিৎমক্কি তেজগী মতৌগুম্বা তেজদুগা লোয়নননা তাইবং মীগী গর্ভদা পোকখিবা । ॥১৫॥ ঈমা । অকনবা মাগী মপান্থোম্ পাঙ্গলবু খল্লবদা ঐখোয়পুম্বা অহিং নুংথিন্দা পোথাকম্

যস্য [illegible]বলং নিত্যং ধার্ত্তরাষ্ট্রৈ[illegible]সিতম্ । উপাসিতং যথা যাতির্বলং গাণ্ডীবধন্বনঃ ।১৭।
ভূমিপালাশ্চ সর্ব্বেষাং বলং [illegible] । নাগঃ কুন্তিসুতং কর্ণানগৃহ্ণাদবিনো রথী ।১৮।
স নঃ [illegible] স তং [illegible] । অস্তু তং ভবত্যগ্রে কর্ণাদুর্দ্দানক্রমম্ ।১৯।
অহো ভবতা মহ্য পুত্রাণাং [illegible] । নিধনান্তি কর্ণস্য পিতৃভিঃ স্ম সবান্ধবাঃ ।২০
অভিমন্যোর্বিনাশেন দ্রৌপদেয়াস্তথা চ । পাঞ্চালানাঞ্চ নাশেন কৃষ্ণঃ পতনেন চ ।২১।
তমঃ শরপ্রাং [illegible] । কাশিনাঙ্গুলোচন্ হি সংদগ্ধেহগ্নাবিবাহিতঃ ।২২।
নেহ স্ম কিঞ্চিদল্পোপায়ং ভবেদ্যাং স্থিতম্ । ন চ স্ম বৈশসং ঘোরং কৌরবান্তকরং ভবেৎ ॥২৩।
এবং বিলপ্য বহুধা [illegible] । বিনদন্ দুঃখিতো রাজা চকারাম্ভোদকং প্রভুঃ ।২৪।

খওদনা থম্মোয়দা আকবগা [illegible] চাকথিবা রাংখবা অদুগা মৈবু কিন কুপ্তুনা মতম কুইনা থম্বা যাদবগুম লোৎপ হুরাবাইদৌনা অচুম্বা মীশকপু ঈমানা অসুক কুইনা কবিগী লোত্তুনা থম্বিরম্লিব ? ॥ ৬॥ পাণ্ডব ঐথোয়না মতম পুম্বদা অর্জুনগী মপান্নল মতৈগী মথক্তো আশাপুম্বা থম্বিবাসক্তম্বা, কৌরবপক্ষগী লান্মিশিংনা অদুগা দুর্য্যোধন দুঃশাসননচিংবা মচিন্মনাও পুম্মক্তা অকনবা কর্ণ মাগী মথক্তা জয় ওইবগী আশাপুম্বা থমখিবনি ॥১৭॥ কর্ণ নম্বনা কনাগুম্বা রথী মহারথী অমতনা পাণ্ডব পক্ষগী লান্মি নিংথৌ ময়ামগী মায়োক য়াবা ভমখিদবনি ॥১৮॥ খুৎলায় পায়বগী মনুংদা খাইদগী অথোইবা কল্লবা কর্ণবু ঐথোয়গী ঈয়াম্বা অর্জুন হায়বা ? ঈমা ! নহাক্না লাইগুম্বা, অস্তকপা কংনা মতিক মগুণ মপান্নল লৈবা মহাপুরুষ অদুবুদি করম্না নচাওইনা পোকপ্রবনো। ॥১৯॥ আঃ ! ওস্থোকপনিদা ! ঈমা নহাক্না লোৎপা য়াদবা বিষয অদুবু লোত্তুনা থম্বিরম্বনা ঐথোয়দ হৌজিক লোইনা মাণ্ডতাক্রবগুম্বনি । কর্ণ হাৎখিবলিদা শাগৈ নাতৈগা লোয়ননা ঐথোয় পুম্মক মথাতানিংঙাই লৈতনা থম্মোয় শোক্না য়াবা কংলে। ॥২০॥ অভিমন্যুনা শিখিব, দ্রৌপদীগী মচাশিংবু তুম্মিতৈদা হাৎখিবা, পাঞ্চাল ময়াম্ব, হাৎখিবা, অদুগা কৌরবশিং পুম্মক্না লোইনা ভুমখিবা, — অসিদা ঐথোয় হায়দগী য়ায়াম্ব য়ানা লৈরক্লিবনি ॥২১॥ অদুবু ঈমা ! অরাবা ময়াম পুল্লপ অদুদগী কর্ণ হাৎখিবগী অনুতাপনা শরুক চামা হেন্না লুমগ্রে । পুবা থাংবা ওস্মোইদৌরি । আঃ ! কর্ণ হাৎখিবগী অনুতাপকী মৈনা ঐ অসি হৌজক মৈনুংদা কনাগুম্বনা লংশিনবিবগুম্বা পুমচাক্ চাক্লে ॥২২॥ কর্ণ হায়বদুনা করিগুম্বা লৈরম্বা খোল্লবাদ মাগা অমত ওইনা ভিন্নরবদা জগত্তা ঐথোয়না কংলোইদোবা পোশক অমত লৈরোইদোবনি । স্বর্গ রাজ্য সিংহাসন কাওবা কংগুমগদোবনি, কুরুবংশা পুম্বগী মাণ্ডনতাক্লনবগী মশক ওইরবা ভমখিরবা লাপ্পাও অসিমু থক থোক্লম্মোইদবনিকো। ॥২৩॥ ওস্তুম হায়না নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা য়ায়া খোল্লেল হৌনা তেংথা নাওইনা কপ্ল কপ্ল কর্ণগীদমক্তা

ততো বিনেদুঃ সহসা স্ত্রিয়স্তাঃ খলু সর্ব্বশঃ । অভিতো যাঃ স্থিতাস্তত্র তস্মিন্নুদককর্ম্মণি ।২৫।

তত আনায়য়ামাস কর্ণস্য সপরিচ্ছদাঃ । স্ত্রিয়ঃ কুরুপতির্ধীমান্ ভ্রাতুঃ প্রেমণা যুধিষ্ঠিরঃ ।২৬।

স তাভিঃ সহ ধর্ম্মাত্মা প্রেতকৃত্যমনন্তরম্ । কৃত্বোত্ততার গঙ্গায়াঃ সলিলাদাকুলেন্দ্রিয় ।২৭।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং স্ত্রীপর্ব্বণি

শ্রাদ্ধে কর্ণস্য গূঢ়পুত্রত্বকথনে সপ্তবিংশোঽধ্যায়ঃ ।০।

সমাপ্তঞ্চেদং স্ত্রীপর্ব্ব ॥০॥

——:*:——

গঙ্গাদা তর্পণ তৌখ ॥২৪॥ তর্পণ তৌরবপা মতমসিদা অকোয়বদা লৈরিবী নুপীশিং অমুসু কপচবতনা তর্পণ তৌবগুম্না খোঙ্গেল হৌনা তেংখা নাওইনা কপলক্লি ॥২৫॥ অদুগী তুংদা কুরুরাজ যুধিষ্ঠিরনা মম্নাম্বা কর্ণবু মুংশিন্নকপদগী কর্ণগী খোঙলোয়শিং অদুগা নুপীনহাশিং তর্পন তৌরিবা মকম অদুদা পুশিনহল্লবই ॥২৬॥ অদুগী তুংদা ধর্ম্মাত্মা ওইরবা যুধিষ্ঠিরনা কর্ণগী লোয়নবী নুপ্রাবীশিং অদুগা লোয়ননা কর্ণগীদমক তর্পন তৌরবা তুংদা য়াম্না নুংঙাইতনা মায়থোং লাংশিন্না গঙ্গাদগী তৌর্কখান্দা কাখৎলকই ॥২৭॥ ।

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামমা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা স্ত্রীপর্ব্বদা "শ্রাদ্ধ" গী মখুংদা "কর্ণগূঢ়পুত্রত্বকথন" গী কুন্থরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে।

মহাভারতকী স্ত্রীপর্ব্বসু

অসিরাইদা লোইরে ।

———:*:———

-ঃ শান্তি-পর্ব্ব ঃ-

শান্তি পর্ব্বদা

মঙ্গল নিজবা

" ঙৈগী মাগী " অরানবা
বাখল অনীগী পক্ষ' নীদা
লেপ্লদুনা মীচঙ খোঙ্লদুনা
তাইবং লাঙ্গাও লালফমদা
অপাম্বা-মিতোবা-অশাওবা
নাপল থুংলায় মরক্তা
মচা মপা মচীন মনাও
হাৎনবদা হল্লেঙনদ্রবা
মায়াদ কোঙ্গোলগুম তাউরবা
জাবশিংবু ঙমলে মায়থীরে
হায়বগী অৱা নুংঙাই ইপোমদা
চোংদুনা শাহ্লগা মায়াগী
লীলাবু মায়া রথদা তোংনা
তোপনা কুম্মে য়েংগনবা !
লীলাধারী বাসুদেব !
লাম্মীশিংগী মরক্তা শান্তিগী মন্ত্র পানহৈবা
ভীষ্ম ব্যাসগী শক্লোল পুদুনা
জগত্তা শান্তিসু পীবিবা হরি !
মহাভারত পুরানগী শান্তিপর্ব্ব মতাংবু
শান্তিদা মপুংফানবু ইমারোম্দা হন্দোকপা
ঙমহনবিয় অপঙববু শান্তমূর্ত্তি বাসুদেব !

মহাভারতম্

—:*:—

শান্তি-পর্ব্ব

—(:*:)—

(কর্ণ মশক্ থংলকপাগী মতাং)

প্রথমোঽধ্যায়ঃ।

—:•:—

নারায়ণং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমম্।

দেবীং সরস্বতীঞ্চৈব ততোজয়মুদীরয়েৎ ॥

— —:*:— —

পোকপ লিবনাইদবা, কনাবুসু হাংদবা কাননসু হাংদবিরবা, অংচত দেহ পুম্বদা মশামথনতনা মতম অমতদা লৈহনা অমত্তু অমনা মচাওম এমনা অমত্তু যেংবগুম ময়ামকুম থাদৈশেংবা মশক্তি থংহন্দনা উহন্দুনা কোয়চেলচেন্দুনা শান্দবিবা নরঃ [জীবাত্মা] অমগ নর [জীব পুরুষ অমগী তুংনকম নারায়ন { পরমাত্মা } অনিমু পুম্নমকতনা অনিগী ওন লীলাবু শকচ শোঙদনা। নরনারায়ন {কৃষ্ণ অর্জুন} অনিগী লীলা মহাভারত কৌরবু মথা শকথনববনি। থংনচৈনা, মুরথনবা কল্পক যেংবিনবা অশিনাচিংবা মায়াগী কর্ম কহা তৌরম্বগা নর { জীবাত্মা } নারায়ন { পরমাত্মা' } গা তিন্নবিহনা মহা শান্তি কাংবিবহনবা সুখ শান্তি কাংনবা শান্তিপর্ব্বসিবু ইজরমগদৌবাসিনি। নরনারায়ণ অনিবু অমগা সরস্বতী দেবীবুসু খুকমজগনি খুরুমজরবা তুং অসিদা মহাভারতপু শক্ শোনগদৌবনি।

---

* টীকা:— তাইবং জীবনা অমগমগ মশক্ মুম থওনদবনা মুমিৎচুম থংনচৈনহনা, হাংন থিরহনা, অমুক নোকমিম্র অমুক কপমিম্রা, অমুক য়েংথিনা অমুক দুংশিননা তরওদা তাউহনা অশান্তিদা মতম লেপ্লি। কর্ণবু অর্জুননা মশক থওবিদে, অহনা কোন্থংদা লাল ওয়াসু মাগী পুক্নিংদা লৈতে শান্তি। অহুগীদমক্তা শান্তি লৈননবা শান্তিপর্ব্ববু মথা লেংথরি।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

কৃতোদকাস্তে সুহৃদাং সর্ব্বেষাং পাণ্ডুনন্দনাঃ। বিদুরো ধৃতরাষ্ট্রশ্চ সর্ব্বাশ্চ ভরতস্ত্রিয়ঃ ॥১॥
তত্র তে সুমহাত্মানো ন্যবসন্ পাণ্ডুনন্দনাঃ। শৌচং নিবর্ত্তয়িষ্যন্তো মাসমাত্রং বহিঃ পুরাৎ ॥২॥
কৃতোদকন্তু রাজানং ধর্ম্মপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্। অভিজগ্মুর্মহাত্মানঃ সিদ্ধা ব্রহ্মর্ষিসত্তমাঃ ॥৩॥
দ্বৈপায়নো নারদশ্চ দেবলশ্চ মহানৃষিঃ। দেবস্থানশ্চ কণ্বশ্চ তেষাং শিষ্যাশ্চ সত্তমাঃ ॥৪॥
অন্যে চ বেদবিদ্বাংসঃ কৃতপ্রজ্ঞা দ্বিজাতয়ঃ। গৃহস্থাঃ স্নাতকাঃ সন্তো দদৃশুঃ কুরুসত্তমম্ ॥৫॥
। যুগ্মকম্

অভিগম্য মহাত্মানঃ পূজিতাশ্চ যথাবিধি। আসনেষু মহার্হেষু বিবিশুস্তে মহর্ষয়ঃ ॥৬॥
প্রতিগৃহ্য ততঃ পূজাং তৎকালসদৃশীং তদা। পর্য্যুপাসন্ যথান্যায়ং পরিবার্য্য যুধিষ্ঠিরম্ ॥৭॥
পুণ্যে ভাগীরথীতীরে শোকব্যাকুলচেতসম্। আশ্বাসয়ন্তো রাজেন্দ্রং বিপ্রাঃ শতসহস্রশঃ ॥৮॥
নারদস্ত্বব্রবীৎ কালে ধর্ম্মপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্। সম্ভাষ্য মুনিভিঃ সার্দ্ধং কৃষ্ণদ্বৈপায়নাদিভিঃ ॥৯॥
ভবতা বাহুবীর্য্যেণ প্রসাদান্মাধবস্য চ। জিতেয়মবনিঃ কৃৎস্না ধর্ম্মেণ চ যুধিষ্ঠির ॥১০॥

বৈশম্পায়ননা হায়রি— পাণ্ডবশিং বিদুর, ধৃতরাষ্ট্র অমদি লাম্না শিখ্রবা ভরতবংশগী অহনব নিংথৌশিং অদুগী লুপীশিংনা থিংলিনা বিধি নিয়ম কায়দনা স্নান তৌরগা শিখ্রবশিং অদুগীদমক্তা তর্পন তৌখি ॥১॥ পাণ্ডবশিংনা মখোয়না তৌখিবা পাপ কর্ম্মশিং অহুমক্তনা অশৌচ ওইরবনি হায়না খল্লনা থরাই হবচাং অশৌচ শুদ্ধি তৌখিনি শোকদোকখিনা হায়দুনা থা অমা চুপ্পা হস্তিনাপুর নগরগী মপান্দা লৈখি ॥২॥ ধর্ম্মগী মচা ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরনা ময়ামগী তর্পন তৌরা লোইরদুনা লৈর মতমসিদা তপস্যাদা সিদ্ধ ওইরবা অথোইবা ব্রহ্মর্ষিশিংনা মহাকী মফমদা লাক্লখি ॥৩॥ মহর্ষি বেদব্যাস, নারদ দেবল, দেবস্থান কণ্ব অদুগা মখোয়গী শিষ্যশিং অদুগা অতৈ থুমপা বেদ পাঙ্গল হৈরবা জ্ঞানী ওইরবা ব্রাহ্মণশিং গৃহস্থশিং অমদি ব্রহ্ম-চারিশিং— মখোয় পুম্নমক অদুদা লাক্লগা যুধিষ্ঠীরগা উনখি ॥৪—৫॥ মহর্ষিশিং অমদি ব্রাহ্মণশিং অদুনা যুধিষ্ঠিরকী নাক্তা চৎলিনবিদুনা য়াম্না তরাম্না তৌবা ঈকায় খুম্নবা কৌদুনা মমল য়াম্লবা ফমলিং অদুগী মফম্তা ফমথনখি ॥৬॥ অদুদগী মখোয় অসু দেশকাল পাত্রগী মতুংইন্না চপ চানা যুধিষ্ঠিরগী মফমগী সেবা পূজা লৌখি। মখোয়শিংনা যুধিষ্ঠিরগী অকোয়বদা য়াওনবিদুনা যুধিষ্ঠিরবু লেমজিনখি পেনখিনখি ॥৭॥ অদুগী তুংদগীদি ব্রাহ্মণ চাম চামা, লিশিং লিশিং লেংলবা গঙ্গাগী মপাল অদুদা লাক্লনা শোকনা লাইগ নাইত হাংলুবগী মথাই পুংজাইরবা যুধিষ্ঠিরবু লেমজিনখি ॥৮॥ মতম অদুদা নারদনা বেদব্যাসনচিংবা মুনি খিবিকী তাক্কদুনা ধর্ম্মগী মচা যুধিষ্ঠিরদা অদুম্না হায়খি:— ॥৯॥ যুধিষ্ঠীর। নংনা নশাগী পান্থোমগী পাজম অমদি কৃষ্ণগী

দিষ্ট্যা মুক্তাঃ স্থ সংগ্রামাদস্মাল্লোকক্ষয়ঙ্করাৎ । ক্ষত্রধর্ম্মরতশ্চাপি কচ্চিন্মোদসি পাণ্ডব ॥১১॥
কচ্চিচ্চ নিহতামিত্রঃ প্রীণাসি সুহৃদো নৃপ । কচ্চিচ্ছ্রিয়মিমাং প্রাপ্য ন ত্বাং শোকঃ প্রবাধতে ॥১২॥

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

বিজিতেয়ং মহী কৃৎস্না কৃষ্ণবাহুবলাশ্রয়াৎ । ব্রাহ্মণানাং প্রসাদেন ভীমার্জ্জুনবলেন চ ॥১৩॥
ইদং মম মহদ্দুঃখং বর্ত্ততে হৃদি নিত্যদা । কৃত্বা জ্ঞাতিক্ষয়মিমং মহান্তং লোভদর্শিনম্ ॥১৪॥
সৌভদ্রং দ্রৌপদেয়াংশ্চ ঘাতয়িত্বা সুতান্ প্রিয়ান্ । জয়োঽয়মজয়াকারো ভগবন্ ! প্রতিভাতি মে ॥১৫॥
(যুগ্মকম্)

কিং নু বক্ষ্যতি বার্ষ্ণেয়ী বধূর্মে মধুসূদনম্ । দ্বারকাবাসিনী কৃষ্ণমিতঃ প্রতিগতং হরিম্ ॥১৬॥
দ্রৌপদী হতপুত্রেয়ং কৃপণা হতবান্ধবা । অস্মৎপ্রিয়হিতে যুক্তা ভূয়ঃ পীড়য়তীব মাম্ ॥১৭॥
ইদমন্যচ্চ ভগবন্ ! যত্ত্বাং বক্ষ্যামি নারদ । মন্ত্রসংবরণেনাস্মি কুন্ত্যা দুঃখেন যোজিতঃ ॥১৮॥

কৃপাদগী মহাক্রা চানিকরদগী মেরুবাশন্ন অয় তৌক্লুনা পাকচাউরনা লমদম অসি নখা পোক্লহল্লেদো ॥১০॥ "পাণ্ডুনন্দন ! ধর্ম্মরাজ ! নখোয় নচৌম্মনাও পুম্বা অকিবগী মশক ওইবা লাম্গী মশক ওইরবা ঊপাক্ন রাংম কাল্লেদো । নহাকন্থ হৌজিক কাওবা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মদা (নখোদা) নপুক্নিং চঙহনা লৈরি । অদুগা হৌজিক্তি লুংঙাইরেদনা, নপুক্নিংদা শান্তি ফংলেদনকো ? " ॥১১॥ " মহারাজ !! হেক্লব পুম্বক তংহলে । শাগে নাইতেশিংবু মুঙাইহল্লে পেনহল্লে । রাজ সিংহাসন, ধনসম্পত্তিনাচংব ফংলবসিদা কয়িগুম্ব কায়দবা অরাবা অমদি অনুতাপনা নংগী থম্মোয়দা অরাব লুংঙাইতেবদি পীরি লাপ্লিরোইনকো ? " ॥১২॥ মসি তাবদা যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই:— দেবর্ষি ! ঐনা অয় তৌরুগিবসে শ্রীকৃষ্ণগী পাঙল্মা ব্রাহ্মণশিংগী আশীর্ব্বাদনা অমুগা ঈনাও ভীম অর্জ্জুন অনীগী পাম্বোম্গী পাঙল্মনি ॥১৩॥ ভগবন ! ঐগী পুক্নিং অসিদা হৌজিক ওয়েক্লা লুংঙাইতবা অম পোক্লে । শাগে নাইতেশিংবু ঙম্ম মাঙহনগা, অভিমন্যু অমদি দ্রৌপদীগী মচাশিংবু হাংহনগা ঐনা অয় তৌরে হায়রিবসিদি পরাজয় কংবা মায়থোকপনি হায়না খল্লে ॥১৪—১৫॥ অঃ ! ওহ্নাকপনি ! মধুসূদন কৃষ্ণনা অসিদগী দ্বারকাদা হনগা কুলবধু-ঈনাওনুপী সুভদ্রানা অমুগা দ্বারকাগী নুপী নহাশিং অমুনা কৃষ্ণদা করি করিব হায়রমগনবা ! ॥১৬॥ মতম পুম্বদা ঐখোয়গী মঙ্গল ওইবা অকবত খল্লিবি দ্রুপদ নিংথৌগী মচানুপী অসিনা মচাশিং অমদি মাগী শাগে নাইতে মরুপ মপাংশিংবু হাংখিবসিদা থম্মোয় শোক রাখিহনা ঐগী থম্মোয়দম্ব খাঙমদবা অরাব মৈচাক পিরি ॥১৭॥ ভগবন ! মুনিদেব হে নারদ ! অতোপ্পা লোঙানবা হিরম অমম্ব মুন্দা হায়জগে— ঈমা কুন্তিনা কর্ণনা পোকপগী অথুপ্পা ঘটনা অদুবু ঐখোয়দা তাকপিদহনা মাহনা হৌজিক ঐগী থম্মোয়দা খাঙমদবা অনুতাপকি মৈ হৌহল্লি ॥১৮॥

যঃ স নাগাযুতবলো লোকেঽপ্রতিরথো রণে। সিংহখেলগতির্ধীমান্ ঘৃণী দাতা যতব্রতঃ ॥১৯॥
আশ্রয়ো ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং মানী তীক্ষ্ণপরাক্রমঃ। অমর্ষী নিত্যসংরম্ভী ক্ষেপ্তাস্মাকং রণে রণে ॥২০॥
শীঘ্রাস্ত্রশ্চিত্রযোধী চ কৃতী চাদ্ভুতবিক্রমঃ। গূঢ়োৎপন্নঃ সুতঃ কুন্ত্যা ভ্রাতাস্মাকমসৌ কিল ॥২১॥
(বিশেষকম্)
তোয়কর্ম্মণি তং কুন্তী কথয়ামাস সূর্য্যজম্। পুত্রং সর্ব্বগুণোপেতমবকীর্ণং জলে পুরা ॥২২॥
মঞ্জুষায়াং সমাধায় গঙ্গাস্রোতস্যমজ্জয়ৎ। যং সূতপুত্রং লোকোঽয়ং রাধেয়ং চাপ্যমন্যত ॥২৩॥
স জ্যেষ্ঠপুত্রঃ কুন্ত্যা বৈ ভ্রাতাস্মাকঞ্চ মাতৃজঃ। অজানতা ময়া ভ্রাতা রাজ্যলুব্ধেন ঘাতিতঃ ॥২৪॥
তন্মে দহতি গাত্রাণি তূলরাশিমিবানলঃ। ন হি তং বেদ পার্থোঽপি ভ্রাতরং শ্বেতবাহনঃ ॥২৫॥
নাহং ন ভীমো ন যমৌ স ত্বস্মান্ বেদ সুব্রতঃ। গতা কিল পৃথা তস্য সকাশমিতি নঃ শ্রুতম্ ॥২৬॥

শামু লিশিং তরাগী, পাঙ্গনবু পুবা অকনবা,
জগত্ত মপা লৈত্তবা, লোংশাগী শাবান-শাজৎ-মানবা
মিস্তুংশি থগুবা দান-হৈবা, লানকমদা বিধি কায়দবা
ধৃতরাষ্ট্র মচাশিংগী লানকম ঈপাক্কি হিনাউ শাবা
মিনা লাকচবা য়াদবা থোয়বা, মরিল মথোনা থোইনা লৈবা
মিনা হেনখিবা খাঙ্গতদবা, তুমিৎ চুপ্প শাউগনবা
অয়াম্বা লান্দা! ঐখোয়বু তথখিবা মথুং চেংপা থুংলৈ থ্বা
লাম্নোং মথল শুনা হৈবা, লান্দা হৈবা থোনা কবা
কর্ণ কৌবা মহাকতো, ঈমা কুন্তিনা পোকখিবনি,
ঐখোয় খ্বাইগী ঈয়াম্বনি হৌজিক্ক ঐখোয়না খঙলকি ॥১৯—২১॥

গুণ পুবনা তিল্লবা কর্ণ হায়বদো সূর্য্যদেব ঔরসদগী ঐমা গর্ভদা ঈহান হায় পোকখিবনি ঐনা মাবু উপূর হাপতুনা ইশিংদা থাদখিবনি— হায়না ঈমা কুন্তীনা অহানবদা ঐনা তর্পণ তৌরমদাইদা হায়খি ॥২২॥ ঈমানা মহাকপূ উপু অমগী মনুংদা হাপ্লগা গঙ্গাগী ঈচেল্দা তাউ-থহনখিবনি। মী পুম্নমক্না মহাকপূ রাধাগী মচানি, শূত্রনি হায়না খঙনরিবনি ॥২৩॥ মহাক্কি ঈমা কুন্তীগী মচা অহল্লি, ঐখোয়গী ঈয়াম্ব অহল্লি। অহৎ মুনিদেব! ঐখোয়না খঙদবনা লৈপাক সিংহাসন পাম্বদগী ঐনা ঈয়াম্ববু হাৎলুরে ॥২৪॥ মৈনা কংলগা লশিং মপেৎবু চাকথে-কপগুম্ কর্ণবু হাৎলুবগী সুতাইতবনা মাতুগী অপুতাপনা ঐগী থম্মোয়বু চাকথেকলি। ঈনাও অর্জ্জুনসু কর্ণবু মাগী মমাম্বনি হায়বা খঙখিদে ॥২৫॥ ঐ, ভীমসেন, নকুল, সহদেব— কনা অমত্তনা কর্ণবু ঈয়াম্বনি হায়বা খঙবা লৈখিদে। অদুবু মীপুংখি খঙলবা দান হৈবা কর্ণনি

অস্মাকং শমকামা বৈ ত্বঞ্চ পুত্রো মমেত্যথ। পৃথায়া ন কৃতঃ কামস্তেন চাপি মহাত্মনা।২৭।

(যুগ্মকম্)

অপি পশ্চাদিদং মাতর্য্যবোচদিতি নঃ শ্রুতম্। ন হি শক্যাম্যহং ত্যক্তুং নৃপং দুর্য্যোধনং রণে।২৮।

অনার্য্যঞ্চ নৃশংসঞ্চ কৃতঘ্নঞ্চ মে ভবেৎ। যুধিষ্ঠিরেণ সন্ধিং হি যদি কুর্য্যাং মতে তব।২৯।

ভীতো রণে শ্বেতবাহাদিতি মাং মংস্যতে জনঃ। সোঽহং নির্জ্জিত্য সমরে বিজয়ং সহকেশবম্।৩০।

সন্ধাস্যে ধর্মপুত্রেণ পশ্চাদিতি চ সোঽব্রবীৎ। তমুবাচ কিল পৃথা পুনঃ পৃথুলবক্ষসম্।৩১।

(যুগ্মকম্)

চতুর্ণামভয়ং দেহি কামং যুধ্যস্ব ফাল্গুনম্। সোঽব্রবীন্মাতরং ধীমান্ বেপমানাং কৃতাঞ্জলিঃ।৩২।

প্রাপ্তান্ বিষহ্যাংশ্চতুরো ন হনিষ্যামি তে সুতান্। পঞ্চৈব হি সুতা দেবি! ভবিষ্যন্তি তব ধ্রুবাঃ।৩৩।

ঐখোয়বু মাগী মনাওমক্তুনি হায়ব থঙবি। নোংম, ঈমা কুন্তীনা কর্ণগী নাক্ত চত্তুনা— "কর্ণ! নংদি ঐগী ঈচামি। অদুনা মনাও যুধিষ্ঠিরগী পক্ষদা য়াও"। অসুম্না হায়রকপদা মহাত্মা ওইরবা রাধক চেৎপা কর্ণনা মাহু য়াখিদে। ঈমা কুন্তীগী আপাদু থুংহনখিদে ॥২৬—২৭॥ ঐখোয়না তাববু ঈমাদা কর্ণনা অসুম্না খুমখি হায়ঃ— "ঈমা! ঐ লান্দা দুর্য্যোধনগী মাচঙ ওইবা তোকপা ঙমজরোই" ॥২৮॥ ইমা "ঈমানা তাকপবা মতুংইন্না ঐনা কবিগুম্বা দুর্য্যোধনবু থাদোক্লমহুনা যুধিষ্ঠীরগা তিন্নরবদি ঐতোন্দ পুকচেল পীকপগী বিশ্বাসঘাত তৌবগী তমখিনা নুংশি হৈতবগী পাপ অমাদি দোষ লাক্লগনি" ॥২৯॥ "কর্ণ অসি অর্জ্জুনবু কিবমাল্লে হায়না থম্নখ্রগনি। অদুনা ঈমা! ঐ কৃষ্ণগা লোয়ননা অর্জ্জুনবু জয় তৌরগা, কোন্থদা যুধিষ্ঠীরগা সান্ধি তৌগে"। মাসি তায়রবদা ঈমা কুন্তীনা মথবাক কল্লবা, কল্লবা কর্ণদা অসুম্না অমুক হায়খিঃ— ॥৩০—৩১॥ "অদু ওইরবদি কর্ণ! ঐগী ঈচা মরিবুদি নংনা হাৎলোই-দৌবনি। লায়বা চায়বা অর্জ্জুনগাদি ননাও তম্না শোক্লো।" য়াসি হায়রগা কুন্তী অসি মশা পুম্বা থক্ থক্ নিকংকলে। মতম অদুদা শিংলবা কর্ণনা অসুম্না মমা কুন্তীদা হায়-রকই:— ॥৩২॥ দেবী! ঈমা! অর্জ্জুনতদি থাদনা নচা মরিবু লালকমদ কংবা থোক্লবস্থ অদুগা মখোয়না কর্ণ ঐগী ঈথ! পোল্লংস্থ মখোয় মরিবুতাদি মহাৎলরোই। অদুনা, ঈমা! নংগী নচা মঙাদি অদুম্ শুদুনা মরৈরগদবনি। * ॥৩৩॥ লান্দা কর্ণবু হাৎপ্রবস্থ অর্জ্জুনদি

* টীকাঃ—কর্ণবু অর্জ্জুননা হাৎপ্রবস্থ কুন্তীগী মচা মঙাদ অদুম্ ঈরাং রাত্তনা লৈগনি কর্ণনা অর্জ্জুনবু হাৎপ্রবস্থ কর্ণ, যুধিষ্ঠির, ভীম, নকুল সহদেব— মঙা অসিনা ঈকায় কায়দনা কুন্তীগী মচা ওইদুনা অদুম্ মরৈহৌরনি। মাসিগী ভাবার্থদি অর্জ্জুন লা কর্ণ রা আনগী মরক্ত অমাদি শোয়দনা লৈররোইদৌবনি;— অদুবু কুন্তীগী মচাদি মঙা অদুম্ কায়দনা লৈগনি হায়বনি।

সোঽর্জুনেন হতঃ কর্ণো সকর্ণো বা [illegible] । [illegible] পুত্রেষ্বিব [illegible] পুত্রার্থমব্রবীৎ ॥৩৪॥
স ভূণাং স্বস্তি কুন্তীপ্য যেষাং [illegible] । এবমুক্ত [illegible] পৃ [illegible] গৃহান্ ॥৩৫॥
সোঽর্জুনেন হতো [illegible] । [illegible] পৃথায়াস্তম্ভ বা বিভো ॥৩৬॥
অথ শুধো মহেষ্বাসঃ [illegible] । অতঃ [illegible] দ্বিজোত্তম ॥৩৭॥
পূর্বজং ভ্রাতরং কর্ণং পৃথায়া [illegible] । [illegible] হৃদয়ং ভ্রাতৃঘাতিনঃ ॥৩৮॥
(যুগ্মকম্)
কর্ণার্জুনসহায়োঽহং [illegible] । [illegible] ধৃতরাষ্ট্রসুতান্ রণে ॥৩৯॥
সহসোৎপতিতঃ ক্রোধঃ [illegible] । [illegible] কটুকং বচঃ ॥৪০॥
সভায়াং গদতো দ্যূতে দুর্য্যোধনহিতৈষিণঃ । [illegible] পাদৌ [illegible] ॥৪১॥
(বিশেষকম্)
কুন্ত্যা হি সদৃশৌ পাদৌ কর্ণস্যেতি [illegible] । [illegible] পৃথায়াস্তস্য চৈব হ ।
কারণং [illegible]

অতুম মতৌ [illegible] । অতুগা অর্জুনগী হাৎখিবা কর্ণদ [illegible] অতম মতৌ [illegible]
(অদুনা কর্ণ নত্রগা অর্জ্জুন য়াওনা পারবস্থ পাজেবস্থ কুন্তীগী মচ মতাদ অমচ রাহল্লোই রাসি তাবদা মচা কান্নবা কুন্তী অসি কর্ণদা অমুক অমুয়া হায়রকই: — ॥৩৪॥ কর্ণ ! নংনা ননাওাশং অসিগী মকুদা মঙ্গল ওইজন ওইহন্নবা ননাওতুগী মঙ্গল অতুম্ মওইগনি ।" অসি হায়রম্মগা ঈমা কুন্তী অসি যুমদা চনখি ॥৩৫॥ ভগবন ! অতুগুম্বা ঈয়াম্ব কর্ণ হায়রবু অর্জুননা হাৎখ্রে । অতুগা ঈমা কুন্তী দেবীনা কর্ণগা মাগা কান্ন থোক্নব হায়বদো হান্ন এখোয়দা খঙহনবিখিদে ॥৩৬॥ প্রভাব চাউরবা মুনিদেব ! অর্জুননা অতুগুম্বা কন্নবা নিপাতবু লান্দা হাৎখ্রে । ঈমা কুন্তীনা হায়রকপদগী (তাকৎলোকপকপদগী) ভৌজক্ক থওসঙ্কই । কর্ণ হায়বা অকনবদো এখোয় খাকগী ঈয়াম্ব অচৌব । মরম অতুনা ময়াম্ব হাৎপা (ভ্রাতৃঘাতী) হায়বতু ওইক্লরবনা এগী থম্মোয়সে অমুতাপকী মৈনা পুমচাক্ চাক্খেকখ্রে ॥৩৭—৩৮॥ অহ: ওস্তোকপনি ! কর্ণ অর্জুন অনিমক পুম্ন এগী সহায় ওইরম্নবাদ যুধিষ্টির এনা ইন্দ্রমকপুস্থ অয় ভৌব ওজমগদবানিকো । অতুম ওইবা চৌবরগী সভা অতদা কন্নবা ধৃতরাষ্ট্র মচাশিংনা এবু শাখিনা অরাব মুওাইতবা পাখিবা মতমতুদা এগী থম্মোয়দা খাতওমদবা অশাউবা পোকখি অতুবু কর্ণগী মশক্ হেক য়েংলুবদা থুদক্ক নেমখি । অতুগী মথক্তা, অতুক্তৈ চৌবর সভা অদুদা, দুর্য্যোধনগী কান্নবতা খন্নবা কর্ণনা ভাহৈদবা অয়াকপা রা কয়া এডোন্দা তাওখি । মাঙ্গ পুম্বা এনা ভুমিম্ন ভাখি । মতম অতুদা এনা ঈয়াম্ব কর্ণগী মখোঙ্গ অনিত্রদা হেক য়েংখন্নব-মক্তদা এগী শাউনিংওম্বা পুম্বদো লোইনা মকুপ্পা মাঙখি ॥৩৯—৪১॥ এনা অসুম্ য়েংখদা কর্ণগী খোঙ অনীদো ঈমা কুন্তীগী খোঙ অনীগ মওং চপ মান্নে । কর্ণগী খোঙগা ঈমাগী

কথং তু তস্য সংগ্রামে পৃথিবী চক্রমগ্রসৎ । কথং নু শপ্তো ভ্রাতা মে তন্মে বক্তুমিহার্হসি ॥৪৩॥
শ্রোতুমিচ্ছামি ভগবন্ ! তত্ত্বঃ সর্ব্বং যথাতথম্ । ভবান্ হি সর্ব্ববিদ্বিদ্বান্ লোকে বেদ কৃতাকৃতম্ ॥৪৪॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চক্রবর্ত্তিপ্রশ্নে কর্ণাভিজ্ঞানে প্রথমোঽধ্যায়ঃ ॥১॥

—:০:—

খোইগী অদুগা মচুরবগী মতম কাংদীবা। হাইবদি ঐনা মতম অদু মতম মনা বুদ্ধি হেচার তেংবনা য়োকহনবা কাংদে ॥৪২॥ ভগবান্ ! মাদু শোকহনবিদে হবগী মতম চাবাং পৃথিবীনা উমশিন চপশিনদুনা কারিগীনো ? কর্ণনা অদুগা অমিনা শাপ কংগ্রিবদুনা কারিগীনো— মাদু মুনিনা অমুক্তা লাইবিয়ু ॥৪৩॥

মতম তসিদ শ্রীমহাভারতকী শ্লোকশিংগী চাইনা শ্রীব্যাসনা হেক সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চক্রবর্ত্তিপ্রশ্নগী মতুংদা "কর্ণাভিজ্ঞান" গী অহানবা অধ্যায় লোইরে ॥+॥

——(:০:)—— —

মহাভারতম্

(কর্ণনা শাপকংবগী হায়রা)

দ্বিতিয়োঽধ্যায়ঃ

শান্তিপর্ব্বগী অনীশুবা অধ্যায় ।

বৈশম্পায়ন উবাচ

স এবমুক্তস্তু মুনির্নারদো বদতাং বরঃ । কথয়ামাস তৎ সর্ব্বং যথা শপ্তঃ স সূতজঃ ।১।

নারদ উবাচ ।

এবমেতন্মহাবাহো ! যথা বদসি ভারত ! । ন কর্ণার্জ্জুনয়োঃ কিঞ্চিদবিষহ্যং ভবেদ্রণে ।২।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— যুধিষ্ঠিরনা অদুম্বা হায়রবদা বাঙাও ঙৈবগী মনুংদা অথোইবা নারদ মুনিনা কর্ণনা করিগীদমক শাপ কংখিবনো হায়বদুগী থোদোক্ পুম্বা মথং শীংনা লীবা হৌরক্লে ॥১॥ নারদনা হায়ঃ— কল্লবা ভরতনন্দন, যুধিষ্ঠির ! নংনা হায়রিবা হংলিবদো

গুহ্যমেতত্তু দেবানাং কথয়িষ্যামি তেঽনঘ । তন্নিবোধ মহাবাহো ! যথাবৃত্তমিদং পুরা ॥৩॥
ক্ষত্রং স্বর্গং কথং গচ্ছেচ্ছস্ত্রপূতমিতি প্রভো ! । সঙ্ঘর্ষজননস্তস্মাৎ কন্যাগর্ভো বিনির্ম্মিতঃ ॥৪॥
স বালস্তেজসা যুক্তঃ সূতপুত্রত্বমাগতঃ । চকারাঙ্গিরসশ্রেষ্ঠাদ্ধনুর্ব্বেদং গুরোস্তদা ॥৫॥
স বলং ভীমসেনস্য ফাল্গুনস্য চ লাঘবম্ । বুদ্ধিঞ্চ তব রাজেন্দ্র ! যময়োর্বিনয়ং তথা ॥৬॥
সখ্যঞ্চ বাসুদেবেন বাল্যে গাণ্ডীবধন্বনঃ । প্রজানামনুরাগঞ্চ চিন্তয়ানো ব্যদহ্যত ॥৭॥

(যুগ্মকম্)

স সখ্যমকরোদ্বাল্যে রাজ্ঞা দুর্য্যোধনেন চ । যুষ্মাভির্নিত্যসংদ্বিষ্টো দৈবাচ্চাপি স্বভাবতঃ ॥৮॥
সর্ব্বাধিকমথালক্ষ্য ধনুর্ব্বেদে ধনঞ্জয়ম্ । দ্রোণং রহস্যুপাগম্য কর্ণো বচনমব্রবীৎ ॥৯॥
ব্রহ্মাস্ত্রং বেত্তুমিচ্ছামি সরহস্যনিবর্ত্তনম্ । অর্জ্জুনেন সমঃ চাহং যুধ্যেয়মিতি মে মতিঃ ॥১০॥
সমঃ শিষ্যেষু বঃ স্নেহঃ পুত্রে চৈব তথা ধ্রুবম্ । ত্বৎপ্রসাদান্ন মাং ব্রূয়ুরকৃতাস্ত্রং বিচক্ষণাঃ ॥১১॥

এবমেব হি রাজানো যজন্তি পৃথিবীমিমাম্‌ । জিত্বা মমেয়ং ভবতে পুত্রা ইব পিতুর্ধনম্‌ ।
রাজর্ষয়োঽপি তে স্বর্গ্যা ধর্ম্মো যেষাং নিরুচ্যতে ॥৩১॥
যথৈব পূর্ণাদুদধেঃ স্যন্দন্ত্যাপো দিশো দশ । এবং রাজকুলাদ্বিত্তং পৃথিবীং প্রতিতিষ্ঠতি ॥৩২॥
আসীদিয়ং দিলীপস্য নৃগস্য নহুষস্য চ । অম্বরীষস্য মান্ধাতুঃ পৃথিবী সা ত্বয়ি স্থিতা ॥৩৩॥
স ত্বাং দ্রব্যময়ো যজ্ঞঃ সম্প্রাপ্তঃ সর্ব্বদক্ষিণঃ । তং চেন্ন যজসে রাজন্‌ প্রাপ্স্যসে রাজকিল্বিষম্‌ ॥৩৪॥
যেষাং রাজাশ্বমেধেন যজতে দক্ষিণাবতা । তস্য রাজ্ঞোঽবভৃথে পূতাঃ সর্ব্বে ভবন্তি তে ॥৩৫॥
বিশ্বরূপো মহাদেবঃ সর্ব্বমেধে মহামখে । জুহাব সর্ব্বভূতানি তথৈবাত্মানমাত্মনা ॥৩৬॥

মকমদগী বিদ্যাতল্লি লালগীদমক্কা অতোপ অমদা তপ্নুবিবা বিদ্যা অহনু মমক অমদা অমুক তম্নিনবি। অদুগা কংলকপা লাল অহুনা যাগযজ্ঞ কয়া তৌনবি। তৌরিবা যাগযজ্ঞ অদুমক্তু লাল সম্পত্তি লৈপাকসী দমকতুনি ॥২৯॥ ক্ষত্রিয় নিংথৌশিংনা অতোপ অতোপ্পা লৈপাক্কী লোইপোং ওইনা কংলকপা লাল অহুনা লৈপাক্কী অমদি প্রজাশিংগী মচোল ওইনগী থবক্তা শিজিন্নবা অতোপ্পা অমগী মাচনব তৌরমদবা লাকপা লাল অদি মগংকী করিত্থ, মক্সুদা উব ফংগি ॥৩০॥ নিংথৌশিংনা মতৌ অসুম তৌথনত্ত পৃথিবীবু অমদি অতোপ্পগী মাচাগা অম তৌরিবনি মপানা শিজগা মচানা "লাল থৎম পুম্বসি ঐগীনি" হায়রগুম্বা নিংথৌশিংনু "রাজ্য অসি, পৃথিবী অসি ঐগীনি" হায়নরিবনি। অদুগুম রাজর্ষিশিং অদুম স্বর্গতগী থত্ মাথককত্তে তাবগে। মমমদি অতোপ্প য়েক্সবশিংগী মখল মথমু শোশিনখত্তনা নিংথৌগী ধর্ম্মনি মখৌনি হায়না শাস্ত্রকারশিংনা হায়রি ॥৩১॥ মখুৎ চোরবা ঈশাকগী ঈশিংনা তুয়েলগী মপক্ লোইবা মায়কৈ তুরাদা চৎশিনবগুম্বা মসুমু মতৌনা নিংথৌগী মখুৎ চেন্না পুক্কগী থোককুনা পৃথিবীদা লৈরিবা সুমথোং খুদিংদা চঙশিন্নুনা লৈরি ॥৩২॥ থাকচাকটনবা অদুমক অসে মমাংদা দিলীপকি অমুক, নৃগগী অমুক, নহুষকী অমুক, অম্বরীষকী অমুক মান্ধাতাগী অমুক ওইরম্বি। অহুনা হৌজিকতি অমুক নুংশু মহারাজকী মুথাঙ্গ তাবনি ॥৩৩॥ মহারাজ। মমম অতোপ্প মহারাজ। হৌজিকি ন্যায় লোইশনরিবা দান দক্ষিণা কায় তোৎন যজ্ঞ অদু তৌবগা তৈত্তি মায়থৌ তৌথোকুত্রবদি মহারাজনা পাসমু তৌরগি মহাপাপকী মথক তানবি ॥৩৪॥ দান দক্ষিণা মথাউ কায়না তৌহনা যজ্ঞ তৌবা নিংথৌ মুহাকী প্রজাশিংনা মুখ নুপা [illegible] লোইবগী তৌবদি দান অঙ্ক হেক তৌথবা মাপী মাগী পাপ অঙ্ক হেক হেক চায়থোকচরিবনি ॥৩৫॥ [illegible] পুম্বগী মসম ওইব মূর্তি ওইরিবা মহাদেবনা সর্ব্বমেধ হায়না কৌবা যজ্ঞ অমদা থবাই পামবা তিবগুম্বা বলিদান তৌরম্বা ওয়োন লৌখি। মমমগী মহৎকী যুগিদা মহাদেবনা

শাশ্বতোঽয়ং ভুক্তিপথো নাস্যান্তমনুশুশ্রুম । মহান্ দাশরথঃ পন্থা মা রাজন্ কুপথং গমঃ ॥৩৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে অর্জ্জুনবাক্যো অষ্টমোঽধ্যায়ঃ ।৮।

—(:*:)—

মশানা মশাবু কংথোক্পচরগা কৈকুংদা যজ্ঞ তৌবি ॥৩৬॥ হন্দক্তি মপোক্ অসিদা চাওখৎপা কংনবগী উপায়দি জীব হাৎপগী মশক্ ওইরবা বলিদাননা চিংবনা যজ্ঞ তৌবা অসিত্তনা ওই অসিগুম্বা চাওখৎপা কংনবগী যজ্ঞ তৌবা উপায় অসিদি আ-থাম্বনা মমাঙৈদগীনি । হায়রিবা যজ্ঞ অসে মমাঙৈদা নিংথৌ দশরথনসু তৌখি । অদুগুম্বা যজ্ঞগী শক্তি মহাকপক্তি মঃরাইবহ ঐখোয়না হৌজিক কাওবা উব ফাব কংনরি । মবম অহনা য়াম্না মহারাজ ! অদুগুম্বা অফবা লম্বীবু থাদোক্লুনা ফত্রবা লম্বীদা থক্ লেঙবিবিগনু ॥৩৭॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহদা অর্জ্জুন বাক্যগী নিপালগুবা অধ্যায় লোইরে ॥৮॥

——(:•:)——

মহাভারতম্

(অর্জ্জুনগী য়া তাবদা যুধিষ্ঠিরনা হাওবা)

নবমোঽধ্যায় ।

শান্তিপর্ব্বগী মাপলগুবা অধ্যায়ঃ ।

——:*:——

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

মুহূর্ত্তং তাবদেকাগ্রো মনঃ শ্রোত্রেঽন্তরাত্মনি । ধারয়ন্নপি তচ্ছ্রুত্বা রোচতে বচনং মম ॥১॥
সার্থগম্যমহং মার্গং ন জাতু ত্বৎকৃতে পুনঃ । গচ্ছেয়ং তদ্গমিষ্যামি হিত্বা গ্রাম্যসুখান্যুত ॥২॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়রে— অর্জ্জুন ! ঐনা হায়রিবা য়াসে নাকোংগা থম্মোয় লমাংগা অনিমক্তা [illegible] তাও । মায়াম তাবনা-কুমা [illegible] মং ঐগী মতাদা শেংজনা চৎকদি ।১৮ ঐ মপানগী সাংলাগী থুংজাইবা পুবা থাদোক্লুনা নিবৃত্তিমার্গদা চৎথগে ।

ক্ষেমাশ্চৈকাকিনা গম্যঃ পন্থাঃ কোঽস্তীতি পৃচ্ছ মাম ।
অথবা নেচ্ছসি প্রষ্টুমপৃচ্ছন্নপি মে শৃণু ।৩।

হিত্বা গ্রাম্যসুখাচারং তপ্যমানো মহত্তপঃ । অরণ্যে ফলমূলাশী চরিষ্যামি মৃগৈঃ সহ ।৪।

জুহ্বানোঽগ্নিং যথাকালমুভৌ কালাবুপস্পৃশন্ । কৃশঃ পরিমিতাহারশ্চর্মচীরজটাধরঃ ।৫।

শীতবাতাতপসহঃ ক্ষুৎপিপাসাশ্রমক্ষমঃ । তপসা বিধিদৃষ্টেন শরীরমুপশোষয়ন্ ।৬।

মনঃকর্ণসুখা নিত্যং শৃণ্বন্নুচ্চাবচা গিরঃ । মুদিতানামরণ্যেষু বসতাং মৃগপক্ষিণাম্ ।৭।

আজিঘ্রন্ পেশলান্ গন্ধান্ ফুল্লানাং বৃক্ষবীরুধাম্ । নানারূপান্ বনে পশ্যন্ রমণীয়ান্ বনৌকসঃ ।৮।

বানপ্রস্থজনস্যাপি দর্শনং কুলবাসিনাম্ । নাপ্রিয়াণ্যাচরিষ্যামি কিং পুনর্গ্রামবাসিনাম্ ।৯।

[illegible] (কুলকম)

একান্তশীলী বিমৃশন্ পক্কাপক্কেন বর্ত্তয়ন্ । পিতৄন্ দেবাংশ্চ বন্যেন বাগ্ভিরদ্ভিশ্চ তর্পয়ন্ ।১০।

নহাক্কী মতদা কৈদ্বুনা, নহাক্কা হায়জরকাওবদা ঐ কৈদোউদেসু য়ুমদা চঙ্গলয়োই ॥২॥ "য়াম্বুংনা বনাস্ত সনাস্ত য়াওদনা চৎখিগদৌরিবা মঙ্গলগী মশক ওইরবা লম্বীরবু কনাবো কদায়দনো"— অস্নুম্না নহাক্কা ঐঙোন্দা হংবা য়াই । অদুগা মাসিমক নংনা হংনিংলবদি ঐ হায়গে, য়ুম্না তাও ॥৩॥ ঐ সংসারগী মপানগী নুংঙাইবা অদুগা লমচৎ পুম্বা থাদোক্তুনা নোংমগী অকংবা উইহে য়াহে খরনা জিবিকা ওইদুনা শজি শঙাইশিংগা লোয়নননা বনদা চৎকগে কৈথ্রগে ॥৪॥ ঐ বনদা লৈখিদুনা মতম, নিয়ম নাইনা যজ্ঞ তৌরুনি, নিয়ম নাইনা প্রাতস্নান সায়ংস্নান তৌরুনি। নোংমগী অকরুবা মতমদা চাং নাইনা চারুনি, শজি মউনগী খাউওন ওন্দুনা, কৌপীন শেৎকনি, জটা পুনগনি । ঈঙব-শাবা, নোং নুংশিৎ, উরুম নুংশা, অয়াম খোয়াং, হকচাংগী অরাবা পুম্নমক অসি থাওদুনা, ইথুং নুংঙাইনা তপস্যাতনা হকচাংসি কংশিলহনখিদুনা য়াম্না হয়াউ নুংঙাইনা, শা-উচেক লাউখোংবগী মখোল তাদুনা মাদুনা নাকোং পুক্লিং অনিমক্তা নুংঙাইবা পোকহনগনি। হৈ লৈ মথল মথলগী মনম্না পুক্লিং নেমহনগনি। বনগী মসুংদা কজ থজরবা শা উচেক জাৎ জাৎ য়েংদুনা মতম লেনগনি । বানপ্রস্থদা লৈরিবা গৃহস্থ ধর্মদা নিয়ম চুম্না লৈরিবশিং অদুগা উনরুষি । মখোয়গা নুংশিননা লৈগনি । অমুক কষি হায়গানি শাদানবশিংগা কাওবা নুংশিনা য়াবি শারমিন্নদুনা লৈরুনি । মখোয়গী মকমদা অকায়বা অমত চৎলোই ॥৫—৯॥ ঐ বনগী নাকল অমদা লৈরুনি; পরমাত্মাগী ধ্যানতোগনি, অমুনবা মুন্দবা। উইহে য়াহে অকং অকং চাদুনা মতম লেল্লুষি । উইহে য়াহেনা, ভক্তিমন্ত্রনা নত্রগা ঈশিংচনবা, ইপা ইপুগী তর্পন তৌকনি । মতো অদুম বানপ্রস্থ আশ্রমগী পুম পুরবা

এবমারণ্যশাস্ত্রাণামুগ্রমুগ্রতরং বিধিম্ । সেবমানঃ ক্ষতৌক্ষিষো দেহস্যাস্য সমাপনম্ ॥১১॥

(কুলকম্)

অথবৈকোঽহমেকাহমেকৈকস্মিন্ বনস্পতৌ । চরন্ ভৈক্ষ্যং মুনির্মুণ্ডঃ ক্ষপয়িষ্যে কলেবরম্ ॥১২॥

পাংশুভিঃ সমবচ্ছন্নঃ শূন্যাগারপ্রতিশ্রয়ঃ । বৃক্ষমূলনিকেতো বা ত্যক্তসর্বপ্রিয়াপ্রিয়ঃ ॥১৩॥

ন শোচন্ন প্রহৃষ্যংশ্চ তুল্যনিন্দাত্মসংস্তুতিঃ । নিরাশীর্নির্মমো ভূত্বা নির্দ্বন্দ্বো নিষ্পরিগ্রহঃ ॥১৪॥

আত্মারামঃ প্রসন্নাত্মা জড়ান্ধবধিরাকৃতিঃ । অকুর্বাণঃ পরৈঃ কাঞ্চিৎ সংবিদং জাতু কৈরপি ॥১৫॥

জঙ্গমাজঙ্গমান্ সর্বানবিহিংসংশ্চতুর্বিধান্ । প্রজাঃ সর্বাঃ স্বধর্মস্থাঃ সমঃ প্রাণভৃতঃ প্রতি ॥১৬॥

ন চাপ্যবহসন্ কঞ্চিন্ন কুর্বন্ ভ্রূকুটীঃ ক্বচিৎ । প্রসন্নবদনো নিত্যং সর্বেন্দ্রিয়সুসংযতঃ ॥১৭॥

কপস্যা অম্ভ থে'দুনা হয়াইগা হকচাংসিগা কাইদবা পুংকম অমত্ত ঙাইদুনা লৈরগনি ॥১০—১১॥ নত্রগা মৌনব্রত তৌদুনা, লু কোকখোক্না, উথোং উথোং খুদিংদা চত্নুনা উপাস থিরিক্ক উচৈ ভিক্ষা তৌ তৌদুনা, ইনহু অসুম কোয়চৎ চত্নুনা থরাইগা হকচাংগা কায়নদুনা জীব থৈনা মপানগী হকচাংসি থাদোকহনগে ।১২। হকচাং অসি উফুল রাইফুম্না পুমকুপ কুপথিনি, মুম কৈ কাওদবা মকমতদ থৈগী কৈকম ওইগনি, উথা রাখাতনা থৈগী য়ায়রেকপন ওইহনগে ইন্দ্রিয়গী চহোকি চংভাইবা পোন্দক মথৌ থাদোক্নুনা ঐ বনা অমত্তগীসু রাব তৌরোই । মহক য়াম্ব পোৎ খুত্ত থেংনরকাও লংখোকনি থাগৎপা থীনা ভাউদবা পুম্বা তুমিন্ন চপ মান্না ভাগনি করিগুম্ব পোন্দক অমগী আশা তৌরোই । করিগুম্বা বিষয়া অমদা কন্নক মিহৌ অপাম্ব থম্মরোই, নিংথম্ব ওন্নাংবনচিংবা কায়ন তিন্নবগী অৱা নুংঙাইবগী অনৌথোকপা রাখলবু থাদোক্নুনা, বনাদগীসু করিগুম্ব অমত্ত হায়দুনা নিজরুরোই । ঈশা ইথত্তুনা ঈশা ইথত্তদা পেক্লগে, কন্নক য়েংথিবগী অমোৎপা পঙ্বা থম্মুইনা, অশিবগুম্ মপানবগী পোৎ খুদিংমক থাদোক্লগে । মপান্দ উরিবা মশক মচু পুম্বা মীভাওবগুম্ উথ্রে য়োংঙ্রোই, নাপঙবগুম্ কনাগুম্বগী করিগুম্ব খোংজেল অমত্ত তাঙ্রোই, করিগুম্বদসু কনাগুম্ব অমগী করিগুম্ব অমত্ত তাদনা কনাগুম্ব অমত্তগা রাখি রাতাই শাঙ্রোই । নাউরোম কুয়োমদগী পোকপা, মক্রমদগী পোকপা খোংবান লুকলাং অথোংপা মকমদগী পোক্নকপা, পান্থি পান্দোং ওইনা পোকপা জিব মথক মরি অসিদা করিমত্ত হিংসা তৌররোই । মশানা কেন্দ্রকপা উঠে উনা রানাত্তনা জিবিকা ওইনা হকচাং অসি তুমহনবিগে । ঐগা রাখল ধর্ম্ম য়াম্রবা মারদবা অনিথকপু চপ মান্না ব্যবহার তৌগে কনাবুত্ত উশিৎ খোঙইদবা নোক্রবা, তৌরোই, ঐতোন্দ কত্তবা তৌরবত্তুকাওবদা পীগুম্থক অংতোকচররোই । অকং অকংবা অবস্থাদা ঈপেত্ত পেন্দুনা লৈজগে । কনাগুম্ব করিগুম্ব অমত্তগী নিত্তাৱবা তৌকদনা ইন্দ্রিয় পুম্নমক্তু শুত্থম্ চন্দুনা ইদুং নুংঙাইনা লৈখোকনি ।

অপৃচ্ছন্ কস্যচিন্মার্গং প্রব্রজন্নেব কেনচিৎ । ন দেশং ন দিশং কাঞ্চিদ্ গন্তুমিচ্ছন্ বিশেষতঃ ।১৮।
গমনে নিরপেক্ষশ্চ পশ্চাদনবলোকয়ন্ । ঋজুঃ প্রণিহিতো গচ্ছংস্ত্রসস্থাবরবর্জ্জকঃ ।১৯।
স্বভাবস্তু প্রয়াত্যগ্রে প্রভবন্ত্যশনান্যপি । দ্বন্দ্বানি চ বিরুদ্ধানি তানি সর্ব্বাণি চিন্তয়ন্ ।২০।
অল্পং বা স্বাদু বা ভোজ্যং পূর্ব্বলাভে ন জাতুচিৎ । অন্যেষ্বপি চরন্নেবমলাভে সপ্ত পূরয়ন্ ।২১।
বিধূমে ন্যস্তমুষলে ব্যঙ্গারে ভুক্তবজ্জনে । অতীতপাত্রসঞ্চারে কালে বিগতভিক্ষুকে ।২২।
এককালং চরন্ ভৈক্ষ্যং ত্রীনথ দ্বে চ পঞ্চ বা । স্নেহপাশং বিমুচ্যাহং চরিষ্যামি মহীমিমাম্ ।২৩।

(ক্রমশঃ)

অলাভে সতি বা লাভে সমদর্শী মহাতপাঃ । ন জিজীবিষুবৎ কিঞ্চিন্ন মুমূর্ষুবদাচরন্ ।
জীবিতং মরণঞ্চৈব নাভিনন্দন্ন চ দ্বিষন্ ।২৪।

বননা কনাগুম্বা অমগা লোয়নবা তারুরবসু ঐ মহাক্না রা মচেৎ অমত ঙাক্তনরোই, লম্বী কাওবা চংলোই। ঐনা চৎলিবসি কদায়দনো, কদোমদনো হায়রবসু কাওবা ঐ খোইনা খল্লরোই, মকম অসিদা মায়কৈ অসোমদা চংকে হায়রদুনা অকক্না মকম মায়কৈ অমত খল্লোই ঐনা চৎলুবসি করিগীদমক্তনো হায়রবা উদ্দেশ্য অমত খল্লোই। চৎপ মতমদা ভুমাং নাক য়েৎ করিমত য়েংলোই। শিক্ষকাওবা ঈচম্ চম্না ঈতাউ তাউবা লৈগনি। জীবাত্মা অমসুং পরমাত্মাদা করম হায়রনা তিনখিগদগে হায়রবগী খন্দুনা লৈগনি। চৎপ মতমদা অসিনা ঈশিংনা অসিনা কংকাসি হায়রবগী খোইনা খল্লুদনা লম্বিদা অচচৎ ওইনা করিগুম্বা পোশক অমগী মখক অপাম্বগা লোয়নবা মিৎয়েং খম্মুরোই। জীব পানবশিংদি মহৈশাগী স্বভাব ওইবনা চাব থকপদি তাই। সংসারগী নিংথম্বা ওলাংব—অহংব অশাবনচিংবা অমি অনিবোক্তা লৈরিবসে অমগ অমগা ওম্ন তৈনবা য়েংখিনবা অদুগা অমনা অমগী বিরুদ্ধতা লৈনব ডাকুবি। মশকা ঐ খোইন য়েংলুবা তৌরোই। অহানব চঙ্লুবা য়ুমদা ভিক্ষা কংলকপ্রবদি অমীগা অমদা য়ুম অমদা নিগনি, মাত্রদসু কংজবদি য়ুমখোং ভরেকংগুবা নিরুরগা মাত্রদা কংলকপা খমদং অদু রাম্ন হাউতবা পোশক ওইরবসু মাতুনা পুক অসি ওহাক্তদমক খনহনগনি। মৈ মুৎথিদুনা মৈখু কাওবা লৈরবা, য়ুম্নানব য়ুম্নানবশিং অহনা শুমম রাংকোক লংথেক্লবা মতমদা গৃহস্থশিং অদুনা চাক চানবা লোইরদুনা চাকথুমদগী উং মৈতায়চিংবা হৈকোক—হোক্নোকখবা, গৃহস্থ অদুগী মী পুম চান খরবা লোইরবদা চাকথুম কাদা চান থরবগী পুথম ভেংলোৎ পুখোক পুঙ্শন তোনখিরবা অদুগা ভিক্ষা তৌবা অকোয়শিংবা ভিক্ষা নিহনা কংরুবা চৎখরবা অদুতমা মতম অদুতদা গৃহস্থ মরি মতাগী য়ুমদা ভিক্ষা জোকনি। অমুক্ত লৌহনা অজকদ পুরবগী

বাস্যৈকং তক্ষতো বাহুং চন্দনেনৈকমুক্ষতঃ । নাকল্যাণং ন কল্যাণং চিন্তয়ন্নুভয়োস্তয়োঃ ॥২৫॥
যাঃ কাশ্চিজ্জীবতা শক্যাঃ কর্ত্তুমভ্যুদয়ক্রিয়াঃ । সর্ব্বাস্তাঃ সমভিত্যজ্য নিমেষাদ্যবস্থিতঃ ॥২৬॥
তেষু নিত্যমসক্তশ্চ ত্যক্তসর্ব্বেন্দ্রিয়ক্রিয়ঃ । অপরিত্যক্তসঙ্কল্পঃ সুনির্ণিক্তাত্মকল্মষঃ ॥২৭॥
বিমুক্তঃ সর্ব্বসঙ্গেভ্যো ব্যতীতঃ সর্ব্ববাগুরাঃ । ন বশে কস্যচিত্তিষ্ঠন্ সধর্ম্মা মাতরিশ্বনঃ ॥২৮॥
বীতরাগশ্চরন্নেবং তুষ্টিং প্রাপ্স্যামি শাশ্বতীম্ । তৃষ্ণয়া হি মহৎ পাপমজ্ঞানাদস্মি কারিতঃ ॥২৯॥
(কুলকম্)
কুশলাকুশলান্যেকে কৃত্বা কর্ম্মাণি মানবাঃ । কার্য্যকারণসংশ্লিষ্টং স্বজনং নাম বিভ্রতি ॥৩০॥

অপাম্ব মিহৌবগী থৌরী থদংতুনা ঈনভ তম্না পৃথিবিগী মকম পুম্বদা জীব ঐনা মপানগী হকচাংসিবু কোয়থাং থাংতুনা মাগা তংনক্রিকাওবা পুম্নু না চংতুনা লৈগে ॥১৩—২৩॥ মংগে তাম্নরুব পোৎ মংলবসু থোইনা নুংঙাইরোই, মংত্রবসু রায়োই। মতৌ অম্না, মংব মংদবা অনীবু অমতনি হায়না থম্মোক্তুনা কন্না তপস্যা তৌগনি। সংসারদা পুনশি তোংলোইনা হিংতুনা লৈনিংবা মীশিংগী মতৌগুম অমদি থুনায়াঙনা শিনিংলবা মীশিংগী মতৌগুম অনিমক ঐ অমত তৌরোই। পুনশিসবু নত্রগা মপোকসিবু থোইনা তরাম তরাম্না তৌরোই, হয়াঙ হয়াউ ওকলোই। শিববু কিরোই কত্তবা অয়ানবনি হায়তুনা থোইনসু তাথিরোই। হৈজ্রংনা খুৎ অসি মচেৎ মচেৎ কল্লবদা পোক্পা চৈনাগী অরা অনাহুবু অদুগা খুৎ নামদা চন্দন তৈশিল্লকপগী নুংঙাইব ঈঙবহুবু মশা অমত ওইহনথিন্না করিগুম্বা অমতগী চিন্তা তৌরোই। তাইবং মী অমনা মশাগী চাওখৎননবগীদমক্তা মশানা তৌবা ওম্বা থবক অদু তৌনৈ, অদুগুম্বা থবক পুম্নমকসু থাদোক্তুনা মীৎঅমীসি হলৎ হন্দা। কুপ্পা পাঙথোকপা অনীদা ঈমাঙদা তারবা লৈরম্বা অদুতনা চৌম্বাক ওইতুনা শিব ঙাইগে। চারুরিবদুসু অহাউবনি হাউতবনি হায়বগী বিচার তৌরুদনা অদুগা অহাউবদুদসু মতুং তানা অমুক থম্বরুদনা ইান্দ্রয়গী থবক পুম্বা মথং মথং থাদোকপা হৌগে। অদুগা থাদোক্লোইদবা হায়ববু ক্ষত্রিয়সু ওইত্রবা, যুধিষ্ঠিরসু কোত্রবা জীব ঐনা হকচাং কুয়োম অসিদগী নাম্মোক্থিন্না পরমাত্মা মাঙোম্দা তিল্লবা হায়বা সংকল্প অসিতনি। মমাতৈঙদা তৌখিবা পাপ কর্ম্ম অনুতাপকী মৈতনা চাকথেক্হল্লগা মতুংদা অমমুক্ তৌদনা জীব ঐঙোম্দা মেৎলগদবা সংসর্গ পূম্বা থাদোক্লনি। "ঐগী" হায়বা সেমায়বা রাথলগী লাং অসিদগী নাম্মোক্তুনা জীব ঐ কনা অমতগী খুত্তম মথাদা লৈররোই। নুংশিৎকি মতৌগুম মকমপুম্বা চৌশনি, কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতনা ঐবু শাক্তিলক্লোই। বিষয়াভিলাষ পুম্বা থাদোক্তুনা কোয়চং চত্তুনা, অমুক লেঙতরোইদৌবা অপেনবা হায়বহুবু মংতরগে। অঃ! ওম্মোক্পনি! অজ্ঞানদগী পোক্খিবা অপাম্বা অশাউবা হায়বতুনা ঐবু ওম্মোক্পা পাপকি থবক তাম্বা তৌহল্লে ॥২৪—২৯॥ তাইবং মিনা অফবফত্তবা থবক কয়া কয়া তৌতুনা মতমথমগীদমক্তা

আয়ুষোঽন্তে প্রহায়েদং ক্ষীণপ্রাণং কলেবরম্ । প্রতিগৃহ্ণাতি তৎ পাপং কর্ত্তুঃ কর্ম্মফলং হি তৎ ॥৩১॥
এবং সংসারচক্রেঽস্মিন্ ব্যাবিদ্ধে রথচক্রবৎ । সমেতি ভূতগ্রামোঽয়ং ভূতগ্রামেণ কার্য্যবান্ ॥৩২॥
জন্মমৃত্যুজরাব্যাধিবেদনাভিরভিদ্রুতম্ । অপারমিব চাস্বস্থং সংসারং ত্যজতঃ সুখম্ ॥৩৩॥
দিবঃ পতৎসু দেবেষু স্থানেভ্যশ্চ মহর্ষিষু । কো হি নাম ভবেনার্থী ভবেৎ কারণতত্ত্ববিৎ ॥৩৪॥
কৃত্বা হি বিবিধং কর্ম্ম তত্তদ্বিবিধলক্ষণম্ । পার্থিবৈর্নৃপতিঃ স্বল্পৈঃ কারণৈরেব বধ্যতে ॥৩৫॥
তস্মাৎ প্রজ্ঞামৃতমিদং চিরান্মাং প্রত্যুপস্থিতম্ । তৎ প্রাপ্য প্রার্থয়ে স্থানমব্যয়ং শাশ্বতং ধ্রুবম্ ॥৩৬॥
এতয়া সততং বৃত্ত্যা চরন্নেবংপ্রকারয়া । জন্মমৃত্যুজরাব্যাধিবেদনাভিরভিদ্রুতম্ ।
দেহং সংস্থাপয়িষ্যামি নির্ভয়ং মার্গমাস্থিতঃ ॥৩৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে যুধিষ্ঠিরবাক্যে নবমোঽধ্যায়ঃ ॥৯॥

তৌরবা, অনিত্য ওইবা থবক থরুতনা মরি খোকহাল্লবা মপামচা খোঙহাল্লবা তাই শেল শাটেগ নাইতে খোঙহাল্লবশিং থরগী যোক থাকপগী থবক তৌহল্লি ॥৩০॥ পুনশিনা লোইরবদা কায়বাদ জীব অসিনা পঞ্চভূতকী দেহসিদু থাদোকপা মতমদা পোইরেতদা কায়বদি কচালমুকী মপোক্তা তৌরম্বা পাপকর্ম্মগী মহিৎ অদু অমুক ত্তোংশি। মরমদি কর্ম্ম তৌরিবা মী অদুগী মহৈদি মানা কায়লবা কর্ম্ম অদুমক্তি ॥৩১॥ মতৌ অসুম্না চক্রগী মশক ওইরবা সংসার অসিনা রথগী মতৌঙুম্না অতৎ অথম তৌরুতনা লৈরক্লবদা জিবপানবশিংসনা মানা মানা তৌরবা কর্ম্মফুগী মহৈগী মতু ইমা মহৈত্তুগুম্বনু চপ চানা কাত্তুনা লৈরিবা শা শল তাইবংমি হৈপাল লৈপাল তিল কাওশিং অসিগী মরক্তা লোকৈ ॥৩২॥ পোকপা, শিবা, অহল ওইরকপা লাইথুং আসনাচংবা অরাবা কয়ানা থল্লবা লোইবা থম্বা নাইরবা অহুগা কৎরবা লোনগনবা লাইননা থল্লবা য়ুমগী মতৌগুম্বা সংসারসিদু থাদোকপা তম্বা মীমহাক অদুতনা মক্তুবা থাজৈশেংবা সুংতাইবা হায়বদুবু কাবা ওাম্ব ॥৩৩॥ লাইশিং অহুগা দেবলোকত লৈবা মহর্ষিশিংসু মানা মানা তৌরকপা কর্ম্মশিং অহুগী মহৈ চাবা হেক হেক লোইরগা মমাগী লোকতগী মকমদগী মর্ত্ত্যলোক আসদা হেক হেক অমুক তারকই। থৌদোক অসিবু তত্ত্বজ্ঞানতনা উর থওলবা কর্ম্মগী তত্ত্ব থওলবা কনানা সংসারদা অমুক পোক্লনবা হায়জগদগে ? ॥৩৪॥ সংসারগী কায়রবা থবক ময়াম অসিবু তৌদুনা তৌবগুম্বা নিংথৌ ইনাকখুনবা সংসারগী লাংদা মথা মথাবু কাজিনজহল্লি ॥৩৫॥ অদুনা অর্জ্জুন। চহী মতম কয়াকুইরবগী তুং অসিদা ঐগী থম্মোয়দা সংসারদগী অয়ানবা থুডম পীননবগী মথক ওইরবি বুদ্ধি অসি মথা মথন্তনা কোওদোকচরকলে। অদুনা সংসারগী কর্ম্ম ময়াম অসি থাদোক্লনা লেগুরবা, অমাঙ অতা লৈত্রবা ব্রহ্ম পদবীবু কাঙুরগে হায়না থল্লে ॥৩৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা "চার্ব্বাকনিগ্রহ যুধিষ্ঠিরবাক্যগী মাপলতুবা অধ্যায় লোইরে।

মহাভারতম্

—:*:—

(যুধিষ্ঠিরন বৈরাগ্যগী ৱা হায়রকপদা)

দশমোঽধ্যায় ।

ভীমনা ক্ষাত্রৱগী মতাং

তরাশুবা অধ্যায় ।

ভীম উবাচ ।

শ্রোত্রিয়স্যেব তে রাজন্ ! মন্দকস্যাবিপশ্চিতঃ । অনুবাহকতা বুদ্ধির্নৈষা তত্ত্বার্থদর্শিনী ।১।
আলস্যে কৃতচিত্তস্য রাজধর্ম্মানসূয়তঃ । বিনাশে ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং কিং ফলং ভরতর্ষভ ।২।
ক্ষমানুকম্পা কারুণ্যমানৃশংস্যং ন বিদ্যতে । ক্ষাত্রমাচরতো মার্গমপি বন্ধোস্ত্বদন্তরে ।৩।
যদীমাং ভবতো বুদ্ধিং বিদ্যাম বয়মীদৃশীম্, । শস্ত্রং নৈবাগ্রহীষ্যাম নাবধিষ্যাম কঞ্চন ।৪।

ভীমসেননা হায়খি:— মসুং নিংথৌ ! নাপুংদি ঐপঙ্ক পণ্ডখিবা, করিমত খণ্ডখিজব, নাথক বিচার মরীক অমকাও কৈশিজবা মীশক্ অমগুম তোজে । মুমিৎ চুপ্প বেদ পাঠত মহৈবা হৈহ নিংবয় অমবুদি ওক শম্পূদবা ব্রাহ্মণ অমগী বুদ্ধিগুম্বা নাপুংগী বুদ্ধিশ্ব পুন্নাও মাহক্রে । অচুম্বী মুখঞবী বুদ্ধিদনা খাটৈশংবা তোগদবা বিষয়বু কদায়দগী খঙব ওমগনি ॥১॥ ভরতশাটেগী অখোইবা ! নাপুংদ মীওইবগী মপোকপু করিমত হৈত খণ্ডজব। করিমত কামজবা অমগুম্ অবেখদা মাওহনগে হায়না খনবিরে । ক্ষত্রিয়গী বংশদা পোকপিরবা নাপুংনা রাজ ধর্ম্মবু হাকবদি ক্ষত্রিয়বু তাখিবিরি । অসিগুম্ব নাথক অসিনা কামজবা থবক অসিবু তোগে হায়না হায় খনবিজববদি ধৃতরাষ্ট্রগী অমুক নাপ্প মচা মচাশিংসিবু কৈদৌনা হাৎপিখ্রি ? মখোয়বু কাম্বা হাৎখিবগী মহৈনা করি ওইরে ॥২॥ নাপুং মহারাজ ! ক্ষত্রিয়মচা হায়বা নিংথৌমচা হাকবুদি মতমনা মায়কৃত্রবদি খবকী মতুংইন্না মচান মনাও শাগে নাইত মরূপ কাওবগী মফমদা ভয়খিজবা থবক তৌনখিবনি, খোঙ্গালগী মরীক অমকাওবা উৎনখিবনি । অদুগা করিগীনো নাপুংদি ক্ষত্রিয় অম ওইরগা ঐখোয়গী মাওনমবগীদমক তৌরবা য়েক্লবশিংবু অমুক নাম্না দুঃশিক্ষিত্রকা তৌজাক কৈবিবিগা । ॥৩॥ নাপুং নিংথৌ ! অহানবদা ঐখোয়না নাপুংগী অসি-

ভৈক্ষ্যমেবাচরিষ্যাম শরীরস্যাবিমোক্ষণাৎ । ন চেদং শক্যং বুদ্ধবচবিব্যামহীক্ষিতাম্ ॥৪॥
প্রাণস্যান্নমিদং সর্ব্বমিতি বৈ কবয়ো বিদুঃ । স্থাবরং জঙ্গমঞ্চৈব প্রাণস্য ভোজনম্ ॥৬॥
আদদানস্য চেদ্রাজ্যং যে কেচিৎ পরিপন্থিনঃ । হন্তব্যাস্ত ইতি প্রাজ্ঞা ক্ষত্রধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥৭॥
তে সদোষা হন্তব্যাস্তৌ রাজ্যস্য পরিপন্থিনঃ । তান্ হত্বা ভুঙ্ক্ষ্ব ধর্ম্মেণ যুধিষ্ঠির । মহীমিমাম্ ॥৮॥
যথা হি পুরুষঃ খাত্বা কূপমপ্রাপ্য চোদকম্ । পঙ্কদিগ্ধো নিবর্ত্তেত কর্ম্মেদং নস্তথোপমম্ ॥৯॥
যথারুহ্য মহাবৃক্ষমপহৃত্য ততো মধু । অপ্রাপ্য নিধনং গচ্ছেৎ কর্ম্মেদং নস্তথোপমম্ ॥১০॥
যথা মহান্তমধ্বানমাশয়া পুরুষঃ পতন্ । স নিরাশো নিবর্ত্তেত কর্ম্মৈতদ্বস্তথোপমম্ ॥১১॥
যথা শত্রূন্ ঘাতয়িত্বা পুরুষঃ কুরুনন্দন । । আত্মানং ঘাতয়েৎ পশ্চাৎ কর্ম্মেদং নস্তথাবিধম্ ॥১২॥
যথান্নং ক্ষুধিতো লব্ধ্বা ন ভুঞ্জীত যদৃচ্ছয়া । কামীব কামিনীং লব্ধ্বা কর্ম্মেদং নস্তথোপমম্ ॥১৩

ওয়া। বুদ্ধি অসিবু থঙজরম্বদি ঈথুংভা থুংলায় অমকাও পায়থংলম্মোইদোবনি । মী অমকাওবু হাক্চাংম্মোইদোবনি ॥৪॥ থরাইগা হকচাংগা কায়নব্রিকাওবা ভিক্ষ নিহুনা চাজরম্‌গদোবনি । অহুম্ ভোয়রবদি অমুক য়াম্বা নিংথৌ প্রজাশিং অসিমু অমত শিনরম্মাইদোবনী অসাওবা ভমথিরবা লাঙ্গাও অসিগু খোক্লমমোইদৌবনিদকো ॥৫॥ জগৎত লৈরিবা পোৎ পুম্নমক্ অসি অকনবশিংগী ভাক্তনি হায়বসি তম্ব থঙবশিংনা হায়রৈ । অহুনা নচ্ছংত জীব পানব পুম্নমক্ অসিগী অহুগা জগৎত লৈরিবা সনা লুপা ধনম্পতি পুম্নমক্ অসিগী মপূদি অকনবতনা ওইগ-দোবনি হায়বসি য়াকম খোকলে ॥৬॥ লৈপাক অম লোশনবা তায়বদি অহুগা মাহুদা কনাওম্ব অমনা য়েৎলবদি মহাকপু হাৎকদবনি হায়বসি ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী তম্ব থঙদবা পণ্ডিতশিংনা হায়রৈ ॥৭॥ ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিং অহুনা ঐখোয়গী ঈকমদা অয়ানবা পাপকো থবক তৌহুনা লৈখি, অমরোমদা অমুক ঐখোয়গী মীরৈপাক্ কংনবগী লম্বাদা বিরোধী ওইহুনত লৈখি । মরম অহুন য়াম্বুং মহারাজনা মখোয়মুবু ধর্ম্ম যুদ্ধদা লোইনা হাৎপিরে । অহুনা, হৌজিক্তি ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী নিয়মগী মতুংইন্না য়েক্লবগী মথুৎতগী ছৎলবা রাজ্য অসি শাসন তৌবিয়ো ॥৮॥ কুহাবু খা য়োনা তৌখিবা মী অহুনা লৈপুংদা ঈশিং খোয়াংলক্লবদা ঈশিং কংদবা অহুগা মশাদা লৈখোমত মতৈবা অহুওবা ঐখোয়না নীয়খিবা থবক্ অসিশু ঃকায়দবদা তৌবা তাযে ॥৯॥ অমুতওয় থ,ম্নবা উহৈবু য়াং চাউববা পাম্বী অমদা কাখৎতুনা য়াযেমহৈ হেক্লগা লৈমায়থক তাবকতুনা থরাই মাওবহুওয়া ঐখোয়না তৌয়খিবা থবক পুম্বা অমেম্বদা তাযে ॥১০॥ কমিওং পোপক অমবু কংগে হায়হুনা য়াযেমহৈ য়াম্ব শাংলবা লম্বী অমদা চৎপমহৈ চৎলুমগী কংওমদাইর্দি তাইওনুনা নীওবা কায়হুনা হলকপা । কনাওম্ব অমগী খোদো অহুওয়া ঐখোয়গী তৌকখৈ ॥১১॥ কৌরবনন্দন । য়াম্বুং নিংথৌ । ধর্ম্মরাজ । কনাওম্ব অমনা য়েক্ষ তুম্বা হাৎলগা কুমদ মশাবথকতবু হাক্চবা আত্মহত্যা তৌবহুওয়া ঐখোয়গু তৌযে ॥১২॥ লায়বা মীনা মচাপোৎ

অয়মেবাত্র গর্হ্যো হি যদ্বয়ং মন্দচেতসম্ । ত্বাং রাজন্ননুগচ্ছামো জ্যেষ্ঠোঽয়মিতি ভারত ॥১৪॥
বয়ং হি বাহুবলিনঃ কৃতবিদ্যা মনস্বিনঃ । ক্লীবস্য বাক্যে তিষ্ঠামো যথৈবাশক্তয়স্তথা ॥১৫॥
অগতীকগতীনস্মান্ নষ্টার্থানর্থসিদ্ধয়ে । কথং বৈ নানুপশ্যেয়ুর্জনাঃ পশ্যত যাদৃশম্ ॥১৬॥
আপৎকালে হি সন্ন্যাসঃ কর্ত্তব্য ইতি শিষ্যতে । জরয়াভিপরীতেন শত্রুভির্ব্যংসিতেন বা ॥১৭॥
তস্মাদিহ কৃতপ্রজ্ঞাস্ত্যাগং ন পরিচক্ষতে । ধর্ম্মব্যতিক্রমঞ্চৈব মন্যন্তে সূক্ষ্মদর্শিনঃ ॥১৮॥
কথং তস্মাৎ সমুৎপন্নাস্তন্নিষ্ঠাস্তদুপাশ্রয়াঃ । তদেব নিন্দাং ধাতারং তত্র ন গর্হয়েত ॥১৯॥
শ্রিয়া বিহীনৈরধনৈর্নাস্তিকৈঃ সম্প্রবর্ত্তিতম্ । বেদবাদস্য বিজ্ঞানং সত্যাভাসমিবানৃতম্ ॥২০॥
শক্যন্তু মৌণ্ড্যমাস্থায় বিভ্রতাত্মানমাত্মনা । ধর্ম্মচ্ছদ্ম সমাস্থায় চ্যবিতুং ন তু জীবিতুম্ ॥২১॥

ক্লগা চাদনা তোকথোকপা অদুগা অপাম নুংশি থংনেনীঙবা কনাগুম্বা নিপানা পুগীশু কংলগা মাগা তিম্ব থোৎনক্কবগী আশা থাদোক্পা অদুগুম্বা ঐখোয়গী থবক অসিবু পায়থৎলুরি ॥১৩॥ ভরতনন্দন য়াম্বুং মহারাজ ! ইয়াম্বানি হায়দুনা পঙপরবা শুমহৎপ্রবা ঈরায় অমগী মখুং কোম্বিন ইয়ক্করিবা ঐখোয় অনিয়ক মীনা নিন্দা তৌননীঙায় ধিকার তৌননীঙায় ওইরবনি ॥১৪॥ ঈহৈ ইশিং হৈজ তমজক্করবা, পাম্বোম্ পাজল চাউরবা থম্মোয় থোজ্রবা ঐখোয় অসিনা অখুংবা (নপুংসক) পাঙজবা মীশক অমগী মতেংগুম্ য়াম্বুংগী নথা পোম্নুনা লৈজরি ॥১৫॥ ঐখোয়গী থবক পুম্ব মহৈ মথং মথং য়াল্লকপা অসিবু য়ারী রাজাই শায়ব মীশিংনা "চঙজকথ লৈজ্রবগী চঙজকম ওইরবা পাওবশিংনি, অঙ্গবু করিগুংদগী পঙথখিহুনা মশানা মশাগী কমজববু ভস্ম ওইনা মাঙহল্লিবনো ! " হায়না ঙাঙনথিরোইজা ? অদুগা মকম অসিদা তিনবিরিবা পুম্মক । ঐনা হায়জরিবসি অচুম্বা নত্রা হায়বসিম্ব ময়ায়া বিচার অমুক্ত তৌবিয়ু ॥১৬॥ (অরাব তারবদা) য়াম্ব অহল ওইরক্রবদা, রেক্কবশিংনা লম্হ্ম পুম্ব লোবিশ্রবদা সন্ন্যাস মার্গদ চংখিগদবনি হায়বসি অরায় শাস্ত্রনম্ব হায়রি ॥১৭॥ মরম অদুনা, মহারাজ ! রাজনিতি শাস্ত্রকার অমদি য়াম্ব বিচার কুপ্প মিশিংনা য়াম্বুং মহারাজগুম্বনা সন্ন্যাসি ওইগদবনি হায়বসি থক হায়দম্ ইবম্দে । অহোয়-নহুম য়াম্বুংনা তৌবিম্বিব থবক অসিদি ধর্ম্মগী রাংম লাক্লবা থবক অমনিহুম হায়রম্মি ॥১৮॥ হিংসা তৌনবগীদমক পোকলক্লবা, হিংসাগী থবক পুক্লিং চঙলক্লবা, অদুগা হিংসা তৌবতনা জীবিকা ওইবা তাম্বা অদুগুম্বা মীশিংনা 'হিংসাবু করম্ হায়না নিন্দা তৌগদগোল্লিকনো ? হিংসানা মশিজাং ওইবা মীশিং অদুমক্কবু মখোয়গী হিংসাগী থবকপু শেম্বিয়ম্জিবা বিধি-বিধাতা কাওবু মখোয়না নিন্দা তৌদে ॥১৯॥ চাওখৎপগী করিগুম্বা মচাক অমত লৈজ্রবা অমুক, করি হায়গনি মশাদা কম্ভিগুম্ব অমত নাস্তিকশিংগী মতৌগুম্বা কনা কনাগুম্বনা মাগী মাগী কাওবুগী মিশিং হেনগৎহনবগীদমক্ কাজিয়শিংগীদমক্তা বেদনা বিধান তৌরবা সন্ন্যাস অদুবু প্রধান ওইনা পুখোক্লনা মিথ্যাবু সত্যগুম্ব প্রচার তৌরম্মি ॥২০॥ য়াম্বুং মহারাজ ! য়াম্বুংনা য়াং

শক্যাঃ পুনররণ্যেষু সুখমেকেন জীবিতুম্ । অবিভ্রতা পুত্রপৌত্রান্ দেবর্ষীনতিথীন্ পিতৄন্ ।২২।
নেমে মৃগাঃ স্বর্গজিতো ন বরাহা ন পক্ষিণঃ । অথান্যেন প্রকারেণ পুণ্যমাহুর্ন তং জনাঃ ।২৩।
যদি সন্ন্যাসতঃ সিদ্ধিং রাজা কশ্চিদবাপ্নুয়াৎ । পর্ব্বতাশ্চ দ্রুমাশ্চৈব ক্ষিপ্রং সিদ্ধিমবাপ্নুয়ুঃ ।২৪।
এতে হি নিত্যসন্ন্যাসা দৃশ্যন্তে নিরুপদ্রবাঃ । অপরিগ্রহবন্তশ্চ সততং ব্রহ্মচারিণঃ ।২৫।
অথ চেদাত্মভাগ্যেষু নান্যেষাং সিদ্ধিমশ্নুতে । তস্মাৎ কর্ম্মৈব কর্ত্তব্যং নাস্তি সিদ্ধিরকর্ম্মণঃ ।২৬।
ঔদকাঃ সৃষ্টয়শ্চৈব জন্তবঃ সিদ্ধিমাপ্নুয়ুঃ । যেষামাত্মৈব ভর্ত্তব্যো নান্যঃ কশ্চন বিদ্যতে ।২৭।
অবেক্ষস্ব যথা স্বৈঃ স্বৈঃ কর্ম্মভির্ব্যাপৃতং জগৎ । তস্মাৎ কর্ম্মৈব কর্ত্তব্যং নাস্তি সিদ্ধিরকর্ম্মণঃ ।২৮।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি

চার্ব্বাকনিগ্রহে ভীমবাক্যে দশমোঽধ্যায়ঃ ।১০।

— —(:০:)— —

নপাএকপূ ওয়মাইথ য়োকথাক্লনা ভূমিন লৈত্না তৌশিন্নব ধর্ম্মগী লম্বিদা লৈত্না শিখিবদি ওাম্বগনি, অদুগা হিংদুনা লৈবদি ওম্বাৱাই ॥২১॥ য়াম্বুংনা মচা মশুশিংবু য়োকখাকপা মতুগা দেবতা ঋষিশিংগী অমদি পিতৃলোকশিংগী তর্পনচিংবা সেবা পূজানচিংব ধর্ম্মগী থবক পুম্নমক্ তৌরমদনা য়াম্বুং নথম্ভনা বনদা চংথিনা কম্বিগুম্ব উপায অমনা হিংদুনা লৈকবদি ময়াগনি ॥২২॥ শা উচেক শজী শঙাই লম্মাকনচিংবা বনগী শা উচেকশিং অসে বনদা লৈয়ে হায়দুনা উচেকশিং অসে স্বর্গ হেক কংগদবা ঙমনতে । মরমদি স্বর্গবু পাবিনবগী মশক ওইবা পুণ্য হায়বদুদি মওং অম ওইনা লৈবনি । অশিংবা জ্ঞানিশিংনা বনবাসবু মহাপুণ্যগী মশকনি হায়বসিদি কম্বিগুম্ব লাইরিক্ত লৈয়মজে ॥২৩॥ কনাগুম্ব নিংথৌনা মরৈপাক সিংহাসন হেক থাদোক্লনা বনদ লৈরগ অরানবা খুভমবু অদুগ স্বর্গবু হেক মকংলবদি বনদা মতম কুইনা ভূমিন্ন লৈরিবা উজাও চিংজাওশিং অসিদি অরানব খুভমদু কদায়ক গয়বু কংলরগনি ॥২৪॥ মরমদি উজাও চিংজাউশিংসে সুমিং চুম সন্ন্যাসি ওইদুনা চাক লৈদ উই । মথোৎবগী পুংশিদা কম্বিগুম্বা উপদ্রব অমত লৈব উদে । মখোয়না কনাগুম্ব অমদগী কম্বিগুম্ব অমত লৌশিনবা উদে । মতম লৈবা খিবিক্ত ব্রহ্মচারি ওইদুনা লৈ ॥২৫॥ অসিগী মথক্ত, সন্ন্যাসী ওইবতনা তাইবং মীনা অতোপ অতোপ্প যোগীগী অমদি তপস্যাগী সিদ্ধি অদু কংব ওয়দ্রবদা। জপ তপস্যানচিংব অমক তৌখিব তারি । হায়রিবা থবক ময়াম অসি তৌদনা কনাগুম্ব অমত্তনা সিদ্ধি কংব ওম্ব নত্তে; হায়বদি সিদ্ধ পুরুষ ওইব ওমদে ॥২৬॥ কনাগুম্ব অমত্তগা সম্পাক থমদনা মশা মথন্তদা নির্ভর তৌদুনা লৈব চাক্তনা সিদ্ধি মুক্তি হেক মকংলবদি শাল শগোল শা উচেকশিং অসিদি মহাম সিদ্ধি কংগ্রগনি । মরমদি মখোয়সিদি মশা মশাতবু য়োক্লগা লোইয়ে, মখোয়না কনা অমতবু য়োকদব লৈতে ॥২৭॥ য়াম্বুং মহারাজ মহারাজ । অমুক্ত য়েংবিয়ু— জগত্ত লৈরিবা জীব পুম্বসে মাগী মাগী মথৌ অথবমদা পুংশিং চত্নবা লৈনরি । অদুনা কর্ম্মবু থক্ থাদোকপা য়াদে; কর্ম্ম তৌদ্রবদি সিদ্ধি কংবা ওমদে ॥২৮॥

মথম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোকশিংদা চামনা শ্রীব্যাসনা লোব সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা "চার্ব্বাকনিগ্রহ" দা ভীমবাক্যগী তরাওবা অধ্যায় লোইয়ে ॥

মহাভারতম্

(অর্জ্জুননা তাণ্ডবগী মঙাংদা)

ঋষি শকুনিসংবাদ

একাদশোঽধ্যায় ।

তরামাথোইশুবা অধ্যায়ঃ ।

——:✳:——

অর্জ্জুন উবাচ ।

অত্রৈবোদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্ । আপন্নৈঃ সহ সংবাদং শক্রস্য ভরতর্ষভ । ।১।

কেচিদ্‌গৃহান পরিত্যজ্য বনমভ্যাগমন দ্বিজাঃ । অজাতশ্মশ্রবো মন্দাঃ কুলে জাতাঃ প্রবব্রজুঃ ।২।

ধর্ম্মোঽয়মিতি মন্যানাঃ সমৃদ্ধা ব্রহ্মচারিণঃ । ত্যক্ত্বা ভ্রাতৄন্ পিতৄংশ্চৈব তানিন্দ্রোঽম্বকৃপায়ত ।৩।

(যুগ্মকম্)

তানাবভাষে ভগবান্ পক্ষী ভূত্বা হিরন্ময়ঃ । সুদুষ্করং মনুষ্যৈশ্চ যৎ কৃতং বিঘসাশিভিঃ ।৪।

পুণ্যং ভবতি কর্ম্মেদং প্রশস্তঞ্চৈব জীবিতম্ । সিদ্ধার্থাস্তে গতিং মুখ্যাং প্রাপ্তা ধর্ম্মপরায়ণাঃ ।৫।

অর্জ্জুননা হায় :— ভরতশাগৈগী অথোইবা মাম্বু মহারাজ । সন্ন্যাসগী বিষয় অসিদা ইন্দ্রগা দপস্বীশিংগা তাণ্ডবখিবগী মমাংগী ওইরবা মাদী অম লৈরি ॥ ১ ॥

মমাংদা অকবা শাগৈদ'দ পোক্‌পা, পাখং মচা পুংকক্কায়বা, ব্রহ্মচারী ওইরবশু পণ্ডিত মায়া পঙ্কবা ব্রাহ্মন মচা খরনা মরলমথ্‌ম্ মায় লৈবগী মচানশুদি ওইরগা মমা মপা মচৌনমনাও মযুম্ মকৈ থাদোক্তনা মাচুমক্তদা মীওইন পোকপগী অথোইবা ধর্ম্মনি হায়না খনখিন্না তুং-তাইরবা মযুম্ থাদোকতুনা বন চৎখি । মখোয়সি প্রব্রজ্যা [তম্‌কোয়রবা-লম্বোইবা] হায়বা ধর্ম্ম অতুগী কপী চৎলবনি হায়না খল্লুখি । মখোয়গী মতোম্ উবদা ইন্দ্রনা মায় তুংশিনিবিরে ভগবান ইন্দ্রদেবনা কনাগী উচেক অম ওইদুনা মখোয়গী মনাক্ত পাইরকতুনা অসুম হায়খি :—

"নখোয়না ব্রহ্মচারীনি হায়দুনা থকগী প্রসাদী চাদুনা তৌরক্লিবা থবক অসি অতৈ অতোপ্প তাইবং মী অমত্তনা তৌবদোইদৌবনি । মায় লুব থবক অমনি ॥৪॥ ব্রাহ্মনকুমার নখোয়না তৌখিবা থবক অসে মহাপুন্যনি, অদুগা নখোয়গী পুনশি অমদি নপোক অসিসু থাগৎনি-তাবদি । ব্রাহ্মনমচাশিংনা তৌখিবাসিগী মহৈ পোয়দনা ফংখিরগনি । অকক পুন্যলোকসু ব্রাহ্মন্‌শিংনা ফংলগনি । মরমদি ব্রাহ্মনকুমার নখোয় পুম্মক ধর্ম্মদা মায় পুক্নিং চঙব হায়বদু ওইবে ॥৫॥

ঋষয় ঊচুঃ

অহোবতায়ং শকুনির্বিঘসাশান্ প্রশংসতি । অস্মান্ শৃণুধ্বমং শাস্তি বয়ঞ্চ বিঘসাশিনঃ ॥৬॥

শকুনিরুবাচ.

নাহং যুষ্মান্ প্রশংসামি পঙ্কদিগ্ধান্ রজস্বলান্ । উচ্ছিষ্টভোজিনো মন্দানন্যে বৈ বিঘসাশিনঃ ॥৭॥

ঋষয় ঊচুঃ ।

ইদং শ্রেয়ঃ পরমিতি বয়মেবাভ্যুপাস্মহে । শকুনে ! ব্রূহি যচ্ছ্রেয়ো ভৃশং তে শ্রদ্দধামহে ॥৮॥

শকুনিরুবাচ ।

যদি মাং নাভিশঙ্কধ্বং বিভজ্যাত্মানমাত্মনা । ততোঽহং বঃ প্রবক্ষ্যামি যাথাতথ্যং হিতং বচঃ ॥৯॥

ঋষয় ঊচুঃ

শৃণুমস্তে বচস্তাত ! পন্থানো বিদিতাস্তব । নিয়োগে চৈব ধর্ম্মাত্মন্ ! স্থাতুমিচ্ছাম শাধি নঃ ॥১০॥

মাচু তারবদা ঋষিকুমারশিং অদুনা অমুম্না হায়রকই :— "করাদ ওকপ্রবনোসে। উচেক অসিনা গুরুদেবগী উচ্ছিষ্টভদ চাদুনা লৈরবা ব্রহ্মচারী ওইরবা 'ঐখোয়বু থাগৎলি। অদুগা ঐখোয়না তোম্বি থবক অসিতবুম্ থাগৎকে হায়না লাকপসি সোয়রোই। গুরুনা হাথিবগী অরেম্বত চাদুগা লৈরবা, ব্রহ্মচারী ওইরবা তাকনি ঐখোয়সু। [অদুনা থাগৎকমসু থোকই] ॥৬॥ উচেকতুনা অমুক হায়রকই :— "ঐ নখোয়বু থাগৎপা নত্তে। ময়মদি নখোয়গী থোঙ অদো লৈখোম লৈনাং উকুল রাইকুম্না তেরে, নখোয়পুম্বা গুরুগী অরেম্ব শরুকতনা পেজদুনা লৈরি, চুম্মী; অদুবু য়ায়দি পঙলি। নখোয়না তোম্বিবসিগী অতৈ বিবরদা থাগৎকদ লৈব্রবসু গুরুদেবগী অরেম্ব প্রসাদীত চাদুনা লৈরিবসিমকতনা ঐভোন্দদি থাগৎকম থোকলে ॥৭॥ মাদু তারবদা ঋষিকুমারশিং অদুনা হায়রকই বনবাস তোম্বিসিতনা ঐখোয়দা মহামঙ্গলগী মথক অমনি। অদুমকতনা ঐখোয়মা অসিতবা থবক অসিদ পুক্নীং চঙলী। অদুবু; উচেক । ঐখোয়দা কাম্পনবা থবক অমদি পাউত্তাক অদু মপুং কানা অমুকত হায়রকউ—॥ উচেক নংনা হায়রা য়াসে ঐখোয় য়ায় থাজবে ॥৮॥ উচেকো হায়রকই :— ঋষিকুমার পুম্নমক, নখোয়না ঐ অসিবু মমথাক লৌনমতোবা জাব অমনি হায়না লৌজবদি ঐ ইশা ইথত্তবু পাউত্তাক পীবা থোনক অমত্তম নখোয়দা কায়বাবা অমদি নখোয়গী মঙল ওইনবা পাউত্তাক পীগে ॥৯॥ ঋষিকুমারশিং অদুনা হায়রকই , ইকায়খুম্নবগী মথক্ ওইরবা উচেক । ঐখোয় নহাক্কী বাবু থাজবগা লোয়নবা অমুক তাগে ধর্ম্মগী লম্বীপুম্বু নংনা লৌইনা থত্তলথাদে হায়দুনা ঐখোয়না থাজে । অদুনা ধর্ম্মগী তত্ববু মুম্না খঙলবা উচেক। ঐখোয় নহাক্কী য়াথং অমদি পাত্তক্তাকী মথা খোঞ্জলে

শকুনিরুবাচ ।

চতুষ্পদাং গৌঃ প্রবরা লোহানাং কাঞ্চনং বরম্ । শব্দানাং প্রবরো মন্ত্রো ব্রাহ্মণো দ্বিপদাং বরঃ ।১০।
মন্ত্রোঽয়ং জাতকর্ম্মাদির্ব্রাহ্মণস্য বিধীয়তে । জীবতোঽপি যথাকালং শ্মশাননিধনাদ্বকঃ ।১১।
কর্ম্মাণি বৈদিকান্যস্য স্বর্গ্যাঃ পন্থানস্ত্বমঃ । অথ সর্ব্বাণি কর্ম্মাণি মন্ত্রসিদ্ধানি চক্ষতে ।১৩।
আম্নায়দৃঢ়বাদীনি তথা সিদ্ধিরিহেষ্যতে । মাসার্দ্ধমাসা ঋতব আদিত্যশশিতারকম্ ।১৪।
ঈহন্তে সর্ব্বভূতানি তাদিদং কর্ম্মসংজ্ঞিতম্ । সিদ্ধিক্ষেত্রমিদং পুণ্যমযমেবাশ্রমো মহান্ ।১৫।

ঐখোয়দা পাওতাক পীয়ো ” ॥১০॥ উচেক [লাওজা] অহুনা হায় :— মখোড় মরি পানব জীবগী মপুংদা শম্না খ্বাইদগী অখোয়বনি মচু মঙান লৈব পোৎশিংগী মপুংদা সনানা খ্বাইদগী অখোইবনি । হায়দোয়কপা য়াহৈশিংগী মপুংদা মন্ত্রনা অখোইবনি মখোড় অনি পানবা জীবগী মপুংদা ব্রাহ্মননা খ্বাইদগী অখোইবনি ॥১১॥ হিংলিবা ব্রাহ্মনশিংগী মকমদা নিয়মনাইনা ধর্ম্ম কায়দনাপোকখি ।. শুমৎ [জাতকর্ম্মদিন] অহুদগী হৌনা শিবা অমদি মোংকমদা মহাসংস্কার তৌব অহুকাওবগী মপুংদা হায়রিবা মন্ত্র হায়বা পোৎ অসি য়াওরিবনি ॥১২॥ ব্রাহ্মনশিংগী মকমদদি বেদদা হায়রিবা বৈদিককর্ম্মশিং-অহুতনা স্বর্গকংননবগী পাহৈনি । অহুগা অমুকস্য মুনিঋষিশংনা করি অমুক হায়রিবগে হায়বদা হায়রিবা কর্ম্মশিং অহুমকম্ বেদগী মন্ত্রনা পাঙথোকদবনি আসনি ॥১৩॥ বেদতদা হায়রিব কর্ম্মশিং অহগী তত্ব পুম্ব তাক্লবনি । মরম অহুনা অদুগুম্ব মন্ত্রনা সিদ্ধ ওইহনপ্রবা কর্ম্মশিং অহু-ভগী পাম্বৈনা মীওইবনা স্বর্গনচিংবা কংননবগী কামনা ময়াম অসি তৌনারিবনি । অময়োমদনা খা অমগী মপুংদা পাঙথোকদবা' পক্ষ অমগী মপুংদা ঋতু অমগী মপুংদা নোংমগী মপুংদা' শুং-থিল্ অমগী মপুংদা নত্রগ অহিং অমগী মপুংদা পাঙথোকদবা নক্ষত্র অমনা পুম্বিবা মতমহুগী মপুংদা পাঙথোকদোয়িবা যাগযজ্ঞ মখল মখল করা লৈরি ॥১৪॥ ব্রাহ্মন, ক্ষত্রিয় বৈশ্যনচিংবা বর্ণশিং অসিগী মীনা মানা মানা অশুবা শক্তিগী মতুংইন্না ওাম্বমথৈ তৌবয়াব যজ্ঞশিং তৌগনা স্বর্গ লোকনচিংবা মানা মানা অপাম্ব লোক অমদি ধর্ম্মবু কংনবা হোৎনরি । অসিগুম্ব যজ্ঞশিং অসিগী মখিংবু কর্ম্ম কোই । অসিগুম্ব কর্ম্ম অসিদি গৃহস্থাশ্রমতদা তৌনৈ । মরম অহুনা আ শ্রমপুম্বমক্তগী গৃহস্থাশ্রমদা খ্বাইদগী অখোইবনি । গৃহস্থ শ্রম হায়বসিঙনা পুন্যচেপ্পবা কর্ম্মশিংবু

টীকা * তাইবং মীওইবনা নোংমগী নত্রগা পুনশিগী মপুংদা বিষয় অতৈ অতৈগী মরমদ হেক তাঙলিবা শক্তিবশিং অহুগী মপুংদা মশাগী অতোম্নশিংগী অহুত নত্তনা অগৎকী জিবসিংগী কায়নবা ওইবা মপুংদা অর্থ য়ামা লৈবা অহুগা থোইদোক্লা শাংদবা য়াহৈপয়েং অহুতনা অখো-ইবনি । অহুনত্তবা অতৈহুদি তাঙজবম্ থারম্বনি ।

অথ যে কর্ম্ম নিন্দন্তো মনুষ্যাঃ কাপথং গতাঃ। মূঢ়ানামর্থহীনানাং তেষামেনস্তু বিদ্যতে ॥১৬॥

দেববংশান্ পিতৃবংশান্ ব্রহ্মবংশাংশ্চ শাশ্বতান্। সন্ত্যজ্য মূঢ়া বর্ত্তন্তে ততো যান্ত্যশ্রুতীন্ পথঃ ॥১৭॥

এতদ্বোঽস্তু তপোযুক্তং দদামীত্যৃষিচোদিতম্। তস্মাত্তদধ্যাবসতস্তপস্বি ঋষিহোচ্যতে ॥১৮॥

দেববংশান্ ব্রহ্মবংশান্ পিতৃবংশাংশ্চ শাশ্বতান্। সংবিভজ্য গুরোশ্চর্য্যাং তদ্বৈ দুষ্করমুচ্যতে ॥১৯॥

দেবা বৈ দুষ্করং তপ্ত্বা বিভূতিং পরমাং গতাঃ। তস্মাদ্গার্হস্থ্যমুদ্বোঢ়ুং দুষ্করং প্রব্রবীমি বঃ ॥২০॥

তপঃ শ্রেষ্ঠং প্রজানাং হি মূলমেতন্ন সংশয়ঃ। কুটুম্ববিধিনানেন যস্মিন্ সর্ব্বং প্রতিষ্ঠিতম্ ॥২১॥

এতদ্বিদুস্তপো বিপ্রা দ্বন্দ্বাতীতা বিমৎসরাঃ। তস্মাদ্ব্রতং মধ্যমন্তু লোকেষু তপ উচ্যতে ॥২২॥

দুরাধর্ষপদঞ্চৈব গচ্ছন্তি বিঘসাশিনঃ। সায়ংপ্রাতর্বিভজ্যান্নং স্বকুটুম্বে যথাবিধি ॥২৩॥

পাঙথোকপা ওইগে ॥১৫॥ কনা কনাগুম্ব জ্ঞান তম্বাশিংনা গৃহস্থাশ্রমবু সংসারগী মায়াবিষয় পুম্নমক্তা থম্লবনি হায়না নিন্দা তৌরনা নিয়ম পাবিং কায়না সন্ন্যাসাশ্রমদা চঙখিরুনা অরানবা লম্বীদা চৎলে। সন্ন্যাস হায়বসিগী চপচাবা থাক্কি-শংবা মূপকারন অমদি তত্ত্ব থেংনবা মীনা সন্ন্যাসাশ্রমদা পাপকর্ম্ম কয়া কয়া তৌরি ॥১৬॥ মূর্খখুদিংগী অকব মঙ্গল ওইবা মহৈতবু পীনবিরিবা দেবতাশিংগী পিতৃ লোকশিংগী অমগা ব্রাহ্মনশিংগী সেবাপুজাবু থাদোক্লুনা অপওবমীশিং সন্ন্যাসি মাগদা চাংঙও অমুক্তগীদি অয়াম্বা লেংদবা লম্বীদা চৎপা হৌই। জীবশিং অমুনা থয়েংমুক্তী মপোক্ত তংলকাওগী যোঙদা চঙখুনা পোকলুই ॥১৭॥ অমুনা ব্রাহ্মন কুমার পুম্নমক! অমুনা ঐ হৌজিক নখোয়দা ঋষিশিংনা তাক্লম্বা থাজৈশংবা, অচুম্বা গার্হস্থ্য হায়বগী তত্ত্বউপদেশ পুম্বা তাকে জগৎ আসদদি নিয়মবিধি থমনা গৃহস্থাশ্রমী ওইরবশিং অমুতনা অশেংবা তপস্বীনি ॥১৮॥ মকম মতম চানা গুরুগী সেবা পূজা তৌদুনা অমগা ঋতু ঋতুগী নিয়মনাইনা অকবা মহৈত পীনবিবা দেবতাশিং পিতৃ লোকশিং অমদি ব্রাহ্মনশিংগী সেবা পুজা তৌহনা গৃহস্থগী ধর্ম্মবু চেকশিন্না তাকপা হায় বাসতনি থ্বাইদগী লুবা অকনবা তপস্যা হায়ববু ॥১৯॥ দেবতাশিংনা পাক তৌওমদবা গৃহস্থধর্ম্ম অসিগী পাদ্মেনা অমনা লায়না কাংলমথবা সম্পাতি কয়া ফংবৈ। অমনা কুমারশিং ঐখোয়না গ্রহস্থাশ্রমদা চঙখিনববগী উপদেশ অসি ঐনা পীর ॥২০॥ ব্রহ্মচার্য্য বানপ্রস্থ হায়রিবা আশ্রম লোম্নুনা লৈরিবা অমগা মচামতপুম্নমক্তা য়োক থাকপগী থবক পুম্বগী মঙখিনা পাঙথোক্লকম অমুতবা গৃহস্থাশ্রমী হায়ব অমুতনা থ্বাইদগী লেনা তপস্যা তৌবমনি ইহলোকপরলোক অনিমক্তী চাওখৎনকম্নি মসিদা কম্নিসু চিংনকম লৈতে ॥২১॥ অরাবা পুংতাপুম্বা থাগৈবা' কল্লকয়েংখিবা য়াওদবা মুনিশিংনা নিয়ম কায়দনা গৃহস্থধর্ম্মবু তাকপমনা অখোয়বা তপস্যানি হায়নৈ অমুগী মথংদা ব্রাহ্মচার্য্য' বানপ্রস্থ প্রব্রজ্যা অমম অসিদুনা মথামনা তপস্যানি হায়নৈ ॥২২॥ অচিংমুংখিন্দা মচামগী মুপীনহাশিংদ' চপ চানা য়েন্নবাতুনা হংগ্র পীজবগা কোনথংগ

টীকা * —সন্ন্যাস আশ্রমদা লৈবগা সন্ন্যাসগা মরম লৈনদমা তৌখিবা অকক্ত কর্ম্ম পুম্বা পাপকা পাপমক্তনি। থাদোকপগী আশ্রমদদি লৈবগা অসি মথৈদি থাদোকলোইদোবনি হায়দুনা তৌখিবা কর্ম্মশিং অমুগী তববু থওদনা তৌরবদি মীমহাক অমুগী সন্ন্যাস কর্ম্ম অমু পাপকর্ম্মনি। অমুনা অপওবাশিংদদি সন্ন্যাসনা পাপকর্ম্ম ওই।

দত্বাতিথিভ্যো দেবেভ্যঃ পিতৃভ্যঃ স্বজনায় চ । অবশিষ্টানি যেঽশ্নন্তি তানাহুর্বিঘসাশিনঃ ।২৪।
তস্মাৎ স্বধর্মমাস্থায় সুব্রতাঃ সত্যবাদিনঃ । লোকস্য গুরবো ভূত্বা তে ভবন্ত্যনুপস্কৃতাঃ ।২৫।
ত্রিদিবং প্রাপ্য শক্রস্য স্বর্গলোকে বিমৎসরাঃ । বসন্তি শাশ্বতান্ বর্ষান্ দুষ্করকারিণঃ ।।২৬।।
ততস্তে তদ্বচঃ শ্রুত্বা ধর্মার্থসহিতং হিতম্ । উৎসৃজ্য নাস্তিকমতিং গার্হস্থ্যং ধর্মমাশ্রিতাঃ ।২৭।
তস্মাত্ত্বমপি দুর্দ্ধর্ষ ! ধৈর্যমালম্ব্য শাশ্বতম্ । প্রশাধি পৃথিবীং কৃৎস্নাং হতামিত্রাং নরাধিপ ! ।২৮।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে অর্জ্জুনবাক্যে ঋষিশকুনিসংবাদে একাদশোঽধ্যায়ঃ ।১১।

—(:.:)—

অরেম্বক চারবা গৃহস্থশিং অমুতনা কংত্তমল্লবা স্বর্গবু কংতি ॥২৪॥ অতিথি, দেবতা পিতৃলোক অমদি পরিকয়বু পীজ পীংক্লব তুংদা অরেম্ব চারিবা গৃহস্থ ধর্ম্মবু নীত্তখিনা ত্তাক্তনা আশ্রম অসিগী নিয়মবু চুম্না চংতুনা লৈরিবা, মরুক্ত চিংনবা লৈব্রবা, সত্যবাদি ওইবা মীশিং অদুতনা লোক শুয়মক্তী পাউত্তাকপীত্তম্বা মীশক ওই ॥২৫॥ থোইদোক্লা লুরবা গৃহস্থ ধর্ম্মবু চোংকশিম্ন ত্তাক্লিবা বল্লক য়েংথি লৈতবা মীশিংনা ইন্দ্রগী স্বর্গ লোকত কাখিতুনা চহী মত্তম কুইনা মকম অতুদা লৈকুই ।২৬॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ অসিগী তুংদা ঋষিমচাশিং অদুনা ইন্দ্রগী ঃক্তুগুম্ব ধর্ম্ম অর্থনা ত্তিল্লিবা পাওতাক অদু তাবদগী " গৃহস্থ শ্রমদা ধর্ম্ম লৈত্তে " হায়বা আসগুম্বা নতবা রাখল অসি থাদোক্তনা অমুক হন্না গৃহাস্থাশ্রমদা চত্তখি ॥২৭॥ মমম অদুনা খুকলপাজল্লবা রাজুং মহারাজ ! মতম কুইনা পূক্লিংগী শাত্তিগা লোয়নবা য়েক্লতিংথং লৈব্রবা পাকচাউরবা রাজ্য অসিবু শাসন তৌহিয়ু ॥২৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চাযনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তি পর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহ'গী অর্জ্জুনবাক্যগী তরামাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে।

——:—:——

শ্রীমহাভারতম্

(নকুলনা ঙাঙবা)

দ্বাদশোঽধ্যায়ঃ

তরানিপালশুবা অধ্যায় ।

—:(:*:):—

বৈশম্পায়ন উবাচ

অর্জ্জুনস্য বচঃ শ্রুত্বা নকুলো বাক্যমব্রবীৎ । রাজানমভিসংপ্রেক্ষ্য সর্ব্বধর্ম্মভৃতাং বরম্ ॥১॥
অনুরুধ্য মহাপ্রাজ্ঞো ভ্রাতুশ্চিত্তমরিন্দম । । ব্যূঢ়োরস্কো মহাবাহুস্তাম্রাস্যো মিতভাষিতা ॥২॥

(যুগ্মকম্)

নকুল উবাচ

বিশাখযূপে দেবানাং সর্ব্বেষামগ্নয়শ্চিতাঃ । তস্মাদপি মহারাজ ! দেবাঃ কর্ম্মফলে স্থিতাঃ ॥৩॥
অনাস্তিকানাং ভূতানাং প্রাণদাঃ পিতরশ্চ যে । তেঽপি কর্ম্মৈব কুর্ব্বন্তি বিধিং সম্প্রেক্ষ্য পার্থিব ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ – মহারাজ জনমেজয় ! মথবাক্ কন্নবা' য়াম্ শিংলবা' রাজাম্‌পাঙগল্লবা নকুলনা, অর্জুননা ঙাঙলিবা য়াম্থ ভাবদা মায়থোং থোইনা মকারাম্দনা ধর্ম্ম পুত্ৰগী তম্বথবা যুধিষ্ঠিরমোমদ য়েংলগা, ভীম অর্জুন অনিগী মাবা মচুংইম্না অয়ুম্না হায়রকই ॥১–২॥ মহারাজ মমাঙৈদা দেবতা পুম্নমক্কী পূরো'হতশিংনা বিশাখযূপ কৌবা মফমদুদা চত্না দেবতাশিংগী মজা তৌ'বিননবগীদমক্ লৈ হেক্রম্মি অহুনা লাইশিংনা দেবত্বকংবা ঙমখিবা অসি হায়বদি লাইমক ওইবা ঙমখিবা অসি মথোয়গী কর্ম্মগী মহৈমক্নি হায়বসি য়াম্মুং মহারাজনা খঙবিয় ॥৩॥ মহারাজ ! অমনা কয়িনো হায়রবদা, পিতৃলোকশিংনা নোংচুপহন্নুবা নোং অহূগী পাখেনা নাপী শীংবা মহৈমথোং-পুম হোৎহন্নুনা আস্তিক্যবুদ্ধি লৈতবা অপঙবশিংদসু হায়বদি' নহানবুকী মপোক্ত তৌখিবা কর্ম্মগী ফল লৈ হায়রিবসি খঙদবা থাজদবা নাস্তিকনচিংবদসু থরাম পীবি । অদুগুম্বা পিতৃলোকশিং-নুমকসু লাইরৈবাক্ত লৈরকাওবদা শাস্ত্রগী বিধিগী মচুংইম্না কর্ম্ম তৌদুনা লৈরিবনি ॥৪॥

বেদবাদাপবিদ্ধাংস্তু তান্ বিদ্ধি ভৃশনাস্তিকান্ । ন হি বেদোক্তমুৎসৃজ্য বিপ্রঃ সর্ব্বেষু কর্ম্মসু ।৫।
দেবযানেন নাকস্য পৃষ্ঠমাপ্নোতি ভারত ॥ অত্যাশ্রমানয়ং সর্ব্বানিত্যাহুর্ব্বেদনিশ্চয়াঃ ।৬।

(পুস্তকম্)

ব্রাহ্মণাঃ শ্রুতিসম্পন্নাস্তান্নিবোধ নরাধিপ ! । বিত্তানি ধর্ম্মলব্ধানি ক্রতুমুখ্যেষ্বাসৃজন্ ।৭॥
কৃতাত্মা স মহারাজ ! স বৈ ত্যাগী স্মৃতো নরঃ । অনবেক্ষ্য সুখাদানং তথৈবোর্দ্ধং প্রতিষ্ঠিতঃ ।
আত্মত্যাগী মহারাজ ! স ত্যাগী তামসো মতঃ ।৮।
অনিকেতঃ পরিপতন্ বৃক্ষমূলাশ্রয়ো মুনি । অযাচকঃ সদা যোগী স ত্যাগী পার্থ ! ভিক্ষুকঃ ।৯।
ক্রোধহর্ষাবনাদৃত্য পৈশুন্যঞ্চ বিশেষতঃ । বিপ্রো বেদানধীতে যঃ স ত্যাগী গুরুপূজকঃ ॥১০।
আশ্রমাংস্তুলয়া সর্ব্বান্ ধৃতানাহুর্মনীষিণঃ । একতশ্চ ত্রয়ো রাজন্ ! গৃহস্থাশ্রম একতঃ ।১১।

মহারাজ। কর্ম্মত্যাগ তৌদনা থবক পুম্বা পাণ্ডবে কপা য়ানা লৈরকাওবদা কর্ম্মবু ত্যাগ তৌরগা সন্ন্যাস গ্রহন তৌরিবশিংদো বেদগী বাক্যবু থাজদবা পুর্বিজন্ম পরজন্ম লৈ হায়বসি থাজদবা নাস্তিকমকুনি হায়না খঙবিয়ু। ভরত শাগেগী অথোয়বা মহারাজ। বেদখঙবা ব্রাহ্মণনা কর্ম্ম পুম্নমক্কী মমুংদা বৈদিক কর্ম্মবু থাদোক্লবদি মহাক্না করিগুম্বদা স্বর্গবু ফংবা ঙমদে। অদুগা বেদবু থাজবা বেদজ্ঞ ওইবা মীশিংনা গৃহস্থাশ্রমবু আশ্রম পুম্নমক্কী অথোইবনি হায়না লোই ॥৫—৬॥ মহারাজ। বেদগী জ্ঞাননা তিল্লবা, জ্ঞান অদুগী মতুংইন্না কর্ম্ম তৌরিবা ব্রাহ্মণশিং অদুবু মুন্না খঙজিনবিয়ু। ন্যায়চুম্না ধর্ম্ম কারদনা মীগী থম্মোয়দা অরাবা পুংতাইতবা পোকহল্লনা তাঙ্খিল্লবা লন অদুবু যজ্ঞদা কংথোকলবা মথোয় অদুনা বেদখঙবা বেদগী জ্ঞাননা তিল্লব মী হায়বদু ওইরিবনি ॥৭॥ মহারাজ। মশাগী ওইজবা থাদোকনা কর্ম্ম তৌন তৌনা ত্যাগী ওইহনা জীবাত্মাবু মথক্লোমদা কাইনগে নাঙুনা করিগুম্বা আশ্রম অমদা জ্ঞান তানা চঙশিল্লবা অদুগুম্বা মী অদু থম্মোয়শেংলবা অদুগা ত্যাগী ওইরবা মীনি। মহারাজ। মশাগী নুংঙাইবগী বাখল তৌদন কর্ম্ম তৌরিবা ত্যাগী অদুতনা অশেংবা তপস্বী ওইরিবনি ॥৮॥ পৃথানন্দন। মহারাজ। যুম থাদোক্লনা কোরচং চংলিবা অমুক্না করিগুম্বদা উথা অমদ ফমদুনা ভূমিদা মলৈথোকপ, কনাগুম্বা অমগী মকদা করিগুম্বা অমতম্বু নিক্ত হায়জক্লদবা, যোগাভ্যাস তৌবতনা মশিঙ্গাং ওইবা ত্যাগী অদুতনা ভিক্ষুক হায়বদু ওইবনি ॥৯॥ হরাওতায়াম্বা অশাওবা থাদোক্লনা পুকচেলকত্তবা পুকচেল থাবা তৌদনা বেদজ্ঞান কর্ম্মগী চর্চ্চ তৌদুনা লৈরিবা ব্রাহ্মন ত্যাগী অদুবুনি গুরু পূজক হায়নরিবসি ॥১০॥ মহারাজ। জ্ঞানীশিংনা করি হায়নবগে হায়বদা— আশ্রম মরি অসিগী অমুম্বা নাকল অমদা হাপ্পা হায়বদি ব্রহ্মচর্য্য, বানপ্রস্থ, সন্ন্যাস অহুম অসিবুনা নাকল অমদা থম্মগা নাকল অমথোমদা গৃহস্থ কৌবা আশ্রমবু হাপ্তুনা খল তমদুনা য়েংবদা পুম চপ মান্নৈ ॥১১॥

সর্বস্ব ত্যজয়া পার্থ ! ত্যাগং স্বর্গস্য ভারত ! । অয়ং পন্থা মহর্ষীণামিয়ং লোকবিদাং গতিঃ ।১২।
ইতি যঃ কুরুতে ভাবং স ত্যাগী পুরুষর্ষভ ! । ন যঃ পরিত্যজ্য গৃহান্ বনমেতি বিমূঢ়বৎ ।১৩।
যদা কামান্ সমীক্ষেত ধর্মবৈতংসিকো নরঃ । অথৈনং মৃত্যুপাশেন কণ্ঠে বধ্নাতি মৃত্যুরাট্ ।।১৪।।
অভিমানকৃতং কর্ম নৈতৎ ফলবদুচ্যতে । ত্যাগযুক্তং মহারাজ ! সর্বমেব মহাফলম্ ।১৫।
শমো দমস্তথা ধৈর্য্যং সত্যং শৌচমথার্জবম্ । যজ্ঞো ধৃতিশ্চ ধর্মশ্চ নিত্যমার্ষো বিধিঃ স্মৃতঃ ।১৬।
পিতৃদেবাতিথিকৃতে সমারম্ভোঽত্র শস্যতে । অত্রৈব হি মহারাজ ! ত্রিবর্গঃ কেবলং ফলম্ ।১৭।
এতস্মিন্ বর্তমানস্য বিধৌ বিপ্রনিষেবিতে । ত্যাগিনঃ প্রসৃতস্যেহ নোচ্ছিত্তির্বিদ্যতে ক্বচিৎ ।১৮।
অসৃজদ্ধি প্রজা রাজন্ ! প্রজাপতিরকল্মষঃ । মাং যক্ষ্যন্তীতি ধর্মাত্মা যজ্ঞৈর্বিবিধদক্ষিণৈঃ ।১৯।

ভরতনন্দন মহারাজ ! ব্রহ্মচর্য্য, বানপ্রস্থ, সন্ন্যাস হায়বা আশ্রম অহুম অসিদদি ধর্মগী শরুক মরৈ; অদুগা গৃহস্থাশ্রমদদি ধর্ম্ম কাম অনিমক তুননা লৈ। অসুম্না মুন্না রাখল বিচার তৌরগা লোকপুম্বগী তত্ত্বশুরবা মহর্ষিশিংনা গৃহস্থাশ্রমতমু পুনাশি লেপ্লগী অথোইবা লম্বী অম ওইনা লেমহুনা থনখ্রে। অসিগুম্ন গৃহস্থাশ্রম মহর্ষিশিংগুনা মপুনাশি লেনম্ম লেনাখি ॥১২॥ নিপা অথোইবা, মহারাজ ! অসিগুম্না গৃহস্থাশ্রমদা লৈদুনা নিষ্কামকর্ম্ম তৌদুনা মপুনশি লেপ্লবা মহাক অদুতনা অশেংবা ত্যাগী অশেংবা সন্ন্যাসী হায়বদু ওইরগনি। অসিনু জ্ঞান খংতাদবা মওদা হেক চংলবা থাজেংশেংবা ত্যাগী হায়বদু থক ওইবা রাদে ॥১৩॥ ধর্ম্মনি, মাসিমক তৌগদবনি হায়না মপাক্তদা উংপা সন্ন্যাসী ত্যাগীশিনমু মাগী মাগী অপাম্বা বিষয় অমমমদ অত্তমক মথক্লি, থংননবসু তোংনরি। মথোরগুবু যমরাজনা অশিবগী খৌরিনা মগুকশমদা পুন্দুনা পুথি ॥১৪॥ মহারাজ ! জ্ঞানীশিংনা করি হায়নবগে হায়বদু মশাদা অভিমান অসি য়াওনা তৌবা কর্ম্মনা চপ চাবা অরোইবা মহৈ অমত পোকহনবা ঙমদে। অভিমান (খোয়বা অমদি ঐনি হায়বগী রাখল) থাদোক্তুনা তৌখিবা কর্ম্ম অদুতনা জাবগী চাউখৎননবগী ওইবা মহৈ য়াম্না ঐখোয়দা পী ॥১৫॥ হাদবা ঊত্তপু তপথবা, মশাবু লাকশিল্লবা, কিংগত্তবা, অচুম্বা ঙাঙবা তশেংনা লৈবা, ঊচম চম্বা পূক্নিং থোয়দবা, মশাগী থম্ব লৈজবদা ঊপেত্ত পেজ্জবা ধর্ম্মগী মরম্ ওইরবা কর্ম্মতদা পুক্নিং চঙবা— হায়রিবা গুণশিং অসি মতম পুম্বদা ঋষিশিংতদা লৈ ॥১৬॥ মহারাজ ! গৃহস্থাশ্রমদা পিতৃলোক্ দেবতা অতিথিশিংগীদমক্তা পৈখৎলিবা থোমজিন্নুনা থমখিবা পোৎ পুম্নমক অদো অত্তগা শ্রাদ্ধনচিংবা কর্ম্ম থিবিক অদে। হায়রিবা আশ্রমসিমক্তদ চপ চানা শীজিন্নরিবনি, পাঙথোক্নরিবনি। অদুগা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অহুমসিমক গৃহস্থাশ্রমতদা মহৈ য়াক্লিবনি ॥১৭॥ ব্রহ্মজ্ঞানী ওইবা ব্রাহ্মণশিংনা চঙনরিবা গৃহস্থাশ্রম অসিদা লৈদুনা ত্যাগী ওইবা তমথবা অদুগা মাসিদা চাউখৎপা কংখবা মী অদুগাদি করিগুম্বা হায়রবা অমাংপা অদুগা কানগুম্বা অমদগী কাইনবা হায়বা লৈতে ॥১৮॥ মহারাজ ! পাপগী

বীরুধশ্চৈব বৃক্ষাংশ্চ যজ্ঞার্থং বৈ তথৌষধীঃ । পশূংশ্চৈব তথা মেধ্যান্ যজ্ঞার্থানি হবীংষি চ ॥২০॥

(যুগ্মকম্)

গৃহস্থাশ্রমিণস্তচ্চ যজ্ঞকর্ম্মাবিরোধকম্ । তদ্ দৃষ্টং গেহে দুষ্করং দুর্লভং তথা ॥২১॥

তৎ সংপ্রাপ্য গৃহস্থা যে পশুধান্যধনান্বিতাঃ । ন যজন্তে মহারাজ ! শাশ্বতং তেষু কিল্বিষম্ ॥২২॥

স্বাধ্যায়যজ্ঞা ঋষয়ো জ্ঞানযজ্ঞাস্তথাঽপরে । অথাপরে মহাযজ্ঞান মনসৈব বিতন্বতে ॥২৩॥

এবং মনঃসমাধানং মার্গমাতিষ্ঠতো নৃপ ! । দ্বিজাতের্ব্রহ্মভূতস্য স্পৃহয়ন্তি দিবৌকসঃ ॥২৪॥

স রত্নানি বিচিত্রাণি সংহৃতানি ততস্ততঃ । মখেষ্বনভিসংত্যজ্য নাস্তিক্যমভিজল্পসি ॥২৫॥

কুটুম্বমাস্থিতে ত্যাগং ন পশ্যামি নরাধিপ ! । রাজসূয়াশ্বমেধেষু সর্বমেধেষু বা পুনঃ ॥২৬॥

যে চান্যে ক্রতবস্তাত ! ব্রাহ্মণৈরভিপূজিতাঃ । তৈর্যজস্ব মহীপাল ! শক্রো দেবপতির্যথা ॥২৭॥

রাজ্ঞঃ প্রমাদদোষেণ দস্যুভিঃ পরিমুষ্যতাম্ । অশরণ্যঃ প্রজানাং যঃ স রাজা কলিরুচ্যতে ॥২৮॥

মরক মাংখ্রনা ইন্দ্রগী মতি থক্কদা প্রকাশপাখনা "ত্তোইরং মী হায়দ্রিসি দাংদক্ষিণা যম্মা লেপ্পুনা ঐগী পূজা যজ্ঞ লেনানচিবা থোইরকনি" হায়না থম্মী, মাম আশা তোমা তাইবং মীনা অদুগা যজ্ঞ দাননচিংবগী মচাক হৈপাল, লৈপাক, মচৈ মরেংশিং অসিবু অদুগা দা ওয়া হাইখনচাংবাশিং অফিবু শেমশিন্নবনি ॥১৯—২০॥ গৃহস্থাশ্রমদা লৈরিবশিংগী গার্হস্থ্যধর্ম্মগী আচরন অসিনা যজ্ঞগী থবকপু কাওনা পাংথোক্কনবা নত্তনা মৈথায়বা থক পীদে। মথম অদুনা আশ্রম ধর্ম্ম খিবিক্তগী গার্হস্থ্য ধর্ম্মনা তাইবং মীগী মফমদা মাম লুবা অমদি অতাঞবা অম ওইনা লোইরে ॥২১॥ মহারাজ ! মা মক ফম্নম মখোক চানা লোইরু লৈদুগা অদুগা যজ্ঞকী সাংগ্রিশিং অসি মনাক্ত রাংথনা লৈদুগা যজ্ঞ তৌথোকতবা তৌনিংদবা গৃহস্থশিং অদুদি মুমিৎ খুদিংগী পাপ পৈথৎলিবনি ॥২২॥ কনা কনাগুম্ব ঋষিশিংগী মফমদা বেদ পাঠনা যজ্ঞ ওইনা চৎনরি, কনা কনাগুম্বশিংগী মফমদনা তত্ত্ব জ্ঞানতনা যজ্ঞ ওইনা চৎনরি। অদুগা কনা কনাগুম্ব ঋষিমুনিশিংগী মফমদনা যোগধ্যানতনা যজ্ঞ ওইনা লৌনরি ॥২৩॥ মহারাজ ! মখোই অদুম্মা দ্বিজাতিনা হায়বদি ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্যশিং অহানবা পূজাং লাকশিনব থাজিংবগী মফম ওইরবা যজ্ঞগী লম্বীদা চৎতুনা ব্রহ্ম পদবীবু ফংলৈ; অসিগুম্বা ফমী অমদি মপোবপু লাইশিংমসুম্ন মিহৌনৈ ॥২৪॥ রাজুং মহারাজ ! রাজুংনা নিংথৌ কয়া কয়াবু মাখুনা মখোয়দগী ফম্নম মচিংজা কয়া কয়া লৌখৎলগা মখোয়াসনা যজ্ঞ তৌথোকেদি থমিত্তগা সন্ন্যাসী ওইদুনা বনদা চৎপগে থনবিরিবসে অদুগা তাকপিরিবসে নাস্তিকশিংগী রাহাংঙাল ॥২৫॥ মহারাজ ! ননাই নখঙশিংগী য়োক থাকপগী থবক অদুগা রাজসূয়, অশ্বমেধ, সর্ব্বমেধ অসিনচিবা যজ্ঞনা রাজুং মহারাজনা তাস কাওবদা ফম্নম মতীক চানা শীজিনবা উবাদ্র ॥২৬॥ ঐকায় খুম্বা অমদি সেবা পূজা তৌননবা তাগী মফম ওইরবা ফাম্বং নিংথৌ । ব্রাহ্মণ ওইবা মীশিংনা তৌনরিবা যজ্ঞশিং অদো মহারাজনু দেবরাজ ওম্না পাঙথোক্কবা তৌবিয় ॥২৭॥ অদুগুম্বা নিংথৌ মহাকী থোঙাইদবদগী মাগী প্রজাশিংগী ফম্নমবু

অশ্বান্ গাশ্চৈব দাসীশ্চ করেণূশ্চ স্বলঙ্কৃতাঃ। গ্রামান্ জনপদাংশ্চৈব ক্ষেত্রাণি চ গৃহাণি চ ॥২৯॥
অপ্রদায় দ্বিজাতিভ্যো মৎসর্য্যাবিষ্টচেতসঃ। বয়ং তে রাজকলয়ো ভবিষ্যাম বিশাংপতে ॥৩০॥
(যুগ্মকম্)

অদাতারোঽশরণ্যাশ্চ রাজকিল্বিষভাগিনঃ। দুঃখানামেব ভোক্তারো ন সুখানাং কদাচন ॥৩১॥
অনিষ্ট্বা চ মহাযজ্ঞৈরকৃত্বা চ পিতৃস্বধাম্। তীর্থেষ্বনভিসংপ্লুত্য প্রব্রজিষ্যসি চেৎ প্রভো ! ॥৩২॥
ছিন্নাভ্রমিব গন্তাসি বিলয়ং মারুতেরিতম্। লোকয়োরুভয়োর্ভ্রষ্টো হ্যন্তরালে ব্যবস্থিতঃ ॥৩৩॥
(যুগ্মকম্)

অন্তর্বহিশ্চ যৎ কিঞ্চিন্মনোব্যাসঙ্গকারকম্। পরিত্যজ্য ভবেৎ ত্যাগী ন হিত্বা প্রতিতিষ্ঠতি ॥৩৪॥
এতস্মিন্ বর্ত্তমানস্য বিধাবপ্রতিষেধিতে। ব্রাহ্মণস্য মহারাজ ! নোচ্ছিত্তির্বিদ্যতে ক্বচিৎ ॥৩৫॥
নিহত্য শত্রূংস্তরসা সমৃদ্ধান্ শক্রো যথা দৈত্যবলানি সংখ্যে।
কঃ পার্থ ! শোচেন্নিরতঃ স্বধর্ম্মে পূর্ব্বৈঃ স্মৃতে পার্থিব ! শিষ্টজুষ্টে ॥৩৬॥

হয়ানবা ভাকুশিংনা মুন্দুনা পুবা মতমদা মহাক্না প্রজাশিংগী মরল মৎসু কনাবিহনবদি অহণা মখোয়বু তাকপি শেনবিজবদি মহাক অহুবু মাংহনবা কলিনা, কালগী অবতারনি হায়নৈ ॥২৮॥ মহারাজ ! অসুক য়াম নাতখিজববা শগোল শামু, শগ হয়োই সনা লুপা মনি মুক্তা, দেশ খুল কয়া কয়া, অসিবু খজ্জ তৌরগা মতাক চাব চারব ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌবোক্রবয়াদি ঐখোয়হ য়াম্বুং নিংখোগা তিন্নবা সদগী কলিগী অবতার, কলিগী শারোন্থক ওইবা তারক্কি ॥২৯—৩০॥ দানসু তৌদবা, তাকসু তাকবা, নিংখোগী প্রজাশিং অহুদি নিংখোনা হৌবা পাপ অহুগী শরুক ফংবা য়াওই। মখোয় অহু মপুনশিংদা দুংতাইব ফংবা নৈতে ॥৩১॥ মহারাজ মহারাজনা যাগযজ্ঞ যয়াম্বু পিতৃশ্রাদ্ধ অমদি তীর্থস্নাননচিংবনু মতৌল লোনহঙ্গমনা বনদা হেকমক মখোংশর্বদি য়াম্বুং মহারাজগী মপোক অসি দুংশিংবা পুব নোংজ্ঞা মকম ময়াও শরদনা অয়েখদা মাওখিব তারে। ইহলোক পরলোক অনীমকী দুংতাইব ফংহোদনা নরক কারক নৈব তারে ॥৩২—৩৩॥ মনুংগী অমদি অপাবকী হায়বদি থখোয় হকচাং অনীমকী নৈথা তাননব ওইরিবা সংসারগী বিষয়শিং অসিবু থাদোক্রবতদা সন্ন্যাসী হায়বহ ওইব য়াবিবনি। মুব কৈ থাদোক্তনা লম্বোইবগী ফিজেৎ শেত্তনা বনদা উমংদা হেক চৎলগা সন্ন্যাসী কৌব য়াব নতে ॥৩৪॥ মহারাজ ! শাস্ত্রগী নিয়ম মতুংইন্না নৈরিবা গৃহস্থাশ্রম অসিদা অজনিষ্ট ওইহনা গৃহস্থী হোনবী পুষ তৌরিবা মহাক্ অহুগী কয়িগুম অমত মাতখি তাখিবা নৈতে ॥৩৫॥ পৃথানন্দন মহারাজ ! জগতা, কয়বা মিনা শাস্ত্রগী নিয়ম মতুংইন্না, সত্য ওইবশিংনা চৎনরিবা ধর্ম্ম অমদি

ক্ষাত্রেণ ধর্মেণ পরাক্রমেণ জিত্বা মহীং মন্ত্রবিদ্ভ্যঃ প্রদায়
নাকস্য পৃষ্ঠেঽপি নরেন্দ্র ! গন্তা ন শোচিতব্যং ভবতাদ্য পার্থ ! ।৩৭।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াংবৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে নকুলবাক্যে দ্বাদশোঽধ্যায়ঃ ।০।

——(:•:)——

মথোদা লৈহনা, ইন্দ্রনা মাগী য়েক্লবা দৈত্য ময়াম হাংথোকখ্রবা, য়েক্লবশিংবু হাংদোকপা তুংদা অনুতাপ কাম্নগী তৌবগে ? ।৩৬। পৃথানন্দন ! য়াম্মুং মহারাজ। মহারাজনা ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী মতুংইন্না, পৃথিবি পুম্বনু জয় তৌদুনা মাদুদা কংলকপনা ব্রাহ্মণশিংদা মাতিক চানা দান তৌদুনা পুনশিনা লৌরকপদা স্বর্গ ধাম কংননবা তৌবিয়ু। অদুনা মথা অমমুক চিন্তা তৌবিরগনু ।৩৭।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মফুংদা নকুলবাক্যগী তরানিথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

———:❋:———

মহাভারতম্

(সহদেবনা জাওবা মতাং) ❋

ত্রয়োদশোঽধ্যায় ।

তরাহুমদোইশুবা অধ্যায়ঃ ।

——:❋:——

সহদেব উবাচ ।

ন বাহ্যং দ্রব্যমুৎসৃজ্য সিদ্ধির্ভবতি ভারত ! । শারীরং দ্রব্যমুৎসৃজ্য সিদ্ধির্ভবতি বা ন বা ।১।
বাহ্যদ্রব্যবিমুক্তস্য শারীরেষমুবাতঃ । যো ধর্ম্মো যৎ সুখং বা স্যাদ্দ্বিষতাং তত্তথাস্তু নঃ ।২।

সহদেবনা হায়ঃ— ভরতনন্দন, য়াম্মুং মহারাজ! মপানগী সংসারগী ঊপা ঊচা লম্নুমনচিংবা বিষয়শিং অসি হেক্ থাদোক্লগা সন্ন্যাসী ওইবা য়াবা নত্তে। মপুংগী সংসারগী বিষয় ওইরিবা কামনা (অপাম্বা) হায়বদু থাদোক্লকাওবদা সন্ন্যাসী ওইবা ওইদবা অনিমক ঊয়া য়ানা লৈরিবনি ।১। মপানগী পোৎশক্তা মথাদোকপা অদুগা মপুংগী কাম হায়বদুমদি থাদোকপা

শরীরং ব্রব্যমুৎস্বজ্য পৃথিবীমনুশাসতঃ। যো ধর্ম্মো যং সুখং বা স্যাৎ সুহৃদাং তত্বথাস্তু নঃ ॥৩॥
ব্যক্ষরস্তু ভবেন্মৃত্যুস্ত্র্যক্ষরং ব্রহ্ম শাশ্বতম্। মমেতি চ ভবেন্মৃত্যুর্ন মমেতি চ শাশ্বতম্ ॥৪॥
ব্রহ্মমৃত্যু ততো রাজন্নাত্মন্যেব সমাশ্রিতৌ। অদৃশ্যমানৌ ভূতানি যোজয়েতামসংশয়ম্ ॥৫॥
অবিনাশোঽস্য সত্বস্য নিয়তো যদি ভারত!। হত্বা শরীরং ভূতানাং ন হিংসাং প্রতিপৎস্যতে ॥৬॥
অথাপি চ সহোৎপত্তিঃ সত্বস্য প্রলয়স্তথা। নষ্টে শরীরে নষ্টঃ স্যাদ্বৃথা চ স্যাৎ ক্রিয়াপথঃ ॥৭॥
তস্মাদেকান্তমুৎসৃজ্য পূর্ব্বৈঃ পূর্ব্বতরৈশ্চ যঃ। পন্থা নিষেবিতঃ সদ্ভিঃ স নিষেব্যো বিজানতা ॥৮॥
স্বায়ম্ভুবেন মনুনা তথান্যৈশ্চক্রবর্ত্তিভিঃ। যদ্ময়ং ক্ষত্রঃ পন্থাঃ কস্মাত্তৈস্তৈর্নিষেবিতঃ ॥৯॥

ওয়দবা মি মহাক অহুগী ধর্ম্ম অমাদ সুংঙাইবা হায়বগু মেরুবশিংগী থম্মোয়দা তত্তনা তুংগ্রনা লৈবা ওইসনু ॥২॥ সংসারগী মপানগী কামনা পুম্বা থাদোক্লুনা পৃথিবীবু শান্তিগা লোয়ননা শাসন তৌরিবা মি মহাক অহুগী থম্মোযদা মশানা পোকচন ধর্ম্ম অমদি সুঙাইবা কৌবগুনা ঐখোয়গী শাগৈ নাতৈ মরুপ মপাং পুম্বগী থম্মোযদা লেত্তদনা লৈবা ওইসনু ॥৩॥ ময়েক অনিত্তনা অহুগ, ময়েক অনিত্তগী পোকপা রাখল অত্তনা মৃত্যুগী মচাক অমদি লম্বী ওই। ময়েক অহুমত্তনা অহুগা ময়েক অহুমগী খোকপা রাখল অমদি রাহৈনা লেঙত্রবা, অমাঙ অতা লৈত্রবা ব্রহ্ম মাবু কংননবগী মচাক, অমদি লম্বী ওই। ময়েক অনি হায়বদি "মম" (ঐগী) হায়বা রাখলাসত্তনা শিননবগী কারণ অমওই। "ঐগী নত্তে, লৈত্তে" হায়বা অসিত্তনা অমাঙ অতা লৈত্রবা ব্রহ্মবু কংননবগী ময়ম অমাদ মচাক ওই ॥৪॥ মহারাজ। অসিগী মথক্তা জ্ঞান অজ্ঞান হায়ব অনীসিত্তনা জীবনাপুরিবা হকচাংসিদা চঙক্লুনা জীবশিং অসিবু অতোপ অতোপ্পা বিষয়দা চঙশিনহল্লি— মসিদা করিম্ন চিংননীঙায় লৈত্রবনি ॥৫॥ ভরতনন্দন, য়াম্মুং নিংখো। জীবাত্মাগী মাঙবা লৈতে হায়বাস যুক্তি প্রমানিচানা লেপ্পত্রবদি তাইবং মীনা জিবশানবাশিংগী মপানগী হকচাংবু মাঙহনবদা, মখোয়গীদোষ করিমত্তা লৈকম খোক্তে ॥৬॥ অহুগা, মহারাজ। নাস্তিকশিংগী মতকী মতুং ইনা "হকচাংসিনা পোক্লকপা খোয়কপগা লোয়ননা জীবাত্মাসু অহুম পোক্‌লক্‌পনি, অহুগা হকচাংসিনা তুমঙ্খ-মাঙত্রবদা জীবাত্মা মাস্তু অহুম্ মুৎত্রবনি"— অস্তুম্ হায়বসিমা য়াম্বিরবদি হয়েংমুক্তা মপোক্তা মহৈ কংলুপদৌবা অস্তুকয়াম্বা যথমজ্ঞশিং তৌনরিবসি করিম্ন কানত্রবনি হায়বসি য়াম্মুংনস্নু হায়বিবতাই ॥৭॥ য়াম্মুং মহারাজ! য়াম্মুংদি শাস্ত্র অমদি শাস্ত্রগী যুক্তি প্রমাণ পুম্বা থঙবিরিবনি। অহুনা ঐখোয়গী ইমুখো রাজর্ষিশিংগুনা চৎলম্ব অহুগী অা-মাঙদগীসু কুইনবা পুর্ব্বপুরুষশিং অহুনা চৎলম্ব লৌকলমহ কান্নদনা হৌজিক কাঙবা চৎনরি। য়াম্বুংঙ্গু জনবাসগী অমদি সন্ন্যাসী ওইবগী আশাম্নু থাদোক্লুনা লিক্লম কান্নদনা চৎশিবনা চুপ্পি ॥৮॥ মহারাজ। গৃহস্থাশ্রমস্নু অতোনবনি হায়না নিজ্ঞাতৌরিবদি

কৃতত্রেতাদিযুক্তানি গুণবন্তি চ ভারত ! । যুগানি বহুশশ্চৈব ভুক্তেয়মবনী নৃপ । ॥১০॥
লব্ধ্বাপি পৃথিবীং কৃৎস্নাং সহস্থাবরজঙ্গমাম্ । ন ভুঙ্‌ক্তে যো নৃপঃ সম্যক্ বিফলং তস্য জীবিতম্ ॥১১॥
অথবা বসতো রাজন্ ! বনে বন্যেন জীবতঃ । দ্রব্যেষু যস্য মমতা মৃত্যোরাস্যে স বর্ত্ততে ॥১২॥
বাহ্যাভ্যন্তরঞ্চ ভূতানাং স্বভাবং পশ্য ভারত ! । যে তু পশ্যন্তি তদ্ভূতং মুচ্যন্তে তে মহাভয়াৎ ॥১৩॥
ভবান্ পিতা ভবান্ ভ্রাতা ভবান্ মাতা ভবান্ গুরুঃ । দুঃখপ্রলাপানার্ত্তস্য তন্মে ত্বং ক্ষন্তুমর্হসি ॥১৪॥
তথ্যং বা যদি বাতথ্যং যন্ময়ৈতৎ প্রভাষিতম্ । তদ্বিদ্ধি পৃথিবীপাল ! ভক্ত্যা ভরতসত্তম ! ॥১৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে সহদেববাক্যে ত্রয়োদশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:*:—

স্বায়ম্ভু মনুনা অমদি অতোপ অতোপ্পা ধর্ম্ম চেন্নবা রাজর্ষিশিংনা করিগীদমক্তা গৃহস্থ ধর্ম্মবু নিয়ম কায়দনা ভাকলম্লানবনো ? ॥৯॥ ভরতনন্দন মহারাজ ! হায়রিবা মহাপুরুষ ওইবা গুণচেনবা নিংথৌশিংদুনা সত্যত্রেতামচংবা যুগযুগ কয়াদা পৃথিবীসিবু শাসন তৌরম তৌরম্মগা নোংগাখি ॥১০॥ অচৎ চক্ত সম্পত্তি পুম্বগা লোয়নবা পৃথিবীসিবু ফংলগা শাসন তৌদুনা রাজ ভোগ চাজবা নিংথৌ মহাক অদুগী পুনশিংদি মচৈ য়ারোবনি ॥১১॥ মহারাজ ! বনদা উহৈ মাহৈ চাদুনা লৈংগা লৈহৌরিবা মপী অদাং ধন সম্পত্তি অদুবু অদুক নিংশিংলক্রবদি মহাক অদো অশিবগী মচিন্দা লেপ্পুনা লৈরবনি ॥১২॥ ভরতনন্দন ! মাঙ্গুং মহারাজ ! জীবপানবা পুম্নমক্কী মমুংগী অমদি মপানগী স্বভাব পূম্বা মুমবিচার তৌদুনা য়েংবিয়ু । অদুগা যোগ অমদি তপস্যাগী শক্তিনা পরব্রহ্মগা সাক্ষাৎকার তৌরবশিং অদুদুনা সংসারগী পোত্পশিবগী অমদি অকা অপুনগী অকিবশিংদগী কাংথোবগা ওন্থ ॥১৩॥ মহারাজ ! মাঙ্গুংদি ঐখোয় খাইগী ইপা ইমা, ইয়াম্বা, মরূপ অমদি গুরুনি । মাঙ্গুং কায়নরনি হায়বগী থক্লবদা য়াবনা অশাওবগ্না পঙ্গাং ভাতজিবদুসু মাঙ্গুংনা ভাকপিয়ু ॥১৪॥ ভরতশাগৈগী অথোইবা মহারাজ ! অচুম্ববু ওইরবসু অচুম্বনবসু ওইরবসু মাঙ্গুংদা থবদং হৃংকক্লিরবসে মাঙ্গুবু নুংশিজবদগী বিজবদগী অমনি হায়জরিবসি ভাবিগনি হায়বগী আশাদগী তৌজবনি খঙবিয়ু ॥১৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকানিগ্রহকী মতাংদা সহদেববাক্যগী তরাহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে।

—:•:—

মহাভারতম্

(দ্রৌপদীনা ভাঙবা মতাং)

চতুর্দ্দশোঽধ্যায়।

তরামরিশুবা অধ্যায়।

বৈশম্পায়ন উবাচ

অব্যাহরতি কৌন্তেয়ে ধর্মরাজে যুধিষ্ঠিরে। ভ্রাতৄণাং ব্রুবতাং তাংস্তান্ বিবিধান্ বেদনিশ্চয়ান্ ॥১॥
মহাভিজনসম্পন্না শ্রীমত্যায়তলোচনা। অভ্যভাষত রাজেন্দ্র! দ্রৌপদী যোষিতাং বরা ॥২॥
(যুগ্মকম্)

আসীনমৃষভং রাজ্ঞাং ভ্রাতৃভিঃ পরিবারিতম্। সিংহশার্দূলসদৃশৈর্বারণৈরিব যূথপম্ ॥৩॥
অভিমানবতী নিত্যং বিশেষেণ যুধিষ্ঠিরে। লালিতা সততং রাজ্ঞা ধর্মজ্ঞা ধর্মদর্শিনী ॥৪॥
আমন্ত্র্য বিপুলশ্রোণী সাম্না পরমবল্গুনা। ভর্তারমভিসংপ্রেক্ষ্য ততো বচনমব্রবীৎ ॥৫॥
(বিশেষকম্)

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— নিংথৌ অংথাইবা জনমেজয় মহারাজ! ভীমসেনমচিংবা শিংলবা মনাওশিংনা অহুম ভাঙরদ্রু যুধিষ্ঠিরনা নাকোংদা হাপ্তরগুম্না হোয়দি মাইদি অমত হায়দনা তুমিন্না লৈরবদা পুথীরুপী থাইনবী বুদ্ধি লৈবিদি হায়না কাওরবী, শক্তি মীত্তা তাবি, সুপী অথোইবি নিঙথিবা পুম্মক্না তিন্নবি দ্রৌপদীনা যুধিষ্ঠিরগী মকথক্তা অহুম্না হায়রকই:— ॥১—২॥
মহুম অসিনা যুধিষ্ঠির অসি, চাউবা-চাউরবা শাম্নশিংনা কোয়শিনবা শকপ পুবা অচৌবা শামু লম্না অমগী মতোঙম্না কৈ নোংশাগুম্বা ভীসেননচিংবা মনাওশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা কমহুনা লৈরম্মি। যুধিষ্ঠিরনা মাগী মুংশিন্নম ভাকুপেম্দুনা মোক্তুনা থম্লিবী অহুপা যুধিষ্ঠিরদগী লুনা, কিন্না ব্যবহার তৌদুনা লৈরিবী, ধর্মগী তত্ত্ব খঙলবা ধর্মচেনবী, নিংথৌবা কয়বি দ্রৌপদীনা যুধিষ্ঠিরমোযক হায়কেৎ যেংদুনা নিঙথিবা অতম্না থাইনা অহুম্না হায়রকই— ॥৩—৫॥
পৃথানন্দন! মহারাজ! নোংগোবি কোয উচেকশিংনা ঈথোংলাংবনা থৌরাচয়ম কাংহুবা হয়া হয়া খোংবাম ননাও অকনবশিংসিনা নীওবকায়বনা থৌরা চয়ম কাংহুনা হয়া হয়া অমুক

দ্রৌপদ্যুবাচ।

ইমে তে ভ্রাতরঃ পার্থ! শুষ্যন্তে স্তোককা ইব। নাবেক্ষমাণাস্তিষ্ঠন্তি ন চৈনানভ্যপেক্ষসে ।৬।
নন্দয়ৈতান্মহারাজ! মত্তানিব মহাদ্বিপান্। উপপন্নেন বাক্যেন সততং দুঃখভাগিনঃ ।৭।
কথং দ্বৈতবনে রাজন্! পূর্ব্বমুক্ত্বা তথা বচঃ। ভ্রাতৄনেতান্ স্ম সহিতান্ নাভিভাষসি দুঃখিতান্ ।৮।
বয়ং দুর্য্যোধনং হত্বা মৃধে ভোক্ষ্যাম মেদিনীম্। সম্পূর্ণাং সর্ব্বকামানামাহবে বিজয়ৈষিণঃ ।৯।
বিরথাংশ্চ রথান্ কৃত্বা নিহত্য চ মহাগজান্। সংস্তীর্য্য চ রথৈর্ভূমিং সসাদিভির্বিশাম্পতে! ।১০।
যজতাং বিবিধৈর্যজ্ঞৈঃ সমৃদ্ধৈরাপ্তদক্ষিণৈঃ। বনবাসকৃতং দুঃখং ভবিষ্যতি সুখায় নঃ ।১১।
ইত্যেতানেবমুক্ত্বা ত্বং স্বয়ং ধর্ম্মভৃতাং বর!। কথমদ্য পুনর্বীর! বিনিহংসি মনাংসি নঃ ।১২।
(কুলকম্)
ন ক্লীবো বসুধাং ভুঙ্‌ক্তে ন ক্লীবো ধনমশ্নুতে। ন ক্লীবস্যাঃ গৃহে পুত্রা মৎস্যাঃ পঙ্ক ইবাসতে ।১৩।
নাদণ্ডঃ ক্ষত্রিয়ো ভাতি নাদণ্ডো ভূমিমশ্নুতে। নাদণ্ডস্য প্রজা রাজ্ঞঃ সুখং বিন্দন্তি ভারত! ।১৪।

হায়জলাউজবরু মহারাজনা পাহিংশুম মচেৎ অমতনা মখোয়রু দুঃভাইহন বজে ॥৬॥ মহারাজ! যুক্তি প্রমান চাব পাউথুম অমতঃ পীনাবিড়না, মতম কুঁচনা অরাবা খাউজররুবা, ময়াম কারবা শামুগুম্বা ননাও ঈবুজোশিংসিবু অমুকাদ দুঃভাইহনবিয়ু ॥৭॥ মহারাজ! কাউবিরমালে, অঠৈ বনবাসগী মতমদা দ্বৈতবনদা লৈরিভৈদা ঈংলবা দুঃশিহনা য়েবদা নিংথম চল্লবা মারবা ননাওশিংদা মহারাজনা অস্থম্ম হায়বিখি—“ঈনাওশা! ঐখোয় অমুকাদ জয়গী আশাগা লোয়ননা লোরুবা লালকমদা পাপী দুর্য্যোধনসবু হাৎলগা লম্ভুমপুম্বনা তিল্লবা পৃথিবীসিবু ভোগতৌখিনি। য়েরুবগুম্বা, কল্লবা ঈনাওশা! লালকমদা রথী লাম্মীশিংবু রথ য়াওহন্দহনা, চাউর চাউরবা শামুশিংবু হাত্‌না শগোল তোংবা লাম্মীশিংগা লোয়ননা রথ মপে মপেনা লালকম লৈমায়রকূপু কুপশিলহন্দুনা য়েরুবরু ওয়্যগা দানদক্ষিনা য়ায়া তৌহনা যজ্ঞ মথল মথল তৌরবা কাল অহুদা নখোয়গী বনবাসগী অরাবসে দুঃভাইননবগীদমক্তা ওইরবোয়ে হায়বসি খওলকবি।” ধর্ম্ম খওবা কল্লবা মহারাজ! মহারাজমক্তা অস্থম্ম মমাভৈওদা ননাওশিংসিদা ভাকপগ্রগা হোজিক্তা অমুক বনবাসগী রাখল অমা অমা কোওদোকপিহনা ননাওশিংসিবু রাহনবিব্রিবা কবিগনো? ॥৮—১২॥ মতীক মগুণ তেজবীর্য্য লৈতবা মীনা রাজভোগ চাহনা লম্ভুমপী মপু ওইবা ওয়্যা নত্তে। ঈশিং লৈতবা লৈখোয়দা ভানা লৈবা ওহদকমগুমা তেজবীর্য্য লৈতবা মীগী ঈচুংবা ধনসম্পত্তিংবা সন্দাভিনা লৈবথক্‌ মায়ে ॥১৩॥ য়েরুবা থওবগু লাকহৌওদনা

ঈজ্যা সর্ব্বভূতেষু দানমধ্যয়নং তপঃ। ব্রাহ্মণস্যৈব ধর্ম্মঃ স্যান্ন রাজ্ঞো রাজসত্তম ! ।১৫।
অসতাং প্রতিষেধশ্চ সতাঞ্চ পরিপালনম্। এষ রাজ্ঞাং পরো ধর্ম্মঃ সমরে চাপলায়নম্ ।১৬।
যস্মিন্ ক্ষমা চ ক্রোধশ্চ দানাদানে ভয়াভয়ে। নিগ্রহানুগ্রহৌ চোভৌ স বৈ ধর্ম্মবিদুচ্যতে ।১৭।
ন শ্রুতেন ন দানেন ন সান্ত্বেন ন চেজ্যয়া। ত্বয়েয়ং পৃথিবী লব্ধা ন সঙ্কোচেন চাপ্যুত ।১৮।
যত্তদ্বলমমিত্রাণাং তথা বীর্য্যসমুদ্যতম্। হস্ত্যশ্বরথসম্পন্নং ত্রিভিরঙ্গৈর্মহত্তমম্ ।১৯।
রক্ষিতং দ্রোণকর্ণাভ্যামশ্বত্থাম্না কৃপেণ চ। তত্ত্বয়া নিহতং বীর ! তস্মাদ্ভুঙ্ক্ষ্ব বসুন্ধরাম্ ।২০।
(যুগ্মকম্)
জম্বুদ্বীপো মহারাজ ! নানাজনপদাযুতঃ। ত্বয়া পুরুষশার্দ্দূল ! দণ্ডেন মৃদিতঃ প্রভো ! ।২১।
জম্বুদ্বীপেন সদৃশঃ ক্রৌঞ্চদ্বীপো নরাধিপ !। অপরেণ মহামেরোর্দণ্ডেন মৃদিতস্ত্বয়া ।২২।

ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মনীতায় করিমত্ত কৈতে। অরানববু লাকৃহৎপা ওমদবা মীনা মরল মথুম অমদি তৌরী থংথংবদু তোগঠোরা হৌদে। কত্তবা প্রজাদু দণ্ড পীবা ওমদবা নিংথৌগী প্রজাশিংনা করিগুম্বা মওংদ শুথাজ্জি কবা ঙমদে ॥১৪॥ নিংথৌ অথোইবা। অরানবসু অচুম্বসু মীপুম্মবপু শঙ্গমত্ত ঙাশিবা, দান যজ্ঞ তৌবা পণ্ডপিতা পীথোকপা, তপস্যা তৌবা, বেদপাঠত তৌষ্ঠনা লৈবাস ব্রাহ্মণগী মথৌনি-ধর্ম্মনি, ক্ষত্রিয় মচাশিংগীদি নত্তে ॥১৫॥ কত্তবদু নম্থুবা অকনবু কনবিবা লোঁগৎপা, মাশিংগীদমক্তা তৌবা লাঙ্গদা নীঙ্গহন্নদবা — মসিনা ক্ষত্রিয় নিংথৌশিংগী ধর্ম্মনি, অহদি মথৌনি ॥১৬॥ মত্তম মত্তমগী মতুং ইন্না মীবু ঙাকনু ঙাকপিবা চৈনু চৈংথপা হিহনবা, মনাসু পিবা জরিমানা তৌবা, কিন্নু কিহনবা অকিবসু লৈহনবা, পিনু পিথোকপা লৌসু লৌথোকপা, লাকনু লাকশিনবা মরানসু কোকপিবা— অদুগুম্বা নিংথৌসু রাজধর্ম্ম খঙবা রাজনিতি খঙবা নিংথৌ কোই ॥১৭॥ মহারাজ ! মহারাজনা অহানবদা রাজসম্পত্তি মরাম কাবিপ্সিবছু দানযজ্ঞনা, তপস্যানা, অমদি মিত্তোপ্পা নিবা হায়জবনা নত্তে, পাম্বোমগী পাজম্নি ॥১৮॥ শাগোলশাসু রথী কয়া কয়ানা অদুগা মন্ত্রশক্তি, প্রভুশক্তি, উৎসাহশক্তিগা লোয়ননা নিপাথোক্না লান্দা চোংথোকখিবা য়েক্কবমক্কনি। মথোয় অদুবু ভীষ্ম, দ্রোণ অশ্বত্থামা কর্ণগুম্বনা ঙাকাশল্লুনা থমখিবা ঙাক্কনি। মথোয় অদুবু মহারাজনা হুন্না মাগুহনবিয়ে। তৌপ্সিবদু রাজভোগকৌদমক্কনি, জয়গীদমক্কনি, হৌজিক্তি জয় ওইবিয়ে, রাজভোগ চাননবা তৌবিয়ো ॥১৯—২০॥ মতিক মগুণ চাউরবা নিপা অথোইবা। মহারাজনা দণ্ডশক্তিনা লেপ্প্রাম কয়ানা থয়া লৈরবা, জম্বুদ্বীপপু লৌশিন্নে ॥২১॥ মহারাজ ! মহারাজনা নমুহৎপা শক্তিমক্কনা জম্বুদ্বীপকা মান্নবা, মহামেরুগী নোংচুপ্তা লৈবা ক্রৌঞ্চদ্বীপপুসু অধিকার তৌবিয়ে ॥২২॥

ক্রৌঞ্চদ্বীপেন সদৃশঃ শাকদ্বীপো নরাধিপ ! । পূর্ব্বেণ তু মহামেরোর্দণ্ডেন মুদ্রিতস্ত্বয়া ।২৩।
উত্তরেণ মহামেরোঃ শাকদ্বীপেন সম্মিতঃ । ভদ্রাশ্বঃ পুরুষব্যাঘ্র ! দণ্ডেন মুদ্রিতস্ত্বয়া ।২৪।
দ্বীপাশ্চ সান্তরদ্বীপা নানাজনপদাশ্রয়াঃ । বিগাহ্য সাগরং বীর ! দণ্ডেন মুদ্রিতাস্ত্বয়া ।২৫।
এতান্যপ্রতিমেয়ানি কৃত্বা কর্ম্মাণি ভারত ! । ন প্রীয়সে মহারাজ ! পূজ্যমানো দ্বিজাতিভিঃ ।২৬।
স ত্বং ভ্রাতৄনিমান্ দৃষ্ট্বা প্রতিনন্দস্ব ভারত ! । ঋষভানিব সংমত্তান্ গজেন্দ্রানূর্জ্জিতানিব ।২৭।
অমরপ্রতিমাঃ সর্ব্বে শত্রুসাহাঃ পরন্তপাঃ । একৈকোঽপি সুখায়ৈষাং মম স্যাদিতি মে মতিঃ ।২৮।
কিং পুনঃ পুরুষব্যাঘ্র ! পতয়ো মে নরর্ষভাঃ । সমস্তানীন্দ্রিয়াণীব শরীরস্য বিচেষ্টনে ।২৯।
অনৃতং মাব্রবীচ্ছ্বশ্রূঃ সর্ব্বজ্ঞা সর্ব্বদর্শিনী । যুধিষ্ঠিরস্ত্বাং পাঞ্চালি ! সুখে ধাস্যত্যনুত্তমে ।৩০।
হত্বা রাজসহস্রাণি বহূন্যাশুপরাক্রমঃ । তদ্ব্যর্থং সম্প্রপশ্যামি মোহাত্তব জনাধিপ ! ।৩১
যেষামুন্মত্তকো জ্যেষ্ঠঃ সর্ব্বে তেঽপ্যনুসারিণঃ । তবোন্মাদান্মহারাজ ! সোন্মাদাঃ সর্ব্বপাণ্ডবাঃ ।৩২।

হায়রিবা দণ্ডশক্তিচুমজগী পান্থৈনা মহামেরুগী নোংপোক্তা লৈবা ক্রৌঞ্চদ্বীপচুমক্তা মান্নবা শাকদ্বীপপুম্ব জয় তৌবিরে ॥২৩॥ নিপা অথোইবা ! দণ্ডশক্তিনা মহারাজনা মহামেরুগী অরাংদা লৈবা শাকদ্বীপকা মান্নবা ভদ্রাশ্বদ্বীপপুম্ব মহারাজগী অধিকারদা থম্বিরেদো ॥২৪॥ অকনবা ! মহারাজনা সমুদ্র রাংথা লান্দুনা ক্ষত্রিয়শক্তিতনা মরক্তা লৈরিবা দ্বীপপুম্বগা লোয়ননা দেশগ্রাম কয়ানা থম লৈরিবা ঈথৎ অতোপ অতোপ্পা কয়া জয় তৌবিরে ॥২৫॥ ভরতনন্দন, মহারাজ ! মহারাজনা অমনা পাক ওমদনা থমকশিং তৌবিবাসদা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত পুম্নমক্না, মহারাজবু প্রশংসা তৌরে। অদুম ওইনমক মহারাজনা ঈনুং নুংঙাইবিদে ॥২৬॥ ভরতনন্দন ! অকনবা ! ময়াম কায়বা শন্দ্রাংগা মান্নবা, ময়াম কায়বা শামু শক্তপ পুবা শামুগুম্বা ননাও ঈবুঙোশিং অসিনা হায়জরিবসি তরাম তরাম্না ওকপিয়ু ॥২৭॥ মথোয় অমময়া লাইমচা অমমমগুম্না য়েক্কবা পুম্নমক্কি আক্রমনবু থাঙবা থিংবা ঙম্লিবনি । য়েক্কবশিংবু অরাবা চৈনা পিগম্বামক্তনি । মথোয়শিং অসিগী মনুংদা অমতন ২ মহারাজগী নিঙবা থংনবা ঙমগদৌরিবনি হায়না ঐনা থৈজ্ঞে ॥২৮॥ নিপা অথোইবা ! জ্ঞান কর্ম্ম ইন্দ্রিয় পুম্নমক্না হকচাং মপুম অমগী নুংঙাইবা পোকহনবহগুম্না মহারাজখোয় থ্বাই মক্না ঐ ইথবু নুংঙাইহনবা ঙম্মিরোইদ্রা ? ॥২৯॥ থ্বাইমক্না উৎবি, শিংলবি, ইনেন জীবেম্মা সতী কুন্তী দেবীনা— "পঞ্চালনন্দিনী ! যুধিষ্ঠিরনা নংগী পোম্নবা শীনগনি" অস্না হায়রিবি ॥৩০॥ মহারাজ ! মহারাজনা নতিক নঙন নপালল লোইনা মুদোকশিন্না পৃথিবী মিংথৌ অম্রাপ্সা জয় তৌবিরে অদুবু মকহৎথিবনা ওইরিবা, জয় অসে কষিম্নু কায়রবা, অর্থ ঈবৈ লৈতবা অম থোকহনবিগে থক্কমালে ॥৩১॥ ময়াম্বা অহম্না তাওরবদি মনাওশিংসু

যদি হি স্যুরসংমত্তা ভ্রাতরস্তে নরাধিপ!। বদ্ধা ত্বাং নাস্তিকৈঃ সার্দ্ধং প্রশাসেয়ুর্বসুন্ধরাম্ ।৩৩।
কুরুতে মূঢ় এবং হি যঃ শ্রেয়ো নাধিগচ্ছতি। ধূপৈরঞ্জনযোগৈশ্চ নস্যকর্ম্মভিরেব চ ।৩৪
উন্মত্তিরপর্ত্তৈর্ব্যা ভব রাজন্! যদৃচ্ছয়া। ভেষজৈঃ স চিকিৎস্যঃ স্যাদ্ য উন্মার্গেণ গচ্ছতি ।৩৫।
(যুগ্মকম্)

সাহং সর্ব্বাধমা লোকে স্ত্রীণাং ভারতসত্তম্।। তথা বিনিকৃতা পুত্রৈর্যাহমিচ্ছামি জীবিতুম্ ।৩৬।
এতেষাং যতমানানাং ন মেঽদ্য বচনং মৃষা। ত্বন্তু সর্ব্বাং মহীং ত্যক্ত্বা কুরুষে স্বামাপদম্ ।৩৭।
যথাস্তাং সম্মতৌ রাজ্ঞাং পৃথিব্যাং রাজসত্তমৌ। মান্ধাতা চাম্বরীষশ্চ তথা রাজন্! বিরাজসে ।৩৮।
প্রশাধি পৃথিবীং দেবীং প্রজা ধর্ম্মেণ পালয়ন্। সপর্ব্বতবনদ্বীপাং মা রাজন্! বিমনা ভব ।৩৯।
যজস্ব বিবিধৈর্যজ্ঞৈর্জুহ্বাগ্নীন্ প্রযচ্ছ চ। ধনানি ভোগান্ বাসাংসি দ্বিজাতিভ্যো নৃপোত্তম! ।৪০।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে দ্রৌপদীবাক্যে চতুর্দ্দশোঽধ্যায়ঃ ।০।

——:—:— —

মায়া শিংদুনস্থ মধাম্বু হুগী মচুং ইদুনা অদা ভাওমিরে অদুনা মহারাজনা বুদ্ধি চাইবিরসিনা অইত পাণ্ডবশিংসিদু লোইনা ভাওথগদোব অমা ওইনা উয়ে ॥৩২॥ মহারাজ। ননাওশিং অসিম্মু লোইনা ভাওরামালে, নত্রাদবু মহারাজগী মতমাদা নস্তিকশিংগা লোয়নননা মহারাজবু অচিকপা মকম অমদা তোঙ্গাম্ব থম্লগা মখোয় মশানা নহাক্না লৈপাক অসিগী নিয়ম নাইনা শাসন পাম্বৎ-লগদবনি ॥৩৩॥ মহারাজনা তৌবিরিবা থৌদৌ অসিদি জ্ঞান তাক্লবা পওপ্রবা মীওইনা তৌবৈ মহারাজদি লাইবক থীবনা অওওবদ মচুরবনি বুদ্ধি চাইহনা ভাওবা মীদি নাতোম্ব লোয়রাদা ধূপ অঞ্জননাচিংবগী মনমবু চিংশিল্লগা কোকলোমদা হাইগৎহনগদবনি মসিতনা অতাওব লাইচুবগী হিদাক্কি অদুগা অরানবা লম্বী চৎপগীম্বু হাদাক লৈ। মথোইবু লারেংবনা চুম্মি ॥৩৪-৩৫॥ ভরত-শ্রেষ্ঠ। মহারাজ। তৌবরাদ ইচা লৈরবা ঐগুম্বা নুপী অমনা হিংবিগে খল্লিবসে, ঐ অসি নুপীলক্ত খাইদগী তোল্লবা অমনি ॥৩৬॥ ঐখোয়না মহারাজবু বনবাসদগী থিংগদবগী হোৎনম্বি থিংলিবা ঐখোয় অসিনা মহারাজবু ভাওরে হায়রক্লিবসে ওইদবা থক নত্তে। মরম অমুক মাম্বা রাজসম্পত্তিন তিল্লবা রাজ্যসিবু থাদোক্লগা মহারাজ মশানা নশাগী অরাব পুদোংথিবদু কৌশিল্লম্বি ॥৩৭॥ মহারাজ। মমাঙৈদা মন্ধাতা, অম্বরীষনচিংবা রাজর্ষিশিংনা অকোপ অকোয় লিংথোকশিংগী মুংশিনকম কিনকম ওইরহুনা। লৈরবহুওমা মহারাজদু হোক্লিক অকোপ অকোয় নথাপোনবা লিংথৌশিংগী মুংশিনকম কিনকম ওইহনা লৈবিম্বি ॥৩৮॥ মরম অদুনা মহারাজ। ধর্ম্মনীতিবু মুম্বা য়েংথোকুনা প্রজাশিংসিবু য়োক থাকপী কনবিদুনা চীঙমান ভুমেন সনাগুপাগী খোং কম্বা কয়াদা থম্বা রাজ্য অসিগী শাসন পাম্বৎনবা তৌবীয়ু। মহারাজনা অর্থ য়াওদনা কম্বিশু কারদবা রাখম্বা ওমহৎপসে তৌবীরগু ॥৩৯॥ নিংথৌ অথোম্বা। শাসন অসি পাম্বৎ পিম্বা মতুংদা যজ্ঞদাননচিংবা তৌবীয়ু। লৈহৌরিবা, লৈগদবা মেরুবশিংবু অম তৌবা তৌসি ব্রাহ্মণশিংদা সনা লুপা শম্বী শম্লাও চাবা চাম দানতৌবিয়ু ॥৪০॥

মকম অসিদা শ্লোকশিংশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনি-গ্রহগী মতাংদা দ্রৌপদীবাক্যগী তরামরিওবা অধ্যায় লোইরে।

শ্রীমহাভারতম্

(অর্জ্জুনা তাণ্ডবা মতাং)

পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ

তরামঙাণ্ডবা অধ্যায়।

——:(:*:):——

বৈশম্পায়ন উবাচ

যাজ্ঞসেন্যা বচঃ শ্রুত্বা পুনরেবার্জ্জুনোঽব্রবীৎ। অনুমান্য মহাবাহুং জ্যেষ্ঠং ভ্রাতরমচ্যুতম্ ॥১॥

অর্জ্জুন উবাচ।

দণ্ডঃ শাস্তি প্রজাঃ সর্ব্বা দণ্ড এবাভিরক্ষতি। দণ্ডঃ সুপ্তেষু জাগর্ত্তি দণ্ডং ধর্ম্মং বিদুর্বুধাঃ ॥২॥

দণ্ডঃ সংরক্ষতে ধর্ম্মং তথৈবার্থং জনাধিপ।। কামং সংরক্ষতে দণ্ডস্ত্রিবর্গো দণ্ড উচ্যতে ॥৩॥

দণ্ডেন রক্ষ্যতে ধান্যং ধনং দণ্ডেন রক্ষ্যতে। এবং বিদ্বন্ পাদৎস্ব ভাবং পশ্যস্ব লৌকিকম্ ॥৪॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— দ্রোপদীগী রা তারকাওবদা কয়িমক খুমদনা যুধিষ্ঠিরনা মানা নিঙখিবা অহুদগী খুবৈ নাম লেঙদবহ উবদা মরাম্বগী সম্মান তাক্লা অর্জ্জুননা অমুক যুধিষ্ঠিরা হায়রকই ॥১॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ— মহারাজ! নিংথৌগী দণ্ড শক্তিতনা প্রজা মী পুম্নমক্কি সুখশান্তি পিরিবনি। নিংথৌনা তম্মুনা তুমহুনা লৈথোক্লবস্থ দণ্ড শাকনা নিংথৌ মথামকপ মশা নোমহুনা হৌদোক্লিবনি অহুনা, ধর্ম্ম খঙবা, ধর্ম্মগী তত্ত্ব খঙবশিংনা নিংথৌগী রাজ শাক হায়বদি দণ্ড শক্তিতনা ধর্ম্ম পুম্নমকপু সৃষ্টী তৌরগা তাকশু তাক্লিখনি ॥২॥ মহারাজ! প্রজাগী ধর্ম্ম অর্থ কাম হায়রিবা ত্রিবর্গ অসিবু নিংথৌগী দণ্ড শক্তি ওইনা হায়বদি রাজশক্তিতনা তাকলিবনি। অহুনা দণ্ডশক্তি আসবু ত্রিবর্গ রক্ষক হায়না খঙনরিবনি ॥৩॥ অহুন, বিষয় পুথা কুপ্পা মুম্না খঙবিরবা নিংথৌ! হায়রিবা দণ্ড অসিনা খুৎলায় ওইহুনা লৌউবশিংনা মাগী মাগী লৌ, লৌবুক কো। চেংবু তাকশেম্মুনা থম্বা তম্লিবনি। গৃহস্থ অমনা মাগী ঈমুংদা মরম্নাইগী লনবু তাকশেম্মুনা থম্বা তম্লিবসি দণ্ডননি। লোক পুম্নমক্কি হায়রিবা স্বভাব অসিবু মুম কুপ্পা খঙবিরগা রাজশক্তি রাজদণ্ড পায়খৎপিয়ু ॥৪॥ তহৈবং মীনা যমরাজগী দণ্ডবু কিবদগী পাপ কর্ম্ম তৌদে। যমদণ্ড কংহুনা নরক তানি

রাজদণ্ডভয়াদেকে নরাঃ পাপং ন কুর্ব্বতে। যমদণ্ডভয়াদকে পরলোকভয়াদপি ॥৫॥
পরস্পরভয়াদেকে পাপাঃ পাপং ন কুর্ব্বতে। এবং সাংসিদ্ধিকে লোকে সর্ব্বং দণ্ডে প্রতিষ্ঠিতম্‌ ।৬।
দণ্ডস্যৈব ভয়াদেকে ন খাদন্তি পরস্পরম্‌। অন্ধে তমসি মজ্জেয়ুর্যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ।৭।
যস্মাদদান্তান্‌ দময়ত্যশিষ্টান্‌ দণ্ডয়ত্যপি। দমনাদ্দণ্ডনাচ্চৈব তস্মাদ্দণ্ডং বিদুর্বুধাঃ ॥৮॥
বাচি দণ্ডো ব্রাহ্মণানাং ক্ষত্রিয়াণাং ভুজার্পণম্‌। ধনদণ্ডাঃ স্মৃতা বৈশ্যা নির্দণ্ডঃ শূদ্র উচ্যতে ।৯।
অসম্মোহায় মর্ত্ত্যানামর্থসংরক্ষণায় চ। মর্য্যাদা স্থাপিতা লোকে দণ্ডসংজ্ঞা বিশাংপতে ! ।১০।
যত্র শ্যামো লোহিতাক্ষো দণ্ডশ্চরতি সূদ্যতঃ। প্রজাস্তত্র ন মুহ্যন্তি নেতা চেৎ সাধু পশ্যতি ।১১।
ব্রহ্মচারী গৃহস্থশ্চ বানপ্রস্থশ্চ ভিক্ষুকঃ। দণ্ডস্যৈব ভয়াদেতে মনুষ্যা বর্ত্মনি স্থিতাঃ ।১২।
নাভীতো যজতে রাজন্নভীতো দাতুমিচ্ছতি। নাভীতঃ পুরুষঃ কশ্চিৎ সময়ে স্থাতুমিচ্ছতি ।১৩।

হায়ব কিবদগী। অকব থবক তৌনিংবদুগুম্না রাজদণ্ড কিবদগী প্রজাশিংনা পাপ কর্ম্ম তৌনদে ॥৫॥ সংসারদা কনা কনাগুম্বা পাপিশিংনা মখোয় মশেল অমগমগ কিনবদগী অয়ানবা থবক্‌ তৌনদে মসি জগত্ত চৎনরিবা নিয়ম অমনি। অদুনা, তাইবং মিনা অচুম্বা চৎনরিবসি করিগুম্ব দণ্ড অম ফংগনি হায়বগী কিবদগী ওাক্সি ॥৬॥ মী অয়াম্বনা হিংসা তৌনজিবসি কনাগুম্ব করিগুম্ব অমগী দণ্ড কিবদগীনি। ময়ম অদুনা দণ্ড হায়বদুনা হায়বদি রাজদণ্ডনা প্রজাশিংবু শাসন তৌয়মজবদি জগৎ পুম্বসে মিকুপ অমগী মমুংদা মহা অথম্বদা তায়স্নগদবনি ॥৭॥ কত্তবা মিবু নমথবা অদুগা অয়ানবা ব্যবহার কায়বশিংবু দণ্ড পিবা হায়রিবা নমথবনমহৎপা দণ্ড পিবা অনি অসিদগী দণ্ড হায়বা পোশক অসি খোকখিবনি। পোশক অদুগী মমিং দণ্ড নত্রগা রাজদণ্ড হায়না কোথিবনি ॥৮॥ হায়রিবা দণ্ড শক্তি অসি ব্রাহ্মণশিংগীনা মচিন্দা, ক্ষত্রিয়শিংগীনা মপাম্বোম্‌ পাজন্দা, বৈশ্যগীনা মযন্দা, অদুগা শূদ্রশিংগীদি দমন শক্তি দণ্ড শক্তি হায়বদু ঐরে লৈতে ॥৯॥ মহারাজ! তাইবং মিশিংনা অপাম্ব কল্লকপনচিংবা গুমহৎপদগী পাপ কর্ম্ম তৌগদবদগী ংাগথাক্নবা অদুগা প্রজাশিংগী মরলবু য়েক্নবগী মথুৎতগী কনবিনবা বিধাতানা দণ্ড হায়বা মর্য্যাদাসমা শেম্নম্মিবনি ॥১০॥ মচু শংনাম্বা মমিৎ অনি ওাঙবা দণ্ড কৌবা মহাক্না কৎতবশিংবু রাক্ষনবগীদমক মতম পূম্বদা শেম শাদুনা লৈবা দেশ অদুগী লুচিংবনা ন্যায়বিধি চুম্না শাসন তৌয়বদি প্রজাশিংনা অশাউব কল্লকপনচিংবা গুমহৎপদগী তৌগদবা কৎতবা থবক অবত্তৌদে ॥১১॥ ব্রহ্মাচারি, গৃহস্থ বাণপ্রস্থ অমদি ভিক্ষুক- মখোয়শিং আসনা অকব লম্বীদা চৎলিবসি দণ্ড হায়বদুবু কিবদগীনি ॥১২॥ মহারাজ কনা অমত্তম্ব হয়েংমুক্তী মপোকপু কিবদগী যজ্ঞ। তৌদবা তৌদে। পরলোক পরজন্ম অদুবু লৈতে হায়দুনা কিদবগী কনা অমত্তম্ব মহারাজ। কনাগুম্বনা পরলোকপু লৈ হায়বসি খাজদবদগী পরলোকতুবু কিদদুনা যজ্ঞ তৌদে। কনাগুম্বনা পরলোকপু কিবদগী দান তৌশিংদে। কনা কনাগুম্ব থরনা ইহলোক পরলোক অনিবু কিদদুনা অকব লম্বিদা চৎনিগদে ॥১৩॥

নাচ্ছিত্ত্বা পরমর্ম্মাণি নাকৃত্বা কর্ম্ম দুষ্করম্ । নাহত্বা মৎস্যঘাতীব প্রাপ্নোতি মহতীং শ্রিয়ম্ ।১৪

নাঘ্নতঃ কীর্ত্তিরস্তীহ ন বিত্তং ন পুনঃ প্রজাঃ । ইন্দ্রো বৃত্রবধেনৈব মহেন্দ্রঃ সমপদ্যত ।
মাহেন্দ্রঞ্চ গৃহং লেভে লোকানাং চেশ্বরোঽভবৎ ।১৫।

য এব দেবা হন্তারস্তাংল্লোকোঽর্চয়তে ভৃশম্ । হন্তা রুদ্রস্তথা স্কন্দঃ শক্রোঽগ্নির্বরুণো যমঃ ।১৬।

হন্তা কালস্তথা বায়ুর্মৃত্যুর্বৈশ্রবণো রবিঃ । বসবো মরুতঃ সাধ্যা বিশ্বেদেবাশ্চ ভারত । ।১৭।

এতান্ দেবান্নমস্যন্তি প্রতাপপ্রণতা জনাঃ । ন ব্রহ্মাণং ন ধাতারং ন পূষাণং কথঞ্চন ।১৮।

মধ্যস্থান্ সর্ব্বভূতেষু দান্তান্ শমপরায়ণান্ । যজন্তে মানবাঃ কেচিৎ প্রশান্তাঃ সর্ব্বকর্ম্মসু ।১৯।

ন হি পশ্যামি জীবন্তং লোকে কঞ্চিদহিংসয়া । সত্ত্বৈঃ সত্ত্বা হি জীবন্তি দুর্ব্বলৈর্বলবত্তরাঃ ।২০।

নকুলো মূষিকানত্তি বিড়ালো নকুলং তথা । বিড়ালমত্তি শ্বা রাজন্ ! শ্বানং ব্যালমৃগস্তথা ।২১।

তানত্তি পুরুষঃ সর্ব্বান্ পশ্য ধর্ম্মো যথাগতঃ । প্রাণস্যান্নমিদং সর্ব্বং জঙ্গমং স্থাবরঞ্চ যৎ ।২২।

কৎতবশিংগী থম্মোয় খিনগাইদনা তমখিবা তৌঙমদবা থবক তৌব নৎতনা অদুগা ঙা হাৎপগুম্না অতোপপা অমবু দণ্ড পিদনা অমদি হাত্তোক্তনা কনাগুম্বা অমত্তনা চাউখৎপা কংবা ঙমদে ॥১৪॥ কৎতবদু হিংসা তৌত্রিমখৈ কনাগুম্বা অমত্তনা জগৎ অসিদা মিংচৎ কংদে, লল কংদে, মচা মগুম্ব কংদে । ইন্দ্রমকন্না বৃত্রাসুরবু হাৎতুনা মহেন্দ্র ওইখি, অমরাবতি কংখি । মরোল্ অহুম্গী মপু ওইখি ॥১৫॥ অদুগা, স্বর্গ লাইরায়া হিংচাবশিংবু হাৎখিবা অদুগুম্বা হিংসা তৌবা লাইশিংবু তাইবং মিনা অমুক্ পূজা তৌই । রুদ্রনা প্রলয়গী মতমদা জীব পুম্বা হাৎলি মাতংদা । কার্ত্তিকনা তারকাসুরবু হাৎখি ইন্দ্র বরুণ অগ্নী দেবনম্ম দৈত্য অসুরবু কয়া হাৎখি । অদুগা যমরাজগীদি করি হায়নি, খোখোয়া হাৎলি ॥১৬॥ অদুগা ভরতনন্দন মহারাজ ! কাল বায়ু, মৃত্যু কুবের, সূর্য্য, বসুশিং, মরুদ দেবতাশিং সাধ্যবিশ্বেদেবশিং দেবতা মখোয়শিং সিগী অমমম্না অতোপ্পবু শাখিমা হাৎখি । ॥১৭॥ হায়রিবা দেবতাশিং অসিগী প্রতাবপূ খঙজবা মীনা মখোয়দা মকোক্ নোল্লি, থুমখি । হিংসা তৌদবা ব্রহ্মাবু, বিধাতাবু অদুগা পূষাবু কনাঅমত্তা পুষাননক্তাবনচিংবা খোইনা তৌনদে । ॥১৮॥ ব্রহ্মানচিংবা দেবতাশিংনা জীবপানবশিংগী হিংসোদা উদাসীন ওই হৈনিংদে । মসুং মপানগী ইন্দ্রিয় পুম্বা নমথনুনা থম্মি । অদুমা অতম্না, খোজি শান্ত তৌবা মী খরতনা ব্রহ্মানচিংববু পুজা তৌই ॥১৯॥ থবাইপানবা অমত্তনম্ম অমবু হাৎতনা হিংদুনা লৈব য়াদে । অকনবা অচৌবা জীবশিংনা অপীকপা জীবশিংবু হাৎলগা মখোয়গী জীবিকা ওইনরি ॥২০॥ মহারাজ ! খৈয়োইনা উচি চায় । হৌদোংনা চায় । হুইনা হৌদোং চায় । কৈজেংলাংনা হুইবু চায় ॥২১॥ অদুগা হায়রিবা জীবশিং অসিবু অমুক্ অতোপ অতোপনা দেশগী মী মথল মথম্ম চায় । মরম অদুনা মহারাজ ! জীবশিংগী মসুংদা মখোয় মখেল অমনা অমগী চীঞ্জাক ওইদি অচাবা ওইনরিবসে থা স্বষ্টিগী মতমদগী চৎনরিবনি । থাজি মহারাজনা মুমা অমুক থম্বিয়ু । অচেৎপ হৈজিবা পুবসে জীবশিংগী চীঞ্জাক মকনি ॥২২॥

বিধানং দৈববিহিতং তত্র বিদ্বান্ ন মুহ্যতি । যথা সৃষ্টোঽসি রাজেন্দ্র ! তথা ভবিতুমর্হসি ।২৩।
বিনীতক্রোধহর্ষা হি মন্দা বনমুপাশ্রিতাঃ । বিনা বধং ন কুর্ব্বন্তি তাপসাঃ প্রাণযাপনম্ ॥২৪।
উদকে বহবঃ প্রাণাঃ পৃথিব্যাঞ্চ ফলেষু চ । ন চ কশ্চিন্ন তান্ হন্তি কিমন্যৎ প্রাণযাপনাৎ ।২৫।
সূক্ষ্মযোনীনি ভূতানি তর্কগম্যানি কানিচিৎ । পক্ষ্মণোঽপি নিপাতেন যেষাং স্যাৎ স্কন্ধপর্য্যয়ঃ ।২৬।
গ্রামান্নিষ্ক্রম্য মুনয়ো বিগতক্রোধমৎসরাঃ । বনে কুটুম্বধর্ম্মাণো দৃশ্যন্তে পরিমোহিতাঃ ।২৭।
ভূমিং ভিত্ত্বৌষধীশ্ছিত্ত্বা বৃক্ষাদীনণ্ডজান্ পশূন্ । মনুষ্যাস্তন্বতে যজ্ঞাংস্তে স্বর্গং প্রাপ্নুবন্তি চ ।২৮।
দণ্ডনীত্যাং প্রণীতায়াং সর্ব্বে সিদ্ধ্যন্ত্যুপক্রমাঃ । কৌন্তেয় ! সর্ব্বভূতানাং তত্র মে নাস্তি সংশয়ঃ ।২৯।
দণ্ডশ্চেন্ন ভবেল্লোকে বিনশেয়ুরিমাঃ প্রজাঃ । জলে মৎস্যানিবাভক্ষ্যন্ দুর্ব্বলান্ বলবত্তরাঃ ।৩০।

অচৎ চত্ত জীবশিংগী মনুংদা অচাবা পোশকুপা চাগদোহিবা পোশকুপা অমীগী মরক্ত কনানা অচাবওইগদোরিবা কনানু চাগদোরিবা অদুদি মাগী মাগী লাইবক্ত লাইনা ভগপ্রবা স্বভাব অদুনা অমমক্ লেপ্লপ্রবনি। মরম অদুনা, বিষয় অসিদা অনাশিংনা থোইদোক্না নুংঙাইতবা অমদি তমহৎপা তৌনদে। অদুনা নিংথৌ অথোইবা! বিধাতানা তম্বকপা অদুগী মতুংইন্না কনাগুম্বগী চৌপ্পাক (খাদ্য) ওইনা পোক্লবা নত্রগ অচাবা (খাদক) ওইনা পোক্লবা অদুগী মরমদা থক্ চিংনব নুংঙাইতবা তৌরোইদোবনি—॥২৩॥ শিঙনবা তপস্বীশিংনা অপাকপা কল্লকপা হৱাউবনচিংবা থম্মোয়গী লোযশিং অসিনু থাদোক্লবস্নু হিংসা। নত্তনদি মপুন্‌শি লেন্‌বা ঙমদে। চাবা হায়বসিবক হিংসা য়াওদনদি অদুম্ ওইথোক্রবনি ॥২৪॥ ঈশিংদা, লৈপাক্তা, লৈমুংদা, উধক্তা, উহৈদা জীব কয়া কয়া লৈরিবনি। অদুগা কনা অথত্তবা থথোবনু হাথে হায়বত্তুবা হায়বা য়াদ্রে। মরমদি হাৎপা নত্তনা চৌপ্পাক কংদে; চৌপ্পাক্ নত্তনদু হিংবা য়াদে ॥২৫॥ জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিদা অমুক্তা প্রতিক শিক্লবা জীব কয়া লৈরি, মথোয়গী "লৈবা কায়বা" (অস্তিত্ব) অদুমক্ মীৎনা উব ফংদবনা অনুমানতনা খঙবা ঙমনৈ। মথোয় অদুদি ঐথোয়না মীৎ কুপ্পা মতমদা ঐথোয়গী মিৎকী পাখা থেংবা লৈরবতদা অমুক্তা শিশিং শিশিং শিবা য়াওরিবনি ॥২৬॥ গুম্মৎপা কোকৃত্রিবা কনা কনাগুম্বা মুনিশিংনা খুলদগী মপান থোক্‌খিদুনা বনদা চৎখিদুনা অশাউবা কল্লক য়েংবিবা থাদোক্লনা য়াগী মা ওইবা, পাগে নাটৈন্নু অদুম্ মযোকনুই ॥২৭॥ তাইবং মীনা মাগী মাগী প্রামদা লৈনা লৈনা লৈপাকে ভোবাক্, খোক্তদোক্লনা, উপি মানি মনাযশিং থকনা ককথক্লনা অদুদগী হেন্দোক্লনা শাউচেক কল্লবৎলপা য়াম্না থক্ত চাউনা যজ্ঞ তৌনরি। মাদুমক্তা স্বর্গসু কানরি, ফংনরি। মাসি হিংসা তৌদবগিনি। ॥২৮॥ অদুনা কুন্তীনন্দন! দণ্ডনীতি শীজিন্নবদি থবক পুম্বা সিদ্ধ ওই। মাসিদা কনিগত চিংনমিত্তায় লৈত্রবনি ॥২৯॥ মহারাজ! হিংসানা মথাই ওইরবা তুক্ত হায়বত্রা জগৎতা

সত্যঞ্চেদং ব্রহ্মণা পূর্ব্বমুক্তং দণ্ডঃ প্রজা রক্ষতি সাধু নীতঃ।
পশ্যাগ্নয়শ্চ প্রতিশাম্য ভীতাঃ সন্তর্জিতা দণ্ডভয়াজ্জ্বলন্তি ॥৩১॥

অন্ধং তম ইবেদং স্যান্ন প্রজ্ঞায়েত কিঞ্চন। দণ্ডশ্চেন্ন ভবেল্লোকে বিভজন্ সাধ্বসাধুনী ॥৩২॥
যেঽপি সংভিন্নমর্য্যাদা নাস্তিকা বেদনিন্দকাঃ। তেঽপি ভোগায় কল্পন্তে দণ্ডেনাশু নিপীড়িতাঃ ॥৩৩॥
সর্ব্বো দণ্ডজিতো লোকো দুর্ল্লভো হি শুচির্জ্জনঃ। দণ্ডস্য হি ভয়াত্ত্রস্তো ভোগায়ৈব প্রকল্পতে ॥৩৪॥
চাতুর্ব্বর্ণ্যপ্রমোদায় সুনীতিকরণায় চ। দণ্ডো বিধাত্রা ধর্ম্মার্থৌ ভুবি রক্ষিতুম্ ॥৩৫॥
যদি দণ্ডান্ন বিভ্যেয়ুর্বয়াংসি শ্বাপদানি চ। অদ্যুঃ পশূন্ মনুষ্যাংশ্চ যজ্ঞার্থানি হবীংষি চ ॥৩৬॥
ন ব্রহ্মচার্য্যধীয়ীত কল্যাণীং ন দুহেত গাম্। ন কন্যোদ্বহনং গচ্ছেদ্যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ॥৩৭॥

লৈরমক্রবদি লোক পুম্নমক অসি মীকুপ্তা মাঙলগদবান। মরমদি ঈশিংদা লৈবা অচৌবা ঙানা ঙা মচাশিংবু চাথোকপত্থঙম্না তাইবং মীসু অচৌবনা মচাবু, অকনবনা অশোনববু ক্য কাহনা চাথোকলম্লগদবান। দণ্ড (দণ্ডি পিবা) হায়বহুনা লৈবদগী তোনজিনবনি ॥৩০॥ মমাঙৈদা ব্রহ্মানা হায়খিঃ— "নিয়ম চুম্না পিবা দণ্ড (দণ্ডি) তনা লোক পুম্নমকপু ঙাকালবনি"। অহুনা মহারাজ। অমুক্তা খন্দুনা য়েংবিয়ুঃ— মৈ কাওবা মুৎলি মুৎলি তৌরবসু মতোঙ্গা খুদোম্‌থী বিন্দুনা ফু লাউনা থজাই পোঙথোক্লনা হেক মকাম্‌থৎলবদি মাহু কিহুনা হেক্তা ফ্রং ফ্রং চাকথৎলকপনি ॥৩১॥ অহুম্ অয়ান অক কম্বু তোঙাল তোঙাল তাহনবা দণ্ড হায়বহুনু মরৈজবাদ জগৎ পুম্বসে নহায়া অমম্বনা পুম্নকুপ কুপশদোবনি। কদায়না অচৌ অপিক কদায়না অহুম্ চুম্দা কয়িমত্ত উবম্ থঙকমরোইদোবনি ॥৩২॥ নাস্তিকশিংনা মাগী মাগী মত মতুং ইন্না বেদগী নিয়ম, আচার ব্যবহারগী নীতিবু থুগাইহুনা অহুগা বেদবু নিন্দা তৌহুনা কোয়চৎ চৎলি। অহুবু দণ্ডি কিবদগী কা হেনবা য়াদহুনা লৈরিবসিনা সাধু মহাত্মাশিংগী মহাশান্তি অমঙইনা লৈরিবনি। মথোয়না সুংঙাইনা মতম লৈরি ॥৩৩॥ জগৎ পুম্বা দণ্ডগী মথাংপোনবনি। দোষ মরাল লৈতবা জীব জগত্তা তাঙবনি। অহুগা কত্তবশিংসু দণ্ডি (দণ্ড) কিবদগী সাধু মহাত্মাঙম্না পুনশিগী শরুক থর লেনবা ঙম্বনি ॥৩৪॥ ব্রাহ্মনচিংবা বর্ণ মারী সুংঙাইবগী সমাজনা নিয়ম নাইনা চৎননবগী অহুগা জগৎকী ধর্ম্ম পুম্বনা তেক্তা কায়দনা লৈননবগীদমক্ বিধাতানা দণ্ড (দণ্ডি) হায়বা পোশকসিবু শেম্‌খিবনি ॥৩৫॥ য়াম্না শাখিবা শা উচেকশিংনা দণ্ড (দণ্ডি) হায়বহুবু কিয়মজবদি মথোয়না যজ্ঞগী বলিনচিংবগী শা, ব্রাহ্মণ অহুগা মীনচিংবা পুম্নমক অসি খুদক খুদক্তা মাঙহন্নগদবনি ॥৩৬॥ দণ্ড হায়বহুনা হায়রি হায়রিবা থবকশিং অসিদা চত্তমজবদি ব্রহ্মচারীসু বেদবু পাঠ তৌরমরোইদোবনি' শঙ্গোমগুবা

বিপ্লবেৎ লোকঃ প্রবর্ত্তেত ভিদ্যেরন্ সর্ব্বসেতবঃ। মমত্বং ন প্রজানীয়ুর্যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ॥৩৮॥
ন সংবৎসরসত্রাণি তিষ্ঠেয়ুরকুতোভয়াঃ। বিধিবদ্দক্ষিণাবন্তি যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ॥৩৯॥
চরেয়ুর্নাশ্রমে ধর্ম্মং যথোক্তং বিধিমাশ্রিতাঃ। ন বিদ্যাং প্রাপ্নুয়াৎ কশ্চিদ্যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ॥৪০॥
ন চোষ্ট্রা ন বলীবর্দ্দা নাশ্বাশ্বতরগর্দ্দভাঃ। যুক্তা বহেয়ুর্যানানি যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ॥৪১॥
ন প্রেষ্যা বচনং কুর্য্যুর্ন বালো জাতু কর্হিচিৎ। তিষ্ঠেৎ পিতৃমতে ধর্ম্মে যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ॥৪২॥
দণ্ডে স্থিতাঃ প্রজাঃ সর্ব্বা ভয়ং দণ্ডে বিদুর্ব্বুধাঃ। দণ্ডে স্বর্গো মনুষ্যাণাং লোকোঽয়ং সুপ্রতিষ্ঠিতঃ ॥৪৩॥
ন তত্র কূটং পাপং বা বঞ্চনা বাপি দৃশ্যতে। যত্র দণ্ডঃ সুবিহিতশ্চরত্যরিবিনাশনঃ ॥৪৪॥
হবিঃ শ্বা প্রলিহেদ্ধৃষ্টো দণ্ডশ্চেন্নোদ্যতো ভবেৎ। হরেৎ কাকঃ পুরোডাশং যদি দণ্ডো ন পালয়েৎ ॥৪৫॥

মীমা থেরবী শর্ব্বস্ব মথোংগুম্বা চম্মমমরোইদৌবনি। কন্যাসু মনিঙ মথা তমথিজনা বিবাহ তৌ হায়বা য়াদহনা মানা মানা থোকপত্ত তৌনরগদবনি ॥৩৮॥ দণ্ড হায়বজনা জগৎপু ভাক্লমজবদি, কম কম মায়থৈ পুম্বদা কৈরিবা অতাংপিশকশিং অসি নহায়া মাঙলম মুৎলগদবনি। জগৎ পুম্বসি নিয়ম নাইদনা চৎকগদবনি। শক্তিশিংনা মচা শায়াওশিংবু শুংশিনমরোইদৌবনি ॥৩৮॥ দণ্ড হায়বজনা ভাকশেন্নমজবদি চহী চুম্বা তৌগদবা, মতৈ চাউরবা দান দক্ষিনা কয়া তৌগদৌবা যজ্ঞ কয়া কয়া মরক্তা তৌরমগদৌবনি ॥৩৯॥ দণ্ড (দণ্ডি) হায়বসিনা ভাকপিরমজবদি ব্রহ্মচারী, সাধু মহাত্মাশিং অসে ধর্ম্মগী কথিঙবা অনুষ্ঠান অমত্ত পাঙথোকপা চম্মরোইদৌবনি। মতৈ হৈবা জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনসু নিংথৌ প্রজাগী মকমদগী সম্মান (ইকায় খুম্বা) অমত্ত থংতম্মরোইদৌবনি ॥৪০॥ দণ্ড (দণ্ডি) হায়বজনবু মথৈমমজবদি মথ, শকট (গাড়ী) নচিং-থসিবু শগোল, উঁট, লোলা অসিনচিংবা শা অমত্তনা চিংঙ, হায়বা য়ায়রোইদৌবনি ॥৪১॥ দণ্ডিনিনা হায়না থিজমমজবদি মীনায়না মবুতোগী য়াথং ভাকলগ রোইদৌবনি। মচা মপু অমত্তা মথা মপা অহল লমনবু কিংন্সয়াইদৌবনি। মথোয় পুম্বা অচুম্বা চশীদা কৈয়ু চৎনু হায়বা অমত্ত য়ায়মমরোই-দৌবনি ॥৪২॥ লোক পুম্বা, জগৎপুম্বা, দণ্ডবু কিবতগী ওসি কাওবা নিয়ম চুম্বা লৈরকলিবনি। দণ্ডগী গুণনাতাইবং মীগী স্বর্গ হায়বদো লৈরিবনি। জগৎপুম্বা দণ্ডনীতিগী মথক্তা লম্বুনা লৈরিবনি ॥৪৩॥ য়েঙবা মাওহনবা দণ্ড হায়রুনা নিয়ম নাইনা লৈবতগী অমুক য়াবা লোক সমাজ পুবদি লৈরিবাদি দণ্ডবু কিবা, দণ্ডনা ভাকলাম্লিবা সমাজ অমদি দেশতা নমথাক লৌনবু চুথান চিথি লৈতবনি ॥৪৪॥ দণ্ড (দণ্ডিগী মূর্ত্তি ওইবা তৈকুপ) অদু থাংগৎলমজবদি রোং চুইনা য়াজ্ঞী কুণ্ড মরাদা মাঙপ মচুংদা থঙ্গিবা থীনচিংবা পোৎচৈবু লেচ্চনা, মরম নমহনা মাওহল্লগদৌবনি। দণ্ডনা

যদিদং ধর্ম্মতো রাজ্যং বিহিতং যদধর্ম্মতঃ। কার্য্যস্তত্র ন শোকো বৈ ভুঙ্‌ক্ষ্ব ভোগান্ যজস্ব চ ॥৪৬॥
সুখেন ধর্ম্মং শ্রীমন্তশ্চরন্তি শুচিবাসসঃ। সংবসন্তঃ প্রিয়ৈর্দারৈর্ভুঞ্জানাশ্চান্নমুত্তমম্ ॥৪৭॥
অর্থে সর্ব্বে সমারম্ভাঃ সমায়ত্তা ন সংশয়ঃ। স চ দণ্ডে সমায়ত্তঃ পশ্য দণ্ডস্য গৌরবম্ ॥৪৮॥
লোকযাত্রার্থমেবেহ ধর্ম্মপ্রবচনং কৃতম্। অহিংসা সাধুহিংসেতি শ্রেয়ান্ ধর্ম্মপরিগ্রহঃ ॥৪৯॥
নাত্যন্তং গুণবৎ কিঞ্চিন্ন চাপ্যত্যন্তনির্গুণম্। উভয়ং সর্ব্বকার্য্যেষু দৃশ্যতে সাধ্বসাধু চ ॥৫০॥
পশূনাং বৃষণং ছিত্বা ততো ভিন্দন্তি মস্তকম্। বহন্তি বহবো ভারান্ বধ্নন্তি দময়ন্তি চ ॥৫১॥
এবং পর্য্যাকুলে লোকে বিতথৈর্জর্জ্জরীকৃতে। তৈস্তৈর্ন্যায়ৈর্মহারাজ! পুরাণং ধর্ম্মমাচর ॥৫২॥
যজ দেহি প্রজা রক্ষ ধর্ম্মং সমনুপালয়। অমিত্রান্ জহি কৌন্তেয়! মিত্রাণি পরিপালয় ॥৫৩॥
মা চ তে নিঘ্নতঃ শত্রূন্ মন্যুর্ভবতু পার্থিব। ন তত্র কিল্বিষং কিঞ্চিৎ কর্ত্তুর্ভবতি ভারত! ॥৫৪॥

ভাকশেন্নমক্কবদি যজ্ঞগী চক্কনচিংবনু কাকশিংনা লাক লাক্‌না চেনখিয়মমগদৌবনি ॥৪৫॥ মহারাজ! ধর্ম্মনবু ওইরবসু অধর্ম্মগী মখোংনবু ওইরবসু হৌজিক লৈপাক অসে মহারাজগী খুত্তা তারে। অদুনা হৌজিক রাবগী মতম নত্তে। অদুগুম্বা দণ্ডনীতি অদুনা মহারাজনা রাজভোগ চাননবা যজ্ঞ তৌননবা তৌবিয়ু ॥৪৬॥ চাওখৎলবা মীশিংনা চায়থোইবরি ফোয়নবীশিংগা, অহাউ অথুব চাদুনা, কক কক্কবা কিয়োম্ হেক্কাদুনা নুংঙাইনা ধর্ম্মগী আচরণ তৌদুনা লৈরি ॥৪৭॥ থবকপুম্বা লনগী মথাক্তা লৈরিবনি। মালিদা ফরিবা চিংনবা লৈত্রবনি। হায়রিবা লন অদুমক দণ্ডগী মথাক্তা লৈরিবনি। অদুনা মহারাজ! দণ্ডনীতিগী মতিক অসি অমুক্তা য়েংবিয়ু ॥৪৮॥ মুনিশিংনা তাইবংমীগী খবশাক্তিগা লোয়ননা মপুমথি লেপ্পনবগী স্মৃতিশাস্ত্রদা ধর্ম্মগী মখং নিয়মম চিংবা তাক্লি। মখোয়মা হায় :— কনাগীসু হিংসা তৌরোইদৌবনি। অদুগা মখোয়না অমুকসু হায়রি :— কথংবুদী হিংসা তৌগদৌবনি। মসিগী মপুংদা থবকবা ধর্ম্মগী চংথী অসি থমগদৌবনি। ॥৪৯॥ থবক পোৎ পুম্নমক্তা গুণ হাক্তক লৈখবনি, দোষগী শক্তক খর থবসু য়াওখনি। পোৎ পুম্নমক্তা অথবগী শক্তক থর থরলৈবনি ॥৫০॥ মী অয়াম্বনা শম্ভাবগী অণ্ডকোষ কক্কপা (বলদ্ শেংলপা) মচী অনীবুস থককনি মখুং ইন্না বিনগাই। মখোয়বু যন (গাড়ী) চিংহন্নি, পোয়োম্ পুহন্নি।—লঙোম্বা পুন্দুনা থম্মি। শকট (গাড়ী) চিংবা মতমদা চক্কপা বুই ॥৫১॥ মহারাজ! অসিগুম্বা ওইদবা অয়াম্বা লম্ভী অসিদা অমঙনা ওনিফাওবা চৎলক্লি। অদুগা, অয়াবসু য়াম্না কংনরি। অদুনা মহারাজনা মমাইবেগী চংনরবগী অসিগী মপুংইম্না মমাইবেগী ধর্ম্ম কায়দনা অদুম্ চৎপিয়ু—॥৫২॥ কুন্তী মচা! মহারাজ! যজ্ঞ তৌবিয়ু, দান তৌবিয়ু, প্রজা চাকপিয়ু, ধর্ম্ম চাম্‌দেম্‌পিয়ু। য়েক্কবসু মনুংকপিয়ু। মরুপ মপাং মখুমশিংবু ঙাকপিয়ু ॥৫৩॥ মীয়েৎ। মহারাজনি হৌজিক য়েক্কশিংবু ওইহনবনি।

আততায়ী হি যো হন্যাদাততায়িনমাগতম্। ন তে ভ্রূণহা স স্যাম্মন্যুস্তং মন্যুমৃচ্ছতি ॥৫৫॥
অবধ্যঃ সর্ব্বভূতানামন্তরাত্মা ন সংশয়ঃ। অবধ্যে চাত্মনি কথং বধ্যো ভবতি কস্যচিৎ ॥৫৬॥
যথা হি পুরুষঃ শালাং পুনঃ সংপ্রবিশেন্নবাম্। এবং জীবঃ শরীরাণি তানি তানি প্রপদ্যতে ॥৫৭॥
দেহান্ পুরাণানুৎসৃজ্য নবান্ সম্প্রতিপদ্যতে। এবং মৃত্যুমুখং প্রাহুর্জনা যে তত্ত্বদর্শিনঃ ॥৫৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি চার্ব্বাকনিগ্রহে অর্জ্জুনবাক্যে পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

---:*:---

অদুনা মহারাজদা পুক্নীংহুম্বা হৈনিংঙবনচিংবা শাকক্ষম্ থোক্লে। মরমদি মহারাজ। মেরবা হাৎপদা নিংথৌগী দোস করিমত লৈতবনি ॥৫৪॥ মধুবা খুৎলায় পায়দুনা লাক্লবা মেরববু খুৎলায় পায়দুনা ডাকৎথোকদৌবনি। মাদু নত্রবদি ভ্রূণহত্যা (মচা হৈববা) গী পাপ কংতি। খুৎলায় পায়বা মেরবদুমক্না হাৎকদৌরবা মী মহাক্কী থংখ্বাবদা অমাও লোকহনবিবনি। ॥৫৫॥ মসিদা করিমু চিংনকম্ লৈত্রবনি। মহুদিঃ—জীবাত্মাবু কনানমু হাৎপা য়াদবনি। অদুনদি। হাৎপা ঙম্বা য়াদ্রবা জীবাত্মাদুবু কনানা হাৎকদৌ রিবনো? ॥৫৬॥ অমুবা য়ুম্ থাদোক্লুনা অহনবা য়ুম্ অমদা চংবদুগুম্ জীবাত্মানা হকচাংবু থাদোক্লুনা অনৌবা অহনবা হকচাং অমদা চঙথিবকনি—শিবা হায়বদো ॥৫৭॥ জীবাত্মানা মহাক্না হকচাংবু অদুগা হন্নকা মপোক্ত মপান্দা থোকদা নৌরিবা ওইনা উরবমু মপোকক, কয়াগী কর্ম্মনা য়াম্ম থুইবা মহাকা ওইবা হকচাংবু থাদোক্লুনা হকচাং অমদা চঙথিববু "(মৃত্যু)" হায়না খঙবে ॥৫৮॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তি] পর্ব্বদা চার্ব্বাক নিগ্রহগী মখুংদা—অর্জ্জুন বাক্যগী তমাবক্সরবা অধ্যায় লোইরে ॥×॥×॥+॥+॥+॥

---:*:---

মহাভারতম্

(চার্ব্বাককী থিংবগী মতাংদা) *

ভীমনা ভাঙবা শান্তিপর্ব্বগী

ষোড়শোঽধ্যায়ঃ।

তরাতরুকশুবা অধ্যায়ঃ।

—·:※:·—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

অর্জ্জুনস্য বচঃ শ্রুত্বা ভীমসেনোঽত্যমর্ষণঃ। ধৈর্য্যমাস্থায় তেজস্বী জ্যেষ্ঠং ভ্রাতরমব্রবীৎ ॥১॥

রাজন্! বিদিতধর্ম্মোঽসি ন তেঽস্ত্যবিদিতং ক্বচিৎ। উপশিক্ষাম তে বৃত্তং সদৈব ন চ শক্নুমঃ ॥২॥

ন বক্ষ্যামি ন বক্ষ্যামীত্যেবং মে মনসি স্থিতম্। অতিদুঃখাত্তু বক্ষ্যামি তন্নিবোধ জনাধিপ! ॥৩॥

ভবতঃ সংপ্রমোহেন সর্ব্বং সংশয়িতং কৃতম্। বিক্লবত্বঞ্চ নঃ প্রাপ্তমবলত্বং তথৈব চ ॥৪॥

কথং হি রাজা লোকস্য সর্ব্বশাস্ত্রবিশারদঃ। মোহমাপদ্যসে দৈন্যাদ্যথা কাপুরুষস্তথা ॥৫॥

আগতিশ্চ গতিশ্চৈব লোকস্য বিদিতা তব। আয়ত্যাঞ্চ তদাত্বে চ ন তেঽস্ত্যবিদিতং প্রভো! ॥৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়:—হ'ক, মহারাজ জনমেজয়! মীনা লাকৃচবা য়াদবা য়াম তেজ (মশিল) লৈবা ভীমসেননা অর্জ্জুনগী য়াহ তাবদা য়াম তপ্‌থনা ময়াম্বু' যুধিষ্ঠিরদা অসুম্না হায়:—॥১॥ য়াম্বুং মহারাজ! য়াম্বুংদি ধর্ম্মগী তম্ব পুম্ব অমুত্তানা খঙ্‌বিরবনি। য়াম্বুংনা খঙ্‌বিদবা বিষয় অম লৈত্রবনি। মরম্ অদুনা য়াম্বুং নিংথৌদা করম্ করবা থিবগী উপদেশ (শিক্ষা) পাশিগে হায়রবা অসুম খঙ্গবদা পীনীওভায় খোইনা লৈত্রে; অদুনা পীরা ঈতীক্ থইত্রে ॥২॥ লৈদি লৈরবসু, পীরবোট হায়না এথৌরে, অদুসু থম্মোয় [illegible] ঠেলবিবা অবাবা [illegible] পুবা [illegible] থরদি হায়জব তারে, বাবৌবিরসু, মতাঙ্গিদু ॥৩॥ য়াম্বুংনা [illegible] [illegible] তাবিদনা [illegible] লৈবিবসিদা চিংনবা অমত্তু য়াম চাউনা পোক্রে। অদুবু চিংনবসিদা [illegible] [illegible] [illegible] থাবা তৌজরি। [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] ॥৪॥ য়াম্বুং মহারাজদি শাস্ত্র পুম্বগী তম্ব পুম্বা খঙ্গনা [illegible] লৈবিবা [illegible] অবনি। অদুসু, [illegible] [illegible] [illegible] নিংথৌ অম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥৫॥ মহারাজ! [illegible] লৈবিবা

এবং গতে মহারাজ। রাজ্যং প্রতি জনাধিপ। হেতুমাত্রঞ্চ বক্ষ্যামি ত্বমিহৈকমনাঃ শৃণু ।৭।
দ্বিবিধো জায়তে ব্যাধিঃ শারীরো মানসস্তথা। পরস্পরং তয়োর্জন্ম নির্দ্বন্দ্বং নোপলভ্যতে ।৮।
শরীরাজ্জায়তে ব্যাধির্মানসো নাত্র সংশয়ঃ। মানসাজ্জায়তে ব্যাধিঃ শারীর ইতি নিশ্চয়ঃ ।৯।
শারীরং মানসং দুঃখং যোঽতীতমনুশোচতি। দুঃখেন লভতে দুঃখং দ্বাবনর্থৌ চ বিন্দতি ।১০।
শীতোষ্ণে চৈব বায়ুশ্চ ত্রয়ঃ শারীরজা গুণাঃ। তেষাং গুণানাং সাম্যং যত্তদাহুঃ স্বস্থলক্ষণম্ ।১১।
তেষামন্যতমোদ্রেকে বিধানমুপদিশ্যতে।
উষ্ণেন বাধ্যতে শীতং শীতেনোষ্ণং প্রবাধ্যতে। উভাভ্যাং বাধ্যতে বায়ুর্বিধানমিদমুচ্যতে ।১২।
সত্ত্বং রজস্তম ইতি মানসাঃ স্যুস্ত্রয়ো গুণাঃ। তেষাং গুণানাং সাম্যং যত্তদাহুঃ স্বস্থলক্ষণম্ ।১৩।

জীব থুমিংমক্তা ইহলোক অসিদা অমুক লাকপা; ইহলোক অসদগী অমুক চৎথিবা হায়বা লেঙ্বা মায়বা গতি অমী অসি মানুং নিংথৌদি ঙাকম্ তম্বিদনা মহৌশাদগী অমম্ থঙহনা ময়াকলিরবনি। বর্তমান— ভবিষ্যৎ কাল অনীসিদা ওইরিবা ওইগদৌবা করিগুম্বা বিষয় অমত্তং ভাদি থংগদবা নৈরি হায়বসি লৈত্রে ॥৬॥ মানুং মহারাজ। অহমক্পু মনাই এ নিংথৌ ওইবা প্রজা লাক্পা হায়বা বিষয় অসিগী চপ্চাবা হেতু-কারণ অম হন্দক্নে। থওনবিবা বিষয়নি হায়দুনম থৌওই'হনা তাবা তৌবিয়ু ॥৭॥ হক্চাংগী অহুম। থম্মোয় [পুক্নিং] গী লায়না হায়দুনা যোগ (লায়না) অনী লৈরি। মথোয় অনীদি মতম্ অমত্তদা অমনা অমদগী পোক্খিদে। অহুম লায়না অনীগী অমুংদা করম্না করবদ্ মাওদনা পোক্পগে-লৈবগে হায়দুনা বিবদি— থহেদে; উম উকদে ॥৮॥ মপান্গী হকচাংগী লায়নাদগী থম্মোয়গী অমদি পুক্নিংগী লায়না পোকই। অদুগা হায়রিবা মানসিক রোগ [থম্মোয়গী অমদি পুক্নিংগী লায়না] দগীদু শারীরিকরোগ হকচাংগী লায়না] পোক্ই। মাসে, কহিমত চিংনমীওভায় লৈতনা লেপপ্রবা বিষয় অমনি ॥৯॥ হায়রিবা মমাংদৈদদি থোকপ্রবা শারীরিকরোগ মানসিকরোগ অনীসিবু অমুক্ নীওশিংওকনা নাদিবা মী মহাক্ ভুদি নাবিবদুগী মথক্তা অতোপ্পা অবাবা অমমুক্ ফংতি। মহাক্ অহু মতম্ অমত্তদা অবাবা লায়না অনীগী ঠেনা থাওহনা লৈনৈ ॥১০॥ বাত্ পিত্ত, কফ হায়রিবা অহুম অসি হক্চাংগী গুণনি। অহুম অসিনা থপ চপ, মায়না লৈরিব মতম্ অদুদুনি নাদ রেকভনা লৈনবী অবস্থা হায়না হায়বরিবসি। অহুম অসিনা চাং মায়না লৈথবিবদ্ হকচাং মনুং লেংনা লৈরিবগী খুদম্ অমনি ॥১১॥ হায়রিবা গুণ অহুম্নিগী মরুংদা অমবা লেদ্ মকোক্ থাম্বলকপা। নাদ লেমখনিবা মাইমনিংনা থাদোংক্লি। অদুগা কোক্তবা শাকপাদ্ম পীদৈ। নাহুনি প্রতিকার তৌবা হায়বসিবসি। পিত্ত কফদ্ মমুকেদি, কাফদ পিত্তগা অমীনা বাদুম লেমুথকনি। অদুগা লেমুথক্না অসিন্ন অতিরিক্তশিংনা থাওীবাদ্ হায়না থুদৈ ॥১২॥ হক্চাংগী গুণনা অহুম্ ওইবগুম্না পুক্নিংগী সত্ত-রজ-তম কৌবা গুণ অহুম্ লৈ। অহুম্

যেনোরন্তবয়োরেকে বিষাদমুপদিশ্যতে। হর্ষেণ বাধ্যতে শোকো হর্ষঃ শোকেন বাধ্যতে।
উভাভ্যাং বাধ্যতে মোহো বিষাদমিদমুচ্যতে ॥১৪॥

কশ্চিৎ সুখে বর্ত্তমানো দুঃখস্য স্মর্ত্তুমিচ্ছতি। কশ্চিদ্দুঃখে বর্ত্তমানঃ সুখস্য স্মর্ত্তুমিচ্ছতি ॥১৫॥

স ত্বং ন দুঃখী দুঃখস্য ন সুখী চ সুখস্য বা। নাদুঃখী দুঃখভাগস্য নাসুখী চ সুখস্য চ ॥১৬॥

স্মর্ত্তুমর্হসি কৌরব্য! দিষ্টং হি বলবত্তরম্। অথবা তে স্বভাবোঽয়ং যেন পার্থিব! ক্লিশ্যসে ॥১৭॥

(যুগ্মকম্)

দৃষ্টা সভাগতাং কৃষ্ণামেকবস্ত্রাং রজস্বলাম্। মিষতাং পাণ্ডুপুত্রাণাং ন তস্য স্মর্ত্তুমর্হসি ॥১৮॥

প্রব্রাজনঞ্চ নগরাদজিনৈশ্চ বিবাসনম্। মহারণ্যনিবাসঞ্চ ন তস্য স্মর্ত্তুমর্হসি ॥১৯॥

অসিনা চাং মায়না থক মায়না লৈবক্তবু পূক্নিং হায়বা ইন্দ্রিয়শক্তিগী নীংথিনা চুম্না লৈবা অবস্থা কৌই ॥১৩॥ হায়রিবা গুণ অহুম্ অসিগী মনুংদা অমনা, মথোয় লৈনরিবা চাংদগী হেন্‌গৎলকপা মতমদা মাদু নমথংনবা প্রতীকার অমথ্না মাংনা তৌথোক্লবনি হায়বসি শাস্ত্রকারশিংনা হায়নরিবনি। দুঃখ্তাইবগী মনুংদা অরাবা লুপখি মাঙখি। অদুগা 'অরাবা" হায়বদুগী মপা মৌরক্পদা দুঃখ্তাইবা হায়বদু লাপ্না চেংখি। দুঃখ্তাইবগা অরাবগা অনি অসিগী প্রভাবতগী মোহ (শুক্লংপ: হায়বদু মাঙখি। অদুম্না মাহেৎনথসিবু মানসিক রোগগী হায়বদি পূক্নিংগী লায়নাগী প্রতিকার কৌই, হায়বদি মানসিকরোগগী লায়েংবা কৌই ॥১৪॥ কনা কনাগুমনা দুঃখ্তাইবা লংদুনা লৈরিবৈমতমদসু চৌরবা অরাবা অমবু নিংশিংলকই। অদুগা কনা কনাগুম্বা অরাবতা লৈরিবৈ চৈরকদুনা হৌরবা দুঃখ্তাইবা ঘটনা অমবু নিংশিংলকপা য়াওরি ॥১৫॥ কৌরবংশজ মহারাজ! নহাক্না অরাব অদগী মতুংদা অতোপ্পা অরাবা অমবু নিংশিংলিবা থক য়ারোই। অদুগা দুঃখ্তাইবা বিষয়দা হায়বদি দুঃখ্তাইনা লৈরিবৈ মতমদা অতোপপা দুঃখ্তাইবা থোক্লবা অমা নিংশিংলিবা চুমদে, হান্দু ঙম্বিগোই। দুঃখ্তাইদুনা লৈরিবৈ মতমদা অরাবা মরিক অমত্তা নিংশিংলকদে থোক্কে। অদুগা অরাবা অমদা তাদুনা লৈরিবৈ মতমদা দুঃখ্তাইবগী লোন অমত্তা লংকদ থোক্কে, চমক্কদে। অসিগুম্বা বিষয় অসিদা "দৈব (ভাইবক্ত তমখিবা) হায়বদুনা খ্বাইদগী মরু ওইনা থোইনা হেন্না কন্না লৈ। অদুগা মহারাজ! নাহাক্না মহারাজনা অরাবা অমা হৌজিক খংবিরি-বাসিদি মহারাজগী হায়রী মপোকগী লোয়নবকপা স্বভাব নি ॥১৬—১৭॥ মহারাজ! ঙিক্নাল অমক্ত লেৎলিবি, দুহিৎ থা উবা য়াম্লিবি দ্রৌপদীনা সভা মরামদা পাণ্ডব ঐখোয় মঙাগী মাঙ, অতো থাখিবা লৌকুচিবা খেতোক্তেক্, মাদুদা উবিখিবা দৃশ্যদু হৌজিক মহারাজগী পুক্নিংদা থক্ লাক্-তবা ॥১৮॥ অদুগী দুংগা [illegible] ঐখোয়বু লাকপুনা-ঊৎঘোয়কপা, মাজবেশ থাদোকপুনা

জটাসুরাৎ পরিক্লেশং চিত্রসেনেন চাহবম্ । সৈন্ধবাচ্চ পরিক্লেশং কথং বিস্মৃতবানসি ॥২০॥
পুনরজ্ঞাতচর্য্যায়াং কীচকেন পদা বধম্ । দ্রৌপদ্যা রাজপুত্র্যাশ্চ কথং বিস্মৃতবানসি ॥২১॥
যচ্চ তে দ্রোণভীষ্মাভ্যাং যুদ্ধমাসীদরিন্দম ! মনসৈকেন যোদ্ধব্যং তত্তে যুদ্ধমুপস্থিতম্ ॥২২॥
যত্র নাস্তি শরৈঃ কার্য্যং ন মিত্রৈর্ন চ বন্ধুভিঃ । আত্মনৈকেন যোদ্ধব্যং তত্তে যুদ্ধমুপস্থিতম্ ॥২৩॥
তস্মিন্ননির্জ্জিতে যুদ্ধে প্রাণান্ যদি বিমোক্ষ্যসে । অন্যং দেহং সমাস্থায় ততস্তৈরপি যোৎস্যসে ॥২৪॥
তস্মাদদ্যৈব গন্তব্যং যুদ্ধায় ভরতর্ষভ ! । পরমব্যক্তরূপস্য ব্যক্তং ত্যক্ত্বা স্বকর্ম্মভিঃ ॥২৫॥
তস্মিন্ নির্জিতে যুদ্ধে কামবস্থাং গমিষ্যসি । এতজ্জ্ঞাত্বা মহারাজ ! কৃতকৃত্যো ভবিষ্যসি ॥২৬॥
এতাং বুদ্ধিং বিনিশ্চিত্য ভূতানামাগতিং গতিম্ । পিতৃপৈতামহে বৃত্তে শাধি রাজ্যং যথোচিতম্ ॥২৭॥

শক্তি মউব্ শেংখিবা শেংহন্খিবা, সুক্রবা শোঙলব বনদা চহি মতম কুইনা লৈহনখীবা অসি পূম্নমক্ হৌজিক্কি মতমদা খক্ নিঙশিংবিত্রবরা ? ॥১৯॥ মহারাজ ! জটাসুরনা পীখিবা অরাবা অকিবা, চিত্রসেন গন্ধর্ব্বগা থেংনখিবা, জয়দ্রথনা দ্রৌপদীবু হুহনা পুবা অমতসু নিঙশিংবা থোক্পিত্রব রা ? ॥২০॥ অদুগা বিরাটনগরদা অজ্ঞাতবাসগী মতমদা কীচকনা দ্রুপদ নিংথৌগী মচানুপী দ্রৌপদীদা সভা মরারদা মখোঙ পাক্রা কাওখিবসুবু য়াম্বুং নিংথৌনা নীঙশিংবিরকত্রিবসিনা কররিগী ? ॥২১॥ য়েক্লবা চুম মাঙহনবিরবা মহারাজ ! মমাংঙেদা লাল্লাওদা ভীষ্ম দ্রোণ অনিগা মহারাজগা থেংনবা মতমদা ফুদোকপিখিবা নিপাথোকপগী শক্তি অদুনা হৌজিক চনিঙ তাত্রবা পুক্নিং অমতবু নমুহৎপিত্রিবসিনা কররিগী ওইরবনো ? অদুগুম্বা মানসিক শক্তি অদুগা লাম্বা ওইদুনা থেংননবগী লাল্লাওগী মতম অদো হৌজিকী মতম অসিদা থুঙরেনা ॥২২॥ খোঙমী লাল্লী থুংগু থুংলায় চঙদবা চুরগী বুদ্ধিগী শক্তিতনা শোরুগদবা লালগী মতম অদো হৌজিক য়াম্বুং নিংথৌগী মাঙদা থুংঙরে ॥২৩॥ অদুগুম্বা লাল্লা অদু ওইরম্ ওইকাতনা থরাই থাবনা হারবদি অতোপ্পা দেহদা য়াম্বুংগী জীবনা চঙখিবা মতমদুদা অদুগুম্বা য়েক্লবশিংগী লাল অদো অমুক মথেংনরুগদবা মরৈরে ॥২৪॥ মরম অদুনা ভরতশাগৈগী অখোইবা মহারাজ ! মশক্ মওং নাইবা য়েক্লবশিং অদুগা শোরুবা লাল অদো থাদোকপিদুনা মশক্ মওং নাইদবা, মুর্তি নাইনা চোংথোক্রবোইদোবা পুক্নিং কৌবা ইন্দ্রিয়দুগা থেংননবা লালগী যাত্রা তৌকম থোকুলো। যুক্তি তর্ক বুদ্ধি কর্ত্তব্যজ্ঞাননচিংবা থুংলায়তনা মথক্তা ওনবদা পুক্নিং হারবদুগা ওনিমক থেংনবিয়ু ॥২৫॥ মহারাজ ! পুরুষ্টংগা লাথেংনদুনা অদু তৌবদু ওয়রবদি মহারাজগী কুবি অবস্থা ওইরনি ; মরম অদুনা নত্তবা অথানবা ইপোম্ অমা হৌরক্লিবা পুক্নিং কৌবা ইন্দ্রিয় অদু থেংনবা থবক পুবা মহৈ য়ারনবা হোৎনবিয়ু ॥২৬॥ মহারাজনা তৌবিরবা হারগী যাথল অদো অতম

দিষ্ট্যা দুর্য্যোধনঃ পাপো নিহতঃ সানুগো যুধি । দ্রৌপদ্যাঃ কেশপাশস্য দিষ্ট্যা ত্বং পদবীং গতঃ ।২৮।
যজস্ব বাজিমেধেন বিবিধঞ্চক্ষিণাবতা । বয়ং তে কিঙ্করাঃ পার্থ । বাসুদেবশ্চ বীর্য্যবান্ ।২৯।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে ভীমসেনবাক্যে ষোড়শোঽধ্যায়ঃ ।০।

লেঙদনা লৈবিরুনা তাউবং জীবপুম্বগী পোক্‌পশিবগী ভত্তখিবিকপু মুম্না বিচার তৌবিয়গা ঈপা ঈপু ইবুধৌশিংনা চৎনরম্বা রীতিনীতি অদুগী মতুং ইন্না নিয়মচুম্না রাজ্যশাসন তৌনবা থৌরাং তৌবিয়ো ॥২৭॥ ঐখোয়গী লাইবক ফবনা দুর্য্যোধনস্পু মাগী মনাওশিং খোউলোয় লাম্নীশিংগা লোয়ননা লোইনা শিঞ্জে ।' মমাঙ্গেঙদা দ্রৌপদী শমজিনা দুঃশাসনগী মথুঙগী নাঙ্গোক্‌-খিবদুগুম্না মহারাজস্পু লাঙ্গাও অসিদগী নঙ্গোকাপহোয়ে ॥২৮॥ পৃথানন্দন । য়াম্পুং নিংথৌ দান দক্ষিনা য়াম্না চাউনা অশ্বমেধ যজ্ঞ পাঙথোক্পবা তৌবয়ু কল্লবা কৃষ্ণ অদুগা ঐখোয় পুম্বনা য়াম্পুং মহারাজগী ননাইগুম চীয়ম পুম্বদা য়াগং ভারুবা ভাইরুনা লৈজরি ॥২৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মপুংদা ভীমসেনবাক্যগী তরাতরুগুবা অধ্যায় লোইরে ।

মাহাভরতম্

সপ্তদশোঽধ্যায়

যুধিষ্ঠিরনা ভাঙবা

তরাতরেৎশুবা অধ্যায়

——(:০:)——

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

অসন্তোষঃ প্রমাদশ্চ মদো রাগোঽপ্রশান্ততা । বলং মোহোঽভিমানশ্চাপ্যুদ্বেগশ্চৈব সর্ব্বশঃ ১।
এভিঃ পাপ্মভিরাবিষ্টো রাজ্যং ত্বমভিকাঙ্ক্ষসে । নিরামিষো বিনির্ম্মুক্তঃ প্রশান্তঃ সুসুখী ভব ।২। [মুকেৎশু

যুধিষ্ঠিরনা হায় :— ভীম । পেন্দবা, চোৎকশিন্দবা মরায়কাবা, বিবমু উপভোগ তৌনিংবা, অশান্তবা, পাঙল ভহহৎপা, অদুগা য়েক্কবশিংবু উবগা মথৌ মরাক হৌবা—পাপ পোক্‌নিংঙাই

স ইমামখিলাং ভূমিং শিষ্যাদেকো মহীপতিঃ। তস্যাপ্যুদরমেকং বৈ কিমিদং ত্বং প্রশংসসি ॥৩॥
নাহ্না পূরয়িতুং শক্যাং ন মাসৈর্ভরতর্ষভ। অপূর্য্যাং পূরয়ন্নিচ্ছামায়ুষাপি ন শক্নুয়াৎ ॥৪॥
যথেদ্ধঃ প্রজ্বলত্যগ্নিরসমিদ্ধঃ প্রশাম্যতি। অল্পাহারতয়া ত্বগ্নিং শময়ৌদর্য্যমুত্থিতম্ ॥৫॥
আত্মোদরকৃতে প্রাজ্ঞঃ করোতি বিঘসং বহু। জয়োদরং পৃথিব্যা তে শ্রেয়ো নির্জিতয়া জিতম্ ॥৬॥
মানুষান্ কামভোগাংস্ত্বমৈশ্বর্য্যঞ্চ প্রশংসসি। অভোগিনোঽবলাশ্চৈব যান্তি স্থানমনুত্তমম্ ॥৭॥

ওইরবা পুক্নিংগী দেশাশিং অসিনা নহাক্না থবাই হকচাংবু থ্ মহৎথিদুনা লৈপাক শাসন তৌগে নিংবো ওইগে হায়না নকাক্লা থল্লি। অদুনা ভীম! কল্লবা বিষয় বাসনাগী ইথিং অদুদগী নাম্বো-ক্না বিষয় ভোগ কাহনা পামশিনবা অদু থাদোকনা ইন্দ্রিয়থুদম চন্দুনা ননীও মথা তম্না ঙাক্তাইনবা তৌ ॥১—২॥ পৃথিবী পুম্বগী অমত ওইরবা রাজচক্রবর্ত্তি ওইরবা মহাকীসু মবুক অমদগী হেক্লা অনৈহুম মচাতেক লৈবা নত্তে। অদুনাদি নংমা নিংথো ওইদুনা পানববু কয়িগী অমুক য়াম্না থাগৎলিবনো? ॥৩॥ ভরতপাইগী অথোইবা, অকনবা ভীম। নোংমদা, থা অমাদা অদুগ চহি-চা কয়াদম্ব ভাইবং জীবগী থলহনব য়ামরোইদোবা ইচ্ছা নিঙবা অপাম্বা হপ্পবুবু থলহনবা য়ারোই, থত্তু। অমুক কবি হায়রগনি, পুনশিগী অরোইবা মীকুপ অমত ভাগ্গুরকাওবা হোৎনরবস্থ অপাম্ববু থক থলহনবা কোকহনবা থুক য়ারোই ॥৪॥ চানবা পোৎ হেক করবগা পোৎ অদুনা লৈন্নিবমধৈ মৈনা অমুম মচাকই চাকপগী পেনবা নাইদবস্থ অদুগা চানবা পোৎ অদুনা লোইশ্রবদা তুমশ্রবদা মহাকস্থ অমুম্ মমুৎথিব মৈখুমা নহাকস্থ চানিঙ্ঙাই চিজাক থজিঙ্তনা অমাত্র কৌবা পুক্নংগী মৈ অদুবু মুথৎলু * ॥৫॥ ভীম! মুর্খ ওইবা মিশিংনা মাগী মবুক অথত্নুগীদমক চাওর চাউরবা অকিবগী মথক ওইরবা পাপ কর্ম্ম মথল মথল তৌই। জ্ঞানথিরবা হিংসা কর্ম্ম মথল মথল পাওথোকই। অদুনা, বৃকোদর চাগেত্ত হায়বা পুক অদুবু জয় তৌ। মরমদি পুকপু জয় তৌবা হায়বসিদি পৃথিবি পুম্ববু জয় তৌবদগী গুণ চাউবা হেনবনি ॥৬॥ ভীম নহাক্তি সংসারগী বিষয়বু ভোগ য়াম্না তৌবা সম্পত্তি য়াম্না লৈব মথোয়গুবুত্ত মথাগৎলি। অদুবু ভীম! মথোয়নুংগশিংগী মরক্তা পোন্নবা বিষয় ভোগ পামদ্রবা, সন্ন্যাসি যোগীশিংগী কক্কয়া মকোক হেক্তা মকাক্কই। সম্পত্তিনা চিঙ্মুক চাউনা লৈরবশিং অদুনা সম্পত্তি মখিক অমত মাগীনি হায়রব লৈত্রবা মতোম্দা কোক নোক্লি ॥৭॥

---

* টীকাঃ— মৈনা মাগী চাক্লীংঙাই য়াম্না লৈরবস্থু অদুম মচাকই। থিংত লৈরবস্থু মাঙ্গবা চাক্লগা অদুম্ মতোকথি। মৈবু চাক্লিমথৈ পেন্নবা থক হায়নদে। মানা চাক্কদবা নাপি মকা অমত লৈরবস্থু মাঙ্গু লোইনা চাক্লগা অদুম্ মমুৎচখি। অদুবু মৈ মতোম্দা লৈরিবা চাকপগী শক্তি (দাহিকা শক্তি) অদুদি মাত্রা থক হল্লুদে। অগৎকি মপুংদা থাইদগী থোক্লিবি ওইদুনা অদুম্ মরৈ। অদুগুম্বা অকনবা ভীম নহাকস্থু থজিক চাবস্থু তেঙ্খি ওইনা লৈদু

যোগঃ ক্ষেমশ্চ রাষ্ট্রস্য ধর্ম্মাধর্ম্মৌ ত্বয়ি স্থিতৌ। মুঞ্চস্ব মহতো ভারাত্ত্যাগমেবাভিসংশ্রয় ॥৮॥
একোদরকৃতে ব্যাঘ্রঃ করোতি বিঘসং বহু। তমন্যেঽপ্যুপজীবন্তি মন্দবেগচরা মৃগাঃ ॥৯॥
বিষয়ান্ প্রতিগৃহ্য সন্ন্যাসে কুরুতে মতিম্। ন চ তুষ্যন্তি রাজানঃ পশ্য বুদ্ধ্যন্তরং যথা ॥১০॥
পত্রাহারৈরশ্মকুট্টৈর্দন্তোলূখলিকৈস্তথা।
অব্ভক্ষৈর্ব্বায়ুভক্ষৈশ্চ তৈরয়ং নরকো জিতঃ ॥১১॥
যশ্চেমাং বসুধাং কৃৎস্নাং প্রশাসেদখিলাং নৃপঃ। তুল্যাশ্মকাঞ্চনো যশ্চ স কৃতার্থো ন পার্থিবঃ ॥১২॥
সঙ্কল্পেষু নিরারম্ভো নিরাশো নির্ম্মমো ভব। অশোকং স্থানমাতিষ্ঠ ইহ চামুত্র চাব্যয়ম্ ॥১৩॥
নিরামিষা ন শোচন্তি শোচন্তি ত্বামিষৈষিণঃ। পরিত্যজ্যামিষং সর্ব্বং মৃষাবাদাৎ প্রমোক্ষ্যসে ॥১৪॥

ভীম। নৈপাক সিংহাসন কংবা নৈপাক ভাকপা অদুগা ধর্ম্ম-অধর্ম্ম পুম্নমক অসি নঙোন্দা লৈরি। নৈহিবশিংসে হুন্না লোংজুহনি। মাসিন্না থাংবন্নবা নশা তন্নাং তন্নাংনা অমা হাপ্না লৈতনা সন্ন্যাসগী লম্বিদা চৎলো ॥৮॥ শ্লোক। ভীম। কৈনা মাগী মথুক অমতদগী দমক হিংসা কয়া কয়া তৌরি। অদুগা মন অদুদা লৈরিবা পিক্ক পিক্কবা শেংলবা শা কয়া কয়াসু মাগী মথা পোন্দুনা মানা মানা লৌকপা অমং অকাবা থক থকদং চঞ্জনা মথাই হিংজনা মহুম ২রৈ ॥৯॥ সাধু মহাত্মাশিংনা সংসারগী হেত্তবু মুম্না নৈনরগা বিষয় বাসনা পুম্ন থাদোক্তনা সন্ন্যাসগী লম্বিদা চৎনিংহিঙ। তাইবং জীবগী লেনবা হায়বসিং নিংথৌ ওইবনা, সম্পত্তি য়াম্ন লোইবগনা ওইদে; য়াবিমবমথৈ থাদোক্লবগদা অপেনবা ওইগনি হায়বসি সন্ন্যাসিশিংতনা খঙজনা লেপ্লবা ঙম্মি। অদুদা নিংথৌ ওইনিংবগা সন্ন্যাসি ওইনিংবগা অনি অসিগী বুদ্ধিদা খেন্নবিবসি অমুক শ্লোক ॥১০॥ সন্ন্যাসিশিংনা উরি মাহিগী মনা চাডুনা, দুংথক্ত দুং মচেৎ অমনা তুগাই তবথাইতুনা কৌ মন্নুংদগী চেঙ লৌথোক্তনা, মসানা থৌহাম্ রাইক্লশিং অতুনা চিকথৎ কাম-থেক্তনা, ঈশিংত হক্তনা নত্রগা অশেংব দুংশিংথেবু মচিঙ্গাক ওইনা চাডুনা হোক্লিন্দুনা নরকপু জয় তৌদুনা মর্ত্যলোক অসিমক্তদা লাইরেমাকি ফুংগাইবা কংথি ॥১১॥ শ্লোক তিংথং লৈত্রবা পৃথিবি শাসন তৌরিব নিংথৌদগা সনাগা নুংগা চপ মান্নবা উবিবা' সমদর্শী ওইবা মহাত্মাগা অনিসিগী মরুংদা সমদর্শী ওইরিবত্ত লোকপগী মহৈ য়াম্নবনি অতুগা নিংথৌ ওইরে হায়বতকগী হেক্না লোকপগী মহৈদি নাপ্তি ॥১২॥ চাক পামাশিংনবু; বিষয়দা লেপ্পুদবা; কারণম্ব অমদা লেংনদা আশা লেপ্পুদবা অদুগা এগীনি হায়বা অখানবা য়াথংশিংবু থাদোকপা ওইবা মিশক অক ওইযু। অদুমথক ইহলোক পরলোক অনিমক্তা অমাঙ অতা লৈতবা, অরাবগী শকক অমিমক্ত লৈপ্পবা থাম অক থাদনবা তোংদৌ ॥১৩॥ শ্লোক্তম বিষয় হকচিয়া পাম্পুদবা অশিংবতনা

পন্থানৌ পিতৃযানশ্চ দেবযানশ্চ বিশ্রুতৌ। ঈজানাঃ পিতৃযানেন দেবযানেন মোক্ষিণঃ ॥১৪॥
তপসা ব্রহ্মচর্য্যেণ স্বাধ্যায়েন মহর্ষয়ঃ। বিমুচ্য দেহান্ বৈ যান্তি মৃত্যোরবিষয়ং গতাঃ ॥১৫॥
আমিষং বন্ধনং লোকে কর্ম্মেহোক্তং তথামিষম্। তাভ্যাং বিমুক্তঃ পাপাভ্যাং পদমাপ্নোতি তৎপরম্ ॥১৭॥
অপি গাথাং পুরা গীতাং জনকেন বদন্ত্যুত। নির্দ্বন্দ্বেন বিমুক্তেন মোক্ষং সমনুপশ্যতা ॥১৮॥
অনন্তং বত মে বিত্তং যস্য মে নাস্তি কিঞ্চন। মিথিলায়াং প্রদীপ্তায়াং ন মে কিঞ্চিৎ প্রদহ্যতে ॥১৯॥
প্রজ্ঞাপ্রাসাদমারুহ্য অশোচ্যান্ শোচতো জনান্। জগতীস্থানিবাদ্রিস্থো মন্দবুদ্ধীনবেক্ষতে ॥২০॥
দৃশ্যং পশ্যতি যঃ পশ্যন্ স চক্ষুষ্মান্ স বুদ্ধিমান্। অজ্ঞাতানাঞ্চ বিজ্ঞানাৎ সংবোধাদ্বুদ্ধিরুচ্যতে ॥২১॥

সংসারদা য়াবিবে। সংসারদা য়াবিবসে বিষয়শী উপভোগকী লানগাদা কাহেম্না লুম্‌থবশিং অহুত্তমনি। মরম অহুন্না ভোধ! বিষয়দা আসক্তি থগ্‌দনা থিদ্যা ওইবা য়াথপ অবদি যাওভ অহুদগী লাম্বোক্নবা তৌ ॥১৪॥ হকচাং থাদোক্‌না চৎপ্রবা জিবগী পিতৃযান দেবযান হায়বা মার্গ অনি লৈবনি। ধনসম্পত্তিগীদমক যাগযজ্ঞ য়াম্না তৌবা মিশিং অহুদি শিবনা পিতৃযান হায়বা মার্গ [লম্বী] অহুদা চৎখিবনি। বিষয়দগী লাম্বোক্‌খিবা জীবনা দেবযান কৌবা মার্গদা চৎখিবনি ॥১৫॥ মহর্ষিশিংনা হকচাং অমি থাদোক্লগা তপস্যা ব্রহ্মচার্য্য বেদপাঠনচিংবা তৌখিবহুগী মহৈনা সিধা ব্রহ্মলোক ভায়া চৎখিবনি ॥১৬॥ জ্ঞানিশিংনা জীবগী আমিষভোজন (শা ভানচিংবা চীক্লাক) হায়বসি মথল অনিনি হায়রৈ। অনিসিগী মনুংদা অমনা বিষয়া[illegible] শক্তি [সংসারগী বিষয়দা য়াম্না কাহেম্না লুপপা] অহুপা অমনা তৌরবনু য়াবা কবিমত্ত মাওবা কায়বা লৈত্তবা, চুমগী অপাম্বা মিহোবদগী তৌবা অহুত্থা কাম্য কর্ম্ম হায়বা অবা, পাপ পোক্লনিত্তায় ওইরবা আমিষ ভোজন [শা ভান্নী চীক্লাক] মথল অনিসিবু থাদোক্লগা সাধু মহাত্মাশিংনা অথোইবা থুক্তমু কংবা ওবৈন ॥১৭॥ কায়নবা তিম্নবা মাওবা ভোংবা থিনচিংবা অনিথোকপা য়াথম্মী পোকপা অয়াবা অহুবু থাওবা ওপা হিংন হিংবা থানবা থুক্তব কংগ্রবা পোকপ শিবগী লাংদগী লাম্বোক্লবা জথিবু মথেক লানা উবা জনক হায়বা নিংথৌবা থক্লবা লৈরম্লে তৌজিক থাওবা মরামা শক্লবি ॥১৮॥

" কমিচু লৈজনবা ঐগী অমি, অপীং লাক্‌ওমদনা লৈ।
থৈমা চাকথবদু মিথিলা নগরী, ঐগীদি অমত চাকদা লৈ। " ॥১৯॥

চীওথকা লৈবা মীনা আ-মথাদা লৈবশিংবু উবা অহুওমদি চুম্না দলাদ থথক্লা য়াং ক্লাউরবা সম্পত্তিগী থথক্লা লৈবা শত্তমবা মীনা য়াদি মমাজা লৈবা য়াথবা মীশিংবু উবা থমবে ॥২০॥ কুপৈনচিংবা কমিত্তবা অমা য়েংবা চত্ত্বা মীহুনা থাদৈ শেংনা য়েংবদা থবীকচাবা, তোক্লকবনু ওইবা অহুত্তবু য়েংবা উবা ওমবা মহাক্ অহুত্তবু মথাং উরা (মথাং ভাক্‌দবা) বুদ্ধিমান

যস্তু বাচং বিজানাতি বহুমানমিয়াৎ স বৈ । ব্রহ্মভাবপ্রপন্নানাং বৈদ্যানাং ভাবিতাত্মনাম্ ॥২২॥
যদা ভূতপৃথগ্‌ভাবমেকস্থমনুপশ্যতি । তত এব চ বিস্তারং ব্রহ্ম সম্পদ্যতে তদা ॥২৩॥
তে জনাস্তাং গতিং যান্তি নাবিদ্বাংসোঽল্পচেতসঃ । নাবুদ্ধয়ো নাতপসঃ সর্ব্বং বুদ্ধৌ প্রতিষ্ঠিতম্ ॥২৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে যুধিষ্ঠিরবাক্যে সপ্তদশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(:.:)—

(অশিংবা) ওইবা মী কোই । উবা কংনদবা তাঙলবা পোৎপু উননবা মিৎকম্ ওইবতগী অহুঙবা মিৎয়েং অহুতবু দৃষ্টি কৌনবনি । খঙনউনব্রিবা পোৎপু খঙবা ওস্বদগী জ্ঞান অমদি বুদ্ধি কৌনখিবসিনি ॥২১॥ লোইনা খঙলবা, পুকচেল শেংলবা, ব্রহ্ম তত্ত্ব[মুয়া খঙদবা অহুঙবা মহ‍্ত্মাশিংগী বাঙাঙ অমদি পীবিবা পাউতাক অহুগী অর্থবু মপুং মপান কাওনা লোইন উরখঙলবা মী অহুতমা সমাজদা বুদ্ধিমান অহুগা জ্ঞানী অমা ওইশিন্না ময়ামগী মকমদগী মতৌক চাবা সম্মান কংনরি ॥২২॥ বিশ্বজগৎ অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অচচ্চত পোৎ পুম্নমক্ অসি ব্রহ্ম অমতগী মপুংদা লৈখিবনি হায়না উরবা অহুঙবা মঙ [মীৎয়েং-দৃষ্টি] অহুতনা পোৎ খুদিংমক্তা ব্রহ্মত্ব সিদ্ধ তৌখিহ্ননা পাক্‌চাউরবা ব্রহ্মতত্ত্বহ অউবা মীশক (স্রষ্টা) অহুদা পী ॥২৩॥ অহুমা উবা ওয়বা স্রষ্টা অহুতনা ব্রহ্মত্ববু কংবতন্মি । অসিবু মুয়া খঙদবা, মবুদ্ধিখেনবা, তপস্বী নত্তবা অচম্বা মীশিং অহুনদি ব্রহ্মবু কংবা ওয়দে । মরমদি পাকচাউরবা জগৎ মপুম অসি বুদ্ধি অমতগী মথক্তা নন্দনা লৈখিবনি ॥২৪॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা "চার্ব্বাকনিগ্রহ"গী মপুংদা যুধিষ্ঠিরবাক্যগী তরাতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ।

———

শ্রীমহাভারতম্

(যুধিষ্ঠিরগী রাজ্যাবদা অর্জ্জুননা ডাওবা)

অষ্টাদশোঽধ্যায়ঃ

তরানিপালগুবা অধ্যায় ।

— —:(:°:):— —

বৈশম্পায়ন উবাচ

তুষ্ণীম্ভূতন্তু রাজানং পুনরেবার্জ্জুনোঽব্রবীৎ । সন্তপ্তঃ শোকদুঃখাভ্যাং রাজবাক্‌শল্যপীড়িতঃ ।১।

অর্জ্জুন উবাচ ।

কথয়ন্তি পুরাবৃত্তমিতিহাসমিমং জনাঃ । বিদেহরাজ্ঞঃ সংবাদং ভার্য্যয়া সহ ভারত ! ।২।

উৎসৃজ্য রাজ্যং ভিক্ষার্থং কৃতবুদ্ধিং নরেশ্বরম্ । বিদেহরাজমহিষী দুঃখিতা প্রত্যভাষত ।৩।

ধনান্যপত্যং মিত্রাণি বিবিধানি চ । পন্থানং হিত্বা জনকো মৌঢ্যমাস্থিতঃ ।।৪।।

তং দদর্শ প্রিয়া ভার্য্যা ভৈক্ষ্যবৃত্তিমকিঞ্চনম্ । ধানামুষ্টিমুপাসীনং নিরীহং গতমৎসরম্ ।।৫।।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— ডাও, মহারাজ জনমেজয় ! যুধিষ্ঠিরনা মতৌ অসুম্না রাহৈশিং থরুসি হায়রগা তুমিন্না লৈরুরদা, রাবা তুংডাইডবনা খম্মোয় পুবা রাজ্যবা, অদুগা যুধিষ্ঠিরগী ডাখোলগী মতৌ গুম্না রাহৈশিং অদুনা খম্মোয়দা থম্না যুথবা অর্জ্জুননা অসুম্না অমুক হায়রকই:— ॥১॥ ভরতনন্দন ! রাজন্, মহারাজ ! বিদেহ্‌রাংথৌ জনকক মাগী মহারানীগা ডাওনাথবা রাজম অমা লৌমিক কাউবা মীপুমক্না রাখি ওইনা লিনরি তানরি ॥২॥ কনিগুম্বা মতম অমদা বিদেহগী নিংথৌ জনকনা লৈপাক ডাবপা থাদোক্লুনা সন্ন্যাসী ওইদুনা ভিক্ষা নিদুনা চৎপগে হায়না মপুক্তৈদা চপ যুংনা মীথুকপা মতমদা মাগী মহারাণীনা মাম্না রাখিদুনা অসুম্না হায়রকই ॥৩॥ মতম অসিদা জনক নিংথৌ অসিদি মচা মগু মরল মথুম, মরুপ মপাং শাগৈ নাইত্তে, শোকবা গুঁদুংহন্দ্রবা অসি পুম্নমক থাদোক্লুনা তুকক তুকাই চল্লুনা ঈগুম গুম্বাংখিবগুম কনদুনা লৈ ।৪॥ মতম অসিদা জনক নিংথৌগী লোয়্নবি মহারানী অদুনা কনি অমুক উখিবগে হায়রবু জনক নিংথৌ অসি ভিক্ষা নিদুনা পুম্নশি লেনগে হায়না খল্লে, সনা লুপা মরিক অমত শাগেক্‌তরোইদৌরি । মমখোং খুদিংদা চেঙ মুঠী অমমমদং নি নিদুনা মাদুনা জীবিকা ওইহনগে হায়না খল্লে । লৈপাকডাকপা নিংথৌ ওইবগী রাথব কনিমত

তমুবাচ সমাগম্য ভর্ত্তারমকুতোভয়ম্ । ক্রুদ্ধা মনস্বিনী ভার্য্যা বিবিক্তে হেতুমদ্বচঃ ॥৬॥

কথমুৎসৃজ্য রাজ্যং স্বং ধনধান্যসমন্বিতম্ । কাপালীং বৃত্তিমাস্থায় ধানামুষ্টিমুপাসসে ॥৭॥

প্রতিজ্ঞা তেঽন্যথা রাজন্ ! বিচেষ্টা চান্যথা তব । যদ্রাজ্যং মহদুৎসৃজ্য স্বল্পে তুষ্যসি পার্থিব ॥৮॥

নৈতেনাতিথয়ো রাজন্ ! দেবর্ষিপিতরস্তথা । শক্যমদ্য ত্বয়া ভর্ত্তুং মোঘস্তেঽয়ং পরিশ্রমঃ ॥৯॥

দেবতাতিথিভিশ্চৈব পিতৃভিশ্চৈব পার্থিব ! । সর্ব্বৈরেবৈতৈঃ পরিত্যক্তঃ পরিব্রজসি নিষ্ক্রিয়ঃ ॥১০॥

যস্ত্বং ত্রৈবিদ্যবৃদ্ধানাং ব্রাহ্মণানাং সহস্রশঃ । ভর্ত্তা ভূত্বা চ লোকস্য সোঽদ্য ভৈক্ষ্যমিহেচ্ছসি ॥১১॥

শ্রিয়ং হিত্বা প্রদীপ্তাং ত্বং শ্ববৎ সংপ্রতিবীক্ষসে ।
অপুত্রা জননী তেঽদ্য কৌশল্যা চাপতিস্তথা ॥১২॥

ভোগিয়াছে। বেত্রবতিনী যথেষ্টা করিয়াও দুঃখোচিতবা পাইয়া ভোগিয়াছে ॥৫॥ মহর্ষি অসিতা পুত্রচেল চাউরবী, যোগিদোকস্ত শাউরবী মহাত্মাদীরা অচৌক্ষপদা মণুদ্যোরবা সিংহৌত্রী যকমদা মায়া যুক্তি যুক্ত [illegible] কহিয়াছিলেন ॥৬॥ মহারাজ! মহারাজেনা কহিয়াছিলেন তুমি [illegible] কৌচেতনচিংবা সম্পাতিনা ধনধা রাজ্য অসির্যু থাদোক্ষ [illegible] ম্লেচ্ছ মঠী [illegible] যুম যোঃ মুষ্টিধানা ভিক্ষা নিয়া যাচনা পূরণি লোকে [illegible] ॥৭॥ নৈপাক রাজা পূরণী মণ্ড। যবক তব [illegible] রাজ্য মহাতেজা [illegible] অমা, চৌজিক অমুক ভোবিমদ্রিমসিনা অমা। পাকচাউরবা রাজ্য অমনি সম্পত্তির থাদোয়না [illegible] পেমনা দুঃখাইমোকবগে রাজ্য [illegible] ॥৮॥ মহারাজ! তিনি মিত্রা [illegible] কংবনঅম্ নৈবেদ্যকপিঞ্জলি [illegible] মতোঙমা পিতৃমাতৃতর্পন, ঋষিতর্পন, দেবতর্পন অদ্যগা অতিথি সেবাদিনিবা অমক মীমিদিনা পাঙবোধপা ভবিষ্যবোধ। অত্যন্ত সন্ন্যাসী [illegible] ভিক্ষাবৃত্তিনা জীবন ধেয়া হোবদ্ধমক অবিদ্য [illegible] অমত্তরমদি ॥৯॥ আঃ! মহারাজ! ভোবিমদ্রিবজি কবি রাজকীয়েনা? দেবতাদিগকে, পিতৃলোকদিগকে, অতিথিদিগকে অদ্যগা মকপ মদায় [illegible] পুত্রগণ [illegible] মীমাক অমা তর্পনা কহি অমত ভৌদনা সন্ন্যাস ধর্ম্ম পুত্রীং তুলপাগে অনুবিধি ॥১০॥ মহারাজনা বিদ্যা যথন অদ্যমতনা হৈবিরগা অদ্যগা [illegible] ব্রাহ্মণ তিনিঃ জিনিত্ব লোকদি থাকদিবশগা, ভোজিন্তা অমুক মথোর খুদিংকী নিয়া, যাদ্বনা [illegible] তিনিনা, মথোয়দী অমুক মভেং লোগে থনবিবিবা অসিদ্ধ ভক্তিতায় [illegible] লোগক অমত ঐভোম্বা নৈঞে ॥১১॥ সংসবী রাজলক্ষ্মীর কাওযোকপিবগা, মীনা থাকপিরগা চাবা [illegible] মতৌঙ্মা মীনা শিবিরকপা ভাইহুনা চমাম চদংনা। মীমী মায়থোমা

আশ্রিতা ধর্ম্মকামানাং অক্রিয়াঃ পর্য্যুপাসতে।
অন্নাপানবিকাঙ্ক্ষন্তঃ কৃপণাঃ ফলহেতুকাঃ ॥১৩॥
তাংশ্চ ত্বং বিফলান্ মুর্খান্ কং তু লোকং গমিষ্যসি।
রাজন্! সংশয়িতে মোক্ষে পরতন্ত্রেষু দেহিষু ॥১৪॥
নৈব তেঽস্তি পরো লোকো নাপরঃ পাপকর্ম্মণঃ।
ধর্ম্ম্যান্ দারান্ পরিত্যজ্য যস্ত্বমিচ্ছসি জীবিতুম্ ॥১৫॥
স্রজো গন্ধানলঙ্কারান্ বাসাংসি বিবিধানি চ।
কিমর্থমভিসন্ত্যজ্য পরিব্রজসি নিষ্ক্রিয়ঃ ॥১৬॥
নিপানং সর্ব্বভূতানাং ভূত্বা ত্বং পাবনং মহৎ।
আঢ্যো বনস্পতিভূ'ত্বা সোঽন্যাংস্ত্বং পর্য্যুপাসসে ॥১৭॥
খাদন্তি হস্তিনং ন্যাসৈঃ ক্রব্যাদা বহবোঽপ্যুত।
বহবঃ কৃময়শ্চৈব কিং পুনস্ত্বামনর্থকম্ ॥১৮॥

ঈকায়বা নৈতনা ভিন কুৎ কুৎ মোত্‌না য়েংথত্‌না কুপা তাইহনা নৈবা! মহারাজনা সন্ন্যাসী ওইহনা লেঙথবদি মহারাজবু পোকপী অহল ওইরবী অসিবু মচা মত নৈজরবা, কনা হন্না য়েংবদা উজরবা অমতম তাহন্দুনা পুনশি লেপহনসকোরি। কোশলদেশকী নিংথৌগী মচানুপী ওইবী ঐ নুপ্রাবীগী মতৌঙমা পুনশি লেনবা তারবা! আঃ! ওত্তোকপনি। ॥১২॥ মহারাজগী অদুক য়াম্বা খৌগল লাজল ননাইশিং পুরপকসিনা মহারাজবী খরাই য়াওবা সেবা তৌজরিবসে মথোয়গী নুপী অতাং থাক্লবা থা থাগী থয় থয়দং কংজপনি হায়বগী আশাদমনি ॥১৩॥ নিংথৌ! জীবপানবা পুরমক অসে যাগী মাগী মহাল মপোকো তৌবকপা কর্ম্ম অদুগী মখা পোন্না নৈজরিবা তারি। মুক্তি [অরানবা খুত্তম] হায়বসিমু নহালমুকো কর্ম্মগী মতুং ইন্না অদুম মরৈরিবনি। মহালমুকো কর্ম্ম অদুগী অনুকুল ওইরবদি কন হোৎনববমু অরানবা খুত্তম হায়বস্থ হেক কংবা য়াবা পোৎ নত্তে। অসিগুম্বা অবস্থা খবদি নিয়ম অসিবু খুগাইহনা মহারাজনা করম্বা লম্বী অমদা লেঙখিগে থমবিরিবনো হায়বিরু ॥১৪॥ মহারাজনা মহারাজগী সহধর্ম্মিনী ওইবীবু থাদোক্লগা নথত্তগী জীবিকাগী লম্বী অমা য়েংগেনিংখিরি। অদু ওইরবদি মহারাজদি মহাপাপ কর্ম্ম অমা ওইরগনি। অদুনা মহারাজগীদি ইহলোক পরলোক অনিমক মুকটেন নৈজরে ॥১৫॥ মহারাজ! নিংথৌগী মথৌ; রাজবেশ ফিজেৎ পুম্বা থাদোক্লা সন্ন্যাসী ওইহনগে হায়না খনবিরি। ॥১৬॥ মহারাজদি মতম অদুগী কুইনা অসনত্তখিবিকো পুখ্রী অমা শেংলবা নুংবা চত্তনকম পুখ্রী অমা ওইহনা নৈবিরক্লগা অতোপ্পা য়াথল অমনা পুবা লবীদা লেঙবিখিগদৌরি ॥১৭॥ বাং চাউবা কল্লবা শামু কাওবা কবিত্তবা অমত তৌদনা লেঙ

য ইমাং স্ফীতিকাং ভিক্ষাং ত্রিবিষ্টক যো হরেৎ ।
ধানস্থাণি হরেত্তস্মিন্ কথং তে মানসং ভবেৎ ॥১৯॥
যথায়ং সর্ব্বমুৎসৃজ্য ধানামুষ্টৈরবগ্রহঃ ।
যদানেন সমং সর্ব্বং কিমিদং ত্বমসীদসে ॥২০॥
ধানামুষ্টেরিহার্থশ্চেৎ প্রতিজ্ঞা তে বিনশ্যতি ।
কা বাহং তব কো মে ত্বং কশ্চ তে ময্যনুগ্রহঃ ॥২১॥
প্রশাধি পৃথিবীং রাজন্ ! যদি তেঽনুগ্রহো ভবেৎ ।

তৎপা তৌদনা তুমিন্না তাগ্রনা মরৈরবদি শাহিং চাবা পীক্ল পীক্লবা জীব কয়ানা পীক্লবা তীল কয়ানা মাগী মশা অহুবু চীকখত্না চায় । মহারাজন্থ অহুওহা শামু অসিওন্না তুমিন্না কম্নিম্ ঈতৌ তৌদনা লৈথোক্পিয়বদি পীক্ল পীক্লবা অত্তশিংনা মহারাজবু চীকথত্না মচেৎ মচেৎ ছেত্না চাথোকখিয়োইন্না হায়বসিদা কম্নি অমমুক মেৎননীঙ্ডায় লৈ । * ॥১৮॥ সন্ন্যাস আশ্রমদা লৈয়বন্থ দণ্ডকমণ্ডলু, ঝ্লী, কঠাকী, কৌপীন য়েম্পাক্লচিংববুদি লোশিনগদৌরি— থাদোকলোইদৌরি । সন্ন্যাসী ওইরগা লোইনা থাদোক্লগনি হায়বসি কয়া ওইগদৌরিবনো ॥১৯॥ পুম্নমক্কি থাদোকপিরগা চেঙ চরাই মুঠী অমবুদি কোয়খিখিবা চৎপিগদৌরি অসিনা কমদৌবা ? অদুগা লৈরিবা রাজ্য সম্পত্তিশিং অসিবুদি মহারাজনা চেঙ খুম্না অমওবনি কম্নিম্ লৈত্তবনি হায়না থনবিরবদি হায়খিরিবা চেঙ খুম্না অসিদা অমুম পেন্দুনা নিংথৌ ওইনা লৈবদা কম্নি কায় ? রাজদণ্ড অসিবু সন্ন্যাসীগী দণ্ড (চৈঙ) খুনি হায়না থনদোক্পবা ওম্বিজগা কয়া সন্ন্যাসী ওইগে থনখিরিবা ? ॥২০॥

“হৌজিকী মতম্দদি কবোক্ খুম্না-চেঙ্খুম্না অমত্তনি ঐনা পাম্নিবা” অমুম্না হায়বিরবদি মহারাজনা তৌখিবিবা প্রতিজ্ঞা অমদি সংকল্প অদো কায়রে অমৈদদা মাঙলে । (ময়মদি বিবাহগী মুখিৎতা ঈপানা ঐবু মহারাজদা দান তৌবা মতম্দা— ঐগী খুদাং মহারাজনা পাম্নিদুনা ঐনা নংগী নপুম্নোয়বনি, নংনা ঐগী পুন্সিগী লোম্নবীনি, পুন্সিচুম্না নংবু য়োক্নি, অম্নাবদগা কমগনি অমুম্না রাশকৃপিখিবদো অমৈম্না ওইরে) ময়মদি—মহারাজনা সন্ন্যাসী ওইরবদি ঐ অসি মহারাজগী করিমত্ত থোক্রে ; মহারাজন্থ ঐগী করিমত্ত থোক্রে । অহনদি মহারাজনা

---

* টীকাঃ— লম্থোইরবনি, সন্ন্যাসী ওইরবনি, পূম্নমক্ থাদোক্না কনাগুম্না কম্নিওম্না অমদা হিংসা তৌরবনি হায়হনন্থ মহাকী শঙ্কু ঈবু চীকে চুপকে মথোয়গী অয়াম্না কোক্লগে হায়গুনা লাক্চরিবা কাও হুম্নিংশিং অহুবুদি তাম্হোকনি, হাৎকনি, মথোয়গী নীঙবা পুংহল্লোই । অদুনা লম্থোইবগে সন্ন্যাসী ওইরগা হিংসানচিংবা লোইনা থাদোক্লে হায়বদুদি থক য়ারোই— (চার্ব্বাক্কী মত) ।

প্রাসাদং শয়নং যানং বাসাংস্যাভরণানি চ ॥২২॥

শ্রিয়া বিহীনৈরধনৈস্ত্যক্তমিত্রৈরকিঞ্চনৈঃ।
সৌখিকৈঃ সংভৃতো যোঽর্থঃ স সংত্যজসি কিং নু তম্ ॥২৩॥

যোঽত্যন্তং প্রতিগৃহ্নীয়াদ্যশ্চ দদ্যাৎ সদৈব হি।
তয়োস্ত্বমন্তরং বিদ্ধি শ্রেয়াংস্তাভ্যাং ক উচ্যতে ॥২৪॥

সদৈব যাচমানেষু তথা দম্ভাবিবেষু চ। এতেষু দক্ষিণা দত্তা দাবাগ্নাবিব জুহ্বতম্ ॥২৫॥

জাতবেদা যথা রাজন্নাদগ্ধ্বৈবোপশাম্যতি। সদৈব যাচমানো হি তথা শাম্যতি নৈব দ্বিজঃ ॥২৬॥

সতাং বৈ দদতোঽন্নঞ্চ লোকেঽস্মিন্ প্রকৃতির্ধ্রুবা। ন চেদ্দাতা ভবেদ্দাতা কুতঃ স্যুর্মোক্ষকাঙ্ক্ষিণঃ ॥২৭॥

অন্নাদ্গৃহস্থা লোকেঽস্মিন্ ভিক্ষবস্তত এব চ। অন্নাৎ প্রাণঃ প্রভবতি অন্নদঃ প্রাণদো ভবেৎ ॥২৮॥

তাকুপিখিবা অদুগা তৌবিখিবা থৌজাল অদো হৌজিক্ কার ওইরে—খন্‌বিয়ু ॥২১॥ মহারাজ! মহারাজনা তৌবিখিবা রাশক্ অদুবু তাক্‌পিগে খন্‌বিরবা অদুগা ঐতোম্না তৌরিগিবা রাশক্ অদুম তাক্‌পিগে খন্‌বিরবা অদুগা ঐতোম্না তৌবিখিবা থৌজাল অদুনা লেঙ্‌হুবা অওইবা অচুব। ওইরবা অদু ওইরবাদ নৈপাক মসিগু শাসন তৌবিয়ু, ফুরা ফুমল, লাইক পুটেং শগোল শামু খব নিংথৌগী কীজোল্ আভরণ পূমমক অসি লংথোক্‌পিগদু—অমুক্ লৌথিন্‌বিয়ু ॥২২॥ অদুগী মথক্তা, "ঐ সন্ন্যাসী ওইরগা মুংতাইনি" অদুম হায়না খন্দুনা সনা লুপা মরূপ্ মপাং-নচিংবা থাদোক্লুনা কৌপীন অমতং থুকুত্ত মথক্ শেংহুনা অকে-অমো পুন্না থাদোক্নুই। অদুগা মহারাজনি হৌজিক্ কাওবা কৌপীননচিংবা শেংপি থোন্‌বিজিবা কারিনো? ॥২৩॥ জুমিৎ খুদিংগী লৈশিন্‌বা কৌশিন্‌বা মীদুগা, জুমিৎ খুদিংগী দান তৌবা পীথোক্পা মীদুগা অনীসিগী মরক্তা থেন্নরিবসি অমুক্ত খন্‌বিয়ু হেঁসি। মখোয় অনীসিগী মনুংদা, মী পূমমক্না কনানা হেন্না হায়নবগে? ॥২৪॥ মতম্ নৈবখিবিক্তা মীতোম্দ হায়জবা নিজবা অদুগা মায়া থোয়বা ভিক্ষাজীবীশিংদা ভিক্ষ হাপ্পবদি, মাহ মশৈং-মনুংদা কংশিনবা আহুতিগুম্না কয়িবত কায়খে ॥২৫॥ মহারাজ। চাক্‌নিংতাই মীং নৈয়িবমখৈ মৈখক্ মুত্তহল্লী মীতোম্না নিজবা হায়জবা ভিক্ষুকশিংনা মখোয়না নিক্কয়িবা গৃহস্থ অদুগী মরল্ মথম্ তুম্না লোথোকল্লিমখৈ পেনবা নৈতে, নিংবী লোইবা নৈতে। মতোম্দগী নিনিতাই করিমত নৈত্রবত্তদা নিবা তোক্ই ॥২৬॥ অদুনদি মতিংগী কারি তেপ্পবা হাবগে হায়মবু দাতাগী চেং-হরাই লম্‌ম পুম্বা সন্ন্যাসশিংগী ভরণ পোষণগী লমকনি হায়বসি মশানা তারে। দাতা ওইদৌরিবা গৃহস্থ নিংথৌ অদুনা দাতা কেক্ মওইজবা তাইবং মীনা অয়ানবা থুগম্ পাম্বা ভিক্ষাবী হায়বদি মোক্ষার্থী ভিক্ষু ওইগদৌরিবশি কদায়দগো? কয়িগী ওইগদৌরিবনো? ॥২৭॥ জগৎ অসিদা গৃহস্থ হায়বদি মমদা অম [চেংথৌ] নৈ হায়বগী

গৃহস্থেভ্যোঽপি নির্মুক্তা গৃহস্থানেব সংশ্রিতাঃ। প্রত্যক্ষ প্রতিষ্ঠায় দাতা বিন্দত আসতে ॥২৯॥
ত্যাগান্ন ভিক্ষুকং বিদ্যান্ন চ বাচনাৎ। ঋজুস্তু যোঽর্থং ত্যজতি তং সুখং বিদ্ধি ভিক্ষুকম্ ॥৩০॥
অসক্তঃ সক্তবদ্গচ্ছন্নিঃসঙ্গো মুক্তবন্ধনঃ। সমঃ শত্রৌ চ মিত্রে চ স বৈ মুক্তো মহীপতে। ॥৩১॥
পরিব্রজন্তি দানার্থং মুণ্ডাঃ কাষায়বাসসঃ। সিতা বহুবিধৈঃ পাশৈঃ সঞ্চিন্বন্তো বৃথামিষম্ । ৩২॥
ত্রয়ীঞ্চ নাম বার্ত্তাঞ্চ ত্যক্ত্বা পুত্রান্ ব্রজন্তি যে। ত্রিবিষ্টব্ধঞ্চ বাসশ্চ প্রতিগৃহ্ণন্ত্যবুদ্ধয়ঃ ।৩৩।
অনিষ্কষায়ে কাষায়মীহার্থমিতি বিদ্ধি তৎ। ধর্ম্মধ্বজানাং মুণ্ডানাং বৃত্ত্যর্থমিতি মে মতিঃ ।৩৪।

মমক্ তাইবং মীনা গৃহস্থ ওইনরিবনি। অদুগা গৃহস্থগী মুমদা নিনিত্তাই তৌনিত্তাই লৈ হায়বগী মমক্তু তাইবং মী কনাগুম্বা ভিক্ষুক সন্ন্যাসী ওইনরিবনি। অম লৈবক্তগী প্রাণ [থবাই] মু লৈরিবনি। অদুনা অন্নদান তৌনরিবসে চুমগী অন্নদান নত্তে, প্রাণদাননি। ভিক্ষাগীনা নিরিবদুমু অন্ন নত্তে, প্রাণনি; অদুগুম্বা প্রাণদান তৌগদৌরিবা নিংথৌ দাতাশিংদুমক্না সন্ন্যাসী ওইপ্রবদি জগৎ অসি মীকুপ্তা তুমগদৌরিবনি ॥২৮॥ ইন্দ্রিয় খুদুম্ চনবা ভিক্ষারী সন্ন্যাসীশিংনা গৃহস্থাশ্রমগী খোকক্তুবা অদুগা গৃহস্থীশিংদা আশ্রয় তৌদুনা যোগ সাধনা সমাজদা ইকায়খুম্নবা গৌরব সম্মাননচিংবা ফংনরিবনি ॥২৯॥ চুমগী ত্যাগ [থাদোকপা,] বনবাস, অমদি ভিক্ষানিবতম্না ভিক্ষু সন্ন্যাসী ওইপনি হায়বসি থনবিরোইদৌবনি। পূক্চেল ভিংনা, ইচম্ চম্না, কন্নিগুম্বা অমগী রাথল্ তৌদনা ধনজন থাদোকখিবা মহাক্ অদুতনা মুক্তিগী লম্বীদা খোঙদাবক্নবা ভিক্ষুকনি হায়বসি থগুবিদু ॥৩০ ॥মহারাজ। য়াম্মুং নিংথৌ। সংসারগী বিষয়দা আসক্তি থম্মুক্তবদু মপাম্না আসক্ত ওইবগুম্না হায়বনি পাম্মুক্তবদু থাদোকতুবদু মপালদদি পাবগুম্না-থাদোকতবগুম্না সংসারদা চৎলি লৈরিবা, মাগীনি হায়বা কন্নিমত্ত থমদনা মরূপ-য়েম্নবদা মীৎয়েং অবত্তনা চপ্ মান্না উরিবা য়েংলিবা মহাক্ অদুতনা থাদৈ শেংবা মুক্তিগী লম্বীদা খোঙদাবিবা সন্ন্যাসী হায়বদু ওইরিবনি ॥৩১॥ ধর্ম্ম লৈবসি-সন্ন্যাসীনি হায়দুনা মম্নাম্না উননবা মকোক কিয়াল থেৎলিবা, মক্ত কোক্খোক্লিবা নত্রগা জটাপুরিবা, গেরুয়া ফিজোল্ শেৎলিবা, অদুগা, ঐগী হায়বা রাথলদুগী লাংদগীদি লাখোকক্তিবা, মিথ্যা তৌদুনা মীতোম্বা নিংথিনা মাগীনি হায়দুনা পৈথৎলিবা, মখোয় অদুনা গৃহস্থশিংবু দান তৌহনগদবগী সন্ন্যাসী শাই ॥৩২॥ বেদবিদ্যাবু, অর্থনিতি বিত্তাবু অদুগা মচা মশুশিংবু থাদোক্তনা মপাম্না ত্রিদণ্ডি ওইদুনা চোকথত্তবা কি, নাপুমচুগী ফিজোল্ সেৎকদুনা কনা কনাগুম্না সন্ন্যাসি সাই। মখোয়দুগী মশাদ অপাম্বা মিহৌবনচিংবদি লৈরিবনিনা মখোয়দু মবুদ্ধি চোইরবনি, হায়না লৌবা য়াই ॥৩৩॥

---

* টিকাঃ—মসি, সনাতন ওইবা সন্ন্যাস ধর্ম্মবু থত্তনতৌবা, কর্ম্ম কণ্ডগী মতুং ইন্না দণ্ড পায়বা' কৌপিন শেৎপনচিংবাগী উপদেশ পিম্নবা আশ্রমগী নিয়মবু থগুপ তৌবা চার্ব্বাককি মতমি। চার্ব্বাককি মত অসিবু মহাভারতগী শান্তিপর্ব্বগী মন্দুংদা চার্ব্বাককিপ্রাহ হায়বা মতাংদা অমুক মথং মথং কবখৎলি।

কাষায়ৈরজিনৈশ্চীরৈর্নগ্নান্ মুণ্ডান্ জটাধরান্। বিভ্রৎ সাধুর্মহারাজ জয় লোকান্ জিতেন্দ্রিয়ঃ ॥৩৫॥
অগ্ন্যাধেয়ানি গুর্ব্বর্থাং ক্রতূনপি সুদক্ষিণান্। দদাত্যহরহঃ পূর্ব্বং কো নু ধর্ম্মতরস্ততঃ ॥৩৬॥

অর্জ্জুন উবাচ।

তত্ত্বজ্ঞো জনকো রাজা লোকেহস্মিন্নিতি গীয়তে। সোঽপ্যাসীন্মোহসম্পন্নো মা মোহবশমন্বগাঃ ॥৩৭॥
এবং ধর্ম্মমনুক্রান্তাঃ সদা দানতপঃপরাঃ। আনৃশংস্যগুণোপেতাঃ কামক্রোধবিবর্জ্জিতাঃ ॥৩৮॥
প্রজানাং পালনে যুক্তা দমমুত্তমমাস্থিতাঃ। ইষ্টান্ লোকানবাপ্স্যামো গুরুবৃদ্ধোপসেবিনঃ ॥৩৯॥
(যুগ্মকম্)
দেবতাতিথিভূতানাং নির্ব্বপন্তো যথাবিধি। স্থানমিষ্টমবাপ্স্যামো ব্রহ্মণ্যাঃ সত্যবাদিনঃ ॥৪০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাককনিগ্রহে অর্জ্জুনবাক্যে অষ্টাদশোঽধ্যায়ঃ ।০।

— —(*)— —

মহারাজ! মশাদা রাগদ্বেষ, কামক্রোধ নাচিংবদি দৈনা দৈনা মরু কোক্লিবা, পেরুবা শেংলিবা মহাক অদো মিংচৎনচিংবা করিগুম্বা অমদি কংনিংবগী আপা অমদি খল্লিবনি হায়বন্থ খণ্ডবিয়ু। ঐনা অহুম খণ্ডবদা সন্ন্যাসীনি উৎনিংবদগী করিগুম্বা খুদম অম পুহনা কোয়চৎ চৎলিবা পরিব্রাজক অহুঁ গহস্থশিংগী মকমদগী করিগুম্বা জীবিকাগী শরুক অমতবু কংননবগী দমজনি হায়নীজিক ॥৩৪॥ মহারাজ! অসিগী শরুকপুদি মহারাজদি ইন্দ্রিয় খুদম চন্থুনা, পেরুবা শেংলিবা মরু কোকলিবা, খালিকাঠায়ী য়াক্লিবা কৈমউন্ শক্ত মউন শাউগন্ ওক্লিবা কৌপিনশেংলিবা, মায়পেনা কিজেৎনরিবা, সাধু মহাত্মা শাগ্রিবশিং অহুগীহুম জিবিকা হনবিবা গৃহস্থহুম্ ওইবিয়ু ॥৩৫॥ নুমিৎ খুদিংগী অওম্বা দান খব খরুং তৌজরিবা, হোম খবখরদং তৌননবা অগ্নিকুণ্ড মচা অমমম্দং খমজরিবা, অহল লমন ওকুজনশিংগী মকমদা সেবাপবায়ন ওইরিবা অহুমন শিং অহুনা শিগ্রকাওবদা মখোয়গী তপ'মনচিংবা তৌরিবা, যজ্ঞদান খয় খরদং তৌরিবা মি মহাক অহুদগী হেন্না ধর্ম্ম খণ্ডবু কনা অমা দৈবগে? ॥৩৬॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ— মহারাজ! জগৎ অসিদা মিপুমমক্না জনকনিংথৌবু মহারাজর্ষি তত্ত্বজ্ঞানীনি হায়দৈ। অহুবু মহাক অহুম্ন গুমহৎপগী লাংদগীদি নাম্হোকপা এমখিদে। অহুনা মহারাজম্ন জনককুমদি মোহগী লাংদা থাবি-রুগনু ॥৩৭॥ হৌজিক্ হায়গ্রিবা গৃহস্থ মওই অন্নুম্না ঐখোয়মু ওইহনা গৃহস্থ ধর্ম্মগী হৌনবি মখুং ইয়া, দান, তপস্যা, যাগযজ্ঞনচিংবা তৌহনা কামক্রোধ থাদোকতুনা প্রজাশিংবু নিকাম কর্ম্মনা পেলহন্দুনা, ইন্দ্রিয় খুদম চন্থুনা, লাইগুরু অহলমনশিংগী পাউতাকু পুনশি চুপ্রপ_ত্তাহনা স্বর্গ কংননবা তৌসি। ॥৩৮—৩৯॥ অহুগা ঐখোয়না বেদবিধি ভাকতুনা, সত্যবাদী ওইহনা, বিধি কায়দনা দেবতাসিংগী, অতিথিশিংগী অহুগা অতৈ অত্তোপপ জীবশিংগী মকমদা ওমম ওখজবা দান তৌহনা পোলোইদা নীওথিবা খুভুম কংনবা তৌসি ॥৪০॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকশিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগীমচুংদা অর্জ্জুন বাক্যগী তরানিপাল ওবা অধ্যায় লোইরে।

মহাভারতম্

(অর্জ্জুনগী ভাবন তারদা যুধিষ্ঠিরনা ভাওবা)

ঊনবিংশোঽধ্যায়ঃ

তরামাপলগুবা অধ্যায়ঃ

—(*)—

যুধিষ্টীর উবাচ।

বেদাহং তাত ! শাস্ত্রাণি অপরাণি পরাণি চ। উভয়ং বেদবচনং কুরু কর্ম্ম ত্যজেতি চ ।১।
আকুলানি চ শাস্ত্রাণি হেতুমন্তি চিতানি চ। নিশ্চয়শ্চৈব যো মন্ত্রে বেদাহং তং যথাবিধি ।২।
ত্বন্তু কেবলশাস্ত্রজ্ঞো বীরব্রতসমন্বিতঃ। শাস্ত্রার্থং তত্ত্বতো গন্তুং ন সমর্থঃ কথঞ্চন ।৩।
শাস্ত্রার্থসূক্ষ্মদর্শী যো ধর্ম্মনিশ্চয়কোবিদঃ। তেনাপ্যেবং ন বাচ্যোঽহং যদি ধর্ম্মং প্রপশ্যসি ।৪।
ভ্রাতৃসৌহৃদমাস্থায় যদুক্তং বচনং ত্বয়া। ন্যায্যং যুক্তঞ্চ কৌন্তেয় ! প্রীতোঽহং তেন তেঽর্জ্জুন ।।৫।
যুদ্ধধর্ম্মেষু সর্ব্বেষু ক্রিয়াণাং নৈপুণ্যেষু চ। ন ত্বয়া সদৃশঃ কশ্চিত্ত্রিষু বিদ্যতে ।৬।

যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ— ইবুঙো। অর্জ্জুন ! ঐ অধ্যাত্মশাস্ত্র অমুগা অতোপ অতোপপা শাস্ত্রম মখক্তিও। অমুবু বেদবাক্য হায়বসি মখল অনিনি। কর্ম্ম তৌ হায়বসু বেদবাক্যনি, কর্ম্ম থাদোকউ হায়বসু বেদবাক্যনি ॥১॥ শাস্ত্রকারশিংগী মতশিং অসি অমগমগ য়াম্ম থেন্না নৈবনা অসিনি, হায়বা লেপনবা য়াদবা মওংদা নৈরে। অমুবু ঐদি যুক্তিগী পাম্বৈনা শাস্ত্রশিংগী তোঙান্ তোঙানবা মত অমদি সিদ্ধান্তদো মুম্না নৈমরে। মৈনরবা ফুংদা তাম্বিবা কল অমুসু মুম্না খঙলে ॥২॥ অর্জ্জুন। নংসু শাস্ত্র জ্ঞান অয়াম্বদি কংলে খঙলে। অমুবু, শাস্ত্রশিংগী কংঙ্ খিবা জ্ঞান অমবু নংদি অকনবা মীশক্ অমনিনা অকনবা লাম্মী অমগী নিয়মগী লম্বীদা পুশিল্লকনবগী হোৎনম্নি। অমুনা, শাস্ত্রগুয়মক্তা ভংজিম্নরগা ভাবা মীমাংসা অমুদি নংনা খঙবা ঙমদ্রে ॥৩॥ নংনা শাস্ত্রার্থগী তত্ত্ববু মুম্না খঙলম্বা, অমুগা বেদগী অর্থবু হায়বদি বেদদা হায়রিবা তত্ত্ববু মুম্না লেপনম্বা মীশক্ অমা ওইবনা, অমু ওইরবদি নংনা ঐঙোন্দা হায়খিবা ওসাইগী বাসিং অমু হায়রম্ লোইদৌবনি ॥৪॥ কুন্তীনন্দন। অর্জ্জুন। নংনা ঐঙোন্দা মরাম্বা অম ওইবগী মুংশিমুনা হায়খিবদো

ধর্ম্মং শুশ্রূষতঃ শ্রাব্যং অত্র শ্রুত্যন্তরং যথা । ধনঞ্জয় ! ন মে বুদ্ধিরভিশঙ্কিতুমর্হসি ।৭।
যুদ্ধশাস্ত্রবিদেব ত্বং ন বৃদ্ধাঃ সেবিতাঃ ক্বচিৎ । সমস্তবিস্তরবিদাং ন তেষাং বেৎসি নিশ্চয়ম্ ।৮।
তপস্ত্যাগো বিধিরিতি নিশ্চয়স্তাত ! ধীমতাম্ । পরং পরং জ্যায় এষামিতি নঃ শ্রেয়সী গতিঃ ।৯।
যত্ত্বেতন্মন্যসে পার্থ ! ন জ্যায়োঽস্তি ধনাদিতি । অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি যথা নৈতৎ প্রধানতঃ ।১০।
তপঃস্বাধ্যায়শীলা হি দৃশ্যন্তে ধার্ম্মিকা জনাঃ । ঋষয়স্তপসা যুক্তা যেষাং লোকাঃ সনাতনাঃ ।১১।
অজাতশ্মশ্রবো ধীরাস্তথান্যে বনবাসিনঃ । অনন্তা বহবশ্চৈব স্বাধ্যায়েন দিবং গতাঃ ।১২।
উত্তরেণ তু পন্থানমার্য্যা বিষয়নিগ্রহাৎ । অবুদ্ধিজং তমস্ত্যক্ত্বা লোকাংস্ত্যাগবতাং গতাঃ ।১৩।
দক্ষিণেন তু পন্থানং যং ভাস্বন্তং প্রপশ্যসে । এতে ক্রিয়াবতাং লোকা যে শ্মশানানি ভেজিরে ।১৪।

অদুগা য়াম্না যুক্তি যুক্ত ওইবা ভাক্ত কায়খিবদো অদুগীদি ঐ ওহোক্না পেমধো ।৫। লালগী ধর্ম্মগী হৌদ্ধহৌবদা, মায়ুগী মতুং ইন্না লালকমদাগী উৎপদা নহাকা মায়বা অতৈ অম নৈত্তে হায়বসি ঐ খন্তিত্ত অর্জ্জুন । ধর্ম্মগী ভত্ত্বদি য়াম্না কুপ্ন। নৈবনা পাক থত্তকম খোক্কবনি । অদুগুমা ভত্বগী লম্বাদা লালগী ভত্ত্ত মখত্তবা মংনা চত্তবদি খয়দুই । অদুগা যুধিষ্ঠির ঐদি খত্তলবমা হায়না নংনা চিংনবহুমদি লাক্নি ।৭। নহাক্তি যুদ্ধশাস্ত্রত মখন্তিত্ত, অতৈ অতৈ শাস্ত্রগী জ্ঞানগীদমক্তা জ্ঞানী ওইবা অহল লমনগী মনাক্তশু কন্দুক্নি । অদুনা ধর্ম্মগী মরমদি শম্না অদুগা শক্তোক্না খত্তলবা জ্ঞানী পণ্ডিতশিং অদুনা কম্নি লেপ্পগবা হায়বদুসু নংনা খত্তক্নি ।৮। ইবুঙো ! অর্জ্জুন ! তপস্যা, সন্ন্যাস, ব্রহ্মজ্ঞান অদুম্ অসিগী মনুংদা অকোন অকোনবনা হেনবনি । ঐখোয়না পুম্নিবা রাথল অসিসু অথোইবা অমনি ।৯। পৃথানন্দন ! অর্জ্জুন ! ধনদগী হায়বদি গৃহস্থাশ্রমদগী কন্নিগুম্বা অমত্তনা হেনবা নৈত্তে হায়না নংনা খল্লি ।১০। বিষয় অসিদা ধন অমদি গৃহস্থাশ্রমনা খ্বাইদগী অহেনবা অথোইবা নত্তে হায়বসি ঐ নক্তোন্না উৎকে ।১১। ধর্ম্ম চেনবা, ধর্ম্মদা পুক্নীং চত্তখশিংনা দুম্নিৎ চুম্না বেদপাঠ অদুগা তপস্যা তৌদুনা লৈবসি উই । ব্রহ্মলোক কংথবা হায়বদি ব্রহ্ম জ্ঞান কংথবা ঋষিশিং অদুসু তপস্যাদি অদুম মত্তোন্নি । ।১২। অর্জ্জুন ! কন্নকপা য়েংথিবা নৈত্নবা জ্ঞানীশিংনা, অদুনত্তবা বানপ্রস্থনচিংবা আশ্রমদা লৈরিবশিংনা অদুগা অয়াম্বা সন্ন্যাসীশিংনা বেদদা হায়রিবা মন্ত্রশিং অদু পাঠ অমদি জপ তৌবদগী স্বর্গ কানন্নি ।১৩। সাধু মহাত্মাশিংনা চৈ নৈ চন্দন চম্না দুপী সমা দুপা নচীবদু অদুগা অজ্ঞানদগী পোক্থিবা অন্ধকারকাবনচিংবদু থাদোকদুনা লাইগী নৈগী লোলাইদা তোংদুনা সন্ন্যাসীশিংনা কংগদবা ওইবা ব্রহ্মলোকতা চৎনন্নি ।১৩। পোকপাশিং নাইরনদোবা গৃহস্থাশিংনা দুম্নিৎ থুদিংগী থকুপ চাবগী থবকতা তৌদুনা মথৈখত্তদা দক্ষিণাপথদা হায়রি স্বর্গপুরদ;

ত্রিনির্দেশ্যা গতিঃ সা তু যাং প্রপশ্যন্তি মোক্ষিণঃ । তস্মাত্ত্যাগঃ প্রধানেষ্টঃ স তু দুঃখং প্রবেদিতুম্ ।১৫।
অনুষ্ঠ্য তু শাস্ত্রাণি কবয়ঃ সমবস্থিতাঃ । অপীহ স্যাদপীহ স্যাৎ সারাসারদিদৃক্ষয়া ।১৬।
বেদবাদানতিক্রম্য শাস্ত্রাণ্যারণ্যকানি চ । বিপাট্য কদলীস্তম্ভং সারং দদৃশিরে ন তে ।১৭।
অথৈকাগ্র্যাদানেন শরীরে পাঞ্চভৌতিকে । ইচ্ছাদ্বেষসমাযুক্তমাত্মানং প্রাহুরিঙ্গিতৈঃ ।১৮।
অগ্রাহ্যং চক্ষুষা সূক্ষ্মমনির্দেশ্যঞ্চ তদ্গিরা । কর্মহেতুপুরস্কারং ভূতেষু পরিবর্ত্ততে ।১৯।
কল্যাণগোচরং কৃত্বা মনস্তৃষ্ণাং নিগৃহ্য চ । কর্মসন্ততিমুৎসৃজ্য স্যান্নিরালম্বনঃ সুখী ।২০।
অস্মিন্নেবং সূক্ষ্মগম্যে মার্গে নিষেবিতে । অনর্থমনর্থাচরন্নর্জুন ! যং প্রশংসসি ।২১।

চংফি ॥১৪॥ জ্ঞানীশিংনা কে খঙ্গিবা ব্রহ্ম হায়বা পোশক্ অদুদি সন্ন্যাস ধর্ম্মদা লৈবনি। অদুদা ব্রহ্মনা শাস্ত্রদগী অরেপপা অখোইবা ওইবনা সন্ন্যাস আশ্রমদনা আশ্রমশিংগী অখোই-বনি। অদুদা অর্জ্জুন! মহাক্তি মাদু পুরুষক্ খঙবগী অধিকার কংদবনা বিষয় অসোয়বদি চহক কবিমতা থঙজি হায়বা য়াই ॥১৫॥ মুক্তি (অরানবা খুদম্) হায়বসি গৃহস্থাশ্রমদা লৈবরা, অদুগা সন্ন্যাসাশ্রমদা লৈব্রা, অনীমিগী মনুংদা কদিনা মরুওইবা কদিনা ওইদবা, পুরুষকসি খঙদনবা লৈনবা শাস্ত্র পুরুষকী পাউজেল্লগী ফুংদুনা কনা হোৎনরি ॥১৬॥ হায়রিবা জ্ঞানীশিং অদুনা বেদউপনিষদ মচিংবু য়াম্না নৈনদুনা নৈনরুবদুগী ফুংদা, কফু পাম্বিবু কফলুমে হায়রগা মনুংদা মচি ওইবা পোশক্ অমত্ত লৈহৌদবদুওয়া উবিবা অচ্চুনা থরবা জগৎ অসিদা মচি ওইবা লৌনিংঙাই ওইবা পোশক্ অমত্তা থেংনদ্রে ॥১৭॥ কনা কনাওম্বা পণ্ডিতশিংনা মপানগী বিরেপ মথং মথৌদুগী মতুং ইন্না যুক্তিপ্রমাণ চানা উৎতুনা অশিব পোশকতুগা, জ্ঞানগী মশক ওইবা পোশকতুগা অনীগী খেন্নবা অমদি তোঙাম্না লৈনবা অদুগী মতুং ইন্না পঞ্চভূতনা শাম্বিবা দেহসিগী মনুংদা শরক য়েংশিনবা থিন্নবা জীব (জীবাত্মা) হায়বদু লৈরিবনি হায়না হায়নরি ॥১৮॥ থাজৈশোংবদি শীঙ্গিবা কুপলবা জীবাত্মা মহাক্তি অচচত্ত থরাই পানবা পুরুষক্তা লৈরিবনি। মহাক্কী রূপ (মসক) লৈতবনা রূপতবু মাগী বিষয় ওইনা লৌগদবা মীৎ কৌবা ইন্দ্রিয়না উবা ঙংদে। য়াহৈগী শাখেনা জীবাত্মা মহাক্কী স্বরূপপু লেপনবা ঙমজি মাদু ওইম্ন ওইখোকথনি। অদুগা জীবপানবা পুরুষক্কা অবিদ্যা (অজ্ঞক) গী প্রভাবকী মথা পোন্থিবনা কফিগুম অম নত্রগা কফিগুম্ব কর্ম্ম অমদি মাদুম্ মতৌমি ॥১৯॥ তাইবং মীনা বিষয় লালস কামনাপুম্বা থাদোকতুনা মাঙগা কোন্নবা কর্ম্মশিংপু থাদোকতুনা পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়বু মরুলগী মশক্ ওইরবা পরমাত্মাদা চংহনবিদুনা ধনজন সম্পত্তি থিবিক্ কম্নমতা য়াওদনা নুংঙাইনা পুনশিন্নেনবা ঙম্মি ॥২০॥ অর্জ্জুন! জ্ঞানী ওইবা মজ্জন থিবিক্না চংনম্বিবা, ব্রহ্ম ফংননীঙ্ঙাই ওইরবা সন্ন্যাস কৌবা কম্নবা লম্বী অসি লৈনা লৈনা মাঙনতাক্নবগী মশক ওইরবা ধন সম্পত্তিদগী ফুংনকম্ ওইরবা গৃহস্থাশ্রমবু

পূর্ব্বশাস্ত্রবিদোঽশেষাঃ জনাঃ পশ্যন্তি ভারত । ক্রিয়াস্তু নিরতা নিত্যং দানে যজ্ঞে চ কর্ম্মণি ॥২১॥

ভবন্তি সুদুরাবর্ষা হেতুমন্তোঽপি পণ্ডিতাঃ । দৃঢ়পূর্ব্বে স্মৃতা মূঢ়া নৈতদস্তীতি বাদিনঃ ॥২২॥

অনুভাব্যবক্তারো বক্তারো জনসংসদি । চরন্তি বসুধাং কৃৎস্নাং বাবদূকা বহুশ্রুতাঃ ॥২৩॥

পার্থ । যান্ বিজানীমঃ কস্তান্ জ্ঞাতুমিহার্হতি । এবং প্রাজ্ঞাঃ শ্রুতাশ্চাপি মহান্তঃ শাস্ত্রবিশ্রুতাঃ ॥২৪॥

তপসা মহদাপ্নোতি বুদ্ধ্যা বৈ বিন্দতে মহৎ । ত্যাগেন সুখমাপ্নোতি সদা কৌন্তেয় ! ধর্ম্মবিৎ ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি

চার্ব্বাকনিগ্রহে যুধিষ্ঠিরবাক্যে ঊনবিংশোঽধ্যায়ঃ ।৩

নংনা করিগী খাগৎলিবনো ? ॥২১॥ ভরত নন্দন । অতিথি সেবাদা দান যজ্ঞনচিংবা পুণ্য কর্ম্মদা পূক্লীং চঙচুনা লৈরিবা শাস্ত্রজ্ঞ ওইরবা মীশিং মরুম্ব অমুয়া হায়নরিবনি ॥২২॥ “শিরবা তুংদা জীবাত্মা হায়রিবসি অমুক্ লৈত্রবান” * অসুম্ হায়না পুরিবা, যুক্তিতর্ক য়ায়া হৈবা, অর্থহীন নংনা হায়প্রিবা মত অদুদা তোংবা পাণ্ডিত কয়ামরুম্দি ঐনা হায়রিবা সন্যাস মার্গ অসিদগী বা কদায় কদায়কাওথুম্ চঙশিন্নপ্রবনি ॥২৩॥ অদুগা নাস্তিকশিংগী মীওয়লি হায়না খঙলবী, শাস্ত্র য়াম হৈয়বা অদুগা গার্হস্থ্যধর্ম্মনা অথোইবনি পুমবা মী অয়াম্বনা মীয়াম সভা মরামদা বক্তৃতা পীদুনা পৃথিবীগী মকম্ পুম্বদা কোয়চৎ চৎলি ॥২৪॥ অর্জ্জুন । ঐখোয়মক্তা খঙবা ওথুবা বিষয় আসমু অচম্বা মীশিংনা কয়া খঙগদগে ? অদুগা ঐনা নঙোন্দা হায়রিব য়াসে, লোক সমাজগী তত্ত্ব পুম্বা খঙলবা, অহন্নমন্ লাই গুরুগী পাওজাকী তত্ত্ব মুম খঙলবা, শাস্ত্রজ্ঞ ওইবা মীওই-শিংনসু অদুম্ মহায়নরিবনি ॥২৫॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোকশিংশিং চাম্না শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মফুংদা তরামাপল শুবা অধ্যায় লোইরে ।

* টিকাঃ—চার্ব্বাককী মত মফুং ইয়া। শিরবা তুংদা হায়বদি মপানগী পকচু হকচাং অসিমা মাওথাবা তুমথব তুংদা জীবাত্মা অসি অমুক্ হন্নকত্রে। মপানগী হক্চাংগী অতম্ব মাওশিন্নপ্রে হায়বা অসি চার্ব্বাক মুনিগী সিদ্ধান্তনি । “যাবজ্জীবেৎ সুখং জীবেৎ ভস্মীভূতস্য দেহস্য পুনরা-গমনং কুতঃ” হন্নকী মপোক অসিদা ধনসম্পত্তি য়ায়া পৈশিন্দুনা মুংঙাইনা পানগদবনি। হকেং মুক্কী মপোক্কী মরমদা থক্ থয়োইদোবনি। জীব অসিনা হকেং মুক্কী মপোক হায়বা অমা লৈত্রে। হকচাংসিগা অদুম্ মাওমিন্নথবনি ।

শ্রীমহাভারতম্

(মহর্ষি দেবস্থাননা যুধিষ্ঠিরদা তাকপা)

বিংশোঽধ্যায়ঃ

কুনশুবা অধ্যায় ।

——:(:*:):——

বৈশম্পায়ন উবাচ

অস্মিন্ বাক্যান্তরে বক্তা দেবস্থানো মহাতপাঃ । অভিনীততরং বাক্যমিত্যুবাচ যুধিষ্ঠিরম্ ॥১॥

দেবস্থান উবাচ ।

যদ্বচঃ ফাল্গুনেনোক্তং ন জ্যায়োঽস্তি ধনাদিতি । অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি তদেকাগ্রমনাঃ শৃণু ॥২॥
অজাতশত্রো ! ধর্ম্মেণ কৃৎস্না তে বসুধা জিতা । তাং জিত্বা চ বৃথা রাজন্ । ন পরিত্যক্তুমর্হসি ॥৩॥
চতুষ্পদী হি নিঃশ্রেণী ব্রহ্মণ্যেব প্রতিষ্ঠিতা । তাং ক্রমেণ মহাবাহো । যথাবজ্জয় পার্থিব ! ॥৪॥
তস্মাৎ পার্থ ! মহাযজ্ঞৈর্যজস্ব বহুদক্ষিণৈঃ । স্বাধ্যায়যজ্ঞা ঋষয়ো জ্ঞানযজ্ঞাস্তথাপরে ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ, জনমেজয় ! যুধিষ্ঠিরনা ডাঙবা লোইরবা তুং অসিদা রাজাক হৈবা, তপস্যা কন্নবা মহর্ষি দেবস্থাননা যুক্তি যুক্ত ওইবা বাশিং অসি হায়খি ॥১॥ দেবস্থাননা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির ! "জগৎ অসিদা ধনসম্পত্তিদগী হেন্বা পোৎ অমত্ত লৈত্রবনি ।" অসুমা অর্জ্জুননা হায়খিবদো, মাহুত্ত সবর্থন তৌহুনা ঐহ হায়গে । নহাক্ পুক্নীং চঙনা অমুক তাউ ॥২॥ মেরুবা লৈতবা নিংথৌ ! নহাক্ হৌজিক্ ক্ষত্রিয়ধর্ম্মগী মতুং ইনা পৃথিবীবু জয় তৌরে । মাসিবু মরম ইচা চাদনা থাদোক্পা চুমদে ॥৩॥ অকনবা ! পরব্রহ্মদা চত্লনবা ভিন্নকনবা বিধাতানা আশ্রম মরি শেমখি । শেম্নিবা আশ্রম মরি অসে পরব্রহ্মহুদা কনানা সিড়ি থাক্ মরিনি । থাক্ মরি অসে মথং মথং কাখৎলু ॥৪॥ অহুনা পৃথানন্দন ! নহাক্ গৃহস্থধর্ম্মগী লমীদা অমুক্ নীওখিনা চত্লনা দানদক্ষিনা যায়া ময়াং কাখনা তৌহুনা মাগযজ্ঞ যান্না তৌ । ঋষি অমাখবা বেদ পাঠগী মখক ওইরবা যজ্ঞ তৌনৈ । অহুপা অতোপ্প মাতোম্না মুনি-ঋষি

কর্ম্মনিষ্ঠাংশ্চ বুধ্যেথাস্তপোনিষ্ঠাংশ্চ পার্থিব ! । বৈখানসানাং কৌন্তেয় ! বচনং শ্রূয়তে তথা ।৬।

ঈহেত ধনহেতোর্যস্তস্যানীহা গরীয়সী । ভূয়ান্ দোষো হি বর্দ্ধেত যস্তং ধর্ম্মমুপাশ্রয়েৎ ।৭।

কৃৎস্নস্ত ধনসংহারং কুর্ব্বন্তি বিধিকারণাৎ । আত্মানং তৃষিতো বুদ্ধ্যা অপহত্যাং ন বুধ্যতে ।৮।

অনর্হতে যদদাতি ন দদাতি যদর্হতে । অনর্হার্হাপরিজ্ঞানাদ্দানধর্ম্মোঽপি দুষ্করঃ ।৯।

যজ্ঞায় সৃষ্টানি ধনানি ধাত্রা যজ্ঞোদ্দিষ্টঃ পুরুষো রক্ষিতা চ ।
তস্মাৎ সর্ব্বং যজ্ঞ এবোপযোজ্যং ধনং ততোঽনন্তর এব কামঃ ।১০।
যজ্ঞৈরিন্দ্রো বিবিধৈরন্নবদ্ভির্দেবান্ সর্ব্বানভ্যযান্মহৌজাঃ ।
তেনেন্দ্রত্বং প্রাপ্য বিভ্রাজতেঽসৌ তস্মাদ্যজ্ঞে সর্ব্বমেবোপযোজ্যম্ ॥১১॥
মহাদেবঃ সর্ব্বযজ্ঞে মহাত্মা হুত্বাত্মানং দেবদেবো বভূব ।
বিশ্বাঁল্লোকান্ ব্যাপ্য বিষ্টভ্য কীর্ত্ত্যা বিরাজতে দ্যুতিমান্ কৃত্তিবাসাঃ ॥১২॥

শিংনা জ্ঞানযজ্ঞস্থ তৌই ॥৫॥ কুন্তীনন্দন নিংথৌ। চুমগী যজ্ঞত মতৌবা মী থরম্ লৈ। মখোয়না চুমগী তপস্যাত মতৌই। বানপ্রস্থদা লৈবা মী অয়াম্বগী বাস নংবা মতারগিদনি ॥৬॥ চুম্না মপানগী হিবয়াশং অসিবু তোগ তৌননবগী লল তাল্লি; অদুগা তাম্নবা কংননবস্থ য়াম্না হোৎনৈ। অদুম্না তোগকীদমক্তা হোৎনরবদি ইহোৎ হোৎনদবগা অম্মানি। হোৎনদবনস্থ হেন্ন কৈ। মরমদি চাননবা, লুংঙাইননবগীদমক্তা ধন তাল্লবদি মাদুদা দোষ য়াম্না লৈ। দোষ মথং মথং য়াম্না পোল্লকপস্থ য়াই ॥৭॥ মরমদি মী অয়াম্বনা তুংগী যাশা য়াম্না তৌদুনা কত্তবা অমদি তপোথইদোবা থবক্তা শেল য়াম্না চণ্ডহল্লি, শীজিনৈ। কত্তবা মী অমদি পোশক তিন্নক্তদগী গর্ভগী জীববু মাঙহনবা অদুগী মতৌঙম্না মীমা নহাকপু পণ্ডিত ওইরবনি, মাংলবনি হায়বা থক য়ায়োই। ॥৮॥ অদুগা মতীকচাদবদা দান তৌবা, মতীক্ চাবদা দান তৌদবা অনীমক্তা দোষ য়াম্না লৈ। মতীক চাব-চাদবা অসি খনবা উমদবদগীস্থ দানধর্ম্ম তৌবা হায়বসি অক্নবা থবক অমা ওইনস্থ থোক্ই ॥৯॥ বিধাতানা ধনবুশেম্বদি যজ্ঞ তৌননবগী দমক্তনি। মহাকীদমক্তা যজ্ঞ তৌননিবা মহাপুরুষ নারায়ণ মশামকস্থ ধন অদুবু তাকপে-ন্দুনা থম্মি। নারায়ণনা বিষ্ণু কৌদুনা তাকই হায়রিবসি ধনবুনি। অদুনা ধর্ম্মগী মথুং ইম্না অকংবা ললপুম্বা যজ্ঞতদা শীজিনগদবনি। অদুগী পাম্বৈনা নীঙবাপুম্বা থ-ংনমবা হোৎন-গদবনি ॥১০॥ ইন্দ্রনা ধনরত্ন পুম্নমক যজ্ঞ কয়া কয়া তৌদুনা অদুগা মাদুনা তেজ লৈবা অম ওইথিদুনা দেবতা অপ্ত অতৈদগী হেন্দোকৃথিদুনা লাইপুম্নমকী নিংথৌ ওইদুনা চাউরবা ঐ-শর্য্য ধনসম্পত্তি শক্তিবু কংথিবা মরম্ অদুদা যজ্ঞদা লল পুম্বা শীজিন্নবা হায়বসি খুদম্ অমগী মথৌনি ॥১১ মহাত্মা ওইরবা, কৈলাসত্ত কীজোল ওইবা, মহাদেবথকস্থ অরৈবপুম্বা থাদোকপা

আবিক্ষিতঃ পার্থিবোঽসৌ মরুত্ত ঋদ্ধ্যা শক্রং যোঽভ্যভবদ্দেবরাজম্ ।
যজ্ঞে যস্য শ্রীঃ স্বয়ং সন্নিবিষ্টা যস্মিন্ ভাণ্ডং কাঞ্চনং সর্ব্বমাসীৎ ।১৩।
হরিশ্চন্দ্রঃ পার্থিবেন্দ্রঃ শ্রুতস্তে যষ্ট্বা জিত্বা পুণ্যভাগ্ বীতশোকঃ ।
ঋদ্ধ্যা শক্রং যোঽভ্যভবন্মানুষঃ সংস্তস্মাদ্যজ্ঞে সর্ব্বমেবোপযোজ্যম্ ।১৪।
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে দেবস্থানবাক্যে বিংশোঽধ্যায়ঃ ।।০।।

— — :❋:— —

যজ্ঞদা হকচাং কাওবা মৈদা হোম তৌখিবদগী লেমদেব ওইথি। অদুম্না যজ্ঞ হৌখিবদগী বিশ্বব্রহ্মাণ্ড শীন্থ্রবা মহাতেজস্বীতম ওইনা আং পুমক্কী ভুবনকা চত্তকম্ ওইনা অদুগা জগৎপুম্বগ শীন্থ্রবা লৈখি ॥১২॥ অবিক্ষিতকী মচা মরুত্ত কায়না কৌবা নিংথৌ অম লৈরম্মি। মহাক্না মাগী মপা-কল মথৌবা অম দি সম্পত্তিনা দেবরাজ ইন্দ্রবু জয় তৌখি। মহাক্কী যজ্ঞদা লক্ষ্মীদেবীনা মুর্ত্তি লাইনা লাকখি। মরুত্ত হায়বা নিংথৌ অসিগী যজ্ঞদা যজ্ঞগী মচাক্ ওইনা চত্তদবা পাত্রপূবা সনা তনা পুম্নমক ওইনা শাবমখিনি ॥১৩॥ যুধিষ্ঠির! নহাক্না তাবসু মাই মমাংদা হরিচন্দ্র হায়বা নিংথৌ অমা পাম্লম্মি। মহাক্না অমৈবা সম্পত্তিপুম্বনা যজ্ঞ কয়া কয়া তৌদুনা পুণ্যবান্ ওইবা মহাপুরুষ অম ওইখিদুনা মরল মথুম্না অদুগা মাগী তৌবগুম শক্তিনা ইন্দ্র কাওবু জয় তৌখি। মরম অদুনা, যজ্ঞদা লম্বুমপুম্ববু শীজিন্নবা হায়বসি গৃহস্থশিংনা তৌগদবনি ॥১৪॥

মরম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্য সনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহকী মতুংদা দেবস্থানবাক্যগী কুমন্তবা অধ্যায় লোইয়ে॥

— —:—:— —

মহাভারতম্

—:*:—

একবিংশোঽধ্যায়

দেবাস্থানন্না তাওবা মতাং

কুম্মাথোইশুবা অধ্যায়

——(:•:)——

দেবস্থান উবাচ।

অত্রৈবোদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। ইন্দ্রেণ সময়ে পৃষ্টো যদুবাচ বৃহস্পতিঃ ।১।
সন্তোষো বৈ স্বর্গতমঃ সন্তোষঃ পরমং সুখম্। তুষ্টের্ন কিঞ্চিৎ পরতঃ সা সম্যক্ প্রতিতিষ্ঠতি ।২।
যদা সংহরতে কামান্ কূর্ম্মোঽঙ্গানীব সর্ব্বশঃ। তদাত্মজ্যোতিরচিরাৎ স্বাত্মন্যেব প্রসীদতি ।৩।
ন বিভেতি যদা চায়ং যদা চাস্মান্ন বিভ্যতি। কামদ্বেষৌ চ জয়তি তদাত্মানঞ্চ পশ্যতি ।৪।
যদাসৌ সর্ব্বভূতানাং ন ক্রুধ্যতি ন কাঙ্ক্ষতি। কর্ম্মণা মনসা বাচা ব্রহ্ম সম্পদ্যতে তদা ।৫।

দেবস্থাননা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির! মোংমা ইন্দ্রনা হংবদা বৃহস্পতিনা পুম্‌খিবা, অমানী পণ্ডিত-শিংনা মমাংতৌদগী লৌনরকপা ৱারী অম লৈ ॥১॥ তাইবং মীগী "অপেন্‌বা" (পোৎশক) হায়বদো, থোইদোক্না নীঙথিজরবা স্বর্গমক্তা অম্মানি। "অপেন্‌বা" হায়বসিনা খুদাইদগী হেন্‌বা নুংঙাইবনি। "অপেনবা" (পেঙ্গবা) দগী হেনবা কনিঙবা পোৎশক অমত্ত অগত্ত লৈত্রে। মরমদি সন্তোষ [পেঙ্গবা] হায়বা অসি থম্মোয়গী মকম্‌পুম্বা শীন্থংনা লৈ। সনা লুপা সম্পত্তিনা অপেনবা পীবা ঙম্‌হিবসি থম্মোয়গী মকম্ পুম্বদা শীন্থংনা লৈবা ওয়দবদগীনি ॥২॥ খোংজনা মথোত মখুৎ থোম্‌জিল লোইশিনখিবগুম্না তাইবং মীনা কামনা, বাসনা পুম্না মপামবত্তগী থম্মোয়দুংদা লোইশিনখিবা খুপচিল হনাথবা ঙমবদি মতমথমগী মথুংদা মাগী থম্মোয়দা ব্রহ্মজ্যোতি (ব্রহ্মগী মঙাল) অম তঙং ঙাংনা হল্লোয়কই ॥৩॥ মহাক্না কনা অমত্তবু কিদ্রবা, মাগী মথমদগীসু কনা অমত্তগী অকিবা চিংনবা লৈত্রবা, অদুগা অপাম্বা কল্লকপা য়েংথিববু অম তৌরবা মহাক্ অস্বকন্না (পরমাত্মা) শীদর্শন কংতি ॥৪॥ পুক্লৌংনা, ৱাহৈনা, থবক্না কনিঙবা কনাগুম্বা জীব অমত্তগী মকমদা মাওনবা তৌদ্রিবা অদুগা মহাকী থর লৈজখিবদুগী হৈম মী অমগী পোৎপু থম্মদবা, পামদুনবা

এবং কৌন্তেয় ! ভূতানি তং তং ধর্ম্মং তথা তথা । সদাবনা প্রপশ্যন্তি তস্মাদবুধ্যেব ভারত ! ।৬।
অন্যে শান্তিং প্রশংসন্তি ব্যায়ামমপরে জনাঃ । নৈকং ন চাপরং কেচিদুভয়ঞ্চ তথাপরে ।৭।
যজ্ঞমেকে প্রশংসন্তি সন্ন্যাসমপরে জনাঃ । দানমেকে প্রশংসন্তি কেচিদেব প্রতিগ্রহম্ ।৮।
কেচিৎ সর্ব্বং পরিত্যজ্য তূষ্ণীং ধ্যায়ন্ত আসতে । রাজ্যমেকে প্রশংসন্তি প্রজানাং পরিপালনম্ ।৯।
হত্বা ছিত্বা চ ভিত্বা চ কেচিদেকান্তশীলিনঃ । এতৎ সর্ব্বং সমালোক্য বুধানামেষ নিশ্চয়ঃ ।১০।
অদ্রোহেণৈব ভূতানাং যো ধর্ম্মঃ স সতাং মতঃ । অদ্রোহঃ সত্যবচনং সংবিভাগো দয়া দমঃ ।১১।
প্রজনঃ স্বেষু দারেষু মার্দ্দবং হ্রীরচাপলম্ । এবং ধর্ম্মং প্রধানেষ্টং মনুঃ স্বায়ম্ভুবোঽব্রবীৎ ।১২।

(যুগ্মকম্)

অদুগুম্বা মী মহাক্ অচৌবা ব্রহ্মবু কংবা ওন্নি ।৫। ভারত নন্দন ! যুধিষ্ঠির ! ব্রহ্মচর্য্যনচিংবা আশ্রমশিং অসিগী মথুংদা করিগুম্বা আশ্রম অমদা লৈরগা অপাম্বা মিহোৎনচিংবা থাদোক্পা তম্নবদি ব্রহ্মবু কংবা ওন্নি । মরম্ অদুনা করম্বা আশ্রমবু নংনা পান্নিবা যাদ্র হান্না লেপপু ।৬।

মী খরনা শান্তিদা ভুমিন্না লৈবা মীনা খৎনবা হোৎনবগী ভুমিন্না তপ্পা তাদুনা লৈথোক্পা অসিবু অফবনি হায়; খরনা মীনা লালগোন্নবা হোৎনরবদি লাম্হৎনবু অফবনি হায়না থাগৎলে । খরনা খৎনচৈনবা লাম্হৎনবা ফুনশুনবা হায়বসি শুকুমৎ কত্তে হায়না অদুগা মী খরনা ভুমিন্না তপথনা পাউদনা লৈবগী কত্তে, লালগোন্নবা ফুনশুনবগী কত্তে—হায় ।৭। মী কাওলুপ অমনা যজ্ঞ তৌববু থাগৎলি, অতোপ্পা কাওলুপ অমনা সন্ন্যাস তৌববু থাগৎলৈ । মী খরনা দান তৌবা হায়বসিনা মহেৎনে হায় । অদুগা খরনা অফবা পোৎপু লোইশিনবা লৈথৎপা হায়বসিনা মফমে হায় ।৮। মী খরনা পুম্নমক থাদোক্লুনা ইঙ্গিত্তবগী ধ্যানতদা লুপ্পুনা লৈবসিবু থাগৎলি । অদুগা মী খরনা অশোল অন অফল্ অশোল প্রজাপুম্নবু ভাক্লিবা য়োক্লিবা নিংথৌবুড় মথাগৎলি ।৯। খরনা অচৌকপা মফমদা থুপ্পুনা লৈরগা লুহোংদ ঊণ্ডিকতৌবা ওম্বী চৎপা গৃহস্থশিংবু ফুটৈহুনা কক্পনা, থিনগাইহনা, হাত্থনবগী মরল মথাকুম মুনবমা কৈ হায়না খঙ্দুনা তৌনাম । থেম্নরিবা মত পুম্নমক্ অসি মুন্না নৈনরুবগা জ্ঞানীশিংনা অমুম হায়না লেপ্পথি ।১০। অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী হিংসানচিংবা মাওনলাক্নবা তৌদনা তৌবা ধর্ম্ম অদুগুবু সজ্জন ওইবশিংগী ধর্ম্ম কৌই । স্বায়ম্ভব মনুন হায়খিঃ— অতোপ্পা অমগী মাওন তাক্নবা তৌদবা, অচুম্বা ওাওবা, মফম মতমচানা চাং চপ মান্নবা অরাম থোরাংবশিংদা অন্নদান তৌবা ন্নাবা মথৈ মরাল ওাক্পিহুন থোজানবিবা, ইন্দ্রিয় খুনম চনবা মথাগী লোয়নবীগী গর্ভতদা মচা পোক্পা, লম্চৎ ব্যবহার থোৎপা, তৌহৈদবা তৌবদা ঊকায়থঙবা তৎক্ তৎক্ লাউদবা হায়রিবশিংগী মথক্তা হায়বদি হায়বিবশিং অসিনা মুক্ষম্ ওইদুনা লেপ্পুখিবা

তস্মাদেতৎ প্রযত্নেন কৌন্তেয় ! প্রতিপালয় । যো হি রাজ্যে স্থিতঃ শশ্বদ্ বশী তুল্যপ্রিয়াপ্রিয়ঃ ।১৩।
ক্ষত্রিয়ো যজ্ঞশিষ্টাশী রাজা শাস্ত্রার্থতত্ত্ববিৎ । অসাধুনিগ্রহরতঃ সাধূনাং প্রগ্রহে রতঃ ।১৪।
ধর্ম্মে বর্ত্মনি সংস্থাপ্য প্রজা বর্ত্তেত ধর্ম্মতঃ । পুত্রসংক্রামিতশ্রীশ্চ বনে বন্যেন বর্ত্তয়ন্ ।১৫।
বিধানমাশ্রমাণাং বৈ কুর্য্যাৎ কর্ম্মাণ্যতন্দ্রিতঃ । য এবং বর্ত্ততে রাজা স রাজা ধর্ম্মনিশ্চিতঃ ।১৬।

(কলাপকম্)

তস্যায়ঞ্চ পরশ্চৈব লোকঃ স্যাৎ সফলোদয়ঃ । নির্ব্বাণং হি সুদুষ্প্রাপং বহুবিঘ্নঞ্চ মে মতম্ ।১৭।
এবং ধর্ম্মমনুক্রান্তাঃ সত্যদানতপঃপরাঃ । আনৃশংস্যগুণৈর্যুক্তাঃ কামক্রোধবিবর্জ্জিতাঃ ।১৮।
প্রজানাং পালনে যুক্তা দম'মুত্তমমাস্থিতাঃ । গোব্রাহ্মণার্থে যুদ্ধাত্তঃ প্রাপ্তা গতিমনুত্তমাম্ ।১৯।

(যুগ্মকম্)

ফিংখৎথিরা ধর্ম্ম অদুতনা অংলোইবা ধর্ম্মনি ॥১১—১২॥ অদুনা, কুন্তীনন্দন ! যুধিষ্ঠির ! নহাক্না চায়রিকশিংসে চপ চানা ত্তৌ । লৈপাক অমগী শাসনগী দায়িত্ব লৌরনা অভিষেক তৌরবা, ইন্দ্রিয় খুদম চনবা, পুংশিরবুংশিদবা থমদবা পোৎরু কংবদা চপ মৗরনা থনব', সাধু মহাত্মা ওইবা সজ্জনশিংবু ঙাকশেনবা, যজ্ঞগী লেমহৌবা পোত্তনা চীঙ্গাক ওইব', শাস্ত্র অমদি লোক সমাজগী তত্ত্ব খঙবা, কত্তবনু লাকহৎপা, অকবশিংবু শোৎপা প্রজাশিংবু ধর্ম্মগী লম্বীদা লুচিংবা অমা ওইনা চাহনবা, মশামকপু চপ চানা চৎপা মতমগী মতুং ইন্না মতম'চপ চানা খাজ্যতায় পুত্রা মচাদা শিন্নকুন্নগা বনদা চৎশিনুনা শাস্ত্রগী নিয়ম বিধি কায়দনা ইহৈ রাইহে চাহনা মপুঙ্গশি লেনবিগদৌবা, লৈমিবা আশ্রমগী মতৌক চাবা মথৌ তৌরনা লৈবা অদুগুম্বা মীবয়াক' অদুগা নিংথৌ অদুতনা জ্ঞানীপণ্ডিতশিংনা লেপকন্নবা ধর্ম্ম অদু খাকপা তৌনি ॥১৩-১৬॥ হায়রিবা ক্ষত্রিয়দ্বা নিংথৌতনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মহৈ ফানবা তৌনি । অদুম্বা ঐখোই মখা মতুং ইন্না হায়রু হায়রবদি নির্ব্বান মুক্তি হায়রবদি পোকপশিংবগী খাঙ্গবগী অদুমক্তা লৈহৌকথিবা হায়রুংসি যায়া লুবা অমদি ওইথোকবা অমা ওইনা লোক্কি । মরমদি অদুগী অড়িদা লৈবায় শিন্দাইবা অমনবা অমেৎপা য়ায়া লৈ। ॥১৭॥ মরম অদিনা ধর্ম্মগী থিরাঙ্গ কায়দনা অচুবা ঙাঙবা অচুম্বা তৌব', দান তৌবা, অকরবিদবক্তা অরাম্ব থাকবা ঙমাদা কিগদাচিংবা মরাং কায়না তৌবা— হায়রিবা গুণশিং অসিনা থিরনা, অপাম্বা অশাউবা লৈতবা প্রজাগী লোকপালনদা পুক্নীঙ্গবা তুগী অমাং শম ব্রাহ্মণগীদমক্তা লান্থোকনবা থাবা খাজাই ংংকখা অহুখা ধাইকগী নিংথৌশিংনা অহাত্পা ধর্ম্মগী শক্তি অদুদনা পুন্নীগী অরোইবা

এবং ক্রতুঃ সকলবত্তমানিত্যাঃ শরৎশ । সাধ্যা ব্রাহ্মবিদধাশ্চ বর্ত্মবেত্তং সমাশ্রিতাঃ ।
অপ্রমত্তাস্তঃ স্বর্গং প্রাপ্তাঃ পুণ্যৈঃ স্বকর্ম্মভি, ।২০।
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে দেবস্থানবাক্যে একবিংশোঽধ্যায়ঃ ।০।

— —(•)— —

পতিস্থ কংবা চমখি ।১৮-১৯। য়েক্রবা ওবা নিংথৌ । রুদ্রশিংনা, বসুশিংনা, আদিত্যশিংনা লিচ্ছপ্রায়শিংনা, অমুগা মারুর্দিশিংনা মায়া পুক্নীং চওনা হায়রিবা ধর্ম্মশিংসিঙ্গী মথক্তা হায়রবদি মথোত্মসিনা যুক্নেথ ওইরনা মাপী মাপী পুন্যাচেক্রমা কর্ম্মশিং অমুগী পাম্বৈনা স্বর্গ কংখি ।২০।

মকম ফংলিয়া শ্রীমহাভারতদা লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহকী মমুংদা দেবাস্থানবাক্য " কুম্মাথোই ওবা অধ্যায় লোইরে ।

মহাভারতম্

(অর্জ্জুননা বাওবা মতাং)

দ্বাবিংশোঽধ্যায়ঃ

কুন্নিথোইশুবা অধ্যায়ঃ

—(•)—

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

অশ্মিন্নেবান্তরে বাক্যং পুনরেবার্জ্জুনোঽব্রবীৎ । নির্ব্বিণ্নমনসং জ্যেষ্ঠমিদং ভ্রাতরমচ্যুতম্ ।১।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—মহারাজ ! জনমেজয় ! মহর্ষি দেবস্থাননা অমুম্বা হায়রকাওবদা যুধিষ্ঠিরী পুক্নীং কপিনা হয়বা লৈরিঙ্গে ন বননাসী ওইগে হায়বা তৌথনা সংকুপ্পা অমুবদী লোইনিং কথত্থ অম কাওবা হনবা লৈখিঙ্গে । মাং উবদা অর্জ্জুননা অম্বুক্ অমগা হায়রকই ।১। "ধর্ম্ম অমুবা, নিপা অথোইবা, মাম্বু মহারাজ ! মাম্বুং নিংথৌ অজিন ধর্ম্মী মতুং ইন্না

ক্ষত্রধর্ম্মেণ ধর্ম্মজ্ঞ ! প্রাপ্য রাজ্যং সুদুর্লভম্ । বিজিত্য শত্রূন্ সংগ্রামে কিং ত্বং শোচসি ॥১॥
ক্ষত্রিয়াণং মহারাজ ! সংগ্রামে নিধনং মতম্ । বিশিষ্টং বহুভির্যজ্ঞৈঃ ক্ষত্রধর্ম্মমনুস্মর ॥৩॥
ব্রাহ্মণানাং তপস্ত্যাগঃ প্রেত্য ধর্ম্মবিধিঃ স্মৃতঃ । ক্ষত্রিয়াণাঞ্চ নিধনং সংগ্রামবিহিতং প্রভো । ॥৪॥
ক্ষত্রধর্ম্মো মহারৌদ্রঃ শস্ত্রনিত্য ইতি স্মৃতঃ । বধশ্চ ভরতশ্রেষ্ঠ ! কালে শস্ত্রেণ সংযুগে ॥৫॥
ব্রাহ্মণস্যাপি চেদ্রাজন্ ! ক্ষত্রধর্ম্মেণ বর্ত্ততঃ । প্রশস্তং জীবিতং লোকে ক্ষত্রং হি ব্রহ্মসম্ভবম্ ॥৬॥
ন ত্যাগো ন পুনর্যাচ্ঞা ন তপো মনুজেশ্বর ! ক্ষত্রিয়স্য বিধীয়ন্তে ন পরস্বোপজীবনম্ ॥৭॥
স ভবান্ সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞো ধর্ম্মাত্মা ভরতর্ষভ ! । রাজা মনীষী নিপুণো লোকে দৃষ্টপরাবরঃ ॥৮॥
ত্যক্ত্বা সন্তাপজং শোকং দংশিতো ভব কর্ম্মণি । ক্ষত্রিয়স্য বিশেষেণ হৃদয়ং বজ্রসংহতম্ ॥৯॥
জিত্বারীন্ ক্ষত্রধর্ম্মেণ প্রাপ্য রাজ্যমকণ্টকম্ । বিজিতাত্মা মনুষ্যেন্দ্র ! যজ্ঞদানপরো ভব ॥১০॥

লাম্বা মেরুবশিংবু অম্ব তৌবিদুনা ওংহানা তাঙলবা রাজ্যবু ফংবিরগা, করিগী অমুক্ মদুগুম তৌবিরিবনো ? ॥২॥ মহারাজ। মহারাজনা ক্ষত্রিয় ধর্ম্মবু মুন্না অমুক্তা নীঙশিংবিয়ু। ক্ষত্রিয়শিংগীদি লানদা শিবা হায়বসে যজ্ঞ কয়া করাদগী হেন্নবনি ॥৩॥ ব্রাহ্মণশিংগী মকখদি তপস্যা অমদি সন্ন্যাসতনা পরলোকত মহৈ পীনহৈবা ধর্ম্মনি। মতৌ অদুগুম্না ধর্ম্ম যুদ্ধ্না থবাই থাবতনা ক্ষত্রিয়শিংগী মকখদি পরলোকত মহৈ পানহৈবা ধর্ম্মনি ॥৪॥ ভরতশ্রেষ্ঠগী অথোইবা রাজুং নিংথৌ। থোইদোক্না মকিবগী মথক্ ওইবা ক্ষত্রিয় ধর্ম্ম অসি ক্ষত্রিয়শিংগী দমক্তা বেদ শাস্ত্রদা নিত্য ধর্ম্ম ওইনা ইদুনা লৈরবনি। মতম্ চানা লাম্বা ক্ষত্রিয়শিংগী শিবা অমদি হাৎপা। হায়বসি ক্ষত্রিয়শিংগীদি শোয়দনা, থোক্নগনবা অথ ওইবা লৈরবনি ॥৫॥ রাজুং মহারাজ । ব্রাহ্মণসু ক্ষত্রিয় ধর্ম্মদা লেঙদনা মরৈরবদি লাম্বা শিবা অমদি হাৎহনবিবনা অপঙ্বা খুৎহৈদগী অহেনবা অথ ওইনা লৈরবনি। করিনো হায়বদা ক্ষত্রিয় হায়বসি ব্রাহ্মণদগী পোক্নি ॥৬॥ মহারাজ ! করিগুম্বা বেদ অমদি শাস্ত্রদা ক্ষত্রিয়গী মকখদি সন্ন্যাস, যজ্ঞ, তপস্যা অমুক্তা ভিক্ষা হায়রিবশিংসি অকবনি, তৌগদবা মক্তি হায়দে ॥৭॥ ভরতশ্রেষ্ঠগী অথোইবা, মহারাজ ! রাজুং নিংথৌদি ধর্ম্ম পুম্বকী তত্ত্ব খংবিরবনি। ধর্ম্মতনা, থবক্ পুম্বদা হৈশিংবা, অমদি অঙানী ওইবা নিংথৌ অম ওইবনা, মহারাজদি করম ধর্ম্মবা হেন্নি, করমবা ধর্ম্মবা হৈদে হায়বহ চপ চানবা থগুনা লৈরিবনি ॥৮॥ লাম্বা শাইপ নাইত মরাম্ লৈখিল্লবশিংদুগীদমক্তা অরাবা পুংতাইদবা পুম্বা থাদোকপিদুনা, ক্ষত্রিয় অঙানী অমা ওইদুনা লৈবিরিবগী মতুং ইন্না লৈপাক্ তাকপগী থবক্ পুক্নীং চঙবিয়ু। অদুগা ক্ষত্রিয় মচা অমগী থগোয়নদি বজ্রদগী হেন্না কনশিন্নম্ হায়নবনি ॥ ৯॥ নিপা অথোইবা। রাজুং নিংথৌ ! অদুংনা ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী লোক্নম্ কাযদনা চত্নবা ধর্ম্মযুদ্ধগী পাইথনা মেরুবশিংবু অম্ব তৌদুনা মেরুতাংবা রাজত্ব্বা রাজ্য অশিবু ফংবিরে। অদুবা হৌজিক্তি ইন্দ্রিয়

ইন্দ্রো বৈ ব্রহ্মণঃ পুত্রঃ ক্ষত্রিয়ঃ কর্ম্মণাভবৎ। জ্ঞাতীনাং পাপবৃত্তীনাং জঘান নবতীর্নব ॥১১॥
তচ্চাস্য কর্ম্ম পূজ্যঞ্চ প্রশস্যঞ্চ বিশাংপতে। তেনেন্দ্রত্বং সমাপেদে দেবানামিতি নঃ শ্রুতম্ ॥১২॥
স ত্বং যজ্ঞৈর্মহারাজ। যজস্ব বহুদক্ষিণৈঃ। যথৈবেন্দ্রো মনুজেন্দ্র! চিরায় বিগতজ্বরঃ ॥১৩॥
মা ত্বমেবং গতে কিঞ্চিচ্ছোচেথাঃ ক্ষত্রিয়র্ষভ!। গতাস্তে ক্ষত্রধর্ম্মেণ শস্ত্রপূতাঃ পরাং গতিম্ ॥১৪॥
ভবিতব্যং তথা তচ্চ যদ্বৃত্তং ভরতর্ষভ!। দিষ্টং হি রাজশার্দ্দূল! ন শক্যমতিবর্ত্তিতুম্ ॥১৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি চার্ব্বাকনিগ্রহে অর্জ্জুনবাক্যে দ্বাবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

খুদম চম্থুনা লৈপাক শাসন তৌনতৌনা যজ্ঞ দান ময়াম্ মথং মথং তৌবখিয়ে ॥১০॥ ইন্দ্র অসি ব্রাহ্মণগী মচা ওইদুনমু মথৌনা ক্ষত্রিয় ওইখি। ময়মদি মহাক্না পাপী ওইরবা মাগী শাগৈ চানিপাল তরাবু হাৎখি ॥১১॥ মহারাজ। ইন্দ্রনা তৌখিব থবক্ অদো অচুম্বমকনি অদুগা থাম্ব থাগৎনৈ। মাগী মথৌনা অমদি থবকনা লাইরাম্বশিংগী মপুংদা থ্বাইদগী অহেনবা ঐশ্বর্য্য কংখিবনি হায়না ঐখোয়না তায় ॥১২॥ নিপা অখোইবা। মহারাজ। ইন্দ্রনা মতম্না লৈখিবদুগী মথৈ অরাবা নীঙথায়রবা কখিবত লৈতনা দেবীসম্পত্তি পুম্নমক ভোগ তৌনা তৌনা, দানদক্ষিনা য়ায়া তৌরবা যজ্ঞ মথল মথল তৌখিবদুগুম্না মহারাজসু পুনশিচুম্না অরাবা অপুক্তাপলৈতনা সম্পত্তি পুম্বগী মপু ওইদুনা মথল মথা অমাম্বা যজ্ঞ তৌবিয়ু ॥১৩॥ ক্ষত্রিয় অখোইবা। য়াম্মুং মহারাজ। মহারাজনা অসিগুম্বা কংওনজবা অবস্থাসিদা লৈখিরগা ময়ম্ হৈবৈ লৈতনা য়াখিবসি তৌখিগনু। ময়মদি পাপকী থবক কয়া তৌরমবা দুর্য্যোধননচিংবদো লালকমদা খুৎলায়না মথাদা পানব শোকপদা মমুং মপান পূম্বশেং শেংখিদুনা নীঙথিরবা থামবু কংখ্রবনি ॥১৪॥ ভরত-বংশগী অখোইবা নিংথৌ। থোকখিবা ঘটনা অদো লেঙবা য়াদনা, অদুম থোকৃত্ত হায়দুনা তমখ্রবনি। অদুম থোকৃত্ত হায়দুনা লাইনা অমদি বিধাতানা লাইবক্ত তমথ্রবা থোক্লগদবা অদুদি কনা অমতনা মাঙ্থোকপা ঙম্মবোইদৌবনি ॥১৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোকলিশিং চাযনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মতুংদা অর্জ্জুন বাক্যগী কুন্নিথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

মহাভারতম্

(ব্যাসনা ভাংবা)

ত্রয়োবিংশোঽধ্যায়ঃ ।

কুনহুমদোয়শুবা অধ্যায়ঃ ।

—(:°:)—

এবমুক্ত কৌন্তেয়ো গুড়াকেশেন পাণ্ডবঃ। নোবাচ কিঞ্চিৎ কৌরব্য। ততো দ্বৈপায়নোঽব্রবীৎ ॥১॥

ব্যাস উবাচ

বীভৎসোর্বচনং সৌম্য। সত্যমেতদ্যুধিষ্ঠির। শাস্ত্রদৃষ্টঃ পরো ধর্ম্মঃ স্মৃতো গার্হস্থ্য আশ্রমঃ ॥২॥

স্বধর্ম্মং চর ধর্ম্মজ্ঞ। যথাশাস্ত্রং যথাবিধি। নহি গার্হস্থ্যমুৎসৃজ্য তবারণ্যং বিধীয়তে ॥৩॥

গৃহস্থং হি সদা দেবাঃ পিতরোঽতিথয়স্তথা। ভৃত্যাশ্চৈবোপজীবন্তি তান্ ভজস্ব মহীপতে। ॥৪॥

বয়াংসি পশবশ্চৈব ভূতানি চ জনাধিপ!। গৃহস্থৈরেব ধার্য্যন্তে তস্মাচ্ছ্রেষ্ঠো গৃহাশ্রমী ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— তাও মহারাজ, জনমেজয়। অর্জ্জুননা অমুম্বা হায়রবদা যুধিষ্ঠির অমি হোয়রমি, মাইনি হায়বা কন্নিমত ওাঙদনা তুমিন লৈ। মমক্ অসিদা বেদব্যাসনা অমুম্বা হায়রুকই ॥১॥ তপকবা, যুধিষ্ঠির! অর্জ্জুন হায়রিবা বাপিনসে অচুম্বনকনি। শাস্ত্রশিংমক্ত আশ্রম শিংদগী গৃহস্থাশ্রম হায়বা অসিনা খ্বাইদগী অথোইবনি হায়না ঈনি তেক্লনা থেংনরে। গৃহস্থাশ্রম হায়বসি ধর্ম্ম পুম্মকী তুংনকম অমদি পোক্লকত্রি হায়মি ॥২॥ ধর্ম্ম শঙলবা! নহাক্ শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা ক্ষত্রিয় নপাগী ধর্ম্মগী লৌক্রম্ কায়দনা লৈয়ু। মমখি ক্ষত্রিয় নহাকনুপা অমগীদমক্ গৃহস্থাশ্রম থাদোকদুনা বনবাসী ওইবগী বিধি অসি শাস্ত্রদা য়াওদে ॥৩॥ নিংথৌ! দেবতাশিংগী, পিতৃলোককী মীশিংগী অতিথিশিংগী অমুগা শাগে নাইত হায়দুনা লৈরিবশিংসিগী আশ্রয়দি গৃহস্থ হায়বসিতনা ওইরিবনি। অদুনা হায়রিবসিংশিবু নংনা পেন্নবা তৌ ॥৪॥ নিংথৌ! গৃহস্থ ওইবশিংতনা শাউচেক্লচিংবা জীবপুম্মকপু যোক্লি থাক্লিবনি। অদুনা ব্রহ্মচর্য্য, গার্হস্থ্য, বানপ্রস্থ, সন্ন্যাস হায়রিবা আশ্রম মরিসিদগী মপুংদা গার্হস্থ্য (গৃহস্থাশ্রম) হায়রিবসিনা

সোঽয়ং চতুর্ণামেতেষামাশ্রমাণাং দুরাচরঃ। তং চরাদ্য বিধিং পার্থ। দুশ্চরং দুর্বলেন্দ্রিয়ৈঃ ॥৬॥
বেদজ্ঞানঞ্চ তে কৃৎস্নং তপশ্চাচরিতং মহৎ। পিতৃপৈতামহং রাজ্যং ধুর্য্যবদ্বোঢ়ুমর্হসি ॥৭॥
তপো যজ্ঞঃ ক্ষমা বিদ্যা ভৈক্ষ্যমিন্দ্রিয়সংযমঃ। ধ্যানমেকান্তশীলত্বং তুষ্টির্দানঞ্চ শক্তিতঃ ॥৮॥
ব্রাহ্মণানাং মহারাজ! চেষ্টা সংসিদ্ধিকারিকা। ক্ষত্রিয়াণান্তু বক্ষ্যামি তবাপি বিদিতং পুনঃ ॥৯॥
(যুগ্মকম্)
যজ্ঞো বিদ্যা সমুত্থানমসন্তোষঃ শ্রিয়ং প্রতি দণ্ডধারণমুগ্রত্বং প্রজানাং পরিপালনম্ ॥১০॥

পুন্যমকপী অথোইবনি ॥৫॥ পৃথানন্দন। আশ্রম মরিসিগী মমুংদা লুবম গৃহস্থাশ্রম হায়বসিনা মকুবে ইন্দ্রিয় থুমম চৎবা ওমদবা শোয়বশিংনা মপুংফানা পাঙথোকপা ওমদবা আশ্রম অসিগী নিয়ম অসিগী কর্তব্যশিংদু নংনা পাঙথোক্কু ॥৬॥ নহাকীদি বেদজ্ঞান পুম্নমক হায়দগী লৈরবনি। অকনবা তপস্যা কয়া তৌরবনি। অদুনা তপস্যাগী শক্তিন', পোৎলুম পুথবশিংগী মতৌঙমা লুমবা গৃহস্থাশ্রমগী পোৎলুম অসি নহাক্না পু ॥৭॥ মহারাজ! তপস্যা, যজ্ঞ, ক্ষমা (ভাকুপিবা) শাস্ত্রবিদ্যা, ভিক্ষা, ইন্দ্রিয়দমন, ধ্যান অচৌকপদা লৈবা, থমলৈজরিবদুদা পেন্থুনা লৈথোকপা অঙবা শক্তিনা দান থম থমদু মতৌবা, অসি ব্রাহ্মণশিংগী নীঙবা থৌনবগী দমক্তনি। অদুগা ক্ষত্রিয় মপোক্কী মহৈয়ামনবগীদমক্ত লৈরিবদুসু ঐ হায়গে। তৌবগীদি নহাক্ন মাঙদি হায় থঙহনা মরৈরবনি ॥৮—৯॥ নিংথৌ। যজ্ঞ, শাস্ত্রবিদ্যা, য়েক্ষবনমুংহনবা, হোৎনব, থম কংলিবদুদগী হেন্ন কংনবা হোৎনজবা রাজদণ্ড পায়রুনা লৈপাক শাকপা, মরিল লৈবা, থৌবা, প্রজাশিংবু য়েংকপা, বেদমরিমক্কী জ্ঞান মপুংফানা থমনবা হোৎনবা, তপস্যা তৌবা (অমাব থাঙবা). মতীক্ চানা সম্পত্তি পৈৎপা, মাদুবু মতীক্চাবশিংদা দান তৌবা হায়রিবশিংসে ক্ষত্রিয়গী মকমদদি পুণ্য চেন্নবা কর্মমক্তনি। অদুগা হায়রিব অসি ক্ষত্রিয়শিংগীদি ইহলোক পরলোক অনিমক্তা নাঙথিবা থুডম্ কংন নবগী মশক্তি হায়বসি ঐথোয়না তায় ॥১০-১২॥ কুন্তীনন্দন। যজ্ঞনাচংবা হায়রিবসিদগী রাজদণ্ড হায়ব ফিনা নিংথৌ শিংগীদি থুইদগী অথোইবা কর্মনি। করিনা হায়বদ', পাজল হায়বসি ক্ষত্রিয়শিংগীদি মতম পুম্বদা লৈরিবনি। অদুগা রাজদণ্ড [দণ্ডপায়রুনা নিংথৌনা লৈপাক শাসন তৌবা] হায়বসিসু পাজলগীমথক্তা নন্থুনা লৈরিবনি ॥১৩॥ নিংথৌ! হায়রিবা বিদ্যাশিংসিতনা ক্ষত্রিয়শিংগীদি নীঙবপুবা থুংহল্লিবনি। মাসিগী মরমদা বৃহস্পতি মশামক্না অমুমা শকৃথি —॥১৪॥

য়েক্তবু নৈহল্লিব-থিংল্লিবা,
নিংথৌনি হায়রিবমহাকপ্তো,
ব্রাহ্মণনদি হায়মগা মীরৈবাকচত্রবা,
জ্ঞানীপণ্ডিতশিংগা উনক্লিবা,
মথোয়নীসে য়োংশিনথি পৃথীমাতানা,
উত্তীজশিংবুয়োংপওম্ লৈমুংদা লিঙ্গা ॥১৫॥

অচেত্তাগী মচাদকওবা রাজর্ষি সুদ্যম্নসু রাজদণ্ডগী গুণনা ঈমার লায়না সিদ্ধি ফংথি হায়বসি ঐথোয়না মহৌশাদগী তাক্লুনা লাক্লিবা বারীনি ॥১৬॥ যুধিষ্ঠিরনা হায় ভগবন। মহর্ষি।

এবমুক্তঃ স বিপ্রর্ষিঃ সুদ্যুম্নমিদমব্রবীৎ। প্রতিশ্রুত্য করিষ্যেতি শ্রদ্ধয়া তৎ কর্ত্তুমর্হসি ॥৩১॥
অনিসৃষ্টানি গুরুণা ফলানি মনুজর্ষভ। ভক্ষিতানি মহারাজ! তত্র মাং শাধি মা চিরম্ ॥৩২॥

সুদ্যুম্ন উবাচ।

প্রমাণং চেন্মতো রাজা ভবতো দণ্ডধারণে। অনুজ্ঞায়ামথাপি ত্বং হেতুঃ স্যাদ্ব্রাহ্মণর্ষভ। ॥৩৩॥
স ভবানভ্যনুজ্ঞাতঃ শুচিকর্ম্মা মহাব্রতঃ। ব্রূহি কামানতোহন্যাংস্ত্বং করিষ্যামি হি তে বচঃ ॥৩৪॥

সুদ্যুম্ন হায়রিব নিংথৌসিনা মতৌকয়মা মিদ্ধি কংশিঘগে মাদু অমুক্ত ত্তায়গে ॥১৭॥ বেদব্যাসনা হায়ঃ— মমাঙৈগী থৌদোক্ ৱারী খঙবা অশিংবশিংনা কুইবথা লিদবা ৱারী অমি অমুম লীথরক্লি। মমাঙৈদা ব্রততপস্যা য়ায়া কল্লবা শঙ্খ অমদি লিখিত কৌবা মচৌম্বাও অনী লৈরাম্ম ॥১৮॥ মাহুদা হায়বা ফুরেল অহুমী মনাক্ত মথোর অনাসিগী কম্লবা আশ্রম ত্তোঙাল তোঙায়া লৈ। মনা মশা মহৈ মপায়া থম্লবা উপাম্বী মক্তা আশ্রম অনাম্মিদা হৌই ॥১৯॥ নোংমা, লিখিত হায়রিবসিনা মম্লাম্বা শঙ্খগী আশ্রমদা লাক্কই। লাইবী নোংঙাককী তুমিং মতু, শঙ্খগী আশ্রমতুদা লৈতে। মপাম্বা কপিত্থা থবক অবশিদমক চৎখি ॥২০॥ মতম অমিদা লিখিত হায়রিবা মনাওসিনা শঙ্খগী আশ্রমগী হৈকোল অহুনা ওঙশিন্নগা মুম্লবা হাউব চাউরবা উহৈমক্তা লৈতুমা তম্ভুমা, নীক্ত্না হেক্কোক্লে ॥২১॥ অমদগী, লিখিতনা উহৈশিং অতু অচৌকপা মক্তম অমদা চনীঙ তানা কমহুনা নীঙ্গায়বা লৈতনা চায়। মহাক্তা চাখিঙৈহুমক্তদা শঙ্খ হায়রিবা ময়াম্বা অসি আশ্রম অমুদা হেক লাকই ॥২২॥ লিখিতনা উহৈশিং অতু চাক্কুনা লৈমক্ত উবদা শঙ্খনা হায়ঃ— "লিখিত! নংদি উহৈশিংসিদি কদায়দা ফংঙ্খই? অমগা কমিগী কমক ঐগী আশ্রমসিদা আক্কুনা চাখিবি?" ॥২৩॥ লিখিতনা মমাম্বদা খুমখগা নোকুমি নোকুমি তৌনা উহৈ চানা চানা অমুম্মা হায়মকই— "ঐ মাম্বুংগী আশ্রম অসিদগী হেক্কুনা চাখিবনি" ॥২৪॥ মাদু হেক তাবদা শঙ্খ অসি ক্বং হেক শাউহুনা লিখিতদা অমুম্মা হায়মকইঃ— "নংনা ঐগী ৱা তাদনা নথুৎনা মী লৈত্রিঙৈদা উহৈ হেক্কুনা চাখিবা! নংনা তৌখিবাকে হুয়ানবনি" ॥২৫॥ অহুনা চৎলু, নং নশামক। "নিংথৌ! মথল পীদনা, মপু তাক্কনা ঐ অতোম্মগী পোৎ পৌক্রযে" হায়হুনা নিংথৌদা তাকচক্ক ॥২৬॥ "অহুনা, মহারাজ! ঐ হুয়ানবগী থবক তৌক্রে। ঐবু হুয়ানবনি হায়না খঙবিয়ু। অহুনা মতৌকচাবা দণ্ড (শাস্তি) অমা ঐতোঙ্গা পীবিয়ু" হায়না নং নশামক্তা নিংথৌদা হংগৎলু ॥২৭॥ নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মমাম্বা শঙ্খনা অমুম্মা হায়রবদা মমাম্বগী য়াথং মতুং ইন্না তপস্বী লিখিত হায়বসি সুদ্যুম্ন নিংথৌগী মফম তায়া চৎখি ॥২৮॥ ব্রত কল্লবা তপস্বী লিখিত হায়বধু লোংঙকই হায়বসিদা থোঙশঙবশিংগী মফমদগী তাবদা সুদ্যুম্ন নিংথৌনা পাত্রমিত্র-খিবিক্তা লোয়ননা মথোঙথোংনা লিখিতগীনাক্ত চঙশিল্লকই ॥২৯॥ সুদ্যুম্ন নিংথৌনা ব্রততপস্যা কল্লবা লিখিতগীনাক্তা চঙশিন্নকুনা খুৎ লোয়হুনা হায়মকই— ভগবন্! কমিগীদমক্তা মফম অসিদা লেঙবিরক্লিবা? অমুক্ত তাকপিয়ু নমাই ঐ তৌগে ॥৩০॥ সুদ্যুম্ন হায়বা নিংথৌহুনা অমুম্মা হায়বধুদা লিখিতনা নিংথৌদা হায়মকইঃ— নিংথৌ! এবা

ব্যাস উবাচ ।

স পৃচ্ছ্যমানো হ্যৃষিঃ পার্থিবেন মহাত্মনা । নান্যং স বরয়ামাস তস্মাদ্দণ্ডাদৃতে বরম্ ॥৩৫॥
ততঃ স পৃথিবীপালো লিখিতস্য মহাত্মনঃ । করৌ প্রচ্ছেদয়ামাস ধৃতদণ্ডো জগাম সঃ ॥৩৬॥
স গত্বা ভ্রাতরং শঙ্খমার্ত্তরূপোঽব্রবীদিদম্ । ধৃতদণ্ডস্য দুর্ব্বুদ্ধের্ভবাংস্তৎ ক্ষন্তুমর্হতি ॥৩৭॥

শঙ্খ উবাচ ।

ন কুপ্যে তব ধর্ম্মজ্ঞ ন ত্বং দূষয়সে মম । ধর্ম্মস্তু তে ব্যতিক্রান্তস্ততস্তে নিষ্কৃতিঃ কৃতা ॥৩৮॥
স ত্বং গত্বা বাহুদাং শীঘ্রং তর্পয়স্ব যথাবিধি । দেবান্ ঋষীন্ পিতৄংশ্চৈব মা চাধর্ম্মে মনঃ কৃথাঃ ॥৩৯॥

হায়রিবসে শোয়রম্না তৌগনি হায়না হায়া বাশকপিয়ু । অদুগা হায়জগে ॥৩১॥ নিংথৌনা মায়বদা লিখিতনা হায়ঃ— মহারাজ! ঐগী ঈয়াম্বা শঙ্খ হায়বদিনা মখুৎনা ঐংঙান্দা উঠহন্দি পীখিদে। অদুবু ঐনা মপূ মাবু তাকনা মাগী আশ্রমদগী উটেং হেক্লুনা চারুরে। ঐ হুয়ানবগী থবক তৌরুরে। মতীক চাবা দণ্ড (দণ্ডি) হৌজিকথক ঐংঙান্দা পীবিয়ু থীংবিগনু ॥৩২॥ নিংথৌ স্বত্যমনা হায়রকই:— ব্রাহ্মণ অথোইবা । ব্রাহ্মণ নংঙান্দা দণ্ডি পীবদা নিংথৌগী অধিকার লৈয়বদি অদুগা নিংথৌমক্কা প্রমান ওইয়বদি ব্রাহ্মণ নহাকী দোষ লৈতে হায়না মীমাংসা (য়ায়েপ) পীবদসু নিংথৌ ঐগী অধিকার অমদি প্রমান ওইয়সনু ॥৩৩॥ "অদুনা নিংথৌ ঐনা অনুমোদন তৌরি, য়াখি, মীমাংদা পীরি ব্রাহ্মণগী করিগুম্বা দোষ পাপ অমত লৈতে । মসমদি ব্রাহ্মণদি মহাব্রত কনশ্রবা তপস্বী অমনি। অদুনা অসি নত্তবা অতোপ্পা অপাম্বা অম তাকপিয়ু, কচ্চগে,, ॥৩৪॥ বেদব্যাসনা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির । নিংথৌ স্বত্যমনা অতোপ্পা অপাম্বা অমা তাকপিয়ু হায়না হায়জরবদা "অতৈ অতোপ্পা অপাম্বা অমত লৈত্তে, ঐঙোন্দা দণ্ডি পীবা নত্তনা ঐ অতৈ অমত পামদে" অসুম্বা হায়দুনা লিখিতনা কারগুম্বা অতোপ্পা অমত নিংথৌদা নিজে ॥৩৫॥ অদুদগীদি নিংথৌ স্বত্যমনা মহাত্মা লিখিতকী মখুৎ অনীমক কক্লথখি। দণ্ডি অদুবু হুমাউনা য়াম্বুন ঈহং নাইহংশানা লিখিত অসি মকম অদুদগী চৎখি ॥৩৬॥ চৈনা অদু কংনকংনা লিখিতনা ময়াম্বা শঙ্খগী নাক্তা লাক্লুনা অসুম্বা হায়রৈঃ— য়াম্বুং! ঐগী য়াখল অমদি বুদ্ধি অসে য়াম্না থীনা মাংলুরবনি। অদুনা নত্তবা থবক অসি ঐনা তৌগ্রবনি। অদুগীদমক ঐ দণ্ডি অসি লোরুরে। হৌজিক্তি য়াম্বুংনসু ঐগী দোষ-মরল অসি কোকপিয়ো। ক্ষমাবা ঙাক্কপিয়ু । ॥৩৭॥ শঙ্খনা হায়ঃ— ধর্ম্ম খঙলবা! ঐ নঙোন্দা কয়িমত শাউবা লৈতে । মরমদি নংনা ঐগী মাঙনবা করিমত তৌখিদে । নংনা অধর্ম্মগী পাপকী থবক অমতং তৌখিবদুদা খুংঙাইমনখিদদুনা নংগীদমক য়ামনগ্রদুনা ইহলোকত মাদু কোকহোনবা ঈয়াম্বনা উপায় অমদি প্রতীকার অমতং থিবনি ॥৩৮॥ লিখিত। চৎলু নং থুনা য়াঙনা, বাহুদাকী চৌবী তুয়েলদা চত্তুনা দেবতাশিংগী ঋষিশিংগী অমদি পিতৃলোকশিংগী

তত্র তদ্বচনং শ্রুত্বা শঙ্খস্য লিখিতস্তদা । অবগাহাপগাং পুণ্যামুদকার্থং প্রচক্রমে ॥৪০॥
প্রাদুরাস্তাং ততস্তস্য করৌ জলজসন্নিভৌ । ততঃ স বিস্মিতো ভ্রাতুর্দর্শয়ামাস তৌ করৌ ॥৪১॥
ততস্তমব্রবীচ্ছঙ্খস্তপসেদং কৃতং ময়া । মা চ তেঽত্র বিশঙ্কাভূদ্দৈবমত্র বিধীয়তে ॥৪২॥

লিখিত উবাচ

কিন্তু নাহং ত্বয়া পূতঃ পূর্ব্বমেব মহাদ্যুতে ! । যস্য তে তপসো বীর্য্যমীদৃশং দ্বিজসত্তম ! ॥৪৩॥

শঙ্খ উবাচ ।

এবমেতন্ময়া কার্য্যং নাহং দণ্ডধরস্তব । স চ পূতো নরপতিস্ত্বঞ্চাপি পিতৃভিঃ সহ ॥৪৪॥

ব্যাস উবাচ ।

স রাজা পাণ্ডবশ্রেষ্ঠ ! শ্রেয়ান্ বৈ তেন কর্ম্মণা । প্রাপ্তবান্ পরমাং সিদ্ধিং দক্ষঃ প্রাচেতসো যথা ॥৪৫॥
এষ ধর্ম্মঃ ক্ষত্রিয়াণাং প্রজানাং পরিপালনম্ । উৎপথেহন্যো মহারাজ ! মা স্ম শোকে মনঃ কৃথাঃ ॥৪৬॥

তর্পন তৌরু। অধর্ম্ম'গী মায়কৈদা নপুক্নীং চঙঙ্ মগনু ॥৩৯॥ শঙ্খগী বাসি ত্তাবদা লিখিতনা শোংলুবা খংহদা তুরেন্দা স্নান তৌরগা তর্পন তৌগে হায়রুনা নীঙকপা মতম অদুমক্তদা মাগী খকঙবা পাম্বোম অনীদু খঙহৌদনা থম্বাল অনৌঙুয়া চোঙথোরকই। অদুদগী মহাক্না অতকপা হৱাউখগা লোয়ননা মাগী শৌদোয়ক্লিবা পাম্বোম অনী অদু ময়াম্বা শঙ্খগী মনাক্ ত্তায়া চৎখিরুনা উহনখি ॥৪০—৪১॥ মতম অদুদা শঙ্খনা লিখিতদা অসুম্না হায়রকই:— লিখিত ! মাসে, ঐনা ঐগী তপস্যাগী শক্তিনা তৌরিবনি। অদুনা বিষয় অসিদা নং অমুক তকপা তৌরদু। বিষয় অসিদা দাইনা তত্বা হায়বদুতনা অশেংবা প্রমাণনি ॥৪২॥ লিখিতনা হায়:— মহাতেজ কল্লবা ব্রাহ্মণ অথোইবা। মাসিমক্না নহাকী তপস্যাগী শক্তিনা তৌবা থংক্ মগুইরবদি রাজদণ্ড অসি কংত্রিরৈন্দা মচ'কী তপস্যাগী শক্তিনা ঐবু পাপতগা কোকপিহৌত্রিবা করিনীনো ? ॥৪৩॥ শঙ্খনা হায়:— ইবুঙো ! চুম্মি, নংনা হায়বা অদুবু, রাজদণ্ড অদুপীবগী অধিকার ঐহোন্দা লৈতে। নহোন্দা অসিগুম্বা দণ্ডদান তৌবদগী পুত্যম হায়বা নিংথৌ অদুম্ মাগী খম্নোয় হকচাংদা পুমশেং শেংখ্রে। নহাকসু পিতৃলোক পুম্নমক্ লোয়ননা পুমশেং শেংলবনি ॥৪৪॥ বেদব্যাসনা হায়:— পাণ্ডব অথোইবা যুধিষ্ঠির। নিংথৌ পুত্যমনা অসিগুম্বা মাগী মথৌ অদু তৌখিবদুগী মহৈনা প্রচেতাগী মচা দক্ষগুম্না অথোইবা সিদ্ধিবু ফংবা ঙমখি ॥৪৫॥ শাস্ত্র য়াদবা থবক্ তৌবদগী পুখ পাপতগী প্রজাশিংবু কনবিনমবগীদমক্ নিংথৌনা তৌখিবা মথৌ অদু নিংথৌ মাগী অথোইবা ধর্ম্মনি। অদুবা য়ায়বত্ নিংথৌ ওইবু। ॥৪৬॥

বাহুবল মিদং ক্ষাত্রং শৃণু ধর্ম্মজ্ঞাত্মজ ।। দণ্ড এব হি রাজেন্দ্র । ক্ষত্রধর্ম্মো ন মুণ্ডনম্ ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে ব্যাসবাক্যে ত্রয়োবিংশোঽধ্যায়ঃ ।২৩।

——:—:— —

ধর্ম্ম খঙবা নিংথৌ অথোইবা। নমাও অর্জ্জুননা হায়রিবা কায়বা রাসে মহাক নৌ। রাজদণ্ড পায়রবা প্রজাবু অচুম চম্মীদা পুশিনবা কপতনা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মনি। মু কোক্‌খোকতুনা সন্ন্যাসী ওয়শিবনা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্ম নত্তে ॥৪৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চাযনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মতুংদা ব্যাসনা হায়বী তুনহমদোইরবা অধ্যায় লোইরে ।

——:❁:——

শ্রীমহাভারতম্

(চার্ব্বাকনিগ্রহগী মতাংদা ব্যাসনা হায়বা)

চতুর্ব্বিংশোঽধ্যায়ঃ

কুনর্মারিরবা অধ্যায় ।

— —:(:°:):— —

বৈশম্পায়ন উবাচ

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনং তথৈবামনো মুনিঃ । [illegible] ।১।
[illegible] ! বাহুশালেরন্ত মহাবাহো ! যথা [illegible] যুধিষ্ঠির ।২।
[illegible] ! [illegible] মহারথাঃ ।। [illegible] পৃথিবীং পার্থ ! মহাক্ষিতিব [illegible]
(ক্রমশঃ)

বৈশম্পায়ননা হায়:— মহারাজ ! জনমেজয় ! মহর্ষি, বেদব্যাসনা কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠিরদা অমুক্তা হায়রকই:— ।১। ইবুঙো ! নিংথৌ ! যুধিষ্ঠির ! বনবাসগী মতমগী পুক্‌চেল চাঙবদা, মহিষসক্তা অহাবা কয়া বাজত্তরবা মনাডশিং অনিনা তৌরকপা অপাদো মংবা

অরণ্যে দুঃখবসতিরনুভূতা তপস্বিভিঃ । দুঃখস্যান্তে নরব্যাঘ্র ! সুখান্যনুভবস্ব বৈ ॥৪॥
ধর্ম্মমর্থঞ্চ কামঞ্চ ভ্রাতৃভিঃ সহ ভারত ! । অনুভূয় ততঃ পশ্চাৎ প্রস্থাতাসি বিশাম্পতে ! ॥৫॥
অর্থিনাঞ্চ পিতৃণাঞ্চ দেবতানাঞ্চ ভারত ! । আনৃণ্যং গচ্ছ কৌন্তেয় ! তৎ সর্ব্বঞ্চ করিষ্যসি ॥৬॥
সর্ব্বমেধাশ্বমেধাভ্যাং যজস্ব কুরুনন্দন ! । ততঃ পশ্চান্মহারাজ ! গমিষ্যসি পরাং গতিম্ ॥৭॥
ভ্রাতৃংশ্চ সর্ব্বান্ ক্রতুভিঃ সংযোজ্য বহুদক্ষিণৈঃ । সম্প্রাপ্তঃ কীর্ত্তিমতুলাং পাণ্ডবেয় ! ভবিষ্যসি ॥৮॥
বিদ্মস্তে পুরুষব্যাঘ্র ! বচনং কুরুসত্তম ! । শৃণু চৈবং যথা কুর্ব্বন্ ন ধর্ম্মাচ্চ্যবসে নৃপ ! ॥৯॥
আদদানস্য বিজয়ং নিগ্রহঞ্চ যুধিষ্ঠির ! । সমানং ধর্ম্মকুশলাঃ স্থাপয়ন্তি নরেশ্বর ! ॥১০॥
দেশকালপ্রতীক্ষী যো দস্যূন্মর্ষয়তে নৃপঃ । শাস্ত্রজাং বুদ্ধিমাস্থায় যুজ্যতে নৈনসা হি সঃ ॥১১॥
আদায় বলিষড়্ভাগং যো রাষ্ট্রং নাভিরক্ষতি । প্রতিগৃহ্লাতি তৎ পাপং চতুর্থাংশেন ভূমিপঃ ॥১২॥

থংবা। অহনা নহাক্ নহবপীমচা যথাতিগুম্না পৃথিবী অসিবু শাসন তৌ ॥২—৩॥ নিপা অখোইবা ! নংগী কল্লবা ননাওশিং অসিনা চহী মতম কুইনা বনচংপগী অৱাবা থুদোংবীবা কয়া কয়া নংগী দমক্ কোক্থোঙ নাজখ্রবনি। অৱাবগী মতুংদা অমুক্ থুংডাইবা হায়বসি হৌনশানি, হৌজিক্ অমুক্ থুংডাইয়ে। ॥৪॥ ভরতপাগী হরাউ থুংডাইনবগী মথক্ ওইরবা ! নহাক্ ননাওশিংসিগা লোয়ননা ধর্ম্ম অর্থ কাম অহুম অসি কংলবা তুংদা পরলোকুত নীঙথায়বা লৈতনা চৎখিনবা তৌগদবনি ॥৫॥ ভারতনন্দন ! নহাক হৌজিক দান তৌদুনা, যজ্ঞ তৌদুনা পিতৃমাতৃতর্পন তৌদুনা পিতৃলোকশিংদগী চোজিবা লমন অমু কোক্নবা তৌ। দেবতাশিংগী পূজা তর্পননচিংবা তৌদুনা দেবঋণ (লাইগী লমন) দগী কোক্নবা তৌরো। মাসিমু তৌগে মহাগ্রবদি গৃহস্থাশ্রমদা লৈরবতনি মথুংদানা তৌবা তম্পদবা ॥৬॥ কৌরবনন্দন নিংথৌ ! নহাক সার্ব্বমেধ অহুম অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌনমবা তৌ। অদুগী তুংদা অখোইবা গতিমু কংবা ঙমগনি ॥৭॥ পাণ্ডুনন্দন ! মহাক্কা কল্লবা ননাওশিং অসিমু যজ্ঞী যচাক মরম পুথা লৈখৎ তাক্লিনবগী থবক্তা শীজিন্নরগা দানদক্ষিনা য়াম্না তৌবা যজ্ঞ পাঙথোক্লগা অখোইবা থিংচৎ কংগনি ॥৮॥ নিপা অখোইবা, কৌরব অখোইবা ! নংনা হৌজিক ঐতোপ্পা হংগদোরিবা য়াদো ঐ হায়গে থওলে ! মাদু ঐ হায়গে তাও ॥৯॥ নিংথৌ যুধিষ্ঠির ! ধর্ম্মগী তত্ত্ব খঙবা থওলবশিংনা অরবু ওইরবসু শরাজয়বু ওইরবসু কংলগা অনীসি অমতনি হায়না থওদুনা "তত্ত্বা মায়থীবা" অনীসিমক থাক অমতদা থম্মি ॥১০॥ রাজনীতি শাস্ত্রবা হায়বা নিয়মবিধি অদুগী মতুং ইন্না দেশকাল য়েংদুনা হুয়ানবিশিংগীদমক্তা কাওবা কন্নবা চাকপি হৈবগী মীৎয়েংনা য়েংবিবা নিংথৌ অদো, মহাক্কা হিংসাপাপকী থবক্তা করিঙবা মতমদা থৃবীং থিংজিন্নমখোইদৌবনি ॥১১॥ প্রজাশিংগী মুক্তমগী মখোয়না থোক্হল্লিবা তাথোক

নিরোধ চ যথা তিষ্ঠন্ ধর্ম্মাৎ চ্যবতে নৃপঃ । নিগ্রহাদ্ধর্ম্মশাস্ত্রানুরূপাৎ ... ।১৩।
কামক্রোধবশাদ্ভৃত্যা বিত্তেব সমদর্শনঃ । শাস্ত্রজ্ঞাং বুদ্ধিমাশ্রায় বুজ্যতে নৈনসা হি সঃ ।১৪।
দৈবেনাভ্যাহতো রাজা কর্ম্মকালে মহাদ্যুতে ! । ন সাধয়তি যৎ কর্ম্ম ন তত্রাহুরতিক্রমম্ ।১৫।
তরসা বুদ্ধিপূর্ব্বং বা নিগ্রাহ্যা এব শত্রবঃ । পাপৈঃ সহ ন সন্দধ্যাদ্রাষ্ট্রং পুণ্যঞ্চ কারয়েৎ ।১৬।
শূরাশ্চার্য্যাশ্চ সৎকার্য্যা বিদ্বাংসশ্চ যুধিষ্ঠির ! । গোমিনো ধনিনশ্চৈব পরিপাল্যা বিশেষতঃ ।১৭।
ব্যবহারেষু ধর্ম্মেষু যোক্তব্যাশ্চ বহুশ্রুতাঃ । প্রমাণজ্ঞা মহীপাল ! ন্যায়শাস্ত্রাবলম্বিনঃ ।১৮।
বেদার্থতত্ত্ববিদ্বাংসন্ । তর্কশাস্ত্রবহুশ্রুতাঃ । মন্ত্রে চ ব্যবহারে চ নিয়োক্তব্যা বিজানতা ॥১৯॥
তর্কশাস্ত্রকৃতা বুদ্ধির্ধর্ম্মশাস্ত্রকৃতা চ যা । দণ্ডনীতিকৃতা চৈব ত্রৈলোক্যমপি সাধয়েৎ ।২০।

অহুগী তঙ্গককী শরুক অমতনু মরোমগা লৈপাকপু ঙ কন্নব নিংথৌ অ:দ, প্রজা পংবা তৌবা পাপকী শরুক মরিগী শরুক অমা মহাক্না ক:ভি ॥১২॥ যুধিষ্ঠির। মতৌ করম্না চৎপগা ক্ষত্রিয় নিংথৌনা ধর্ম্মগী লম্বীদগী নাম্বোকতবগে হায়রবগী মরমদা ঐ হায়গে তাও। অহুগা নহাক্না করিমত হৌলেংবা তৌদনা ধর্ম্ম শাস্ত্রগী নিয়মবু থুগাইদুনা ননীঙ নখাক্তম্না চৎনাঙবা লম্বীতদা মচৎপবদি নহাক ধর্ম্মভ্রষ্ট (ধর্ম্ম কায়বা) হায়বা মীশকনু ওইরবনি ॥১৩॥ মপানা মচাশিংদা মীৎয়েং অমতদা য়েংবদুগুম্না রাজধর্ম্ম শাস্ত্রগী বিধি মখুং ইম্না কাম ক্রোধনচিংবনু নম্‌হত্তুনা মরুপ য়েক্লবা অনিমক্তা চপ মান্নবা, মীচঙ মীথানাইদনা চৎপা নিংথৌ অদো করিগুম্বা পাপ অমত পুত্রে ॥১৪॥ তেজ করবা যুধিষ্ঠির। নিংথৌ অমনা থাগী মথৌচপ চানা তৌরকপা মতমদা লাইনা ভম্বা অপনবা মৈথায়বা অমুনা মথৌ অদু পাঙথোকপা তমত্রবদি মহাক অদু মথৌ থাদোকপা, মথৌবু থোঙইদবা মীশক অমনি হায়বা য়াদে ॥১৫॥ নিংথৌনা মুক্না থওলে তারে হায়রগা য়েক্লবশিংবু নৈনম্‌হৎকদবমক্তি । পাপী ওইব, কল্লবা য়েক্লবশিংগা য়ারিবমথৈ সন্ধি থক তৌরোইদৌবনি । নিংথৌনা তৌপদবা হায়বদু ধর্ম্ম কায়দনা রাজ্য শাসন তৌবা অহুগা যাগযজ্ঞনচিংবা পূণ্য কর্ম্ম তৌবা অসিনি ॥১৬॥ যুধিষ্ঠির। নিংথৌ হায়বসিনা অকনবা মীবু লজ্জন অমদি বিদ্বান (মহৈ হৈবা) ওইবা মীবু ঐকায়থুম্নবিগদবনি। শাগল য়াম্না লৈবা, মরল য়াম্না লৈবা প্রজাবু য়োকথৎকদবনি ॥১৭॥ নিংথৌ। থৎনচৈবগী বিচারদা ধর্ম্মকর্ম্মদা য়াম্না উশিনবা সাক্ষী প্রমাণনচিংবা শীবদা য়াম্না হৈশিংবা, ন্যায়তর্ক য়াম্না হৈবা মীবু থবক্তা শীজিন্নগদৌবনি ॥১৮॥

বেদগী অর্থ পুম্বা তত্ত্বগা লোয়ননা খঙলবা। নতাক্কি অমুক্ তাক্লাওতায় নৈতনা ধর্ম্ম পুম্বা লোইনা খঙলবনি। অদুনা রাজকার্য্যবু পাঙথোকপা মতমদা মন্ত্রণা য়াম্না হৈবা বাদবিবাদদা মীমাংসা য়ারেপ চপ চানা পীওম্বা, তর্কশাস্ত্র হৈবাশিংবু রাজকর্ম্মচারী ওইনা হাপকদৌবনি ॥১৯॥ তর্কশাস্ত্রদা, ধর্ম্মশাস্ত্রদা অমদি দণ্ডনীতিদা য়াম্না মুম্না য়েংশিল্লগা নৈনম্নগা পোক্লকপা

মিবোজ্যা বেদতত্ত্বা যজ্ঞকর্ম্মসু পার্থিব ।। বেদজ্ঞা যে চ শাস্ত্রজ্ঞাস্তে চ রাজন্ ! স্বযুদ্ধে: ।২১।
আন্বীক্ষিকীত্রয়ীবার্ত্তা দণ্ডনীতিষু পারগা: । তে তু সর্ব্বত্র যোক্তব্যাস্তে চ বুদ্ধে: পরং গতা: ।২২
তদ্যুক্তেহপি নৈকস্মিন্ বিশ্বসেত বিচক্ষণ: । অরক্ষিতা দুর্বিনীতো মানী স্তব্ধোহভ্যসূয়ক: ।
এনসা যুজ্যতে রাজা দুর্দ্দান্ত ইতি চোচ্যতে ।২৩।
যে রক্ষ্যমাণা হীয়ন্তে দৈবেনাভ্যাহতা নৃপ ।। তস্করৈশ্চাপি হীয়ন্তে সর্ব্বং তদ্রাজকিল্বিষম্ ।২৪।
স্বমন্ত্রিতে সুনীতে চ ধর্ম্মতশ্চোপপাদিতে । পৌরুষে কর্ম্মণি কৃতে নাস্ত্যধর্ম্মো যুধিষ্ঠির ! ।।২৫।।
বিচ্ছিদ্যন্তে সমারম্ভা: সিধ্যন্তে চাপি দৈবত: । কৃতে পুরুষকারে তু নৈন: স্পৃশতি পার্থিবম্ ।।২৬।।
অত্র তে রাজশার্দ্দূল ! বর্ত্তয়িষ্যে কথামিমাম্ । যদ্বৃত্তং পূর্ব্বরাজর্ষের্হয়গ্রীবস্য পাণ্ডব ! ।২৭।।
শত্রূন্ হত্বা হতস্যাজৌ শূরস্যাক্লিষ্টকর্ম্মণ: । অসহায়স্য সংগ্রামে নির্জ্জিতস্য যুধিষ্ঠির ! ।২৮।

(যুগ্মকম্)

বুদ্ধি অদুগী পাশৈনা তাঁইবং মীনা মরোল অদুম্ মথাপোলহনবা ওন্নি ।।২০।। নিংথৌ। যজ্ঞগী থবক যেম থবক যজ্ঞগী তত্ত থবা মীশিংবু শাস্ত্রজ্ঞগদবনি বেদশাস্ত্রগী জ্ঞান লৈবা মীশিংগী মসুন্নিসে মচৌন য়াম্না ফুবনি ।।২১।। তর্কশাস্ত্রদা, বেদদা, খাউপুবগী থবক্তা' দণ্ডনীতিদা চঙখোনবা মীশিংবু নিংথৌগী থবক পুম্বদা থিংজিনগদৌবনি । মসমাক মথোয়সিগী বুদ্ধিসে নৈন নৈনবগা অপুনবম চাওখৎলকপনি ।।২২।। শুননা ফিগ্রবম্ভ মীশক অমতদা অশিংবা মীনা মপুংফানা থাজনদে । প্রজাশিংবু ঙাকবা মতম্ রাম্ হাইগৎপা, থোয়বা, থবক্তি তৌদব অতোপপগী দোষক থিদুনা নিংথৌকদবগী হোৎনবা, নিংথৌ অদো মহাপাপীনি । প্রজাপুম্বনা মাবু অমঙবনি শাথিবনি ঙায় থাবনি হায়রৈ ।।২৩।। নিংথৌ ! আধিদৈবিক উপদ্রবতগী হায়বদি নোং য়াম্ অবনা চিংবদগী প্রজাশিংগী অমাঙবা অইরিবদো, অদুগা হুরানবা ডাকুনচিংবদগী মরল মথম্ কংলিবদো নিংথৌগী পাপনি, হায়বদি নিংথৌনা মাদুগী দায়িনী ।।২৪।। যুধিষ্ঠির ! মন্ত্রীশিংগা যুম্না ভানদুনা তৌথিবা থবক অদুগা য়ামলাই কায়দনা কয়া নোমদুনা তৌথিবা থবক অদো, মাদুদা অধর্ম্ম কয়িবতা য়াওদে ।।২৫।। নিপা থোয়া থবক তৌবগা লাইবক্তা তত্তা হায়বদুনা যিকদুনা মকৈরবদি থবক অদু থাওথোকপা তাকপা য়াদিঙ । অদুগা লৈবনা হায়বদি লাইবক্তা তত্তা হায়বদুনা ফুরৈরনা হেক অমাং্রবদি পুরুষকার য়াওরবম্ থবক অদু অদুম্ মপাওথোকই । মাসিদা ' নিংথৌগী ' ফাওবা ' পাপ দোষ নচিংবা অমত লৈতে ।।২৬।। নিংথৌ অথোইবা যুধিষ্ঠির ! রাজর্ষি হয়গ্রীব হায়বা নিংথৌ অমা পায়রম্মি । মহাক অসি য়াম্না ফনবা অদুগা থবক্ তৌবদা অয়াবা চোকথবা লৈতবা মীশক অমনি । অদুম্ মরৈথুদা মহাক য়েক্কুশিং কয়াবু হাৎলম্লগা চঙখৎ লৈতবা মর্ত্তা লালগী য়ায়থীং কংদুনা মথয়াই থাথি । মাগী য়াথেং এ মহা কী মকমদা লীগে ।।২৭—২৮

যৎ কর্ম্ম বৈ নিভৃতে রাজবর্য্যাৎ যোগক্ষেমাঃ পালয়ে মানবানাম্ ।
কৃত্বা কর্ম্ম প্রাপ্য কীর্ত্তিং স যুক্ত্বা বাজিগ্রীবো মোদতে দেবলোকে ॥২৯॥
সন্ত্যক্তাত্মা সমরেষ্বাততায়ী শস্ত্রৈশ্ছিন্নো দস্যুভির্দ্দ্যমানঃ ।
অশ্বগ্রীবঃ কর্ম্মশীলো মহাত্মা সংসিদ্ধার্থো মোদতে স্বর্গলোকে ॥৩০॥
ধনুর্যূপো রশনা জ্যা শরঃ স্রুক্ স্রুবঃ খড়্গো রুধিরং যত্র চাজ্যম্ ।
রথো বেদী কামগো যুদ্ধমগ্নিশ্চাতুর্হোত্রং চতুরো বাজিমুখ্যাঃ ॥৩১॥
হুত্বা তস্মিন্ যজ্ঞবহ্নাবথারীন্ পাপান্মুক্তো রাজসিংহস্তরস্বী ।
প্রাণান্ হুত্বা চাবভৃথে রণে স বাজিগ্রীবো মোদতে দেবলোকে ॥৩২॥

(যুগ্মকম্)

রাষ্ট্রং রক্ষন্ বুদ্ধিপূর্ব্বং নয়েন সন্ত্যক্তাত্মা যজ্ঞশীলো মহাত্মা ।
সর্ব্বাল্লোঁকান্ ব্যাপ্য কীর্ত্ত্যা মনস্বী বাজিগ্রীবো মোদতে দেবলোকে ॥৩৩॥
দৈবীং সিদ্ধিং মানুষীং দণ্ডনীতিং যোগন্যাসৈঃ পালয়িত্বা মহীঞ্চ ।
তস্মাদ্রাজা ধর্ম্মশীলো মহাত্মা বাজিগ্রীবো মোদতে দেবলোকে ॥৩৪॥

য়েক্কবু ঙমগে মন্নুংদুক্কে হায়রবদি নিংথৌ অমমা তৌপদবা থবক অদুবু অদুগা প্রজাশিংবু ঙাকে য়োকে হায়রবদি নিংথৌ অমনা পায়কৎকদবা উপায় অদুবু তৌরুমা হয়গ্রীব হায়বা নিংথৌ অসি ল্যাণ্ডা পান্দবীঙডায় লৈতবা মিচং কংদুনা অদুগীডুদা স্বর্গদা মুংঙাইববু তোপ তৌরুমা লৈরি ॥২৯॥ হুয়ানবা ডাকুশিংগী মতৌঙয় হুয়াল লায়দা। হৈনবা য়েক্কবশিংনা খুৎলায়না মশাপুম্বা ঊহং নাইহং শানা হোগায় থিনগাইহনখ্রবদা থবক্তা হন্দবা মহাত্মা ওইরবা মপুত্ত খুৎলাক্ত পায়বা হয়গ্রীবনা মথোপুম্ব পাঙথোকলমহনা লালুকপদা মথ্যায় থাবমহনা নোংমদোল লাইরেম্বাক্তা মুংঙাইবা কংহনা লৈরি ॥৩০॥ অদুগুম্বা যজ্ঞী মশক ওইরবা লাল অদুদা লীকংনা যুপকাষ্ঠ [যজ্ঞী যুম্বী] ওইখি, লীরীনা যজ্ঞী বলিগী শা পুম্বনবা থোরী ওইখি, তেন্না স্রুগ্, খাঙনা খাবৈ, ঈনা ঘী, রথনা বেদী, লান্না মথন্ত হৌজবা মৈ, শগোল মরিনা হোম তৌবা ব্রাহ্মণ, অম্বরায়. ব্রহ্মা, সনসং মরি অসি ওইখি। কল্লবা নিংথৌ অথোইবা হয়গ্রীবনা অদুগুম্বা যজ্ঞী মশক ওইরবা লালগী মৈ অদুদা অহানবদা য়েক্কবাশিংবু হোম তৌরগা মতুংদা মশা মথন্তুম্ব হোম তৌশিনরগা, পাপ পুম্বমক্তগী নাম্বোকহনা লাল লোইবা হায়বগী মশক ওইরবা যজ্ঞ লোইবগী স্নান তৌদুনা মশা তসেং তশেংনা নোংমদোল থক্ত কাখিদুনা লাইরেম্বাক্তা মুংঙাইনা কংদুনা লৈরি ॥৩১–৩২॥ যজ্ঞ তৌগদবা, মহাত্মা ওইরবা নিংথৌ হয়গ্রীবনা অহানবদা নীতিগী হৈশিংবা বুদ্ধিনা লৈপাক ঙাকহনা, শিংচেৎপু মায়রৈ মরিমক্তা শন্দোকলমহনা তাবিবং লাইরেম্বাক্তা মুংঙাইনা লৈরি ॥৩৩॥ ধর্ম্মদা পুক্লীং চংলবা, মহাত্মা ওইরবা নিংথৌ হয়গ্রীবনা

বিদ্বাংস্ত্যাগী শ্রদ্দধানঃ কৃতজ্ঞাস্তুষ্টা লোকং মানুষং কর্ম কৃত্বা ।
মেধাবিনাং বিদুষাং সম্মতানাং তপস্বিনাং লোকমাক্রম্য যাতা ॥৩৫॥
সম্যগ্বেদান্ প্রাপ্য শাস্ত্রাণ্যধীত্য সম্যগ্রাজ্যং পালয়িত্বা মহাত্মা ।
চাতুর্বর্ণ্যং স্থাপয়িত্বা স্বধর্মে বাভিপ্রীতো মোদতে দেবলোকে ॥৩৬॥

(যুগ্মকম্)

জিত্বা সংগ্রামান্ পালয়িত্বা প্রজাশ্চ সোমং পীত্বা তর্পয়িত্বা দ্বিজাগ্র্যান্ ।
যুক্ত্যা দণ্ডং ধারয়িত্বা প্রজানাং যুদ্ধে ক্ষীণো মোদতে দেবলোকে ॥৩৭॥
বৃত্তং যস্য শ্লাঘনীয়ং মনুষ্যাঃ সন্তো বিদ্বাংসোঽর্হণীয়ম্ ।
স্বর্গং জিত্বা বীরলোকানবাপ্য সিদ্ধিং প্রাপ্তঃ পুণ্যকীর্তির্মহাত্মা ॥৩৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে ব্যাসবাক্যে চত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ ॥৪০॥

—(:.:)—

যোগ অমসুং দানগী শক্তিনা ধর্ম্ম তাম্বুনা অহংগা লায়রিচিংবা উপায়না, লাম্নাইশিংবু নাওখিনা লেপ্পাবা হৈবগী শক্তিনা পৃথিবীবু শাসনপালন তৌবগা, ধর্ম্ম অমুগী ওপনা হৌজিক্কাক স্বর্গগী সুংগাইবা কংহুনা লৈরি ॥৩৪॥ মহৈ তৈরবা, দানতৈরবা, শাস্ত্রবু খাজবা, তৌবিধল থৌবা, মহাত্মা ওইরবা নিংথৌ হয়গ্রীবনা বেদ অমসুং অতৈ অতৈ শাস্ত্রবু তৈনবা তম্বা, নাওখিনা প্রজাবু য়োকপা ঙাকপা, যজ্ঞনচিংবা অকনবা থবক্, ব্রাহ্মণনচিংবা বর্ণ মখিবু মাগী মাগী ধর্ম্মদা চেকশিন্না থনমহুনা মর্ত্যলোকপু থাদোকখ্লবহুনা মেধাবী বুদ্ধিমান ওইরবা মিনা সুংশিবা মীশিংগা কংগদবা লোক পূর্ণমক্ত্রগীস্থ লাক্হোকখিত্রনা লাইবৈরাকতা সুংগাইবা কংহুনা লৈরি ॥৩৫—৩৬॥ হয়গ্রীবনা লান্দা জয় ওইবা, প্রজাবু য়োকপা ঙাকপা, সোমরসবু নিয়ম চুনা থকপা ব্রাহ্মণশিংবু পেনহনবা প্রজাশিংবু সামদানদণ্ড ভেদনা ঙাকপা আসৈনচিংবগী শক্তিনা মকুংদা লালদা থবাই থাদহুনা লাইবৈরাকতা সুংগাইবা কংহুনা লৈরি ॥৩৭॥ লমচৎ কজবা, মহৈ হৈবা মীশিংনা মহাক্কী থাগৎলীবতায় ওইরবা, ঈকায়খুম্নীবতায় ওইরবা লমচৎপু শক্ত শোয়খিবা অহুম্বা পুণ্য চেন্নবা মহাত্মা ওইরবা হয়গ্রীবনা স্বর্গ অমসুং বীরলোক অনিমকপু কংজবা পুণ্যকর্মগী মহৈবু কংহুনা লোকপগী মহৈ য়ানাখি।

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোকশিংগী চাযনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মফুংদা ব্যাসবাক্যগী কুনথরি তরা অধ্যায় লোইরে।

———

মহাভারতম্

(সেনজিতকী বাৰী)

পঞ্চবিংশোঽধ্যায়ঃ

কুমশুৰা শুবা অধ্যায়ঃ

—(*)—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

বৈশম্পায়নবচঃ শ্রুত্বা কুপিতে চ ধনঞ্জয়ে। ব্যাসমামন্ত্র্য কৌন্তেয়ঃ প্রত্যুবাচ যুধিষ্ঠিরঃ ॥১॥

যুধিষ্ঠির উবাচ

নপার্থিবমিদং রাজ্যং ন ভোগাশ্চ পৃথগ্‌বিধাঃ। প্রীণয়ন্তি মনো মেঽদ্য শোকো মাং রুন্ধয়ত্যয়ম্ ॥২॥
শ্রুত্বা বীরবিহীনানামপুত্রাণাঞ্চ যোষিতাম্। পরিদেবয়মানাং শান্তিং নোপলভে মুনে। ॥৩॥
ইত্যুক্তঃ প্রত্যুবাচেদং ব্যাসো যোগবিদাং বরঃ। যুধিষ্ঠিরং মহাপ্রাজ্ঞো ধর্মজ্ঞো বেদপারগঃ ॥৪॥

ব্যাস উবাচ।

ন কর্মণা লভ্যতে চেজ্যতে বা নাপ্যস্তি দাতা পুরুষস্য কশ্চিৎ।
পর্য্যায়যোগাদ্বিহিতং বিধাত্রা কালেন সর্বং লভতে মনুষ্যঃ ॥৫॥
ন বুদ্ধিশাস্ত্রাধ্যয়নেন শক্যং প্রাপ্তুং বিশেষং মনুজৈরকালে।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— অর্জুননা বেদব্যাসতা রাগ তাবদা শান্তিবিহুদা কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠিরনা বেদব্যাসদা চায়ৰকই ॥১॥ মহর্ষি। পৃথিবীগী নিংথৌ ওইবনা, মথন মথা অয়াম্বা রাজ্যভোগনা ঐগী পুক্নীংবু লেনহনবা ঙম্মোই। মরমদি অরাবনা ঐগী থম্মোয় অমি থিনগাইখ্রে ॥২॥ মুনি। মপুরোয়বা মচা মগু কায়নৰবী কপলাউরীবী নুপীশিং অসিগী তাংবা নাওইগী খোঞ্জেলবু তাবগা ঐগী পুক্নীংদা শান্তি লৈতে ॥৩॥ যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না হায়ৰদা যোগী অথোইবা মহাজ্ঞানী ধর্ম খঙলবা বেদ তৈবা বেদব্যাসনা অসুম্না হায়খি ॥৪॥ বেদব্যাসনা হায় ঃ— মীওয়মলেন লাইরমলেন অমিমক্তী থবক্তা খুদক্তা মহৈ ফংবা থক্ রাদে। কনাগুম্বা অমত্তনা অতোপপা কনাগুম্বা অমাবা নুংঙাইবর্থ মীওবা মতুং ইন্না পীবা ঙামদে

মূর্খোঽপি চাপ্নোতি কদাচিদর্থান্ কালো হি কার্য্যং প্রতি নির্বিশেষঃ ॥৬॥
নাভূতিকালেষু ফলং দদন্তি শিল্পানি মন্ত্রাশ্চ তথৌষধানি।
তান্যেব কালেন সমাহিতানি সিধ্যন্তি বর্দ্ধন্তি চ ভূতিকালে ॥৭॥
কালেন শীঘ্রাঃ প্রবহন্তি বাতাঃ কালেন বৃষ্টির্জলদানুপৈতি।
কালেন পদ্মোৎপলবজ্জলং চ কালেন পুষ্পন্তি বনেষু বৃক্ষাঃ ॥৮॥
কালেন কৃষ্ণাশ্চ সিতাশ্চ রাত্র্যঃ কালেন চন্দ্রঃ পরিপূর্ণবিম্বঃ।
নাকালতঃ পুষ্পফলং দ্রুমাণাং নাকালবেগাঃ সরিতো বহন্তি ॥৯॥
নাকালমত্তাঃ খগপন্নগাশ্চ মৃগদ্বিপাঃ শৈলমহামৃগাশ্চ।
নাকালতঃ স্ত্রীষু ভবন্তি গর্ভা নায়ান্ত্যকালে শিশিরোষ্ণবর্ষাঃ ॥১০॥
নাকালতো ম্রিয়তে জায়তে বা নাকালতো ব্যাহরতে চ বালঃ।
নাকালতো যৌবনমভ্যুপৈতি নাকালতো রোহতি বীজমুপ্তম্ ॥১১॥

বিধাতানা মতমগী মতুং ইন্না পুন্নমক শীল্লি, মীওইবনসু মতমগী মতুং ইন্না মহৈ কংই ॥৫॥ অদুগুম মীনা মাগী চেক্তবা ওইদ্রগী শাক্তনা মায় পায়বসু মতম হায়বহু লাকত্রি মথৈ লনথুম থক কংবা ওমদে। অপঙবা শাস্ত্র জ্ঞান নৈত্তবনসু মতমগী মতুং ইন্না লন্থুম মায় মকংই। মরম অদুনা মতম [কাল] হায়বসিতনা অদুবু মিগী থবক পাঙথোক্নবগী বিষয়দা মকোক থোংনা অথোইবা ওইনা চঙ্গকই ॥৬॥ মথুং মশা হৈবগী থবক্তা, মন্ত্রনা অমদি হিদাক্না মতম চাদনা হায়বদি মতম্ হায়বদুনা লাকত্রিবমথৈ মহৈ পীবা ওমদে। মথোয়নাসিনা মতমগী মতুংইন্না কোন্ন মহৈ মায়া পিরকপা মাই। মতম কয়কপদা মহৈ মায়া পি ॥৭॥ নুংশিৎসু মতম চায়বতদা হায়বদি মতমগী মাথং মতুং ইন্না শিংলি। নোংসু মতমগী মতুংইন্না তারিবনি মতম চানা, মতমনা লাক্রবদা ঈশিংদা থাম্বাম্না শাংলিবনি। মতমগী মতুং ইন্না পাম্বিদা মনামপাল মহৈ মায়-কপ্লিবনি। ॥৮॥ অহিংনা তোঙাল তোঙানবা মতমগী মতুং ইন্না অমুক তাল্লি অমুক মপিন্স মতমগী মতুংইন্না চন্দ্রমানা মপুং ফারকই মতম চাদনা কয়িতুম্বা হৈপাল লৈপাল অমতদা মনা মপাল মহৈ লাকপা নত্তে। মতম্ লাকত্রিমথৈ তুরেন্না কম্না চেনবা ওমদে ॥৯॥ শাউচেক্ শগোল শামু পুকা মতমগী মতুংইন্না তা-ওনকপা, মমায় কাবা ওইরক্লিবনি। মতম চাদ্রিবদা মথোয়না তিন্নথোকনবগী কাও মমায় কাবা ওইবা ওবা নত্তে। মতমচাদনা নুপীশিংনা গর্ভ পুবা ওবা নত্তে। মতম চাদনা কালেন্না, নিংথমথা নোংজুথা থক ওইকপা য়াদে ॥১০॥ মতম চাদনা কয়িতুম্বা কনাগুম্বা অমত্তনা পোকপা ওমদে। মতম লাকত্রিদেনা অঙাংনা মা তাওনকপা ওমদে। মতম চাদনা শাথং কারকপা থক য়াদে। লৈপাক্তা হুনথিবা মরুমনা

নাকালতো ভানুরুপৈতি যোগং নাকালতোঽস্তং গিরিমভ্যুপৈতি ।
নাকালতো বর্দ্ধতে হীয়তে চ চন্দ্রঃ সমুদ্রোঽপি মহোর্ম্মিমালী ॥১২॥

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্ । গীতং রাজ্ঞা সেনজিতা দুঃখার্ত্তেন যুধিষ্ঠির ! ॥১৩॥
সর্ব্বানেবৈষ পর্য্যায়ো মর্ত্ত্যান্ স্পৃশতি দুঃসহঃ । কালেন পরিপক্কা হি ম্রিয়ন্তে সর্ব্বপার্থিবাঃ ॥১৪॥
ঘ্নন্তি চান্যান্নরান্ ! রাজন্ তানপ্যন্যে তথা নরাঃ । সংজ্ঞৈষা লৌকিকী রাজন্ ! ন হিনস্তি ন হন্যতে ॥১৫॥
হন্তীতি মন্যতে কশ্চিন্ন হন্তীত্যপি চাপরঃ । স্বভাবতস্তু নিয়তৌ ভূতানাং প্রভবাপ্যয়ৌ ॥১৬॥
নষ্টে ধনে বা দারে বা পুত্রে পিতরি বা মৃতে । অহো দুঃখমিতি ধ্যায়ন্ দুঃখস্যাপচিতিং চরেৎ ॥১৭॥
স কিং শোচসি মূঢ়ঃ সন্ শোচ্যান্ কিমনুশোচসি । পশ্য দুঃখেষু দুঃখানি ভয়েষু চ ভয়ান্যপি ॥১৮॥

মাগী মতম লাকত্রিবদা ময়োক চোংবা থক ঙম্বা নত্তে ॥১১॥ মতম লাকত্রিবদা উদয়াচলদা লক্পগা অস্তাচলদা দুমিংনা থক থোরকপা অমদি তাথিবা ঙমদে । থাগী মতাম অমদি ঈথক চাউব চাউরবনা থকথা ইশাঙ্গা মাগী মতম ওইত্রিবদ চাউথংপা হম্বা ঙমদে ॥১২॥ যুধিষ্ঠির ! ইরম্ অসিদা রাজবা সেনজিত নিংথৌগী মরমদা শন্দোকথিবা থায়নগী কুইরবা রাজা অদু অসিংবশিংনা লৌনৈ ॥১৩॥ অসিগুম্বা থাঙনন্নবা অংস্থাশিংসু মথং মনাও নাইনা জীবপানবশিংদা মতমগী মতুংইন্না লাকই । অচৌ অচৌবা নিংথৌ কয়ানা মতমগী মতুংইন্না অহল ওইরক্লনা অশিবগী থয়'ত্তা তাথি ॥১৪॥ নিংথৌ ! মী অমনা অমবু হাৎলি, মহাকপুসু অমনা মতমগী মতুংইন্না হাৎলৈ । হায়রিবা রাসিদি থাইনা দুপী অঙাংনা থঙনবা রাত্তানি । মরমদি কনানা কনাবুসু হাত্তে, অদুগা কনাসু কনাগী মথুত্তা শিব নত্তে ॥১৫॥ কনাগুম্বা নাস্তিক (চার্ব্বাককী মত চৎপ) না অসুম হায়না খল্লিঃ— মী অমনা অতোপ্পা অমগী মপানগী হকচাংবু মাঙহল্লবদা হায়বদি হাৎলবদা মাগী জীবাত্মাবুসু অদুম মাঙহনগবনি হাৎগবনি । কনাগুম্বা আস্তিকনদি অসুম্না খল্লিঃ— মীনা মপানগী হকচাংবু শিহল্লবসু হাৎলবসু জীবাত্মাবুদি হাৎপা ঙম্বা নত্তে । অমবু ওইরবসু, অমসু ওইরবসু আস্তিক নাস্তিক অনিমক্তা রানথদিঃ— জীবপানবশিংনা পোক্লিবা অমুগা শিল্লিবসি মতমগী মতুং ইন্না অদুম লাক্লিবনি । মতমনা লাকত্রিবমথৈ কনাসু পোকপা শিবা ঙমদে ॥১৬॥ কল মাঙগবদি লক্পগা মপা মমা দুপী অঙাং শিরবদি "ওহোকপনিদা ! অরাবনি !" অসুম হায়না চিন্তা তৌদুনা কপ্পনা তাইবং মীনা মাগী অরাবগী শক্তক, অমুক হেনগৎহল্লি । অদুনা মাঙ্গীদমক অমুক থগ্দবত্তনা অরাবগী শক্তক হন্থহনগদবনি ॥১৭॥ হে ! পঙলবা তাইবং মী ! নংনা শিগ্রবদুগী অদুক রাক্করিবা কবিগীনো ? কবিগীদমক নংনা শিগ্রবদুগী অনুতাপ তৌরিবনো ? নং থদুনা অমুক্তা য়েংও, শিগ্রিবশিং অদুগীদমক অমুক রাক্করবদি

আত্মাপি চায়ং ন মম সর্ব্বাপি পৃথিবী মম। যথা মম তথান্যেষামিতি পশ্যন্ ন মুহ্যতি ॥১৯॥
শোকস্থানসহস্রাণি হর্ষস্থানশতানি চ। দিবসে দিবসে মূঢ়মাবিশন্তি ন পণ্ডিতম্ ॥২০॥
এবমেতানি কালেন প্রিয়দ্বেষ্যাণি ভাগশঃ। জীবেষু পরিবর্ত্তন্তে দুঃখানি চ সুখানি চ ॥২১॥
দুঃখমেবাস্তি ন সুখং তস্মাত্তদুপলভ্যতে। তৃষ্ণার্ত্তিপ্রভবং দুঃখং দুঃখার্ত্তিপ্রভবং সুখম্ ॥২২॥
সুখস্যানন্তরং দুঃখং দুঃখস্যানন্তরং সুখম্। ন নিত্যং লভতে দুঃখং ন নিত্যং লভতে সুখম্ ॥২৩॥
সুখমেব হি দুঃখান্তং কদাচিদ্দুঃখতঃ সুখম্। তস্মাদেতদ্দ্বয়ং জহ্যাদ্য ইচ্ছেচ্ছাশ্বতং সুখম্ ॥২৪॥
যন্নিমিত্তো ভবেচ্ছোকস্তাপো বা দুঃখমূর্চ্ছিতঃ। আয়াসো বাপি যন্মূলস্তদেকাঙ্গমপি ত্যজেৎ ॥২৫॥
সুখং বা যদি বা দুঃখং প্রিয়ং বা যদি বাপ্রিয়ম্। প্রাপ্তং প্রাপ্তমুপাসীত হৃদয়েনাপরাজিতঃ ॥২৬॥

অরাবগী মথক্তা অরাবা অমমুক হাপকৎলি। অকি অৎওয়মুগী মমব থিরুমগদি অকিবগী মথক্তা অকিবগী শরুক অমুক হাপকৎলি ॥১৮॥ আত্মা অসে ঐগী ইথত্তগী নত্তে। পৃথিবী অসি ঐ ঈগী ইথত্তগী নত্তে। মমবদি আত্মাগা পৃথিবী (দেশাক) অসিগনা ঐগী ওইরিবা অসিগুম্বা অতোপ্পা অমগীসু অহুম ওইহনা লৈরিবনি। অমুম হায়না খল্লবদি পুক্নিংগী অরাবা শুমুহৎপা পুম্বা লোকই ॥১৯॥ অরাবা লিশিং লিশিংনা নুংঙাইবা চাম চামগী নিমখুনা নুমিৎ খুদিংগী মীকুপ খুদিংগী অপঙবশিংদা লাকই। পণ্ডিতশিংগী মফমদদি অমত্তমক লাকপা খুংলবা ওমদে ॥২০॥ মত্তৌ অসুম্না অরাবা নুংঙাইবা, চান্নবা চান্নদবা খুংশিন্নবা মথোয়পুম্বকসি শরুক অমমম্ ওইনা তাইবং মীগী মফমদা লাকই ॥২১॥ সংসার অসিদা অরাবগী মশীংনা য়াম্মি, নুংঙাইবগী শরুক্তি য়ামদে। অদুনা তাইবং মীনা কংবসি অরাবগী চিন্তাগী শরুক্না য়াম্না হেল্লি। মসিগী মগুংদা বিষয়বাসনাদগী হায়রবদি সংসারগী বিষয়শিংবু পাম্মুবদগী অরাবা পোকই। অদুগা অরাবা অম হেক লোইবগা নুংঙাইবা হায়রবসু চহাকংগীত ওইরবসু হেক লাকৃনম্মি ॥২২॥ নুংঙাইবগী মতুংদা অরাবা অরাবগী মতুংদা লাকই। মরম অদুনা নুংঙাইরবসু অরাবরসু মতম পুম্বদা লৌশাং শীৎনা ফংবা নত্তে ॥২৩॥ করিগুম্বা মতমদা অরাবা অম লোইরবা মতমদা নুংঙাইবা অম লাকই; অদুগা করিগুম্বা মতমদা অরাবা অমগী মতুংদা অতোপ্পা অরাবা অমমুক লাকপা য়াওই। মরম অদুনা অবেপ্পা লেঙহবা নুংঙাইবা হায়রবসু কংগে খল্লিবা মীনা সংসারগী অরাবা নুংঙাইবা অনীমকপু থাদোকই ॥২৪॥ মাগী দমক্তা অরাবা লাওতরবা কংগদোল্লিবা অদুগা মাগীদমক্তা পুক্নিং হকচাংগী পরিশ্রমসু য়াম্না চঙশৌবিবা মহাক অদুবু নম্রগা পোৎ অদুবু থাদোকদবনি ॥২৫॥ নুংঙাইববু ওইরবসু অরাববু ওইরবসু খুৎত-খুৎতশিনবদু ঈপা পাখত্তনা তহা তহাবা মিপাইবা মথম মরাও হোৎনা তৌদনা অহুম থাদোক্নদবনি ॥২৬॥

ঈদৃশস্যাস্য ! দারাণাং পুত্রাণামাচরন্ প্রিয়ম্ । ত্বত্তো জ্ঞাস্যসি কঃ কস্য কেন বা কথমেব চ ।২৭।
যে চ মূঢ়তমা লোকে যে চ বুদ্ধেঃ পরং গতাঃ । ত এব সুখমেধন্তে মধ্যমঃ ক্লিশ্যতে জনঃ ।২৮।
ইত্যব্রবীন্মহাপ্রাজ্ঞো যুধিষ্ঠির । স সেনজিৎ । পরাবরজ্ঞো লোকস্য ধর্ম্মবিৎ সুখদুঃখবিৎ ।২৯।
পরদুঃখেষ্বেন দুঃখী যো ন স জাতু সুখী ভবেৎ । দুঃখানাং হি ক্ষয়ো নাস্তি জায়তে হ্যপরাৎ পরম্ ।৩০।

সুখঞ্চ দুঃখঞ্চ ভবাভবৌ চ লাভালাভৌ মরণং জীবিতঞ্চ ।
পর্য্যায়তঃ সর্ব্বমবাপ্নুবন্তি তস্মাদ্ধীরো নৈব হৃষ্যেন্ন শোচেৎ ।৩১।
দীক্ষাং রাজ্ঞাং সংযুগে ধর্ম্মমাহুর্যোগং রাজ্যে দণ্ডনীতিঞ্চ সম্যক্ ।
বিত্তত্যাগং দক্ষিণানাঞ্চ যজ্ঞে সম্যগ্দানং পাবনানীতি বিদ্যাৎ ।৩২।
রক্ষন্ রাজ্যং বুদ্ধিপূর্ব্বং নয়েন সন্ত্যক্তাত্মা যজ্ঞশীলো মহাত্মা ।
সর্ব্বান্ লোকান্ ধর্ম্মদৃষ্ট্যা চরংশ্চাপ্যূর্দ্ধং দেহাম্মোদতে দেবলোকে ।৩৩।
জিত্বা সংগ্রামান্ পালয়িত্বা চ রাষ্ট্রং সোমং পীত্বা বর্দ্ধয়িত্বা প্রজাশ্চ ।
যুক্ত্যা দণ্ডং ধারয়িত্বা প্রজানাং যুদ্ধে ক্ষীণো মোদতে দেবলোকে ।৩৪।

হে পণ্ডলবা তাইবং মী । নংনা অহানবদা নচাবু অচুগা নংগী মুপীবু মুংশিক্রবদগী মুংশিবগী ব্যবহার খজিক্কং তৌরুগনি । অচুবু কনানা করিগীদমক কনাবু মুংশিরম্লিবনো হায়বহু খয় লৈয়ুগা অচুম মখঙলক্কনি ॥২৭॥ জগৎ অসিদা য়াম্না পঙথবা অমা, য়াম্না শিংথবা জ্ঞানী ওইরবা অমা মখোয় অনীসিনা চাওখৎপা কংনৈ । মরকী মী অসিনি য়াম্না অরাবা কংলিবসি ॥২৮॥ যুধিষ্ঠির ! তাইবং মীগী চাওখৎপা হন্নবা স্বভাব অমদি অরাবা নুংঙাইবগী তত্ত্ববু মুন্না খঙলুবা মহাজ্ঞানী সেনজিত নিংথৌনা অসুম্না হায়খিঃ— ॥২৯॥ মী অমগী রাবদা রাবিরবা মী অচুমা থক্ নুংঙাইবা কংদ্রে । মরমদি অরাবগী লোয়রবা লৈত্তে । মীনা রাম্নিমথৈ রায়বদি অরাবদি লোইবা খমদবনিনা মাগী অরাবস্লু লোইবা নাইদ্রে । মরমদি অরাবা অমগী মতুংদা অরাবা অমমুক লাকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি ॥৩০॥ নুংঙাইবা অরাবা সম্পত্তি বিপত্তি মাঙবা তোংবা পোকৃপশিবা পুম্নমক অসি জীবপানবা খিবিক্না মথং মথং কংত্তি । অশিংবদি ওইজ ওইথক্ কংলবস্লু অচুক কাহেম্না পাথক্তে নুংঙাইবিদে । অমাঙবা অরাবা কংলবস্লু থোইনা পাখৎপিরোই ॥৩১॥ পণ্ডিতশিংনা হায়নৈঃ— লান্দা হেক্ চঙশিনবদা ক্ষত্রিয়শিংগী পুন্যকর্ম্ম তৌবা হৌরবনি । দণ্ডনীতিবু নীঙথিনা অভ্যাস তৌরবা নিংথৌশিংগীদি মাহুনা যোগাভ্যাসনি । যজ্ঞদা দান দক্ষিণা য়াম্না তৌবনা নিংথৌশিংগীদি মাহুনা সন্ন্যাসান অচৌবা দাননি । অচুনা থবকশিং অসিনা নিংথৌশিংগী থম্মোয় হকচাংবু শেংদোকপি হায়বসি খঙগদবনি ॥৩২॥ নিংথৌনা য়াম্না বুদ্ধি তৌনা সুনীতি শীজিন্নহুনা লৈপাকপু ঙাকশেন্দুনা, মশাগী নুংঙাইবগীদমক থোইনা হোৎনরুদনা যজ্ঞ তৌদুনা শীপুংত নুংঙাইথোক্লুনা ধর্ম্মদৃষ্টিদা প্রজাপুম্বগী নুংঙাইবক থদুনা মপুনশি লেন্নবা তুংদা স্বর্গদা নুংঙাইবা কংহুনা লৈখি ॥৩৩॥ নিংথৌ হায়রিবসিনা লান্দা জয়

সম্যগ্ বেদান্ প্রাপ্য শাস্ত্রাণ্যধীত্য সম্যগ্‌রাজ্যং পালয়িত্বা চ রাজা ।
চাতুর্ব্বর্ণ্যং স্থাপয়িত্বা স্বধর্ম্মে পূতাত্মা বৈ মোদতে দেবলোকে ।৩৫।
যস্য বৃত্তং নমস্যন্তি স্বর্গস্থস্যাপি মানবাঃ । পৌরজানপদামাত্যাঃ স রাজা রাজসত্তমঃ ।৩৬।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে সেনজিদুপাখ্যানে শতহধ্যায়ঃ ॥০॥



ওইবা, লৈপাক ভাবুপা হজ্জদা সোমপান তৌবা প্রজাশিংগী চাওখৎনবা তৌবা; যুক্তি চানা প্রজাশিংদা দণ্ডবিধি পীডিয়বা, মতু দা লান্দা থবাই কথোক্লবা অসি পুন্নমকশিনা মরম ওইহনা স্বর্গদা দুংঙাইবা কংনৈ ॥৩৪॥ নিংথৌনা বেদশাস্ত্রবু নৈনবা পাবা, নিয়মচুম্না লৈপাক্ ভাকপা ব্রাহ্মণনাচিংবা বর্ণ মতিবু মাগী মাগী ধর্ম্মদা চৎহল লৈহনবা অশিপুম্বা মথং শীৎনা তৌরগা পুক্নীং হবচাং লেংনা স্বর্গদা দুংঙাইবা কংও ॥৩৫॥ নোংগাপ্রবস্থ মী প্রজা পুন্নমক্না মন্ত্রীশিংমক্না মীওমনা থবাই ময়াওনা খাগৎহোৎবা মাগী কমচৎপু শোয়হোৎবা অহুগ্বা নিংথৌ অদুগনা অগৎকী মতুংদা অখোইবা নিংথৌ হায়বদু ওই ॥৩৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভরতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মতুংদা সেনজিদুপাখ্যানগী কুন্থমঙাভবা অধ্যায় লোইরে ।

— — (*) — —

মহাভারতম্

—— ⁂ ——

ষড়্বিংশোঽধ্যায়

যুধিষ্ঠিরনা হাণ্ডবা মতাং

কুন্তরুকশুবা অধ্যায়

——(:০:)——

বৈশম্পায়ন উবাচ।

অস্মিন্নেব প্রকরণে ধনঞ্জয়মুদারধীঃ। অভিনীততরং বাক্যমিত্যুবাচ যুধিষ্ঠিরঃ ।১।
যদেতন্মন্যসে পার্থ ! ন জ্যায়োঽস্তি ধনাদিতি। ন স্বর্গো নসুখং নির্দ্ধনস্যেতি তন্মৃষা ।২।
স্বাধ্যায়যজ্ঞসংসিদ্ধা দৃশ্যন্তে বহবো জনাঃ। তপোরতাশ্চ মুনয়ো যেষাং লোকাঃ সনাতনাঃ ।৩।
ঋষীণাং সময়ং শশ্বদ্যে রক্ষন্তি ধনঞ্জয় !। আশ্রিতাঃ সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞা দেবাস্তান্ ব্রাহ্মণান্ বিদুঃ ।৪।
স্বাধ্যায়নিষ্ঠান্ হি ঋষীন্ জ্ঞাননিষ্ঠাংস্তথাপরান্। বুধ্যেথাঃ সততঞ্চাপি ধর্ম্মনিষ্ঠান্ ধনঞ্জয় ! ॥৫॥
জ্ঞাননিষ্ঠেষু কার্য্যাণি প্রতিষ্ঠাপ্যানি পাণ্ডব !। বৈখানসানাং বচনং যথা নো বিদিতং প্রভো ! ।৬।

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ ! জনমেজয় ! মতৌ অসুম্না অমগমগ য়েৎনদুনা মাসী মাসিমত্ত প্রস্তাব হৌরকপা মতাং অসিদা মহাবুদ্ধিমান যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুনদা অসুম্না হায়রকই:— ॥১॥ পৃথানন্দন !অর্জ্জুন ! মরলৈতবা লায়রবা মীসিদি স্বর্গসু লৈতে, নুংঙাইবসু লৈতে করিগুম্বা মমক অমত্তা মহৈয়ানবা পাঙথোকপা লৈতে হায়না নংনা হায়রিবদো, অদুগা ধন লৈহৈনবা করিগুম্বা পোৎ অমত্তা লৈতে হায়রিবদো অয়েম্বনি হিথ্যানি ॥২॥ মরমদি মুমিৎথানা পাল্লিমথৈ লেঙবা স্বর্গগী নুংঙাইবনা মখোয়গী ওইবা বেদপাঠযজ্ঞদা নচিংবা তৌবতনা সিদ্ধ ওইখিবা তপস্যাদা পূক্নীং চংবা অয়ানবা খুড়ম কংখিবা মুনি কয়া কয়া উব ফংই ॥৩॥ সন্ন্যাসী ওইদুনা ধর্ম্মপূবা থকহুনা খ্যাবিশিংগী আচার ব্যবহারবু মুম্না চৎপা মখোয়অদুবু লাইশিংমক ব্রাহ্মণনি হায়না খঙৈ ॥৪॥ অর্জ্জুন ! নং মসিমদি মতম পূবদা খঙদুনা থম্মু— খ্যাবিশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা বেদপাঠদা পূক্নীং চঙহুনা লৈরি, খরনা জ্ঞানতানশীনবদা পূক্নীং চঙলি, খরনা ধর্ম্মকর্ম্মতদা পূক্নীং চংহুনা লৈ ॥৫॥ করবা অর্জ্জুন ! মনদা লৈবা খ্যাবিশিংগী পাউপা অমদি রাহৈশিং অদু ঐখোয় মুম্না খঙহুনা

অজাশ্চ পৃশ্নয়শ্চৈব সিকতাশ্চৈব ভারত। অরুণাঃ কেতবশ্চৈব স্বাধ্যায়েন দিবং গতাঃ ॥৭॥
অবাপ্যেতানি কর্ম্মাণি বেদোক্তানি ধনঞ্জয়! দানমধ্যয়নং যজ্ঞো নিগ্রহশ্চৈব দুষ্করঃ ॥৮॥
দক্ষিণেন চ পন্থানমর্য্যম্ণো যে দিবং গতাঃ। এতান্ ক্রিয়াবতাং লোকানুক্তবান্ পূর্ব্বমপ্যহম্ ॥৯॥

(যুগ্মকম্)

উত্তরেণ তু পন্থানং নিয়মাদ্যং প্রপশ্যসি। এতে যোগবতাং লোকা ভান্তি পার্থ! সনাতনাঃ ॥১০॥
তত্রোত্তরাং গতিং পার্থ! প্রশংসন্তি পুরাবিদঃ। সন্তোষাৎ সর্ব্বমাপ্নোতি সন্তোষঃ পরমং সুখম্ ॥১১॥
তুষ্টের্ন কিঞ্চিৎ পরমং সা সম্যক্ প্রতিতিষ্ঠতি। বিনীতক্রোধহর্ষস্য সততং সিদ্ধিরুত্তমা ॥১২॥
অত্রাপ্যুদাহরন্তীমাং গাথাং গীতাং যযাতিনা। যোঽভিপ্রেত্যাহরেৎ কামান্ কূর্ম্মোঽঙ্গানীব ॥১৩॥
যদা চায়ং ন বিভেতি যদা চাস্মান্ন বিভ্যতি। যদা নেচ্ছতি ন দ্বেষ্টি ব্রহ্ম সম্পদ্যতে তদা ॥১৪॥

(যুগ্মকম্)

ভাহুনা লৈরি । মথোয়না পীরিবা পাউতাক অমদি মাহেদগী ঐথোয়না করি থঙবগে হায়ববু মাঅকর্য্য পুবা জ্ঞানিওইবা ঋষিশিংদা শিন্নবা হায়বসি নিংথৌনা তৌগদৌবনি ॥৬॥ ভরতনন্দনা অজ, পৃশ্নি, সিকাত অরুনকেতু অসিনচিংবা ঋষিশিংনা বেদমন্ত্র জপ তৌহুনা স্বর্গ কাখি ॥৭॥ অর্জ্জুন দান, বেদতম্বানৈনবা, যজ্ঞ, তৌঙমবা ইন্দ্রিয় থুহ্নম চনবা অসিনচিংবা বেদদা ভাক্লিবা কর্ম্ম ময়াম অসিবু তৌরগা সুর্য্যিংকী য়েংখংবা লম্বীদা চৎজুনা লোংপাপ্রবা ঋষিশিং অহুগী মা থম ঐ হায়গে ॥৮-৯॥ পৃথানন্দন; অর্জ্জুন । সুর্য্যদেবগী অয়াংথংবদা লৈরিবা লম্বী অসি নংসু উরি । মসিদা ধর্ম্মকর্ম্ম যজ্ঞ তৌরম্বা মীশিংতনা য়োগদবা কংগদবা লেঙম্নবা থুঙমশিংগী মঙান পুম্নপুমহুনা লৈরি। ॥১০॥ পৃথানন্দন। ইতিহাস হৈবা খঙবশিংনা লম্বী অমাসিগী মথুংদা অয়াং পাংনা লৈবা লম্বীসিনা অথোইবনি অকবনি হায়রৈ । করে অদবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ভাইবংমীনা "পেল্লবা" হায়বা গুণ অসিতনা পুম্নমক্ ফংবা ঙম্মি । সন্তোষ (অপেনবা) হায়বসিতনা নুংঙাইবা খুদিংমকী পোক্লকম কারণনি ॥১১॥ বৈরাগ্যভাবকী মতুংদা পোক্লকপা "অপেন্‌বা" হায়বহুদগী হেন্‌বা গুণ অমদি পোথক্ অমত সংসারদা লৈত্রে । অপাউবগা হৰাউবগা অনাসিবু লাপহনবা ওম্নবা মীমহাক্ অহুগী থম্মোয়দত "অপেনবা" হায়বসি ভুমিম থয়া তপ্রা লৈ। হায়রিবা সন্তোষ হায়বসিতনা অথোইবা সিদ্ধিগী মরু ওইবা মচাক্নি ॥১২॥ মমাঙৈদা নিংথৌ যযাতিনা মীপুম্বদা শঙ্দোক্‌খিবা, তত্ত্বখঙবশিংনা অথোইবা সিদ্ধিগী দমক্ মাসিক মহায়নবা অহুগী বচন অদো আসনিঃ—থেচুদা, কনাগুম্বা অমনা থেঙত্, শোক্‌টবা মতমদা মথোক মধুং মতুক চিংবা কায়াং পুম্বা লোইনা লৌশিন থ্ পচিনখিবগুম্ মুক্তিপাম্বা মীনা কামনা বাসনাপুম্বমু লোইশিন থ্পচিনল্লি । অঠগুম্বা মী অহুনা করিগুম্বা কনাগুম্বা অমতবু কিয়হন্নবা কনাগুম্বা

যদা ন ভাবং কুরুতে সর্ব্বভূতেষু পাপকম্ । কর্ম্মণা মনসা বাচা ব্রহ্ম সম্পদ্যতে তদা ॥১৫॥
বিনীতমানমোহশ্চ বহুসঙ্গবিবর্জ্জিতঃ । তদাত্মজ্যোতিষঃ সাধোর্নির্ব্বাণমুপপদ্যতে ॥১৬॥
ইদন্তু শৃণু মে পার্থ ! ব্রুবতঃ সংযতেন্দ্রিয়ঃ । ধর্ম্মহংস্ত বৃত্তস্তে ধনার্থিনি সংশয়ে ॥১৭॥
ধনহেতোর্য ঈহেত তস্যানীহা গরীয়সী । ভূয়ান্ দোষো হি বিত্তস্য যশ্চ ধর্ম্মস্তদাশ্রয়ঃ ॥১৮॥
প্রত্যাক্ষমনুপশ্যামি যদপি দ্রষ্টুমর্হসি । ধর্ম্মার্থিনং বজ্র্জনামানামোহমানেন দুষ্করম্ ॥১৯॥
যে বিত্তমভিপদ্যন্তে সম্যক্ ত্বং তেষু দুর্ল্লভম্ । দ্রুহ্যতঃ প্রৈতি তৎ প্রাহুঃ প্রতিকূলঃ যথাতথম্ ॥২০॥

অমত পাম্মকত্রব কনাওম্বা অমতগী মকমদা কল্লকপা য়েংখিবা তৌরক্‌ত্রবা, অদুগা মশামকপু কনাওম্বা অমগী মকমদা কিনকম্ ওইত্রবা মতম্ অদুতদা মহাক্ অদু পরব্রহ্মমু কংবা ওস্মি ॥১৩-১৪॥ কর্ম্মনা, পুক্লীংনা অমদি রাইহেনা কায়ওম্বা অচচ্ছজীব অমগী মকমদা পাপ পোক্লানীওতায় ওইবা হিংসাগী রাখল থমত্রবা মতম অদুদা মীমহাক অদু পরব্রহ্মগী অবস্থাদা লাকই হায়বদি পরব্রহ্মমু কংজি ॥১৫॥ তাইবং মীনা মাগী থম্মোয়দগী অশাউবা মুংতাইবনা মথোয়কাবা অনীসিবু থাদোক্লা অদুগা য়াম্নিবমথৈ ময়ামগা তিম্নব থাদোক্রবা মতম অদুতদা সাধু মহাত্মা ওইরবা মহাক্ অদুগী আত্মাদা পরমাত্মাগী প্রকাশ (মঙাল) অম লাকই মতম অদুদা মহাক্ অদু নির্ব্বাণ-মুক্তি (জীবনা পোকপশিবদগী মুৎথিবা অবস্থা) বু কংবা ওস্মি ॥১৬॥ পৃথানন্দন । ঐ অমগা হায়গে মহাক মসি পুক্লীং অনা লোংদনা তাও । সংসার অসিদা মীথরনা ধর্ম্মমু তানশিন্নি, থরনা লমচৎ ব্যবহার য়াম্ন কন্নবা, য়াম্ন কন্নবা তৌথিবা পাম্মি, অদুগা থরনা পাপ পুণ্য থোইনা থল্লদনা লম্চুম তানশিন্দুনা ভাক্ত লৈ ॥১৭॥ মশিগী মচুংদ সহুম্ সিথংনবা হোৎনম্নিবা লোম্নিবা মী মহাক্ অদুগী লোম্নিবদো লোমদবনা হেন্না কৈ । মরমদি থন সম্পত্তিগী মশাদা দোষ য়াম্ন লৈ । অদুগা অদুওম্বা ধন অদুগী ওণদা ধর্ম্মগী শরুক্ থরয়াওরিবদুদসু দোষ য়াম্ন লৈ ॥১৮॥ অর্জ্জুন । ঐ থাজৈশেংনা ঈমাৎ মক্লা উরবনি, নংনসু উরম্বায়েঃ থন তানশিনবওদা পরিশ্রম তৌরিবা মী মহাক অদুগী মকম্‌দদি থাদোকদোবা কামক্রোধ মচিংবদুবু থাদোক্‌পা হায়বদু ওইথোক্তবা বিষয় অম ওইনা থোক্‌ই ॥১৯॥ তত্ত্বওবা মীশিংনা হায়নৈঃ—থনী (ঈনাক্‌খুনবা) হায়বদু ওইরবশিং অদুগী মরক্ত পুক্‌চেলশেংবা মী অমতনা পুক্‌চেলশেংবা ঈচুমচুম্বা লৈগে হায়বসি মক্ত য়াদে, মাদু ওইথোক্তবা বিষয় অম ওইনা থোক্‌ই । অতোপ্পা অমগী মাওননবা তৌরুবগা পৈশিনখিবা, অদুওম্বা মী মহাক অদুগী লন অদুনা হুম্মানবা ডাকুমচিংবগী মকমদগী অকিবা মিপাইবা পোক্‌হনদুনা, মহাক্ মশামক থনী ওইবা (ঈনাক্ খুনবা) গী বিরুদ্ধদা থবক্ তোয়না তৌশিল্লকই ॥২০॥

যস্ত সংবিভজভঃ স্যাদ্দীঘ্রাশাক্তয়ো নরঃ । অয়েন তপিতো ক্রন্দন্ ব্রহ্মহত্যাং স যুজ্যতে ॥২১॥
যুধ্যাজ্যাদদত্তো ভূত্যা নিত্যং দস্যুত্বমাদিব । যুদ্ধ ছত্র ধনং প্রাপ্য ভূপং সমাযুক্তপাতে ॥২২॥
অধনঃ হস্ত হি ন্যায্য নিত্যঃ সর্ব্বশ দুঃখী । দেবদত্তং পূর্ব্বত্ব ধনেন ন দুঃখী ভবেৎ ॥২৩॥
অত্র গাথাং যজ্ঞগীতাং কীর্ত্তয়ন্তি পুরাবিদঃ । ত্রয়ীমুখাশ্রিতাং লোকে যজ্ঞসংস্তবকারিকাম্ ॥২৪॥
যজ্ঞায় সৃষ্টানি ধনানি ধাত্রা যজ্ঞায় সৃষ্টঃ পুরুষো রক্ষিতা চ ।
তস্মাৎ সর্ব্বং যজ্ঞ এবোপযোজ্যং ধনং ন কামায় হিতং প্রশস্তম্ ॥২৫॥
এতস্মাৎ কারণাৎ চ কৌন্তেয় । ধনং ধনবতাং বর ! । ধাতাদদাতি মর্ত্ত্যেভ্যো যজ্ঞার্থমিতি বিদ্ধি তৎ ॥২৬॥

অশ্বমেধ (অথবা ক্ষত্রিয়-রাজক) হায়বস্থু লেরবা, অকিবা হংগোইবা পুম্বা থাদোক্লকবা মীঅহুতনা কল খাজত্তগীদমবস্থ অতোপ্পা অমগী মাঙজারবা থোক্তনা, মথা তানিঙাই লৈতনা পাপ পোক্লবনীহুতায় ওইরবা তমথিরবা ভ্রূণ হত্যা (গর্ভগী জীববু মাওহনবা) কাওবা তৌবদা হলেংবা লৈতে ॥২১॥ তাইবং মীওইবনা তাঙলবা লনবু কংলগা মাদুবু শিজিন্নবা কাওবদা হৈনিংদহুনা মাগী থবক থৌরিবা মনাই মশল কাওবগী থাগী অরামল (তলব) কাওরা পীনীওইক্কে । অহুদগীদ মাগা শাগোরহুনা লৈরিবা মনাইমশলসিং অহুমক্লা মহাকপু সুংশিরক্কে । শেন্না অরিকপা মী অমা ওইহন্নবা ইনাকখুনবহুনা মনাইমশল্দা পীকম পোকপা অহকাও পীবদা হুরানবা তাকুশিংনা মুনশিবত্তম শূকচুং সুংতাইতে ॥২২॥ অর্জ্জুন ! ধনসম্পত্তি লৈজদবা মীদি যজ্ঞদান- নাচিংবা থৌরবন্ত কনা অমহুনা মাবু নোক্লদে, নিন্দা তৌদে । হুরানবতাকুনচিংবদগী থরায় নাওবা য়াবা কাওবগী. অকিবা-চিংনব পুম্নমক্তগী লাপথৈহুনা সুংতাইনা মপুনশি লেজি । লাইগী মপোংমমল হুরাহুনবা মীনা কবিথদা সুংতাইবা. কংব ওমদবহুত্তমা লন্না কবিথদা কনা অমতনা অরবগী শক্তক অমত, য়াওত্রবা সুংতাইবতাদ কংবা মতমক্রে ॥২৩॥ যজ্ঞগী প্রশংসা লাহুসু তৌরিবা, জগৎকী মীপুম্বগী, কননবত্ত থোহুনা তাকলো ওইরিব যজ্ঞদ, ঋত্বিক ত্রয়ীশিংমক শক্লশোরবা শৈরেং অমবু ইতিহাস হৈবশিংনা হৌজিক ফাওরা শক্লশোররি ॥২৪॥ সনাগুগা বিধাতানা যজ্ঞদানন্দাচিংবগী শেন্নুং যজ্ঞদানধর্ম্ম অহুগী পাওথোক্লনবগীদমক শেমলিবা শেল অহুগী অতাকপা মীশকতম ওইনা তাইবং মীবু শেন্মি মরম অহুনা যজ্ঞদানত্তো হায়হুনা থম্লিবা শেল আসিগী মতম থরদং অতাকপা মপু অমা ওইনা লৈরিবনিকো হায়না থওজবা অশেংবা লন লৈবনা মরল অদুবু যজ্ঞদানাচংবদা শীতিক্লগদৌবনি । মানা শেন্নরিবা শেল অদো মশাগী কেথোক মৌথোক্লনবা, হেক্কোহেরাও উৎনবগীদমক নত্তে । অহুত্তবা শেংলবা শেল অহুনা মাবু লোইরিবা শওলিবা মীঅহুগী কারবু মপংকানা পাওথোক্লই । জগৎ পুম্নমক্লা অহুত্তবা লনবু লোইরিবা ইনাকখুনবাত্তবু প্রশংসা তৌকে ॥২৫॥ কৌন্তেয় অর্জ্জুন ! বিধাতানা অসিওবা থবক অসি তৌহায়বগীদমক নতোন্না লনগী অহুগী

ত্যাগাদ্বৃংহতি পুরুষো যদি তৎ কস্যচিৎ ক্ষমম্। শ্রদ্ধাবানক্রোধো লোকো দত্তাকৈব যজেত চ ॥২৭॥
কস্যচিত্ত্যাগবিদ্যার্থে যোগং ন চ সংশয়ম্। তস্য কিং সন্ন্যাসার্থঃ কার্য্যো ব্যাসসি তিষ্ঠতি ॥২৮॥
যে ধনানাদেশেভ্যঃ প্রকৃত্যাধুরঃ। অতঃ ধর্ম্মাণি তে প্রেত্য পুরীষং ভুঞ্জতে জনাঃ ॥২৯॥
অর্হতে যচ্ছদাতি ন দদাতি অর্হতে। অর্হনর্হাপরিজ্ঞানাদ্দানধর্ম্মোঽপি দুষ্করঃ ॥৩০॥
লব্ধানামপি বিত্তানাং বোদ্ধব্যৌ দ্বাবতিক্রমৌ। অপাত্রে প্রতিপত্তিশ্চ পাত্রে চাপ্রতিপাদনম্ ॥৩১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে যুধিষ্ঠিরবাক্যে ষড়্বিংশোঽধ্যায়ঃ ।০।

—:—:—

মপু শানা মতম থমং কৈরেবনি । অতুনা লল হায়বশিগী উ.দ্দশ্যদি যজ্ঞগীদমকনি হায়বসি নহাক থঙহিন্নুনা থম্মু ॥২৬॥ যজ্ঞগীদমক নতবা শেল মথৈনা চেম্বোক্ চেনশিন তৌই, অরাবা পুংহাইহবা নাপঙ্গচিংবা পীতশি । অনা অমতগী মকমদা কেদমা কৈয় হায়বা য়াম্রিবসি অসিননি হায়বসি তাইবং মীনা থতবম্ থোক্ই । মরম্ অদুনা তাইবং মী অশেংবনা বানা তাম্লিবা শেল অদু সংপাত্রদা দান তৌথোকদবনি, শেল অদুনা অকবা পুন্য 'কর্ম্মতদা শিতিহংদোহনি । অদুম্না থাদোক্পত্তবুনি যজ্ঞ তৌবা হায়বিবসি ॥২৭॥ লল্গী তত্ত্বশঙবশিংনা হায়নৈঃ—শেলবু থৌম্নাহুনা তাম্লিবশিংনা শেল অদুবু মকম চানা থাদোকদবনি । মকম মতম চানা থাদোকে হায়বগীদমক্ শেলবু তানবনি । শেলবু তোগ তৌবা হায়বদি মাত্তবুনি । মশা মখতনা চাংপাত্রংগীদমক্ নতে । অদুগা বানা তাম্লিবা থম অদুবু অয়েথদম্ মাঙহল্লোই-তৌবনি । মক ওইনা তেংগদোবা যজ্ঞদানমনাচিংবা থবক্শিং কৈন কৈনা শেল পৈশিন্নুনা থবগী কাম অর্থনো ॥২৮॥ মতুক্ত বাংপা মীনা মশাগী ধর্ম্মদগী ভ্রষ্ট ওইরবশিংদা দান তৌই, মহাক অতুদি পরলোকতা চঠী ঙিশিং চামা চুপ্পা নরকতা তাহুনা কত্রবা নমুথি হংতাইমক চায় ॥২৯॥ অপঙবা তাইবং মীনা যোগ্যপাত্র চাদবা মীদা দান তৌই । যোগ্য পাত্র ওইরদি কৌদে অনীমক্ দোষ কৈব মতম্নি । অদুগা, সম্প্রদানগী পাত্র অদু মতীক চায় চাদে হায়না থঙবসি য়াম্লুবনা দান ধর্ম্ম তৌবসু য়াম্না লুবা অমনি ॥৩০॥ কংলবা শেনগী মরমদা তোগদোবা থবক অনী তেনদে । অমনা মতীক্চাদবা পাত্রদা দান, অমনা মতীকচাবা পাত্রদা তৌদবা অসিনি ॥৩১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মতুংদা যুধিষ্ঠিরবাক্যগী কুল্লকুতবা অধ্যায় লোইরে ।

শ্রীমহাভারতম্

(ব্যাসনা হায়বা মতাংদা)

সপ্তবিংশোঽধ্যায়ঃ

কুন্তরেংশুবা অধ্যায়।

——:(*):——

যুধিষ্ঠির উবাচ

অভিমন্যৌ হতে বালে দ্রৌপদ্যাস্তনয়েষু চ। ধৃষ্টদ্যুম্নে বিরাটে চ দ্রুপদে চ মহীপতৌ ॥১॥

বৃষসেনে চ ধর্ম্মজ্ঞে ধৃষ্টকেতৌ চ পার্থিবে। তথান্যেষু নরেন্দ্রেষু নানাদেশ্যেষু সংযুগে ॥২॥

ন চ মুঞ্চতি মাং শোকো জ্ঞাতিঘাতিনমাতুরম্। রাজ্যকামুকমত্যুগ্রং স্ববংশোচ্ছেদকারিণম্ ॥৩॥

(বিশেষকম্)

যস্যাঙ্কে ক্রীড়মানেন ময়া বৈ পরিবর্ত্তিতম্। স ময়া রাজ্যলুব্ধেন গাঙ্গেয়ো যুধি পাতিতঃ ॥৪॥

যদা হ্যেনং বিঘূর্ণন্তমপশ্যং পার্থসায়কৈঃ। কম্পমানং যথা বজ্রৈঃ প্রেক্ষমাণং শিখণ্ডিনম্ ॥৫॥

জীর্ণসিংহমিব প্রাংশুং নরসিংহং পিতামহম্। কীর্য্যমাণং শরৈর্দৃষ্ট্বা ভৃশং মে ব্যথিতং মনঃ ॥৬॥

(যুগ্মকম্)

যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ— অঙাং ওইরিবা অভিমন্যু দ্রৌপদীগী মচাশিং ধৃষ্টদ্যুম্ন, বিরাট নিংথৌ দ্রুপদ, কর্ণগী মচা বৃষসেন ধর্ম্ম খঙলবা নিংথৌ ধৃষ্টকেতু, অসি মতুং দেশ কয়াগী নিংথৌ অমদি নিংথৌ মচাশিংনা ঐগী হাক্তগী লালদা শিথিবসিদা অমাবা হায়বদুনা ঐবু থাদোকই হায়বা য়াথিরে আঃ যুধিষ্ঠির ঐদি ওক্লোয়া তোঙ্খিদা। ঐদি শাগৈ হাৎপা, লৈপাক পাম্বা, খঙ্ঘোয়দা থাওজমদবা মীচাক পুরবা, তমথিরবা স্বভাবনা তিম্বা, মশাগী বংশবু মুৎহনবা নিপা অমা ওইরেদকো ॥১—৩॥ মাগী মনদল-মতম্বাক্ত ঐনা চাউরকপা, অহঙবা গঙ্গানন্দন ঈবুধৌ ভীষ্মবু ঐনা লৈপাক পামজনা লান্দা ভুহনখি ॥৪॥ অহল ওইরবা ঈবুধৌ ভীষ্মনা, বজ্রগা মান্নবা অর্জ্জুনগী তেল ময়াম্না পানবদা কোয়রৈ লৈনা থাওজখি। থকথক নীক্রুনা লৈবা ভীষ্মদেববু শিখণ্ডীনা যুম য়েংদুনা লৈবদো ঐ ঈশানা উত্রবনি হদুরবা লোংশাঙবা ঈবুধৌগী মথা পুম্বদো অর্জ্জুনগী তেল অমময়া পাইশিন্নকদুনা পুমফুপ ফুপখি। অসিগুম্বা অবস্থাবু ঐনা ঈমাৎ থিরবা উখি। মতম অদুদা ঐগী খঙ্ঘোয়সি অয়াপুংতাইবদুনা কাশোন ওইনা থিনগাইরবনি ॥৫—৬॥

প্রাঙ্মুখং দীপ্যমানঞ্চ রথে পররথারুজম্। ঘূর্ণমানং যথা শৈলং তদা মে কশ্মলোঽভবৎ ॥৭॥
যঃ স বাণধনুষ্পাণির্যোধয়ামাস ভার্গবম্। বহূন্যহানি কৌরব্য কুরুক্ষেত্রে মহাযুধে ॥৮॥
সমেতং পার্থিবং ক্ষত্রং বারাণস্যাং নদীসুতঃ। কন্যার্থমাহ্বয়দ্বীরো রথেনৈকেন সংযুগে ॥৯॥
যেন চোগ্রায়ুধো রাজা চক্রবর্ত্তী দুরাসদঃ। দগ্ধশ্চাস্ত্রপ্রতাপেন স ময়া যুধি ঘাতিতঃ ॥১০॥

[বিশেষকম্]

স্বয়ং মৃত্যুং রক্ষমাণঃ পাঞ্চাল্যং যঃ শিখণ্ডিনম্। ন বাণৈঃ পাতয়ামাস সোঽর্জ্জুনেন নিপাতিতঃ ॥১১
যদৈনং পতিতং ভূমাবপশ্যং রুধিরোক্ষিতম্। তদৈবাবিশদত্যুগ্রো জ্বরো মাং মুনিসত্তম। ॥১২॥
যেন সংবর্দ্ধিতা বালা যেন স্ম পরিরক্ষিতাঃ। স ময়া রাজ্যলুব্ধেন পাপেন গুরুঘাতিনা।
অল্পকালস্য রাজ্যস্য কৃতে মূঢ়েন ঘাতিতঃ ॥১৩॥

আঃ! ওয়োকপনি! য়েক্কবলিশিং লিশিংযু মায়থিবা পাণ্ডবা ভীষ্মদেবনা অর্জ্জুনগী তেন্‌শিংনা শাথিনা পাম্‌মৎনখিবহুদা হকচাং পুম্বা চোকথখিহুনা মায় নোংপোক ওদুনা, চীঙ্গাওনা তেকথকো-য়রক্‌পগুম্ থথমথক্কা তুথখিবহু উবদা ঐ অানকখিমক্তা তাথিদে, পুমথুম শুক্কাংখি ॥৭॥ কুরুক্ষেত্রগী লালকম অসিমত্তদা মথুন্তা নীঙ্গ: তেল পায়দুনা পরশুরাম মক্তা লান্থেংনখিবা, কাশীবগী রিজা অস্বানচিংবি কন্যা অহুমযু নমুহুনা পুম্বক্কনবগীদমক্তা রথ অমত্তদা মথক্ত চংখিহুনা স্বয়ম্বরগী তিররিখিবা ক্ষত্রিয় অকনবশিং অহুবু মথক্তনা মায়থিবা পিহনা অমুকন কন্যা অহুবযু পুবহৃখিবা, লাকচম্ কাণ্ডম্রবা কম্লবা রাজচক্রবর্ত্তিবু উগ্রায়ুধবু মথক্তনা খুৎলায়গী শক্তিনা তুমহনখিবা, অহুগুবা কুরুবংশগী মহাবীর, জগত্তা কাণ্ডরবা ভিষ্মবু ঐনা লালকমদা তুহনখবনিকো ॥৮—১০॥ "পাঞ্চাল-নিংথৌগী মচা শিখণ্ডিগী মথুক্তা ঐ মৃত্যু ওইগনি" অসুম হায়হুনা শিখণ্ডীনা কাপ্পকপা তেল মথৈ ককখিদে; শিখণ্ডিবুস্থ হাৎপা যানাযানা হাৎপিখিদে। অহুগুবা কম্লবা বাণক চেৎলবা ঈবুধৌবু অর্জ্জুননা লালকমদা তুহনখি ॥১১॥ মহর্ষি! মুনি অথোইবা! ভিষ্মদেবনা মথা পুম্বা তেম্না পুমযোম য়োমহুনা, মথাপুম্বা ঈনা পুবগুগুম্নবা লৈবমক্তা তেজ্জী থবক্তা থাঙদোংনহুনা লোংনা তাথিবদো ঐ হৌজিক কাও থংনা মিৎ অসিনা উম্মি। কম্লবা ঈবুধৌনা অহুগুবা অবস্থাদা তুথখিবহু উবদা তমথিনা অকিবগী মথক হংলবা অরাবগী ইপোম অমনা ঐগী থম্মোয়দা হৌখি, ॥১২॥

আঃ! ওয়োকপনি মুনিদেব।
অঙাং ওইরিঙেদা ঐথোয়বু মান।
চ্যেক্‌শিন য়োকপি থাকপিরিবা
ঈপা শক্লপা ঈবুধৌ মায়
লৈপাক পাম্বা গুরু হাৎপা
মহাপাপি যুধিষ্ঠির ঐনা
মিকুপ অমত্তং লৈগদৌবা
লৈপাক সিংহাসনগী দমক্তা
খুৎলায়না থাহুনা তুহমখি। ॥১৩॥

আচার্য্যশ্চ মহেষ্বাসঃ সর্ব্বশাস্ত্রবপুস্কৃতঃ। অভিগম্য রণে মিথ্যা বাদেনোক্তঃ সুতং প্রতি ॥১৪॥
ততো গহতি শাস্ত্রাণি দত্ত্বাং গুরুরস্তাবত। সত্যমাখ্যাহি রাজেন্দ্র যদি জীবতি মে সুতঃ ॥১৫॥
সত্যমার্দ্ধবম বিপ্রো মনি ত্বং পরিপৃষ্টবান্। কুঞ্জরং চান্তরং কৃত্বা মিথ্যোপচরিতং ময়া ॥১৬॥
অব্যপোঃ রাজ্যলুব্ধেন পাপেন গুরুঘাতিনা। সত্যকঞ্চুকমুন্মুচ্য ময়া স গুরুরাহবে ॥১৭॥
অশ্বত্থামা হত ইতি নিরুক্তঃ কুঞ্জরে হতে ॥ কান্ লোকাংস্ত গমিষ্যামি কৃত্বা কর্ম্ম সুদুষ্করম্ ॥১৮॥
অপরাবর্ত্তিনং কর্ণং সমরেষ্বপলায়িনম্। জ্যেষ্ঠভ্রাতরমত্যুগ্রঃ কো মত্তঃ পাপকৃত্তমঃ ॥১৯॥

(যুগ্মকম্)

অভিমন্যুঞ্চ বালং জাতং সিংহমিবাদ্রিষু। প্রাবেশয়মহং লুব্ধো বাহিনীং দ্রোণপালিতাম্ ॥২০॥

আঃ মুনিদেব। ঐহি মহাপাপীনি। অসৎকি নিংথৌ মচা পুম্বনা সম্মান ব্যবহার তৌরব মহাধনুর্দ্ধর, খুৎলায় পুম্বগী আচার গুরুদেব দ্রোণগী মনাক্তা মমাঙমক্তদা শিদবা মচা অশ্ব-খামাবু ঐনা শিরে হায়রিব্লুনা মিথ্যা তৌখি ॥১৪॥ মতম অদুদা গুরুদেব দ্রোণনা ঐঙোন্দা হায়খি "নিংথৌ চুমা হায়ু, ঐগী ইচা অশ্বত্থামাবু কৈথিব্র ?" ইস। মাইহেনিং অসিনা হৌজিক্তা ঐগী থম্মোয় বকচাং পুম্বা চাকথেক্লি। ॥১৫॥ ব্রাহ্মণ ওইরবা গুরুদেবচুনা অসেংবা থগ্গে হায়রবগী মমক ঐবু মিনম ঙাক্তবা মীনি হায়না থনবিচুনা ঐঙোন্দা হংবিখিবনি অচুবু লৈপাক পাম্বা ঐনা অশ্বত্থামা কৌবা শামু অমা শিবদা মচা অশ্বত্থামা শিরে হায়না মিনম্বা ঙাঙখি ॥১৬॥ কাহেরা লৈপাক পাম্বা, মশাগী ওইজবতানবা, পাপী, গুরুহত্যাচৌংদা হলেংবা, ঐনা সত্যগী কুমোম্বু কাক্তনা কংথোক্তুনা অশ্বত্থামা কৌবা শামু অম হাংখিবদা গুরুদেবদা অশ্বত্থামা শিরে হায়চুনা মচা অশ্বত্থামা শিরে হায়বগী পাউথম্ ঙাহনখি। সজন ওইবা সত্যবাদী অমনা তৌরো-ইদৌবা হিংগাব পাপী থংহিব ঐনা তৌরক্রে। ঐনা হৌজিক চংলুগদবা লোক অসি কনাইদনো ॥১৭-১৮॥ মথাই ঐহি মুনিদেব। অহিংগী মশক্ কংনা শাখিরবা থুতাব চেন্নবা মীনি। অদু মশুনা কান্দা চেংঙ্রবা ইশাম্বা অহল বর্ণবু হাংলুখিবনি। অচুনা ঐনশুনা অসৎ অফিবা খাইদগী হেন্না পাপী ওইবশিবু কনা অম য়াওয়িগদগে ॥১৯॥ লৈপাক্ সিংহাসন পাম্বনখিবদগী চীংমুক চাউবা মরিল কৈয়বা নোংশা মচা শুম্বা অঙাং ওইরিবা ইচা অভিমন্যুবু দ্রোণনা ঙাক্লিবা, কৌরব লান্মী অকনব মশুনা থম্নবা থেহ মসুংদা থাজিনখি। গর্ভচুংগী জীববু মৈথংনা য়াম্লহনবগী পাপচুপুম্বা পাপী ঐনা হৌজিককাওবা অর্জুনগা কৃষ্ণগা অনীগী মাঙদা মায় ওনশিনবা ওয়াজিবনি ॥২০-২১॥

মথক্তগী চীংজাও মশা বিথ্বক্লবী পৃথ্বীমাতাগুম্বী মচা মশা কৈথিজবী দ্রোপদীগী ধজুবদা ঐগী থম্মোয়না অমাবা শুরাইত্তবগী থৈগা অহু থাদোক্লি ॥২২॥ মীপুম থুরাংগী মকথদা

তদাপ্রভৃতি বীভৎসুং ন পশ্যামি কিরীটিনম্ । কৃষ্ণঞ্চ পুণ্ডরীকাক্ষং কিল্বিষী ভ্রূণহা যথা ॥২১॥

(যুগ্মকম্)

দ্রৌপদীজানি দুঃখার্ত্তাং পঞ্চপুত্রৈর্বিনাকৃতাম্ । শোচামি পৃথিবীং হীনাং পঞ্চভিঃ পর্ব্বতৈরিব ॥২২॥

সোঽহমাগস্করঃ পাপঃ পৃথিবীনাশকারকঃ । আসীন এবমেবেদং শোষয়িষ্যে কলেবরম্ ॥২৩॥

প্রায়োপবিষ্টং জানীধ্বমথ মাং গুরুঘাতিনম্ । জাতিষ্বন্যাস্বপি যথা ন ভবেয়ং কুলান্তকৃৎ ॥২৪॥

ন ভোক্ষ্যে ন চ পানীয়মুপভোক্ষ্যে কথঞ্চন । শোষয়িষ্যে প্রিয়ান্ প্রাণানিহস্থোঽহং তপোধনাঃ ! ॥২৫॥

যথেষ্টং গম্যতাং কামমনুজানে প্রসাদ্য বঃ । সর্ব্বে মামনুজানীত ত্যক্ষ্যামীদং কলেবরম্ ॥২৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

তমেবংবাদিনং পার্থং বন্ধুশোকেন বিহ্বলম্ । মৈবমিত্যব্রবীদ্ব্যাসো নিগৃহ্য মুনিসত্তমঃ ॥২৭॥

ব্যাস উবাচ ।

অতিবেলং মহারাজ ! ন শোকং কর্ত্তুমর্হসি । পুনরুক্তন্তু বক্ষ্যামি দিষ্টমেতদিতি প্রভো ! ॥২৮॥

সংযোগা বিপ্রয়োগান্তা জাতানাং প্রাণিনাং ধ্রুবম্ । বুদ্বুদা ইব তোয়েষু ভবন্তি ন ভবন্তি চ ॥২৯॥

অপরাধী (মরাল লৈবা) ওইরবা পৃথিবীপুম্বা মাঙহনবগী মথক্ অমদি কেতু ওইরবা মহাপাপী ঐনা অপৎ অসিদা হিংহুনা লৈবগী কদি -কাম্বরি । ঐ মকখসিদা অহুম্বক্ কয়থিহুনা হকচাং অসি মুংশিং মুংশোদা কংশিন্দুনা মাঙহনগে ॥২৩॥ ময়াম নৈথিম্বিথশিংনম্ব খংথিমু লাক্কী ওইথিমু । হয়েংমুকী মপোকত্ব শাগৈগী অমদি অপংকী মাঙন-তাম্বগী মীশক অমা ওইনা অমুক পোকলম ঐ চৌখিকমকসিদগী চমা হেন্দুনা মকম অসিদা হকচাং অসিন ভুমশিনথিম্বিবা কাওবা কমগে । অঃ পাপী ঐনা সিংহাসনগীদমক্ গুরুহত্যাম্ব তৌরুয়ে ॥২৪॥ তপস্বী পুম্নক ! ঐ চাক মম্ব অমত মাদ হাপথরোই, ঈশিং মতীক অমত তংথরোই । মকমশিংকুদগী লেওদনা লৈহুনা প্রাণবায়ুম্ব মপাম্বথোকহনথিগে ॥২৫॥ ময়াম পুম্বা চৎপিনীওবা মকম মকমদা চৎপিথিবা য়াম্বনি । ঐ কম্বিমত পুম্বীংদা অশাউবা লৈতনা ময়ামদা থিদাম্ব তৌজবি । অীব ঐ মপানগী পকভূতকী হকচাং অসি থাদোকহনগে, ময়াম্বা য়াথিম্ব য়াথং পীথিম্ব ॥২৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— তাও ! মহারাজ, জনমেজয় ! মতৌ অদুম্বা যুধিষ্ঠিরনা শাগৈ নাতৈ ময়ামশিংথিবগী য়াহুনা হায়রকপা মতমসিদা বেদব্যাসনা থিংহুনা মতোম্বা "তাইবো, যুধিষ্ঠির ! ঐ মা হায়গে" অহয়া হায়রকই ॥২৭॥ মতীক মওপ চাউরবা লিংথৌ । নহাক্ অসিগুম্বা থিবম্ব অসিদা কাহেম্বা য়াব থক তৌকম্ব থোক্তে । ময়মদি থোকথিবা থোদোক অসি হায়দগী লাইনা অম্বম থোকউ হায়না তমথবনি ॥২৮॥ অচকত অীব পানবশিংগী পুনশিদা কায়নবা তিরবা হায়বসি মহৌশাদগী থোক্‌পুমা লৈরিবনি;

সর্ব্বে ক্ষয়ান্তা নিচয়াঃ পতনান্তাঃ সমুচ্ছ্রয়াঃ। সংযোগা বিপ্রয়োগান্তা মরণান্তং হি জীবিতম্ ॥৩০॥
সুখং দুঃখান্তমালস্যং দাক্ষ্যং দুঃখং সুখোদয়ম্। ভূতিঃ শ্রীর্হ্রীর্ধৃতিঃ কীর্ত্তির্দক্ষে বসতি নালসে ॥৩১॥
নালং সুখায় সুহৃদো নালং দুঃখায় শত্রবঃ। ন চ প্রজ্ঞালমর্থানাং ন সুখানামলং ধনম্ ॥৩২॥
যথা সৃষ্টোঽসি কৌন্তেয় ধাত্রা কর্ম্মসু তৎ কুরু। অত এব হি সিদ্ধিস্তে নেশস্ত্বং কার্য্যয়ো নৃপ ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে ব্যাসবাক্যে সপ্তবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—(:০:)—

থোক্কবা য়াম্ন য়ায়োই। কারনবা তিন্নবা অনীমক্ ঈশিংদা তাউবা কোজোলগী মতোঙরা অয়ুমকসু তাউথৎলম্মি, অমুকসু লুপথি ॥২৯॥ পোক্লিবা অমদি পোকপা নাইবা পোৎ পূন্নবী পোল্লোই হায়রবু শিবনি হায়রদি মাঙখিবা অসিনি। কাখৎপা চাওখৎপগী পোল্লোইবা লৈখাতাবা হায়রক্নুনা ওই। কারনগে হায়রগীদমক্ তিন্নরিবনি। তিন্নরিবা পুন্নমকসিগী পোল্লোইদা কারনবনি। হিংলিবনি হায়রহনা লৈরিবশিংসিগী পোল্লোইদনা শিবা হায়রবসিনা ওইরিবনি ॥৩০॥ নুংঙাইবা হায়রবসিগী অয়োইবনা অরাবা হায়রবসিনা ওই। অদুনা লৈথোকপদা ওহাক্তং নুংঙাইরবসু মাঙুগী মতুংদা অরাব, অদুগা থবক থ্না লোয়ননবা থবক্তা হৈশিংবসু কোক্তোকপা মতমদা থর য়াবরসু মথৈথকতা নুংঙাইবা অমদি ওই। সম্পত্তি (লন) পোক্তা (নীঙথিজবা-কন্নবা), ঈকায়রবা, তপথবা, অদুগা থবক্তা হৈশিংবা— হায়রিবশিং অসে হৈশিংবা মীশিংতদা লৈ। অত্তনবা থবক তৌদবা মীদা থক লৈতে ॥৩১॥ নুংঙাইবা হায়রবসি মরুপ মপাং খাগৈ-নাইকৈনা পোকহনবা ঙমদে। য়েন্নবশিংনসু নুংঙাইবসু পোকহনবা ঙমদে। বিদ্যাবা লনমু পীবা ঙমদে। লনসু নুংঙাইবসু পোকহনবা ঙবা নত্তে। কুন্তীনন্দন! নিংথৌ! বিধাতানা নংবু অসিসি তৌহায়রহনা শেম্বিরকপা অদুগী মতুং ইন্না নংসু লাক লাকপা থবকশিং অদু অদুব মথং মথং তৌথদুনা লৈয়ু। মাঙুতদা নংগী নীঙথপুম্বা থুংগনি। অদুগা নিংথৌ! নথাবু জাব ঈক্তা তাদনা পুনিংবা মকমদা পুননবগী অধিকার নত্তাব্বা লৈতে। (অদুক্কবা অধিকারসু নত্তোব্বা হেক্ নমুহনা থবা মতমদা নং অদুম্ লোইরে) ॥৩৩॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকশিংশিং চাবমা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মতুংদা ব্যাসবাক্যগী কুন্তরেৎতবা অধ্যায় লোইরে।

মহাভারতম্

(বেদব্যাসনা হাঙবা মতাং)

অষ্টবিংশোঽধ্যায়ঃ

কুন্তিপাল শুবা অধ্যায়ঃ

—(০)—

বৈশম্পায়ন উবাচ।

জ্ঞাতিশোকাভিতপ্তস্য প্রাণানভ্যুৎসিসৃক্ষতঃ। জ্যেষ্ঠস্য পাণ্ডুপুত্রস্য ব্যাসঃ শোকমপানুদৎ ॥১॥

ব্যাস উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। অশ্মগীতং নরব্যাঘ্র! তন্নিবোধ যুধিষ্ঠির! ॥২॥

অশ্মানং ব্রাহ্মণং প্রাজ্ঞং বৈদেহো জনকো নৃপঃ। সংশয়ং পরিপপ্রচ্ছ দুঃখশোকপরিপ্লুতঃ ॥৩॥

জনক উবাচ

আগমে যদি বাপায়ে জ্ঞাতীনাং দ্রবিণস্য চ। নরেণ প্রতিপত্তব্যং কল্যাণং কথমিচ্ছতা ॥৪॥

অশ্মোবাচ

উৎপন্নমিমমাত্মানং নরস্যানন্তরং ততঃ। তানি তান্যনুবর্ত্তন্তে দুঃখানি চ সুখানি চ ॥৫॥

তেষামন্যতরাপত্তৌ যদ্যদেবোপপদ্যতে। তদস্য চেতনামাশু হরত্যভ্রমিবানিলঃ ॥৬॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহারাজ জনমেজয়! শাগৈনাতে মরাম মাংখিবগী রাবনা থগোয়পুবা রায়কত্রহনা খরাম থাগে হায়না লেপখ্রবা মতমহৃদা বেদব্যাসনা হায়ঃ— নিপাঅথোয়বা নিংথৌ! ময়াংতৈদা অশ্ম কৌবা ব্রাহ্মণ মচাঅমানা পীখিবা পাউতাক অহ্‌ ভত্থতবাশিংনা কৌরিককাওবা শক্লোয়খি। মাহ হায়গে ইতাঃ—॥২॥ নোংমা, অশ্মা কৌবা ব্রাহ্মণমনা বিদেহনিংথৌ জনককী নাক থুংতরবদা রাবা লাতকরবা জনকনা মাগী পুক্লীংদা লেখা চিংনবহ্র অশ্মনা হংখি ॥৩॥ জাতিগী থম গা অনিসি চোক্লবদা নত্রগা মাংখ্রবদা সুংতাইবা পাম্বা মীশিংনা মতোকয়া সুংতাইবহ কংশ্লগে, ? অশ্মা কৌবা ব্রাহ্মণতনা অহুম হায়খিঃ— মহারাজ জনক! হেক পোকপদা ময়াংতৈগী মপোক তোশিবা কর্ম্মশিংঅহুনী মহৈগী মথক তইনা অবাবা সুংতাইবা অনীনা জীবহুগী দেহদা হেক চঙকই ॥৫॥ অবাবা সুংতাইবা অনম্বাগী

অভিতাপোঽপি সিদ্ধোঽপি নাশ কেবলমাপুরঃ। ইতোভির্হেতুভিস্তস্য: ভিভিন্দিতং প্রশিষ্যতে ॥৭॥
সংরক্ষণমধ্যা ভোগান্ বিদ্যা বিদ্দুলকিভান্ ?: পরিক্ষীণঃ পরস্বানামাদানং সাধু মন্যতে ॥৮॥
[বুদ্ধ্যাবস্থাপমদ্বাঃস্বানাং স্থবত। অতিবেবতি মাধ্যাদো লুব্ধা বুধবিবেচুভিঃ ॥৯॥
যে চ বিংশতিবর্ষা বা ত্রিংশদ্বর্ষাশ্চ মানবাঃ। পরেণ তে বর্ষশতাৎ ভবিষ্যন্তি পার্থিব ॥১০॥
তেষাং পরমদুঃখানাং বুদ্ধ্যা ভৈষজ্যমাচরেৎ। সর্বপ্রাণভৃতাং বৃত্তং প্রেক্ষমাণস্ততস্ততঃ ॥১১॥
মানসানাং পুনর্যোনির্দুঃখানাং চিত্তবিভ্রমঃ। অনিষ্টোপনিপাতো বা তৃতীয়ং নোপপদ্যতে ॥১২॥
এবমেতানি দুঃখানি তানি তানীহ মানবম্। বিবিধান্যুপবর্ত্তন্তে তথা সংস্পর্শজানি চ ॥১৩॥

অমাংবা মুংভাইবমা অমদি শোয়দনা লাবকম থোক্‌না লাক্লবা মতমতুদা; মুংশিংনা নোংশিংবু হমতনাপুথিবগুমা অমাবা নত্রপা মুংভাইবা অদুনা তাইবং মীচুগী থম্মোয়বু হুমাম্নি ॥৬॥ পোক্লিবা জীংতুনা থক চাউরবপা হবচাংনা তৈবমতমদুনা "ঐদি অকবা অচৌবা পাংগৈদা পোকলে" "ঐদি থবক পাংথোকলে, ঐদি অতোপ্পা মীচমশিংসিদগী মায় হেন্নবনি," হায়বা অশিঙবা অহংকার (থোয়বা—নাংথ) অদুম অশিংদ চুমহনবা, পদলবা তাইবং মীচুগী থম্মোয়না শেঙ্গদনা লৈ ॥৭॥ অদুগী তুংদা মুংভাইমনথিদুনা মথৌ কাউথিদুনা মপামপুনা থনবা সম্পত্তি অদুগী তোপ তোংদা তুগথিদুনা মম্পাংশিংগী অদুবু লেজদনা লৈননবা অনদি তানচোক্লবমিনা মীবুগী ইত্নাইদুনা লাইববা মীওক ওইরক্লবনা অতে মগী সনবু হুন্না চাবনা কমদমায়ে হায়বা থহনই ॥৮॥ অদুগী তুংদা তাইবং মীনা মক্লবা অমদি চমথিমবা উপাইনা অতোম্মগী মমল মথ্‌মু হয়াম্বুনা শাস্ত্রগী চিকিপ্পবা থ্‌গাইদুনা চৎনবপা মতমদুদা শাদানবনা শাগী চক্তগদবা তনী থিংবদুগুমা নিংথৌশিংনা চগুনীতিনা মাবু কণ্ডবা তথী চংথিগদবনি হৈবি ॥৯॥ নিংথৌ! চহী কুমজবা নত্রপা কুম্‌ভরবা মীনা অতেপগী তলা হুমানবা হৌই। মথোয়দু চহীচামগী মতুংদা হিংচমা লৈজে ॥১০॥ মতম অদুদা নিংথৌশিংনা নত্রপা অহনা মকথ মুদিংমক্তা লৈবা জীবপামশিংগী মমমচৎ ব্যবহার অমদি মথোয়না তৌরিবা হিথম পুথা মুগা য়োলপা মাগী বুদ্ধিগী শক্তি মথুং ইন্না চগুনীতিনা নত্রপা মীওবিবা পাউতাক্লা কংল্লবশিংগী অমবিমবা থবক অদুগী অমদি অয়াবদুগী কোক্লবা প্রতীকার তৌই ॥১১॥ থম্মোয়গী তুমহৎপা অদুগা পুদোং মীবা অমাতবা মমম অনীসিনভনা অয়াবা কংননবগী অহমতবা মমম অমত লৈতে ॥১২॥ মতৌ অদুম্না অয়াবা মথল মথম্না অদুগা থিগক্লংনগী পোক্নপা অয়াবা খিবিক মথং মথং চগশিন্নকনুনা তাইবং মিথুম্মাক্লমণ তৌরি ॥১৩॥ অনগে অনংমু, শোনদে শোনসমু, নোমগে নোমসমু কাংগে কাংসমু, মাংচাউগে চাউসমু শীতে শিখসমু, অয়াপা মতুংপা অনিসিমা নাকল অদিদগী থোমবা লৈজাউ অমিভম্না

জরামৃত্যু হি ভূতানাং খাদিতারৌ বৃকাবিব । বলিনাং দুর্বলানাঞ্চ হ্রস্বানাং মহতামপি ।১৩।
ন কশ্চিজ্জাত্বতিক্রান্তো জরামৃত্যু হি মানবঃ । অপি সাগরপর্যন্তাং বিজিত্যেমাং বসুন্ধরাম্ ।১৪।
সুখং বা যদি বা দুঃখং ভূতানাং পর্যুপস্থিতম্ । প্রাপ্তব্যমবশৈঃ সর্বং পরিহারো ন বিদ্যতে ।১৬।
পূর্বে বয়সি মধ্যে বাপ্যুত্তমে বা নরাধিপ ! । অবর্জনীয়াস্তেঽর্থা বৈ কাঙ্ক্ষিতা বৈ ততোঽন্যথা ।১৭।
অপ্রিয়ৈঃ সহ সংযোগো বিপ্রয়োগশ্চ সুপ্রিয়ৈঃ । অর্থানর্থৌ সুখং দুঃখং বিধানমনুবর্ত্ততে ।১৮।
প্রাদুর্ভাবশ্চ ভূতানাং দেহত্যাগস্তথৈব চ । প্রাপ্তির্ব্যায়ামযোগশ্চ সর্বমেতৎ প্রতিষ্ঠিতম্ ।১৯।

হোঠিজরকপুনা ভাইবং মীবু চাখোকই ॥১৪॥ * জরাবনু ওইরবগু সুংভাইবনু ওইরবগু জীবপানব-শিংগী মকমদা থ,রেত্তিবা অবস্থা অমু থিংগতনা অমুম্বক্ সীকার তৌগদবনি । করিমরম্ম হায়বদা লাক্লিজাঙ্গিবা অবস্থা অম্ভনু হাম্ হরাম ভবপা নত্তনা মথোয়বু কম্বোকপুম্ব মাগদোবা টৈতে । মাসিদা জ্ঞানবিজ্ঞাননা করিমতা চঙবা মাখোই ॥১৫-১৬॥ নিংখৌ । অদুগুম্বা মথোয় অনীসিদগী লাংথোকে হায়রম্মা, ভাইবং মীনা কায়না থৌনঙ্বিবা হায়রিবা অরাগা মৃত্যুগা অনী অ.স, পুনশি, (চনী মতাং) গী অহানবা শরুপা নত্তগা মঘায় (মীয়ায়) চন্বা শরুপা নত্তগা অমোইবা শরুপা থেক থেক লাকই । অহাক পনহনবা হোৎনবদি মরাই হায়বদু মথোয় অনিসিবু হলহনবি-বতদি মথমে । হুকহনবিবদি লায়বনা মথোয় অনিসিবু থ,ত্তেগদবগী খুদম তাকপা থবক্‌শিংদি মাতজৌনমুম্ থ,রৈ ॥১৭॥
তিমনীঙদবা মীপা তিয়ব কায়ননীঙবা পুংশিনবা কায়নবা ,হায়নীঙবায় লৈতনা পুংশিনবা চান্বব মীপা থাইনবা, অরাবা লুংভাইবা সম্পত্তি বিপত্তি হায়রিবশিংসে জীবপানবশিংগী মকমদা মহৌশানা লাকলিব ভাক্তি ॥১৮॥ পোকপশিংবা অপায়-পাম্মদবপা তিমবা অসিনচিংব থবকশিং অসি থোক্লবগী

---

* টিপ্পনীঃ—জরা (অহল ওইশিনবকপা) না চাশিবগু মাঙই । অরানা যোরর্কাত্তিকৈ মৃত্যুনা হায়্যু থোমকপুনা অম্মা কোবা কৈনা চাবা কংজিটৈদা মৃত্যু কোবা কৈকুনা হায়চাশিবগু মাঙই । অনী পুমম্মা থোঙথোং চপ মাত্তনা থেহিনমিন্নকপুনা মথোয় অনী চঙনা ভাইবং মীবু চাখোক-শিবন্ মাঙই । কৈত্তাম্ অনীসিনা লোয়ম লোয়শী মীকুপ খুদংগী নাকল অনীদগী অমুক অমুক নকশিমকপা উম্না অনী মঙ্গাপুক্কমশিংনা অনিসিদগী লাংথোকপুনা চেনখিনবা উপায় অসি তসিকাকবা থিনমুমলি । মানু মুনা কংবা থঙবা উপায় অমু অমত্তা প্রচায় তৌরম তৌরবপা মথোয়গু অমুম কৈ অনীসিগী মরাঙ্ভা তাখি । থোক্লিশিংনা জিবাঘাবু হায় থৈদোকপুনা থমহৌরপা পকপুপকী হককাংভমু চাহনহৌই ।

গন্ধবর্ণরসস্পর্শা নিবর্ত্তন্তে স্বভাবতঃ। তথৈব সুখদুঃখানি বিধানমনুবর্ত্ততে ॥২০॥
আসনং শয়নং যানমুত্থানং পানভোজনম্ নিয়তং সর্ব্বভূতানাং কালেনৈব ভবত্যুত ॥২১॥
বৈদ্যাশ্চাপ্যাতুরাঃ সন্তি বলবন্তশ্চ দুর্ব্বলাঃ। শ্রীমন্তশ্চাপরে ষণ্ঢা বিচিত্রঃ কালপর্য্যয়ঃ ॥২২॥
কুলে জন্ম তথা বীর্য্যমারোগ্যং রূপমেব চ। সৌভাগ্যমুপভোগশ্চ ভবিতব্যেন লভ্যতে ॥২৩॥
সন্তি পুত্রাঃ সুবহবো দরিদ্রাণামনিচ্ছতাম্। নাস্তি পুত্রঃ সমৃদ্ধানাং বিচিত্রং বিধিচেষ্টিতম্ ॥২৪॥
ব্যাধিরগ্নির্জলং শস্ত্রং বুভুক্ষা শ্বাপদং বিষম্। রজ্জ্বা চ মরণং জন্তোরুচ্চাচ্চ পতনং তথা।
নির্য্যাণে যস্য যদ্দিষ্টং তেন গচ্ছতি সেতুনা ॥২৫॥
দৃশ্যতে নাভ্যতিক্রামন্নতিক্রান্তোঽথবা পুনঃ। দৃশ্যতে চাপ্যতিক্রামন্ নিক্রান্তোঽথবা পুনঃ ॥২৬॥
দৃশ্যতে হি যুবৈবেহ বিনশ্যন্ বসুমান্ নরঃ। দরিদ্রশ্চ পরিক্লিষ্টঃ শতবর্ষো জরান্বিতঃ ॥২৭॥

হোৎনবদিজীব পানবশিংগী মশাদা লৈতে ॥১৯॥ রূপ (মশক্), রস (মহাও), গন্ধ [মনম,] স্পর্শ[শোক্‌পা মথোর মওাঅসে কোনোন কাবগুম্ অবমুক থোবক কাওগৎলগা মুংখি। মথোরনা পীরবা উংনবা সুংওাইবন্ থাম্বনা তাইবং জীবনা ওহাক ওহাকী অরা সুংওাইবম্ কংতি অদুনা তাইবং জিবনা সুংওাইবম্ থাম্বওম্না অরাংবগী মতুংশু ইরকই ॥২০॥ ভুবা হিপনা হোৎপা চৎপা চাবা থকপা অসিনচিংবা থবক পুম্নমকসি জীবশিংগী মতমচানা চানা অহুম মরাকই ॥২১॥ অনাবা-মাইবা, অকনবা অশোনবা, কশ্নবা অথীবা, নপুংসক [অথুংবা] অসিনচিংবা তাইবং মীশিংগী মরক্তা থেম্নবা কম্না লৈরি। বিধাতাগী খুদেম অদুগা মতমগী থোওচৎ অওকপনি ॥২২॥ অকবা শাগৈ অচৌ অশাংগী ঈমুংদা পোকপা, মশাকথা কনবা লায়নাপক্তবা, শাওংশাদা মশক কশ্নবা, থবক পুখদা মঙল ওইবা মরাম্বক কবা, সুংওাই ম্রাইকথা কংবা হায়রিবশিং অসি তাইবং মীনা দৈবসংযোগতগী ফংবনি ॥২৩॥ লায়রবনা মচা য়াম্না পোক্লীওদে, অদুবু মচা য়াম হেক্ক মপোকই ঈনাক খুনথনা কনাকনাওব মচাপোকবশিংনা মচা পোক্লীংত্তি। মচাপোক্লনবা থৌরাংনচিংবা অওবা শক্তি য়াম্না হোৎনৈ, অদুবু অমত পোক্কে। অদুনা বিধাতানা য়াৎথিবা কর্ম্মগী লীক্লম্ অসিমু মহা অওকপা অমনি ॥২৪॥ লায়না', বুমমৈচাকপা ঈশিং চাউবা নত্রগা ঈশিংদা তাব খুৎলায়না থীনা শোকপা, হুচাক্তবা, অবাব-লাওতক্লবা কংবা, উনচিংবা অরাংবা মকমদগী তাবা মকম-মতম চাদবনা শিবা আসিনচিংবা ঘটনাশিংসি জীবপানবশিংদা, বিশেষ ওইনা তাইবং মীদা, হেক হেক থোকই, মরম অদুনা মতম মতমগী মতুংইন্না জীবপানবশিংনা মাগী মাগী লাইবক্ত তমথবা গতিচুগী মতুং ইন্না লৈথোকবক্তোকপা য়াদনা অহুম মচৎলি ॥২৫॥ মাসিবু লাথোকপনে কনা অমতনা ওয়াত্তি অদুগা ওথম্ য়াওনখিত্তি। অদুবু তপস্যাগী শক্তিনা কথোকপা ওারবনা দৈব (লাইবক্ত তমথবা) হায়বসিবু কথোকপা ওথম্ মরাওনখি ॥২৬॥ য়াম চেক্‌শিন্ন লৈবা,

অকিঞ্চনাশ্চ দৃশ্যন্তে পুরুষাশ্চিরজীবিনঃ। সমৃদ্ধে চ কুলে জাতা বিনশ্যন্তি পতঙ্গবৎ ।২৮।
প্রায়েণ শ্রীমতাং লোকে ভোক্তুং শক্তির্ন বিদ্যতে। কাষ্ঠান্যপি হি জীর্য্যন্তে দরিদ্রাণাঞ্চ সর্ব্বশঃ ।২৯।
অহমেতৎ করোমীতি মন্যতে কালনোদিতঃ। যদ্‌যদিষ্টমসন্তোষাদ্ দুরাত্মা পাপমাচরেৎ ।৩০।
মৃগয়াক্ষাঃ স্ত্রিয়ঃ পানং প্রসঙ্গা নিন্দিতা বুধৈঃ। দৃশ্যন্তে পুরুষাশ্চাত্র সম্প্রযুক্তা বহুশ্রুতাঃ ।৩১।
ইতি কালেন সর্ব্বার্থানীপ্সিতানিহ। স্পৃশন্তি সর্ব্বভূতানি নিমিত্তং নোপলভ্যতে ।৩২।
বায়ুমাকাশমগ্নিঞ্চ চন্দ্রাদিত্যাবহঃক্ষপে। জ্যোতীংষি সরিতঃ শৈলান্ কঃ করোতি বিভর্ত্তি বা ।৩৩।
শীতমুষ্ণং তথাবর্ষং কালেন পরিবর্ত্ততে। এবমেব মনুষ্যাণাং সুখদুঃখে নরর্ষভ ! ।৩৪।

ঈনাকখুনবা মীশু মচুং মতম চাদনা শি। অদুগা চানিত্তৌয় লৈত্রবা, অরাবত্তনা মাগী শরুক ওইরবা, অহল ওইরব কয়ানমু চহি চাদা চুপা পূর্ণয় কংচনা লৈবা য়াওরি ॥২৭॥ লৈময়ুকমু সংসার অসিদা কর্ম্মগী শক্তি অকুপপা অমমু উঁয়ুঃ—করিমু লৈত্তরবা, শিখিবনা করে চায়না থরবঃ কয়ানমু কুইনা পুনশিন্নি, অহাউ অথ.ধত্ত চাবা, মশামত্ত করবা কয়ানমু অপমৃত্যুনা ওইরবমু অবমৃত্যুনা ওইরবমু, চুমগী নাথন শিবনা ওইরবমু ঈপাক্তগী কোঙ্গল ভাকপত্তম মৈয়ানবিনা মৈমুংদা চোংশিল্লগা শিবত্তম সংসার ঈপাক্তগী, কোঙ্গোলত্তম মুংশি ॥২৮॥ সংসারদা বিষয়সু ভোগ তৌননবগী শক্তি অসি ঈনাকখুনবা অয়ান্বগী লৈতে। অময়োমদা লাইরবগী ঈমুদংদ শীং মচেৎ অমা কাওবা ভাদবা য়াওর, চেত্ত মগ্ন অম কাওবা চেহ্ফুদা হাপ্তবা য়াওরি। অদুত্তম্বা লায়রবনা ঈনাকখুনবদগী য়ায় হেন্নমু পুনশিবা য়াওর ॥২৯॥ কত্তবা অপত্তবা মিশিংনো “ঐ মাসি তৌগনি” হায়না অহানবদা থবকতুগী অক-কত্ত ঈথলথন্দনা চেত্ত হায়দোকই, নত্রগা থম্মি। অদুদগীদি মাহ্র অকবা থত্তদে, কত্তবা থত্তদে, শাপকী মশক ওইরবমু হেক্তমক তৌথোকই ॥৩০॥

শাদানবা, চৌবরনচিংবা পোম্ব তৌনদুনা শামবা, শয়খোহনবা তৌহদবীশিংগা শমবা য়ুথকপা, কত্তবগা সঙ্গ তৌবা— অসিনচিংবাস পণ্ডিতশিংনা নিন্দা তৌনায়বনি; অত্তবু শাস্ত্র য়ায়া হৈরবশিংমকমু হায়রিবা থবকশিং অসিদা পুক্লীত্ত চত্তবা য়াওয় ॥৩১॥ মত্তো অত্ত্যা ভাইবং মীনা মশামক্না য়ানিংদবা থবক কয়াগু মীনা ঈথুন ঈথুন্দনা তৌবা য়াওর মশানা থবক কয়াগু অথিবা ইহৈ লৈত্র কাওবদা তৌদবা য়াওয়। মাসিনি সংসারগী কর্ম্মগী শক্তি অথপ্রনি হায়রিবসি ॥৩২॥ বৈজ্ঞানিক ভাইবং মীশিংদা মচাক্ শীথিরিবা সুংশৎ, আকাশ, মৈ, জুমিৎ-থা, অহিং নুংথিল, থরানামচাক্ চৌত্ত তুরেল পুময়ক অসিবু কনানা শেম্মি ? কনানা মৃথোয়বু তজি কাওবা ভাকশেম্বুনা থম্বিরি ? (মাসিদা খুম্‌গদবা হায়রবু কনাত্তয় করিত্তয়া অমননি হায়বা নত্তনা খুম্নিংভাই লৈতে। কনাত্তবা করিত্তয়হুনি “ঈশ্বর” হায়রবু। মাসি “ঈশ্বর” হায়বা শব্দলিগী অর্থনি। অর্থ ওইবত্ত নত্তনা “ঈশ্বর লৈ” হায়রবগীমু পাউথুয়)— মাসিনা চার্ব্বাককী মত্ত কত্তপনি) ॥৩৩॥ নিপা অথোইবা। অঈত্তবা [নিংথম্ থা], ত্তলাত্তবা, বর্ষা

নৌষধানি ন মন্ত্রাশ্চ ন হোমা ন পুনর্জপাঃ। ত্রায়ন্তে মৃত্যুনোপেতং জরয়া বাপি মানবম্, ।৩৪।
যথা কাষ্ঠঞ্চ কাষ্ঠঞ্চ সমেয়াতাং মহোদধৌ। সমেত্য চ ব্যপেয়াতাং তদ্বদ্ভূতসমাগমঃ ।৩৬।
যে চৈব পুরুষাঃ স্ত্রীভির্গীতবাদ্যৈরুপস্থিতাঃ। যে চানাথাঃ পরান্নাদাঃ কালস্তেষু সমক্রিয়ঃ ।৩৭।
মাতাপিতৃসহস্রাণি পুত্রদারশতানি চ। সংসারেষ্বনুভূতানি কস্য তে, কস্য বা বয়ম্, ।৩৮।
নৈবাস্য কশ্চিদ্ভবিতা নায়ং ভবতি কস্যচিৎ। পথি সঙ্গতমেবেদং দারবন্ধুসুহৃজ্জনৈঃ ।৩৯।
ক্বাসং ক্ব চ গমিষ্যামি কো ন্বহং কিমিহাগতঃ। কস্মাৎ কিমনুশোচেয়মিত্যেবং স্থাপয়েন্মনঃ ।৪০।

মচিংবা খক্তনা মতমগী মতুং ইন্না মশক ওনবহল্লুয়া, তাইবং মীওইবগী মর' মুংডাইবম্ মতম মতমগী মতুং ইন্না হেক হেক ও'গ্ল ॥৩৪॥ তাইবং মীবু অহল ওইরনা', খুইজিনবনা অমদি অশিবনা আক্রমণ তৌরকপ। মতমদা হীদারা, মন্ত্রনা, অহুগা হোমজপনচিংবা করিগুম্না অথবনা মাবু কনবা ঙম্মোই ॥৩৫॥ প্যাকচাউরবা সমুদ্রদা অহানবদা উকক্ নত্রগা চৈতেক অমনা অতোম্না অমগা তিন্নরগা অমী অহুনা খর লৈরগা অতোপ অতোম্না চৈতেক চৈয়াংশিংগা তিন্নদ্রনা ঈপাকী মকম অয়াবা মীশ্‌নো লৈরক্রপঙম সংসার ঈপাক্তা অহানবদা অমুব অনিনা তিন্নরগা অহুনী তুংদা মান্নদা অৗব অতৈ, অতৈ মথং মথং তিন্নমক্‌না জগৎপুম্বা মথোর অনিহুনা মীশ্‌নো লৈবা ওম্রকই, ॥৩৬॥ ঈনাক খুনবনি হায়হনা মীথমনা মুপী নহা কয়াগা লোয়ননা হয়াউ, ভয়াম্না পুংশেল যম্রনা জপোইনা ঈশৈনা মুংডাইনা মতম লেন্নি। অহুগা খরনা ম্রাম্না লাইবব ওইহুনা শাগে নাতৈ কনা অম্রত্র লৈরদনা চানৗভতায় কপ্‌ওবা লৈতনা মতম্ লেন্নি। অতগা কাল কোবা ল্যাইহুনা মী মথল অনিদিগী মথন্তা চাং চপ মান্নমা অপোই অহেন নাইদনা মাগী খবক অহ অহুম তৌহুনা লৈ ॥৩৭॥ ঐখোয়না জগৎ অসিদা মপোক তোঙাল তোঙানবদা ঈমা লিশিং লিশিং ঈপা লিশিংবু ঈচা ঈও চাম চামবু ঈমীৎমক্ষা উৎথবনি। মথুংদদি মথোর অহ কনা কনাগী ওইবথা অধুগা ঐখোয়না কনা কনাগী ওইরিবা ওইবথা অহুগা ওইগদৌরিবা হায়বসি থঙদে, হায়বদি কনান। কনাগীম্ ওইদে হায়বসি থঙলে ॥৩৮॥ মাতগী মহেনা মী অমনা মী অমগী চিয়গী খক ওইযোই, অহুগা মী অ.সম্ম কনাওথা অমগী সম্বন্ধী কুইনা খক ওইদে, ওইযে.ই। মতু মচা মরুপ শাগে তাইশেন শিংবাসু লমীদা পুনশিগী লম্বী চৎপদা ওহাক চৎমিন্নবা উনথিন্নবনি ॥৩৯॥ ঐ কদায়দা লৈ, কদায়দা চৎকনি, ঐ অসি কনানো, কথিগীদমক মকম অসিদা লাক্লিবনো, কথিগীদমক কনাগীদমক মাখি কপ্পুহনো, হায়বা অসিওথা চিংনবা মাখয়া মীওইবনা মাগী পুক্নীংবু বিকম্ম অবস্থাতদা থমগদবনি, হায়বাদ মাসিনি মাসিগীদমক্তি হায়বা অথেম্না সংকম্ম অমত্ত তৌযোইদৌবনি ঐসা

অনিত্যে প্রিয়সংবাসে সংসারে চক্রবদ্গতৌ। পথি সঙ্গতমেবৈতদ্ভ্রাতা মাতা পিতা সখা ॥৪১॥
ন দৃষ্টপূর্ব্বঃ প্রত্যক্ষং পরলোকং বিদুর্ব্বুধাঃ। আগমাংস্ত্বনতিক্রম্য শ্রদ্ধাতব্যং বুভূষতা ॥৪২॥
কুর্ব্বীত পিতৃদৈবত্যং ধর্ম্মাণি চ সমাচরেৎ। যজেচ্চ বিদ্বান্ বিধিবৎ ত্রিবর্গঞ্চাপ্যুপাচরেৎ ॥৪৩॥
সংমজ্জমানং জগদিদং গম্ভীরে কালসাগরে। জরামৃত্যুমহাগ্রাহে ন কশ্চিদববুধ্যতে ॥৪৪॥
আয়ুর্ব্বেদমধীয়ানাঃ কেবলং সপরিগ্রহাঃ। দৃশ্যন্তে বহবো বৈদ্যা ব্যাধিভিঃ সমভিপ্লুতাঃ ॥৪৫॥
তে পিবন্তঃ কষায়াংশ্চ সর্পীংষি বিবিধানি চ। নমৃত্যুমতিবর্ত্তন্তে বেলামিব মহোদধিঃ ॥৪৬॥
রসায়নবিদশ্চৈব সুপ্রযুক্তরসায়নাঃ। দৃশ্যন্তে জরয়া ভগ্না নগা নাগৈরিবোত্তমৈঃ ॥৪৭॥

ঐনা চৌজিক লৈরিবাস কদায়দনো, লৈরিবা ঐ অসিনা কনানো, ঐনা অসিদা লাকলিবসিনা কাবিগীনো, ঐনা রারিবা কাপ্পবসিনা কনাগীদমক্ অসিনাচিংবা মিরম ওইবা রাখলশিংসিনা পুক্কীংবু মিকম অবস্থাদা থমগদৌবনি। সংকম অবস্থাদা থক মথোইদৌবনি ॥৪০॥ চক্রগী মুংশিনবীশিংগা লৈমিন্নরিবসি অনিত্যনি, মীকুপ অমত্তমক্তনি, সংসারসিদু চক্রগী মতোন্না মীকুপ থুদিংগী লৈহুনা লৈরিবনি। মখোয় চৎপদা লম্বীদা উনবুনা তহাক খোঙবু ওইরিবা, মমা চৎমিন্নবগা মাগী চক্রকম লৈহৌকদা অমুম লৈহৌবা চৎথিবক্তগা মুম অমগী মচুংদা লৈমিন্নরিবা মীপা মীগা মীচৌ মীনাও মরূপ মপাং পুম্বসি মতম খজিক্তদমক্তা লৈমিন্নরিবনি ॥৪১॥ পরলোক-পরলোক হায়নরিবসি মরাইদো কনা অমত্তনা উথিবা চৎলুবা লৈত্রে হায়বদি পাণ্ডিতশিংনমু মথদিও। অদুবা চহেংবুক্তী মপোক্তা পরলোকদা মুথাইবা পাম্বশিংনা পরলোক লৈ হায়রসি থাজবা মাই ॥৪২॥ অশিংবশিংনা পরলোক্ লৈ লৈজবগী বাবা খোইনা থজ্জনা পিতৃ শ্রাদ্ধ, দেবতর্পন, ধর্ম্ম পোক্রনীত্তায় ওইবা দান, ব্রত উপাসনানচিংবা পুণ্য কর্ম্ম, যজ্ঞ অমদি ধর্ম্ম অর্থ কামনচিংবা কর্ম্মশিং অদি কায়দনা অমুম মতোগদবনি ॥৪৩॥ কাল [মতম] হায়বদি চাংজো নাইদনা পাকচাউরবা ঈপাক অমনি। ঈপাক অসিগী মচুংদা জরাগা মৃত্যুগা কৌবা অকিবগী মখক ওইরবা জলজন্তু অনীখক্ লৈ। কাল সমুদ্র অসিগী মচুংদা জগৎ পুম্বসি পুম্নমক দুপথিগদৌরিবনি। মাসি কনা অমত্তনা খোইনা থজদে থনম্নু থম্নদে ॥৪৪॥ আয়ুর্ব্বেদ রায়া হৈবা বৈদ্য কবিরাজ অমাম্বা মাগী পৃথিবাসপা লোয়ননা চুমিৎ চুম্না নায়না ওঙক লৈবনু উই ॥৪৫॥ পাক্লবা লপাক্লা মাগী চাংজৌদগী লাংঙোমকপা ওমদবঙোম, মগ্রনা হৈবারা অমদি থী শরোম রায়া শীজিন্নবস্ হৈরহৈরবা মাইবাশিংনা মৃত্যু (অশিবা) দগী লাংঙোকপা থক ওমদে ॥৪৬॥ মকম মতম চানা নিয়ম মাইনা রসায়নচিংবা হৌরাক মথল মথল শিজিন্নবনু থাম্লুনা কীবহলর চৌংহুমগী মতোন্না চাইবং মীনা মাগী অহল ওইশিন্নকপা

তথৈব তপসোপেতাঃ স্বাধ্যায়াভ্যসনে রতাঃ। দাতারো যজ্ঞশীলাশ্চ ন তরন্তি জরান্তকৌ ॥৪৮॥

নহ্যহানি নিবর্ত্তন্তে ন মাসা ন পুনঃ সমাঃ। জাতানাং সর্ব্বভূতানাং ন পক্ষা ন পুনঃ ক্ষপাঃ ॥৪৯॥

সোঽয়ং বিপুলমধ্বানং কালেন ধ্রুবমধ্রুবঃ। নরোঽবশঃ সমভ্যেতি সর্ব্বভূতনিষেবিতম্ ॥৫০॥

দেহো বা জীবতোঽভ্যেতি জীবো বাভ্যেতি দেহতঃ। পথি সঙ্গতমেবেদং দারৈরন্যৈশ্চ বন্ধুভিঃ ॥৫১॥

নায়মত্যন্তসংবাসো লভ্যতে জাতু কেনচিৎ। অপি স্বেন শরীরেণ কিমুতান্যেন কেনচিৎ ॥৫২॥

ক্ব নু তেঽদ্য পিতা রাজন্। ক্ব নু তেঽদ্য পিতামহাঃ।
ন ত্বং পশ্যসি তানদ্য ন ত্বাং পশ্যন্তি তেঽনঘ! ॥৫৩॥
ন হ্যেব পুরুষো দ্রষ্টা স্বর্গস্য নরকস্য চ।
আগমস্তু সতাং চক্ষুর্নৃপতে! তমিহাচর ॥৫৪॥
চরিতব্রহ্মচর্য্যো হি প্রজায়েত যজেত চ।

খুইাজলকপঙমরু মথং মথং নোংমনোংমগী পোস্থরকই ॥৪৭॥ মতো শিশুয়া তপস্যাকরবা বেদপাঠকরবা দানয়াম়ঃতীরবা; যাগযজ্ঞ রায়া তৌরবা অহুঙ্গা মীণক কাওবা জরাগ, মৃত্যুগা অনীশিদগী থক লাম্বোকপা ওমদে। ॥৪৮॥ সংসারদা পোক্রবা অংচ্চত জীবপুস্থী হোগ্রিগা অহিং মুংখিল চহি বা পক্ষ পুয়থক অসে মপোকসিমগীদি অমুক লাক্রঃবাইদোবানি ॥৪৯॥ জীস্তম অমতদা লেতদনা হোংদনা নৈবরোইদোবা তাইবং মাওইবনা জিবপানবখিবিরু চহনাম্বা চহনগ্রিব পুনসিগীশাংলুবা লম্বি দোমদা কথা কথা, নোরু নোরু রানা রানা মুংতাইয়াইকনা মীকুপথু দগী মথোত থাওজিল্লি ॥৫০॥ আস্তিকনা হাবঃ—হকচাং অসি জীবব্রহ্ম অনিদগী পোকপানি। নাস্তিকনাঅমুকহায়রি ঃ—জীবদা নৈারবা জ্ঞান আস দেহদগী পোকপনি। জীবাত্মানা দেহ অমগী মমুংদা লাকত্রিমথৈ মতোল্পা জ্ঞান নৈতে। অমবু ওইরবস্থু, অমবু ওইরবস্থু লম্বীচহপাশিংনা পোক-তৈগী উনত্রিব লম্বাচহপশিং থরগা রারী রাতায় শাহনাতাহাক্ চহংনিয়রম্বা তিন্নরমহী মঃতাশুয়া তাইবং মীনা মতম থরগীদমক মপা মচা মচৌল মনাও মুপী অতাংশিংগা মতম থরগীদমক গৃহস্থী লম্বীদা চহামরবনি ॥৫১॥ জগৎ অসিদা কনাঙ্গা জীব অমতনা মচামস্ত মচীন নাওশিংগা মতব কুইনা মুম অমদা নৈমিরবা, তিরবা কংদে। অমুক করি হায়গনি জীব (জীবাত্মা) সিনা মাগী কুমোম ওইবিবা হকচাং সিমকস্থু মতম শাংনা নৈমিরবা উদে। অহুনদি দম্ভাম্বা মরূপমপাং শিংহুপা নৈমিরু-বগীদি করি অমুক হায়গনি। ॥৫২॥ পাপকী শরুক য়াওরবা নিংথৌ! নিংথৌ নংবু পোকপা নপাবুং অহনা হৌজিক কদায়দা, অহুগা নপাবুংগুবু পোকপা অহবু পোকপা নবুথোপিং অহনা হৌজিক কদায়দা নৈঞবা! মথোয়বু নিংথৌ নহাক্না হৌজিক করিমত উব ফংবিদ্রে। মথোয়নস্থু নিংথৌ নহাকপু য়েংলদ্রে, উস্থু উদ্রে ॥৫৩॥ নিংথৌ! তাইবং মীনা স্বর্গবুস্থু নরকপুস্থু অবস্ত

পিতৃদেব মনুষ্যাণামানৃণ্যাদনসূয়কঃ ॥৫৫॥
স যজ্ঞশীলঃ প্রজনে নিবিষ্টঃ প্রাগব্রহ্মচারী প্রবিভক্তচক্ষুঃ।
আরাধয়েৎ স্বর্গমিমঞ্চ লোকং পরঞ্চ মুক্তা হৃদয়ব্যলীকম্ ॥৫৬॥
সম্যক্ হি ধর্ম্মং চরতো নৃপস্য দ্রব্যাণি চাপ্যাহরতো যথাবৎ।
প্রবৃত্তধর্ম্মস্য যশোহভিবর্দ্ধতে সর্ব্বেষু লোকেষু চরাচরেষু ॥৫৭॥
ইত্যেবমাজ্ঞায় বিদেহরাজো বাক্যং সমগ্রং পরিপূর্ণহেতু।
অশ্মানমামন্ত্র্য বিশুদ্ধবুদ্ধির্যযৌ গৃহং স্বং প্রতিশান্তশোকঃ ॥৫৮॥
তথা ত্বমপ্যচ্যুত! মুঞ্চ শোকমুত্তিষ্ঠ শক্রোপম! হর্ষমেহি।
ক্ষাত্রেণ ধর্ম্মেণ মহী জিতা তে তাং ভুঙ্ক্ষ্ব কুন্তীসুত! মাবমংস্থাঃ ॥৫৯॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি
চার্ব্বাকনিগ্রহে ব্যাসবাক্যে অষ্টাবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

মমাংনা উবে। অদুবু শাস্ত্রনা জ্ঞানী ওইবা সজ্জনশিংগীদ মায়মলেন্দ নৈতবা পোৎ পুম্ব উননবগী অমত ওইবা খুৎলায় ওই। মরম অদুনা নিংথৌ মহাকপু শাস্ত্রগী দৃষ্টিনা ভাকপা লম্বী অদু থীবিয়ু ॥৫৪॥ ভাইবং মীনা ঈহান হানবদা ব্রহ্মচারী ওইদুনা অদগী তুংদা অতোপ্পগী দোষবু মাংহনবগী থিদদুনা পিতৃলোক, দেবলোক, অদুগা মনুষ্যলোক হায়বদ মর্ত্ত্যলোকতা লৈরিব-শিংগী লমনশিংননবা, গৃহস্থাশ্রমদা চঙদুনা মচা মশু পোকননবা পুণ্যকর্ম্ম তৌগদবনি ॥৫৫॥ ভাইবং মীনা ঈহান হানবদা মচা মশু পোক্কনবগী বিবাহন চংবা পুণ্য কর্ম্ম মখাম অদু তৌননবগী থবক্তা পুক্নিং শেংনা চঙদুনা, মীৎ অনীসব অশেংবা বিষয়শিংবু য়েংদুনা শেংদোক্লগা পুক্নিং কৌবা ইন্দ্রিয়না অয়ানবা, স্বর্গগী ঐশ্বর্য্য ফংননবগী আশা অদুগা চম্মকী মপোক্তা সনাপুশা ফংনবগী রাখলদ মতৌবা পুন্নমক অসিবু থাদোকদুনা যজ্ঞদানত তৌরগনা পুনাশ লেনগদৌবনি অদুগা অমত ওইবা পরব্রহ্মগী আরাধনা তৌ তৌদুনা পুনাশগী পোলোইবু ভাইদুনা লৈগদৌবনি ॥৫৬॥ নিংথৌনা নিয়মবিধি কায়দনা প্রজাশিংদগী লোইপোৎ লৌখৎপা রাজনীতিগী কায়দনা লৈপাকপু শাসন তৌব, অদুগা মরুপ য়েক্কবা অনীমক্তা চপ মান্ননা চৎপা পুন্নমক অসিবু মতৌরবদি মহাক্না মিংচৎ অদু অচচসুনা থল্লবা জগৎ অসিদা মুমৎ থানা পান্নখৈ মথং মথং চাওখৎতুনা অদুম মরৈ ॥৫৭॥ মকল্লবা বুদ্ধিনা মহাক্না ওইরবা, বিদেহদেশগী নিংথৌ জনকনা অশ্মমুনিগী যুক্তিনা থল্লবা ৱাহৈশিংসি তাবদা অয়াবা পুম্বদগী কোক্কনা অশ্মগী মাখং লৌদ্রনা মাগী ঈমুংদা চঙশিনখি ॥৫৮॥ অদুনা, ইন্দ্রগা মান্ননা ধর্ম্ম চেল্লবা নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মহাকপু জনক নিংথৌনা তৌখিবদুগুম্না অয়াবা অনুতাপ পুম্বা থাদোকদুনা হৌগৎলু. ঈপুংও মুংচাইহনা লৈয়ো। ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্ম নিয়ম কায়দনা য়েক্কবু জয় তৌদুনা পাক চাউরবা লৈপাক অসিগী শাসন অসি নখুবাক্তা ভারে। অদুনা মাসিবু মহাক্না, রাজনীতি কায়দনা ভোগ তৌ, হায়রিবা য়াসে থৌঅইদবা তৌরগনু ॥৫৯॥

মখম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা চার্ব্বাকনিগ্রহগী মখুংদা ব্যাসবাক্যগী কুননিপানগুবা অধ্যায় লোইরে।

মহাভারতম

কৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরদা জ্ঞান তাকপা

ঊনাত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ।

কুম্মাপলগুবা অধ্যায়

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

——(:•:)——

তথ্যাহরন্তি রাজেন্দ্রে ধর্মপুত্রে যুধিষ্ঠিরে । গুড়াকেশো হৃষীকেশমভ্যভাষত পাণ্ডবঃ ॥১॥

অর্জ্জুন উবাচ ।

অয়ং শোকাভিসন্তপ্তো ধর্মপুত্রঃ পরন্তপঃ । এষ শোকার্ণবে মগ্নস্তমাশ্বাসয় মাধব ! ॥২॥

সর্বে স্ম তে সংশয়িতাঃ পুনরেব জনার্দন ! । অস্য শোকং মহাবাহো ! প্রণাশয়িতুমর্হসি ॥৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ ।

এবমুক্তস্তু গোবিন্দো বিজয়েন মহাত্মনা । পর্যবর্তত রাজানং পুণ্ডরীকেক্ষণোঽচ্যুতঃ ॥৪॥

অনতিক্রমণীয়ো হি ধর্মরাজস্য কেশবঃ । বাল্যাৎ গোবিন্দঃ প্রীত্যা চাভ্যধিকোঽর্জুনাৎ ॥৫॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— জনমেজয় মহারাজ ! নিংথৌ অথোইবা যুধিষ্ঠিরনা, অসি কাওবা তায়বতুবাওবদা কায়মত চাহেনবা ভুবা লৈব্রবতদা পাণ্ডুনন্দন অর্জ্জুননা কৃষ্ণদা অসুমা হায়-খকই:—॥১॥ কৃষ্ণ ! থেকুবাওবা ধর্মরাজ য়াম্বুং নিংথৌসে অসি থবাব হাংলুবগী অনুতাপনা চাকথিরনা অরাবগী ঈশাক্তা লুপথে। অদুনা কৃষ্ণ ! মহাক্না য়াম্বুবু অসুক্লা থেবজিল্লু ॥২॥ জনার্দন ! কৃষ্ণ য়াম্বুং মহারাজগী অশিগুম্বা অরাবা দুঃখোইজবা অফিনা মকোকমানসিদা থৈথোর পুম্মকপু চিংনবগী ঈশাক্তা লুপলে, মাসি নহাক্না থব তোকহল্লু ॥৩॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ— মহাত্ম ওইরবা অর্জ্জুননা অসুম্না হায়খ্রবদা মীগী থবাল লৈবা মাধবা, অচ্যুত ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরগী মাঙদা অনশিন্নুনা থোকায় চম্লুনা কমথৈ ॥৪॥ অতাং থৈরিবেলগী হোনা কৃষ্ণনা হায়ব অমত্তা যুধিষ্ঠিরনা য়াদবা তৌথিদবনি। অমুগা কৃষ্ণ হায়বসিবু যুধিষ্ঠিরনা মনাও অর্জ্জুন

সংশ্রুত্য মহাবাহুর্দুঃখং চন্দ্রবক্তুবিভূষণ শৈ শতজোশবং শৌরিরুবাচাতিবিনোদয়ন্ ॥৬॥
ততস্তে বদনং তস্য সুদংষ্ট্রং চারুলোচনম্। ব্যাকোশমিব বিস্পষ্টং পদ্মং সূর্য্য ইবোদিত ॥৭॥

বাসুদেব উবাচ।

মা কৃথাঃ পুরুষব্যাঘ্র! শোকং ত্বং গাত্রশোষকম্। নহি তে সুলভা ভূয়ো যে হতাস্মিন রণাজিরে ॥৮॥
স্বপ্নলব্ধা যথা লাভা বিতথাঃ প্রতিবোধনে। এবং তে ক্ষত্রিয়া রাজন্! যে ব্যতীতা মহারণে ॥৯॥
সর্ব্বেঽপ্যভিমুখাঃ শূরা বিজিতা রণশোভিনঃ। নৈষাং কশ্চিৎ পৃষ্ঠতো বা পলায়ন্ বাপি পাতিতঃ ॥১০॥
সর্ব্বে ত্যক্ত্বাত্মনঃ প্রাণান্ যুদ্ধা বীরা মহাযুধে। শস্ত্রপূতা দিবং প্রাপ্তা ন তান্ শোচিতুমর্হসি।
ক্ষত্রধর্ম্মরতাঃ শূরা বেদবেদাঙ্গপারগাঃ। প্রাপ্তা বীরগতিং পুণ্যাং তান্ ন শোচিতুমর্হসি।
মৃতান্ মহানুভাবাংস্ত্বং .কৈব পৃথিবীপতীন্। ॥১২॥

মক্তদগী হেয়া সুংশিজবনি ॥৫॥ অমন্না কৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরগী চন্দ্রন মথল মথন্না লৈতেংলবা, মনম্ সুংশিনবা, সুংগী মবীক্তম কল্ল কল্লবা পাম্বোবু পারখৎতুনা, যুধিষ্ঠিরবু য়ায়া সুংভাই হন্দুনা মোমোন-নোক্না হায়রকই :—॥৬॥ মতম অদিদা শ্রীকৃষ্ণ মোমোন নোকপদা হাইদোরকপা কল্লবা য়াঙ্গী পরেংনা অচুপা নীঙথিজয়বা নয়ন পীতম্মা লৈতেংলবা মায়পোং অদো থোরকপা সুমিংকী মশেক্না য়ৈবদা কুপাইনা শাংলপা থবাল লৈয়াংগী মতৌঙ্মা থোইনা নীঙথিজে ॥৭॥ কৃষ্ণনা অস্মু হায়রকইঃ— নিপা অথোইবা! মহারাজ! দেহ কংশিন্নবা অবাৎ, কান্নব্বা বাথলশিং অদে যারোকপিমু। মমমদি জালকমদা মথাই থাম্নবা অকনবশিং অদো অমুক হল্লকলহোইদবনি অমুক-কংহোইজোবা পোৎশিং অহুম মমদা কাহেম্না অশুতাপ থক তৌবিহোইদোবনি ॥৮॥ মহারাজ! মতম কংবা লদনা মীকপ থোরকপদা তৌশিন্নবা মীনবা অইন্দ্রকুল্লা লাল্লাও অহুদা শিপ্তবা ক্ষত্রিয়শিং অদো হৌজিক্ অসিদদি তৌশিন্নবা, মীনবা মাত্তা শোম্বি শোম্বি উরহনজা অইরমুলেদো ॥৯॥ লাম্বাশিজনগে ক্ষত্রিয়গী হৌনবত তৌবগদে হান্নবা থল্লবতনা মশিন্নাং অইবা অকনবশিং অহুম্ এথোরনা মায়োক্লবা লাম্দা অয় তৌগনা মথোয়গী নিংবা থাহেন্নেদো। মথোয়বু য়ায়হুনী মসুক কনাগুম্বা অমতনা মতুংদগী থারকপা খুৎশাইনা অতুপা নীঙথম্মনা চেনবা শিথবা নৈতে ॥১০॥ মথোয় পুম্মক্ অদো ধর্ম্মগী লাম্লাও অমুদা মাখী মাখী মথাইবু থাজোকলমুক্লা অবয়ুখ্য লক্তন খুৎলাইগী মচান্দা মুহ্য কংহুমা নোংগাথিবমি। মমম অমুন্না অদিনা ধর্ম্মগী চক্কবর অদবা চৎপবশিং অতীদবক্ বাখিবন্ থোক্কে ॥১১॥ মহারাজ!

অষ্টাবেবাধ্বমেধানিষ্ট্বান্ পুরা তম্। ... স্বকৃতঃ পুণ্যকোবার্ধং যমাহঃ কালকোষকাঃ ॥১২॥

নারদ উবাচ।

স্বর্ণষ্ঠীবনং যত্র প্রজাঃ সর্বাশ্চ স্বয়ম্। অবিযুক্তা বশিতাবহ্ন কা পরিদেবনা ॥১৪॥
মহাত্মনাং পুরা মত্তোঃ কীর্তিমানং মহা পুণ্যু। ... ॥১৫॥
মৃতান্ মহাবুভাবাংস্ত ... পৃথিবীপতীন্। ... পুণ্যবিক্রমপক্ষো ।
... পুর্বজনপুত্রম্ ॥১৬॥
অভিযাপাং কিভিতুবাপুণ্যাবং বক্যেহহম্। ... ॥১৭॥
যত্র দেবাঃ সরূপা বৃহস্পতিপুরোগম্। দেবা বিশবহকো বাক্রাতুর্যাজনঃ ॥১৮॥
যঃ সার্বনাবময়ং দেবানাং পুরপরা ... বিদ্যান্ ... বৃহস্পতিঃ।
সংবর্তো যাজয়ামাস যমীরান্ ন বৃহস্পতিঃ ॥১৯॥

ক্ষত্রিয় বর্ণদা পুরকৌং চওবা অকনবশিং অহনা পুণ্য কর্মনা কংবনা খুত্রনু কংবশিবনি। পুত্রচেল চাউরবা, মনিল নৈনবশিং অহনা শিখে হায়বসি ফাবদা অবদি উবদা মহারাজনা বাবিবসি যায় চুমদে ॥১২॥ মচাশিংবিনী বাবনা স্বহুনী খেননা নারনা তাকশিং শাউতাকু বাবী অহু মতাং অসিদা দেশকালগায়ে থতবশিংনা শাকনু খোকুই ॥১৩॥ নারদনা স্বহুমনা অনুয়া হায়বিং—স্বহুয় । ঐয়, নংমু থহগা বগতা নৈশিবা অহৈ তাবশিং শরংকশিয় অরাব থবগা মুংতাইবনি হায়বিবা থরগা অসিগী মনুংদা থেংবংখোংবহুনা শিংশিগনবা তাক্লাবদো । মাসিদা কপ্ লাউবগী মুংতাইতনবগী কবিতব মনম্ থবত নৈসতে ॥১৪॥ নিংবো । মমাংতৈগী নিংখোশিংগী মথারবতুকবিবতুগী মায়াক তাবিয়ু ॥ তাবগা অরাবা কোকশিয় । মায় ঐ শখোক্লা লৌগে, তাবিয়ু । মাবী অসি তায়বদি ফতবা এহনা চাবগী থোয় কোকই; মহগা পুনশি শাংতি ॥১৬॥ নিংবো । স্বহুয় । মমাংতৈগী নিংখোশিংগী মথুংদ থ্রাইবগী হায় শাংথানকয় ওইবা, অতাবকনথবা অবিক্ষিতগী মচা মরুত হায়বহু শিশি হায়না ঐংথায়বা তায় ॥১৭॥ ইন্দ্রগা অংগা বরুণগা লোয়ননা দেবতা পুয়মক, বৃহস্পতিনা মাত থায়চনা অগংকী মকশী থবক তৌবগা, মহাত্মা ওইরবা মরুত নিংথৌ মজ্ঞনা চংলুই ॥১৮॥ হায়রিবা মরুত নোংবনিংথৌ অসি মায় চাইংথোক্লা থ্রাইগী মাওদা উৎকেহায়বগী মতাওম্ পুরন্দর ইন্দ্রমকয় মাগী যজ্ঞদা পুরকনা মাওহন্বি । অদুগা ইন্দ্রগী কননবত তৌবা বৃহস্পতিনা মরুত হায়রিবা নিংথৌ অসিগী মজ্ঞদা পুরোহিতকী থবক্ তৌবসি মাশিদে । বৃহস্পতিনা মাগী মথাও মতোংবা সংবর্তনু মরুত নিংথৌবিনী মজ্ঞদা

যস্মিন্ প্রজাপতি সত্রং কৃতবৌ বাজপেয়ং ! অক্ষয়পাত্রা পৃথিবী বিবশৌ তৈত্তরাদিষৌ ॥২০॥
আবিক্ষিতস্য তৈ মত্তে বিশ্বে দেবাঃ সভাসদঃ। মরুতঃ পরিবেষ্টারঃ সাধ্যাশ্চাসন্ মহাত্মনঃ ॥২১॥
অন্যূনপা মরুত্তস্য বৎসোমহবিষিংকৃতা। দেবান্ মনুষ্যান্ গন্ধর্বানত্যরিচ্যন্ত দক্ষিণাঃ ॥২২॥
স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্ত্বয়া। পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥২৩॥
সুহোত্রং চৈথিবিং মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম। যস্মৈ হিরণ্যং ববৃষে মঘবা পরিবৎসরম্ ॥২৪॥
সত্যনামা বসুমতী যং প্রাপ্যাসীজ্জনাধিপম্। হিরণ্যমবহন্নদ্যস্তস্মিন্ জনপদেশ্বরে ॥২৫॥
কূর্মান্ কর্কটকান্ নক্রান্ মকরান্ শিশুকানপি। নদীষ্বপাতয়দ্রাজন্ ! মঘবা লোকপূজিতঃ ॥২৬॥
হিরণ্যান্ পতিতান্ দৃষ্ট্বা মৎস্যান্ মকরকচ্ছপান্। সহস্রশোঽথ শতশস্ততোঽস্ময়ত চৈথিবিঃ ॥২৭॥

পুরোহিতকী থবক্ পাঙথোক্লুহনবি ॥১৯॥ নিংথৌ অথোইবা, সৃঞ্জয় ! হায়রিবা মরুত্ত নিংথৌ অসিনা শাসন তৌরিবৈ মতমদা লৌবুক্ পুক্লিংমক্তা লৈপাক্ অসি ঈথোইথোইদনা কোচেংনজিবা মতৌ মরোং অসি মথন মথন অহুম হোৎনবকই। মতৌ মরোং অহুম্ চুম্না চুপ্না যাদ্রি। মথম মকমদা লাইশং মন্দির পুম্নমক্ অসি য়াম্না নীঙথিজনা শিরবিবি কায়দনা লৈ ॥২০॥ মহাত্মা ওইরবা মরুত্ত নিংথৌ অসিগী যজ্ঞহূদা লাইরাম্পুম্বা লাক্নুনা যজ্ঞ সভাগী সদস্য ওইনা য়াওবি। ফুংশিৎ (বায়ুদেবতা) নিকুমাপম্না অহুপা সিজ সাধ্যশিংনা চানথরবা য়েনবি ॥২১॥ অর্মী লাইরাম্ পুম্নমক্তা সোমরস থকথিবা, মরুত্তগী যজ্ঞ অসিদা তৌথিবা দক্ষিণা অহুদি মথাইদা তেকতৌথিবা দেবযজ্ঞ, গন্ধর্ব্বযজ্ঞ, মনুষ্যযজ্ঞশিং অহুপগী য়াম্ন হেনবি ॥২২॥ সৃঞ্জয় ! নতোন্দগী আহেন্না সামদানভেদদণ্ড নীতি মরি অসিদা] চৈশিংথবা অহুপা নহাকী নচাম্চাদগী হেন্না পুণ্য চেন্নবা মরুত্ত নিংথৌসু মরম্ শিখ্রবদি অহুপা মহাক্না শিথিবহূদা কনানসু থোইনা অনুতাপ তৌনখিব্রবদি, নহাক্না নচাহুগী অনুতাপ তৌকম ইথোক থোকদ্রে ॥২৩॥ সৃঞ্জয় ! অতিথিসেবা তৌবদা, মীতোন্দা পীজ পীথকপতদা পূক্নীং চঙথবা সুহোত্র কৌবা নিংথৌদুসু শিখ্রে হায়না তায়। ইন্দ্রনা সুহোত্র হায়বা নিংথৌ অহুগীদমক্তা চহী অম চুপ্না সনাথম্নাক মরীক্তনা নোং ওইনা মাগী লৈপাক চুথহনবি ॥২৪॥ বসুমতী (মরল লৈবী) কৌবী পৃথিবীনা নিংথৌ অসি কাংলবিবদগী বসুমতী- বসুন্ধরা হায়বা মিংথোল অসি চপ চানা কংখিবনি। নিংথৌ অসিনা পাম্লিতৈ মতমদা মাগী লৈপাকী তুরেল পুম্বা সনা মরীক মরীকপু ঈচেলদা তাউহনবি ॥২৫॥ নিংথৌ ! অপংবা পুম্বা তৌনখিবা ইন্দ্রনা সুহোত্র কৌবা নিংথৌসিনা পাম্লিতৈ মতমদা তুরেল পুক্লিংমক্তা সনাগী থেংনু, বায়থু, কুম্ভীর, তাকিহোম, তানাওবি নচিংবা অমম্বা থিবিক থাদরকই ॥২৬॥ মাগী লৈপাকী তুরেল পুম্নমক্তা সনাগী ঙা, থেংনু, তাকিহোমনচিংবা অমম্বা চায়-চায়-লিশিং

ভক্তিরথচমেধ্যা তথা যুতং কুরুজাঙ্গলে । ঈজানো নিয়তে যজ্ঞে ব্রাহ্মণেভ্যঃ সমার্পয়ৎ ।২৬।
স ত্ত্বমায় সুতং । চতুর্ভদ্রতরস্বয়া । পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব বা পুত্রমন্ত্রঃ যাগাং ।২৭।
অর্থাকণ্যবন্ধনং চেত্য দশাবা বা শুচঃ । অজং হরমিশ্বেতৈর হং অহঃ । অহং ।২৮।
যঃ সহস্রং সহস্রাণাং শ্বেতানশ্বানবাসৃজৎ । সহস্রক সহস্রাণাং কন্যা হেমবিভূষাঃ ।২৯।
ঈজানো নিয়তে যজ্ঞে দক্ষিণামত্যকালয়ৎ । যঃ সহস্রং সহস্রাণাং গজানাং পদ্মমালিনাম্ ।৩০।
ঈজানো বিততে যজ্ঞে দক্ষিণামত্যকালয়ৎ । শতং শতসহস্রাণি বৃষাণাং হেমশালিনাম্ ।৩১।
গবাং সহস্রানুচরং দক্ষিণামত্যকালয়ৎ । অন্তরা যজমানস্ত তদা বিতত্তে শ্রিয়ো ।

অমাপ্তদশ্যঃ সোমেন দক্ষিণাভিদ্বিজাতয়ঃ ।৩২।

যস্ত যজ্ঞেষু রাজেন্দ্র । শতসংখ্যেষু বৈ পুরা । দেবান্ মনুষ্যান্ গন্ধর্বানত্যরিচ্যন্ত দক্ষিণাঃ ।৩৪।
ন জাতো জনিতা নান্যঃ পুমান্ যঃ সম্প্রদাস্যতি যদত্তঃ প্রদদৌ বিত্তং সোমসংস্থাসু সপ্তসু ।৩৫।

লিঙ্লিংনা লোংমদোম্বুরুগী তারকপত্তু উবদা সুহোত্র নিংথৌ মশামক অতকুপ্পা কংখি ।২৭। অহুক্ রাম সনালিং অমু কুরু জাঙ্গলদেশদা পুরকতুনা চাউরবা যজ্ঞ অমা লিংখৎতুনা নিংথৌ সুহোত্রনা ব্রাহ্মণশিংদা লোইনমক দান তৌখোকখি ।২৮। সৃঞ্জয় । নত্তোঙ্গী হেন্না সাম, দান, দণ্ড ভেদ নিতুনা চঙখোগ্রবা অহুগা নহাক্কী নচাহুদগী হেন্না পুণ্য চেন্নবা সুহোত্র নিংথৌহুৎ অমকসু শিরবদি অহুগা নহাক নচাহুগী কাওবা কনা অমত্তনা অহুক রাম্না অনুতাপ তৌখিরবদি, নহাক্না নচাহুগী মমক থোইনা রাবা অনুতাপ তৌবা চুমদে ।২৯। সৃঞ্জয় । নহাক্কী নচাহুদি যজ্ঞমু থোইনা তৌখিদে । দান দক্ষিনাসু থোইদোক্না তৌবা লৈখিদে । মাহু খঙ্গনা অমারম্ব থাদোকউ । তজ্জ্যাজ বৃহদ্রথ হায়রবস্ত নোঙাথে হায়না ঐখোয়না তার ।৩০। মহাক্না অতোবা শগোল কজরবা লাখ তরা, সনাগুপানা লৈতেংলবা নীঙখিবরবা লাখ তরা দান তৌখি ।৩১। মহাক্না চাওরবা যজ্ঞ অম লিংখৎতুনা সনাগী থয়ালঃ পরেং শিবা শামু লাখ তরা দক্ষিনা ওইনা ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌখি ।৩২। অহুত্তম্বা চাউরবা যজ্ঞ অহুদা সনবীকু পদ্মং শিবা শঙ্গাউ কোটি অম দাক্ষনা ওইনা দান তৌখি ।৩৩। মহাক্না যজ্ঞ অহুদা দক্ষিনা ওইনা মখোয় তরিখী শাম্ন লিশিং অমগা লোয়নবা শজ্রায়া লিশিং অম দান তৌখি । অজরাজ বৃহদ্রথ হায়রবিনা যজ্ঞ তৌরবৈদা ইন্দ্রমশামক্না যজ্ঞ অহুদা লাকতুনা মথুক পেন্না লোপথম থকতুনা মরাম কাখি । অহুক্ রাবা ব্রাহ্মণশিং অমু দক্ষিনা মতিক চান চাকা কাংতুনা সুংতোইবা হৌমাউহনা লৈকক থতমখিরে ।৩৪। মত্তো অতন্না যজ্ঞ তৌখিবা অজরাজ বৃহদ্রথগী যজ্ঞ চামা অহুদা তৌখিবা দক্ষিনা অহুদি মনায়েক্লো তৌমখিবা দেবযজ্ঞ গন্ধর্বযজ্ঞ, মনুষ্যযজ্ঞ দানদগী যাম্না হেন্দোক্খি ।৩৫। অজরাজ

স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্ত্বয়া । পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥৩৭॥
শিবিমৌশীনরঞ্চৈব মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম । য ইমাং পৃথিবীং সর্ব্বাং চর্ম্মবৎ সমবেষ্টয়ৎ ॥৩৮॥
মহতা রথঘোষেণ পৃথিবীমনুনাদয়ন্ । একচ্ছত্রাং মহীং চক্রে জৈত্রেণৈকরথেন যঃ ॥৩৯॥
যাবদদ্য গবাশ্বং স্যাদারণ্যৈঃ পশুভিঃ সহ । তাবতীঃ প্রদদৌ গাঃ স শিবিরৌশীনরোঽধ্বরে ॥৪০॥
নোদ্যন্তারং ধুরং তস্য কঞ্চিন্মেনে প্রজাপতিঃ । ন ভূতং ন ভবিষ্যঞ্চ সর্ব্বরাজসু সৃঞ্জয় ! ।
অন্যত্রৌশীনরাচ্ছৈব্যাদ্রাজর্ষেরিন্দ্রবিক্রমাৎ ॥৪১॥
স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্ত্বয়া । অদক্ষিণমযজ্বানং মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥৪২॥
ভরতঞ্চৈব দৌষ্মন্তিং মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম । শাকুন্তলং মহাত্মানং ভূরিদ্রবিণসঞ্চয়ম্ ॥৪৩॥
যো বদ্ধ্বা ত্রিংশতং হ্যশ্বান্ দেবেভ্যো যমুনামনু । সরস্বতীং বিংশতিঞ্চ গঙ্গামনু চতুর্দ্দশ ॥৪৪॥

থুহ ত্রথনা সোমরসনা তৌখিবা যজ্ঞ তরেস্তা তৌখিবা দান অচুগুম্বা তৌবাগুম্বা মীদি মমাতেদা কনা অমত্তা পোকখিন্ত্রি; মতুংদা পোকনু পোক্লারাই ॥৩৬॥ সৃঞ্জয় ! সাম দান দণ্ড ভেদ নিঙ্গিমরমক্তা নতোম্মগী হেন্না হৈশংগ্রবা, নহাক্তী নচামক্তগীসু আ চেন্না পুণ্য চেনগ্রবা অচুগুম্বা অঙ্গরাজ বৃহদথ কাওবা শিগ্রবদি অচুগা কনা অমত্তনা থমোয় শোক্না রাবা তৌনখ্রিন্ত্রিবদি নহাকসু নচাক্তগী দমক থোইবা ব্রাক্কম থোক্কে ॥৩৭ সৃঞ্জয় ! উশীনরগী মচা শিবিকৌবা নিংথৌ অচুম্বাশগ্রে হাবনা তায়। মহাক্না পৃথিবীগী মকম মকমদা লাকওমক্লনা পৃথিবীবু মউংথৌরনা কন্না হেচ্ছুব লাকওমকীরাল পরিং পারংনা পৃথিবীবু পুমক্কোয় কোয়শিল্লমি ॥৩৮॥ মহাক্না মহাক্তী রথগী মথোক্তনা পৃথিবী পুম্বু পুমনিননিকহল্লুনা অমুক মহচ্ছত্রধর অমত্তনা পৃথিবী মপুম অংসবু সিংহাসন অমত্তগী মথাদা লৈহল্লম্মি ॥৩৯॥ নিংথৌ শিবীগী বনগী শাসিংপা লোয়ননা মাগী কেকলৈরিবা শল শগোলনচংবা মুমশাশিং অচুম্বু উশীনরগীমচা শিবি কৌবা নিংথৌসিনা মাগী চাউরবা যজ্ঞ অচুদা লেমনা দান তৌখোকখি ॥৪০॥ সৃঞ্জয় । উশীনরগী মচা শিবি হায়রবসি ইন্দ্রগী মতৌক্তম্ম য়াম্না মতীকমগুণ চাউবা নিংথৌ অদ ওইখি । রাজর্ষী অসি মহাক নহুনা কনাগুম্বা ভূত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমানগী নিংথৌ অমত্তনা পৃথিবীম্ব মাগুম শাসন তৌবা ঙমগনি হায়নাখদে ॥৪১॥ সৃঞ্জয় সামদানদণ্ডভেদ নীত মরিদা নতোম্মগী হেন্না হৈশিংগ্রবা নচা অংদগীসু য়াম্ন হেন্ন পুণ্যচেনগ্রবা শিবি কৌব নিংথৌ অহু কাওখনা শিগ্রবদি অচুগা মাগী দমক কনা অমত্তনা থোইনা অনুতাপ তৌনখিদ্রবদি যজ্ঞদানদক্ষিনা অচুক য়াম্ন তৌখিত্রিবা নংগী নচা অচুগীদমক থোয়না রাক্কবা চুমদে ॥৪২॥ সৃঞ্জয় ! লন্থুম য়াম্না লৈগ্রবা, মহাত্মা ভইরবা দুষ্মন্তগী মচা , শকুন্তলাগী গর্ভনগী পোকপা ভরত কৌবা নিংথৌ অচুম্ব শিখি হায়না তায় ॥৪৩॥ মহাক্না স্বর্গগী লাইরামগী পেম্বনবগী দমক যমুনা মপানদা অশ্বমেধ যজ্ঞ চহুমলাক, সরস্বতী মপান্দা কুংলাক, অচুগা গঙ্গাগী মপাদা তরাম মিরক তৌখি। মকমশিং অসিদা

অশ্বমেধসহস্রেণ রাজসূয়শতেন চ। ইষ্টবান্ স মহাতেজা দৌষ্মন্তির্ভরতঃ পুরা ॥৪৪॥
ভরতস্য মহৎ কর্ম্ম সর্ব্বরাজসু পার্থিবা। খং মর্ত্ত্যা ইব বাহুভ্যাং নানুগন্তুমশক্নুবন্ ॥৪৬॥
পরঃ সহস্রাদ্যো বদ্ধা হয়ান্ বেদীবিতত্য চ। সহস্রং যত্র পদ্মানাং কণ্বায় ভরতো দদৌ ॥৪৭॥
স চেন্মমার সৃঞ্জয়। চতুর্ভদ্রতরস্তয়া। পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥৪৮॥
রামং দাশরথিঞ্চৈব মৃতং সৃঞ্জয়! শুশ্রুম। যোহন্বকম্পত বৈ নিত্যং প্রজাঃ পুত্রানিবৌরসান্ ॥৪৯॥
বিধবা যস্য বিষয়ে নানাথাঃ কাশ্চনাভবন্। সদৈবাসীৎ পিতৃসমো রামো রাজ্যং যদন্বশাৎ ॥৫০॥
কালবর্ষী চ পর্জ্জন্যঃ শস্যানি সমপাদয়ৎ। নিত্যং সুভিক্ষমেবাসীদ্রামে রাজ্যং প্রশাসতি ॥৫১॥
প্রাণিনো নাপ্সু মজ্জন্তি নাত্যর্থং পাবকোহদহৎ। রুজাভয়ং ন তত্রাসীদ্রামে রাজ্যং প্রশাসতি ॥৫২॥
আসন্ বর্ষসহস্রাণি তথা বর্ষসহস্রকাঃ। অরোগাঃ সর্ব্বসিদ্ধার্থা রামে রাজ্যং প্রশাসতি ॥৫৩॥
নান্যোন্যেন বিবাদোহভূৎ স্ত্রীণামপি কুতো নৃণাম্। ধর্ম্মনিত্যাঃ প্রজাশ্চাসন্ রামে রাজ্যং প্রশাসতি ॥৫৪॥

মাগী অশ্বমেধগী শপোল অদু পুম্নুনা থমখি ॥৪৪॥ দুষ্মন্তগী মচা কন্নব ভরত হায়বসি মহাক্তৈদা অশ্বমেধ যজ্ঞ লিশিং অম, রাজসূয় যজ্ঞ চামা তৌখি ॥৪৫॥ তাইবং মানা মপাহেক্তা থনেনা চোক্নবা খোঙ্নবা আকাশদা পাইবা ঙমদবদুগুম্না মতম অদুগী কনাগুম্বা নিংথৌ অমতনা ভরতনা তৌখিবা থবকশিং অদুগী মতৌ তম কাওবা ঙম্খিদে ॥৪৬॥ অদুগুম্বা নিংথৌ ভরতনা শপোল লিশিং অমদগী হেন্না যজ্ঞগী দমক্ত পুম্নুনা, মতীক চানা যজ্ঞগী বেদী শাহনা সনা লুপা পদ্মলিশিং অম মহর্ষি কন্বদা দক্ষিণাগী মশক্ ওইনা দান তৌখি ॥৪৭॥ সৃঞ্জয়! নচোম্বগী হেন্না সাম দান দণ্ড ভেদ নীতি মরিমক হৈখিংলবা অদুগা নহাক্কী নচাহুদগী হেন্না পুন্য চেন্নবা ভরত কোবা নিংথৌ অদু কাওবনা শিখ্রবদি অদুগা মহাক্কী দমক্তা কনা অমত্তনা থোইনা অনুতাপ তৌবা দৈনিখ্রবদি নিংথৌ নহাক্কী নচাহুগীদমক্তা থোইনা থাকয় থোক্কে ॥৪৮॥ সৃঞ্জয়! দশরথগী মচা রামসু লোংপাখি হায়না তায়। মহাক্না প্রজাশিংবু হেক পোকপা মচাশিংগী মতৌগুম্না লুংশিনখি ॥৪৯॥ অমগা চাংদম্বা যামখ্রবা থর্ম্ম চেন্নবা রামনা মপাবুং দশরথকা চপ মান্ননা রাজ্যশাসন তৌখি। মহাক্কী লৈপাক্কা লুপি অমত মমুংমতম্ চাদনা লুখ্রা ওইখিদে লুপী অমত্তা চত্তকয় লৈজ্রবী হায়বদু ওইখিদে ॥৫০॥ অদুগুম্ব রামচন্দ্রনা নিংথৌ ওইরিবৈদা মতমচানা নোং চুখি। লোয়ুক পুম্বা মহৈমরোংনা চুশি। প্রজাশিংগী যুমথোং খুদিংদা কোচেংনা পাকপাক থল্লি। চঙ্বা মকম মকমদা ভীক্ষা মতীক চানা চানা কংখি ॥৫১॥ রামরাজ্যদা কনা অমত্তনা ঈশিংদা তাদুনা শিদে। লিঙ্ক্ষিমথৈ কনা অমত্তবু মৈনা চাকপা ঙমদে। ॥৫২॥ রামনা শাসন তৌরিবৈদা নিপা লুপী অনিমক চহি লিশিং লিশিং পুনশিন্নখি। মানা মানা নীংবা পুম্বা থক্লেখি ॥৫৩॥ রামচন্দ্রনা রাজ্যগী শাসন তৌরিবৈ মতমদা ঈমুং মমুংগী লুপীনহাশিংগী মরক্তা ... লুংতাইনদবা থংনচৈনবা থক তৈখিবে।

নষ্টাঃ সর্ব্বনিষাদা বিভ্রান্তাঃ বৈরচারিণঃ । নরাঃ সতাত্ত্ব চাণ্ডালম্ রামে রাজ্যং প্রশাসতি ।৫৫।

নিত্যপুষ্পফলাশ্চৈব পাদপা নিরুপদ্রবাঃ । সর্ব্বা দ্রোণদুঘা গাবো রামে রাজ্যং প্রশাসতি ।৫৬।

স চতুর্দশ বর্ষাণি বনে প্রোষ্য মহাতপাঃ । দশাশ্বমেধান্ জারূথ্যানাজহার নিরর্গলান্ ।৫৭।

যুবা শ্যামো লোহিতাক্ষো মাতঙ্গ ইব যূথপঃ । আজানুবাহুঃ সুমুখঃ সিংহস্কন্ধো মহাভুজঃ ।৫৮।

দশবর্ষসহস্রাণি দশবর্ষশতানি চ । অযোধ্যাধিপতির্ভূত্বা রামো রাজ্যমকারয়ৎ ।৫৯।

(যুগ্মকম্)

স চেন্মমার স্বঞ্জয় ! চতুর্ভ্রাতৃমহ্যা । পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ।৬০।

ভগীরথঞ্চ রাজানং মৃতং স্বঞ্জয় ! শুশ্রুম । যজ্ঞেষ্ট্যো বিততে যজ্ঞে সোমং পীত্বা মদোৎকটঃ ।৬১।

অদুনদি মিপাশিংগী মরক্তদি করম নৈপনি ? প্রজামাপুং খুদিংমক ধর্ম্মকর্ম্মী রাখত্তনা পুক্কিং চত্তখি ॥৫৪॥ রামনা নৈপাক ভাক্কিত্তৈদুত্তমদা প্রজাশিংনা মানা মানা নাত্তবহ্ন ইরার ল্যায়না থ্‌না মাত্তনাকংবা পাত্তখোকপা ভরখি । মখোয় খুদংমক সুমিৎচুম্না ঈশেঙ্গ পেশ্বা্না, ইন্দুঙ্গ সুংত্তাইহ্ননা লৈ । মানা মানা পাম্বা ধর্ম্মগী ঊগবমেলানচিংবহ্ন রৈবার বিংগাইবা নৈপানি হায়বগী অকিবা চিংনবা লৈত্তনা পাত্তখোকপা ভম্বশি । প্রজা মী খুদিংমক অকিবৎবা বিপাইবা লৈত্তনা, খুরাকুশিংনা লৈখি । চংনাও শ্নোনিংবা মকাদা রোত্তশি । মী খুদিংমক রাখক চেংপা অচুম ত্তাত্তবা মক্ত ভইখি ॥৫৫॥ রামচন্দ্রনা শাসন ভোরিত্তৈদা মত্তমলৈবখিবিক্তা হৈপাল লৈপাল পুম্মক মশামমং মনামপাল মহৈনা মরেক চুম্ন । মখোমগী মশাদা কন্নিত্তবা উপত্রব ঘটনা অমত থোক্কে । শন্নীপুম্বা মরাত্ত কায়না শঙ্গোম থোকই ॥৫৬॥ রামনা তপস্বী ভইদুনা চহি তরামরি বনদা লৈখি । অযোধ্যাদা অমুক হন্নক্ন্‌না লগংনা থাগংনকম ভইরবা অশ্বমেধ যজ্ঞ তরায়ক তৌখি ॥৫৭॥

পাথং মীয়ায় চম্নবা, শংবায়ব কুচু পুমবা,
মীস্না ত্তাত্তলৈনমবা, শাযুক্তম লেম্নতম্নবা,
প্রজাবু মচাত্তম য়োকত্তম্বা, পাম্বেম্না খুকুউ কাত্তব চোম্নবা
মায়খোং খোইনা নিত্তাথবা, রাম কৌব কম্নবা
নিংথৌনা অযোধ্যা লৈপাক্তা, কুমজা তরা মাখোই চুম্না
পানখি রৈথায়বা লেত্তনা, লৈপাকুমমা তম্নবু ॥৫৮—৫৯॥

স্বঞ্জয় ! নত্তোম্বগী হেম্না সাম দান দণ্ড ভেদ নীতিমরিদা চত্তথোম্নবা নহাকো নচাদগীম্ন মায়া হেন্ন পুণ্য চেম্নবা রামচন্দ্রহক্তাত্তবা মত্তমগী মতুং ইন্না লোংঙ্গাম্নবদি, অদুগা মাশীদমক্তা কনানম্ন খোইনা অনুতাপ তৌমম্নবদি নহাকম্ন, নিংথৌ ! নচাহ্নগীদমক্তা খোইনা রাকম থোক্কে কনানম্ন খোইনা রাকম থোক্কে ॥৬০॥ স্বঞ্জয় ! ভগীরথ কৌবা নিংথৌ, পাককৌবা

অসুরাণাং সহস্রাণি বহূনি সুরসত্তমঃ ; অজয়দ্বাহুবীর্য্যেণ ভগবান্ পাকশাসনঃ ॥৬২॥
(যুগ্মকম্)

যঃ সহস্রং সহস্রাণাং কন্যা হেমবিভূষিতাঃ। ঈজানো বিততে যজ্ঞে দক্ষিণামত্যকালয়ৎ ॥৬৩॥

সর্ব্বা রথগতাঃ কন্যা রথাঃ সর্ব্বে চতুর্যুজঃ। শতং শতং রথে নাগাঃ পদ্মিনো হেমমালিনঃ ॥৬৪॥

সহস্রমশ্বা একৈকং হস্তিনং পৃষ্ঠতোঽন্বয়ুঃ। গবাং সহস্রমশ্বেঽশ্বে সহস্রং গব্যজাবিকম্ ॥৬৫॥

উপহ্বরে নিবসতো যস্যাঙ্কে নিষসাদ হ। গঙ্গা ভাগীরথী তস্মাদুর্ব্বশী হ্যভবৎ পুরা ॥৬৬॥

ভূরিদক্ষিণমিক্ষ্বাকুং যজমানং ভগীরথম্। ত্রিলোকপথগা গঙ্গা দুহিতৃত্বমুপেয়ুষী ॥৬৭॥

স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্তয়া। পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥৬৮॥

দিলীপঞ্চ মহাত্মানং মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম। যস্য কর্ম্মাণি ভূরীণি কথয়ন্তি দ্বিজাতয়ঃ ॥৬৯॥

য ইমাং বসুসম্পূর্ণাং বসুধাং বসুধাধিপঃ। দদৌ তস্মিন্ মহাযজ্ঞে ব্রাহ্মণেভ্যঃ সমাহিতঃ ॥৭০॥

দৈত্যরু হাংত্তস্ত ইন্দ্রমক্তা মাগী যজ্ঞ সোমরস থক্ত,ন' ময়ায় কাথিত্তনা হিংচাবা জিশিংবু অমদি মেরুবপুষরু হাংখি ॥৬১-৬২॥ ভগীরথ নিংথৌনা অচৌবা যজ্ঞ অম লিংথক্তুনা সনাপুগা মনি মুক্তানা লৈত্তোকবী কন্যা' লখা তুরারু দক্ষিনাওয়া দান তৌখি॥৬৩॥ কন্যাশিং অহু দান তৌবা মতমদা রথ অমমমদা কন্যাঅমমম চোংতি। রথখুদিংমক শগোল মার মরিনা চিংতু। হস্তাক পরেং ফিরিবা, শংখুক পরেংনস্থ মত্তকশমদা লৈত্তেং ওইরবা শামু চাম-চামনা রথ অমমুমগী মতুংদা ইরে ॥৬৪॥ ইরুরবা শামু খুদিগী মতুংদা শগোল লিশিংঅমমম অমুক ইরে। ইরুরবা শাগোলশিং অহুগী মতুংদা শঙ্খী লিশিং অমমম অমুক ইরে। ইরুরবা শঙ্খীশিং অহুগী মতুংদা হামেং য়াও য়াম য়াম্বনা লিশিং অমমম অমুক ইরে ॥৬৫॥ যজ্ঞ বেদীগী মনাক্তা যজমান ওইনা ভগীরথনা কম্বা মতমদা মাগী তম্পাক্তা গঙ্গাদেবীনা ফম্বরম্ম থোংদোক অতুদগীস্থ গঙ্গানা ভাগীরথী উর্ব্বশী অমুম্ কায়না মিংথোন পুতুনা কাওখিবনি ॥৬৬॥ ময়োল অহুমদা ইরোং অহুম কাংনা চেংল্লবী গঙ্গদেবীনা যজ্ঞ অহুদা, ইক্ষাকুবংশদ পোক্লবা দানদাক্তনা য়াম্ন তৌবস্থ ভগীরথবু কংবদা মহাকমকী কন্যামক ওইখ ॥৬৭॥ সৃঞ্জয় ! নত্তোন্দগী কা হেম' সাম দান মত্তুভেদদা হৌশিংলবা, নহকা নচামক্তদগীস্থ য়াম্ন হেম পুন্য চল্লবা ভগীরথ কৌবা নিংথৌ অঙ্গকাওবনা নেংঙ্গ'ঞবদি অহুগা মহাকদমক্তা কনানস্থ খাইনা অমুত্তাপ তৌবা লৌখিল্লবদি নচাক্তা নচাতুগীদমক থোয়না রাকম থোক্তে ॥৬৮॥ সৃঞ্জয় ! মহাত্মা দিলীপ হায়বস্থ নোংগাথ হাম্বনা তায় মহাক্তা তৌখবা সৎকর্ম্ম পুম্বগী ব্রাহ্মণ চৌজিক কাওবা ব্রাহ্মণশিংনা জীনরি ॥৬৯॥ দিলীপ নিংথৌন খরায় হকচাং অমত্তা ওইনা মহাযজ্ঞ অম লিংথত্তুনা লস্তুম বত্নবী পৃথিবী অসিবু শরুক শরুক থোর থাইদোক্লগা ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌখি ॥৭০॥

বেত্তার যজ্ঞবাদস্য যজ্ঞে যজ্ঞে পুরোহিতঃ । সহস্রং বারণান্ শ্বেতান্ দক্ষিণার্থমকালয়ৎ ।৭১।
যস্য যজ্ঞে মহানাসীদ্‌যূপঃ শ্রীমান্ হিরণ্ময়ঃ । তং দেবাঃ কর্ম কুর্বাণাঃ শক্রজ্যোতি উপাশ্রয়ন্ ।৭২।
চষালে যস্য সৌবর্ণে তস্মিন্ যূপে হিরণ্ময়ে । ননৃতুর্দেবগন্ধর্ব্বাঃ ষট্‌সহস্রাণি সপ্তধা ।৭৩।
অবাদয়ত্তত্র বীণাং মধ্যে বিশ্বাবসুঃ স্বয়ম্ । সর্ব্বভূতান্যমন্যন্ত মম বাদয়তীত্যয়ম্ ।৭৪।
এতদ্রাজ্ঞো দিলীপস্য রাজানো নানুচক্রিরে । যন্মত্তা হেমসংছন্নাঃ পথি মত্তাঃ স্ম শেরতে ।৭৫।
রাজানং শতধন্বানং দিলীপং সত্যবাদিনম্ । যেঽপশ্যন্ সুমহাত্মানং তেঽপি স্বর্গজিতো নরাঃ ।৭৬।
ত্রয়ঃ শব্দা ন জীর্য্যন্তে দিলীপস্য নিবেশনে । স্বাধ্যায়ঘোষো জ্যাঘোষো দীয়তামিতি বৈ ত্রয়ঃ ।৭৭।
স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্ত্বয়া । পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ।৭৮।
মান্ধাতারং যৌবনাশ্বং মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম । যং দেবা মরুতো গর্ভং পিতুঃ পার্শ্বাদপাহরন্ ।৭৯।

দিলীপ নিংথৌনা মহাক্না তৌখিবা যজ্ঞ খুদিংদা সনাতনা শাবা শান্মুজিশিং অমা ব্রাহ্মণ পুরোহিতশিংদা দক্ষিনা ওইনা দান তৌখি ॥৭১॥ দিলীপনা সনাতনা পুথৈ ওইনা শাবা যজ্ঞগী য়ুপ্ন অমা য়ুংখ্রখি। মাহুগী আশ্রয়দি ইন্দ্রনচিংবা দেবতা পুম্নক্না ওইখি ॥ ২॥ যজ্ঞ অচুগী য়ু'পদা সনাগী য়ুপ্ন অচৌগী মতোঙ্গা অকোয়বা সনাগী পাক চাউরবা কম্পাক অমুদা দেবতালশিং হন্‌দ্রা অহগা গন্ধর্ব্বশিংনা তরেৎকক জগোই শাখি ॥৭৩॥ গন্ধর্ব্ব অখোইবা বিশ্বাবসুনা কম্পাক অহুগী মরায়দা কমচনা বীনা খোঙখি। জগোই শাবীশিং অমুনা মানা মানা তোঙাল তোঙাম্বা মতংদা চোংলিবা, খোক্নিবহুগী খোঙথাং খুথেক চানা বিশ্বাবসুনা বীনা খোংলিমাগে হায়বা মখোয় খুদিংমক্না খল্লখি ॥৭৪॥ অতোপ অতোপ নিংথৌশিংনা দিলীপনা তৌখিবা যজ্ঞশিংগুগী মতোঙথা হৌরিদে সনানা পুময়োম য়োম্নবা, দিলীপকী শামুশিং অহুগা লম্বী খোংদা মপৈ মপৈ যুম্বুবা তুমদনা লৈরে ॥৭৫॥ ধর্ম্ম অনৌনা ভিন্নবা মহাত্মা ওইবা, শাপক চেৎপ, অচুম্বা ভাঙবা দিলিপপু অমুক্নং দর্শন কাংলুবশিং মখোয়গীসু স্বর্গ কামনগী অধিকার অহুম মরৈখে ॥৭৬॥ দিলীপ নিংথৌগী শঙ্গায় অহুম খুমিৎ চুম্বা বেদপাঠগী মখোয়, লিক্নং তেল থাওতাগী মখিয়া, "পীখোকখো পীখোকখো হাখিয়ু চাখিয়ু জৌখিয়ু হায়বগী মীরউ খোল অসিতনা পুমনিন লিন্না হায়খিবা খোক্কলশিং অসি মীকুপ অমত্তা হাঙবা নত্তে॥৭৭॥ সৃঞ্জয়। নঙোম্বগী অা—হেন্না সাযদান দক্ত ভেদা নীতি মরিদা হৈশিংলবা অমুগা নহাকী নচাকদগীসু অা চেন্না পূন্য চেনবা·নিংথৌ দিলীপ অমু কাওবা লোংগাশ্রবদি অমুগা মাগীচনবা কনানসু থোইনা অনুতাপ তৌনবিন্নব'দি নহাক্না নচাহুগীদমক্না থোইনা মাকব থোক্কে॥৭৮॥ সৃঞ্জয়। যবনাশ্বগী মচা মান্ধাতা হায়বহুসু লোজাখি হায়না তায়। মাহুনচিংবা দেবতাশিংনা যুবনাশ্বগী মাকৃথং অমুসু বিকপাইরনা মাহুদগী মানা

সমৃদ্ধো যুবনাশ্বস্য জঠরে যো মহাত্মনঃ । পৃষদাজ্যোদ্ভবঃ শ্রীমাংস্ত্রিলোকবিজয়ী নৃপঃ ।৮০।
যং দৃষ্ট্বা পিতুরুৎসঙ্গে শয়ানং দেবরূপিণম্ । অন্যোন্যমব্রুবন্ দেবাঃ কমরং ধাস্যতীতি বৈ ।৮১।
মামেব ধাস্যতীত্যেবমিন্দ্রোঽথাভ্যুপপদ্যত । মান্ধাতেতি ততস্তস্য নাম চক্রে শতক্রতুঃ ।৮২।
ততস্তু পয়সো ধারাং পুষ্টিহেতোর্মহাত্মনঃ । তস্যাস্যে যৌবনাশ্বস্য পাণিরিন্দ্রস্য চাস্রবৎ ।৮৩।
তং পিবন্ পাণিমিন্দ্রস্য শতমহ্না ব্যবর্দ্ধত । স আসীদ্দ্বাদশসমো দ্বাদশাহেন পার্থিবঃ ।৮৪।
তমিদং পৃথিবী সর্ব্বা একাহ্না সমপদ্যত । ধর্ম্মাত্মানং মহাত্মানং শূরমিন্দ্রসমং যুধি ।৮৫।
য আঙ্গারং নৃপতিং মরুত্তমসিতং গয়ম্ । অঙ্গং বৃহদ্রথঞ্চৈব মান্ধাতা সমরেঽজয়ৎ ।৮৬।
যৌবনাশ্বো যদাঙ্গারং সমরে প্রত্যযুধ্যত । বিস্ফারৈর্ধনুষো দেবা দ্যৌরভেদীতি মেনিরে ।৮৭।
যত্র সূর্য্য উদেতি স্ম যত্র চ প্রতিতিষ্ঠতি । সর্ব্বং তদ্যৌবনাশ্বস্য মান্ধাতুঃ ক্ষেত্রমুচ্যতে ।৮৮।

অশ্বমেধশতেনেষ্ট্বা রাজসূয়শতেন চ ।
অদদদ্রোহিতান্ মৎস্যান্ ব্রাহ্মণেভ্যো বিশাংপতে ! ।৮৯।

পৃথিবা গর্ভ অদুবু লৌথোকখি ॥৭৯॥ শলোম মপানবী মরাকা তিন্নরবা বাদগী বোকখিহনা মান্ধাতা হায়রিবা মহাত্মা অসি মপা যুবনাশ্বগী পুক্নুংদা চাউখিরনি। মহাক অসি মতম অমদা মাঙ্গ লাকপিরকী মপুরোইবা ওইহনা মরোল অহমবু অম তৌওবা নিংথৌ অম ওইখি ॥৮০॥ মপা যুবনাশ্বগী অম্পাক্তা অডাং অহনা হৌপচুনা দৈবহু দেবতা শিংনা উংনা 'অডাং অসিনা কনাগী মখাকদগী অমৃত থোক্লাংবু থকদোক্লিবনো ?" অমুম হায়না হংনখি ॥৮১॥ অচগী তুংদা ইন্দ্রনা "ঐহোক্নগী থোকপা অমৃতবু অডাং আসনা থকপা ওইগনু" হায়না য়াখি। "মান্ধাতা" [ঐনা থোকনি] অমুম হায়না ইন্দ্রনা হয় রে হায়খিবদগী অডাং অহুগী মমিং মান্ধাতা হায়না অংঙ মংডনখে ॥৮২॥ অহুগী তুংদা ইন্দ্রগী খুদোল্লীদগী অডাং অহুগী হিংনবা নোয়ননবগী দমক অমৃত [থোম্] গী ধারা শিন্থখি মাহুবু ইন্দ্রনা অডাং মান্ধাতাগী মচীন্দা ইনখিখি ॥৮৩॥ মান্ধাতানা ইন্দ্রগী মখুতগী শিন্থরকপা অমৃত অহুবু থকতুনা মমাগী মথোম্ থকতুনা চাওবা অডাংদগী মান্ধাতানা শরুক চাম চাথা হেন্ন নোংম নোংমগী চাউখৎলকলে। অহুনা পোকপা মতুং তরানিথোইনি শুবদা মান্ধাতা অসি চহী তরানিথোই শুরবা অডাংগী অবস্থাদা লৈখি ॥৮৪॥ নোংমগী মনুংদা পৃথিবী অসিনা ধর্ম্ম চেন্নবা, মহাত্মা ওইরবা কনবা, লান্দা ইন্দ্রগুম্বা মান্ধাতাবু মপুথোইবা ওইবা ফংখি ॥৮৫॥ হায়রিবা মান্ধাতা অসিনা অঙ্গার, মরুত্ত, অসিত, গয় অঙ্গরাজ বৃহদ্রথবু লান তৌখি ॥৮৬॥ মান্ধাতানা লালুকফদা অঙ্গার নিংথৌগা থেংনবা মতমদা মহাকা লৌরংগী মখোল তাবদা পৃথিবী অসি খিনপাইরমাগে হায়না লাইয়াম চপ খংনা থরখি ॥৮৭॥ নুমিৎনা থোরকপা মফমদগী তাখিব কাওবা ফোক্লিবা লম পুম্বা যুবনাশ্বগী মচা মান্ধাতাগী থাক্নখি হায়না শরুনি ॥৮৮॥ সৃঞ্জয় । নিংথৌ মান্ধাতানা অশ্বমেধ যজ্ঞ চাম তৌদুনা মাহুগী দক্ষিণাগী

উৎসবৈর্বিবিধৈর্যুক্তান্ শতযোজনাম্ । অতিরিক্তান্ বিধাভিত্বা বাজপেয়ৈরযাজয়ৎ ॥৩০॥ (যুগ্মকম্)

স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্ত্বয়া । পুত্রাৎ পুণ্যতরস্তুভ্যং মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥৩১॥
যযাতিং নাহুষঞ্চৈব মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম । য ইমাং পৃথিবীং কৃৎস্নাং বিজিত্য সহসাগরাম্ ॥৩২॥
শম্যাপাতেনাভ্যতীয়াদ্বেদীভিশ্চিত্রয়ন্ মহীম্ । ঈজানঃ ক্রতুভির্মুখ্যৈঃ পর্য্যগচ্ছদ্বসুন্ধরাম্ ॥৩৩॥ (যুগ্মকম্)

ইষ্ট্বা ক্রতুসহস্রেণ বাজপেয়শতেন চ । তর্পয়ামাস বিপ্রেন্দ্রাংস্ত্রিভিঃ কাঞ্চনপর্ব্বতৈঃ ॥৩৪॥
ব্যূঢ়েনাসুরযুদ্ধেন হত্বা দৈতেয়দানবান্ । ব্যভজৎ পৃথিবীং কৃৎস্নাং যযাতির্নহুষাত্মজঃ ॥৩৫॥
অন্ত্যেষু পুত্রান্ নিক্ষিপ্য যদুদ্রুহ্যপুরোগমান্ । পূরুং রাজ্যেঽভিষিচ্যাথ সদারঃ প্রাবিশদ্বনম্ ॥৩৬॥
স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্ত্বয়া । পুত্রাৎ পুণ্যতরস্তুভ্যং মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥৩৭॥

মশক ওইনা ঋত্বিক ব্রাহ্মণশিংদা যুথংক অম বাংবা; যুবক চাব শাংবা সনাগী তা (ভারে) জিশিং তরা দান তৌখি। ঋত্বিক মতমা অতৈ অতৈ ব্রাহ্মণশিংদসু হায়খিবা সনাশিং অদি ভাগী মতংদা শাশাহুনা দান তৌখি। ব্রাহ্মণশিং অদুনা য়ায় হয়াউনা মাগী মাগী শরকশিংঅদু খোমখোমহুনা লৌনখি ॥২৯—৩০॥ সৃঞ্জয়! নত্তোঙ্গী কা হেন্ন সাধনান বস্তুতেনীতি মমিদা তৈরবা অদুগা মহাক্তী মচানগীসু কা হেন্ন পুন্য চেন্নবা মাঙ্খাত্তা কাওবনা লোং-গাব্রবদি অদুগা মহাক্তীদমক্তা কনা অমতনা খোইনদু অনুতাপ তৌনবা তৈশিঞ্জবদি নহাক্তা নচা অঙগীদমক্তা খোইনা বাকমখোক্তে ॥৩১॥ সৃঞ্জয়! নাহুষগী মচা যযাতি হায়বমু লোং-গাখি হায়না তায়। মহাক্তা সমুদ্র কাওবদা শম্যোকৃথিবা পাক চাউববা লম্ অদিদু অম তৌহনা মহাক্তী মমদগী চৈতুপ অম পায়হনা লংবদা অদুগা ভাকবা মকম্ অদুদগী অমুক পায় পায়হনা লংবদা ভাক ভাকবা মকমদা যজ্ঞবেদী অমমম শিংখত্নবা লমদম্শিং অদুদু নীতথিনা শৈমশাহনা অদুম্ অদুম্ চৎথিবহনা পৃথিবীগী আশোমথংবা সামা য়ৌখি। মত্তৌ অদুগা পৃথি-বীগী মকম মুদিংদা যজ্ঞ শিংখৎ শিংখৎলমহনা পৃথিবী শীঙ্লনা চৎখি ॥৩২-৩৩॥ নিংথৌ যযাতিনা মত্তৌ অসুম বাজপেয় কৌবা যজ্ঞ চামা তৌহনা অদুগা অতৈ অতৈ যজ্ঞ কয়া কয়া শিংখত্নবা সনাতগী চীঙহম্ অহম্ ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌহনা পেনহনখি ॥৩৪॥

অদুগী তুংদা নাহুষগী মচা যযাতিনা হিংচাবশিংগী লান্দা, মহাক্তী লান্মীশিংবু বেহ শাহনা দৈত্যদানব পুম্নমকপু অম তৌহনা পৃথিবী পুথবু শরক্ তোঙান তোঙান খায়দোক্নবা মচাশিংবু শরক্ অমমম্গী নিংথৌ ওইনা হাপখি ॥৩৫॥ যদু, দ্রুহ্য, অনু, তুর্বসু হায়বা মচা মমিবু লম্ মমিগী নিংথৌ ওইনা হাপ্লগা মচা অতোম্বা পূরুবু সাম্রাজ্য মপুখমগী নিংথৌরেল ওইনা অভিষেক তৌরম্লগা যযাতিনা মাগী লোয়নবীগা লোয়ননা তপস্যাগীদমক তপোবনদা চৎখি ॥৩৬॥ সৃঞ্জয়! নত্তোঙ্গী য়ায় হেন্না সাধনানদসুতেন নীতি মমিদা তৈশীংলবা অদুগা নহাক্তী

অম্বরীষঞ্চ নাভাগিং মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম । যং প্রজা বব্রিরে পুণ্যং গোপ্তারং নৃপসত্তমম্ ॥৯৮॥
যঃ সহস্রং সহস্রাণাং রাজ্ঞাময়ুতযাজিনাম্ । ঈজানো বিততে যজ্ঞে ব্রাহ্মণৈরুপসংস্থিত ॥৯৯॥
নৈতৎ পূর্ব্বে জনাশ্চক্রুর্ন করিষ্যন্তি চাপরে । ইত্যম্বরীষং নাভাগিমন্বমোদন্ত দক্ষিণাঃ ॥১০০॥
শতং রাজসহস্রাণি শতং রাজশতানি চ । সর্ব্বেঽশ্বমেধৈরীজানাস্তেঽভ্যযুর্দ্দক্ষিণায়নম্ ॥১০১॥
স চেন্মমার সৃঞ্জয় ! চতুর্ভদ্রতরস্ত্বয়া । পুত্রাৎ পুণ্যতরশ্চৈব মা পুত্রমনুতপ্যথাঃ ॥১০২॥
শশবিন্দুং চৈত্ররথং মৃতং সৃঞ্জয় ! শুশ্রুম । যস্য ভার্য্যাসহস্রাণাং শতমাসীন্মহাত্মনঃ ॥১০৩॥
সহস্রন্তু সহস্রাণাং যস্যাসন্ শাশবিন্দবাঃ । হিরণ্যকবচাঃ সর্ব্বে সর্ব্বে চোত্তমধন্বিনঃ ॥১০৪॥
শতং কন্যা রাজপুত্রমেকৈকং পৃথগযযুঃ । কন্যাং কন্যাং শতং নাগা নাগং নাগং শতং রথাঃ ॥১০৫॥
রথে রথে শতং চাশ্বা দেশজা হেমমালিনঃ । অশ্বে অশ্বে শতং গাবো গাং গাং তদ্বদজাবিকম্ ॥১০৬॥

